মণিপুরদা লিনরিবা রারীগী মহাভারত

(আদি পর্বগী দ্বিতীয়ার্দ্ধ)

সম্পাদক :—

শ্রীনিংথৌজম হরিদাস সিংহ

উপাধ্যায় খাইমা সিংহ

কথাবাচক রত্ন

সংকলক :—

শ্রী অহৈবম ধনঞ্জয় সিংহ

[illegible] লৈবাক

ইম্ফাল [illegible]

মণিপুরদা লিনরিবা য়ারিগী

মহাভারত

(আদিপর্ব্বগী দ্বিতীয়ার্দ্ধ)

সম্পাদক :—

শ্রীনিংথৌজম হরিদাস সিংহ

উপনাম য়াইমা সিংহ

কথাবাচন রত্ন

ফোংদোকপা :—

পৌরাণিক পরিষদ

ইম্ফাল।

মমল— রুপা ৩৫/০

মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ
কার্য্যালয়

অনিশুবা থুংনম

নিংশিংজবা মেরা ৩ঙি পানবা ভাগ্যচন্দ্র নির্ব্বাণ তিথি।

১৯৮০ ইং



পাণ্ডুলিপি ... শেফীরবা :—

পণ্ডিত ওঝা অমিবু নিংশিংজবা
৺সুচেন্দ্রর চাওবা সিংহ (কোংবা খাইথেম লৈকাই)
৺লাইন্দ্রর গোকুল সিংহ (মোংসৈবুং অয়াংপল্লি)

ওরিয়েণ্টেল প্রিণ্টিং হোম মাইস্কুল পুলিশ লেন, ইম্ফাল।

ভূমিকা

ভীষ্ম দ্রোনতটা জয়দ্রথ জলাশঙ্কার নীলোৎপলা।
শল্যগ্রাহবতী কৃপেনবাহিনী, কর্ণের বেলাকুলা॥
অশ্বত্থামা বিকর্ণ ঘোরমকরা দুর্যোধন বর্তিনী।
সোত্তিনাথলু পাণ্ডবৈ রণ নদী কৈবর্তকঃ কেশবঃ॥

নিবেদন

শ্রীলশ্রীযুক্ত রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ মাহাক্তগী শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউগী নাট্য মন্দিরদা তেথাও ঙাঙনরম্বা বারীলিবা ৺শ্রীজউরামশর্মা কথাবাচন বাচস্পতিনা, মহাক্না মাখং মতুংইদা মহাভারত, রামায়ণ বারীলিবা হৌখি। মতম অমুদগী হৌনা "বারীলিবা" কলাসি হৌজিক কাওবা লমসিদা য়াম্না মপুংফানা মশমরেকপা হিংলি, হিংখিগনী।—

"বারীলবা কলাসি" লমসিদা ওমাগী শ্রীশ্রীমুখদগী তাকপগা চিঙ্গাং ওইনা তমরকপনি, ইশিংদুনা নত্তে স্মরণ শক্তি শোম্বরকপনা চোরজাইনখিগদৌরিবা বারীশিংদি শৈরেং ছাপা নমথোক্নবা কাওথি-দনবা অদুগা ওমা অমগা মত খেন্নরকপবুসু চুমশিন্নদুনা শৈরেং শেমলগা নৌনা হৌরক্লিবা মীরোম্না শীন্নবা হায়বসি মণিপুর পৌরাণিক পরিষদনা মতম কুইনগী মমাংদগী পামজরকপনি। মসি মংকাওনদুনা মণিপুরদা লিনাম্নবা বারীগী (১বা ভাগাই) লাথোকচরে। (২শুবা শরুক অমুক লাথোকচরে। অসুক চাওরবা জ্ঞান-যজ্ঞসিদা অচৌবা শরুক য়াবিখীবা ওমা বারীলিবাশিংদি মমল নাইত্রবা সহযোগ (১) রাম্না পীবীরকপা (২) শেল পীবীরকপা ভদ্রলোকশিংবু, ইথোকপদা তেংবাংবিখীবা শ্রীনাওরেম মণি সিংহ (কাসিফাই), লাইব্রিকসি থোকহনবদা তেংবাংখিবীবা শ্রীকুরাইলাৎপম জগদীশ শর্মা (শয়াং পুখ্রী) প্রুফ করপদা থৌদাং মায়পুননা য়াবিখিবা শ্রীঅরিবম ব্রজমণি শর্মা (প্রেস মেনেজর পুলিসলেন), অমসুং শেল তেংবাংবিরকপা মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমী মমামসিদা, মণিপুর পৌরাণিক পরিষদনা তৌবিমল থংবা উজরি অমসুং মমামসিগী লম্মন তোঞরবনি।

মসিদা থোইদোক্লা শাংথাজনিংবনা মণিপুর পৌরাণিক পরিষদ লিংখৎলকপদা মাগী পাওতাক পীবুদা তেংবাংবিবিবা ভদ্রলোক শ্রীব্রজবাসীময়ুম মণিহ্না শর্মা সাহিত্য ব্যাকরণ শাস্ত্রী [এলাংবম লৈকাই] গী মখদা পরিষদনা কৃতজ্ঞতা ফোংদোকচরি। ফোংলিবা গ্রন্থ অসিমক্তি পরিকল্পনা তৌরকপা অমদুং ছাপা তৌবদা থুগোকপা কাংলপদু ভদ্রলোক অসিনা মচৌবা সহযোগ পীবিবি অদুগা পরিষদনা মথা চথবগদা অতৈ থবক শিংবসু মহাক্কী মতেং কারিবনি থাজৈ। শ্রীশর্মাগী উজ্জ্বল ভবিষৎপু ঈশ্বরদা নিজরী।

নিবেদক—
পরিষদ সেক্রেটরি
ইথোকচবা—শ্রীনিংথৌজম য়াইমা সিংহ
কথাবাচনরত্ন।

অধ্যায় লামাই

১। যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজ ওইবদা পাণ্ডু উসব কৎনবগী সনা লৌচনা মতাং — ১

২। মার্কণ্ডগী রারী পাণ্ডু উসব কৎপা মন কয়া তৌবগী রারী মতাং — ৭

৩। উষি-শৌমি রতগী পারনা ভীমু সেবা তৌহনবা থয়বা রারী মতাং — ১৩

৪। দুঃশাসনা ভীম কৌরবনা উষি-শৌমিগী সেব লুহনব রারী মতাং — ২০

৫। যনাই ভীম কমবগী দ্বারীকানাথ শ্রীকৃষ্ণ লেংগকপা রারী মতাং — ৩৫

৬। দুর্য্যোধন ত্রিকালমুখ সনা কংবগী রারী মতাং — ৪০

৭। যুধিষ্ঠিরনা ধৃতরাষ্ট্রনা নিংথৌ পদবী পীবা বারনাবত কোমুং শাবগী রারী মতাং — ৪৪

৮। দুঃশাসনা জয়দ্রথ লুহোংবা ভীমা সুবিবস্থা কিংনাবা হাংপা রারী মতাং — ৪৮

৯। বারকা কোমুং শঙ্কাবা হৈচাকপা হিংসা হাংপা হিবধী লুহোংবা রারী মতাং — ৫৬

১০। মিথিলাদা দুর্য্যোধন বলদেবদা গদা খাগ তম্ব মহিকনগী রারী মতাং — ৫৮

১১। পাণ্ডবনা মুনিগী আশ্রমদা বেদ-শাস্ত্র তম্বা ঘটোৎকচ পোকপা মজলাসুর হাংপগী রারী মতাং — ৭৪

১২। পাণ্ডবনা ঘটোৎকচদা খুৎলাই শিন্নরম্মগা ব্রাহ্মণ শাজুনা একচক্রে নগরদা লেবা বক অত্যাসুর হাংপা রারী মতাং — ৭৯

১৩। একচক্র নগরদা ঘটোৎকচ নিংথৌ লেপ্পগা পাণ্ডব পঞ্চালদা কন্যা স্বয়ম্বরগী যাত্রা তৌরকপগী রারী মতাং — ৮৩

১৪। পাণ্ডবনা পঞ্চাল য়ৌগে লাকপদা অঙ্গার-পর্ণ গন্ধর্বগা উনবা বিশ্বামিত্র, বশিষ্ঠ, কল্মাসপাদগী রারী মতাং — ৯২

১৫। বশিষ্ঠনা থাবা য়াদহুনা পরশুরামনা যজ্ঞ তৌবা পৌলস্ত্য থাবা পাণ্ডব পুরহিত হায়া স্বয়ম্বর হৌবগী রারী মতাং — ৯৯

১৬। ভানুমতী স্বয়ম্বরগী রারী মতাং — ১০৪

১৭। অর্জুননা লক্ষ ককপগী রারী মতাং — ১০৯

১৮। বলরাম, কৃষ্ণ কুন্তী উনবা ভীম অর্জুননা লান জয় তৌবা রাজসভা চেন্নখিবা পঞ্চ পাণ্ডবতা দ্রৌপদী লুহোংবগী রারী মতাং — ১১৮

১৯। পঞ্চ পাণ্ডবপু বিদুর থারকুনা হস্তিনাদা লৌরক্নুমগা মতাগী লল থাইহুনা ইন্দ্রপ্রস্থ কোমুং শাবগী রারী মতাং — ১২৮

২০। সুর রাক্ষস কন্যা বু ঘটোৎকচপা লুহোংবগী রারী মতাং — ২৩৪

২১। ভীমনা দুর্জনা মুনি সেবা তৌবগী রারী মতাং — ১৩৮

২২। পিসক সরণী কাবা অংগুং ভমনা মান্ন ওইবগী রারী মতাং — ১৪৯

২৩। শোকানিনা ভীমগী মগুন য়েংবগী যণ হুনা ভীমনা মান্ন শিনবা রারী মতাং — ১৫৯

অধ্যায় লাম্বাই

২৪। কূর্ম্মপৃষ্ঠ লৈপাক সুবাহু মিংলোঁগী মচা একালিংগী থবক্তগী ৱারী মতাং — ১৬৬
২৫। কৌরব, পাণ্ডব চাওখৎলকপা অহোংবা করাগী ৱারী মতাং — ১৭১
২৬। বারম নিয়মগী অর্জ্জুনা চহি ১২ তীর্থ চৎপগী ৱারী মতাং — ১৭৪
২৭। সুভদ্রা হরণগী অমসুং পারিজাৎ হরণগী ৱারী মতাং — ১৮২
২৮। শ্রীকৃষ্ণগা ইন্দ্রগা লানথেংনবা পারিজাত পুরকপা সত্যগী নাপন য়েথেকপা ৱারী মতাং — ১৮৬
২৯। সুভদ্রা অর্জ্জুন গন্ধর্ব্ব বিবাহ লৌকপা থবক্তগী ৱারী মতাং — ১৯১
৩০। সুভদ্র হরণ সুদক্ষিনা সুহোংবগী ৱারী মতাং — ১৯৬
৩১। অর্জ্জুন, হনুমান থৎনবা সমুদ্র থোং শাবগী মতাং — ২০০
৩২। ব্রাহ্মণ মচা শিগ্নবশিংবু শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুনা লৌকপা ৱারী মতাং — ২০৪
৩৩। শ্রীকৃষ্ণ, অর্জ্জুনা খাণ্ডবন মৈ থাকগী ৱারী মতাং — ২০৭
৩৪। ইন্দ্রনা লান হৌরক্লুনা লান থেংনবদা অর্জ্জুনা ভখা ৱারী মতাং — ২১১
৩৫। মন্দপাল ব্রাহ্মণগী ৱারী মতাং — ২১৫
৩৬। অর্জ্জুনা সুভদ্রাগা ইন্দ্রপ্রস্থদা হল্লকপা পাণ্ডব মতানা মচা থারা কংবগী ৱারী মতাং — ২১৭
৩৭। অবন্তি নগরগী দণ্ডিনম নিংথৌ উর্ব্বশী ২গী হাকচাং ব্রজ ৯ তিনবগী ৱারী মতাং — ২১৯
৩৮। খুলাই ৯ তিনবদা উর্ব্বশীগী শাপ কোক-পগী ৱারী মতাং — ২২৩
৩৯। ভীম, অর্জ্জুন পৌলস্ত, দেবদত্ত শঙ্খ কংবগী ৱারী মতাং — ২২৮

———

বারী মতাং পীখৎলকপা, শেলগী মতেং পীখৎলকপা পরিষদ সদস্যশিং।

১। পাণ্ডু উমব কৎনবগী সনা লৌরবা মতাং শ্রীভাইরাংবম অমু সিংহ কোম্বাখাবম শেলনা লুপা ১০০।

২ মার্কণ্ডগী বারী পাণ্ডু উমব কৎপা বারী মতাং শ্রীবোংখোনবম বলরাম সিংহ (খ বম) শেলনা লুপা ১০০।

৩। উর্মি, সৌমিত্রী ভীমনা সেবা পুবগী বারী মতাং শ্রীরাইখোম খোমৈ সিংহ (খাবম) শেলনা লুপা ১০০।

৪। ভীম কমবা শ্রীকৃষ্ণ লেংকপা দুর্য্যোধনা নিকালমুখি গদা কংবগী বারী মতাং শ্রীকৈশাংথেম সেনু সিংহ (চিংখু মৈৰ) শেলনা লুপা ৩০।

৫। ধৃতরাষ্ট্রনা যুধিষ্ঠিরদা সিংথো পনবী পীবা বারনা কোম্মুং লাবা দুঃশৈল্যা লুহোংনা স্তুতিস্তু হাৎপা বারী মতাং শ্রীচনম বিধচন্দ্র (কবে মাকচিং) শেলনা লুপা ১০০।

৬। পাণ্ডব বারনা কোম্মুং লাবা মৈ চাকপা বিদুরী লুহোংবা মিথিলাদা দুর্য্যোধনা বলরামদা গদাবাগ তম্বা মণিপুরগী বারী মতাংনা ৺লাইশ্রম গোকুল সিংহ পণ্ডিত ওঝানা ইবিরম্বা বারী মতাংনী।

৭। ঘটোৎকচ পোকপদগীনা মললাসুর হাৎপা পাণ্ডবনা একচক্রদা লৈবা ভীমনা বক, জত্তাসুর হাৎপা ঘটোৎকচবু নিংথৌ শেমম্মুশ পঞ্চালদোমদা যাত্রা তৌরকপা বারী মতাংনা শ্রীলাইশ্রম ইবোতোম্বা সিংহ (নাওরেম লৈকাই) শেলনা লুপা ১০০।

৮। পাণ্ডবনা পঞ্চাল দেশগে লাকপদা অঙ্গারপর্ণ গন্ধর্ব উনবা কল্মাষপাদ, বিশ্বামিত্র, বাণভট্টগী বারী মতাং ৺মাইবম শুমলোল সিংহনা হয়বা বারী মতাং শেলনা লুপা ১০০।

৯। পাণ্ডব পুরোহিত হাপ্পা, দ্রৌপদী স্বয়ম্বরদগী ইন্দ্রপ্রস্থ কোম্মুং লাবা, ময়কণ্ঠগা ঘটোৎকচগা লুহোংবা বারী মতাংনা শ্রীভাংখম ইবোবি সিংহ (সোইবম লৈকাই) শেলনা লুপা ১০০।

১০। ভীমনা দুর্বাসা সেবা তৌবগী বারী মতাংনা ৺মোইরাংথেম অর্জুন সিংহনা হয়বা মচা কবুংতো অদম্বা (খুরাই হৈবোং মখোং) শেলনা লুপা ৩০।

১১। ভীমনা পিশক সারথী কংবা ভীমনা মন্ত্রি ওইবগী মতাংনা শ্রীভাসেপম তোম্বী সিংহ (সোইবম লৈকাই) শেলনা লুপা ১০০।

১২। শোকমিনা ভীম পারকাগী মণ হবা ভীম মাস্ত্র শিনবা একাশিনী স্বয়ম্বর কৌরব পাণ্ডব চংওখৎলকপা লুহোংব কয়াগী বারী মতাং শ্রীমুয়াবংশাবম অঙৌ সিংহ (অবাং পোমংবম রাপাই) শেলনা লুপা ১০০।

১৩। নারদ নিয়মগী অর্জুন চহি ১২ তীর্থ চৎপগী বারী মতাং শ্রীবিজমনি শর্ম্মা (খোংমন মংজিন ব্রহ্মপুর) শেল লুঃ ১০০।

১৪। সুভদ্রা হরণ, পারিজাৎ হরণ, সুভদ্রা, শুদাক্ষনা লুহোংবগী রারী মতাং শ্রীচাইরাংবম তোমচৌ সিংহ (খ মন) শেলনা লুপা ১০০।

বারী মতাং পীথংলকপা, শেলগী মতেং পীথংলকপা পরিষদ সদস্যশিং।

১৪। হর্জুন, হনুমানগী খংনবা মহক্কি পোং শবা, ব্রাহ্মণ মচা শিরবনু শ্রীকৃষ্ণ অর্জুনা লৌরুবা বারী মতাং শ্রীশনি সিং হনুমনাম (নিনথুংশি) শেলনা লুপা ১০০।

১৫। খাণ্ডবন মৈ থাবা অর্জুনা ইন্দ্র জয় তৌবা মনপালগী বারী, অর্জুন সুভদ্রা ইন্দ্রপ্রস্থদা হলকপা পাণ্ডবনা মচা কংবগী বারী মতাং শ্রীখোইবাওজম চৌত্রি সিংহ (শেনুংবম) শেলনা লুপা ১০০।

১৬। দণ্ডীপর্ব্ব খুদাই ৯ জিনবা উর্বশী শাপ্তগী মুক্ত ওইবীবা তাঁন, অর্জুনা পোলশু, দেবদত্ত মোইরাং কংবগী বারী মতাং শ্রীচান্দম মচু সিংহ (কবো হাকচিং) শেলনা লুপা ১০০।

১। শ্রীইরোম তোমজোম সিংহ (চিঙ্গা মখা) লুপা ১০০।

২। শ্রীঅথোকপম চাওবা সিংহ (কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই) লুপা ১০০।

৩। শ্রীকোন্দ্রাইলাকপম পারিজাত শর্ম্মা (মমু ই কোইরি) লুপা ১০০।

৪। কোমসম সেনুং সিংহ জ্যোতিষ্য ভূষণ (তেন্দোনয়ান) লুপা ৫০।

৫। শ্রীনাওরেম বিরহরি সিংহ (ককচিঙ-রাইরি) লুপা ১০০।

৬। শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রম সিংহ (ককচিঙ-রাইরি) লুপা ১০০।

৭। সোগাইজম ইবোচৌ সিংহ (ককচিঙ-রাইরি) লুপা ১০০।

৮। শ্রীতাক্ষোম থোইবা সিংহ (অচাম্বীগৈ) লুপা ৪০।

৯। শ্রীনোংমাইথেম অমুতোম্বা সিংহ (থাইদেম খুথোং) লুপা ৬০।

১০। শ্রীমনম মনি সিংহ (চজিং) লুপা ৩০।

১১। শ্রীখুন্দোংবম অমোকচা সিংহ (কৈরাক) লুপা ২০।

১২। শ্রীখৌদাম অঙাংতোম্বা সিংহগী মচা ইবুঙ্গো অহন সিংহ (খোঙাম্পাত) লুপা ২০।

মণিপুরদা লিনরিবা ৱারিগী মহাভারত

ওঁ গণেশায় নমঃ

শ্রীশ্রীগৌরাবিধুর্জ্জয়তি

নারায়ণং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম্।
দেবীং সরস্বতীং ব্যাসং ততো জয়মুদীরয়েৎ॥

আদি অনিশুবা শকক হৌবগী থুরুমজবা।

ৱাহৌদোক

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য, নিত্যানন্দবু খুরুমজৈ। শ্রীঅদ্বৈতবু, গৌরভক্তবু খুরুমজৈ। শ্রীরূপ সনাতনবু খুরুমজৈ। শ্রীজীব গোপালভট্ট, দাস রঘুনাথবু খুরুমজৈ। কলি যুগকী জীবদি পুন্সি তেকি শক্তি য়াম্না হন্থবা ওইবনা, যজ্ঞ হোম জপ যোগনা লানবা ঙম্লরোই। যজ্ঞনা কৃষ্ণ ভক্তি তানবগী মরমতা, নাম তাজবা শোঙবনা যজ্ঞগী ফল ফংবা ওইসনু হায়না স্মৃতিগী নিয়মদা লেপতুনা বেদদা লৈরবনী। অদুবু কলিগী মওংবা স্বভাব বেদ শাস্ত্রবু থাওইদবা পাপকি লমচৎনা চেনমদুনা, পাপকি ঈপাক্তা লুপতুনা জীবনা লানবা ঙমদ্রুনা লৈগদৌরিবা অদিবু লানবিনবগী নমক। ভগবাননা গৌরাঙ্গ অবতার তৌবিরগা কলি জীবগী গুরুগী মওং ওইদুনা তাকপী তম্বীদুনা জীববু লাইনা লান্নবা থাবিরম্মী।

শ্রবণং কীর্ত্তনং বিষ্ণু স্মরণং পাদসেবনং।
অর্চ্চনং বন্দনং দাস্যং সখ্যমাত্মনিবেদনম্॥

ভক্তি অঙ্গ মাপল অসিগী মরুমদগী তাজবা শোঙবা অমি অসিনা কলি জীবগী লাইনা লাননবা পাম্বৈনি হায়বসিসু জগৎ গুরু গৌরাঙ্গ প্রভুনসু লেপ্লরম্মী। ধর্ম্ম শাস্ত্র লাইরিক পুম্নমকী (বীজ) মরুদি, হরি হায়বা নাম মথেক অমি অসিনি। হরিনাম অসিগী অঙাংবা হৌরককম, ময়াই, লোইথিকম বেদমক্তা থবা ঙমজবা হরিগী নাম, গুণ, লীলা, বৈষ্ণব, সতীগী ইতিহাস, ভক্তি, মুক্তি, ধর্ম্মনীতি, রাজনীতি, অর্থনীতিগী লৈঙ ওইরবা মহাভারতপু খুরুমজৈ।

মহাভারত পুরাণ অসিবু পরাশর মুনিগী মচা ওইনা, সত্যবতীগী গর্ভদা শ্রীকৃষ্ণগী শক্তিনা পোকরবা শ্রীব্যাসদেবনা চিন্দগী মথং মথং তান্নরকলগা গণেশ প্রভুগী খুৎনা কলম পাইদুনা ইবিরম্মনি। অমকপা লৈত্রবা থবালশুম্না স্বর্গ, মর্ত্ত, পাতাল কাওনা শাকাইরবা, মাগী মতমবা

অর্থনা মমহ মুংশিন্নবা থম্বানগী লৈরিক ওইরিবা। অসিগুম্না মহাভারত থম্বানবু মীওইবা মপোকনা মায়াগী সমুদ্রবু লাম্হোকতুনা, অরোইবা মতমদা হরিধাম হংনবগীদমক শ্রীব্যাসদেবনা নুমিৎকী মমক ওইহনা কুক'ইনা শাংহন্নথ্রবনি। অসিগুম্না ভারত থম্বালগী অমৃতবু ভৎতনা থকচনিবা মীওইবা অমু লম চাওখৎলি. ধর্ম কংই, থম্মোইগী লৌশিং ভাম্হোকলকই, কলিগী করুবা "পাপ পুম্বা" মাংথিদুনা পুণ্যবু চাওখৎলল হায়রবসি বেদদা লেপখ্রবনি। মহাভারততী মচাগুম্বা বেদগী মশকনি. লাইরিকাথবিস্তগী মহাভারতনা অথোইবনি। লাইথিবিস্তগী শ্রীনরায়ণগী মতৌগুম্বনি। ভুবেল অচৌবা মচা তীর্থথিবিকনা সমুদ্রদা তিনবগুম্না পুরাণথিবিককী রায়ীনা ভারত্তা তন্নবনি। ব্যাসনা মতম কুইনা তপ তৌবগী গুণনা লেংখ্রবা পুরাণনি, মহাভারততি লাই লৈপাক্তা নারদনা লিহুনা ইন্দ্রনাচিংবা লাইয়ামনা তাবখি। পিতৃলোকতা দেবল মুনিনা লিরগা পিতৃলোকনা তাখি। গন্ধর্ব লোকতা শ্রীশুকদেবনা লিরগা গন্ধর্ব, কিন্নর, যক্ষ, রক্ষ পুম্নমকনা তানখি। পৃথিবীদা চন্দ্রবংশগী জন্মেজয়দা বৈশম্পায়ননা লিহনী তাব কৌখি। অমুগী মতুংদা নৈমিষ কৌবা বনগী মনুং যজ্ঞশালাদা লোমহর্ষ সুতগী মচা উগ্রশ্রবা সৌতনা লিহুনা শৌনকনচিংবা মুনি লিশিং কুননা যজ্ঞনা হরিভক্তি তালম্বা কলিগী প্রভাবনা যাত্রবদা ব্রহ্মাগী পাউতগী যজ্ঞগী মহুত্তা হরিভক্তি তাগবা ওইনা মহাভারত পুরাণবু তাখি।

অসিগুম্বা মহাভারত পুরাণবু খুরুমজহুনা, সাহিত্য সেবা পামজবদগী মণিপুরী ইমালোন্দা য়ান্নী শৈরেং ওইনা ইজরিবা মণিপুর পৌরাণিক পরিষদনা অরানবা অসোইবা য়াওবগী দোষবু বৈষ্ণব সমাজনা ভাকপীগনি নিংজে। ইতি॥

মণিপুরদা লিনরিবা বাঙালী মহাভারত

আদিপর্ব্ব

২ শুবা খন্দগী

১বা অধ্যায় ঃ—

যুধিষ্ঠীরনা যুবরাজ ওইবদা পাণ্ডু উৎসব কুংগী রারি মতাং

নৈমিষারণ্যগী যজ্ঞ শালাদা কলিযুগ ওইরকপানা যজ্ঞ। শ্রী কৃষ্ণভক্তি তানবগী মহুত্তা পুরাণ তাবনা কৃষ্ণভক্তি তাল্লিবা শৌনকুচিংবা মুনি মমাদা হংলকই। হে উগ্রশ্রবা সৌতি, যুধিষ্ঠীরনা যুবরাজ ওইরবদা মথা কমদৌরকই লিরো তারগে। সৌতিনা হায়রে তাবিয়ু ব্রহ্মসভা নোংমদি পাণ্ডব মচাসা মমাদা হায়রে ঈমা হস্তিনা যুবরাজ কংজবে। ঐখোয়বু য়োকপদা থাবিকরবী ঈমাগী হৌজিক্তি নচা ঐখোয়না সেবা তৌজরগনী ঈমাগী অপাম্বা অমত্তা তাকপীয়ু। নচায়াকখোয়না সেবা পাংথোকচরগা ঐখোয়গী মঙ্গল ওইজগে, ঈমাবু নোংমত্তা হরাওবগী মতৌ উবা ফংজদে। পুক্নিংদা নিংবা থুংবগী নুংঙাইতবা থাখল অমা লৈবগুম্বা উঙ্গে ঈমাগী মিংবা থুংদবা লৈব্রবসু নচায়াকখোয়দা শেংনা তাকপীয়ু। মচা মগীগী বাহায় তাবদা কুন্তীনা হায়রকই ইচাশা ঈমা থাগৎলে তারো। ঐনা লাইবক থিবদগী নখোয়বু চাওনবা মহে তম্বা ওম্বা হোৎনরকপদা ঈকাই ঈকো কয়া থেংনরকপনী। মরম অসিদগী ওসিকাওবা নপাবুংনা হস্তিনাগী লঙ্গে কুবেরগুম্বা ধনম্ববসু ঈতৈইবুংতোনা খাইবিদবনা নপাবুং মহারাজনীদবক শ্রী কৃষ্ণনা শৈনবিনবা মহোৎসব অমুক্তা কপ্পা। চুমদ্রে। হৌজিকসু যুবরাজ ওইরবকাওব নখোয়গী শরুক তঙ্কাদ্রি; মরম অসিনা লায়রবদগী গুরু সেবা তশোইদৌরী। মরম অসিনা ঈমাগী থাখবা ইচানা যুবরাজ ফজবসু পুক্নিং নুংঙাইব শৈনবা চুমদ্রবনি ইচাশা।

বৈরুদী মমা কুন্তীদি বাহার তাবদা যুধিষ্ঠির কোকথক্তা খত্তাংবগুমা মাপ্রহুনা হিক ২ কপ্পগা মনাও মরিগী মকমবা হায়রকই। ইনাওপা ওসি ঈমানা তাকপীরকইবা রাকম অসিদু মচা ওইবা ঐখোয়না পাংখোকপা ওয়ত্রবদি ঐখোয়না হিংলুনা লৈবগী কায়দ্রে পৃথী লুবা ওইরগদি। মহাযুংগী বাহার তাদগা ভীমনা হায় ইমাওপা ঈমানা দাদাইবুংগোমা তাকপী-রকইবা অসিদু গুরু সেবা ওইনা পাংখোকপা তোংবদি। অদুবু ঐখোই পোকপদগী ওদিকাও কংলকপ্রবনা কংপা মতমদা কুরুবংশ, ভোজবংশ, যদুবংশ, মত্রবংশ হায়রিবা শাসেগী গুরুজনশিংত্তে মাওনা সেবা ওইরদি। অমসুং ঈমাদি দান পাঙ্গনীদা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, লাইরবা তোলবশিংদহ দান তৌনিংলমগদি মরম অসিনা থর চাওনা লাংদি। অর্জুনা হাইরকই দাদামাইমা তাকপীরীবদু মাজা চাওই। ঐখোয়গী কিতমদি পাবুংবদু শগোল, শামু, রথ অমকাওবা পীত্রি: ঐনা উত্তমবিজয়দা থবা তাকরুবদু লোইশিনক্রে কদাইদগী সনা, রুপা লন্তাপ্লুহনা কংবনসে থাররসি। ভীমা হায় অর্জুন তত্তাইকত্রগা ঐ থংতি হাইনা ব্রহ্মপুরগী ইনাক খুনবশিংগী যোমুগে। অন্ত সুবর্ণগী হাকতা ঐবুদি মাজা চানবীরবদি ঐনা হায়রুরবদি লোইনা পিরকদি লনগী দাই ঐ ওইরগে। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই মাইমা মাহ তৌগদুসি গুরুজনগী সেবাদা মাখোক ওয়রবমনুসি মহৎউসবকী রাকম অসি মমা মচা তরুক কংতি কংজিং লৈতবগী থায়বনা চুমিং অতুগী অহিং লোংশোইবা চাত্রে থক্তে ভুমত্রে নোংতাগে। হউদানা থররিবা রাকম অসি বদরিকাশ্রমদা ব্যাস মুনিনা উরহুনা উপায় তৌবিয়ং' থন্দুনা শক্ত্যাবেশ ব্যাস আবির্ভূত লেপ্তকপনা মিনিট অনিদা পাণ্ডবকী মুমদা থংতরে। কুন্তী মচা মত্তাগা প্রাতঃস্নান তৌবগা মাজোগদা নাম পোন্দুনা লৈখিতৈ থংহৌদনা মুনিনা আশীর্বাদ তৌরকই।

কুন্তী মচা মত্তাগা ব্যাসগী পাদদু লাইবক্তা শোকচত্নুনা খুরুমতৈ অশেংবা ঊশিংনা খাপ্রগী খোঙসেংই পাদক লোঠৈ থতি চমথত্নুনা পূজা কাচরে। ব্যাসনা হায় কুন্তী ইযোনা ঙিংইবদু থংলেনবগীমথক ইকু তাকে লাকপদি মারুরগদু। যুধিষ্ঠির নচিমনাও মত্তানা লৈমেতবগী রাজিবদু ইপু তাকে। ত্রেতাযুগকি রাম অবতারগী লিলাদা রাবন বধ তৌরগা লঙ্কাদা রাবনা থা অমা পনবদা লৈনবা বিভীষণনা সমাদনা শাবা মনিনা থাম্বা মন্দির অমা কংলি। মতমদুনা ঐ রাবনা তাকপীদি ইতাও নক্ত মন্দিরদি রাম ঐ লৌরগে মসিগী মথৈদি ইতাওগী কপাবদু লেপ্তা থংবিদু। মতুংদা রাম ঐদি ইশাগী বাথত্ত হাকপদা অযোধ্যা লৌরিকাওবা মনাগী মুমদা লৈবা মাদে উনাগী থাংপোক্তা অদুম লেনখিগে। মনাগী মন্দির অসিদি অদুম লৈহৌরবদু তুলা লাকপা কনাওমা রামত্রাকুপ্তা রাবনা মী গুরুগী সেবা ঈশ্বরগী সেবা

পাম্বা নিরন্তর ইভাওনা পীখোকখো। শ্রী হরিদা ভক্তি লৈবন; জাত্‌শিত্রনা হরিগী সেবা জেকনা ওইখিনদু অহেনা থাবা ভাকপীরবগী মতুংইন্না হৌজিক থাওবা বিভিন্ন বৈষ্ণবনা মণিপুরদু কায়বনা থমী। অর্জুন নলো চৎলগা মহাদেবগী মমাংদু লৌরুবগা শ্রী কৃষ্ণ ভক্তিগীদমক মহোৎসব কৎনু। অর্জুন অলো মনা লৌরুবা খুদোংচাবকীদমক হুবহু থাবনা লোৎখু খা মরি থাংদুনা লৈরবা চিঙি লোকথেম্বা নমুংৈগী মন শেম্বগা উবাগী থাওলোক থাদুনা পুরি খরাপ চামলিপাজ শাৎকদুনা রামগী সেবা তৌদুনা রামদাস হনুমান লৈরমি। মতম খরগী মতুংদবি কিক্কিয়্যাদা শাবদা হিরিম্বনা হলিগী প্রকাশনা ভক্তি লৈবরমদগী রামদাসদু শেক্তকীদা হোংল্লগনি। হৌজিক্তি লৈরিবনি রাম ভক্ত উদবো থা রাওবীরবদি মহাকী খুদোংচাবা ওইগনি হৌজিক্তি ঐসু হল্লগে। ব্যাসগী পাওভাক কত্তবদা মথা মচা ভক্ত মুনি খুদমদুনা লৈতহৌরে। বেদব্যাস বদরিকাশ্রম তৌরে। অর্জুনসু চাবা থকপা লোইরবা বিরবেশ শেৎলে লিরুং ভেক্কোং লোমনরে মথা মথাখা খুদমকনগা থাজ্বা তৌরে। শ্রী কৃষ্ণগী নাম শোন্দুনা লাকপনা ঋষিমুখপির্বিরামা হৌরক্লে। অর্জুন রামদাসগী কথদি রাম মতুংদা কথরবা পুরি খরাপ চামলিপাজ শাওলিবদু হেক্কুনা লৈ।

শ্রী বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ অর্জুনগী থীওয়াদু উবদা হনুমন্তদু হো-রকপা রামদাসনং কনাবো কদাঙদগী লাকপনো হৎই। অর্জুনা খুমকই ঐ অতিবাসগী লাকপনি চন্দ্রবংশদা পোকপা পাণ্ডু রাজগী মচানী ইমিংমা অর্জুন কৌই। রামদাসনু উবহন্‌গে লাকপনী। রামদাস ওয়রিবত্র? এ মাপি ঐবু উজানিংবগী মরম কবি কত্তিগীনো। অর্জুন হনুমানবু খুদমকনগা হায়রকই ঐখোয় ইহিন ইনাও মঙালি ইপাদা লৌনা খঙিবগদা লোকাত্রে। ইমাদা নাইমক থীবি ওয়দুনা ঐখোয়বু চাওনবা ইহৈ ভবনা হোৎনবিরকপবা অরাবা কয়া থেংনবিরক্লে। হৌজিক কৃষ্ণগী কৃপা গুরু কৃপানা মরম ওইদুনা অতিবাসগী যুবরাজ ইশ্রাবা অহনা কংজরে অদুবু ইপানলিংখৌনা ঐখোয়গী শরুক থাইমিত্রি ইমানা হরি প্রীতিগী মহোৎসব অমতং কৎলিংই অদুবু লায়রবগী উপায় লৈরক্রদুনা বানা থরবা হত্তবদা শ্রী গুরু ব্যাস লেংদুনা ভাকপীবগী লাকচবনি, শ্রী রামদা ভক্ত বিভিন্না কৎপা মনাগী মন্দির অমা রামনা তুংদা লাইরবা থীশিনো ঈশ্বর সেবাগীদমক নিরন্তর পীখো সেবা চৎনমদু হায়রিরদমী। মাদু লৌরুবগা কৎপা রাগনী ভাকপীবগী লাকচবনি রামদাসনা চানবিদুনা অমুক্তা উপায় তৌবিয়ু। হনুমানা রামলিলা শরুকপদা শেন্দুনা অর্জুনবু কোয়গা নংদি নপক নত্তোমু কৌরে যিম্বানা খরাপ লৈবা থাজি নমিং শপ্পনেত্রবিদু থোম্লগে। করে ঐসু হাওরগে চৎথিন্নসি হায়দুনা মান তৌরে খরাপ হেক্কুনা হনুমান, অর্জুন অনিমক রামপুজা

কৃষ্ণপূজা লোইনহনে অরাদ অনরে রামদাসনা মাং য়াহনা লাকপদা অর্জুনগী বিদ্যা শেংলিংহনা খোঙলবা তিমংগী মম অমত্তা পুশিল্লি চংপা মারোইদোরি কনদৌনিহায় ! অর্জুনা ঐ অদি থাংচগে হায়রগা মমশিদি গ্রায়ুধ্যত্তের মফমগা লগি ফাংলগা তেন থমিহ তেন্দোংলনা চংখী। বীর পুরুষ অদি লাকপনা চিঙ অমগী মাংদা থুংলকে হনুমান্না হায় কৃষ্ণদাস চিঙ অসি ল্যানবদা খুদোংথিবা কোইকনদ্রু কুমিংলবানি অরুম চঙনি কমদৌখিগে হায়। অর্জুনা ঐ অমুত্তো য়েংজগে হায়রগা ব্রজবান কাপ্পুমা থাবদা চিঙ খাঙায়দা তুমদরে। রামদাসনা অর্জুনবু থঙদাগ হায়হনা মহাক্কা চিক্রবদি ঐ অমুক য়েংলগে হায়হনা শিংকী শক্তিনা চিঙহ মুক্তনা থৈপাতুনা অমত্রে। অহ উবদা অর্জুনা অঙকপা ফংথি অসিমক লাকপনা সমুদ্র খোংবান য়োরে রামেশ্বর খুরুমে শেতুবন্ধ মপা খোংবাজা লেপ্লে। রামদাসনা হায় মহাশয়দি কমদৌনা লানজনি, শেতুবন্ধ অসি রামানুজ চমনন। লিরং থেংজিনা লঙ্কাগী ফৈরাইরোম্লে অন্য খিপকী নৈফাইরোম্লে অয়াইমপ নে যুথক তম্না তরাগী লখদি অহুমথোক্না খুদংলবনি।

অর্জুনা ঐস্ম বিদ্যা পোম্না অত্রগে হায়রগা তেন্দোংদগী হজবান শংলগা দ্রোনগুরুবু খুরুমজরগা তেঙিন্দা অত্রপোনবা খাথংপদা চক্রবাক চাউরবা ভাম্বুখাঙোং অমা ওইহনা হায়থঙলগা মাংদা লেপলরে অর্জুন ভাবগী মথক্তা তোংলে। হনুমান্না সিরিনা অর্জুনা বিদ্যাপোম্না পাইরকপা অসিমক চপ মান্না লকপা থুংগরে। অর্জুনগী তেন্দাঙ্গ ওইংখা থেতুনা থেন্দোংদা চৎখরে। ভক্ত অসিমক লাকপনা কনা কৌরুবগী অরাংথোকদা থুংলরে। খাগীশিংদা হায়হনা নিংথৌদা খারীনা হঙংনুবদা মন্ত্রি থারকুনা ভক্ত অসিবু দরবারদা। পুশিল্লকখি হনুমান উবদা বিভিষণ থেমরব অসিমক চেনশিনখিহন। দণ্ডবত কৎলরগা তেজেং কোম্রহনা রামগী নাম শোন্দুনা কর্ণবিমথি। অর্জুনস্থ বিভিষণবু খুরুমজরে অর্জুনবু কোম্লগা অসিন থাহনা ছন্দেস সেবা লাংহনা নুঙাইহমিম্লরে। হনুমান্না অর্জুন লাকপগী বারম পুম্নমক তম্লে লঙ্কেশ্বরহদ্দিগী শিলা থংবা বৈষ্ণবনা হায়রকই। কৃষ্ণদাস ঐগী ইবুংঙোনা দ্বাপুর শেষদা ভূভার লৌথোকনবা অবতার লিলা ওইখিরে হায়বা তাজরে। ঐস্ম কৃপা ওইহকপা মতমদা দরশন ফংজগে শ্রী রামচন্দ্রগী মাথং কায়দনা সনাগী মন্দিরসি পুরগা সেবা চংনরু। বারমসী হায়নহনা স্বর্ণ মন্দিরদা লাক্লরগা মন্দিরগী সনা ময়ামত্ত ফকাইরগা সনাহু শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমনা অর্জুনগী পোৎশেম্মি। শরুক অনিনা পুম্নপ রামদাসকী পোৎশেম্লে বৈষ্ণব বিদায় তৌনরগা অর্জুন হংসশোরগী শুম্না সনা হাপকৎলগা মথক্তা তোংলে। হনুমন্তনা সিরিনা পার্থনা বিদ্যাপোম্না অতিয়াদা পাইহনা লাকখিরবনি। সমুদ্র, গিরিগুহা, বন, উপবন, নদানদি,

দেশান্তর লানথোক্লুনা অতিয়াগী লম্বিদা লাকপনা ঋষমুখ কদলিবন্দা থুংঙরে। হনুমান্না হায় ঐ লৈহৌরগে সনাসী অমুক হন্নক্লুনা লোরো হায়না বিদায় তৌরকই। ধনঞ্জয় অতিয়াদা হংসবান্না পাইদুনা লাকপনা মুমিত্তুগী মুমিদাংগী যুথক মতমদা থংঙহনা সুমাংদা থারে। হংসবান তেম্দোংদা চংখরে অর্জ্জুন্না তৌরকইবা শক্তি অসি মী অমা কাওবনা উবা খংবা লৈখিদে। অর্জুন যুম্মুং চংঙক্লুনা মমা মন্নাম্বা খুরুম্নগা সনা পুররে হায়জখি। মন্নাম থোরক্লুনা সনা য়েংনরে পুশিল্লে। মুমিদাংগী প্রসাদ কংবা লোইদুনা তুম্নরে। নোংঙাল্লে হৌগৎনদুনা প্রাতক্রিয়া স্নান লোইনরগা খন্নবদা ভীমনা হায়রকই অর্জ্জুন সনাসি লৈহৌ-দ্রবা! অর্জ্জুন্না দাদায়াইমা ঐনা পুরকইবা পোং অসিগুম্বা শরুক অনি রামদাসনা পুবিরকই। কদলী বন্দা লৈহৌরি অমুক লোরুবা য়াগনি। অহুদি ইন্নাম্বা লৌরুরগে দাদা ইবুংঙোগা খন্নরগা দ্বারিকারোমগী বাত্তন চংনবা থোরাং তৌরো হায়রগা ভীমসেন মমা মন্নাম্বা খুরুম-দুনা যাত্রা তৌখরে।

সৌতিনা হায়রি তাবিয়ু ব্রহ্মসভা যুধিষ্ঠীরনা নোকুলবু দ্বারিকাদা বাত্তন থারে ঙসিদগী তরানিশুবা মধুমাসগী কৃষ্ণদ্বাদশিদা মহোৎসব কৎলসি। গোবিন্দজি য়োবগা লেংবিরক্লুনা শিন-বিরনবা হায়জরকই হায়না হঙ্গৎলু বলরাম, অহল্লমন য়াওবীরনবা বাত্তন কৎলম্মু। নোকুল ময়াম্বগী য়াথং বাত্তন পুদুনা শংগোল তোংলগা দ্বারিকা য়োরক্লুনা, রামকৃষ্ণ, অহললমন লোইনা বাত্তন কৎলগা ধর্ম্ম অবতার ময়াম্বুংগী রাযম শ্রীকৃষ্ণদা হঙ্গৎচরে। গোবিন্দনা রামদা ডাউজিনা ময়ম লোয়নংগা লাকপীরো ঐদি হান্না য়োজরম্মগে রামনা ফরে ইনাওদী ইনেমতোন্না পেন্নবা তোংনরুরো। বাসুদেব খুদক অহুমক্লুদা গরুধজ রথদা নোকুল শগোলগা হাপকৎলুনা তোংলে দ্বারিকাদগী অতিয়াদা পাইদুনা থোরকপনা হষ্টীনা য়োরক্লে। গোবিন্দবু ফংজবদা কুন্তী মমামচা মুংঙাইজরে, কদলীবন্দা সনা লৌবা চৎখিবা ভীমসু ঋষমুখ য়োরক্লুনা রামদাসকী জগাদা চঙঙক্লে। য়োরকপগা হোঃ রামদাস বানর লৈত্রা হায়না কৌরকই ভীমগী খোনফম তাবদা রামদাস থোরক্লুনা লেপ্লরে। ভীমনা ওয়বিরত্রা হনুমান্না মানি মহাশয় নং কনানো ভীমনা ঐ অর্জ্জুনগী মন্নাম্বনি, সনা লৌজগে লাকপনী হায়রগা খুরুম্মী। মারুতি সনা পুথোরক্লুনা ভীমগী মাংদা থম্মগা পুত্রো য়ারনী হায় ভীম সনা খাওজাওহু থোঙ্গৎকে হোৎনবদা ঙমদ্রে। ভীমগী মতৌ য়েংলগা হায় ভীম হনুবায়াক্লা লঙ্কাদগী পোরকপা পোৎপু পাখং নংনা ঙমদ্রবদি লোয়না হুন্দোক্লম্মগা অঙম্বা খরদং পুরগা চংলোদনা ভীমনা হায়রি হুন্দোক্লম্নবসু ঈমানা ভৌনিংবা দান নিংবা থংলরোই। অহনগী পাঙ্গন্নু

খরদং খাইবিয়ু ঐ চান্নবা লৌজরোই সনাসী য়ুমদা থম্মরগা ঐ অমুক থিজ্জরগে। ভীমগী রাহায় তাবা মতৌহু উবদা নুংশিরহুনা হায়রকই; ঙাইখো ভীমসেন ঐবু পোকপা ইপা নুংশিৎ নিংথৌনা নংবু পোকপনি নংদি ঐগী ইনাওনী। নঙ্গি নপাঙ্গল য়েংগে তৌবনী রারুন্নু ঐনা ঙমহনগনী রাসী তাবদা ভীম ঙক্তা ফি য়েংলগা বৈষ্ণবকি খোং পাইহুনা. দণ্ডবতনা খুরুমজরগা হায়জৈ ঐনা খজেরদবগী দোয ঙাকপীহুনা ননাওবু থৌজান পীবিয়ু রামদাসনা ভীমবু কোল্লগা হায় ইনাওদী ঐবু নিংঙগা উননিংবহু কৌ ঐগী সিদ্ধিনা পুবিহুনা খুদক্তা তাহনগনী, অদুগা লানফমদা নপাঙ্গল মরোং তাদবা ওইজৌ। ইয়াম্বা থোঙ্গৎপীগে য়ুম য়ৌবফাও রাদনা পুবা ঙমজরো; ভীমভক্তগী ধুলি লৌহুনা কোকথক্তা হাপচরে রাম-দাসনা থোঙ্গৎলে কৃষ্ণগী নাম শোন্দুনা মুংশিংবী মাং থাহুনা চেল্লকপনা হচিনা ময়ুমদা থুংঙরে। গোবিন্দনা দাদায়াইমা হায়না কৌরকই ভীম পোল্লু শুমাংদা থারগা মাঙ্গোলদা ঙাল্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী চরন কোন্দুনা খুরুমজৈ। মমা, ময়াম্বা, খুরুম্বী মনাওশিংনস্তু ময়াম্ববু খুরুম্বী পোল্লু মনাও অনিনা থাংজিলবা ঙমদহুনা, অর্জুন য়াওনা অঙম চাড়না পুশিনখী। সনা ময়ামহু উবদা কুন্তী দান তৌনিংবা নিবা থুংঙনা শনবদা নুংঙাংজরে। ভীমগী পাঙ্গলবু ময়াম্বা থাগৎনবদা ভীম মবুক্তা নাপল পোকখী অহুনু শ্রীকৃষ্ণনা। উরহুনা নাপন য়ৈথেক্কে হায়বগী ভীমদা হায়রকখী! দাদায়াইমা হন্দখী উমব ভসি উৎকল দেশদা লৈবা মার্কণ্ড মুনি বাহন তৌ ব্রাহ্মণ খৈথিওগী অথেইবনি দান তৌবদ ঈশ্বরনা পেন-বীগনি। অদুগা অম্মভ লর্তার বৌবা হৈহু গন্ধমাদন্দ হেই মাচু হেকলুরগা কে থোড়বা মথেল অমহুংগা য়াওনী। অহ ওইরবদা শরক ওমা বৎপদা শরুক ভরাগী ফল ফঙ্গনী। হায়রিবসি শোয়দনা ঙমগদবদী দাদায়াইমনি অতৈনদি নাবা ঙমলরোই গোবিন্দগী য়াথং তাবদা ভীমনা ইনাওশা নখোয়না সোমদা হেৎনহৌরো ইয়াম্বা অরাপ্পগী দায় ওয়রগে। মতাং অসিদা পাণ্ডু উসববী সনা রূপা পোৎ চৈ লাংবা লোয়হুনা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব শাগৈ ঙাই বার্তন চৎখ্রে মতাং অসিবু পুক্লিং চংনা তাজবদা গৃহিদা লৈবা মীগী নন-থুম চাৎখংলি মসি ব্যাসবাকানি ইতি॥ হরি হরি হরি॥

২শুবা খন্দগী

২শুবা অধ্যায় ঃ—

মার্কণ্ডগী ৱারী পাণ্ডু উসব কংপগী মরম দান কয়া তৌবগী ৱারী মতাং।

নৈমিষারণ্যগী যজ্ঞশালাদা ৱারী লিরীবা সৌতিনা হায়রৈ তাবিয়ু ব্রহ্মসভা থক্তা ভারত শ্রবন তৌখিবা জন্মেজয় নিংথৌনা ৱারী লিরীবা বৈশম্পায়ন মুনিগী মফমদা হংজখি, মুনি মার্কণ্ড ব্রাহ্মণগী পুন্সিগী ৱারী অমুক্তা লিবিখো। বৈশম্পায়ন মুনিনা-কায় মহারাজ নঙনা তঙঙরুবনিনা মাহ্ হান্না লিখিগে পুক্লিং চংনা তায়ো। উৎকল দেশতা লৈবা মৃকণ্ডু কৌবা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মনীনা মধুমতী কৌই বৈষ্ণব বৈষ্ণবীগী লৈফম্নি মচা ধারা অমা ফংঙে। মচাগী মমিংনা মার্কণ্ড কৌরে। মচানা চহি মঙা চংলকপদা বিদ্যা আরম্ভ তৌবগা ভার্গব মুনিদা লাইরিক তমহন্দুনা চৌশষ্ঠী শাস্ত্র চহি নিপাল শুবদা লোয়না লৈখে। মার্কণ্ড মপানা জ্যোতিষ শাস্ত্র ওন্সি মথুধি ফমলবদুদা মচাগী কোষ্ঠীদু য়েংলুনা য়েংবদা পুন্সিদি চহি তরানিথোইদমক লৈরে। মচাগী পুন্সিগী ফল ফংঙবদা নোংমদি মকণ্ডুনা মচাদা হায়রকই মার্কণ্ড ইপানা নঙ্গি কোষ্ঠী য়েংবদা পুনসিবু বিধাতানা চহি তরা-নিথোইদমক তম্মগে। পিতাগী ৱা তাবদা মশামক্তা কোন্নুনা য়েংবদসু থাঙে মার্কণ্ডনা হায়রৈ গুরুদেবনা নচাবু সংস্কার তৌবিরগা যোগসাধন তাকপীরো। ভবনদা লানথোক্লুবা ননাইদি যোগ তৌজগ্রগে মচাগী ৱা তাবদা চহি মাপল শুবদা সংস্কার তৌরগা ব্রহ্মগায়ত্রি যোগ-সাধন তাকপীরে। মার্কণ্ড গুরু কৃপা ফংলে মমা মপাবু খুরুমজনা পদধুলি কোক্তা হাপ-চরে পাদদক থকচরগা বিদায় নিজহনা বন্দা চাদ থক্তনা ধ্যান তৌদুনা লৈখি। ব্রহ্ম-গায়ত্রি জোপ তৌবদা সিদ্ধ ওইহনা ব্রহ্মানন্দ ওইদুনা অরাম-খৌরাং, অইং-অশা লৈতনা চহি অহুম লেপ্লে। মাগী পুন্সি চহি তরানিথোই সুবা পুংলুপ্তা যমনা মাগী আত্মা লৌরু হায়দুনা দূত থারকই। দূত ব্রহ্মতেজনা মৈগুম শাহনা শোকপা উমদহনা হল্লক্লগা যমদা তম্মুরে, যম মশামক লাক্লুনা হোংনবদা উমদদুনা শিবগী পুংলুপ হেন্নোকখ্রে। ধর্ম্মরাজ ব্রাহ্মন মচাগী গুন্দ্ উবদা পেল্লদুনা হায়রকই মার্কণ্ড নঙ্গি পুন্সি লোইবগী পুংলুপ হেন্দোক-খ্রে। নঙ্গি যোগনা কনবদগী মৃত্যুবু জয় তৌবসিদা পেল্লে, ঙসিদগী চহি লিশিং তরা

পুনসিজরো ঐনা পীরবনি সংসারদা নুংঙাইনা লৈরুরো হায়রম্মগা যম হনখরে। মার্কণ্ড সংসারগী আশা লৈত্রে ব্রহ্মাদা আত্মা কৎতুনা ধ্যান্দা লেংদনা ফমত্রে মফমতু লৈশোনা লৈবুং অমা থোনগৎত্রে। লৈবুং মথক্তা কাকবিষ্ঠ দগী বট পাম্বী অমা হৌত্রে যমনা পিরম্না চহি লিশিং তরা পুনসি চুপ্পা নাম শেন্দুনা লৈবুং মনুংদা অতুম লৈরে। মসিবু ব্রহ্মানা উরহনা মচা বিশ্বকর্ম্ম লোম্বনহনা লাক্লগা লৈবুংতু হন্দোকহন্দুনা মার্কণ্ডবু লৌথোক্লগা ব্রহ্মানা হায়রকই। হে: মার্কণ্ড যমরাজনা পিরম্না নঙ্গি পুনসিতু লোইরে ঐনা অমুক নঙ্গি পুনসি চহি লিশিং হুমফু পীরগে। অতুগা নঙ্গি ব্রহ্ম সাধক, ব্রহ্মানন্দ ফংডবিবসিদগী সত চিত আনন্দগী ধাম গোলুক বৃন্দাবন্দা ঙাল্লিবা! রাধা কৃষ্ণগী চরন ফংলগা সংসারগী অরা নুংঙাই পোক্ল শির মায়াগী ঈপাক লানথোক্লবা রাগা ভক্তি প্রেমদা চংঙো। ভক্তি প্রেমগী সাধন্দী মীওইবগী মপোক অহুমলক রানা তাঞ্জরক্লবা ভক্তশিংতুনা মাপাক অহুমগী রাংমদা কৃষ্ণগী চরন ফঙ্গদবনী। নংদি বিধাতানা তম্বা পুনসি অমা যমনা পীরম্না পুনসি অমা হৌত্রে! ঐনা পীরিবা পুনসি অসিমগা চুপনা নিংজরবনী? নংদি লেপনা কৃষ্ণ ফঙ্গনী।

---

*ব্যাখ্যা। মার্কণ্ডগী মথক্তী মপোক অমদা দাখনগী কৌণ্ডিল দেশদা ক্ষেত্রি মচা ওইনা পোক্লম্মী। মানা নোংমা মৃগয়া লাকপদা বন আশ্রম অমদা শক্তি থিংবপদগী গঙ্গাগী খোংবান য়েরকপদা। ব্রাহ্মনী কন্যা চহি ১২ মপুং ফারবী ১৩ চংলকপী মশক মতৌ ফজবী সতী ধর্ম্ম কায়দবী তপসী কন্যাতু ঈশিং শোক্লে লাকপদা বলকারনা মাগী ধর্ম্ম থুগাই-বিরে। কন্যাতু মথরাই নুংঙাইখিদবদগী খুদকতুদা গঙ্গাদা চোংথতুনা প্রান থাত্রে অতু উবদা নিংথৌমচা বৃষধ্বজতু, কনা খঙহল্লমদনা মখুমদা হনখি। মাস্থ নুংঙাইতবা রাখন্দী থম্মোয়দা লৈখিবনা নুপীমচাতুমা মহাকথক্তা মাংখিবতুগী দোষ কোক্লবা কন্যাতুগীস্থ মুক্ত ওইনবগীদমক ঈশ্বরদা কয়া নিংজখী। দান ধর্ম্ম কয়া তৌখী মান ধর্ম্ম কয়া তাঞ্জরকপদগী ব্রাহ্মনগী মপোক ফংঙবনী। অহুম ওইনমক নুপীমচা অমগী পুন্সি মাংহনখিবতুগী দোষদী কোকপা য়াদহনা মাগী পুন্সি চহি ১২ দা বিধাতানা তম্মুকপনী। সংসারদী মানা ২ তৌজবা থবক্তী মহৈতু ঈশ্বরনা পীবিবনী অতুনা শিবদি মানা ২ তৌঙবা কর্ম্ম ফল মশা মশানা ফংজবনী। মার্কণ্ডনা গুরু কৃপা তান্দুনা ইশ্বর নিংজবা কনবদগী যমগী থৌজান ফণ্ডনা ব্রহ্মানন্দ ওই-ৱবদা মান ধ্যাম্না য়েংবদা মপোক কয়া উবদগী সংসারগী মায়াগী ঈপাক লানথোক্লবা লাইনিং কনখিবনা ভগবানগী সিদ্ধভক্ত ওইখিবনী॥ ইতি॥ মার্কণ্ড পুরাণগী মতনা অমুক্তা হায়বী॥

ব্রহ্মাগী থৌজাল ফংঙবদা মার্কণ্ড খুরুমজদুনা কৃষ্ণমন্ত্র দিক্ষা পিনবিয়ু হায়রহনা নিজংল্লে। ব্রহ্মানা য়ুংশিবিরদুনা হায়রকই মার্কণ্ড ঐ পিরগে গঙ্গাদা স্নান তৌরগা ব্রাহ্মণ অমত্তগী পাদদক থক্লবউ অদুগা কৃষ্ণমন্ত্র দিক্ষা ফংবা য়াগনী। মার্কণ্ড নুঙঙাইজরদুনা স্নান তৌগদবগী গঙ্গা তাদা চেল্লকই, ব্রহ্মা পুকচেল য়েংগদবগী মার্কণ্ডনা য়ৌরকপা মফম (পুষ্কর, গুহা, তুরেন, পাৎ) মায়্রানা ঈশিং কংহন্দুনা ফংহল্লে। খুনগং তান্না চেল্লকুনা থিরকপদা হরিজনগী খুনগং য়ৌরকপদা ওক মম্মাম লৈঙনবা কোম অমা লৈরম্মী। লৈথোঙ থোক থোক তারবদুবু গঙ্গাগী জল য়াওরিদনা খন্দুনা হঙ্গোইদনা লুপপুরে স্নান লোইরে। ব্রাহ্মণগী পাদদক থকচরগা কৃষ্ণমন্ত্র দিক্ষা কঙ্গনা খন্দুনা ব্রাহ্মণ থিরকপদা ব্রহ্মানা ব্রাহ্মণ অমত্তা থেংনহল্লে। অমুক হল্লকপদা হরিজনগী খুনগংদু অমুক য়ৌরকই। থোঙ্গাল অমদা অঙাং অমা কপ্পগী খোঞ্জেল তারে, কপ্পীবদু লেপ্পুনা য়েঙলী। নুপী অমনা মাঙ্গলদা অঙাং নৌরিবা অমা আমৃত পিথকই, খর চাওরবা অঙাং অমস্তু মমাগী আমৃত থক্লিংদুনা থক্কদবগী হেংগনৈ মমানা ইল্লোবই অমুকস্তু চেনসিন্দুনা থক্কদবগী হোংনৈ, মমানা অমুক ইল্লোকপদা পুনত্রে তুদুনা থরো থরো ওল্লগা কপ্পী অদু ফাওবা পীথক্কে। তম্পাক্তগী অঙাং মচাদু মবুক থল্লগা শুস্বীরে, অদুগা মাগী বক্কদু শেংনা চামথোক্লগা মাঙ্গোলদা ওন্দুনা কপ্পীবা অঙাংদু কোনখংলগা পিথকই। নুপীহনা তৌরিবা মতৌদু থোঙ্গালদা য়েঙলিবা মার্কণ্ডদু

---

*ব্যাখ্যা। ঈশিং হায়বসি চপ মান্নে লুরগা লোইরে গঙ্গা তুরেনগী ঈশিংস্তু অঙ্গানী হায়বা সাধারনগী রাখলনী। অদুবু অন্বয় বৈতিরেক রাখল্লবনা গঙ্গা তুরেনবু তাম্নরিবদী তুরেন অচৌবা পিশক সমুদ্র ফাওবগী মনুংদগী গঙ্গা তুরেন্না গুন হেল্লিবদী তীর্থ পুম্নমক্কা হৌরকফম পোকফমগা গঙ্গাগা খেন্নে, অতৈনা লোকতাই চিঙ-মান্দগী হৌরকপনি। খরনা মচা, খরনা মশু, খরনা য়াথং বরদগী ওইখিবা। কুণ্ড, গুহা, পুষ্কর, থাঙ্গপাৎ, তুরেন অচৌবা অপিশক পুম্নমক অসিনী। অদুগা গঙ্গা তুরেন্না হৌরকপা পোকফমদী, সত্যগী প্রথমদা ব্রহ্মাগী মচা নারদনা পিতা ব্রহ্মাদা কৃষ্ণমন্ত্র দিক্ষা ফংঙবা নারদনা ভক্তিগী সাধ্য সাধন তাকপীয়ু সিদ্ধি তাঞ্জগে হায়রবদা। ব্রহ্মানা অদুদী মহাদেবদা তস্মু কৃষ্ণভক্তি তত্ত খঙবা ভক্ত খৈবিক্কী অথোইবদি মহাদেবনি তাকপীরবদা নারদ কৈলাশদা লাক্কুনা মহাদেবদা গুরু ওইদুনা খঞ্জরে। মহাদেবনা নুংশিরদুনা তাকপী তস্বীরে, ভক্তিগী সাধ্য সাধন বৈধি ভক্তি, রাগ ভক্তি, প্রেম ভক্তি, মুক্তি, সিদ্ধি তত্ত পুম্নমক খঙজরবদা। পুম্নমক্কী মুলদী কৃষ্ণগী নামনা ওইরি হায়বসী খঙদুনা ঐদী সংসারগী মায়াগী অন্না-নুঙাই য়াওরবোই চিন্তামনী নিঙবা খৈবিক থুংহনবা ঙম্বা য়াইগুম্বা কৃষ্ণগী নাম শোন্দুনা পুল্পি লেল্লগে। ঐগীনা

মরম খঙনিঙঙতুনা চঙঙক্লগা শুমাংদা লেপ্তুনা মরমদু মুম্না হঙঙকই। মার্কণ্ডগী গুনদু উবদা নুপীতুনা আসন থারতুনা খুরুমজরগা হায়জরকই। গুরুদেব লাইবক থীবী ঐ অসী ব্রাহ্মণী নিঙোম্নী লাইবক থিবদগী ব্রাহ্মণ ইপুরোইবা ইচানিপা অসি পোকপা চহি ঙাররকপদা নোঙ্গাক্লে। ইপুরোইবা শিংবদা ঐগী কনা লৈজদবতুদা হারি নিপানা ঐবু নমতুনা লৌবীরে। হারি নিপাগী ওইসনা, ইচা অঙাং অসি পোক্লে মরম অহুনা অঙাং অসিনা চূপতুনা থক্লবা অমৃতসী ব্রহ্মধারা ইচাসী চুপহননিংদতুনা ঐনা ইস্থোক্লুনা পীথক্লবনী। কোম্না ঈশিংনা শেংনা চামথোক্লগা পিথকপসীদী মমাগী অমৃতনী চহি মঙা রাংমা লাপ্লি-ফাওবদী দোষ লৈতে হায়বগী পিথকপনী। রাক্ষম অসি তাবদা মার্কণ্ডনা হায়রকই, ইবেম্মা ব্রাহ্মণ মচা ওইরবদী পাত্র অমদা ঈশিং অশেংবা খজিক্লা পীয়ু পাদদক লৌগে ঐ মার্কণ্ড কৌবা ব্রাহ্মণতুনী ব্রাহ্মণ অমতঙ্গী পাদদক লৌগে থিরকপদা থেংনরক্লে নচাদগী লৌরগে। রাদু তাবদা কপতুনা খুরুমজে ঐ জাং তারবীনী ঐনা শোকপা ঈশিংবু গুরুদেবনা লৌবীবা য়াগদ্রা। ইবেম্মা জল দোষ লৈতে নচাগা জলগা লৈপাক্লা থম্মু ঐ লৌগে দোষ লৈতে। হায়রিবা অতুম্মক নুপীতুনা লাংতুনা থমজরে, মার্কণ্ড অঙাঙ্গী খোংবীতুনা ঈশিংতুদা লুপ্লগা কোক্লা খর হাপচরে খুত্তা খর হৈরগা হকচাং সং সং নান্থোক্লে। পাদদক থক্লে অঙাঙ্গী খোংবু লাইবক্লা কত্তুনা ব্রাহ্মণগী থৌজান ফঙেঙ নিংজতুনা লাকপনা য়োরক্লগা ব্রহ্মাগী পাদদা খুরুমজরে। মার্কণ্ডগী থম্মোয়দু উবদা পেল্লতুনা ব্রহ্মানা মার্কণ্ডবু কমণ্ডলুগী জলনা সংস্কার তৌবিরগা উটরি পিবীরে। মথংদা ব্রহ্মানা মার্কণ্ডদা

লোম্না শোনবনা জগৎকী জিব খুদিঙ্গী কান্নবা ফোংনস্তু শোল্লগা জিবগী উপায়স্তু তৌরগে থন্দুনা। মহাদেবগুরুদা রাগ, রাগীনী কোম্নবা ছন্দ, মাত্র, তান, রষ, দির্ঘ, পুস্ত, সপ্তস্বর, তিনগ্রাম লোইনা তন্ত্রী হৈংতুনা স্বর্গ মর্ত্ত পাতাল মরোল অহুম কোইতুনা কৃষ্ণগী নাস্ম, রাগ রাগীনী পান্না। ঈশৈ ওইনা শক্লুনা লাকপনা কৈলাশগী রামাদা লৈবা রাগদেশ য়োৎরকই। নারদনা শক্লকইবদু তাবদা নুপী নিপা ময়াম চেস্থোক্লক্লুনা য়াম্না শাওনা চৈরকই। নারদ ঈশৈ লেপতুনা ঙাইতুনা লৈ শংনা চৈরগা লাকইবা ময়ামদু য়েংলগা নারদনা হায় ঐ নারদনী কৃষ্ণনাম শক্লুনা লাকপবু নথোয়না ফৈরিবা করিগীনো হঙঙী। রাগ, রাগীনী ময়াম নারদনী হায়বহুদা কিতুনা খুরুমজরগা হায়জৈ ঋষিনা রাগ রাগীনী পান্দুনা লাম্না শক্লকপতুদা শাওতুনা চৈজরুরে দোষ ঙাকপীয়ু। নারদনা য়েংবদা মশক্তি ফজৈ নাম শোইবা ঙাক্ত ওইনা তৌই নখোই করম্না জাতিনো নশক্তি য়াম্না ফজরগা

মথং লামাই ১২ (ক) দা........

শ্রীকৃষ্ণমন্ত্রবু সাধনাগা লোয়ননা দিক্ষা পীরে। মার্কণ্ড ব্রহ্মা খুরুমজহুনা পাদদক লোৎজরগা লৈহোরে। ব্রহ্মা বিশ্বকর্ম্মা ব্রহ্মলোক চৌখ্রে। মার্কণ্ড বটবৃক্ষ মখোংদা চহি লিশিং হুন্দ্রু চুপনা বৃষবু আরাধন তৌদুনা চাদ থক্তনা লৈজখি। মনাই ভক্তগী ভক্তিদা থাংবা ঙমদ্রহুনা শ্রীহরি লেঙবিরক্লে, শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম থোনবা ব্রহ্ম সনাতন নারায়নগী চতুর্ভুজ মূর্ত্তিনা ঙানবীরগা! ঐ কারক্লে নমিৎ পাংলো তাকপীরকই। মার্কণ্ড শ্রীরূপ দরশন ফংবদা লৈশি লৈথোঙ্গহুনা খুরুমজৈ। শ্রীহরিনা মনাই কোনবী নংনা পাম্বা বর নিয়ু তাকপী। মার্কণ্ডনা নিজরকই লিলাগী মপু ওইরিবা রূপপু ফংজরে, ভক্তি প্রেমগী মবুংঙো ওইবীবা কৃষ্ণরূপপু পীনবিয়ু। মনাইগী প্রেমগী মখাপোনবীবা ইবুংঙোনা ধোরা চূরা লৈতেংবা বাঁশি থোনবা ত্রিভঙ্গ মূর্ত্তিনা ঙানবীরে। শুদ্ধ গঙ্গাজলনা চরণ শেংলগা চরনামৃত লৌজরে।

বৈশমপায়ন্না হায় জনমেজয় নিংথৌ মনাইবু কোনবীরগা শ্রীকৃষ্ণনা নংনা অপাম্বহু হাইয়ু তাকপী। মার্কণ্ডনা হায়জৈ প্রভু যোগী ঋষি কয়ানা নিংবদা ফংদ্রবা শ্রীরূপপু দরশন ফংজরে। ননাইগী মপোক মহৈ য়াঙ্গরে। ননাইগী ননাই ওইজবা নত্তনা অপাম্বা বর নিজররোই। লোভী থাজরবা ননাইনী। মনাইগী ভক্তিদা পেল্লহুনা তাকপীরকই ঙসি নংনা ঐগী পাদ শেংজবগী চেন্থখিবা জল অসিনা মার্কণ্ড সরোবর কৌহুনা লৈগ্রসনু। নংনা ঐবু নিংজবা মফমদা হৌখ্রিবা বট পাম্বী অসিনা সিদ্ধবট হায়না ব্রহ্মকল্প কয়াদম্ব মাংদবা ওইসনু। নহাকস্ত ব্রহ্মাগী কল্প অমদা, হকচাঙ্গী তুবুম অমত্তমক কেনবা ওইসনু শিরনু; সরোবর অসিবু স্নান তৌজবা সিদ্ধবট অসিবু দরশন তৌজবা মী মহাক অত্থু অন্তগী কান্দা ঐগী ধাম ফংসনু। ব্রহ্মাগী প্রলয় খুদিংদম্ব য়াওদনা নঙ্গি মফমশিং অসি মাংদনা লৈবা ওইসনু। অস্তম্না থোজাল পীরম্মগা শ্রীহরি লেংখরে। মার্কণ্ড অসি ব্রহ্মাগী প্রলয় তরেৎলক শুররুবা শ্রীহরিগী সিদ্ধ ভক্তনি। মাহারাজা মরম অসিনা হন্দক্কী মহোৎসবতা শ্রীকৃষ্ণনা মার্কণ্ডবু বাত্তন তৌ হায়না তাকপীরকপনী।

ভারত তারিবা জনমেজয় নিংথৌনা হায়জরকই মহামুনি নুংঙাইজরে মথা লিবিরো। বৈশমপায়ন মুনিনা হায় মথা লিরগে তারো মহারাজ! নবুধৌ য়াইমা ভীমহু গন্ধমাদন তাম্না চেনখি। চীংখোং য়োৎরকপদা শুরংগী নঙ্গ অমা লৈবহুগী ময়াদা কমলগী মায়ানা থৈবোং পাম্বী অমা হৌহল্লগা মুল্লবা মনমনা ফুং ফুং নমহন্দুনা শুরুংলোমদা য়ানথদুনা পালহল্লি। ভীমসেন হৈহু উবদা রাখল তৌরকই অমৃত লহরি হায়বদি করি হৈরেনা

কায়বস্ হংলক্কে। ঐখোয়রোমদা পানবা থৈবেংগস্ মান্নদে মনম য়াম্লস্ লুপি অমৃতকী মত্তৌ মাল্লি থৈবোং অসি কেকখ্রগে খন্দুনা কাখৎলগা হৈহ্ লাম্মুরে। ভীম উপা তেক-থহনা শুরুং মনুংদা লৈথক্তুনা ত্তাখরে। মখাদা কিরাট গন্ধর্বশিংগী চাউরবা ইস্কোল কোইশম অমা লৈরম্মী। ব্রাং চাউথ্রবা কিরাট গন্ধর্ব তরাথক হরাইমঙ্গল মমিং মুবা অচৌবাহ্ লিংহনা লৈরম্মী। ভীমহু কাখৎযম খঙ্ডদহনা কোইচৎ চত্তুনা য়েংলিন্দে কিরাটশিংত্তুনা কদাইদগীনো অচৌবা অঙাং অমা থোরক্লে। মসি ফাংগা পুখ্রসি ঐখোয়গী লিংথোদা কংলুপসি হায়তুনা নমতুনা ফাখরে। লিংথোবগী অরেম্বা মঙ্গল মরু খর য়ওরিবা খাওজাও-তুদা নমতুনা কাপচিল্লগা খাও মচিন্দ্ পায়শিন্দনা নিপা অমনা লেংবান্দা লায়না হাইগদুনা মখোয় তরাহু শুরুংদগী হাইগৎলক্লগা চিঙথক্তা নিংথোগী সভাদা পুশিল্লক্লে। অঙাং মচা অমা ফারকই হায়বতুদা য়েংনিংতুনা কিরাট ময়াম চংহনা সভাদা পুররে। পোরকইবশিং অতুনা নিংথৌদা কংলি য়েংসি লৌথোকউ হায়রকই ভীমবু খাওমনুংদগী লৌথোক্তুনা ময়ায়দা থম্মি। ভীম খাও মনুংদগী হরাই মঙ্গলহু ফিগাওদা লোইনা হাপচিল্লক্তুনা য়ানুংদা খুবাম খুবাম চুক্তিল্লগা ক্রৌ ক্রৌ শায়তুনা চারগা ফম্মী। মত্তৌহু উবদা মীয়ামহু অঙাং মচাসি মবুক লাম্মুরে হরাই মঙ্গল অহিংবা চারে হায়তুনা খুবাক খুতুনা নোকই। ভীম শাওতুনা অর্জ্জুনগী ময়াম্বা ঐবু অঙাং মচা হায়তুনা নোক্লবদী য়ৈয়ুরা হায়তুনা লাউরকই। ভীমগী খোল্লাউদা অর্জ্জুন হায়বা মীংদু তাবদা কিরাট নিংথৌহু মহাশয়বু কদায়দগী লাকপানো, মিং করি কৌবগে করম্বা বংশদা পোকপানো হায়বীগু। ভীমনা হায় ঐ চন্দ্রবংশদা পোকপনী পাণ্ডু রাজাগী মচানী যুধিষ্ঠীর, ভীম, অর্জ্জুন, নোকুল, সহদেব ইচিন ইনাও মঙানী। অর্জ্জুনগী ময়াম্বা য়াইমা ভীমসেন হায়বহ্ ঐনী, ঐখোয়না উমব অমা কংকদৌরি। অমৃত লপ্তরি কৌবা হৈহু নখোইগী পামদা থাই হায়তুনা ইনাউ শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুন অনিনা কায় মহু মথেল অমং য়াউনীংতুনা লোগে লাকপনী। ভীমগী ব্রা তাবদা কিরক্তুনা কিরাট রাজা ভীমবু খুরুমহনা হায়জৈ, মহাশয় রাব্রৌবিক্ষু ঐগী ইস্কোল কোইহনবা নহারোলশিংনা শক খংজদতুনা খাওদা হাল্লুবগী দোষ ঙাকপায়ু হৈহু ঐ কচ্চংগে। অদুগা ননাও অর্জ্জুন্না উতস্ত্রীজয় লাকপদা ঐখোয়গী পস্থোংদা য়োংকী যুম্বী য়ুংলগা লম কেল্লি হায়তুনা না লাওনা লাওনা চুত্তোক্লম্মী। ভীমনা ঐ শাওদে ঐনা চেল্লকপদা শুরুংদা তারুই মখোইনা ঐবু খাওদা হাপ্পী। ঐ লম্বি খঙদবতুদা মখোয়বু পুখৎহল্লগে য়াবনী। অদু নত্রবদি ঐনা য়ৈবদা মখোয় মরু তেক্কদবনী। কিরাট রাজানা হায়, অদুগা মৈগী তেন অমানে নাল্লুং তেন অমনে

লামাই ৯ (ক)গী মথা (বা,খা)

খোংতেক মিৎতাং নাম শোইবা ঙাক্তা ওইরিবসিনা করিগীনো ? মুনি রাগ রাগীনি হায়বতু ঐখোয়নি ! ঈশৈ শকপা কাংবুন ঐখোইবু পান্দূনা শকই মখোয়না কাইন শকপদগী ঐখোয়না অরা অনা তারিবনী মখোয়না শিরগা মশাদা তেনশিন হুক্তিন্দুনা মখোয়না পুগনী । খোংতেক মিৎতাং নাম শোইবা ওইনা পোকউরগনী । মহম অসিনা মুনি রাগ রাগীনী পান্নুরবদী কাইদনা শকপা কৈ রারোৌবিগনু মুনি । রাকমতু তাবদা নারদ ঋষি ঐ হৈরে শকউরিবসিদী চুম্না শকপা ঙমদ্রি কৃপানক্তনদি তম্মে হৈরে হায়বনাদি য়াররোই রূপা তান্নুরগে খল্লগা হায়রকই নখোইনা তাকপীবদগী ঐগী ইরান থংবা নুঙঙাইরে ঐ নখোইগী উপাই তৌরগে নখোই অঙ্গভঙ্গ ওইরিবসী করি তৌরগা যংদাগে হায়য়ু । ঐনা কনবা হোৎনগে । ঋষিগী রা তাবদা রাগ রাগীনীনা হায়জৈ মুনিনা চানবিরবদী রাগ রাগীনী শুনা চুম্না অমুক্তা শকপীরকউ । অতু ওইরবদী ঐখোইগী দযা কোকনি, রাবম অসি তাবদা নারদনা যরে নখোই লৈহৌরো । মতম থরগী মনুংদা শোয়দনা নখোইগী অরাবতু কোকহল্লকনী হায়দুনা রাগ দেশদগী শ্বেতদ্বীপ ক্ষিরদা সমুদ্র খোংবান্দা য়োথিহনা চহি ১২ চাদ থগুনা বেদমাতা আরাধন তৌই, নারদগী ভক্তিদা পেল্লদুনা সরস্বতি লেঙঙরক্রে অপাম্না নিযু তাকপী নারদনা রাগ রাগীনী শুনদি তমজরে চুম্না শকপা ঙমজগে ইমা খৌজাল পিবীয়ু । বেদমাতানা ঙংজো বর পীবীরে, অদুগা ইবেম্মগী শক্তিদগী শেমদুনা বিনা যন্ত্র অমসু পিরে । মাসিমগী স্বরগা তান মাত্র চান শোনবদা লাই মী পুক্লিং শুঙ্কাংপা ওইসনু হায়রগা লেঙখী : নারদ মহাদেবদা হায়জদুনা গোলুক বৈকুণ্ঠদা রাগ যাংনবদা শ্রীহরি স্বর্ণ আসন্দা ব্রহ্মানচিংবা লাইয়াম্না ভাবক নারদনা হান্না শকপদা হরিগী শ্রীঅঙ্গ দ্রব ওইখী । লাইয়াম রানরে মহাদেবনা শিন্দুনা শকপদা মুর্তি শাগৎলি মুর্তি য়েংবদা ওইগী থুকউ মথক্তা খুবীমরুম কুৎলম্মী রাগ শোইখীবনরা হঙ্গৎপদা হরিনা শোইদে নবানীনা রাগ রাগীনী শকপা নুঙঙাইখিবদগী জগৎ লানবীনবা অবতার অমা ওইরগে নিংখী আসন্দা য়েঙঙু । য়েংবদা স্নামহী তুংদুনা লৈরম্মী প্রভু করম্বা রূপনো হঙ্গৎপদা শ্রীহরিনা চতুর্ভুজ গঙ্গাগী রূপ হায়ফেং উৎপীরগা মতম রাংলি ব্রহ্মা নঙ্গী কমণ্ডলুদা থমজিল্লু তাকপীদুনা সনাগী মহীদু তাশিল্লগা কমণ্ডলুদা হাপতুনা থমখী অদু ভগীরথগী হাক্তক্তা গঙ্গা অবতার ওইরক্তুনা পৃথীবী য়েৌনা চেল্লক্লবী গঙ্গানী । গঙ্গা খোঙবান্দা তাবা হারি খুনগংনী গঙ্গা 'চাওরকপদা চঙহৌদুনা তুংবা লৈয়োন কোঙ্গী থন্দুনা চিংনদনা মাক'গুনা স্নান তৌখী অসুম্না মাক'গু পুরান্না হায়রি গঙ্গাদি জীবগী পাপ শেংবিনবা হরিগী ইশা শক্তি অবতারনী হায়বা অসিসু নারদ পুরান্না হায়রী । ইতি ।

য়ুদ্ধীমতোন্দা থনম্মী লম হেনবা য়াদে মৈহৌদুনা হেক্তা চাকই। নহা অঙাওবাশিংনা থং-নৱগা অচুম অৱান য়েংননী হায়দুনা য়ুদ্ধী পায়নরুবদা মৈ হৌরক্তুনা মকোক্কী শম চাকই মরম অসিনা ঐখোয়গী নহারোল কয়াদি নিষা চাবা জাতিগা ওইবগা মকোক তাংবা ঙাক্ত ওইরক্লে। চানবীদুনা ঐখোইবু কনবীবা ওইনা তেন অনি অহুগা লোথোকপীরম্মু। ভীষ্মা হায় (ঐ লম্মী থংদমদুদা মখোয়বু পুখৎহল্লগে য়াবনী. অদু নৎত্রবদী ঐনা য়ৈবদা মখোয় মরু তেক্কদবনি।) মৈগী তেন্দু, ঐ পুত্রগে নাত্তুং তেন্দুদী লৈরসনু নাহুংপা হায়বসীদী তোকপা য়াদে ক্ষেত্রি ধর্ম্মনী। মাহু তোকপদা ঐনা মৈগী তেনসী অমুক থারক্কনী অসুম্না ভীম, কিরাটরাজ, য়ানরে। ঐখোয় নুংশিনবগী ছন্দেছ থর লৌবীয়ু, পাল মাইরেন থরা ফুংহঞ্জগে ভীষ্মা থর য়াম্না ফুংলু, কিরাট রাজানা অশেংবা পাত্রদা মীপোং অহুমলোম কন্যা মশক ফজবীশিংবু মুন্না ফুংহল্লগা লানথোকহল্লী। ভীম কুণ্ডদা কংলগা লেইনা ফংলে কন্যাশিংহ য়েংহনা লৈ ভাম্না পেল্লদুনা হায়রকখী হেঃ কিরাট কনা নখোয় অসি হয়েং তুং ফাওবা ক্ষেত্রিমচাশিংনা পাম্নবা ওইরসনু বর পীখী। কিরাট রাজনা *অমৃত লহরি হেকহল্লুহুনা ভীমগী মপোং শেমহুনা খাওদা হাল্লে রথদা খিল্লুরে হায়বদা ঐনা খেংনা চেনখিবনা থুনা য়োরনী হায়হুনা পোং থোঙ্গংলে। কিরাট নিংথৌগা পন্থোংদা থোরক্তুনা

*(অনুবাদ) গন্ধমাদন্দা লৈবা কিরাট গুন্ধর্ব হায়বদী তাংখু নিঙ্ঙোনগিং অসি মশক মতৌ ফজে। স্বর্গগী গন্ধর্ব্বসিনা কামচার ওইবনা খোংদারক্তুনা ধারা হেক হেক পাল্লি স্বর্গদদী পুখৎপীদে। গন্ধর্ব্বশিংগী ধারানা অয়াম্না ওইরকখা হায়দুনা মখোয় সু কিরাট গন্ধর্ব্ব হায়খিবনি গন্ধর্ব্বসিংদা মহৈ মশিং হেক তয়া। মখোয়সি মীকিলাইকিদে মখোয়গী চীং অসিদা গন্ধর্ব্বশিংনা চার পোরক্তুনা অমৃত লহরি হৈসি থাহন্দুনা হৌখি। হৈ অসি কিরাটশিংনা পাণ্ডব কিবদগী চার পোরক্লগা হস্তিনাদা থারখি চিঙদনা ফবা হেল্লি অহুদগী পৃথীবীগী চিঙ থুদিং শন্দোক্তুনা থানখি। হৈগী মমি দী হান্নদগী হোংদোক্তুনা অনারস হায়না থোল্লে অন, শব্দনা, অন্যস্তানদগী পুরক্তুনা থাৈই রস শব্দনা মহি য়াম্না থোকই থুম্মী হায়বগী অনারস কৌবনী। মনিপুরী লোন্দা পাণ্ডব কিবদগী পোরক্তুনা থারবদগী শিণবা থুংনা ছন্দোরখি মহি য়াম্না হোম্মী হায়বগী কিহোম হায়না কৌনখীবনী। অমৃত লহরি হায়বা হৈগী মরমসী মনিপুরগী ওবাশিংনা অসুম্না লেপ্পবীরম্মী অহুগা কিরাট গন্ধর্ব্বগী মত অসিনা শঞ্জয় ভারতকী মতনা অসুম্না অনুবাদ তৌরম্মী। ইতি॥

অগ্নিমন্ত্র হৈবনা অগ্নিবান লৌথোক্তুনা পাইগ্রে। অমৃতলহরি অসি চারা পোরক্তুনা ঐথোই-রোমদা থারো হায়রম্মগা মুংশিংক্রি মাংথাদুনা চেনগ্রে। ভীম হস্তিনা য়োরক্লে হৈ গো-বিন্দদা শিন্নরে রারি পুন্নমক তম্মগা অর্জ্জুন্দা অগ্নিবান শিন্নরে। ভীম গন্ধমাদন য়োরক্-বদগী নাপন তৌরম্বা পুন্নমক কোকথরে, বৃকোদর অমুক চেনখিহুনা মার্কণ্ডমুনিদা বাক্তন কংলুরগা হল্লক্লে। মধুমাসগী কৃষ্ণা দ্বাদশীদা মহোৎসব কংলে যদুবংশ, ভোজবংশ, কুরুবংশগী অহল্লমন ব্রাহ্মন বৈষ্ণব মুনিঋষি লাইরবা অনংবা কয়া, অমসুং বলরাম শ্রীকৃষ্ণয়াওনা সেবা কংলে। কুন্তিমমা বৈষ্ণবীগী মাথং মতুংইন্না স্বর্ণ, রৌপ্য, বস্ত্র দান কয়া কংলি ময়াম পেন্নরে। মীয়াম পুন্নমক পাণ্ডবপু থন্যবাদ তৌনৈ মুনিঋষি, ব্রাহ্মন বৈষ্ণব শাগৈ ওাইনা মমা মচা তরুকপু আশীর্ব্বাদ তৌরম্মগা রামকৃষ্ণবু থুরুমহুনা হন্নগ্রে। রামকৃষ্ণ কুন্তি মনেম থুরম্মী পাণ্ডব মঙাবু প্রেমবিদায় তৌনরগা যদুগী অহল্লমন লোইননা গরুর তেংলগা দ্বারীকা য়োগরে। বৈশমপায়ন মুনিনা হায় জনমেজয় মতাংঅসিদা পাণ্ডউসব লোইরে। মীওইবনা পুকনিং চংনা তাজবদা অরা অনা কোক্লগা গুরুসেবা ওম্মী অমসুং অন্তগী কান্দা হরি ধাম কণ্ডৌ শোই-ফদ্রবা বেদ বাক্যনি॥ ইতি॥ হরিবল হরিবল হরিবল॥

২ শুবা খণ্ডগী

৩ শুবা অধ্যায়ঃ—

উমি. শৌমি ব্রতগী বারনা ভীমনা সেবা তৌবগী ৱারী মতাং।

সৌতিনা হায়জখী শৌনকনচিংবা মুনি সভাগী মফমদা, মহাভারত তারিবা জনমেজয়না হংজখি মুনিদেব পাণ্ডউসব ননাই তাজরে মথাগী ৱারী অমুক লিবীরো। ৱারী লিরীবা বৈশমপায়ন মুনিনা হায় মথা লিরগে তারো নিংথৌ। মহারাজনা তারদা ঐগী ইশাগী পাপ অমসুং লাইথুং কোক্লগনী থনহুনা তাবগী মহুত্তা শ্রীকৃষ্ণগী বীররস লিলানী। পুক্লিংদা শ্রবন ভক্তিনী নিংহুনা ভক্তি অঙ্গদা লৈতুনা তাজরবদী লেপ্পা পাপসু লাইথুংসু কোক্লগা অরোইব মতমদা বৈকুণ্ঠ ফঙ্গনী। হৌজিক নবুধো- মঙাগী ফজবা নিতিনা হস্তিনা প্রজা পুন্নমক্কা পেন্নরকপহৈ লিরগে। প্রজানা থমৈ হন্দক্লা যুবরাজ ফংবগা পাণ্ডব মঙানা

অন্নদান ধনদান অস্পুক চাওনা কংলিবসিবু কদায়দগী হংগুংহন্দুনা কংলিবগো মখোয়দী ইন্দ্রগিরিগী কুন্দো যুবরাজ ফম তান্নবা মতমদা রাজ বেষ লৈতহনা রাখোক ওইবনি কৌরবকী ফংমন্দবচুদা, মখোইগী শকুক তম্বীদবদু প্রজানা পেন্নখীদ অংবু মান্দবনা যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজ ওইরবদা হস্তিনা প্রজা পুম্নমক হরাওনবনী। ইন্দ্রপ্রস্থ-তিলপ্রস্থ মাকুণ্ড-মাকুণ্ডী খারনাবত খুনগং মখোই অদু। রাজা অজা লৌরগা লন কাইখেৎলুনা পাণ্ডব মখোইনা প্রজাগী নিঙখা থুংনবা শেমগৎ শাগৎপা লোইখি। ময়াম্বুংগী য়াথং মতুংইন্না ভীম অর্জুন অনিনা রাজ্য জয় তৌদুনা মাইকৈ মরিগী নিংথৌ কয়ামুক থুদুম চন্দুনা হস্তিনাগী সম্রাজ চাওখোক্লকই। মুমিৎকি মখোইনা মুংথিলদা থরানমিচাকি মখোইন লৈহবগুম পাণ্ডবকী মখোই ভারতকী মিংথৌ কয়ামুক হস্তিনা রাজ্যগী মখা পোন্না লৈখি। দেশ পুম্নমকী প্রজানা পাণ্ডবকী গুনবু থাগৎনখি। যুধিষ্ঠিরনা শাসন ভার পুরকপা মতমসি য়েক্লবা মক্ল লুকই। হরানবা ভাকু রুংপাত লৈতে ধর্ম্মবু চাউখৎহল্লি। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অতিথী ভিক্ষুরীশিংবু দান্না পেনখল্লি যজ্ঞ ভাগ সেবা ঈশ্বরগী ভক্তিদা মীপুম খুদিং পুক্নিং চংহল্লি। তোল্লবা লাইরবা উপাই লৈতদ্রবা মীওইশিংবু লন পিনদুনা নিংথিনা য়েংবখৎলি।


বেদ পুরাণ শ্রবন তৌই ব্রহ্ম ভজন কংলি অন্নদান, ভুমিদান, গোদান, বস্ত্রদান, স্বর্ণদান, রৌপ্যদান কয়া তৌই। গুরুবু ওঝাবু ঈমা ইপা অহল লমনবু লাইগুম নিংই শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তিদা পুক্নিং চেৎনা নিংই। পাণ্ডব মখোইনা ধৃতরাষ্ট্র মপন, মক্কাল গন্ধারিবু অংগোম্বপা মপা মমাগা চপ মান্নবা নিংই। মতম পুম্নমক্তা য়াথং মতুং ইন্না চৎলি। পাণ্ডবকী মজবা পুকচেল শাজং লিচৎ সেবা ভক্তিনা মীপুম খুদিং খুদুম চল্লি। কুন্তী মমাবু লাইগুম সেবা তৌই মমাগী য়াথং ঙাক্না চৎলি। মমা বৈষ্ণবীনা তৌনিংবা দান নিংবা থুংনা তৌহল্লি। হস্তিনাগী প্রজা পুম্নমক্না পাণ্ডবপু নুংশিবা মখোইগী গুণতবু থাগৎনবা মখোইগী মিংচৎনা দেশ খুদিং শিনথুগৎপা মখৌ অসি উবদা দুর্য্যধন মচিন মনাও চামা নুঙঙাইতবা অরাবগী ঈপাক্তা তাওরে অহিং নুংথিল চাবা থকপদা নুঙঙাইকম লৈত্রে। দুর্য্যধন মগী য়েক্লবনি হায়না খন্দুনা পাণ্ডবপু মাংননবদা তৌনিংবা ফত্তবা পুকচেল ওইবনা যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজ ওইখিবদগী য়েক্লবনা চাওখৎলকইবা অসিবু কমদৌরগা মাংহন্দুনা মখোইবু নমথরগা ঐনা হস্তিনাগী রাজপদবী লৌসিংগে হায়বসিগী রাখন্দা লুপখ্রে। মরম অসিদগী শৌকনি, শৌবল, কর্ণ, দুশাসন কৌশিক্লুনা অঙাকপা মথমদা রা খাঙবা হৌরক্রে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই তাদো জনমেজয় নিংথৌ নবুধো য়াইমা ভীষ্মা উমি, শৌমি, ব্রাহ্মণ ২গী সেবা তৌবগী বারী লিবগে। স্বর্ণ গিরিগী তময়া তমসা তীর্থগী খোংবান বনগী মনুংদা ব্রহ্মাগী মচানিপান্না পোকপা উমি কৌবা অমা মচা নিঙোম্বা পোকপা শৌমি কৌবা অমা ব্রহ্মাগী মগুনিপা অনি অসি য়াম্না চাম্নৈ ব্রাহ্মণগী মিংগোলদা পিবা মচানে নিঙোন মচানে অসি দাদা ইনাও কৌনৈ। উমিনা অহম্নি শৌমিনা মনাওনি অনি অসি লাইনিংতুনা লৈ। তপ তৌবদা কনবা সিদ্ধ ঋষিনি। মতম কুইনা চাদ থক্তনা যোগ আসনদা ফমদুনা ধ্যান তৌরগা লেংদনা লৈখিবসি মতম কুইরক্লদুনা (অস্থি চর্ম্মসার) দেহেগী শক্তি উমা কুপ্নি হায়বহ মঙাইরে। পাজল লৈরক্লে (ক্ষুধা তৃষ্ণা) অরাম্বা থৌরাংবনা থম্মোই মথক মথা ওন্নখুনা মুনি অনিদু ধ্যান কায়রদুনা মিং পাংথোক্লরক্লে। উমিনা, শৌমিদা হায়রকই ইনাওদি কমদৌরি ইমাখদি অরাম্বা থৌরাংবনা থুহুম চন্নখুনা ধ্যানদা শ্রীহরিবু উজবগী মহুত্তা চাক ইস্লাং ছন্দেছ অচা অথক্তা হেক উরদুনা ধ্যান কাইরে। শৌমিনা হাইরকই দাদাবু ঐদি ইস্লাং ছন্দেছ অচা অথক্তা হেক উরদুনা ধ্যান কাইরে। শৌমিনা হাইরকই দাদাবু ঐদি তাকপীরিবা রাকমদু ফনা কুইরে। হায়জগনবদা দাদানা ওহ্নোকইদা নহা হায়বসি চাবগী রাখন্দা পুক্নিং চংদুনা শ্রীহরিবু নিংবদা পুক্নিং চংত্রবোইরে হায়খিবা তারে খন্দুনা। হায়জংদ্রবনি। উমিনা হায়রকই অদুদি ইবানি ইন্দ্রিবু লাক্লমল্লে মতম কুইনা ব্রত তৌরবগী বারনা লোবা ওইনা মঙানি তরানিদং চাথক্তুনা ইন্দ্রি পেলহন্দুনা পাঙ্গল হজ্জৎলগা অমুক নিংলসি। শৌমিনা হায়ৈ চুম্মী দাদা ইবুঙো পাঙমা ময়াওদ্রবদি তাব চোইরকই অসিনদি ঐগী ইবুংঙোবু নিংবদা যংবা ভমগনি থাজদ্রে। উমিনা হায়রকই শৌমি ইবানিদি ইয়ুম লিংদে ব্রহ্মাচারিনি কনাওম্বা সেবা লুনা তৌরমগদবা মরন লৈবা নিংথৌ অমগী মক্মদা চংলগা হকচাং থাকলুরসি। ধর্ম্ম লৈবা ব্রাহ্মণগী সেবা থরাই য়াওনা তৌরমগদবা কদায়দা হংসিগে ইনাওনা থঙবা লৈরবদি হায়রকউ। শৌমিনা হায়রকই হস্তিনাগী নিংথৌ অন্ধরাজ ধৃতরাষ্ট্র হায়বসি মরন লৈবা পদবীস্থ চন্দ্রবংশগী অচোবা রাজা পদবীনি। হস্তীনাদা হংলগা বারনা লৌদুনা হকচাং থাকউবদা থুদোং চাগনি থৱে উমিনা হায় শৌমি অন্ধরাজ হায়বা অদুনদি মমিং তাংবা নিংথৌ হায়বনি। মমিং উদবনা সেবা তৌবদি কদায়দগী নুংঙাইগদগে শৌমিনা খুম্মি দাদাবু মমিং উদবা নিংথৌনা সেবা তৌগদবা নত্তে। অন্ধরাজনা পোকপা মচা চামা মনাও পাণ্ডুরাজনা পোক্লম্বা মচা মঙা লৈ হায়। চামগা মঙাগা অসিনা সেবা তৌগদবনি য়াম্না নুঙঙাইরুগনি লেঙঙসি।

মুনি মচিন মনাও অনি করে চংলসি হায়নদুনা তপ বলগী যোগ শক্তিনা লাকপনা

মতম প্রহাক্তি মন্নুংদা হস্তিনা দরবারগী হোজংদা থুগুগরে। মুনিমা হায় মারী ধৃতরাষ্ট্র নবুঙ্গেঙ্গোদা হজংলু ব্রহ্মাগী মগুনিপা উমি, শৌমি, অমি লাকই চঙ্গুকপা মাপন্না মারোইশ্রা পাওল্লোক্রু। মারীশিংহু মুনি অনিবু থুরুমজরগা আসন থাজে মুনি অমি কম্মি মারী মিশা অমা চংশীহনা অন্ধরাজবু থুরুমহনা হজংচরকই। মহারাজ ঐখোইনা পুন্নিবা থোলা ব্রহ্মাগী মগুনিপা অনি ব্রত তৌরব্বগী বারনা চাগনি হায়হনা থুগুগরে। পুশিনরকপা মাপন্না মারীগী রা তাবদা নিংথৌনা হায়রকই মারী মুনি অনিবু থুনা লেংশিন্নকউ। নিংথৌগী মাথং মঙ্গঙ-বদা মারী থুনা চেংখোক্লহুনা মুনিবু থুরুমজরগা লৈংসিনবীবা মাংনি অমনা হংখলি। মুনি অনিবু মারীশিংনা থোগন্নুনা রাজসভাদা পুশিল্লক্লে উমি শৌমি ঋষি অনিমক রাজসভাদু নোংলি।

ঋষি অনিমক প্রাম্বোম থাজংলগা মহারাজ হংখোই হায়না অশীর্ব্বাদ তৌরকই। ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ আসনগী কুমথহুনা দণ্ডবত কংলি বিদুর মন্ত্রিন। মুনি অনিগী মনাগী আসন থাই ঋষি অনি কম্মী। গুরুজলনা মুনি অনিগী পাদ শেংই পাদদক লোই বিদুর মুনিগী পুজা কংলি লোইরগা মন্নাসুংদা পুজা লোইরে হজংলি। ধৃতরাষ্ট্র থুং লোয়হুনা হায়জরকই মুনিদেব অনি লেংবীরকপবু দান করি কচ্চৌগে সেবা করি তৌজৌ হায়রগে তাকপিয়ু। মুনিনা হায়রকই মহারাজ ঐখোইগী পরিচয় হায়রগে। ঐখোই অনিসি ইবুঙৌ ব্রহ্মাগী মচানিপানা পোকপা অমা মচানিঙোম্না পোকপা অমা মিংনা ঐনা উমি কোই ইনাও অমিনা শৌমি কোই। ঐখোই অনি মতম কুইনা ব্রত তৌহনা শ্রীহরিবু নিগুণ্ডবগী দেহে অসি য়াংকংলে পাঙ্গন শোম্নে ঐখোইদি ব্রহ্মচারিনি য়ুম লিংদে। মতম কুইনা ব্রত তৌরব্বগী বারনা চাবা ওইন। মঙানি তরানিদং লৈগে ব্রহ্মভুজন কংলু ঐখোইগী সেবা তৌনা নিশাহু থরাই য়াওনা তৌরবদি বোর পীরমগনি। নিংথৌনা হায়জে মুনিদেব অনিমক নমাইগী ইরাইবক ফবনা সেবা ফংজগদৌরিবনি গুরুদেব অনিমক লাপ্না লেঙুকপগী রায়রিগনি ব্রহ্ম-মন্দা পোথাবিরসি। বিদুর গুরু অনিমক সেবাঘরদা লেংশিল্ল, রাজ অজ্ঞা কংবদা বিদুর ব্রাহ্মন অনিবু পুশিল্লহুনা ধর্ম্মশালাদা পোথাইল্লে। ধৃতরাষ্ট্র রাখস্তোই ঐনা পোকপা ঊচয় চামগী ইনাওনা পোকপা মঙানা বিদ্যাদা মগুন্দা হেল্লিবসিদগী মথাপোন্দনবা ব্রাহ্মন অনিগী সেবা তৌজগা বোর ফংহল্লবদি মরাইবক ফবা ওইগনি দুর্য্যধনবু সেবা পুহল্লগে থন্নুনা অন্ধরাজ দুর্য্যধনবু কৌশিল্লকই। দুর্য্যধন চঙগুহুনা থুরুম্মী পাবুং নচাবু কৌবিবা কম্মি তাকপীনিংবা তৈরগে তাকপীরো। অন্ধরাজনা হায়রকই দুর্য্যধন ওসি থুগুগরিবা ব্রহ্মর্ষি অনি অসি গুন লৈরবা হাদ্দোয়কপা য়াথংনা ঈশ্বরগী বাক্যগা মান্নবা সিবঙ্গষিনি। দুর্য্যধন ননাওশিংগা লোয়ননা



ব্রাহ্মণ অনিগী সেবাতো বোর অপাম্বা নিবদা পীরমগনি হায়বনি ব্রাহ্মণ অনিগী বোর ফংজরবদি ইচাগী অকবা ওইগনি। ঈপাগী য়াথং হিকত্তোকনু মুনি অনি অতিথি ময়দা পোথাপ্রবনি থিগ্রে থুনা চৎলো। দুর্য্যোধন ব্রাহ্মণ সেবা পুজগে হায়হনা মপাবুং খুরুমজরগা মনাও শুরা পুহনা ব্রহ্মবরদা লাকই। ব্রাহ্মণ অনিগী মাংদা মনাওশিঙ্গা লোইননা দণ্ডবত ভক্তিনা খুরুমই (উমি শৌমি) অনিনা দুর্য্যোধনবু চিংনা য়েংলগা হঙজকই ইরুঙঙ্গোহন নমিং করি কৌই হনাগী মচানো? ব্রাহ্মণ খুরুমজবদি ঐখোইগী মঙ্গলনি হায়হনা। চুম্না খুরুমজবরা করি হায়নিংবা লৈহনা লাকপনো হায়য়ু। দুর্য্যোধননা হায়জে গুরুদেব অনিমক ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌনা ইপানি গন্ধারী রাণীনা ঈমানি ঐনা চামগী অহল্লি অতৈসিনা ইনাওশিনি। ঈপা নিংথৌগী য়াথংদগী গুরুদেব অনিগী সেবা তৌজগে লাকচবনি মুনিদেব অনিবু বোর অমমম পীরমগনি হায়এ বোরহ শোয়দনা পিবিরম্মু। দুর্য্যোধনগী মথক উবা য়াঙাং তাবদা মুনি অনিহ মবুক কেক্তা খংই দুর্য্যোধন মঙ্গোল ওইজৌ চৎলো নং ইপাখোইগী সেবা তৌগনু। নঙ্গি মারহ য়েংবদা ইপাখোই ভাব তারে নহাকসি মীগী সেবা তৌবা কয়া হৈনরোই, মীজিনা নঙ্গি সেবা তৌরগা হরাওজবা মীতা মাল্লি। ইপাখোইস্ত য়াম্না ফিঙডি নঙ্গা ইপাখোইগা তিন্নগনুসি হস্তিনা য়াথোক ওইরকনি অতৈ সেবারি লৈত্রা খাজিন্নকউ। দুর্য্যোধনা হায়রকই গুরুদেব অনিমক ঐ খায়নী সেবারি লিশিং-লিশিং লৈ অহবু ইপা নিংথৌনা ঐঙোন্দা শিন্নবিরক্লে বোর অনিদুদা শোইবিনু সেবা ঐঙ্গম পূজরগে। উমি, শৌমি, অনিনা হায়রবই যরে দুর্য্যোধন সেবাবু শোইদ্রবদি বোর অমমম পিরমগনি। সেবা শোইহনগনু ইপাখোই গঙ্গাদা চৎতুনা স্নান তৌরগে। ইপাখোয়না লুক তৌবদা শিজিন্ননবা নাতৈ চাবা পাত্র পুথোরবউ জল শোক্কৎলরগে। দুর্য্যোধনা ইনাওশা হায়বদা চুশাসনা কোফু অনি পুথোরক্তুনা থম্মী উমি, শৌমি, কোকুদু উবদা শাওনা হায়রকই কায় দুর্য্যোধন নঙ উৎ ওইনা তুমগেরা! কোফু অসিদি মান মাওরে লুম্মে মাংদ্রে নুম্মে ব্রাহ্মণ অশোনবা ঐখোয়বু থাং তেকহনগেরা পুথোকখো অমা শিল্লু তেকচাও অনি শিল্লে। অহস্ত খুৎলাই মযম লৈ পুথোকখো হায়, কেন্দুম অনি শিল্লে, থিনবদা পৈ য়ানিংদে হায়, কোফাল অনি শিল্লে মখা লাওমত্রি মপান পেথৈ হায়না বেরা তৌই। তেক্কনা শিং নাল্লবা পাংবা পিক্তকপা অনি পীরে অদুদা য়াহনা ব্রাহ্মণ অনি গঙ্গা স্নান চংগ্রে। দুর্য্যোধনা মনাওশিংদা হায় ইনাওশা মুনি অনিগী চক্রিমত্তা অনি ইয়াম্বা হৈনরোইদৌরি য়েক্রুদুনা ব্রাহ্মণা শিখিবরা, ব্রাহ্মণগী শাপো ঐনা উৎ ওথিন্নবা অমদি থোক্লরগনি নিংলে।

নুমিৎ তারমদাইদা ইরুজবা চৎথ্রিবা অসিবু নুংশিরিত্রা, তিলক ধারন, সন্ধ্যাভজন নুমিদাংগী লুক হৌনবা থৌরাং লোইশিন্দুনা থম্মি। দুশাসন মনাওশিঙ্গা লৈ, পত্র, হৈরুক, পানা, বর্তি, ধুক থাওমৈ, আসন ফি অশেংবা তিলক ধারনগী সন্ধ্যা ভজন নামমন্ত্র শৌনবগী লুক হৌনবগী লাংশিনবা লোইরগা ঙাইহুনা লৈজখি। মুনি অনিমক স্নান কারক্লুনা ধৌতবস্ত্র হোংলে, বৃন্দা চাইথৈ মখোং তৈরে 'মৃত্তিকা লোই তিলক ধারন গুরু ভজন নামমন্ত্র শৌনবা লোইরে। অদুদগী সন্ধ্যা ভজন গায়ত্রি জপ তৌবা লোইরে রালহৌশদা চঙঙক্লুনা নুমিদাংগি লুক হৌবা লোইদুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎলে। উমি, শৌমি অন্নবেঞ্জন প্রসাদ ফংলে লোইদুনা আসন্দা ফম্মে হৈ, পানা সেবা তৌরে। দুর্যোধন মচিন মনাও তরা চাবা থকপা লোইরে। মুনি ২গী শয্যা শেম্বা লোইরে উমি, শৌমি শয্যাদা হিপ্লে। দুর্যোধন ওলাংঙে হুমাই হুম্মু দুর্যোধন্না হুমজৈ কনমল্লি হায় তপ্পা হুন্মি তপমল্লি হায় হুমাই থম্মু কাঙহায় পাইয়ু অমুক হায়। কাঙহায় হুম্মী দুর্যোধন কাঙহায় থম্মু য়াং নম্মু হায়রকই কাঙহায় থম্মী নঙ্গন অমুক নম্মী নম্বদা থর হেক্লিলুরহুনা উমি ফুক হৌগৎলগা ঙংদুনা হায়য়কই। হায় পাপি দুর্যোধন অহুক কম্মা নম্নবদি শক্র তেক্লোইদ্রা নং উৎ ওইনা তুম্মো হায়দুনা চৈরগেদো দুর্যোধন কিংগ্রহুনা মুনিগী খোং পায়হুনা হায়জি। গুরুদেব ননাই ঐ উইরুগুম তৌদুনা জ্ঞান তাজহৌদ্রে অপরাধ ঙাকপীয়ু মুনি শাউবা হম্থরক্লুনা হায়রকই। হায় দুর্যোধন ব্রাহ্মণগী সেবা তৌরিবা নং উইবা য়াত্রা ঐখেইনা তুম্বা য়দ্রিযাত্ত উইরোইদবনি। নখোয় তরা পোৎথাবা য়াদে মঙা মঙা খাইদেকনৌ ঐখেই অনিগী সেবা ২না খোঙ নাম নামদা ২না খুং অমমমদা ১না হুমাই থৌগল কায়বা য়াদে ঐখেই তুম্বা য়াত্রা য়েংগে খোং খুং নোইয়ু। দুর্যোধন মচিন মনাও চামা অহিং চুপ্পা তুমদনা ব্রাহ্মণ ২গী সেবা তৌই। নোংঙানলমদাইদা মুনি অনিদু তুমথখরে। দুর্যোধন্না হায় ইনাওশা মুনি ২সি ফৎমন্দে চরম পাইদুনা লানহনগ্রসিদো অহুগা পাবুং মহারাজদা মংলাক্লুহুনা শিরে হায়রশিদো দুশাসন্না হায়রকই দাদাইবুংঙো মাহু হৌনদে ব্রাহ্মণ হাৎপা পাপ য়াম্না চাউই হায়নৈ মহু তৌগন্নুসি দুর্যোধন্না হায়রকই অদুনদি ইনাওশা মুনি অনিসিগা তিম্নবদা ঐখেয় খুদেং থিররনি, সেবা তৌক্লগে হায়রুরবসু রাজদণ্ড ফঙঙনি। মুনিনা তুমথরিবদো মামা শৌকনিগা অমুক্তা তানক্লখিশি অহু নত্তনদি ইচিন্নাও ঐখেইগী উপায় লৈরোই। দুর্যোধন মনাওশিঙ্গা লোইননা শৌকনিগী য়ুমদা থুঙঙরে মামা কেংথংলো নমাক লাকচরি দুর্যোধন্না কৌরকপা তাবদা শৌকনি মিকপ থোক্লুনা হৌগৎলক্লে। মপাল থোক্লকপদা দুর্যোধন মচিনমনাও তরা লৈরম্বা উবদা

এঃ দুর্য্যোধন ননাওশিঙ্গা চিথৈ হুল্লকপদা ঙাইরি করিগীনো ননাওশিঙ্গা মমাগীদা য়োৎকপবু ইমাক্কা করি তানমিংবা লৈবগে। দুর্য্যোধনা হায়রকই মামা নমাকপু হন্দক (উমিশোমি) অনিগী সেবা পু হায়হুনা পাবুং মহারাজনা তাকপীবদগী বোর যংনিংহুনা য়ারুরে তোক্লগে হায়রুবস্থ রাজ দণ্ড যংলগনি।

ব্রাহ্মন অনিগী চক্রি মতাংসিদি ঐগী লিংজেন মতাংগা চানদে ঐ ব্রাহ্মন য়েরুনা হঙ্গিনা রাথোক ওই হায়, ব্রাহ্মন অনিনা শাপ্পোহনা ঐনা উং ওল্লি হায়, অমদি শোইররোই মামা। ব্রাহ্মন অনি অসিগী হাক্তকতা ঐ মাঙবা তারে করম তৌরগা ঐগী হিনবা উপায় কৈগদগে মামনা মন্ত্রনা অমতা তাকপীয় মুনি অনহু অহিং নেংশোইবা ঐখোইবু ওৎলগা ছুভিক্তা তুমথহৌরি। অহুনা চেঞ্জরকপনি মামা, দুর্য্যোধনগী রাহায় তাবদা শোকনিনা হায়রকই, ইমাকহন হন্দক ব্রাহ্মন ২ না লাকপসিদি ইমাকশিংগী লাইবক ফংবনি বাক্কবু। দুর্য্যোধনা হায় মামা কমদোনা মরম তাকপীয় শোকনিনা হায়রকই হস্তিনাগী মহু দা ইমাক্কা লুংশিদবা মীওক অমৎং থন্দুনা মামদা হায়য়ু। মাদু ইমাক্কি উশিন্নোহুনা থাজিনগ্রসি ইমাক্কা শিগদবগী মহুত্তু মামু শিকনগ্রনি অহু ওইরদি ইমাকশিঙ্গি লাইবক যবা ওইবগ্রদো। মামা ঐনা লুংশিদবদি পাণ্ডবকি ভী পুংচাওবনি অহুবু ময়াম্বা যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজগা ওইরেদো মানগা মতিক মগুণলৈদো ঐনা কৌবদস্থ লাকপিরোই। কমদোনি।

শোকনিনা হায়রকই দুর্য্যোধন পাণ্ডব মঙ্গাদি ইবাই ইবুঙ্গো মহারাজগী য়াথংদি হিক্তোক্তবনি। ননাও অমা থারগা হৌজিকমক য়োরকউ নিংথৌগী য়াথংনি হায়হুনা কৌহল্লরো অহুগা ফংমল নিংথিনা লাংহুনা থমনি। শোমদা পুশিংলগা মবুক থল্লা পিজথোকসি মবুক থল্লিংদদি হায়জরিমখৈ য়াবা ভীমনি অদুগা শেবা থাজিনগ্রনি। অহু ওইরবনি ব্রাহ্মনগী চক্রিমতাংগা ভীমগী মঙাওগা চাকচমং ফারোই ভীম উং ওনগ্রগদবনি ইমাক্কী এক্কবা কোক্লগদবনি। শোকনিগী রাহায় তাবদা দুর্য্যোধনা হায় মামা কৌহঞ্জরুরগে দুশাসন ভীম কৌরু দুশাসনা হায়রকই ঐদি মায়থৈগে অসোমদা চৎপা কয়া পাংদে ইনাওশিং অমা থাবিয়ু। দুশাসন নং কৈদে থৈঙে কুন্তি য়েঙঙুই চহি কয়া শুরহুনা পাণ্ডবকি মায়থৈগারামদা দিগবন্ধ ওইরিবনা। দাদাবু ননাও দুশাসনগীদি চহি মতাংগী য়েক্কবা, মৃত্যু, মহাকালমৃত্যু, লৈ হায়বগদি খর লায়রি ঐগীদি নোংমগী মনুং হোংদোক হোংজিন তৌবা লুরবা অমা লৈরি দাদা য়াইমা ভীম্মা লৈবা লৈবা মাইকৈদা ঐগী দিগবন্ধনি কয়া পাংদে ইনাওশিং অমা থাবিয়ু। দুর্য্যোধনা হায়রকই দুশাসন নংগী রাহায়দুদি ভীম কিবগী রানি অঙাং নংলকত্রবদবু মানা পায়ে য়ৈবা য়াত্রা ননাওশিং থানিদে

শোইবা য়াদে নং চেন্নো। পাবুং মহারাজগী য়াথংনি হায়রহনা থুনা য়োৎরক্লবা তৌরকউ সিবু য়োৎরক্লবদি ভীমহু ইয়াম্বা তাইনরগে চেন্নো। শ্রীব্যাসদেবনা লেওমলবা মহাভারত আদিপর্ব্বগী ৱারী অসিবু পামজবা পৌরানিক পরিষদনা ইমালোন্দা ইজবগী অশোয়বা কয়া তাকপীগনি ইতি ॥ হরিবল, হরিবল, হরিবল ॥

অধ্যায়ঃ—

দুশাসন্না ভীম কৌরুতুনা উমি শৌমিগী সেবা পুহনবা মতাং ॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় পুক্লিং চংন তারো মহারাজ দুশাসন গঙ্গা ৱামা পাণ্ডবকী যুবরাজ কোনুং য়োৎরক্লে। যুধিষ্ঠীর যুবরাজ প্রতিক্রিয়া লোইহনা প্রাঙ্গন্দা যমহনা নামশোন্দুনা লৈরম্মী। দুশাসন উবদা তরাম্না কৌরকই দুশাসন ইনাও য়োৎরকপবু পাবুংহন্না করম্বা য়াথং তাকপীরক্লুনা ঙন্তানা য়োৎরকপনো। দুশাসন যুধিষ্ঠীরবু খুরুমজরগা দাদা যুবরাজবু দাদায়ায় ভীষ্ম কদোমদা ইমুংদা লৈ করি হায়গদবা লৈবগে পাবুংগী য়াথং দাদায়াইমা উনজবা লাকচবনি। দুশাসনগী খোন তাবদা ভীম ইমুংদগী তুমিন থোক্লরগা তুংদা দুশাসন খংলাউ লাউবদা খংব্রেক খংহনা অজা হায়তুনা কিবদগী নিক্লুনা দণ্ডবহনা খুরুম্মী। ভীষ্মা হায় ঐনা য়ৈনিংহনা লৈহগা ননা ঙন্তানা লাকপগা তন চায়েদা করি পাউগী লাকপনো হায়য়ু। দাদা ৱায়মা পাবুং মহারাজগী য়াথং দাদায়ায়বু থুনা কোনুংদা লেংখংলকউ হায়হনা লাকচবনি। দুশাসন পাবুংহন্না ঐবু লেংখংলকউ হায়রব্রা দুশাসন্না হেয় হায়হনা খুম্মী ভীষ্মা পাবুংগী য়াথদি কায়বা য়াদে। লাকউ হায়রবদি ঈখোংনা চেনখংবদবনিদো লেংখংলকউ হায়বনিনা ঐবু লেংখংনবা দোলাই পোয়রকপ্রা? পুজরক্লে ভীষ্মা শামু য়াঈশদি য়াউজরকত্রে শগোল য়াঈশদি লোইনজরক্লে অরুপ্পা রথ য়াওরকপ্রা য়াওজরক্লে। পাবুংহনগী য়াথং কায়বা য়াদে বাহন য়াউরক্লবনিনা কুম্লু নরেংবান্দা লেংখংলগে ভীম হৌগংলকপদা দুশাসন কিবনা হিক হিক কপতুনা হায়জরকই। দাদায়াইমনা খংলাউ লাউতুগা শাখংখিনুনা খোগয়োন ৱাকৈ পোইথমালে দাদায়রনা নেংপিংবদি ননাও তেকপা

ব্রাহ্মণ অনিগী সেবাতৌ বোর অপাম্বা লিবদা পীরমগনি হায়বনি ব্রাহ্মণ অনিগী বোর ফংজরবদি ইচাগী অকবা ওইগনি। ইপাগী য়াথং হিন্দতোকনু মুনি অনি অতিথি ঘরদা পোথাগ্রবনি থিগ্রে থুনা চৎলো। দুর্য্যোধন ব্রাহ্মণ সেবা পুজগে হায়তুনা মপাবুং খুরুমজরগা মনাও তরা পুহনা ব্রহ্মাবরদা লাকই। ব্রাহ্মণ অনিগী মাংদা মনাওশিংসা লোইননা দণ্ডবৎ ভক্তিনা খুরুমজ্জ (উমি শোমি) অনিনা দুর্য্যোধনবু চিংনা য়েংলগা হঙ্গকই ইরুম্ভোহন নমিং করি কৌই ঘনাগী মচানো? ব্রাহ্মণ খুরুমজবদি এখোইগী মঙ্গলনি হায়তুনা চুম্না খুরুমজরগা করি তৌরনিংবা লৈতুনা লাকপনো হায়রু। দুর্য্যোধননা হায়কৈ গুরুদেব অনিমক ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌনা ইপানি গন্ধারী রাণীনা ইমানি এনা চামগী অহম্ম অতৈসিনা ইনাওশিনি। ইপা নিংথৌগী য়াথংদগী গুরুদেব অনিগী সেবা তৌজগে লাকচবনি মুনিদেব অনিবু বোর অমমম পীরমগনি হায়এ বোরহ পোয়দনা পিবিরম্মু। দুর্য্যোধনগী মগক উবা রাঙাং ক্রবরা মুনি অনিহ মবুক হেক্তা থংই দুর্য্যোধন মঙ্গোল ওইজ্জৌ চৎলো নং ইপাখোইগী সেবা তৌগনু। নঙ্গি মায়হ য়েংবদা ইপাখোই ভাব তারে নহাকসি মীগী সেবা তৌবা কয়া হৈনরোই, মীজনা নঙ্গি সেবা তৌরগা হরাওজবা মীতা মাল্লি। ইপাখোইস্ত য়াম্না কিচ্চি নঙ্গা ইপাখোইগা তিন্নগন্নুসি হস্তিনা রাথোক ওইরকনি অতৈ সেবারি লৈত্রা থাজিন্নকউ। দুর্য্যোধন্না হায়রকই গুরুদেব অনিমক ঐখায়গী সেবারি লিশিং-লিশিং লৈ অহবু ইপা নিংথৌনা এহোন্দা শিন্নবিরক্লে বোর অনিতুদা শোইবিনু সেবা এন্তম পূজরগে। উমি, শোমি, অনিনা হায়রকই ঘরে দুর্য্যোধন সেবাবু শোইদ্রবদি বোর অমমম পিরমগনি। সেবা শোইহনগনু ইপাখোই গঙ্গাদা চংতুনা স্নান তৌরগে। ইপাখোয়না লুক হৌবদা শিজিন্ননবা নাতৈ চাবা পাত্র পুথোরবউ জল শোকংলক্লগে। দুর্য্যোধন্না ইনাওশা হায়বদা দুশাসন্না কোক্তু' অনি পুথোরক্তুনা থম্মী উমি, শোমি, কোক্তু'হু উবদা শাওনা হায়রকই করি দুর্য্যোধন নঙ উৎ ওইনা চুমগরা! কোক্তু' অসিদি স্নান য়াওরে লুম্মে য়াংদ্রে লুম্মে ব্রাহ্মণ অশোনবা এখোয়বু খাং তেকহনগেরা পুথোকখো অমা শিল্লু তেকচাও অনি শিল্লে। অহস্র খুৎলাই মযম লৈ পুথোকখো হায়, কোন্দুম অনি শিল্লে, খিনবদা পৈ য়ানিংদে হায়, কোক'াল অনি শিল্লে মথা লাওমত্রি মপান পেথৈ হায়না বেরা তৌই। তেক্কনা শিং নাল্লবা পাদবা পিক্তকপা অনি পীরে ঙ্ক্ষুৎদা য়াহুনা ব্রাহ্মণ অনি গঙ্গা স্নান চংখ্রে। দুর্য্যোধন্না মনাওশিংদা হায় ইনাওশা মুনি অনিগী চক্রিমত্তা অনি ইরাম্বা হৈনরোইদৌরি য়েংকতুনা ব্রাহ্মণ্না শিখিবরা, ব্রাহ্মণগী শাপো এনা উৎ ওনখিনরা অয়াজি থোক্লরগনি নিলে।

নুমিৎ তারমদাইদা ইরুজবা চংখ্রিবা অসিবু নুংশিথিত্রা, তিলক ধারন, সন্ধ্যাভজন নুমিদাংগী লুক হেনবা থৌরাং লোইশিন্দূনা থম্মু। দুশাসন মনাওশিঙ্গা লৈ, পত্র, হৈরুক, পানা, বর্ত্তি, ধুক থাওমৈ, আসন ফি অশেংবা তিলক ধারনগী সন্ধ্যা ভজন নাম্মন্ত্র শোনবগী লুক হৌনবগী লাংশিনবা লোইরগা ঙাইহুনা লৈজখি। মুনি অনিমক স্নান কারক্লুনা ধৌতবস্ত্র হোংলে, বৃন্দা চাইথৈ মখোং তৈরে মৃত্তিকা লোই তিলক ধারন গুরু ভজন নামন্ত্র শোনবা লোইরে। অতুদগী সন্ধ্যা ভজন গায়ত্রি জপ তৌবা লোইরে রালহৌশদা চঙঙক্লুনা নুমিদাংগি লুক হৌবা লোইহুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎলে। উমি, শৌমি অন্নবেঞ্জন প্রসাদ ফংলে লোইহুনা আসন্দা ফম্মে হৈ, পানা সেবা লৌরে। দুর্য্যোধন মচিন মনাও তরা চাবা থবপা লোইরে। মুনি ২গী শয্যা শেম্বা লোইরে উমি, শৌমি শয়াদা হিপ্লে। দুর্য্যোধন ওলাংঙে হুমাই হুম্মু দুর্য্যোধন্না হুমজৈ কনমল্লি হায় তপ্না হুম্মি তপমল্লি হায় হুমাই থম্মু কাঙহায় পাইয়ু অমুক হায়! কাঙহায় হুম্মী দুর্য্যোধন কাঙহায় থম্মু য়াং নম্মু হায়রকই কাঙহায় থম্মী নঙ্গন অমুক নম্মী নম্বদা থর হেজিলুরহুনা উমি ফুক হৌগংলগা ঙংদুন হায়য়কই। হায় পাপি দুর্য্যোধন অহুক কন্না নম্লবদি শরু তেক্লোইদ্রা নং উং ওইনা তুম্মো হায়হুনা চৈরগেদো দুর্য্যোধন কিগ্রহুনা মুনিগী খোং পায়হনা হায়জৈ। গুরুদেব ননাই ঐ উইরুগুম তৌহুনা জ্ঞান তাজহৌদ্রে অপরাধ ঙাকপীয়ু মুনি শাউবা কন্থরক্লুনা হায়রকই। হায় দুর্য্যোধন ব্রাহ্মণগী সেবা তৌরিবা নং উইবা য়াত্রা ঐখেইনা তুম্না য়দ্রিযাত্ত উইরোইদবনি। নখোয় তরা পোৎথাবা য়াদে মঙা মঙা খাইদাকনৌ ঐখেই অনিগী সেবা ২না খোঙনাম নামদা ২না খুং অমমমদা ১না হুমাই থৌগল কায়বা য়াদে ঐখোই তুম্না য়াত্রা য়েংগে খোং খুং নোইয়ু। দুর্য্যোধন মচিন মনাও চামা অহিং চুপ্পা তুমদনা ব্রাহ্মণ ২গী সেবা তৌই। নোংঙানলমদাইদা মুনি অনিদু তুমথখরে। দুর্য্যোধন্না হায় ইনাওশা মুনি ২সি ফৎমন্দে চরম পাইদুনা লানহনগ্রসিদো অহুগা পাবুং মহারাজদা মলাক্লুনা শিরে হায়রশিদো দুশাসন্না হায়রকই দাদাইবুংঙো মাহু হৌনদে ব্রাহ্মণ কাংপা পাপ য়াম্না চাউই হায়নৈ মহু তৌগনুসি দুর্য্যোধন্না হায়রকই অতুনদি ইনাওশা মুনি অনিসিগা তিন্নবদা ঐখেয় খুদোং থিররনি, সেবা তোক্লগে হায়রুরবস্থ রাজদণ্ডি যঙঙনি। মুনিনা তুমথরিদৈদো মামা শৌকনিগা অমুক্তা তানরুখিদি অহ নতুনদি ইচিন্নাও ঐখেইগী উপায় লৈরেই। দুর্য্যোধন মনাওশিঙ্গা লোইননা শৌকনিগী য়ুমদা থুঙঙরে মামা লেংখংলো নমাক লাকচরি দুর্য্যোধন্না কৌরকপা তাবদা শৌকনি মিকপ থোক্লুনা হৌগংলক্লে। মপাল থোক্লকপদা দুর্য্যোধন মচিনমনাও তন্না লৈরম্না উবদা

এঃ দুর্যোধন ননাওশিঙ্গা চিথৈ হুন্নকপদা থাইরি কয়িগীনে। ননাওশিঙ্গা মামাগীদা য়োরকপবু ইমাক্তা কয়ি তানলিংবা লৈবগে। দুর্যোধনা হায়রকই মামা নমাকপু হন্দক (উমিশৌমি) অনিগী সেবা পু হায়রহনা পাবুং মহারাজনা তাকপীবদগী বোর যংনিংহুনা য়ারুরে তোক্লগে হায়রুবস্থ রাজ দণ্ড যংলগনি।

ব্রাহ্মন অনিগী চক্রি মতাংসিদি ঐগী লিংজেন মতাংগা চানদে ঐ ব্রাহ্মন য়ৈরুনা হস্তিনা রাথোক ওই হায়, ব্রাহ্মন অনিনা শাগ্লোহনা এনা উং ওগ্লি হায়, অমদি শোইরগোই মামা। ব্রাহ্মন অনি অসিগী হাক্তকতা ঐ মাণ্ডবা তারে করম তৌরগা ঐগী হিনবা উপায় কৈগদগে মামনা মন্ত্রনা অমতা তাকপীয় মুনি অানত্থ অহিং নেংশেইবা ঐখোইবু ওৎনগা হুন্ডিত্তা তুমথহৌরি। অহুনা চেঞ্জরকপনি মামা, দুর্যোধনগী রাহায় তাবদা শৌকনিনা হায়রকই, ইমাকহন হন্দক ব্রাহ্মন ২ না লাকপসিদি ইমাকশিংগী লাইবক ফংবনি রারুবস্থ। দুর্যোধনা হায় মামা কমদোনা মরম তাকপায় শৌকনিনা হায়রকই হস্তিনাগী মহু দা ইমাক্তা লুংশিদবা মীশক অমতং খন্দুনা মামদা হায়য়ু। মতু ইমাক্কি উশিন্তোহুনা থাজিনগ্রাসি ইমাক্তা শিগদবগী মহুত্ত মাবু ৎিকনগ্রাসি অহু ওইরদি ইমাকশিঙ্গি লাইবক ফবা ওইরদ্রেদো। মামা এনা লুংশিদবদি পাণ্ডবকি ভাগ পুকচাওবনি অহবু মরাম্বা যুধিষ্ঠিরনা যুবরাজগা ওইরেদো মানগা মতিক মগুণলৈদো। এনা- কৌবদসু লাকপিরোই। কমদৌনি।

শৌকনিনা হায়রকই দুর্যোধন পাণ্ডব মঙ্গাদি ইবাই ইবুঙ্গো মহারাজগী য়াথংদি হিক্তোগুবনি। ননাও অমা থারগা হৌজিকমক য়োরকউ নিংথৌগী য়াথংনি হায়রহনা কৌহল্লরো অহুগা ফংমল নিংথিনা লাংহুনা থমনি। শেমদা পুশিনগা মবুক থন্না পিজথোকসি মবুক থিংলৈদদি হায়জরিমথৈ য়াবা ভীমনি অদুগা শেবা থাজিনগ্রনি। অহু ওইরবদি ব্রাহ্মনগী চক্রিমতাংগা ভীমগী মণ্ডাওগা চাকচমাং যারোই ভীম উং ওনগ্রগদবনি ইমাকী এরুবা কোল্লগদবনি। শৌকনিগী রাহায় তাবদা দুর্যোধনা হায় মামা কৌহঞ্জরুরগে দুশাসন ভীম কৌরু দুশাসনা হায়রকই ঐদি মায়গৈ অসোমদা চংপা কয়া পাংদে ইনাওশিং অমা থাবিয়ু। দুশাসন নং কৈদে ভৈ কুষ্ঠ য়েণ্ডহুই চহি কয়া শুরহুনা পাণ্ডবকি মায়থৈগরামদা দিগবন্ধ ওইরিবনা। দাদাবু নন ও দুশাসনগীদি চহি মতাংগী য়েক্লবা, মতু, মহাকালমতু, লৈ হায়বগদি খর লায়রি ঐগীদি নোংমগী মন্নুং হোংদোক হোংজিন তৌবা লুরবা অমা লৈরি।দাদা য়াইমা ভীষ্মা লৈবা লৈবা মাইকৈদা ঐগী দিগবন্ধনি কয়া পাংদে ইনাওশিং অমা থাবিয়ু।দুর্যোধনা হায়রকই দুশাসন নংগী রাহায়রদি ভীম কিবগী রানি অণ্ডাং নংলকত্রবদবু মানা প য়ৈ য়ৈবা য়াত্রা ননাওশিং থানিবে

শোইবা য়াদে নং চেন্রো। পাবুং মহারাজগী য়াথংনি হায়রহুনা থুনা য়োরক্লবা তোরকউ সিবু য়োরক্লবদি ভীমহ্ন ইয়াম্বা তাইনরগে চেন্নো। শ্রীব্যাসদেবনা লেঙঙমলবা মহাভারত আদিপর্ব্বগী খারী অসিবু পামজবা পৌরানিক পরিমদনা ইমালোন্দা ইকবগী অশোয়বা কয়া চাকপীগনি ইতি॥ হরিবল, হরিবল, হরিবল॥

অধ্যায়ঃ—

দুশাসন্না ভীম কৌরুহুনা উগি শোমিগী সেবা পুহনবা মতাং॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় পুক্লিং চংন, তারো মহারাজ দুশাসন গঙ্গা রামা পাণ্ডববী যুবরাজ কোন্নুং য়োরক্লে। যুধিষ্ঠির যুবরাজ প্রাতক্রিয়া লোইহনা প্রাঙ্গন্দা যমহুনা নামশোন্দুনা লৈলম্মী। দুশাসন্ উবদা তরাম্না কৌরবই দুশাসন ইনাও য়োরকপবু পাবুংহন্না করম্না য়াথং তাকপীরক্লুনা ওন্থানা য়োরকপনো। দুশাসন যুধিষ্ঠিরবু খুরুমজরগা দাদা যুবরাজবু দাদায়ায় ভীম্বু কদোমদা ইমুংদা লৈ করি হায়গদবা লৈবগে পাবুংগী য়াথং দাদায়াইমা উনজবা লাকচর্বন। দুশাসনগী খোন তাবদা ভীম ঈমুংদগী তুমিন থোক্লরক্লগা তুংদা দুশাসন খংলাউ লাউবদা খংত্রেক খংহুনা অজ্ঞা হায়হুনা বিবদগী নিক্লুনা দণ্ডবতনা খুরুম্মী। ভীম্না হায় ঐনা য়ৈনিংহুনা লৈহৎগা ননা ওন্তনা লাবগা তন চারেদা করি পাউগী লাকপনো হায়য়ু। দাদা য়ায়মা পাবুং মহারাজগী য়াথং দাদায়ায়বু থুনা কোন্নুংদা লেংখৎলকউ হায়হুনা লাকচবনি। দুশাসন পাবুংহন্না ঐবু লেংখৎলবউ হায়ত্রা দুশাসন্না হেয় হায়হুনা খুম্মী ভীম্না পাবুংগী য়াথংদি কায়বা য়াদে। লাবউ হায়রবদি ঈখোংনা চেনখংবদবনিদো। লেংখৎলবউ হায়রবনি। ঐনু লেংখৎলবা দেলাই পোৎকপা? পুজরক্লে ভীম্না শামু য়াঈশদি য়াউজরকত্রে শগোল য়াঈশদি লোইনজরক্লে মুরপ্পা রথ য়াওরকপ্রা য়াওজরক্লে। পাবুংহনগী য়াথং কায়বা য়াদ বাহন য়াউরক্লবনিনা কূল্লু নরেংবান্দা লেংখৎলগে ভীম হোৌগৎলকপদা দুশাসন কিবনা হিক হিক কপতুনা হায়জরকই। দাদায়াইমনা খংলাউ লাউহুগা পাংখংখিহুনা খোগজ্ঞান খাইগে পোইগ্রমায়ে দাদায়াখনা নেংপিনবদি ননাও তেকপা

ভাবে ভাকপায়ু। মতৌচু উবদা যুধিষ্ঠীরনা হায়রবই ভীমসেন নংনা নমাওশিং লোইনম্মি কর্ণা থম্না লাউবা হুনা মিহুন ইচেন চেংখংলে। ভীমা দাদাইবুংগো ইনাওবু মুংশিন্থনা করেম্ভবনি অজ্ঞা নমাও য়োকন্নথিগে মঙ্গা খুরম্বগা দুশাসন লোইনমা থেংনুম্মে। হোজং ম্বাং লানবদা হায়রি দুশাসন নহানা মাং থারগা থুনা য়োবনি নং মাং থারো দুশাসন মাং থারে ভীমা তুং থগঙ্গা চংলি। দুশাসন কিহুনা ভবি ভরি চেল্লি ভীমা থংলাও জাওই এগী চংমিম্মরগা চেনথ্রিবা কম্বিগীনো য়েয়ুরা। দুশাসন কিহুনা ভম্না চংলি ভীমনা কপ্লাক্লা খুদ থিজনবা হায়রি নং এবু উশিন্নবরা নম্বাম্বগী মাংদা নং চেঙি চংনা কপ্লাক ভিংথোক্লুনা খুদি থিরম্লিবা য়েয়ুরা। ভীম মতৌ ভুম দুশাসনবু চংনহুনা চারমিম্মবনা য়োগদুবা থম্ব বাংজিন্দ্রেদগী দুশাসন রাখল ভোই এদি পাবুং মহারাজগী য়াথানি হায়রুই। সেঙ্গদি ইয়াম্মনা কৌবনি ওইদবা কায়জিন্রি কায়ুনা য়েংগদদায়াইমকা শোইদনা য়েবিবা ভারে। হায়া চেংথংকগা দুর্যোধন দাদাবু উইবিম্বু হায়রগে থম্বা মকি ভায়থংকগা যম্ব য়েলম্মী অহুগা দুশাসন কৌচুনা চেংথংগ্রে। দুশাসন শোকনি দুর্যোধনগী মনাক য়োকল্লগা হায়রকই দাদাম্ব ইমা লাকচোবে এ চেংথংচরম্ববা পাবুগী যাথংনি কায়রুই ওইদনা হায়জিনি হায়ুবগী এবু য়েবীবা পুরে মমগা দদাগা ভইনবিয়ু।

দুর্যোধনমা হায়রবই দুশাসন পুজাতশিং কোথোবউ মনাওশঙ্গা চেংশাক কাবাক চুহি শঙ্গোম লকেই গোল্লুগো কোলা নাই থুদেং ভতিরোম লাউরু। এ ভীমবু ওরুরগা পুশিম্লগে হৈ পানা হুক্কেই শম্বু লাংহুনা থম্ম থিমে হায়মগা দুর্যোধন থেংকগ্রে। দুশাসন মনাওশিংগা ব্রাহ্মণপুজারী কৌথরুনা পৈমল হুক্কেই লাংহুনা থম্মে। অশেংমদা ভীমন্তু দুশাসনা চেংথ্রিবই য়েংবদা শোকনি দুর্যোধনগী জাগাদা চেনশিন্ত্রিবহ উরে দমাংগা মাপমকা কোবা ভইরমগনি থম্মে। থবক চেক্লমাইগী কৌংবনি অহু ওইরবদি কোলা মিতম্মানা য়োথগা চারবা কানবা ইরজথোক্লগে থম্বুনা থাউরা চোংথহুনা হুক্কখেক্লে। দুর্যোধন কোজেদা থোকহুনা য়েংবদা ভীম ইরজচ্বিগা কেদ্রাইগী কেপ্তুংহু চেনোল চেশিন্নুনা লাকইবহু ভারে। দুর্যোধন খোজেল য়াংনা প্রাণভাই রাকেদব অকেসো অইসো ইয়ুম্বা ওইকবি হায়না ভরাম্মা কৌংকই। ভীম চেনশিন্দুনা খুরম্বা দুর্যোধন ভীমবু চেঙ্গেং শোবি ভীমা দাদাইবুংগো দুশাসনবু কদোমদা। এ ইবুংগো য়াউমা রামবহু কোমা থম্নসি ইরাম্বনা কন্নমল থম্ব লাংকরি লেংশিনসি অমুক্তা পবিথা। ভীম দুর্যোধন চংচক্লে ভীম চৌকনিবু খুরম্বা মনাওশিং ভীমবু খুরমক্কে দুর্যোধনা অজ্ঞাশিং লোইরম্বা।

মচাইবুংঙো লোইরে ইবুংঙো মাইমা লেংশিনখিরো কংশীবা রাবণনী ভীম কোলা-জকনা মানসিক্লা কংলে আচমন তৌদুনা গ্রাস গ্রাস লৌখত্তুনা লোইনা কংলে। দুর্য্যোধনা নৈ পান জন্দেহ লাক্লিল্লি ভীম লোয়না কংঙপা হায়রকই ঙসিগীসিমু দদানা কৌখিবরা? পাবুংনা কৌখিবরা? মাইমা ঙসিগীসি ইমাশনা কৌর্দনি ইনাওদি নঙম নৈলো লাকপীরবদি থবক মোইরঙত্রা থব্দুনা পাবুংনা কৌবনি হায়মু হায়র্বনি ননাওদা ফেংখ তৌরদু। ভীমনা হায়রকই দাদা মনাওমু কৌবীবদী মংম ফবিগী ওইরমলো। দুর্য্যোধনা হায়রকই। ভীমসেন ওরাংদু ইমাগী ইনাওশিংদা হরবার কুমপ্রবা মতুংদা (ভুমি পোঁমি) কৌবা ব্রহ্মাগী মশু মুনি অনি থুংলরে। মঙানি ওয়ানি বারনা চাদুনা ফকচাং থাকনি ব্রহ্মভূজন কংলু হায়রবে ব্রাহ্মণগী সেবা থমবদা পোৎচৈ লম্বুদা নিংথৌগী দাড়ি। মশা থাংলোদুনা সেবা পুখনা যুবরাজ রোমগী দাম্নি অস্ত্রা ভানরে ওরাংদু লায়মবা নংনহৌরদুনা ইমাশনা সেবা পুদুনা লৈরি। মমম অদুনা ইনাওমু সেবা পুবা কৌবনি ব্রাহ্মণ হৌগংলক্লগনি ব্রহ্মখাংবা মৌরো বারনী। ভীমা হায়রকই মাদামু ভাবপীবিবা রাধমদু ননাও চিংনবা থর লৈরে থিংথৌনা রাজ্ঞে যুবরাজনা লাইবৈ হায়বগী মচা ভুনা থমবা রাকমশুম থোরক্লে।

অদু ওইরবদি লেপ্লে কনা কনানা জ্ঞানদিবা রাদত্তো পাবুংন্দা হক্লংলুনি লাইরবমু রোকথংশীবা মতুনা ভুবংশীমবদি লাইবা প্রজা ফিংবা রাদপনি। হদক থক্কনি পাবুংননী থিংচৎ থিনবা শিদিবা মক্রি মখম লৌখোকহনগে ভীম মাকী ইগুন থওনমু। ভীমগী রাকমসি ভাবদা লৌকনিনা হায়রকই দুর্য্যোধন ননাওগি ভশেরী রাকমদা হায়জো মন লেংলবদি মাবিগনি লানা হায়ক্রবদি হত্তিনা রাথোক ওইগনি। দুর্য্যোধন খুংশাখিরক্লদুনা ভীমদা হায়রকই ইবুংঙোমাইমা ইমাশনা পংক্লুনা রাহায় অদুম হায়রগা মশাদবে,ই নিংদুনা হায়রবনি। ইমাগা অংংবা হায়জবিগে ব্রাহ্মণগী সেবাসি পাবুংনা ঐদোদা শিরবান। ঐনদি সেবাগা নথোমজদা নৈজদেদো ব্রাহ্মণগী মতকা ঐগা চানদে। পাওনিংদুনা ব্রাহ্মণ নৈরক্লংগা হত্তিনা রাথোক ওই ইমাগী ইনাও মতাগী গুন মাঙখংবা থম্মুনা ইনাওমু কৌজবনি ইমাথগী ইহুৎশিনবিদুনা ব্রাহ্মণগী সেবা অমুক পুবিয়ু ইনাওনা চানবিনবা হায়দুনা ইমাশনা কনমন সেবা চংজরিবনি।

দুর্য্যোধনগী রাহায় ভাবদা ভীমনা হায়রকই দাদাইবুংঙো ঐমু চানবিবসি ওহোক্লা চানবিদা। ব্রাহ্মণদু চক্রি কংলম্মরোই পাউরকুনা উং ওন্নুর্ন কিবদগী ঐমু থাজিল্লগা উং ওনগ্রমমু সিনী। মামাগা দদাগনা অতুক নুংশিবিরমমু ঐনা মাদবা রৌজবরা মীনা

যোন শেন্না ঐগী ইমুং ভীম নং খন্না শিবিদো হায়রবদি ভীম ঐদি শিবিদ্রগে হৈরবনি । অদুগা ব্রাহ্মণগী মেবা শেইরগা ঐমা উং ওনখিবা মেবা শোইক্রেম্না মুনি অনিচুপা বোরি অমবক পিরম্মজিদো। যোরদো ঐমা কক্কবা য়াংঙে। দুর্যোধনা হায় য়াইমা যোরদুনি ইনচকু পাণ্ডী ঐ খাম পুখোবক্লোইখিবমিনা যোরদু অমমম কংখিরসি । মকপু মাইমা ঐ চৌকতেই যোর কংদে নজি শাপ কংলে মজি ওইক্রো মরংবসি মেবাদু পুক্তে য়াথাংগা অমুক্তা তানখিবো। দুর্যোধনা মামা কমদোমিগে হন্নকই লৌকজিনা হায় দুর্যোধন যোর পাণ্ডবদু। ননাওনবু য়াবিরবগী লেইরে লাইবক কয়রনা। শৌকনিগী হায় তত্রবদা দুর্যোধনা ভীমগা হায়রকই বৃকোদর যোর কংলে উমাংগী শকুন শাপ যংলে হেনাংগী শকুন ওই কে মেবাগী মই পুখিরো। ভীমা মরকই মতমু অদু ওইরবদি থবক মোয়না। ইমাও তরা পিদু দুঃশাসন হেনাও য়াওরনবিদু। দুঃশাসনা হায়রকই থবে মথাকাইমা ননাই ঐখোয় লেপ্রে। ভীম ননাও তরা পুক্না ব্রহ্মযোগ্না লাক্লে কোকো: মৌরকপদা ব্রাহ্মণ অমি য়াকোইরকপগী মেবা অমতা লৈরমগদবা অদুনা মরি খঙদা নুংঙা য়াইদুনা লৈরা উখে। ভীমনা দুঃশাসন ব্রাহ্মণ অনিসি চক্রি কয়েবে মথাকইমা ওখোক্পা কৌখিরে ঋষি অনিং ঐখোয়বু সুকতুম ভুমকত্রবদো অদুনি মথং অনিসি ইয়পা শুনেখেলো হনি অঙা।

দুঃশাসন ব্রাহ্মণ অনিসে উইরমারে। ভুমিন্ন চংঙা ব্রাহ্মণ মচা অনিদু অসিদা হায়দুনা খক্লাও লাওগেকো। নবেই হরমক মান্নি মান্নি হায়দুনা পুথাক থুদগা চোংওরো মুনিগী লিন্না য়েংসি হনি মনমাইমা। অদুম হায়কদুনা তুহিন্না চম্বকগা (উমি শৌমি) নুংঙা য়াইবগী নুংঙাইদুনা উইরি ভীমনা তুংদা চেন্নগা ব্রাহ্মণী মচানিগা অনি থাবনা চানি লাকই হাইদু রামন মচা অনিসিদা মাং মথওরকপদা মনাও তরাদু মান্নি মান্নি হায়দুনা থুবাক থুদগা লাউদুনা চোংঙি ভীমগী খজু হাংকপগুম যোলাও অদুনা খংত্রক খঙদুনা (উইদ্বা উমি, শৌমি) অনিদু মাংনিমখদা হায়খদুনা থরো থরো ওরে। অচিংজেদ্দি খবনিনা কুক কুক লৌগংলগা ভীমু শংত্রিক য়েংলগা মীওইদুগা খোলাওদুগা হাকাংগা লাকখুনা হাকনবা ভুমদদুনা শাওবনা মিক্তি-তী হাংগা অর্জেনু চকি কয়া শুরবনো হায়রকই। ঐ চকিদি খজুবেইনা মনমগনি, ঐদি ঠাকুরখোয়গা য়েংনরবদি হদংগী অহাংগুবনি। মুনিনা হায় নামগোত্র হায়া হায়রু, ভীমনা হায়রকই মুনি, কুন্তীগী মচা পোকপা পাণ্ডবদি ভীম মীনা কিনৈ হায়রদু হাকনি। মুনি অনিদু বিষ্ণু বিষ্ণু হায় ভীম অথাংজবা নংনা ঐখোয়বু ব্রাহ্মণ মচা হায়রবদি থকসি খাসিদু মাইদা নং ইহ ওইনি ঐ।

ভীম নুম নুম মুনিগোন্দ অনিমক লেনবই, খুরমজরি হায়রুনা দণ্ডবত তৌলি হৌসংলগা খুৎ লোমদুনা হায়রককই। মুনি অনিনা ঐ কায়না, শাংবৌরিবহুব্রু ঐনা। ব্রাহ্মণ অচা হায়রগী ওইরুবরা? অয়ুক্ত নজুগা অন্তাং নংনা, ব্রাহ্মণী মক্ত যুগ অয়া পুক্তিরবা ঐখোইবু ব্রাহ্মণ মচা হায়রদি নত্তিক ঐরা। ভীমনা এং এং গুরুদেব অনিমক অহুনী ওইরবদি শাংবৌরুম্ব ব্রাহ্মণবু ফোক্রিমচা হায়বা মাত্রা। অক্তাখোইগুম্ব ঐখোই ব্রাহ্মণ অচাদি হায়রা অদুবুদি খুদুরো মীনা হংলরদি হায়নে, তো: অদুগুম্বা ঐগু খংদনা ইনাওশিংদা হংজবনি, ঠাকুর অনিমক শাংবৌরম্ব। ভীম মহোইনা হায়রিমক অহন ওইবনা অঙাং ওইবদা ঠাকুর বাপু কৌবগুম নং অঙাংনা ঠাকুর হায়রদি ঐখোয়বু উশিন্দরা। ভীমনা হায়রককই মুনি অনিবু লাইরিক তম্বিরক্কা এঃ ঐখোয়দা নংনা লাইরিক তম্মক্কা হঙ্গিরদি নত্ত লাইরিক অয়া নৈরদুনা। নঙনা অমা লাইরিক্তা ব্রাহ্মণ অহনবু ফোক্রি নহ,না ঠাকুর হায়রনা ঐখোই হায়দুনা খাঙত্রা মত্তোইনবা নত্ত শাপ কংনিত্রা। ভীমনা হায়ংকই, মুনিগোম অনিমক শাপকি ব্যাধি ইকান নৈরবা চৈথিবু ঐ মাজগাকি অক্তা অনিবু লাইরিক কনা তম্মরপা ওইরমু হায়দোক্কবা বাক্যা, অর্থ মংদনা ঙক্তা তাক্তিং, অহুনমি ঐনা লাইরিক তম্মক্কা, কংজশিনদি এ উমি কৌরিবা কাম নংনা ঐখোই ঠাকুর হায়দুনা খ্রাইটনা কৌরিবা লাইরিক্তি অর্থবা হায়দু হুম্ববদি মানি চুমহুরুদি উই ওইরো হায়দুনা চৈজনি।

ভীমনা হায়রককই অর্থবু অর্থ হায়জরকে ঠাকুর অনিমক (বর্মামাং ব্রাহ্মণ গুরু) মীওইবা খৈবিক্তি গুরু ব্রাহ্মণগী ব্রাহ্মণদা ঐ বিষ্ণুগী নাভিপদ্মগী পোক্কপনি। বিষ্ণুগী অংশনি ব্রাহ্মণ অনিদি ব্রহ্মাদগী অহুমশুবা গুরু চেরবা সংব্রাহ্মণনি। গুরুদেব অনিবু ঐনা নিংজরিবদি দেবাজন্দা লেখা তৌরিবা শ্রী কৃষ্ণগী সেবাবু ঠাকুর সেবা মনি মন্দির চৈথা মজম্বু ঠাকুর বাড়ী হায়নৈ মরম অহুনা শ্রী বিষ্ণুখক মাংরবনি হায়দুনা ঠাকুর হায়জবনী। ভীমগী অর্থ হায়বা ভাবদা শৌমিকা হেংরককই দাদাবু ভীমনা হায়বা চুঙী ইচিন ইনাওশিং ভাব অদনুনা শাওরিবনি ভীম অসিগি ভক্তি মক্তা নৈবা অর্থ চুপ্পা খঙবা পণ্ডিতনি উম্বি মনাও শৌমিগী হায়োবদা শাংবা হৈমংনা ভীমদা হায়রককই ভীমসেন মঙ্গি অর্থ হায়বা খনত্র ঐ শাংগ্রে নহাক্কা লাক্কপবু করি মরমগীনো হায়রুন ভীমা হায়রককই অক্তা নমাই হাকচাংশ্র ইচিন ইনাও ১০৫ অসি পাবুংনা অম্বাসুনা ব্রাহ্মণ নৈরবা অতিথিগী সেবা লাক্কুপ পুনবসি।

ঐগী লালুপদে থোক্লহনা গুরুদেব মানগা সেবা লৌকচাংলিবান ভুমিনা হায় ভাব

নখোয়গী লালুপ কয়ানি কারগা কয়ানি লৈপ্রে । অদুগা মতু খাইগী্দী অরানি কারগা কুম্নি লৈপ্ল্রি ঐগী থুম্লিং মশিং নাইদ্রে চহি অমা কাওবা কাদবসু লৈ কুইনা লালুপ থোক্কপা মথমসু য়াওরবই । য়াইমা খুয়গা নংগা মানদ্রিবা করিগীনো অদুগা মতুদি সিনী ব্রাহ্মণ মবুকক্কবা লাকইমথে ঐখোয় সেবা পুরগে নশাক্তি লালুপ কারগু। ব্রাহ্মণ চক্রি যত্তবা লাক্লবদি নত্তাক্কি শরক ওইয়ু হায়নবা নিয়মননি, হায় ভীম ঐখোয়বু কক্তে হায়বদি কনানা হায়য়কই। অদুগা মতু ঐনা গুরুদেব অনিবু ফত্তে হায়জবগী রাফম নত্তে দাদাইবুঙগো দুর্য্যোধনা ঐঙোন্দা সেবা থাবিরকই হংবিরকপগী নিয়ম অসি লৈ হায়জবদনি উমি, শৌমিনা হায়রকই ভীমসেন নং ঈপাখোয়গী সেবা তৌগনু ঈপাখোয় য়াম্না ফিঙজি নঙ্গী মতৌগা সেবা শোইরক্লগা রাজায় অনিদা উং ওইহনা মাঙ্গনী পাম্মুই । গুরুদেবখোইনা চৈবসী, লোন্না চৈংদরা ঐঙোন্দা তাকপীগা চৈংদরা করি রানো য়াইমা । লোন্না চৈবা কৌনবরা নংনা তৌবা সেবা শোইরে চৈবা তারে তাক্লগা চৈংদবনী রাহায় অনিদনী ভস্ম কৌও অসিদমী । ভীমনা ভালো অদুগা ঐগীসু অমা লৈকে খানরসী ঐনা হায়ে ঐ লৈকোনে, অদ্দাখে ইনা হায়ে, অদ্দাখেই লৈকোবা নাইবক য়েনসী সেবা পুবা তারে য়াইমা লৈমিয়বা তারবদী নঙ্গীদুসু ইপাখেয়দা তাকউ খংদোক্লসী য়নী অদুগা হৈরমদাইদা ঠাকুর অনিমক খত্রাং লেপ্লীমু ঐসু মাংদা অমম্না লেপচনী হায়রগা খুং য়েৎ ওইহ ... কাচী শারগা উংলি। য়াইমা খু অনিহ করি তৌগদোরবনো, অদুগা ... স্না- তাগ্রিরৈদা ঠাগু অনিগী চংমদা হঞা য়িক য়িক্তা অদুগা অনি ... হানরগা ঐনা উং ওইবা হানবা তাম্নগদো রবনী এ য়াইমা নঙী নখুনা ব্রাহ্মণ ... মতু অদ্দাশিনা য়াইমা নঙ্গী পেং-বেং খর হন্দোক্লো ঐখোয়গী ভস্মসু খর হন্দোক্লগে হায়নহনা তিয়বদগী সোইনবমক্তি য়াওনখ্রী । মরে য়াইমা নঙ্গী খুদাহ উবদা মাংইহগা ইপাখোয়সু থুক লাওই ঐখোয়গী ভস্মসু খর হন্দোক্লগে নঙ্গী পেং-বেং অসিসু খর হন্দোক্লো। অহগা ইপাখেইদা গৌড়িয়ানী খর কুপ্না চংলি নদি কমদোই ভালো অদুগা ঠাকুর অনি লেংডক্কপসী ঐগী নিংবা হেক খুডডৌদা। য়াইমা কমদোনা এ অদ্দা ঐ গৌড়িয়া কুপ্না তমজংনই ব্রাহ্মণ গৌড়িয়া হৈনা খম অনিদং লাক্লবদী অমুক্তা ফাংনজনিঙ্ডৌবনিম অদ্দা । মরে ভীমসেন হন্দক্তি গৌড়িয়া অয়োবিদা ফাংনরসী নংনা হেল্লে নঙ্গী নখুংহা ইপাখেক্ত ফংগ্রগে । ঐখোয়না হেল্লে তম্পদা নংনা শংজক্লৌবা অতুনা অহেনবা মশা থানসী ব্রাহ্মণ অনিসু ভীমসু লিন্দা খবা ডাক্লিনা অপঙ্গা লেপ্লরে ।

ভীষ্মা অমূক হায়ৱকই অজ্ঞা অনিমক হায়নখ্রবা ৱাদী শোঈনন্নুসি ঈনাও তরাশি থবক নোমহন্নবনী। শাপ তৌৱবসু ঐঙোন্দা, বর পীৱবসু ঐঙোন্দা মথোয়দী ময়ুম নকই ময়ুমদা চাহল্লগনি। ঐদী গঙ্গা ৱাংমদনি খর লাগ্নী সেবাগী দাইনি ঠাকুরশিঙ্গা থানবা য়াদে ঐগী চাক্তী অজ্ঞাশিংনা হাপকদ্রা হাপপোঈদ্রা মসিমা তাকপীরো। উমি শৌমিনা হায় সেবারীগীদী হাপকনি ফরে ঈপাখোয় স্নান তৌরুরগে হায়ত্নুনা গঙ্গা তান্না চৎখ্রে ভীষ্মা হায় দুশাসন ব্রাহ্মনসী গৌড়িয়া শিদোক্কে যম্বিহ্নু কোকথোং তরাদং হোল্লু ঈশিংগা নৈরগা ৱালহৌশংদু খুজেং য়ৌনা হৈজিল্লু। লুক কৌনব শীংহ্নু পুন্সিল্লগা পুথ্রিদা হিংহ্নুনা থম্মু চক্রি ফত্তবা লাক্লগে। ভীষ্মা হায়বদু মনাওশিং লোয়না তৌরে অনিমক ভোজনগী লৈপত্র, হৈরুক পানা, ধুক বত্তি, চন্দন তকপা, লাংহ্নুনা থম্মে। ব্রাহ্মণ অনি স্নান কাবক্লুনা তিলক ধারন নাম মন্ত্র লেইহ্নুনা ৱালহৌশংদা চঙউকপদা দাড়িদা কাখৎলুবদা নমুহ্নুনা ব্রাহ্মন অনিমক চুৱিদা ওল্লে। ভীষ্মা অজ্ঞা অনিবু ঈরোঈবীগেরা ঈশিং হৈজিনখোরা ৱাহ্নু তাবদা (উমি শৌমি) মৈ তৌবগুম শাওহ্নুনা হায়। ভীম করিগীনা যম্বি নৈরগা খুজেং য়ৌনা হৈজিল্লিবা ঐখোয়বু লুখম কায়হনগে তৌবরা এ অজ্ঞা গৌড়িয়াগী অয়োবা তাৎপর্য্যনি এ যম্বিনৈরগা হৈজিনববু করম্বা গৌড়িয়ানো। ঠাগু অনিদী গৌড়িয়া য়াম্না ৱাংলিনা তাকত্রবদি খঙউরোঈ ঐ ৱারি ওঈনা লিরগে মুম্না তাবিয়ু। ব্রহ্মা অহিং ওইরক্লুনা তুম্বা মতমদা খিরদশারি নরায়নগী নাকোংদগী পোকখিবা (মধু কৈটভ) হিংচাবা অনিনা লোম্না চংহ্নুনা য়েবদা বেদ থেনরঈ পাহ্নুন, য়েবদা খঙেউ মানা। শৃষ্টি তৌবগী বেদসি লৈবননি মাসি পুত্রসি অহংগা ঐখোয়গী য়েন্নবা লাঈশিংসি নমথরসি। খন্নরহ্নুনা পুহ্নুনা লাকঈ পৃথিবী লৈপাকলৈমবুসু ফাহ্নুনা মখোয়গী পুজারী ওইহন্দুনা রসাতন্দা লৈখরে। পুৱিনবা শক্তি লৈত্রবনা পৃথিলৈশাসী মখাদা নমথখিহ্নুনা সমুদ্রনা গ্রাস তৌহ্নুনা খগু প্রলয় ওঈখরে। ব্রহ্মাগী অহিং লোইহ্নুনা তৌগংলকপদদী যজন কোটি য়াঙ্খে চাওব অগুসী প্রলয় ওঈরম্লনী। অমুক নোনা শেমগদবসু বেদ লৈরমদ্রবহ্নুদা উমাদ্রে হরিদা হায়জরুই, শ্রী হরিনা ভাগী মশক ওঈহ্নুনা ঈশিংদা লুপ্লুনা চংখ্রগা বেদ লৌখৎলুরগা ব্রহ্মাদা পীরে। অহুবুনী দশ অবতারগী অহানবদা মীনশরির হায়রিবহ্নু ব্রহ্মানা পৃথিবী ফুকৎপীয়ু হায়জবদা শুকর অবতার ওইদুনা রসাতল য়োঙ্খ্রগা মধু কৈটভবু কাংলগা পৃথিবী লৈশাদু য়াতোন্দা হাপ্লুনা। লৈপাক লৈমবু ওইগী পাম্বোম্না লোনবীরগা পুখৎলক্লুনা হান্নগী ফিভম চানা থম্বী ব্রহ্মাদা হায় মধু কৈটভগী মশাসিনা য়াঙখ নহ্নুনা পৃথীগী অরাংপা মেনশিল্লু শ্রীহরিগী য়াথং মতুংঈন্না শেমখি।

মসম অদুদগী পৃথী , ভুমী , মাটি হায়বা মীংথোল অসিদগী (মেদীনী) কৌনখ্রিবসী মধুকৈটভ অনিগী মেদশদোং শরু শয়াং পুম্নমক য়াম্লিনখী হায়রুনা মেদীনী কৌখিবনী । অদুগী প্রায়শ্চিৎনী অচা পুজাগী মতমদা রাইতৈব খুদিং মখী হাপ্পরিবনী , মরম অদুনা গৌড়িয়াদা মখী নৈরগা হৈজিংবদু অয়োবনী । ভীমসী রাহায়দু খেংকম লৈতবদগী উমি শোমি অনিনা হায় ঐখোয়দী মখী নৈরগা হৈজিনবা গৌড়িয়া অসি খণ্ডনমদ্রে । মতুংদা কংনা থম্মো নহাক্না শেংলে হায়রবদী ঐখোয় য়ারগে , ভীম্না মনাওশিংবু কংনা তকথোক-হনখ্রে । দুশাসন শিং লৌখৎলুরো দুশাসন্না পুখ্রিদা তিঙ্ডীবা শিংদু লৌখৎলগা লাম্লিন্নে ব্রাহ্মণ অনি মচুম তারিবানিনা মৈ থাগৎপদা চাক্রে । ভীম অচোৎপা শিং পীরিবা কহিগীনো ঙাকংবা লৈত্রা গুরুদেব অকাবা লৈ মাড় শেংনবা হায়রুনা ঊশিংদা তিঙ্ডুরিবনী । য়াইমা কহিগীনা এ ঠাকুর অনিদা গৌড়িয়া ভাব তাদ্রিনা , শিংসি পাম্বী কৌরিংদদী হিঙ্ডী-বনিনা ঈশেং শেঙ্ডী , কঙুবদা মোড়া কাষ্ঠ শিরবনী মাংলে অদুবু মৈনা শোক্লগা শেংনসী হায়রুনা শিজিন্নরি শিং অসি অমাং অসোই শম্লে চই-য়েন্নয় শোক্লগী । অদু কুমংদা কংকদোরিবা লুক হৌবদা দোষ ওই হায়রুনা শেংনা চামথোকইবনী অজ্ঞা । ভীমগী অর্থদু যজমনগ্রহুনা উমি শোমি খুমথাম খণ্ডহুনা ইবুঙঙায়াইমা শিং চাম্না গৌড়িয়াসী ঈপাখোই খণ্ডনমদ্রে মাসিমসু নহাক্না শেন্নে । মতুংসী অকংবনা শিজিন্নরসী ইপাইচা য়ানবসী মীঙোন্দা হায়দোকউরনু য়াইমা । ভীম্না হায় অজ্ঞা ঐবুদা গৌড়িয়া তৌরনুসী য়াই ঠাগু গনিনা । গৌরিয়া বুপ্পা চৎনসী হায়বগী তৌবনী ঐনা হেনবা অনি দুবেদো । শিং তকংবা পীরে ব্রাহ্মণ লৈরং মৈ পাঙ্কৎলে য়াইমা চেং পীরো ভীম্না চেঙ্কোক মঙা ওরগা লাক্লীনকল্লি । য়াইমা উসব ওইনা হৌ হায়রিবা । অজ্ঞা নত্তে কুনংদা কংলগা ঈপাইচা ফংননবনী য়াম্মাদা য়াইমা ইপাখোই উতাং অমমঙাই ফঙুবদা । অজ্ঞা অদুগীদী ব্রাহ্মণ পাঙ্গল শোত্রি হায়রুনা থম্ম অজুদনা কৌবনী চাবথোং থুদিঙ্গী চেংকোক মঙা মঙা কাপখিগনী । কনানা চানবনো ভীম অজ্ঞা ননাই সেবারীনা , লেমহনবদী য়ারোইকো ঠাকুর অনিনা সেবারীগী চাক কাপকনী হায়গ্রবনিনা । ঐনা ওল্লকপা হেন্দু খোংবা ঙমদগা ঐগী পেৎথাজিল্লকপা চাক চাবা ঙমদ্রগনা অজ্ঞা অনিনা ভস্ম চৈবীবদা য়ানরবা অসিনা । উমি শোমি অনিনা খররে ভীম অসি চক্রি ফৎমন্দে শিদ্র য়েংলগা উং ওইহল্লম্মসী লেপনরহুনা ফরে বৃকোদর নংনা হায়বদু ইপাখোয় য়ারে । ব্রাহ্মণ অনিনা চেংকোক মঙা ইনচ্ছাং মথেল কয়া হৌবা লোইরগা লুক কংলে । য়াইমা ইপাখোয় ফঙুবগেদো ভীম্না ঠাগুরখোইনা পুজারীনী ঐনা

হান্না ফঙ্গদবনী অজ্ঞাখোইনা। পরিবেশন উদব ফংবদা পুজারীনা হান্না চাবা থেংনবিগ্রবরা অতুগী হায়রবদা চুপ্পী ঈপাখোয় হাল্লগে ফঙভরো ব্রাহ্মণ অনিগী থর থর থাক্লগা চাকয়ামত্তু ভীমগী পুল্লপ শেম্মগা কংবা য়ারনী তাক্লে। ভীম প্রসাদ ফংঙে ব্রাহ্মণ অনিনা পরিবেসন পুরন ওইরে আচমন তৌরে ইনাওশা শেংদোক্লো পুজারীগী চাকলুক থাবা য়ারনী হায়রম্মগা খুংশা চিন শেংদোক্লগা আসন্দা ফমল্লে।

ব্রাহ্মণ অনিস্থু প্রসাদ ফঙ্ঙিঙ্গুইঙেদা নখোয়স্থু চারুরগা থুনা লাকউ হায়হনা থাদোকখবে। দুশাসন মনাওশিঙ্গা ভীম কিবদগী চেঙ্গা চাংগা থুনা হল্লক্লে ব্রাহ্মণ অনিস্থু প্রসাদ ফংবা লোইহনা আচমন মুখশুধন লোইরগা আসন্দা ফম্মে। হৈ পান সেবা দুশাসম্না ভীম উমি-শৌমিগী লোইংগা শৈঙ্গা তহুম শেম্মে। ভীম্না অজ্ঞা অনি ঙাইহাক পোংথাবিয়ু ইনাওশা নখোই অনি অনিনা অজ্ঞা অনিগী কাংহায় চামর সেবা মরিনা এরেঙোন্দা অনিনা নুমিদাঙ্গী থৌরাং লোইশিল্লু। ভীম শিন্দোক্লগা পোংথারে ব্রাহ্মণ অনিস্থু পোংথারে ভীম ব্রাহ্মণ লাক্লুরগে খন্দুনা অজ্ঞা অনি মতম কুইনা ব্রত তৌরুরবনী। ছন্দেছ হুনা মথেল মথেল য়েংসিদো কায়রকই ব্রাহ্মণ অনিস্থু ভীমগী মণ্ডন খুদেচুনা য়েংসি য়াইমা কায়রদনা ক্ষির তৌকন পুরি পুং রতু খিলিবী কচোৱী ছন্দেছ কয়া হৌহন্দুনা নুংঙ্গি খুদিংসী পোথাহন্দে চাবনা ভীমনা। চাকথোংবদস্থু চেংকোক মঙা মঙা চরা খুদিং কাপকংলকই। ব্রাহ্মণ মচিন মনাও ভীমগী পুজারী ওইবদা মপুম থিংলে। ভীম ব্রাহ্মণ অনিসী মণ্ডন্দা মনৈবা মীরোন্দি পঙ্গুী লাক্লগে খন্দুনা হায়রকই। অজ্ঞা অনি ঙসিদগী নুমিৎ মঙানি ব্রাহ্মণদা ঈশিং থকপা য়ারৱাই ইরুজবা চিন তেংবা য়ানী মরিক অমতং য়োংখবদা ব্রাহ্মণ হুম্মা হাংনি। থৌরাংঙক্কনবা মঙানিগী শরক থকচিনবীহৌরো পুংমুক্তি য়াখিনী গঙ্গাগী রজশালা লাকদবা পুং অমত্তা ঙাইরে। করি লাইরিক্কি মতনো ইপাখোইনা তম্বকপদা য়াওদেন অজ্ঞাখোইদি কনাপা তম্বী ভীমসেন এখোইদা ইদুঙো ব্রম্হাদা তম্নকই। ওং ওং ঠাঙু অনি মঙনেৎোই ব্রহ্মাদু এনা তম্বিবদা অদুগী মতাং অধ্যায়দু য়োদনা তোকশ্রবনি মানা হৈতচুনা তহীরক্লুবনী। নুংশিদা টেঙু অনিদী ব্রাহ্মণদী ওইংগা ওন্থাক্লা ভাব তাদনা লৈরম্মীদা চাওরবা ভীম উপপুরাণ কৌবা লাইরিক্তা য়াওরী। কোম্লথংদদি লাইরিক লেংবা কবিশিংদা মতাং অদু বামন পুরান ইবদা এনা তাকপীহনা হাপগ্রবনী।

খনিংলগা বামণ পুরাণ পাঢুনা য়েঙহু লৈরমগনি ভীমগী রাহারত্নুনা লৈরমগদবোই খন্দুনা উমি শৌমি চাশিংথক্কুনা য়েঙেঙ। মঙানিগী শরুক থকচিনবা য়াবা হৌনদবনা থর থরুগা তোক্ক নুমিং তারে সন্না ভোজন লোইরগা ভীম্না নুমিদাংগী চাক থোক্কংলো

হায়রে। উমি শৌমিনা হায় ভীম ঈশিং থকপদি য়াত্রগা কমদৌনা চাক থোঙদৌরিবা। ঠাকুর অনিদি অথোংবা চাবা য়াদে সেবারিগী থোংবিয়ু হায়রবনি অজ্ঞা অনিনা চেংকবোক ওইনা তৌবীয়ু ব্রত তৌবদী য়াদে। ভীমসেন ঐখোয়দি য়াত্রগা নহাক্তি কমদৌনা য়াখি-বনো, অজ্ঞা অনি লাইরিক ভম্বদা লাইগু খংদ্রে। ঐ হায়গে তাবীয়ু ব্রাহ্মণগী বিষ্ণুগী অংশনি গঙ্গাদী বিষ্ণুগী চরনদগী পোকখিবীনি ব্রাহ্মণগীদি নচা থোকই। গঙ্গাদি পতিত পাবনী জগৎমাতা হায়বী ঐখোয়গীদি ঈমানি মমাগী পঞ্চমীগীদশা লাকপদা মচা ওইবমা মমাগী অমৃত থকপদী দোষ লৈতে। নচা ওইবীনা খাতু লাকপা মতমদা মখোইনা শোকপা মপা ওইবনা চাবা থকপা য়াদে। মসি শাস্ত্রগী বিধিনী ভীমগী অর্থহনা ফজমনগ্রহনা ব্রাহ্মণ অনিহু য়ারে। নুমিৎ মঙানিসী ভীমগীনা থোঙুগা পীজবা ব্রাহ্মণ অনিনা ঈশিং য়াওদনা চেংকবোক চাবা। উমি শৌমি মচিন মনাও চিক্কা খন্নে ঐখোয়বু ভীম্মা হায়রিমখৈ য়াহনা মান। ঐখোয়বু লাক্করে। লাইরিকী অর্থ তৌনদুনা অমুক্তদি য়েঙুঙসি লেপ্পদুনা মাঙ্গোলদা থোক্কগা হায়রকই। য়াইমা ঙসিদা লাইরিক অর্থ তৌনসি ঐ-খোয়না পংবনা ইপুম থিংলে। ঙসিদী পরিক্ষা লৌনবদা নংনা শোইরবদী ইপাখোয় লেপ্পা তোক্করোই শাপ তৌগনি। ফরে ঐজ্ঞা অদু লাইরিক লৌরু হায়বরা ভীম লাইরিক য়াওদ্রবসু বাপ সংস্কার অসম্বদা পাখোং ওইনা য়েংনসি। যরে অজ্ঞা অনি চনবীরকও। উমিনা (গোঃ দেঃ) করিনো ফোঙঙ ভীমনা মহু অজ্ঞাদি অর্থ করি হায়না লৌই। ভীম গোঃ সন্দনা যগবু খংনৈ দেঃ সন্দনা পীযু হায়বা খংনৈ। ভীম্মা হায় মহু বাল অর্থনি ঐনা নবুধো ব্রহ্মানা অঙং ওইরিদৈদা তম্বীখিবনি। নুনা অহংমক তম্বীরম্মনী অদু নত্তবা তাৎপর্য্য অর্থ অমা লৈরি হায়গে। গোঃ সন্দনা কেকু দেঃ হায়বা সন্দনা কোংকোংঙম্মী গোঃ দেঃ হায়বদি কেকুলোংপী শান্নববুসু খংননি। শৌমিনা ঐ অমা চল্লগে (করি তকি) করিনো য়াইমা ফোঙেঙা এ ঐজ্ঞা মাহুগী অর্থ অমুক্ত হায়রকউ। শৌমিনা করি তকি হায়বসি মনাহি হায়বা উহৈহুবু খংনগনি, ভীম্মা মহু নপু ব্রহ্মাদা অহম্মা তম্বীখিবনি মহু বাল অর্থনি। তাৎপর্য্য অর্থদি সুম্বন য়াংকোক সুক ফোঙুববুঙ খংনগনি, ভীম অমগা চনখিগে (খর খর আয়তি করঙ্গতি পকো) কোঙেঙা য়াইমা। মহু ঐজ্ঞাখোইগী অর্থনা করি হায়, বৃকোদর হায়ররোই ঐখোয়বু হায়া হায়দোকহল্লগা নহাক্কা অর্থ অমা হেক্কা হায়জিল্লি মহু ঐখোয় য়ানিংদ্রে নহাক হায়া খোংখো। ভীমহু ফোঙদবা অর্থ খংদে যোংদ্রবস্তু ব্রাহ্মণগী শাপ ফঙনি রারক্রুনা মবুঙেঙা গেবিন্দবু থমোইদা কপ্তুনা থোক্কানবিয়ু হায়না নিজরকই।

অন্তর্য্যামি ভগবান্না উবীরহুনা মনাইগী থম্মোয়দা ঙানবীখী, ভীম কৃপা লাব্রবদা মোঙোন তৌরগী হায়রকই। ঠাকুর অনিবু ঐনা কৈহননিংহুনা তাৎপর্যা অর্থ তাকপনি

অদুবু চিংনরমল্লে ফোঙও, মাদ্রে হৌজিক ঐ তাক্লগে। মপা চাবা অমা শেমদোক্লগে খল্লগা হায়রকই অজ্ঞানা চল্লিবা পাখোংদু ময়েক সোইনা চল্লে। খর আয়তি ফরঙ্গতি পকোতু ফরঙ্গতি হৈরাই লৌনা পকোমুন্থগা খর আয়তি খর হায়বা শা লাক্কুনা চাকৈ হায়না থোক্লে। (খর খর হায় হতি ফরকতী শব্দ) হায়গদবনী মতুগী অর্থদী চেং খৈবদা খর খর হায়দুনা লৌব চংেমগী, মনামশিং ময়ান হাপচিন্দনা খরি থাক্কুনা যদক থোঙগুগা, চাবদা হাওবা চগেম উতিবু খংনগনী। ভীম নঙ্গী বাহায় খুদঙ্গী নপুদা ঐনা তঙ্গিখি হায়বা, ঐখোয় অর্থস্ত নংনা তমা তেক্না শেমদোকপা ঐখোয় য়ানিংদে। ইবুধৌ ব্রহ্মাবু নংনা হনমত্রা ভীমনা ইহে অডা অদুগী হাদু ভাব তান্দ্রমাল্লে তাক্লগে। ব্রহ্মাসী পোকপা হুম্নি শুবদা ব্রহ্মা পাতু বারিন পুন্দুনা লাক্লে দাদায়াইমা ইচা মমাই মগুপ্তো পানবা অমা পোক্লে সোষ্ঠীগী লাইরিক খর তৌবিয়। ঐনা বরিন লৌথৌদুনা সেষ্ঠিতু ঐনা লাইরিক তৌই ব্রহ্মাপানা মচাগী মমাই অমদী লোংনা পানবদুবু নুঙঙাইতনা খল্লে।

* অদুবু ঐনা মহাদেবদা খর লৌথোকপীয়ু হায়বীদুনা মহাদেবনা মমাই অমদু লৌথোকপীদুনা শেঙ্গিখিবদগী মমাই মরি পানবা ওইহনখিবনী। ঐনা মাগী সেষ্ঠিদা তৌখিবা লাইরিক্ক নুংঙাইখিবদগী ব্রহ্মাদু চহি মঙা শুবগা বিষ্ণ আরম্ভ তৌরগা ঐঙোন্দা ওঝা বোরিদুনা তম্বিবনি। লাইরিক পুম্নমক তম্নবা লোইবগা ভীম উপপুরান তম্বীবপা গঙ্গাগী পঞ্চমীদযাগী মতাং য়োরমদাইদা ব্রহ্মাগী মপান। ইচাসি লাইরিকস্ত যন হৈজরে। সৃষ্টি কর্ত্তা হায়বা যম অসিদা ভাহৌনবা ওইক্তা নিংবীয়ু হায়দুনা ইনাও ইবুঙেঙো শ্রীকৃষ্ণদা ঐনা হায়দুনা হাপ্পীখী। মমগা চাও মথোগা তিন তম্বা লাকপদু উমখিদদুনা * গঙ্গাগী মতাং অসি হৈখিদবনী ব্রহ্মা নবুধোদি ঐগী পরুপারী।

* ব্যাখ্যা। ব্রহ্মাদী পোকপদা মমাই মঙা পানি মমাই মরিনা মাইকৈ মরি ওল্লি অমনা মথকলোম ওনথনুনা পাল্লি। অদুবু মহাদেবনা পঞ্চমুখ ওইবা শিব ঐগা চপমান্নানা পঞ্চমুখ ওইবসি নুংঙঙাইতে হায়বগী। খুবাগা খুদঙ্গীগা চংনা লৈথহলগা থদংখি, ব্রহ্মাগী মকোক থংলুবগী ব্রহ্ম বধ শস্থা কপালি হায়বা মিথোনখি। শিবন ব্রহ্মবধ পাপ কোক্লবা তীর্থ পুম্নমক স্নান তৌরকপদগী বরানসী খেত্রগী গঙ্গা লুপ্লদা ব্রহ্ম বধগী পাপ কোকপা ওই। মরম অদুবগী শিবনা বরানসী গঙ্গাবু পেন্দুনা বর হাপথী মীওইবনা বরানসী গঙ্গাবু স্নান তৌডবা অনা কচবেদা মশাগী পাপস্ত কোক্লগা পিতৃলকফাওবা লানবা ওইরসনু। মহাদেব হৌজিক ফাওবা কাশী বরানসীদা বিশ্বনাথ কৌদুনা লৈথিরবনি। মহাদেবনা ব্রহ্মা মকোক থদংলুবগী দোষনা ব্রহ্মবধগী পাপ ফংদুনা কপালি হায়বা মিংগোল ওইখদুনা বলি পূজা তৌনরিবগী মত অসিদু। বামন পুরানগী মমুংদা চাওনা কবিনা নেংখি মরম অসিদগী ভীমা উমি শৌমিগী মহমদা মপা

উমি শৌমিনা হায় ভীম নংনা ব্রহ্মা ইবুধৌবু নানা হল্লি, লাইরিক তঙ্গী হায়বনি ঐখোয় য়ানিংদে। ইবুধৌ কৌরুখিগ অতুগা চহি থিনবা লাইরিক্কী অর্থ তৌনবদা নংনা হায়খিবহুনা চুম্মবদী কৈ চুমদ্রবদনি নংদী উং ওইহনবা তারে। ভীম্ম ঠাকুর অনিমক ওঝাগা সেবককবু কনানা লাইরিক অর্থ তৌনবা চহি থীনবদবু ওবানা চুমদে হায়ব্রা। চংলো নপু য়োং ব্রহ্মাহু কৌরু। অদুগা চেনখিবদী য়ারোই হল্লকদবনি, উমি শৌমিহ্ ফরে য়াইমা থঙ্গনি নং হায়রম্মগা যোগ শক্তিনা চংখিবহু মীকুপ থরগী মনুংদা ব্রহ্মলোক য়ৌখী। ব্রহ্মসভা চঙুত্তুনা ব্রহ্মা মবুধেবু খুরুমজরে, ব্রহ্মা মশু অনিবু কোনবীরগা করি হায়নিবগী লাকপনো। হবী। উমি শৌমিনা হায়রজে ইবুধৌ নশু অনি মতম কুইনা বৃত্ত তৌদুনা নাম শোল্লুবনী হাস্তিনাদা বারনা লৌসি চংলুবদা অম্বরাজনা ভীমবু সেবা থাজিল্লকুনা মাগী চাকয়াম পেংবদা ইপুম পিংলে। অদুগা গঙ্গাগী রজশ্বলা লৈ হায়-দুনা ঈশিং পীথক্কুনা চেং কবোক পীজে। করি লাইরিক্কী মতনো ঐখোয়না ইবুধৌদা অম্মাকপদা য়াওদে হায়রগা নবুধৌহু এনা তঙ্গীবদা মতাং য়োদনা তোকপ্রবনি তৈরম্মরোই হায়রে।

ইবুধৌবু ভীমগা কনানা হনবগে ভীমদ ইবুধৌবু লাইরিক তঙ্গীনকপ্রা অমুক্তা তাকপীয়ু। মশশিঙ্গী রাক্ষসি তাবদা ব্রহ্মা মোমোন নোক্লগা হায়রকই ইশুসা নখোয় থেংনরুংবোইরে। ভুং প্রেং ওকুবনা খর যবনা ভীম ওক্কুরবদী মীদ নত্তনা লাই ফাওবা চাওরীবনী, মানা হল্লি, লাইরিক তঙ্গি। হয়বদু হায়জগনু মগা মাংরনু। ইবুধৌ ভীমগী রাক্ষসী অতুদা নত্তে ব্রহ্মা নপুগী সেষ্ঠিয় ব্রহ্মাপনা বাহেন লাত্তুনা লাইরিক তৌই হায়রি। নবুধৌ পোকপদদী মাঙ্ক মঙ্গা পানবনী এনা য়েনীদহুনা শিবদা অমদী থদংলু হায়হুনা থদংখিবনা মমাই মরিদা পনখিবনিস হায়রি। অহুনা ইবুধৌ চহী থীনবগা লাইরিক্কী তাৎপর্য্য অর্থ অমুক্তা তৌনবীয়ু মনা। চুমদ্রগা ঐখয়গী চংম মেখায়বা ঐখয়না চুম্মগা ভীম্ম উং ওইহনবা রাক্ষসা ভীমগা ঐখোইগা লেপ্পহুনা মনা উশিনা

চানা হায়জনখাবনি। শিবনা ব্রহ্মাগী মকোক অমা থদংখীবসী বামণ পুরানগী মতনী। ইতি।

---

* মুশনা অসুম্না হায়রি। সিংহ কর্কট যোর্মধ্যে সর্বনদ্যো রজস্বলা। তাসু স্নানং নঃ কুর্বিতঃ নদাং সমুদ্র গামীণো ॥ ইতি ॥ বামন পুরানম্।

ইভেন থাগী শংক্রান্তি লোইবা নুমিং নোংম নৈরগা থরানগী শংক্রান্তি গোগদবা। কর্কট রাসিগী অরোইবা শংক্রান্তি অসিমদী গঙ্গাগী রজশ্বলানী। মরম অসিনা চেল্লিবী ভুরেন সমুদ্রদা তারীবী খুদিং স্নান তৌরোইদবনি। নুমিং অসিমদী পুথ্রি ওহা কুণ্ড শিঙ্গী ঈশিংনা শিজিন্নগনি অসিনী। অমতং শ্রীকৃষ্ণসেবাগী মরমদসু অপরাধিনী মাসি নীওইবনা ভাক্কা চৎপা কৈ হায়না বামন পুরানগী মতনা হায়রি ॥ ইতি ॥

নপু কৌজরু হায়হনা লাকচরবনী ।

ব্রহ্মাহ ভীমগী ৱাহায় হেক্তিন্নকপত্নদা ব্রহ্মা শাওরক্তুনা চিঠি ইরগা উমি শোমিদা পীরে । নখোয় হৌজিক য়োরো ধৃতরাষ্ট্রদা পীয়ু হয়েংগী পুং নিপাল তাবদা দেব সভাগা ঐ লাক্কনী । পত্রদা মরোল শুনা ইরবনী য়োরো, উমি শৌমি ব্রহ্মা খুরুম্নগা পত্র পুন্থনা লাকপনা খুদক অদুমক্তদা হস্তিনা দরবারদা থুগুংহনা পত্র পীরম্মগা ব্রহ্মাঘরদা চংখী । ভীষ্মা ঠাকুর অনি ব্রহ্মা উনরব্রা হয়েং অয়ুক পুং নিপাল তাবা মতমদা সোইদনা য়োরক্লগনী । দরবারদা ধৃতরাষ্ট্রনা ভীষ্ম মবুধো ব্রহ্মানা ইরকপা চিঠিসি অহৈনা পাবা খুগুংহাইরয়োই মবুধোনা পাবিয়ু । ভীষ্মনা পত্রদু পারগা মরোন হায়দোক্লকই ইচানিংথৌ ব্রাহ্মণগী সেবা ভীষ্মু পুহল্লুরমাল্লে । ব্রহ্মাবু মানা হল্লি হায়হনা ব্রাহ্মণ অনিগা খংনরুবদগী ব্রাহ্মণ অনি চত্তুনা তাকল্লুরমাল্লে । হয়েং অয়ুক্কী পুং নিপাল তাবদা দেবসভা লোয়নদুনা লাক্লগা ভীমগা চহি খিননী । রঙ্গভূমীদা মীয়াম তিংন্মু নচা ৱারক্তবগী ঐবু মানা হনবা চুমদ্রবদী হস্তিনা মথক মখা ওনগনী হায়রক্লে । ধৃতরাষ্ট্র দুর্য্যোধন মচাবু কৌরগা হায় নংবু সেবা শিন্নরগা ভীম থাজিললুরিবা করিগীনো? পাবুং মহারাজা ইনাওনা পুবনা খর ফরগত্রা খন্নহনা শিন্নজরুরে ধৃতরাষ্ট্রনা মবুধোন মরম পুম্বা যনবা শিনবীয়ু । বিদুর মন্ত্রি লাইয়াম তিন্নবা মথম শেম্মু শিন্নরে বিদুরনা রঙ্গভূমীদা মাণ্ডব খন্দুনা ফম্ববা আসন থোরাং পুন্নমক হোৎনখী । হস্তিনাগী পণ্ডিত ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব গ্রামতরামপ্তা হয়েংগী পুং নিপাল নংনবা লোইনা লাক্কদবনী হায়বা পাউজেল পীখরে । ভীষ্মসু ব্রহ্মাঘোরদা ভীম উনবা লাকই, মবুধো লাকপা উবদা ভীম হোজং লান্না চেঙ্খোক্লক্তুনা দণ্ডবত খুরুম্মী । ভীষ্মনা য়াইমা ইপু চণ্ডরোই বাহ্মণগী মাদা চাংনরম্নু সিদা হায়রম্মগে নংদি ব্রাহ্মণ অনিদা পংহায় হায়রুরমাল্লে । হয়েং পুং নিপান তাবদা ব্রহ্মা লাইয়ামগা থুগুরনি মাংব তারে হস্তিনা কননবা ঈপু শিনগে লাইদি হায়জরগা য়াবিগনি । বাগপ্রহেলিদা পংহায় হায়নবনী অপরাধ চাকপীয়ু হায়না খুরুমজসি চানবিরমগনি । ভীষ্ম হায়জৈ নশুন ব্রহ্মাবু অমুক্তং হজরগা ইবুধোখোয় খাইবু লাইন ব্যবহার তৌহজনিংহনা হোৎনজবনি য়াবিরুম্নু ইবুধো । ভীষ্মনা য়াইমা নঙ্গী চোইরোম্দু তৌগম্নু ইপুনা হায়রিবসী কায়দনা হোৎনসী ইপু চং-লগে । ফনি ইবুধো অহুম হেনবায়ু নশুসু চম্নখৈ হোৎনজগে মবুধো খুরুম্মগা লৈহৌরে ভীষ্মসু হজিনখী । নোঙচাল্লে চম্বা থোরাং লোইহনা নিংথৌ পাত্রমন্ত্রি ব্রহ্মসভা অহল-লমন প্রজা মীয়াম লোইন তিল্লে । নোংপোক থংবা মায়কৈদা দেব আসন থাংগা পুজাগী পোৎলম লাংহনা থৈরে । মনবর্তিপুরদা ব্রহ্মানা ছহুক কৌবা পাওজেল পুং য়েহল্দুনা লাইয়াম কৌখি । ইন্দ্র, যম, বরুননাচিংবা লাইকোটি কুম্ভ্রাহুমদোই ব্রহ্মাগী সভাদা থুংখি কৈলাসদগী শিব, গনেশ, কার্তিক, নন্দি, ভৃঙ্গি লোইনহনা

খুঙ্গরে। লায়য়াম ব্রহ্মা থুরুমথী ব্রহ্মা শিব থুরুমজরগা কোটৈ মহাদেবনা ঐখোয় খোবস্থ করিগীনো হঙ্গী ব্রহ্মানা হায়রকই।

প্রভু শিব ভাবীষু উমি, শৌমি, ইগু অনিদা পাণ্ডবকী ভীষ্ম ঐবু মানা হরি ঐনা লাইরিক তম্বিবা পরম্বাল্লি নপুদা হায়জক হায়বগী ইগু অনি লাক্লখে। হৌজিক ভীষ্মগা চহি থিনবা লাইরিক অর্থ তৌনবা চংক্কদৌরি মাওথিনবা কোজবনি। মহাদেবনা হায়রকই অহুগী ওইরবদী চংকনুসি। ভীমত্র কলিনা পোরক্কুনা বন্দা থাদোক্লমবদগী কৈলাশ ময়োরক্কুনা চংলক্লম্বদা। মাগী মণ্ডল থংখরে। মীমা লাইনা লাক্লবা তমদবা ভাংনবদা মানা হেনবা শ্রীকৃষ্ণগী কৃপা লৈরবনী ঐংখ.ময়ু মামা তমখিতুনা, লাইয়ামগী মীগী মচা মগুদা তাহনথীহনা চেৎননি। ব্রহ্মানা প্রভু লেংবীষু মানা ঐবু তম্বা মায়োই ভাংনবা কুমৈ য়েংবীযু, সদা শিবনা হায় চংসী হায়রবদি লাইয়াম থুংলাই মাওশন্থু। হৌজিকী যুগ অসি কলি হৌরবনি লাইবু কয়া থোওইনদ্রবনী, লাইন লাম্বা মারগদবা ভীষ্ম, দ্রোন, অশ্বথামা, কর্ণ, অর্জুন লৈরে হস্তিনপুরসী থওইদবা মাথে থর চেকশিনা চংপা কৈ। শিব বাক্যদগী লাইয়াম থুংনু থুংলাই মাওনা ব্রহ্মা শিবনা চিংবা লাইয়াম ব্রহ্মলকতগী লাকপনা পুং নিপাল চপ চানা হস্তিনাদা থুঙ্গরে। লাইয়াম চঙ্গক্লিটৈ অহুনা ভীষ্মদু থুজাই মরৈ অমগা ফিদকমচা অতোৌবা অমা লা তাঙ্গ অনিগ সভাদা চঙ্গকই। ভীষ্মদ ইবুধো ব্রহ্মাগী আসন কদাইনো হংই, ভীষ্মনা তাকই ব্রহ্মা আসনগী মেং থংবদা তাঙ্গ অম থারে থুজাইদু থিল্লি তাঙ্গ অমনা মথুম থুম্মী তাঙ্গ মথক্কা ফিদক মচাদু পিক্লা থুম্লগা হাপ্পী। ইবুধো থুজাই মচাসী ব্রহ্মা হমবা চহি হাপ্পীন্নী মী শোকহনবীক্লনু হৈ-দোকখিনী। ঐনী লাইয়াম কম্মরবা মতুংদা কোম লাকচগে হায়রগা থোকপ্রে। ভীষ্মনা মাইমানংগী চোইরোম্ভ তৌরকনু বাবী ভীষদা ব্রহ্মবদা চংদুনা লৈপ্রে। অসোমদা লাইয়াম থুঙ্গরে হায়বা মাদীনা পাও শীররে পাও কংথগা ভীষ্মনাচিংবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পাত্রমল্লি ময়াম থোক্লগা ব্রহ্মা শিব, লাইয়াম ভক্তি কজ্জতুনা সভামাঙবতা লেংশিন্নুনা দেব আসন মথং মনাও কাইদন কমাপ্রে। অন্ধরাজা বিদুর মন্ত্রিগা দণ্ডবত কংলপা স্তুতি তৌবৈ ব্রহ্মা শিবনা পেনবীদুনা আসির্ব্বাদ তৌবিরগা নক্লী আসন্দা ফমজরুরো তাকপীরে।

ধৃতরাষ্ট্র কমজরে ভীষ্ম বিদুর অনিনা দেব পুজা তৌই 'ছন্দেহ কজ্জতুনা মীয়াম পুম্নমক থুরুমজরে। ভীষ্মগী সেবাভক্তিদা পেনবীতুনা হায়রকই ভীষ্ম নঙ ভীষ্মদী মাওবা উদে পোরকউ মাগী বা অমুক্তা ভাগে। অসোমদা ভীষ্ম ঠাকুর অনিমক থোক্লথো াপু ব্রহ্মা লাক্লমাস্রে থম্নহৌরু ঐদি কৌরগা লাক্লে। উমি শৌমি থোকখিহুনা সভাদা ইবুধো ব্রহ্মা শিব থুরুমজরগা ব্রাহ্মণ ময়ামগা কমপ্লে। ভীষ্মনা থল্লি ভীষ অসি রাজা হনগদৌয়িমনি হায়দুনা কৌরগা থোকে থক্লুনা নিঙ্গাইদনা লৈথোক্লমগনি ঐনা

চংলগা জ্ঞান তাকলুবনা কগজি অর্জুনা ভীম লাক্লে। মবুধো লাকপা উবদা ভীম চেষ্টোক্লুনা খুরুমজরে ভীমনা হায় বৃকোদর ব্রহ্মানা নংবু থিরক্লে হায়জবদা চানবী-গনৌবিগ ভক্তি কাইগনু অহুনা ইপুনা ভীকে লাকপনি ইপুনা হায়বা ইমু অং থুনা খোঙকও। ইবুধো লেংবীরম্মো নত্তু লাকচদ্রগে ননাইনা ব্রহ্মাহু শোইদম। জ্ঞান তাহজগ গজিম ভীম কমদোওগবা অর্জুনা সভা যৌথিতুনা ব্রহ্মাদা ননাই লাকচগ্রগনি হঙ্গইচবী লাই মী পুন্নমক ভীমবু ক্লাইহনা নৈনখিগ ভীম কোয়েং ইমকি কিজোল লেম্মা শেংলগা তুলাজমচিংবা মনাও ভরামা থোপন্তোইল্লগা ব্রহ্মা হনগদোরিবনি হায়হুনা লেম্মা লাকপনা সভা যৌরকই। ভীম দণ্ডবতনা সভা ভক্তি কংলি লাইয়াম মীয়াম ভীগগী মতৌ য়েংহুনা কাঙাদনা নৈনৈ। ভীমনা ব্রহ্মা লাক্লবরা হায়রকই ব্রহ্মানা ঐ লাক্লে খুম্মকই ভীম পাম্নোম অনি থাঙ্গৎতুনা দণ্ডবত তাগদবগী মতৌগুম। ব্রহ্মা ব্রহ্মা শোন্দুনা নোল্লগা ব্রহ্মাগী মাংদা চণ্ডক্লে, ভীমগী মতৌ উবদা ব্রহ্মানা খল্লি। ভীম অসি শ্রী কৃষ্ণগী ভক্তনি ইশু অমিদা প্রেহেল্লি তৌবা ওইরমল্লে ঐগী নাম শোল্লগা দণ্ডবত কংবলবগী চংউবই। অর্জুনদী ঐম্ম দণ্ডবতম ওকহৌদ্রবদি। দ্বারিকানাথ শ্রী কৃষ্ণনা রাংৌবিখিগন্ত্রে খঙ্গুহুনা ভীম্মা মংদা লোক্তরকপাগা ব্রহ্মা দণ্ডবত তারকই। ভীমদা চেসাঈ থনম্বা খুজাঈহ য়েংলনী পাঙ্খহলপা ওঈগী খুংনা ব্রহ্মাগী কোক্তগী নময়াংখাও নাম্রগা। ওক্লে ওক্লে কৃষ্ণনা লোনথীবা ওঈসহু হৌগাংলো হাইরম্মগা হনখিল্লম। মাগী কমভঙ্গদ ফংগ্রে।

লাইয়াম পুন্নমক ইক্লুথী ইবুধোদী ভীমগা চহি থিননী লাক্লগা ভীমদা দণ্ডবত ভক্তি কংব্রেপা ভীম্মা নানবারম্মী অহুনদী ঐথোঈ পুন্নমকম্ভ ভীম্মা ঈশা। হায়রকপা তারে করম্নো হায়হুনা লাঈয়াম নিল্লকঈ। মীয়ামন্তু ঙক্লখ্রে ভীমগী লৌশিংনা চৌপিহনথা উশিকতবা মতৌ অহুদা ব্রহ্মা খাওবনা মিত্তা ঈ কাদুনা হায়রকঈ। হায় হায় ভীম নংনা ব্রহ্মা ঐবু উশিংতবা অহুগা নংনা ঐবু হল্লি হায়বা চুম্মা, ভীমনা কল্লি রানো ব্রহ্মা হনবগী হল্লি হায়বনী। হৌজিক্সু লাই মী পুন্নমক্লা উন খণ্ডনপ্রবনী অহুবু অম্নক হউরবা কল্লিনো। ব্রহ্মানা ঙাইখো হল্লি হায়বনা যারোই লেংদবা খুদম লৈরি গাদু ঐ হায়গে। ভীম্মা হাঙিয়ু হাঙ্গয়ু ব্রহ্মানা দ্রোম নঙ্গা য়াকা কননা হল্লি, কহি রানো ঈবুধোনা লোকপা তরবাজনা দ্রোন ঐবু শোকপীগা ঈপাগি ননাইদি নঙনি। ভীম্ম নঙ্গা ব্রহ্মা ঐগা বমানা হল্লি অমুক্তা হাঙিয়ু, ভীমনা দেব পিতা মহো ননাইদী গুরাংদগী অঙাংগুম্বনী ঈবুধোদি শক্তিকঙানী মী লাঈ পুন্নমক হল্লিবনী। অহু ওক্লেবদী দ্রোন-ভীম্ম-নবানী ভীমগী কনানা হল্লি, দ্রোনা ঈবুধো ভীমদা ননাঈগী ঠাচা সেববনী। ভীমনা ঈবুধোনা হংলবব অসিবু কইম্বা রাখমকো ঈচা আম্মা পাণ্ডুনা পোকপা ঈশনী ভীমদী প্রভু। ভীমা অহুন ভীমনা কাওনা হায়রকঈ দেব সভা তংগো বৃন্দাসে উংগে। ঈবুধো গুরুদেব অসিবু

ভীম য়াকা কনানা হনবগে হঙডীবা অসি তাবেদনা লাই নখোয় চেকশিন্না শেমহৌ বাজার য়োৎরবদী লায়য়েংবা রারংনী। লাইয়াম মীয়াম কদায়দা হঙডরিবা উংহেনা খন্নচুনা কৌতুনা নোকুক্রে। ব্রহ্মানা দেবসভা ওইখো নেংকপু মুরম অমগী হুঙিওবনী হায় ভীম নঙগী গুরু দ্রোন, নবুখো ভীষ্মবুদী ঐনা হন্নগা নংনা ঐবু করম কনগদৌরিবনো। ভীষ্মা হায় ইহে ব্রহ্মা অতুগী ওয়রবদী ঐগী গুরু দ্রোন ইবুখো ভীষ্মখোই লোনগামথে ব্রহ্মা নহাক্না হনখ্রে। ঐহাক্না ব্রহ্মা নখোইগী লেনগামথে হন্নক্লগে, লোনগা নাইনা হন্নগা য়ারে করিগী লূনা খন্নরিবনো। ভীমগী হা তাবদা লাইয়াম্না চহিসী লোনগা নাইনা হন্নবা য়াবেইরে, ভীমনা য়াই য়াই জগংসা য়ানবগী মখা পোন্না চংনরা। মতুগী খুদম নুমিংকা থম্নালগা মরূপ ওইরা, ব্রহ্মা অসি ঐনা হন্নবনী লাইয়াম খংহৌরো, ভীমগী হাহায়সী তাবদা লাইয়াম নোবখী। ব্রহ্মাগী অচুম্বা রাজায় খুদীংবু ভীমগী উশিন্নবা ওম্বা রাঙাং হৈবগী থৌননা নমহন্ননা অঙাওবা তাবগুম ময়ামনা নোকপন্নুদা ব্রহ্মা শাওখীবনা ভীষ্ম চাকথেক্তুনা উং ওনহন্নগে খন্দূনা মিৎলুদা মে হৌদুনা ফক ফক্ কামলক্লে? মতৌতু উবদা লাই মা থক থক নিক্লুরে মতাং অসিবু তাজবদা মীওইবগী মীংচৎ চাওখৎলী গ্রহগী দশা কোবই মাসী ব্যাসবাক্যনী ইংত॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়ঃ—

মনাই ভীম কন্নবগী দ্বারীকানাথ—

শ্রীকৃষ্ণ লেংডকপা রারী মতাং॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মুঞ্জু চংনা তাত জন্মেজয় লেংখো, নবুখো ভীম ব্রহ্মাগী ব্রহ্ম অগ্নি উকা মায়দা লৈরগা থম্বোরদা কপূনা শ্রীকৃষ্ণ মবুঙ্ডোবু কৌরকই। হা কৃষ্ণ দ্বারীকানাথ মনাইবু ব্রহ্মাগী অশাওবগী মীংয়েংনা উৎ ওইবা তারে মাঙজখ্রো হায়রকপী হৌংবীরকু। মনাইদী মইয়োক্কনরবনা ক্ষেত্র ধর্ম্ম মায় ওন্দনা প্রাম খাক-খিবা তায়রে নজরইগী থরাই কনবীগে হায়রবনী খুদক্কীদদা য়োবিরক্লো প্রাননাথ। মনাইনা মরণ তৌরকপদী সর্ব্বাত্ম অন্তর্যামি শ্রীকৃষ্ণনা উবীতুনা মনাই কনগদবগী আবিভূত লেংডকুনা সভা মরাঙদা ভানবীরমে। শ্রীকৃষ্ণগী মজহবা রূপ দরশন মঙজবদা ব্রহ্মা অশাওবা পুলক থাঙলাক্লগা উক্রাকি য়েংদুনা অষ্টাঙ্গ ভক্তিনা খুরুমজরগা স্তুতি কয়ামুক কংখি। মহাদেবমচিংথা দেবসভা কৃষ্ণ ভক্তি কংনরে, হরিনামা মীরাম চপ মাচনা দণ্ডবত ভক্তি কংবৈ কৃষ্ণনা মায়েংমা জালংংপা দেব সভা নরসভা চপ মানমা অশির্ব্বাদ তৌবীপ ভীমদা খুরুমা মাওদে থৎলকপ খুরুমজতুনা কায়জবী। ইবুঙ্গো ব্রহ্মাবু

হরি হায়রবে গোবিন্দনা ইরাখনি হায়ব ব্যবহার অদু লেপ্লীরবগী ঐনা খঙজনহোৌবি। ঐ ইনাওনি হায়রগা থুরুরবগী ব্রজনা মায়কোই ওসি ব্রজগী মাংলগী লোজরকোই লোৎ থিবিদ ভাকপীয়। শ্রী হরি মনাই ভক্তগী প্রেমনা থুহুব চনবনা খনাইগী মিংবা থুংলমবগী মধুরবাক্যনা দাদা হাইম নন.ও থুরুমজবি হায়দুনা তীমগী মাংল মতমতু দা থুরুমজে। তীমা পুক্লিংগনা লোৎবা; মপাল্দনা মমাওবু মুংশিন্দুনা কৌবগী মহৌওইবা হে বাসুদেব দেবকীনন্দন। দা কৃষ্ণ যশোদা জিবন, শ্যাম কন্হাই, গোপাল, গোবিন্দ, রাধানাথ, মথুরানাথ, দ্বারকানাথ, হৃষিকেশ, মাধব, মুরালি নাম কয়ামুক কৌরগা হেৎথবা থুংনা কৃষ্ণবু শিৎ শিৎ নাল্লগা ইনাওনি ইহা মত্তু ওইজরো হায়দ লোর শীরে। মহলেমনা থুখক্তা গোবিন্দগী আসন কৎলে পূজালাভিত হুন্দেহ সেবা তৌবৈ কৃষ্ণন সেবা লৌরগা ব্রজদা হওক্কই।

ওসি রজস্থাদা মাতম থম্মদা দেবসভা, নর সভা পুন্না তিন্নগা দাদারাইমগা ব্রজগা মায়োক্লনতম তৌথিব অসিবু করি থম্নরিবরো। ব্রজনা প্রভু হুৎতাইজরে শ্রী হরিগী অসংখ্য সখাগী, তীমা ঐবু হরি ঐগী সোত্তিদা মনা লাইহিক তৌই হায়রি। রাজমসী চুপ্পী চুমদে অমুক্তা ভাকপীয়, তীমা অমুক হাইরক্কই দ্বারিকানাথ অহুরৈ ব্রজপানা ইচাগী সোত্তিগী লাইরিক তৌবিয় হায়দা বার্তন তৌরে। ঐনা লাই-রিক তৌব চৎলমদাইদ ইনাওনা দাদায়াইম কদাইদা হত্তিজনা ঐমা গর্ভদগাই নরায়নু মচানিপা অমা পোকচরে। সোত্তীগী লাইরিক তৌথিবু হায়রৈ অদুগী চৎকে হায়বদা ইনাওনা অহু ওইরবদি ঐগু চৎকে অথেংবদা দাদারাইমদ হন্নকপা হুওতাইরোই হায়দুনা। ইনাওনা ঐ পুজগে হায়দুনা লাইরিক পায়দুনা চৎমীরবা অহুদা তৌবা মতাংহ কাওত্রি। ভাগবত দশম স্কন্দগী রাস লৌরকপা অহানবা শ্লোকতগী হৌবদা পঞ্চ অধ্যায় লোইনা তৌবনি। সোত্তিহ ফিরু তৌবমতুনা ইচিম ইনাও পংচা চাখীরকপা থেংনা মন্নুকপজুগী কুইরবগীনা ইনাও কাওরমজগত্রা হায়দুনা নিংসিংবনী। শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা, দাদারাইমনা হায়রিবা অনি চুপ্পী হায়রে, ভগবান মথুরেশ্বনা লেপজবদিনা ব্রজদু পতি লৈরকুনা তীমদা নংনা তৌথিবা শ্লোকী অর্থহ অমুক্তা হায়রু। তীমা হায় "শুকনা হায়থি তাকো পরিক্ষিত, ঐ মূর্খা হক্কা থোগমবা ভগবান ওইহৃনহ? অহিংনোংহাইনা মপানি। ব্রজনা কমদোনা তীম অহুবু অর্থরা ঐ হায়গে তাও, সমং ভগবান ওইদুনমকপু শরৎ-খতুদা মপুং কারকপা। মালিকানচিংবা লৈ থিবিক্রা মুকাইদ শাংলকপা হৈদাজ লৈপান্না কজরিবা বৃন্দাবনদা ওইরিবা নিংথিবা অহিংহ উরুবদগী। রাস শাস্ত্রগে লিংকুনা যোগ-মায়াবু উপাসনা তৌথি অদুদা হায়গদবনি, অদুগা নংনা ভগবানগী মপাবু অহিংনোং-হাইনি অহুহ হায়রৈবা অর্থরা। তীমা হায়রকই ব্রজা নংনা হায়রিবা অর্থ অহু অক

পদার্থনী তাৎপর্য্য অর্থ অমতা থেক্রে। মাসা হায়রুদ্রবস্থ শব্দ অমতগী অর্থ কৎপর্য্য হায়বে তারো। ভগবাননু মনাই নুপী যোগমায়াদা উপাসনা তৌবা কৌনদে (যোগমায়া মুপাশ্রিত) হায়বনী বাঁশি খোংহুনা কৌদগা রাস শামগে নিংখি হায়বনি। অদুগা ভগবাননি আদি পুরুষনি যুগ অবতার, লিলা অবতারগী মতুং ইমা মনাইনা নিংজবগী মতুং ইমা পিতা মাতা ওইদৌবনি। তাৎপর্য্য অর্থদি কৃষ্ণনা অবতারগী পুংলুপ মতমদুনা পিতানী হায়বসিনী। শাস্ত্রগা ইনাও কৃষ্ণসী থরানগী নিন্দুং নিপাম্নীগী অহিং নোংয়াইদা পোকপনী চুম্বা চুমদবরা নবুংঙোদা হংঙ। শ্রীকৃষ্ণনা হায় ব্রহ্মা দাদায়াইমনা হায়বা চুম্বী ঐগী অবতারগী মতমদুনা ইপানি কায়বগী মরু ওইবা অর্থনী মতুং ফাওবা কৃষ্ণজন্ম হায়দুন নৈলহৌরগদবনী। কৃষ্ণনা লেপত্রবনা অর্থ তৌনবদা ভীষ্মা লাকচত্রবদা, ব্রহ্মানা হায়রকই ভীম নংনা ঐবু হল্লি হায়রসি নংমাক পুরেন থানসী অদুগা অরেম্মা থংগমী। ভীষ্মা করে পুরান থানসী ব্রহ্মাগী হয়া থরো, ব্রহ্মানা হায় ঐনা অত্রয় পোকই অত্রয়না চন্দ্র - বুধ - পরুরব - নহুষ - যযাতি মথং মথং শুথাং তাররুগা। পাণ্ডুনা ভীম নং পোক্‌রিবমী অদুগা নংনা ঐবু করম্না হনগদৌরিবনো, ভীষ্মা ব্রহ্মা নহাকসী ঐ সৃষ্টী কর্ত্তানি হায়বগী অভিমান্দা তাওরদুনা থীনা ঙাওরে। ঐগী অমুক পুরন থারগে তারো আদিপুরুষ ভগবান্না জগৎ শেমগে নিংদুনা বৈকুণ্ঠনাথ পোক্লে, শ্রীনরায়ন্না গর্ভদেশাই পোক্লে, গর্ভ-দেশাইন থোইদোকগী থম্বাল শাংকৎলক্লগা, থম্বালগী থমজেংতগী ব্রহ্মা নহাক পোকপনি। গোলোক নাথ আদি পুরুষ ভগবান অদুনা, পৃথীদা অবতার লেংথরদুনা দ্বারীকানাথ

---

* টিকা। শ্রীবাদরায়নি রুখচা। ভগবান পিতারাত্রী শারদোৎ যুম্ম কিবা...হরাকচুং মনচক্রেবোগমায়া। মুপাশ্রিত॥ মুল॥ ভাগবত কিমুল অসি। অর্থ স্বামী টিকা মাপল শুই অদুনা ভীষ্মগী অর্থদা যোগ হায়ব শব্দন অনি তিন্নবনু উম্মী, মায়া শব্দনা মশক্তি উদবা মিরবা খোঞ্জেল অদুনা গোপিশিঙ্গী পুক্লিংবু লাকশিন্দুনা কৌরগা রাস শামগে নিংই হায়বনী। অমুম্না ভীষ্মা তৌখিবা অর্থ অসিবু শ্রীকৃষ্ণনা চুমই হায়বিখী, অদু-না ব্রহ্মা অর্থ তৌনবা তোক্কুনা নংনা হল্লি হায়রবদী পুরন থানদগা খনগী কাহদুনা পুরন থানবদমু। কৃষ্ণগী খোঞ্জাল ফংবনা পুরন অদুমবু হনবা তাখিবনী, অদুনা ব্রহ্মা শাওদুনা পাণ্ডব মণ্ডা মাংহনগে থোরাংঙবদগী। মাবু পোকপীবা গর্ভদেশাই নরায়নবু, কৃপা লৈবা ভক্তগী মপান্নদগী দরশন ফংত্রবদা পোক্লখিদুনা পাণ্ডবপু ধন্যবাদ তৌরগা বোর পীখি। অদুনগী মণ্ডানা কৃষ্ণগী কৃপা লৈবা অসিবু শোমদুনা লাইয়াম মীয়াম হন্নখিবনী শ্রীকৃষ্ণগী মনাই ভক্তগা মান্নবা চাউথদী জগৎতা লৈত্তে। পাণ্ডব মণ্ডানা মবুঙোদা থম্মোয় শেংনা নিংজ-খিবনা মী লাইমক্তা ফংঙমদ্রবা কৃপা যংখিবনী। অদুম্না কৈ মনি ভাবনা হায়রি॥ অমত্তং মৌতিলা লেংবা (ভীমচন্দ্রিত বাল নাটকদ) ভীষ্মগী গুনবু অদুম্না চাউনা লেংঙমী ইতি॥

কৃষ্ণ ইবুংঙোসী হৌজিক সভাদা ঙনবিরিবা অসিনী। ঐনা থারিবা পুরনসি ব্রহ্মা নহাক য়ানিংবরা, ব্রহ্মানা ভীম অহুদি অচুম্বা রানি ভীম্মা হায় শ্রীহরি নবুঙেঙাসিন। ঐঙোন্দা দাদায়াইম হায়রুনা খুরুম্বদু নখোয় উরেদনা কৃষ্ণসিনা ঐগী ইনাওনি। অদু ওইরবদী ব্রহ্মা নংবু ঐনা হনবসে পুরন অহুমনি ব্রহ্মা নং অসি মরিগুব শুথাংনি অসিদনী ঐনা নংবু ঙাওরে হায়বসে। শ্রীকৃষ্ণনা মাগী মীচং লেপ্পীবদগী! ভীমগী রাঙাং মীরোন হৈশিংবনা নমং হক্তুনা, ব্রহ্মা রাঙাং খুদীং অরানবা তাহনবা, উশিন্তবা মতৌদু উবদা। ব্রহ্মা শাওন মনখিবদগী পাণ্ডব মঙামক উং ওইহল্লমগে থন্দুনা কমণ্ডলু পায়দুনা হৌগংলক্লে। শ্রী কৃষ্ণনা মনাই মঙা লৈত্ত্রবদী লিলা কাইবা তারে কনবীরগে থন্দুনা ওইদা পরেং লেপহল্লগা কৃষ্ণনা যেত্তা বিরাজ ওইরে। ব্রহ্মানা য়েঙঙকপদা মনাই মঙাগা হরি ইবুঙ্গোঙাগা চপমান্নবা কৃপা হাপ্পীহনা! শঙ্খ, চক্র, গদা, পদ্ম থোনবা শ্রীনরায়নগী মুর্ত্তি তরুক্কা ঙানবরু উহনখী। ব্রহ্মা মহাবিষ্ণু মবুঙেঙাগী শ্রীমুর্ত্তিবু দরশন ফংবদ শাওব ঙমখিদতুনা, কমণ্ডলু থাদরগা ঙক্কা গি য়েংতুনা দণ্ডবত তারগা কয়ামুক লৈশি লৈথোঙজহুনা হায়জরকই। হে প্রভু ননাই ভক্তগী গুন খঙৌদতুনা শাওরুবগী কোটী অপরাধ ঙাকপীয়ু হায়জরে। শ্রীকৃষ্ণনা ব্রহ্মাবু কেনবীরগা ব্রহ্মা নং শাওরনু, কৃষ্ণ ঐন। লিলা নুঙাইনবা ইনাইসি মনিং মথা খর ঙমহনল্লে। কৃষ্ণগী প্রেম আলিঙ্গন ফংবদা নুঙঙইজরে, শ্রীকৃষ্ণনা মঙাবু পেনহল্লু হায়খি পাণ্ডব মঙা ব্রহ্মা ভক্তি তৌজে। ভীম প্রেমা গঙ্গা ঈহৌরক-পঙুম শিন্দুরগা হায়জে নুঙঙইনবগী বাগ প্রহেল্লি পঙাং থাংজখিবা কোটি অপরাধ ঙাকপীয়ু। ভীমগী থমোই শেংবা প্রেমদু উবদা ব্রহ্মা পেনগ্রহনা ধন্য পান্দু ধন্য কুন্তী নখোই মঙাবু নচা ওইনা ফংজবা ধনানী।

মঙা নখোয়গী থম্মোয়দা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তিনা লেংদবা ওঈরসনু ভীম নঙদী মায়য়োক্নরুবা খুদিং জয় ওইজো। ব্রহ্মা লাঈয়াম কৃষ্ণবু খুরুমজরগা হয়ত্রে, মীয়ামসু গোবিন্দ খুরুমজদুনা হজিন্নখী শ্রীহরি দ্বারীকাদা লেংথরে। উম শৌমি ভীম্বু কিরক্লহুনা হনগ্রগে তৌবদা ভীম্মা ঠাকুর অনিদী হনবা রাত্রি হায়হনা ব্রহ্মঘরদা পুশিন্দুনা লৈমিন্নখী। অসুম্বা লৈমিন্নরকপদা ব্রাহ্মণ অনি ভীমগী চাকয়াম থোংবদা পুমথিংলদুনা লোম্মা চেল্লসি তানরক্লে। নোংমদী চাক তোকপগী ভীম নুংথিল ঙাইহাক পোথাবদা তুমখী অদু উবদা উমি শৌমি চেনহৌরসী খমদুনা মপোৎ মচৈ য়োম্মগা দুশাসন্দা হায়রে। ইপাখোয় নয়াম্বা তুম্মিদৈদা লোম্মা চংগ্রগে ভীম তাকল্লরম্মু হায়রম্মগা ব্রাহ্মণ মচিন মনাও চংখী। দুশাসন ইমুং চংখিদুনা দাদায়াই কৌবদা! ভীম হৌগংলী দুশাসম্মা দাদায়াইমনা তুম্মিদৈদা ব্রাহ্মণ লোম্মা চেল্লগে নয়াম্বা তাকউরম্মু হায়রম্মগা, মপোৎ মচৈ য়োমদুনা থোকত্রে হোত্তংনমক য়োম্রি। ভীম্মা নাম্বাই লৈরমখো ব্রাহ্মণ ফারুখিগে হায়রম্মগা ভীম হো অঙ্গা অনি লৈরমখো লাউহনা চেম্বোবখী।

ব্রাহ্মণ অনি ভীম উৎল্লশোক্ট খন্দুনা (বাহির উদ্যান) হৈকোল লৈকোনগী মনুংদা লেনসিন্নদুনা লোংলে। ভীম্না মাইকৈ থুদোং য়েংবদা ব্রাহ্মণ অনি চংপা উদে রাখল ত্তৌই হুমল্লি চংলগন্নরোই ঐগী খোন তাবদা বনসিদা লোৎকন্নবনী। ভীম্না হো অজ্ঞা অনি লোংতুনা কাম্নরোই ঐনা উরে থোক্লকও রারী সুংঙাঈরবা অমা শাসী হায়ররকঈ। উমি শৌমিস্থু ভীম্না উরমালে থোকহৌত্রবদী চোপ্পা তারে কিচুনা পোল্লি পোল্লি থোক্লকলগা য়াঈমা ইপাখোয় লৈকোন্দা হকচিং লাংঙুরি হায়রকই। ভীম্না উমি শৌমিগী মখুদাং নাম নাম পাঙ্গরগা অজ্ঞা অনিনা ঐগী মেন মখদা থম্বা মনি মতুম অনি হুরগা ঐনা তুম্নিহৈদা চংলম্নদা হৌনবরা। মাত্ত্ব ব্রাহ্মণগী লমচৎ নত্তে চণ্ডালগী মতৌনী মনি মতুম অনিহু পীয়ু পীত্রবদী হৌজিকমক বিচার লোয়শংদা পুখৎলগা ঠাকুর অনি চণ্ডালদা লোই থাহনগনী। ভীমগী রাহায় তাবদা উমি-শৌমিনা কপতুনা হায়রকই। ইবুংঙো য়াইমা মনি থম্মি হায়বসু খঙজদে, কৃষ্ণগী চরণ শাক্তি মনি নৌদে হুরানবা হায়বসী হায়গনু। ভীম্না অজ্ঞা অনি মনি মাংদববু মাঙঈ হায়জিনবা নত্তে গোবিন্দগী চরণ শাক্তি, ঐনা হোৎংনকপদা মনিসু লৈরমদে অজ্ঞা অনিসু লৈরমদে অজ্ঞা অনিনা হুবা মশানা তারবনী। হৌজিক চণ্ডুরিবদু মনি লোৎপা শোইদনা ওইরমগনী হুরানবনা ঐ হুরে হায়রকপা হৌনদে দণ্ডি ফংবা তারবতদা হুরুরে হায়ররকপনী। হৌজিকসু মনিদু পামদুনা হুরুরে হায়রবদী থাদোক্কনী, হায়ত্রবদী লোয়শংদা পুরনী অজ্ঞা অনী ওসদী সুর্ম্মা শোইত্রে। ভীমগী রাহায়সি তাবদা লোইশং য়োংদবগী শরুকপুদী হুই হায়হৌবনা ফরগত্রা খন্দুনা ইবুংঙো য়াইমা মনি মতুম অনিহু পামমনপ্রদুনা হুরুরে ঐখয়বু থাদোকপীরো। ভীম্না ঐসু মনি মতুম অনিমক মাংবদি মাংমল্লি অমনা অজ্ঞা অনিগী ওইত্রো অমা ঐঙোন্দা হল্লসু অদুগা থাদোকে। উমি-শৌমি কপতুনা হায়রকই ভীমসেন থাদোকপিনী হায়বগী হুরুরে হায়বনী, সৈতনা শাক্তি ঐখোয় হুদে। অজ্ঞা অনি ঐনা তাক্লবদী হুরে হায়নীকো, বৃকোদর ঐখোয় ভাব তাদে অমুক্তা হাঈয়ু। ভীম্না হায় অজ্ঞা অনিগী সেবাদা ঐনা সোইরগা উৎ ওইনা মাংজবা সেবা সোইদ্রগা বর অমমম পিরমগনী হায়নবনী। ব্রহ্মবাক্য অদুবু মনি মতুমনি খঙজদুনা মন হায়বদী কোক্ল খংইবদু নত্তে মনগী মথা থম্মোইদা লিদুনা থমজরিবনী। বর পীরমদনা লোম্না চৎলবদী মনি হুরানবা নত্রা উমি-শৌমিনা হায় ভীমসেন চুম্মী ইপাখোই ভাব তারুদে। মনি হুরানবা ওইরে হৌজিক্তি ননা পাঙ্গা বরদু নিরো পিরগে ভীমনা অজ্ঞা অমনা ব্রাহ্মণ সেবা তৌনিংবা ঐবু উৎ ওইকল্লসি খল্লদুনা সেবা উশিন তৌরক্কইবা। দুর্য্যোধনগী মচিন মনাও চামসী মীখুত্রা অমা চোইদনা ঐগী ইখুংতা তুম্না শিরসনু হায়বা বর অসি অজ্ঞানা পীবীয়ু। অজ্ঞা অমনা ঐগী ইয়াম্বা অহনসী সর্ব্বভৌমাপতি ওইজো হাংবা বর অসিমা অজ্ঞা অমনা পীবিয়ু। উদিনা ভীম চুম্মি মাদী সেবা তৌনিংদদুনা নহাকপু

শিরসন্থু থাজিন্নকপদগীনী ইচিন্নাওবু নহাক্কী চাবয়াম থোংবদা ইপুম থিংলিবা অসী। মবুক ফংবা দুর্য্যোধন মচিন মনাও চামসী হয়েং তুংদা ভারত হরন হায়বা লাজাও অমা লাকখীনী লাল অহুদা অমা চোইদনা নখুংতা তুমা শিরসন্থু নয়াম্না যুধিষ্ঠিরনা সর্ব্বভৌমাপাত ওইদুনা মঙ্গা নখোয়না পুনসি শাংনা পানজৌ। বর অনি ফংভবদা ভুক্তা কি য়েংলগা অষ্টাঙ্গ ভক্তিনা ব্রাহ্মণ অনিগী খোং কোল্লগা বপতুনা হায়ক্তে। গুরুদেব অনিবু ঐনা সেবা খর কুইনা পামজহনা তৌবনী, অতুগা মুংঙাইনসী হায়হনা বাগ প্রহেল্লি কায়খিবগী অপরাধ কয়াবু গুরু অনিনা ভাবপীয়ু। ব্রাহ্মণ অনি ভীমগী থম্মোয় উংবদা পুংপন পেল্লে ভীম নঙদি তৌরম্বা থবকসু কৃষ্ণগী কৃপানা মহম ওয়হনা মায় পাকচবসু ওইজৌ হৌজিক্তি ঐখোয় হন্নগে। ভীমসু ভীম ব্রাহ্মণ অনিগী পদ ধূলি লৌরগা কোকথক্তা হাপখী ব্রাহ্মণ অনি হনখ্রে। ভীমসু সেবাগী মনাওশিঙ্গা লাক্তুনা দুর্য্যোধন শৌকনি খুরম্মী। দুর্য্যোধন য়াম্মা ব্রাহ্মণ অনি চংখ্রবরা মচিন মনাও হনখ্রে দাদাবু য়াইমা বর পীরদ্রা তজ্ঞা ব্রাহ্মণ অনিহু লিকখ্রেদা পিক্লবা বর মচা অমমন পীরম্মী। য়াইমা করি বনো হায়য়ু তাগে দাদাবু উমিনা মখোয়দি সেবা তৌনিংদে নংবু শিরসন্থু তানরগা থাজিল্লবপা মবুক ফত্তবা কাংবুহু নখুত্তা ভম্না শিরসন্থু। বর মচাসিমা শৌমিনা নয়াম্না অহম্না সর্ব্ব ভুমা পতি ওইদুনা পাজৌ বর মচা অনিসীদং পীরম্মগা চংখ্রে। গজদেদা অজ্ঞা ব্রাহ্মণ অনিদো দুর্য্যোধনদু তানিংদে ভীম চংলো ভাংভনু হায়ন শাওরবখী ভীমহু চংচরে হায়রম্মগা ইশৈ ভংদুনা চংখী। মসুম য়োরক্তুনা ময়াম্না মমা খুরুমজখি মতাং অসিদা ভীম্না উমি শৌমি সেবা তৌবা ৱারী মতাং লোইরে। মসিবু তাজবদা মীওইবগী গ্রহগী দশা কোকই শ্রীহরিনা পেনবা মসি সোইফদ্রবা শ্রী ব্যাস বাক্যনী ইতি॥ হরিবল হরিবল হরিবল॥

অধ্যায় ঃ—

দুর্য্যোধনা ত্রিকাললুখিগদা

ফংবগী ৱারী মতাং

শ্রী বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মখা লিরগে পুক্লিং চংনা তাবো জনমেজয় নিংথৌ। দুর্য্যোধন ভীমগী ৱা তাবদগী চাবা তুম্না চংদ্রহনা নেংঙানবগা শৌকনিগা ৱা তাখৈ। মাংপুকচাওবা ভীম শিরসন্থু থাজিল্লবা অসিদী ঐ শিনবা শিল্লবঙম থোক্লে কমদৌনি মামা হায়রকই। শৌকনিনা হায় ৱারন্থু ইমাবহন মামা তাক্লে ব্রাহ্মণ অমগী শাপগী ভাব লৈবা ব্রাহ্মণ অমনা শাপাঙগ পীবা ভমবনী। যমুনা ৱাংমগী বন আশ্রমদা তপ তৌদুনা লৈরিবা গম্ব মুনি অসি ইমাবনা খল্লগা থমবর নিহুনা লৌ। অদু ওইরবী

পোক্লে। হরে কৃষ্ণ পোননবুনী হুশী অহাং বাবি চন্ডাল পোইন পোমনা তাকি [illegible] কুপা কংবা হৌরদে। তাৎপর্য্য থংবা পোম্নবগী অত অজত লাইবনা কুপা [illegible] থংবা পোনবনা কংবাগী। তাৎপর্য্য থংবা অমুক্ষণ হরে কৃষ্ণ হেক পোক্লবা হকচাংবা শান্তিকী অমসুং কাওগদবনী মিংথো শী শিল্পৃুনা থক্তোয় পোক্লা পোনবনা কুপা [illegible] অদুবু তাৎপর্য্য থংবা কৌই ব্রাহ্মণ অচাণিংগী লাইরিক্তী [illegible] লাইরনী [illegible] অক্নুনা। অসা কানলিংহুনা কুইনা লৈনরবনী। যুধিষ্ঠিংসা ইনাওদী কুপা লৈয়রে লাইরিক্তা ঐবোমনা তরুনী কুপানা ইনাংনা কঙিও নর্গী নপাকদী নম পোনবগী তাৎপর্য্য [illegible] হাকনদী তীবু চেংনা কোমুনা কৃষ্ণগী অমা পোক্লনা মচিন [illegible] কপাম্নবগী, [illegible] ওঙনবীহনা যুধিষ্ঠির তীব কুপা ওইহনা পৃথিবী হায়নবনী। মতোউ উবদা ব্রাহ্মণ হাঙ্গিং চৈনিজহনা কোলিবদুনগা থৌগলী জান লাকপদা থেম হজিদুনা অনন্দ কনরে। ব্রাহ্মণ হাঙ্গিংগী লৈরনরি অম তাৎপর্য্যগী কনভাব ভাজদুনা তীবু থুক্নদে অমুক্ষ কপিনা কংলগা হায়নবনী। ওবাবু ঐথোয় উপাগী ভাবুজিবগী [illegible] মিঠা ওইদুনা, [illegible], অধর্ম, [illegible] তানবুনা লৈরে। ওস ওয়না ভাকলীহবদগী জান তাহকে মনাই ঐবের অাইনা লৈনবনা (তেংবগী) তাৎপর্য্য থিজদুনা, কৃষ্ণ ভক্তি ওনবনা [illegible] কুপা পিনবীবু। [illegible] মনাই রাকথোয় বিদায় নিজরগে, তীমনা হায় লাইরিক লৈবগী অভিবাদন অসংগী কৃষ্ণ [illegible] মাগা সমুদ্রদগী শাদোক[illegible] [illegible] [illegible] লৈরবা তীব [illegible] পান্মুই মখোইগী কৃষ্ণগা [illegible] থোকবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বিদায় থৌবে, ব্রাহ্মণ হাঙ্গিং হনবী যুধিষ্ঠিরম হনরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় অমেজন দুর্যোধনগী রাকবদু অমুক নিসরকলে। দুর্যোধন [illegible] শব মুনিগী [illegible] চংদুনা শক্তোম হৈ লৈ অমুকো পুং [illegible] মতম কাইবনা কংলি। অদুগা রা অমংথো [illegible] থুরুমদগা হনবই, অমুক [illegible] [illegible] মতাম্মোম [illegible]। নোংখাই শব মুনিনা দুর্যোধন য়েংদুনা হায় রাজকুমার নংনা [illegible] লৈংলৈ চকোই শক্তোম পোরক পোরকদুনা লীরে। অদুবু বিভা অমা তমগেন্দু [illegible] [illegible] নিংথৌগী মচানী লীচব অমঙ্কা থোরিবা মগী ভক্তিহ ইপা পেরে। ঐদি [illegible] থাদোক্রবা তপস্থি ব্রাহ্মণ মীগী মংম শামদে নগী প্রেমগী লমম শিংকে, [illegible] অমা নিং ঈপা শীরগে। দুর্য্যোধন মুনিগী চক্কা থুরুমজদুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বর পিনবীবু নিজরকই। শব মুনি পোনবীহনা অমর [illegible] বর [illegible] দুর্যোধন মুনি থুরুমজদগা হনবই। অদুবু মহাইবত্তদ অমর ওইবু হাঙ্গা বিজয়ীগী [illegible] লৈতবনা, [illegible] [illegible] তীমদা অমর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাকই। তাজাদুনা তীব গঙ্গা স্নান তৌগদবগী থোক্কপগা থেংনরে, তীমনা [illegible]

করেদিং। [illegible] খুদনী। দুর্যোধন মে.মেন কৌরবগী ভবুংদো থাইবা [illegible] অদু
মুনিনা অমর অমর ওইরো হায়দুনা [illegible] [illegible] । অদুগা যজ্ঞ [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] কৌরবইবদি কোক্সু চংত্রি [illegible] । [illegible] দুর্যোধন
অমর ওইবদি ঐখোয় হুদে [illegible] খুদক্তা [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible]
[illegible] হায়ইহুদো অমর শিদে [illegible] কৌরবগী [illegible] [illegible] । ঐনা [illegible]
[illegible] চংশা খুদিং [illegible] মুনিদু থাইব অমর কৌ [illegible] [illegible] । ঐনা [illegible]
[illegible] অমরদী [illegible] [illegible] ঐখোয়দী শামদে, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] । মুনিনা [illegible] [illegible] [illegible] মুনিদো [illegible] খুদক্তা [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ভাবে। দুর্যোধননা কদি [illegible] থাইবা [illegible]
[illegible] [illegible] শিবরোইবদী, [illegible] [illegible] শিব নাইদবনী। ইচা [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] । [illegible] [illegible] মিং উবক্লোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
দুদি [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মৈনা চাকই
কাহনা মৈনা থাংহনা থাগদী। ঐনা [illegible] [illegible] [illegible] অমর কংবা
মীসী প্রলয় মতমদা মৈ-ঈশিংদো শিরোইদ্রা। হংবিক্ত শিরোই হাইরক্লবদী শোয়দেদনা
অহ্ ওইরবদী ব্রাহ্মণ কংডবহ্ খুদক্তা চেন্নগা অমর ববহু হন্দোকহনু মতমহুদা ঐখোয়দী
শিদোক্লগা খগদা দেবতুগ চাহনা হুৎহাইনা দৈনী ধাতুগী অরাবহ্ মেংবা ওমজরোই। ভীমগী
বাহাবগী ভাবদা য়াইষ হংগুখিনী হায়রগা কোক্সুংদা চেক্লকুনা ধৃতরাষ্ট্রদা খুরুম্মগা
হক্লংলি। পাবুং অজর অমর কংক্লা মী অংসু পৃথিবী প্রলয় মতমদা মৈনা চাকপা ঈশিং
খুবনা শিদে হায়রনু হুমবক্লে অক্লা হংজরে। মচাগী য়াহং ভাবদা ধৃতরাষ্ট্রনা দুর্যোধন অমর
কংডবা মীদা প্রলয়গী মৈ-ঈশিংদা শিরোই। মপাবুংগী বা ভাবদা দুর্যোধন অরাবা
[illegible] [illegible] মৈ কৌরবগুম শাওক্লা [illegible] মুনিগী মকমদা চেক্লগা [illegible] অমর
[illegible] [illegible] [illegible] মৈগদবগুম চৌকরে। [illegible] মুনিনা [illegible] [illegible] দুর্যোধন [illegible]
[illegible] কদি [illegible] [illegible] মৈমং ভানবিগী। [illegible] [illegible] [illegible] মিং
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] উবদা মুনি শাওরকুনা, মহাপাপী ব্রাহ্মণদা [illegible] [illegible]
[illegible] মৈরমবগুম চৌমদী। [illegible] ওইনা [illegible] অমর [illegible] অমর কংহৃত [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] শিনু [illegible] শাপ পীবে। মুনিগী শাপ [illegible] দুর্যোধন
[illegible] [illegible] ঐবু [illegible] [illegible] ঐনী [illegible] [illegible] [illegible] মথুংতা
শিবা ভাবে। ঐনা [illegible] চংবা মুনি [illegible] [illegible] মথুংতা [illegible] ঐ মুনিনা
[illegible] [illegible] [illegible] মুনিগী খোং [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] ঐনা বাক্ত [illegible] ঐনা [illegible] [illegible] দুর্য্যোধনগী [illegible] [illegible] পীবা [illegible] [illegible] ইবুংগোনন [illegible] [illegible] [illegible] (অর্জুন) [illegible] দুর্য্যোধন [illegible] [illegible] নহাক্তি [illegible] [illegible] [illegible]

অধ্যায় ঃ—

যুধিষ্ঠীরদা ধৃতরাষ্ট্রনা নিংথৌ পদবী—
পীবা বাহণাবদ কোন্নুং শাবগী রারী ম্রতাং ॥

[illegible] হায়রে [illegible] মহাভারত [illegible] [illegible] [illegible] বৈশম্পায়ন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যুধিষ্ঠিরবু [illegible] [illegible] দুর্য্যোধন [illegible] মহারাজ [illegible] [illegible] [illegible] নিংথৌ [illegible] [illegible] নিংথৌ [illegible]

নবুখৌ লৈবনীনা ঐ নিং তম্বা য়াত্রি। রাযম অসি ড়াংখোকউগনু নংবু নিংথৌ হাপ্‌বা ইপা অমুক্তা চিক্কা তানখিগে হায়খি। দুর্যোধন হনখী ধৃতরাষ্ট্রনা দূত থাদুনা কনিক্ক বৃদ্ধমন্ত্রি কৌথংলি, কনিক কোমুং মনুং চংদুনা মহারাজ নপু য়োৎকক্লে করি তানবীগনধো লৈবগে থুরুমজরি। ধৃতরাষ্ট্রনা মচা মনাই তানথোক্লগা চিকন কনিকগী মফমদা হায়রকই ইপুদি ইবুধৌ শান্তনু হাক্তঙ্গী মন্ত্রি ওইরক্লবা রাজনিতি হৈবনি। রাকম অমা তাননীংই যুধিষ্ঠির প্রজানা নিংথৌ ওইহননিংলক্লে ঐনা ইচাবু শেমনিংঙু ইবুধৌ ভীষ্ম লৈরেনীনা ইনিং তমস্ত তৌনিংদে। ইচা মঙান্দগী কাইদবনীনা পংকাই কাইনন্ত তৌনিংদে ইপুগী মন্ত্রনা অমত্তা তানিংদুনা কৌবনী। কনিবনা মহারাজা নিত্তি শাস্ত্রগী বারী অমত্তা লিজগে তাবিয়ু মমাংগৈদা বন অমদা নোংকল অমা কৈ অমা খৈরোই অমা উচি অমা মরুপ ওইদুনা লৈমিনৈ।

নোংমদগী শক্তি অমা লৈবুং মথক অমদা তুমদুনা লৈবা উরে লমহুইনা ইতাউ নথোই য়েঙ্ক আদা শক্তি অমা লৈরিবনী। কুম্ভীমাল্লে মসি কারগা চারবদগী হাওরনা য়াম্বা লোইরে, নোংমানা কাম ইতাও শক্তিগী য়াম্বা যাত্তিক ঐথোরম নাশোল তাবদা চেনখিনী কাবা মৎহৌরোই_ লমহুইনা ইতাও উচি নং চৎলগা মনাক অসিদগী লৈথুন হুৎতুনা চংলগা মাগী মপাদা ফাওগৎতুনা খুমাঙ্গী তাং চিকথেকউ ইতাও নোংশাবু নমহুনা ফা-হনসী। উচি চংখীহুনা লমহুইনা তাকপতু কাইদনা শক্তিহু চিকথেকই শক্তি মথোং না-হুনা চোংই তঙ্গাদুদা নোংগা চেনশিনখীহুনা নমহুনা কারগা পুশিনখী শক্তিহু উবদা লমহুইনা হায়। ওসগী শক্তিসী ইপা ইপুগী উসব ওইনা কৎলগা ফংসী মরুপ নখোয় ইরুজরু ঐ শংগে নখোয় লাক্লগা ঐ অমুক লক্লগে শেংন চাসী, মখোয় মরি ইরুজবা চৎখী লমহুঈ শংহৌই। নেংসা ইরুজরুগা থুঙ্গুরে লমহুইনা হায় ইতাওখোয় চাহৌরো ঐদি য়াওররোই। উচিনা অপিকপা ঐগী ইপাগ্না কারগা মতোংনা ময়াম্না চাখীনি ঐনা মরু ময়াং অসিনী, মরুপ অপিকপা উচি তিম্নররোই ঐ চৎলগে। রাহু তাবদা নোংসা শাওদুনা চৎখী মথংদা কৈ থুঙ্গুরে লমহুই হিক হিক কপশিন্নরগা ইতাও কৈ নং শিব তারে নোংসানা নংবু হাৎকনি হায়রম্মী। শিব তারে মুংশিদ ঈতাও রাহু তাবদা কৈহু কিরহুনা ইতাও সোমদা চৎখী তাকউরমু হায়দম্নগা কিদুনা চেনখি। উচি লাক্লে ইতাও খৈরোইহু লিন থাৱৌ অচৌবা অমনা মাবু য়োৎকনি হায়বদা মাগী মহুৎ নংবু পিজনী হায়দুনা হৌজিক লিনগা খৈরোইগা থিগ্নিরবনী হায়জিনবদা উচি কিদুনা চেনখী। খৈরোই লাকপদা লমহুইনা পাপী নং হাৎকে নেংশা কৈহু ঐনা তানগ্রবনী ধমকা তৌবদা খৈ-রোই কিহুনা চেনখী। লমহুইনা শক্তিহু মতোমতা চাখী য়ারবগী তিমরুবনী য়েরুবা ড়াক্ত-নী লমহুই পাপ লৈতে নিত্তি সাদুনা অরুম্না হায়রি। মরম অদুনা নচাইবুঙঙোগীদী

পাণ্ডুব মাগী য়েক্লবনী লম্না। পাঙ্গন্না লৌশিংনা, প্রেমনা খুদুম চনবা অয়াবা মওংদা তোংলবদা দোষ লৈতে হায়রী। মরম অসিনা মহারাজ মহুত্দা খম্নরগা নোংমা সভাদা বারনাবতকী গুন থাগৎহল্লু যুধিষ্ঠীরদী ধর্ম পাম্বনিনা মফমদু শেমগৎকে হায়রক্নি। মহুদা পঞ্চগ্রামগী নিংথৌ পদবী হান্না পিরগা হস্তিনাগী রাজ পদবী দুর্য্যোধন্দা হাপ্পীরো অহুম থৌবিরবদী মহারাজগী বদনাম ফজদবা লৈররোঈ। * কনিকমন্ত্রি অহনগী মন্ত্রনাদ ধৃতরাষ্ট্র মুঙাইরদুনা লুপা পিরগা হলহন্থী, তুদা দুর্য্যোধন কৌ হগা তানৈ। দুর্য্যোধন মপাবুংগী য়াথংসনা লুপা পিরগা দগী পাত্র, মন্ত্রি, ব্রাহ্মন শেলপাম্বশিংদা বারনাবত থাগৎনবা লন য়েনখী। নোংমা দরবারদা অহল্লমন পাত্র মন্ত্রি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব গুনা তিংবদা শেল চাবা কাংবুদু উঙ্গিৎ তৌনরগা মন্ত্রি অমনা হৌগৎলগা মহারাজ অমসুং গুরুজন ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুন্নমক্তা হায়জরি ঙসিসী বিচার থোইনা লৈত্রে, ননাই রাহৈ খংদ হঙ্গৎচগে অথঙ অহৈনা অমুক্তা অশেংবা তারপীয়ু। বারনাবত হায়বা গ্রাম অসিগী মনুং চনবা চমসিদা পুন্য ধাম য়াম্না লৈ হায়বসীবু চুমজ্রা অথঙ অহৈনা অমুক্তা অশেংবীকউ হায়রকই। পাত্র অমনা অমুক চুম্মী কুণ্ড, হ্রদ, শরুবরু তীর্থ, স্নান তৌজবদা পাপকোকপা লৈ হায়রী। ব্রাহ্মণ ফমনাইবা অমনা অমুক খুম্মী বারনাবত অসী শিব ধাম দেবীগী রম্যবন লৈ মফমদু অহুদা অষ্টমী, চতুর্দশী ব্রত তৌরগা শিব, দুর্গা নিংজবদা লেপ্না জীবনা মুক্ত ওইবা মফমনি। অমনা অমুক পৃথিবীদা ফাওমদ্রবা পুনা ধাম লৈ। মফম অদুদা শ্রী হরি আরাধনা তৌজরবদা মনা পাম্বদু হরি উৎসুংগোনা লেপনা পীনৈ। স্বর্গগী লাই শনদু পাম্নরবা পুন্য ক্ষেত্র বারনাবতনী। অস্তুবা থাগৎনরকপসী ভীষ্মনা খল্লি ঐখায়না মুন্না খঙবা মফমনি করিগীনো থাগৎমল্লি খনখী। যুধিষ্ঠীরনা অন্ধরাজদা হায়জরকখি পাবুংহন নচানা বারনাবতকী হায়নরীবা মফমসী অমুক্তা য়েংজরগা শেমগৎচনিঙই, রাহায়দী হায়রকপা ঙাইরম্মীবা অন্ধরাজ যুবরাজ ঈপনগীমাংদা চংঙকউ, কৌশিনখী। যুধিষ্ঠীর চংহনা খুরুমজে, ধৃতরাষ্ট্রনা ঈচাদি যুবরাজদা লৈবা তোক্লো নিংথৌ ওঈবা মতিক চারে পুক্নিংন পাম্নবদা। গ্রাম মঙাদু পিতৃ স্বতনী চেসিমখৈ ঈপন্না রাজ পদবী পীগে মহুদা নখোয় পাল্লুরো হায়রগা রাজমালা লৌথোক্তুনা যুধিষ্ঠীরদা তুরুগা নিংথৌ খুদুম পীখ্রে যুধিষ্ঠীর ঙাকচানদুনা খুরুম্মগা হস্তিনখিদুনা ফমখি, খুথক্তা দুর্য্যোধন কৌশিল্লগা হায় দুর্য্যোধন নয়াম্না যুবরাজনা সাসন পুরিবৈ ফরম্মী।

হৌজিক্তি পঞ্চগ্রামগী নিংথৌ ওইরবনিনা চংগ্রনি ঈপাদি মিংকউদ অহনসু ওয়রে পোশারগে। নংনা হস্তিনা গ্রাম তরগী শাসনসী পুরো হায়দুনা রাজ আসন শিন্নরগা।

---

*। বাখ্যা। কনিক কৌবা মন্ত্রি অহল অসি ভারতিনা কনৌচ ব্রাহ্মণনী অর্থনিতি ধর্মনিতি রাজনিতি সাসন পালন শাস্ত্র কৈবনী। শান্তনু, চিত্রাঙ্গদ, বিচিত্রবির্য্য নিংথৌরোল অহুম বর মন্ত্রি ওইরকই। ধৃতরাষ্ট্রগী হাক্তা অহল ওইদুনা পোপাখী। বিদুরনা বর মন্ত্রি অমুক ওইখী। ইতি।

রাজা অভিষেক তৌখরে। অহল্লমন ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবনা পেল্লখিদে ঙসি লৌতুনবৈইরে বারনাবত থাগৎনবদী পাণ্ডব লাপথোকহল্লগা মচা নিংথৌ শেমগে তৌবনিদনা পুক্লিংদা খল্লখী রাদী ঙাংথোক্লখিদে। দুর্য্যোধন রাজা আসন ফমখিবগা বিদুর মন্ত্রিবু থুরাক্তোনস্ত্র অহন ওইরে মন্ত্রি পোণ্থাবীরো লৌথোক্রে শৌকনি বরমন্ত্রি হাপখ্রে। অতুদগী দুর্য্যোধনা হায়রকই হন্দক্কী দাদা মহারাজগী কোন্নুঙ শাবসী ননাওনা লল পুথোক্লনা শারগা কংচরগে। লোইরগা শঙ্গাবা নুমিৎ য়েংলগা লেংবীয়ু হায়না যুধিষ্ঠিরদা থুরমখি। সাধারন মীয়াম্না দুর্য্যোধনসী নিংথৌ ওইরবদী য়াম্না কৈ খল্লখী। জ্ঞান লৈবাগংন দুর্য্যোধনসী মীফত্তবনি তুংদা করি ওইরগবা খল্লখি, নুমিৎতুগী দ'বার হন্নখ্রে মঙাস্ত নুঙাইফম খংদনা মঙ্গামক হন্নকই। মমাবু থুরমজরগা পাণ্ডু তমজে কুম্বিনা মচা মঙাগী পুক্লিং নুঙাইতবা উরগা বৈষ্ণবানা হায়রখি। ইচাগা ইতৈ ইবুঙ্গঙাগী য়াথং ঙাকপনা নখোয়গী ধর্ম্ম ওইয়ু মচাবু শেমনীংবা জগৎকী হৌনবনী। নুঙাইতবা তৌরুগনু পিতৃ স্বত ওইবা মফমদা লৈরুসী মঙ্গম খুদিং কৃষ্ণগী চরন কাওগনু। কোল্লংলোম্নদনা দুর্য্যোধনা শৌকনি, কর্ণ, দুঃশাসন, পুরোচন, যবন বা-খোমলগী মন্ত্রি শৌশিনখাত্তুনা কুমন্ত্রনা তৌখি। দুর্য্যোধন্না হায় মামা, ইভাও, মন্ত্রিস্ত তারো পাণ্ডব মঙাসি ঐগী য়েক্লবনী মিয়ুম মৈ থারগা হাংকে হায়বগী ফজবা মত উংতুনা কোল্লুঙ শারগা কংকে লোইরগা শঙ্গাতুনা লৈবীয়ু হায়বনী। য়েক্লবা মাহন্নবা ইরন তিংগে, পুরোচন মন্ত্রিদা জতুশিলপগী মন্ত্রিনী হন্দক্কী কোল্লুংসি মৈচাক ফনবা জতুগৃহ ওইনা শাগও মরুদা ঘা থাও হাল্লু। মহীক অক্রম কোয়শন্দুনা চোংতুন লানবা ঙমদনবা থাঙ্গপাৎ তৌরগা সৌ হুক্কু উদনবা ঈশিং থন্না হাজিল্লু। চেকপল রাহল্লু জুগালি মিঠ্ঠি পুন্নগক মন্ত্রিগী দইথুনা লোইগদবনী হয়েদগী মচাক হোনথ্রগদবনী। পাণ্ডব মঙা মৈ থাতুনা হৎপা ঙম্দ, পঞ্চগ্রামগী রাজ্যভুগ নত্রেন্দা পীগদবনী মী খংহনবা তাহনবা য়াদে হৌজিক থৌরা অহিংগী থৌরাং লোইরুরো হয়েং অয়ুক্কুগী পোং পুথবা লাকউ। রাগম অসিদা পুরোচন নুঙাইরতুনা নিধো খুরুম্নগা হনখতুনা মিঠ্ঠি জুগালি থৌরাং লোইশিল্লখী। নোংঙাজগা পুরোচন কারক্তুনা শগোল শমু রথ উক্কা হাপ্তুনা দুর্য্যোধন শৌকনিগী পাওজাক মতুং ইন্না বারানবত পুথখিতুনা শাবা তৌখি। অসিগুম্না ধৃতরাষ্ট্রনা দুর্য্যোধন মচাবু শেমনিতুনা মন্ত্রনা তৌনতুনা দুর্য্যোধনবু হস্তিনা নিংথৌ খুদম পীবা, যুধিষ্ঠিরবু পঞ্চগ্রামগী নিংথৌ ওদবা পীরগা লাপথোক্লবা পাংথোকখিবা তৌখ্রিবা মতৌ অসি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহল কমম্না হৃদয়দুগী ইচা মীচা নাইবা পুকচেল অসিবু নিন্দা তৌনখি নিংথৌগী রাই য়েংবদগী হায়দোকপদী ঙমনখদ অসিগুম্বা মহাভারত আদিপর্বগী রাগী অসি শ্রীব্যাসনা লেংথ্রবা তাজবদ। মাওইবনা ভবনদীবু পার তৌহনা অমুগী মতমদা হরি ধাম ফঙ্গনি অসিগুম্না মহাভারতপু সাহিত্য সেবা পামঙবা পৌরানিক পরিষদনা ইমালোম্দা ইজবগী দোষ খৈবিক বৈষ্ণবশিংনা ঙাকশীগনী ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায় ঃ—

দুশৈল্যা জয়দ্রথ লুহোংবা ভীমনা— সুরবিস্ত হিংচাবা হাৎপা য়ারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মথাগী য়ারী লিরগে তারো জন্মেজয় নিংথৌ, ধৃতরাষ্ট্রনা ম চাবু নিংথৌ শেম্নবা নুমিৎকী নোংঙাল্লবা অয়ুক অঙনবদা দুর্য্যোধনবু কৌশিল্লগা হায়রকই। দুর্য্যোধন নচন দুশৈল্যাসী যৌবন বয়স মপুং ফারে, বিবাহ মতম চানা পাংথোকপা ইপানা পাম্মী, কমদৌশিংগে ননগী সয়ম্বর পাংথোক্লবা তৌরো। দুর্য্যোধন্না পাবুংনা তাকপীরীবা অসী নচানা নিংজবা অমা হঙ্গংচগে, লক্ষ অমদী ঈশাবরি স্বয়ম্বর নত্তনা দৈবী বিবাহদা সিন্ধু দেশকী জয়দ্রথ নিংথৌদা দান কংলসী। জয়দ্রথ হায়বগী মহিক মগুন লৈবা নিংথৌনি, ইচন [illegible] ঐগী মীচং ওইহৌবা পাম্মী নচানা হায়জবগী পাবুংনা য়াবীয়ু। ধৃতরাষ্ট্রনা অদুদী দুর্য্যোধন থুনা পাংথোক্লবা, পত্রগা কোম্মনা দুত থারো হায়না য়াথং পীরে। দুর্য্যোধন্না ফনি নচা পাংথোক্লবা হোংনজরগে হায়না খুরুম্মগা থোকখিহনা শৌকনি তানরগা চিঠি ইরগা দুত নিপা অহুম থারে। দুতশিংদু শগোল তোংদুনা চংখিবনা নুমিৎ হুমনিদা থুংখি, দ্বারিদা হস্তিনা ধৃতরাষ্ট্রগী পত্র পুরকপা দুতনি হঙ্গংপিয়ু। হস্তিনাগী দুত লাকই হঙ্গংলি। দুত লাকই হায়বদা থুনা থাজিল্লকউ হায়খি, দ্বারীনা রাজদুত চংবীবা য়ারনী হায়রে, শগোল শিনরম্মগা দুত চংঙক্লুনা রাজসভা খুরুমজরে। জয়দ্রথনা রাজদুত চংঙকউ কুরুরাজনা, করি তাকপীরকপগে তরাম্না কৌবীরবদা দুত চংজদুনা পত্র কচ্চরে। জয়দ্রথনা পত্রদু য়েংবদা নুংঙাইরদুনা দুতশিংবু সেবারীদা শিন্নদুনা নুংঙাইনা পীজ পীথক্লুনা পোথাহনখী। জয়দ্রথনা পণ্ডিত কৌথোক্লুনা বিবাহগী নুমিৎ য়েংহনবদা, ফাইরেনগী তরাহুমদোইনি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি য়াম্না ফরে হায়রদুনা লেপ্লরে। অহিংদু পোথাদুনা লৈরে নোংঙানবদা দরবার ফম্মে, জয়দ্রথনা পত্র ইরগা দুত্তা পীরগা হায়রকই। ফাইরেনগী তরাহুমদোইনি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসি য়াম্না ফরে, মসিদা লাংবীরম্মো নোংমা য়াংলিংদা ঐ হস্তিনাদা থুংজরগে হায়না হঙ্গংলুরো। য়াসী হায়দুনা দুতপু মনা পীদুনা বিদায় পীরে, দুত জয়দ্রথবু খুরুমজরগা শগোল তোংদুনা হল্লকপনা হস্তিনা য়ৌরক্লে। দুর্য্যোধন্না পত্র শিন্নরগা পাও পুন্নমক তমজরগা খুরুমজরে, দুর্য্যোধন অন্ধরাজ অমদি রাণী গন্ধারীদা মরোল পুন্নমক হঙ্গচরে। রাজা রাণীনা হায়রকই দুর্য্যোধন পাণ্ডব বার্ত্তন হায়না য়ৌরগা, নচিন্নাও তানদুনা লাঙঙ্ঘু থর চাউনা হোংসি বার্ত্তন চিংদনা তৌরো। ফনি অজ্ঞা হায়দুনা খুরুমজরগা থোকখিদুনা শৌকনিগা কুমন্ত্রনা তৌরগা, পাণ্ডব য়াওহন্দনবা বার্ত্তন তৌরে

পাণ্ড ফাওবা তাহন্দনবা থিংজিনখি। অতৈ পুন্নমক ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব নিংথৌ কয়া হস্তিনা যুমথোং চিংথদনা বাৰ্ত্তন তৌরে। বিবাহগী থৌরাং চাউনা যজ্ঞনা লাংখি:

সিন্ধু দেশকী জয়দ্রথ, নিংথৌ ১০গা অক্ষৌহিনি হেন্‌জোল ২গা, ভাগুরী মন্ত্রিনা বোর শেম্নবা ওইদুনা লাকপনা, হস্তিনাদা নোংম রাংজিদৈদা থুংলরে। যমুনা খোংবান বেসদা পোথাদুনা লৈরগা, চুঙ্‌ নিপা ১৫ থংগৎথদুনা অম্বরাজদা পাও হন্নখি। দুৰ্যোধন শৌকনি তান্নদুনা হয়েঙ্গী সম্বাশা সেবা বিকর্ণদা পিরম্লে। মুমিদাং অধিবাসকী কুম্মৈ বয়া তৌদুনা নোংঙাল্লগা যজ্ঞ হৌই পুং তাদা যজ্ঞ পূর্ণাহুতি লোইদুনা ব্রহ্মভজন তৌরগা মাংগুবতা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব ভাবক তিন্দুনা নিংথৌ সভা ফম্মে। নামকীর্ত্তন তৌরে সম্বাশা সেবা পুরিবা বিকর্ণনা নেংপোক্লোমদা ১০৫ গী আসন পরেং থাংগা চীংথৈ পাংবদা বয়গী আসন থায়। অসোমদা জয়দ্রথ থৌরাং লোইরগা বোরগী আভরন শেন্দুনা, নিংথৌ তরাগা ভাগুরি মন্ত্রিগনা বোরগী থৌগল ওইদুনা, দোলাই তোংলগা যন্ত্র বজন তৌদুনা যাত্রা তৌরকপদু স্বয়ম্বরগী ? হেজদা থুংলমে। সম্বাশী রাণী থোংক্লে সেবারিশীংনা দেউতি মঙ্গল ওক্লগা, রাণীনা মরা হক্লগা বোর চংখনুনা সভা থুরুম্মগা ? বোরগী আসন য়েংঙি। বিকর্ণনা ভক্তি তৌরগা আসন্দা নেংশিনবিয়ু হন্নলি, জয়দ্রথনা মহাশয়বু সম্বাশা ওইরব্রা আসন ১০৫ থারিবাসি কনা বনাগী যিদনো। বিকর্ণনা মহারাজ বন্যাগী মবুং ১০৫ লৈ মথোয়গী আসন্নি। জয়দ্রথনা ১০৫দু করি পদবী ওইরি, বিকর্ণনা যুধিষ্ঠিরগা দুৰ্যোধনগা রাজা পদবী ফংঙে অতৌদ পদবি লৈত্রে। অদু ওইরবদী অনিহু থাক্লগা অহুমশুবা অদুদা ত্রৈগী আসনসি পুখংলগা থাও অতৈসিগী মথদদী ত্রৈ ফম্মোয়, বিকর্ণনা অদু ওইরবদী অহুমশুবা মফমসিমগা থাক্লগা মরিশুবা মমাংদা থজংগে। জয়দ্রথনা অহুমশুবদু বনাগীনো ? মহারাজ অহুমশুবা অসি ভীমগী মথক্নী, হেক্লেন বেরা হৌনদুনা চোপ্পনি, জয়দ্রথনা নিপাসী ভীম কিদুনা থারোইদোরে থংদুনা, ভাগুরিদা অহুমশুবা যিদা লৌখংলগা ত্রৈগী আসন ? থাও হায়রে। ভাগুরি মন্ত্রিনা ভীমগী যিদা লৌথোক্লগা, বোরগী আসন্দু নমদুনা থারে। মহু উবদা বিকর্ণ শাওদুনা, ভাগুরিবু খজাইদা থুবাক্লা থাদুনা মঙক লাকদুনা ? ইল্লে। মহু উবদা শাওদুনা মাগী শাগোলঙরৌবা শিবথর্গ থাংশাং শংদুনা, ত্রৈবু উশিন্দ্রবদী নংবু হাংক্রিমখৈ ঙসি ঐ লুহোংঙরোই হায়রগা বিকর্ণবু তানসিল্লকপদা থাঙ্গী গুন উবদা বিকর্ণহু চেল্লে। জয়দ্রথনা বিকর্ণবু তান্নখ। বিকর্ণ ভাঙ্গগী মফমদা হেনসিনখীদুনা প্রান কনবীয়ু হায়জবদা, ভীমনা নং হেনক্রো মগী থাংদু থুংলাই অমনা চাকপা য়াক্লোই, থাংদুগী গুন্নী, জয়দ্রথবু মীনা বিনরীবহু নং চেলহাদ্রবদী শিবা তারে। ভীমগী রা তাবদা বিকর্ণ দোনগী জাগা তথা অমুক হেনক্লে, জয়দ্রথ অত্তম তামরবথী বিকর্ণ দোনবু থুরুম্মগা, জয়দ্রথগী খাংদগী প্রানদদি কনবীয়ু হায়জে।

দ্রোননা বিকর্ণ জয়দ্রথগী থাক্তী ময়াদগী, নংবু ৱনবা ডুমংদবদী ভীমসেনি চৎলো পাংবকী অাগা য়ৌখৰো হায়ৰী। বিকর্ণ পাণ্ডবনা লৈবা যুবৰাজগী কোন্নুংনা গঙ্গা ৱাংমদনী, অদোমদা চেনখ্রে জয়দ্রথস্ত অহুম জাৎখিহুনা পাণ্ডবকী হোজংদা চেনসিন্নকুনা মাঙ্গোলদা কুন্তী লৈৰম্মী। বিকর্ণ দণ্ডবত্ত তাৰগা ইমা জয়দ্রথনা এৱু হাংকদবগী ৱায়ৰক্লে, প্রান ৱনবীয়ু ? হায়জখিৱেঙ্গদা। জয়দ্রথ খৌৰক্কুনা দণ্ডবত্ত তানীবা বিকর্ণ; মশাম পায়ৰগা থোক্নাল ৱাংমদা কক্কে থন্দুনা শ্রো শ্রো ? চিঙেঙ। মতৌহু উবদা বৈষ্ণৱী হৌগৎলক্কুনা পাম্বোম তিংহুনা। অমুক্কা ভাইখো কায়ৰগা মংদা থংলুবদা, জয়দ্রথনা ইনথুৰম্মগা শা দগ চিংবগুম ? বিকর্ণবু চিংখি। মতৌহু উবদা কুন্তীনা ভীমসেন কৌই, ভীম ইমুংদা পোত্থারম্মদগী চেক্ষোক্লকই, কুন্তীনা য় ইমা ইমানা থাস্বদা ইনথুৰম্মগা বিকর্ণবু চিংখ্রে ননাওগী প্রান কমু ? হায়ৰকই। ভীম ৱাহু তাবদা শাওহুনা চেনসিনখিবদা, বিকর্ণবু মগুক ৱৱদবগী থাং হায়গৎলকই, ভীম চোংশিন্দুনা ভু লোমদা থাংদোন্দু ফারগা জয়দ্রথগী মখুৎতগী থাংহু শংখ্রগা শিব খর্গহু খুউন্দা থোংদুনা ? থুদেক্লে। ভীম চোংশিন্দুনা জয়দ্রথবু ফাৰগা চুবা য়েংলোম মাইৰোম বিন্না থিনবদা: জয়দ্রথ উপনা ভাই মগুকা মখোংগা পায়হুনা লোংনা থেক্কে তৌবদা। কুন্তীনা য়াইমা প্রনদী ইমা কল্লগে ? লাওবকই। ভীম্না হাংপা য়াদ্রহুনা য়েংনা জয়দ্রথ মশম পায়ৰে, ওয়না বিকর্ণ পায়ৰগা চেনশিনক্কুনা কুন্তীগী মাংদা থদবু অনিহু ? তিংদম ৱাহুখি। কুন্তীনা কৃষ্ণগী নাম শেল্লগা নানবীবদা জ্ঞান লাক্কুনা হৌগৎলবপা বিকর্ণনা হালি। ভীম্মু ওবানা এৱু ৱনবাৰে হায়হুনা থুকমজ্জে। ভীম্না বৰিগীনো হঙ্গুী বিকর্ণনা মৰোন পুঙ্খমক তম্মী ভীম্ম। এগী মদা চিংগোৱবপদী থম্মু থমখো মমিং খানা য়েংঙম্বা যাওবা মগুক শেক্কোবউ হায়ৰবই। জয়দ্রথ বিগ্রহুনা কুন্তীগী পাদদা থুরন্দুগা ইমাগী গুনবু নমাই খংজকদ্রে ননাইগী থৰাই নচাইবুংগোগী খুৎতগী কনবীয়ু ? হায়ৰজ। কুন্তী নংবু এনা কল্লবনী কিরুমবু নংবু কননো, বদায়দগী কৈদোৱা লাকপনো কৃষ্ণগী নবানী নিঙ্গাই ? তৌনৰকপনো। হংবদা বিকর্ণনা বিবহগী পাণ্ড তম্মী ৱাগমহু তাবদা বৈষ্ণৱী, এথোয়বু তাকপীরত্তবম্মী কৰিগী ওয়াৰিগদগে হায়ৰগা; জয়দ্রথ বিকর্ণ অমিবু চানহল্লগা থাখ্রে। জয়দ্রথবু বিকর্ণনা শমদুনা পুখিবনা, লুহোংযম য়োৱকপদা জয়দ্রথগী বিজ্ঞমহু উবদা ময়াম্না হড়ি। বিকর্ণনা তম্মী বিনথমদা খর হাখিহুন' কোক গুওবহুদা এনা শমজৎক্লবনী। ৱাযমহু তাবদা মীয়াম্না ভীম থেংনকৰগা মথৱাই হিংগুৰইবহু; মৰাইবক বৈদা হায়নৰকখি ভীমগী গুনবু জয়দ্রথগী কাংবুনা বিনখি। জয়দ্রথ কিজোল হোঙ্গুগা কমখী কুলাচার্য্যনা পঞ্চ দেৱতাগী ঘটস্থাপন লোইহুনা, বোৱ চৎগুকপা ৱাৰনি হাম্বৱদা খোৱহু জাঙ্গুখিনা থৌগল ওইৰগা! জয়দ্রথ বোৱগী আসন্দা ফম্মে কোক লুম্মহুনা জাঙ্গুনা খরাং শৌগাংলগা ? থোগল্লি। গন্ধারী ৱাণী মাণ্ডবতা থংবৈ গুশাই মম্মা ওকপদা ফজৰম্মক্লম্মা

হৌজিক ওইরম্বীবা ফিভমচু খেন্নথবদা কবিগী নোংছি। বিকর্ণনা রাথমচু ছন্নদা রাণী শাওদুনা য়েংশকপদা পাণ্ডব উত্রে, রাণী অত্তাবী খঙলিংদুনা ঐ চন্দ্রিতৈ বন্যাঙল তৌরমগনু হায়রম্মগা পাণ্ডবকী তাগা তায়া চেন্নরখি। কুন্তীগী কোক্সং য়ৌরকপগা মা কুন্তী হায়না কৌরকই, রাণীগী খোনথম তাবদা শাওদুনা লাকপনী খঙদুনা চেল্হোল্লগা মচেম্মু খুরুমজে। গন্ধারীনা কুন্তী নচা ভীম লৈব্রা, কুন্তীনা লৈ অক্তা হায়না খুমজে। রাণীনা হো ভীম হায়না কৌরকই! ভীম চেল্হোল্লক্তুনা ইমাবোক লেংবীরকপবু, করি ত্তাকপীগদবা লৈবগে? হাকপীয়ু হায়জে। ভীম নচন দান তৌগদোরিবা বোরবু নংনা ফিভম কায়না থারকপদি নচনবু করি শ্লন ভাব লৈবননো। নত্তগা নপল নক্কাল ঐখোয়বু করি ওয়না উবননো, জন্ম অসিগী লোইনবা পাম্বদা ঐ লোইনরগে? লায়বনী শোনা খুম্মু। ভীম্মা অদুগী ওইরবদী নচা হনচংখগে, অহানদা ঐখোই খঙজদে কোম্ফংদা বিকর্ণনা তম্মগা খংজরকপনী; ইন লুহোংববু ঐখোয়বু তাকপীদবা মরম য়োন কজ্জদব অসি হায়না খঙজম্মবদী। বোরদু মণ্ডক থেক্তুনা মথরাই লৌরম্মবদী, করক পেন্নমগদববু খঙকৌদবদগী কৌজিক নিঙঙমহৌদ্রবনী, মতুগী রাথম ওয়রবদী নচানী খনবাদ্রকনীনা রা মথ তাবীদ্রবস্ত ? য়ারনী। গন্ধারীনা কুন্তী লুহোংবগী বার্তন তৌরক্ত্রা, কুন্তীনা পাণ্ড মাংবা ফংহনবীরক্রে অক্তা, তাঙ্গা অদুদা যুধিষ্ঠির অর্জুন নকুল সহদেব মক্কালবু? খুরুমজরে। রাণীনা যুধিষ্ঠির ঐগা নঙ্গী পাবুংহনগনা, পাণ্ডব বার্তন হায়না য়েৌবগা নচিন ননাও তাম্মরগা তৌগদবনী হায়না শিন্নবনী। অদুগা বার্তন নৈথংলম্মসী ইক্কাল মুঙঙাইতে, থিগংলগা মতিক চাবা ইক্কাল দঙী পীগে, নখোয় মাওদবা য়াদে ফি হোংহুরো ঐগা চংসি, হায়রবদা মঙা ফিজোল হোংদুনা গন্ধারীগা চংখী, কুন্তী মচেম খুরুম্মগা ঐদী কোম্মা য়োক্তরক্কে হায়দুনা? লৈহৌরে। গন্ধারীনা ভীমসেন ইক্কান্দী ইচা ফত্তবদগী নমাংদা ইকায়বা নংগে, ওসি নংনা বার্তন নৈথংলম্মা মীশঙ্কু মুম্মা থিগংলম্মু, লৈবাক মাংদা ইক্কাল দঙী পীরগে, ঐ ফিজোল হোংঙখিগে নখোয় চংঙম্মো হায়রম্মগা রাণী? কোকুংংামদা চংখী। মতাং অসিদা দুর্য্যোধন্না শোকনিদা মামা ওসগী মতৌসী ঐগী দোষানী, ঐ দঙী ফংবা তারে কয়দোন শোকনিনা ইমকহন বার্তন থিগংলগদবদী ভীমনি, মাবু তাইনহৌদ্রবদী ইকু ইমাক চেপ্পনী। দুর্য্যোধন্না দুশাসন ভাগ্তারীরোমদা কোলা নিংথিনা লাংঙুরো, ঐ নয়াম্বা য়াইমা লৌক্লখিগে হায়রগা, দূর্য্যোধন হোজংদা থোকখিদুনা পাণ্ডব ওাই মঙা য়োক্কপগা। চেনশিল্লক্তুনা দাদাবু ননাও ওাইরম্মী হায়রগা? যুধিষ্ঠিরবু খুরুম্মী।

মমাখনা কোল্লি মনাও মদিনা দুর্য্যোধনবু খুরুম্মী কোয়রে দুর্য্যোধন্না দাদাগা ইনাও-শিক্কা মাঙবতা? লেংশিনবীরম্মো। বৃকোদর ইনাওদি ভাগুারি লোয়শংদা য়োক্লখিসি

হায়রহুনা পুশিনখী , যুধিষ্ঠিরনা মনাও অহুমগা চংখিহুনা, গুরুজন সভা খুরুম্মগা মাগী থিদা অকম চানা কমথরে। ভীমবু পুজারীশিংনা ফোনা লেইজরে কংবিবা য়াহ্নী , দুর্য্যোধনা য়াইমা কংঙো য়াবনী হায়রবদা ভীম ফোনাহ্ বুরকদা কংলগা ? পুরন ওইনা থংঙে। খুংশা চিন শেংদোকই আসন্দা থম্মী তুশাসনা পামা লাগিলি , ভীম পানা চাংগা হায়রকই দাদাইবুংঙোনা , থরায় য়াওনা ফোনা পিজংবদী রা অমা হায়গনি বরি হায়বীনংবা লৈবগে ? তাকপীয়ু। দুর্য্যোধনা চুপ্পী য়াইমা ইয়াম্বনা পাণ্ডব ফজদে হায়বা অমুক্তা থোকহল্লিংহুনা বহুন ভোদবনী অহুবু ইমানা শেইদনা দণ্ডি তৌবীংবা ওরে ইনাওনা অমুক্তা কনবীয়ু ।

ভীষ্ম দাদাইবুংঙো চুপ্পী বাহুনগী রাযমসী থিগংকে থিগংলোই কায়বসী ঐনি, অহুবু কোকাগী মাই গুককচরগে মেনবু শেদেক্লবদী ননাওদী , ইয়া য়াজে। কেংঙসি কায়নগগা লুহোংফমদা চংলহুনা , সভা খুরুম্মগা থম্মে গঙ্কারী মাণ্ডব য়োৎরগা ভীমসেন কমদোয়ে হায়রকই। ভীম হৌগৎলক্লহুনা খুরুমহুনা কায়জে , বাহুনগী রাযম অসি নকারেক শিংনা থারেনদী মথোয়না চাথোক্লগা! তৌরুরে হায়রহুনা শেইনবা ওইরমাল্লে। ইনগী থংক্তা রায়াঙ্কবস্থ পামজ্রে , ইমাবোক্তা রাকমসী তেনসিনবিরে , গন্ধারীনা য়াইমা নহাকপু যোনা ৎক্লুরুত্রা অজ্ঞা , করে ননবু য়াদবদী হায়রগা পাটেম্বদী আসন থমজ্রে। বনা পুথোক্লে নন্দি মুক শ্রাদ্ধ মুখ চন্দ্রিকা বিবাহগী নিয়ম, পুরণ ৭ পোলোন ৭ শাক্ষি তৌদুনা শোক্লগা দুর্য্যোধন মচনবু দান কংলে । পাকা থিরোই থায়ে ছন্দেছ য়েন্নে দঙ্গিনা মতিক চানা কংলে , ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব মঙ্গল পিরম্মগা হংখী , অহিংদু পোথানরে লোংঙাংবদা রাজা রাণী খুরুমজহুনা বিদায় ? লৌজরে। জয়দ্রথ তেঙ্গোল মীয়াম শাজল লোয়রে , দুর্য্যোধন মচনগী অডানপোং চাম চামনা খুজিং ওয়হুনা লাংঙগা! দাস দাসীগা কোয়হুনা থিন্দোরকপা , সহরগী সিমানা লোইরকপদা বিদায় তৌনহুনা হঞ্জিলহৌরে । জয়দ্রথ মুমিং য়ুংঙমদাইদা সংযোগ তীর্থগী থোংবান শানবন্দা থুংঙরে , জয়দ্রথনা জাগা অদিদা চাবা থকপা লাংঙগা মুমিদাংরাইরম ইংঙগা অমুক চৎসী হায়নহুনা বন মজুংদা , পোথানরে তীর্থগী থোংবান্দা পুজারী সেবায়ীশিংনা চাক থোংনবা গোংনরী , দুশৈল্যা সখী শঙ্গা লোয়ননা স্নান তৌজরিবৈঙে ? মতম অদুদা। বন অহুদি সুরবিস্ত কৌবা হিংচাবসী বনমি , মাখু কিবদগী লাই-মী যশ-রক্ষ চংনজ্রে চংঙীবশিংহু মাগী চিঞ্জাক ওইরে। জয়দ্রথ থঙ্গদবনা বন অহুদা পোথোক্লবনী , হিংচাবহুনা রাক্ষসবিদ্যাগী গুয়া অঙ্ক হোংতুনা য়েংবদা , সিন্ধুরাজা হস্তিনাপা দুশৈল্যা লুহোংঙবগী কললকপনী হায়বসী ? লোইনা উখী।

ভালো ঐ মী চাদবা কুইরে বিধাতানা চারসনু হায়না থাজিনবীরক্লবনী , থম্ব য়াঙ্কাথে মায়া তৌহুনা ওহুনা থম্মবদী হস্তিনাগী অক্ষৌহিনি ১১ ? লাক্লনী । সেমগী

২কে হস্তিনাগী ১১কে, অক্ষৌহিনি ১৫ পুনশিনবা খারগা খক্তদী, অতেকপা চানিংঙে চা অকুবো চানিংঙে চা খর অমনা অমগী খারগা খঙগে? কতম ফুইনা হায়রনী। মদুগী হিংচাবহ ইরুজরিবা দ্রৌপদীগী পাখা; লিংথোকী মাখল ছংবীহুনা মনাই মান, লোইবদু হঙ্গলী, অমসুং কম্পীবুনা চাক ঙাইবা ওইদা পূর্তি পুবা ছন্দোক চাবীরদুনা। লৈরেং দ্রৌপদীগী স্নান লোইবগা লাকচবনী লৈখীগীমহ উবনা, কচি কর্ণগী মহারাজ, ঐখু খুংশিনবরবহ, ইপাগী ইথুংগী মত্রি থরনহ য়েংবিহুনবা ঐখু হস্তিনাদা থিজিনবীবগী। লাইরক থাবী ঐখী পুন্সিন নহাকবু নিংহুনা লেমজবকে হায়না কপচরে, লৈবমীবা মাবা অদুর দ্রৌপদীগী মতৌওম হায়রি। জয়দ্রথহ ওক্নহুনা থার ফিরেং ঐদি নংগী কুশিং নিংদা দুহত্ত- রিবা অসিনি কন্যা অমা লৌরবহ লৈতে আগা অদিনা কনবহ নবে। মৌথিক অনিংঙবে অম দি বন্সদগী মায়াবী ওইবমগনি নিংঙে। অহহু মায়মগুনা মাখানা লিনি ঐগী পুখানা সিনি হায়বা থংবা ওমদরে। মাহু তাবদা মাপী অজতাই ওইবগা রাজকন্যাগী নিংথেবা মায়াহ খজাইদা খুপাঙ্গা শেং শেং থারগা? লাকচুনা ইরে। অনিহ ওনশিনহুনা মথম লোইনরে মস্তোহ উবদা রাজসভা অকন অথোনা খাইদোক্তহুনা; পুংলাই পামবা লাকীনা চোঙানবা কোয়হুনা থম্লে। জয়দ্রথনা ময়ামগা খবরদা উপায় লৈক্রহুনা, দূত নিপা ১৫ হস্তিনাদা থাও থাগ্রে, দূত হস্তিনা য়ৌরগুনা ধৃতরাষ্ট্রদা ? পাও হঙংচরে। ধৃতরাষ্ট্রনা রাজাজ্ঞা পাও খোরজুনা, ভীষ্ম, দ্রোনদা দুর্যোধনা হঙংচরে, খুথম্বা থৌরাং লোইরুনা অক্ষৌহিনি ১১ থাত্রা তৌরকপনা শালবন্দা থুংঙরে! জয়দ্রথ গুরুবর্গ খুরুমজরগা হঙংচবদা ভীষ্ম- দ্রোন - কৃপা - অশ্বত্থামা - কর্ণ - শৌকনি য়েংলহুনা মাখা পুথোকপা ওমদে। কন্যা মচুংবা দূত নিপা ১৫ অমুক থাগংথী, নোংঙাল্লমদাইদা অঙ্গরাজনা মায়া পুথোকপা ওমদি হায়না হঙংলি। কোন্নগী ইবেম্মসিং কপ্পথি লোংঙাল্লকপদা ভীমহু গঙ্গাস্নান লাকই, হস্তিনাবোরগী ইরাং তাবদা কোনুংলোবগী ইবেম্মসিং ঙাশিং শোকপদা হংদি। পুবনাবীশিংনা পাও পুজমক লোয়না তম্বা, ভীমা ইবেম্মথোই চেপ্তো পাকুংদা হঙংলু। লৈবাক মানবনী ইচলগী অরাবা কোকহনবা কনানা? হন্মগোই। ঐনা চংলবদী শোইদনা ওমগনি অহহু কৌবনা চংপা য়ানবনা খুত্তইতনা লৈহৌরে রাকথ অসি হঙংলুরো ঐনহ হঙজবকই? হায়রু। ইবেম্ম- শিংহু চেনবীহুনা রাজবাড়ীদা ভীমগী খাকমহু হঙংলুবদা, অমরাজবা ভীম কৌক হায়বহ না পাগ্রা অনি থাগ্রে। ভীম স্নান তৌরগা কি লেংখুনা ভাইরিন পাক থুংঙরে ভীমদা রাজা অজা ওম্বে। পাণ্ডুহ তাবদা যুধিষ্ঠিরনা অইথা ঐখোয় মহারাজ হঙংলী, থৌরাং লোইরো ভীমনা অজা ইরাবা ইনাও লৈখিরৌ ননাওনমক হঙংচগে। খাবগী বিচার চংনুবা মচিন মনাও চংথিজবা কত্তে হায়না ওবানা হায়বিরকই মনাই চংপানা। ইচলগী অরাবা হেক্তা কোবাদি, লৈবিরৌ হায়রগা অত্তপাশিংগা? কোখুং য়ৌথক্কে। থিংথৌ মহারাজগী পুরুপা

অহৌবাঙৌবা হায় ভীম মকুনী অমাখা নুংকা অমু, ভীমনা হায়রৈ পাবুংদন এনা পাকান্ন খোবগা হাংজনা ওয়ানয়কপা ওৎনা? হাকদীরকপদা। ঐগী ঙম মুত্তি য়াওবা, মত্তি ৪ না সোনাইরেং ওইরগা, মকোয় সোনাইনা চংজনখি মাপ্যানি লিক ওইবা যাওয়াই হায়-খিয়কই। অহুনখি মচানা পাদ্দিবনি অমু মহুবদি ভাবগা চেঙকানবনী, ভীমগী মা ভাবগা 'অহৌবাঙৌবা' পরগা খোংবনা মুখিনাং থুংবা। চুক ১৫ নুংগ.ই ?. থুনা চংদো। খৌকনি খোয়বল ২ পা মত্তি ৪ খুনা খৌরকউ, মায়া বিচার ওমগদবা বিচাওপতি কৌমরুখনি হাঙ্গু হায়রুনা? খাবয়ে। 'হুভনিদু শগোল থুংনিংকী মাং থানা খৌঙকপনা, শাকপব খৌবক্ষুনা দুর্য্যোধননা পাত পীদে, মাজা অকা ওমজরে পত্রগী মরোল? মালা অকা মচুং ইবা। খৌকনি খোযল মত্তি ৪ খাঙংলক্ষুকা, হত্তিনা কোখুং খৌরকগা মাজা মাপী? থুরুমবৈ। অহৌবাঙী য়াথং নিংথৌগী মরুম সোনাই পুখোক্ষুনা, মত্তি মরিনা সোনাই-রেং ওইহুনা ভীমবু খৌগল, মহ মাকম ভৌঙগা পোঃকপনা শাকমল? য়ৌরে। সোনাই থাবে দুর্য্যোধন মখাওশিক্তা ওক্লগা ভীমবু পুশিনকই, সোনাইরেংখি বিচার কো[illegible]কাও সোনাই মখাক্তা লৈংনবনী, কাঙুমথুনা মত্তি ৪ কোনাই? শংহুনা লৈরে। ভীম গুরজন থুকুমে অমদ্রব ভীমবু থুকুমজরগা আসন থারে, ভীম কম্দগা হায়রকই মখামসি চংথক? হায়রিনী। চাক খোজংদো বিচারপতিগী,দ মথেল ৫০ দগী ১ ভাবা মাদে, চাক্তোকপগা, বিচার খৌনি ইচনগী সোম্বা কোক্তনি হায়মু হায়না? লাউথোক্রে। বিচারপতিগী য়াথং কায়রবদো থাযাগী থুবাক্তা, অবাবা ভাগনিকো? লাউক্রে। বিনদুনা দুর্য্যোধন জয়দ্রথ ২ মা শিক্লাহুনা, খোংবা সোইহুনা অয়মত্ত ভীমত্ত চারে কোইনহুনা সভা ময়াইবা? আসন থারে। ভীম মখুমো গুরু থুরুম্বগা বিচারগী আসন কম্মে, দুশৈল্যা ২ পুশিনকউ হায়রকপদা পুশিনকপদা ২ হু খেন্নবা কৈংঙে? চপ মাঠৈ। ভীমদি দুর দৃষ্টি হৈ মায়া মপক খংখি, ১-২ মখং মনাও অম থাক্তিনি বিচার হৈ? হায়নবা। ভীমনা থুরুপ ৮০ গী চাদি কোন ১০ লুবা ১ ভোৎলগা, শিকং পৈশিনগা খি থাও হৈজিন্দুনা হৈ? থাগৎখনি। মানাহু উভোং মভাং ১ গা থম্মে, দুশৈল্যা নম্বর ১ পুশিল্লকউ,হ,য় পুশিক্লে, ভীমনা ইবেম্মা মৈগী কুভনি বাংবা লাক্না? অমুক্তম চোংঙ। দুশৈল্যা অশেংবহু ওমক্লে, নম্বর ২ দুশৈল্যা পুশিনকউ হাক পুশিন্নে, ভীমনা ইবেম্মা আয়া ওইবনা? মাদি ওমক্লে। ইচম্মা থর্ক কাইনখনা ওমকপী লিংডি, মৈগী কুভনি বাংবা লাক্না অমুক্তা চোংঙ, কুমখনি মত্তি কানা ওংনবিদখি ইবুংঙা মখয়াই কৌনে, মায়ানা শাদ.য়.ইবা নমু চোংকনে লাম্নহুনা মৈগী কুভহু বাংবা লাক্না? চোংখরে।

ভীমা মৈতোংবা ওমদবহু পুশিনকউ হায়রকই, দুশৈল্যা পুশিনকই ভীমনা ইবেম্মা মৈতোংবা ওমকপহু উভোংনি অমুক্তা শিংনু? হায়বদা। দুশৈল্যা ওমবা খৌকমকনিবা মখে. মখৈবা

ছুনৈন্দ্যাদি বনগী পনবাবদা পুখোক্লগা। খুংলাই শাবনা লাম্লীনা চেকশিনা কোইশিনবা হাদু, হায়রকই। মাবাদা হায়রকই ইবেমা ইচল অমুক্তা লিংদু, মাবাক্না অকল জিংকলে হায়রগা মায়াগী গুম্লা ? লাবনা লিংলে। তীমা ইকমনী গুম হৈৱা হায়রলা, বিজ্ঞপ বগী খুনাং কায়গা লাউনা হাঁয়রকই। হৌজিক বিচাব লোইরে মায়া দুখোকলবদে। মীয়াম বনগী পনবাবদা খুংলাই শেমলুনা কোয়রগা লৈকীরো। কোয়েন হেন্নাক্লগী মীয়াম শোক্লনি চেকশীনবীদু ? হায়রকই। অক্টোহিনি ১৩ দু বনগী পনবাবনা, পয়োম পলোম কোয়হুনা খুংলাই শেময়গা লৈখবে। তীমা মৈচোংবা উতোং লিংগা ডমকদু ইচঙ্গী, ডম্বীনা অসিনা মায়া হিংচাবনি হায়না কাওদোক্লগা। খোংথদুনা মহাপাপী হৌজিকমক নজি নশক্কু লেকু ? হায়রকই। হিংচাবা মাগী অকিবগী মশক্কু ওইরগা খাক্ক খাক্ক নোক্লগা হায় নংবেত্তা মহাজমবৈ মী খর মাক্তা পুনাহনবিগে ? ওংগনি। হৌজিক মীয়ামগী ১ হলক্লনা ঐগী চিঙ্গাক ওইরদনবগী মখোক্কী, নংদু হ,ক্লা হাংদোকবিগে হ.য়রগা চিঙ্গহুউপাল অমা ? ফুকখরে। তীমত্ত চিঙ্গদু ফুক্লগা গদাবাক্তা থিরখরে, উহু তেক্লে ফুক্লে হৈনৈ বদুগী উজাও ? লোইরে। চোংশিন্দুনা মর্মদুখনা পানরকই, অভিয়াদা লাইয়াম কুপৈ য়েংউী মীয় মত্ত ? মীপাইনরে। চাদে ভুমদে লানক্ত অহিং খুংগিল পোথাদনা পানরকপা, খুমিং ৭নি গুবে হিচাবা তীম ওবদরে কুপৈ য়েংহৌবা লাইত ? ত্রস্ত ওইনখি। অহু উবদা ত্রক্কানা খুংশিত্তা হায়রকই, খুংশিং নংনা নচানা কাকশিক্ল হিংচাবসি, বন অনিগী মহুংনবী ওথিনবা লৈহয়োই পনবানদা ? পুখোক্লগা হাংগা থাগনি অহু নত্রবদী নচাগী শোয়রয়নী হায়রকপা, ত্রস্তাগী পাওতাক খংবদা খুংশিন্দো। তীবগী নাকোংদা ? হায়খি। তীমহু পাপী নঙ খংগনিদো হায়হুনা য়েংকী খোংপাক্লম, অরবিক্তগী থমোইদা কাওই হিংচাবা লোংনা তাই, তীমা মখোং ২ পায়রগা কোকথক্তা হায়রকুনা কৈন কৈন বনগী পনবানলোমদা ? পুখোরকই। মীয়াম হক্তোরক্ল তীমা চক্ষুক্তম কৈক্লগা, কৈখুং অমদা খাক্লদোমনা কনবদা হিংচাবা মরাদা কৈ হ.বহুনা ? ওয়ে। তীমা মক্কা মখোংগা পায়রগা য়াংলেন্দা খুকউনা নমক্কুনা লোংনা থেকপদা, * হিংচাবা মথরায় থারে তীম অয় সিংকনায় তৌই লাইনা ? হৈল চাইথয়রকখী। তীম স্নান তৌবগা মক্ক শোক্লনা-ন্যনবদা, হকচাং শোক্লমবহু লোইনা তাইশিনখীক্লনা হৈনা কোক্লে ? মবুখো গুরু খুলগী তীমবু মীবাকা থাগংনৈ মীয়াম চাক খোংদুনা চাখ থকপা কোইদরে, জয়দ্রথ গুরুকম খুক্লমদ্রগা তীমবু খুক্লমকহুনা বিদায় মিকখা, তীমনা মশেংলগা মচক্কা কিরামগী মখমদা হায় নংখোয়দা ? বনগী লম্বী চংশদা। ঐগী থিং অনি লাউনা শোক্লগা চংলবনি, হিংক্লা মাইকথ য়েকনবী হায়, অর্জুন থেংকোলগা তীম শোক্লনা মথৌশাক্তা ? লমখি। এক্কাদশ

* মত্তানা। সুবরিক্ত হিংচাবনি হোতাগী মাম নিংদাদা মাকনগী মচা অভিমন্যু খিদু পুখোক্লকপা ১৫

অকৌরিবি হস্তিনাপুর লেঙকপদা, ভীষ্মনা মত্রি মরিনা পুরা লোলাই তোংদুনা কোনুংদা থ্রোনা হৌবা অক্ষ্মবদী, লমথাংলো ইচম্মু চিংচারবী থম্বাংতা? তারকপনি। হায়রিন্দুনা লোলাই তোংঙলো মমাগা থৌগল তৌদুনা, হস্তিনা কোনুং য়োৎরুপা রাজ্য যাগী? খুৎমজদুনা। ছন্দোহ পুত্র ওইন চারগা মতুমদা হল্লকুনা, মমা মমাগী থুরুম্বগা পাণ্ডব তমর্জনি, ভীষ্মগী গুনমু লৈপাক পুমনক্কা? শোয়খি। অসিগুম্বা আদিপর্ব হুইপাল্যা লুহোংবগী মরীনি পুর্কুং চৎনা তাজবদা মী বিষ্ণি লাকদবা খৈবিক শ্রী হরিনা চাকপী বাগ্য বাক্যনি ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়ঃ—

বারনা কোনুং শঙ্কাবা মৈ চাকপা হিরম্বা হাংপা হিরম্বী লুহোংবা মরী মত্যাং॥

অতাং অস্মিদা জন্মেজয়না হংজৈ মুনি, বারনাবর্তনী ইবুধো ৫ না তাখিবা দোথাগী মরী লিখিয়ো। বৈশম্পায়ননা হায় মহারাজা পুরোচনা বারনা কোনুং শারকপা, মৈগী পুংথমদা মাত্রা হুন্দুনা মুত্থম মুগী য়েংবী পামিপ্তা ঘি থাও হাল্লুগা যুংচুনা মওং ওইহনিংবম্মু চানা য়োমদুনা? লেম্মগা। শাম্বইবহ্‌ থংদনবা মং তৌশিন্দুনা, সনা রুপা পুৎহাল কয়া থাম্মী, মং ফজনা তৌরকখিবনা চাগী মুঙ্গী থংদনবা শাবা? লোইখি।

সেনাপতিনি মামা, মেংবদা তেক্কোল উৎ ওইনা তাহনগনি, হায়বগী পাজল্দ অরাং চাংদোং থাম্মদা মাইথুম? লোথোকইহৈদা। বিভিন্ন তাক্কুনা রাম্না তেক্কোল কমবা, মরাক্তা মুথক্কমা শাকপা, মরেঙ্গা মুথক হুমফু মাংবা মিংশেল? অমা। পাড়্যায়দা খিল্লগা মিংশেল মক্কমদা তেক্কোল পুথুনা চৈবদা, মুর্বিবস্ত সেনাপতিনা ভগ্নদৃষ্টিবু মিংপাং হৈকু মিংশেলদন? থনগ্রে। মিংশেলনা মমিনা নশাদা তারবদী, নঙ্গী নমিংনা থৌবনিনা নম্বা কাও? উৎ ওইবা মাই। এম শেল ক ওথরখিগে হায়বগা পায়শিনখিবদা, হনুমান্না মথৈনা কাম্বগা লংঙকপদা। বিষ্কগান্দা তাবদগী হনুমান কিক্কুন? হল্লিয়ে। পাংবদা লাক্কুনা ব্রহ্মা নিংবদা, ব্রহ্মানা বর পিহুনা লৈবা হিংচাবনি। অর্জুননি ব্রহ্মানা তাকল্লিবহু ভীমনা হনক শোকনিবু লোলাই পুহল্লগা, তোংদুনা হক্কংহন্দা থৌগলহল্লিবা। অমমুং দুর্যোধনবু ওংহুনা মুমিং হল্লি মথেল মাইহেদগী তাদনা চা থক্কুনা ওংলিবসি। মচম লুহোংবা বাক্কল তৌদবগী লমনশিংবা ওইগা? ভীমদি য়োৎকপগা মিনা হিংচবনি থংগী লায়লোক্কনা বিচার হৈবনা থক্কবা তাহনদা! মুমিং ও নিসি হল্লিনা পুর্কপগী চেং হকাই মি থাও হৌক্কদুনা! মাথাম শিক্কুনা? পুক হুমকমবনি ইতি। তাংবগী তাহত বাক্যম।

কোন্নুং অমা পাননবগী লোয়শং, দেবালয়, গজ, অশ্ব, গো, আয়ুধশালা, চাওত্রবশু মশিং শুনা? থম্মী। অকোন্নবদা চেকপান রাংবা মচংখংলি, নোংপোক্লোমদা ফোজং, থাচুংপাত, ফোন্নবা পাক্লা লুনা তৌই মঙুংদা য়েংকী শৌ য়ুংশুগা ঈশিং থম্না থমই। হোজংগী নাক্কল অনিদা, কোন্নুং চাক্লবগী মগুংদা কাচা গৃহ শংসাং পংেং শংহুনা? থম্মী। থা অমদা লোইত্তনা পুরোচন লাকত্তুনা অয়ুক অগুনবদা কোন্নুংদা চিক্লা বারী শায়ংস্না মতমদা বিদুর চিক্লা ত্তারগা থহন্দনা চংখিতুনা ধৃতরাষ্ট্র? খোগনখি। পাণ্ডব শিং হায়বা লৈতবনা কম্নবা, শ্রীকৃষ্ণগী কৃপানা মরম ওইহনা বিদুর বৈরবনা, খংখি। বিদুর ময়াম্নুংগী সেবা লোইদুনা মতমদা বুমখি পুরোচনস্তু হনক্লে, দুর্যোধন রাজাদানীগী কোন্নুং চংহত্তুনা? হক্লকৈ। পাবুং পাণ্ডব মচা দরবার কারকখিত্র ওসি কৌথংপীরগা হয়েংমক বারনাবত যাত্রা তৌহনবীরো। নচানা কোন্নুং শাবা লোইজরে হক্লংখী মচানা থুংম চাংবা অন্ধরাজ খুথক্লা হুত থারনা পাণ্ডব? কৌ-খংহনখী। চাবা থকপা লোইনহুনা দরবারসভা ফংখে, পাণ্ডব মচাস্ত কারক্তুনা অন্ধরাজা, ভীষ্ম, দ্রোন, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, সভা খুকমজরগা? ফংম। ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই যুধিষ্ঠীর ননাওনা, বরনাবত কোন্নুং শাবা লোইরে হয়েংমক নমাংগা ইচামচা ওস্তা চৎলগা বরনাবত কোন্নুং শঙ্গারো। ধৃতরাষ্ট্রগী য়াথং থংবদা যুধিষ্ঠীরনা হায়জরকই পাবুংহন মহারাজ ননাই নচাদী বারনাবতকী পুন্যক্ষেত্র লৈ হায়বহ অমুক্তা য়েংজপুগ হায়জবনী। পাবুংকম্না নচা ত্রে-খেয়বু লাপথোক্লা থম্বী নিংলমাল্লে নচাদী পদবী পামজদে গুরুজনগী সেবা থাদোক্লমগাদবা অসি মুত্তাইজদে। অহুবু নচাদী পাবুংহনগী য়াথং ওাচবনা পুন্সিগী ধর্ম্ম ওইজগে, মুমিৎ অফ থত্ত য়েংজরোই। তারপীবা হয়েংমক চংগে পাবুংহনগী নিংবা থুংবীয়ু হায়দগা খুরুমজখী। মীয়াম্না হন্দকী থবকসী পাণ্ডব মচা নুঙাইত্তে হায়বসী খংনখী বাদী ওাং-থোক্লখিদে। দুর্য্যোধনা দাদামহারাজ ইয়াম্নগী দি কাম্নী লৈতে কোন্নুং ওাক্লবা লাম্নী অক্ষৌহিনী অমগা পুরোচন মন্ত্রিগা ননাও কংচগে হায়খী। মুমিৎ অদুগী দরবার হম্মরে পাণ্ডব মচাস্ত ময়ুম য়োংক্লে মমাদা খারম পুন্নমক তমজরে। অহিং হোৎত্রে নোংওান্দবদা হস্তিনাগী প্রজা ওস্তা চাবা থকপা লোনইহুনা নিংথৌ পাত্র মন্ত্রি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহল লমম প্রজা মীয়াম পুং তরেৎতা দরবারদা লোম্নবা থুংওরে। মচাস্ত মমাগা মপোক্মচৈ রথত্তা হাপকৎতুনা লৈকাম্ন বিদায় তৌনরম্মগা দরবার য়োৎকই কুন্তী মচেম গন্ধারি

---

* / অনুবাদ / বিদুরনা তাকপ্রিবা ম্লেষ ভাষাগী বাংলায়দি। সোজনি অস্তক সেই শিতলের রিপু। তাহে সংবধানেতে রাখিবা সব বাপু॥ মঙোন্দগী পোকপা শিফমস্তু মঙোন্দা ওইবা, অগ্নিংবগী য়েক্লরস্তু ওইবা মকমত্তুদি, পুক্লিং তপ্না নথোই পুস্নরকফি হকচাং ওাকশেন্নু কয়েবনী। মীয়াম্না বিদুরগী পাওতাকসিবু লৈরুপদোকিবা কমত্তু য়াম্না ইংক্রী লাইহোনা নাদনবা হকচাংবু নিংথিনা ওাকশেন্নু তাকপনী হায়না অর্থ লৌখি। যুধিষ্ঠীরদী তাপর্য্য

খুরুমজৈ মচেল্লা কোম্লুনা প্রেমবিদায় পীরগা য়ামী কৈহৌরে। পাণ্ডব মচা ধৃতরাষ্ট্র খুরুমজৈ ভীষ্ম বাহ্লিক সোমদত্ত ভূরিশ্রবা বিদুর দ্রোণ কৃপাচার্য্য অশ্বত্থামা ব্রাহ্মণশিং খুরুমজৈ বিদায় লোইরৈ যাত্রাগী থৌরাং শগোল শমু রথ থেম্দুনা কৈনরে।

বৈশম্পায়ন হায়রকই মহারাজ জন্মেজয় ব্রাহ্মণনা মঙ্গল তৌরগা নমুথো মচা কুন্তি মমাগা রথ তোংই। পুরোচন মন্ত্রি তেঙ্গোল অক্ষৌহিনী অমগা বাহন তোংদুনা মঙ্গ বাজন তৌরগা যাত্রা তৌরে। হস্তিনাগী প্রজা পাণ্ডব থিংদোরকই সহরগী শিমানা লোয়রকপদা মীয়াম বিদায় তৌনরে। বিদুরনা মীয়াম মমাংদা তাঁকপা য়াদবনা পাংবে কল্লবগী * ম্লেছ ভাষানা যুধিষ্ঠিরদা পাওতাক পিরগা লৈহৌরে। বিদুরগী পাওতাক অসিদগী বাক্নাবদতো শারিবা কোম্লুং, লাকইবা পুরোচন অসি। ঐখোয়বু মৈ থাদুনা কাংকে থৌরাংবেইরে হায়বগী যুধিষ্ঠিরনা খঙখী। পাণ্ডবনা য়োরকপদা প্রাম মংগী মীয়াম্না ওবখী, মচানা মীয়ামবু পেম্নবা য়াহায়না বিদায় তৌরগা হনহনখী। পুরোচন মগী লাম্নীগা হোজংদা লৈহৌরে পাণ্ডব মচা মমাগা কোম্লুং চংলকই কুন্তী মমাবু পোঁ পাংগা। যুধিষ্ঠিরনা ভীমদা য়াইমা য়ুমসী য়েংবদা মীং থীংনা থজৈ পরিক্ষা য়েংউ ভীমা মাংলাংনী য়ুম্লীদা চাদুনা কেংবাম্না ইন্দুনা য়েংবদা। মনুদা পাইপ য়ুমগা ঘী থাও হাপ্লিবনিনা য়ুম-কম য়াংনা নোম্মী ফেং ফেং হায় চিক চিক লাংই ভীম চিনদুনা গদানা ভক্রগা য়েংবদা মহুবু (জতুগন্ধ) চাগী মনম ফাওই। ভীমা দাদামহারাজ মসি লৈবা য়ুমবা য়ুম নত্তে মৈগী য়ুম্নী মনুংদা ঘি, থাও হানবা চানা য়েমদুনা শাবনী। ঐখোয়বু মৈ থাদুনা হাংকে তৌবনী হস্তিনাদা হল্লগা পাবুংকনগী ফত্তবা থৌরাংসী শাগৈগী ইবুংখোংখেই খ্বাইদা খংজনুরসী। রাজমহুদা মনাংশিং লেপ্পরে। যুধিষ্ঠিরনা ইনাওশা তপা। ভানসী ইমা মুংশা থিনি ইয়াম্বা য়া হায়গে। তৌরিবসী পাবুংহন্দো য়াওরম্মেই দুর্য্যোধনগা তৌবা থবকনী মসি কোংদোকউরবদী দুর্য্যোধনা সসন পায়ল্লবনিনা লাত্তানবল্লগনী ঐখোয়গী কনা লৈররোই। অত্তুগা ঐখোয়গী ইচিন্দগী চন্দ্রবংশগী মিংচৎথীবা ওইহনগদুসি পাবুংকনগী মাই ভাকপা ওইনা মতম খর খাংওগা চংখিসী। পুরোচন মাগী লাম্নীগা লৈরিবসী ভাজা

খংবনা মৈগী য়ুম্নী নখোয়বু মৈ থাদুনা হাংকদবগী চৎপ্রিবা পুরোচননী, হায়না ভাকপী-রকপসী খংহল্লা য়োরকপগা য়ুমগী পরিক্ষা লৌবনী। ম্লেছভাষা হায়বদী (ম্লেছাচার) মীবু মাংনবা তৌবা জিব মুংশিবা থাদবা ধর্ম্মবু থাজদবা ঈশ্বরবু খওইদবা পাপ পুন্য য়েংদবা ঐগী করগা লোইরে খনবা ফত্তবা লমচৎ চৎপা মীবু ম্লেছাচার কৌই। ফত্তবা তৌ-রিবা অহুবু খংনবা য়াহায় হায়ববু ম্লেছভাষা কৌই মরম অদুনা খনল হল্লবদা ম্লেছভাষা ভাকখিবনী, হায়না হায়বু ইটোনা খঙনী হায়রকপনী। বিদুরদী মগা যুধিষ্ঠিরগী ভজন খংবনা ম্লেছভাষানা ভাকখিবনী। ইতি॥

লৈবা মৈ থাগদোক্লিবনী অহিং খুদিং ইচিন্নাও মচা নোংমা নোংমা তুমদনা লৈবগী ঐদী খুরাভোনগী মাহাক ম্লেচ্ছভাষাদা খংডবনী। ইমা মুংগা থিনি হায়দোক্লগদুসি ধর্মরাজগী মাংলগী মানহনা লৈরে অহনবা খুদিং মুনীষ্টিরনা থাং পাম্বনা জাগরন তৌই। ভীম, অর্জুন , নকুল , সহদেব , শাপি নাইনা লংমনগী পুরোচন ছিদ্র ফংদহনা মৈ থাবা ঙমদ্রে।

মরক মরক্তা পুরোচন হস্তিনা কোম্বুংদা লাকুনা দুর্য্যোধনদা মঙাগী চেকসিনবা পাও তম্মী। দুর্য্যোধননা হায় খুংতিগী শেন্নবা তোকদু ছিদ্র ফংবদা থারো মরক্তা লাকউ ঐগা উর্নসি চিন্না ভানরগা পুরোচন হনখী। রাথমদা বিদুরনা অঙনবা খুত্তিগী মন্নাগী ম্রন .ভলক থারন লেবা লাকপদা থেনহনা উহন্দনা চিক্লা ত.খী। বিদুর মচা মতৌমা কল্লনবা লম্বী শেমত্রবদী হেনকম লৈররোই খঙদুনা , মৈক্কব খনল হক্তবা কোরগা লল পীদুনা মরোল পুম্নমক তাক্লগা থারনাবত্তা থাখী। খনল হক্তবা মাগী বিদ্যাগা শক্তিনা গঙ্গা খোং-বান্দগী শুংঙী লম্বী অমা শেম্মকপনা অতুগ্রহ ফাওথমদাইদা হন্দোকপ্রগা। গঙ্গা মপাল পুরুঙী পেংহু চনসিন্দুনা হায়গী মতৌগুন থম্বগা লাক্লুনা কোম্বুং চংলকই। যুধিষ্ঠিরবু খুরুম্মী ধর্মরাজা-না। ইপু করি থবক্কী য়োধিনকপনো, খনল হক্তবনা হায়জে ননাইবু নচেল বৈষ্ণবনা থাবি-বক্তুনা শুরুঙ্গী চম্বী শেমজরকপনী। ঐবু চিংনদনবা ম্লেচ্ছভাষানা ভাবধিবনী শম্মু হায়রঙই শেম্বা লোইজরমগে মমুংদা লেংসিল্লি।

ম্লেচ্ছভাষা শল্লকপদা খংজহনা মপুংদা পুশিনখী। যাত্রা লিকলাই খুম্বী মনাক্তা শুরু- লম্বী ফাওদোক্লগা উবাক্তা চলশিল্লদুনা চপ মহৌনা রং তৌশিল্লি। খনল ধর্মরাজ খুরুমজহনা বিদায় নিজরে হন্দোহ চামিন্নগা চনা পীরে খুরাংজেন খুরুমজহনবই তঙীবু বিদায় পীরে। খনল হক্তবা হস্তিনা য়োথদুনা বিদুরদা পাও হক্তংকম্মী অদুগা মযুম য়োজখী মপুক্তা লৈরক্পসী মঙানা চেকশিনবনা।" পুরোচন মৈ থাবা ঙমদবগী থা তরা-মাথোই হৌরে। চহি শুগদবা নিপাক্লীদা চোরবা খুদিং অদুদা পুরোচন মন্ত্রি অমুক ওন্তা , হস্তিনা কোম্বুংদা দুর্য্যোধন কর্ণ শৌকনি দুশাসন চিক্লা হা তাকবদা লেপ্লরে। শিব চতুর্দশী খুদিং অহিং নোংমাইসী বাল লেপা মৈ মসদা অগ্নিদগুপ্ত চপ চানা তারি পুংকম অসিদা মঙানা তুম্মে থারো তুমত্রে থায়ো কায়রে। পুরোচনসু সোইদনা থারগে পাণ্ডব নবচনা হাংদগে কায়বা হাশক জৌংগা পুরোচন থারনাবত্তা চংখী। রাকম অসিদু বিদুরনা মন্নাখুং থোগল লাবপনা মপা চানক্লবদগী লোক্লা তাদুনা লংখী।

মহাভারত তারীবা জন্মেজয়গী মথমদা বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়খি অসোগুবা অসুমা বিদুর মুরদা হক্লগা তুম নিপা অমা কৌরে। খাকমাল লবেং অমা লৈজদুই চিঠি ইরগা লকেলী মখুক্তা হাপচিল্লি অদুগা তুম কৌশিদ্পা খুপা পী। ধৌজিক লগোলা

অহুন্ন য়েকুমনা লাকোই চঙি কমথৌনা চৎকনী, ঐদা অনুরীদি থুরাডোদা ওয়াংগী থকী লেপ্লিরে ? য়েকুমনা থত্তরোই। মনাম্নোমনা পুরোহন থাকী য়েক্কোয়কুনা ভাবা লোইরে খৈ থাবথা খৌরাং তৌদুনা থুৎলাই পাংগোবনী। থাকী থাকী কাবা অমম ভাইয়্না হৈদনগী থৈবন খনজাম ফোংদোকপনী লৌবনা মথবাই থাংবা ওইবিদুনা ? নিরুনা ভাগে। থবিনা-রোমনীদা চিংথনা (কৈথত) কিমানা খিলা অমা মথোন পুক্নবা অকুনা অমা কুনা পীদুনা হিংবিবিনা থাককনা। হি থুংখত্তুনা থনী মপা গঙ্গা থেংবোদনা ডাইবী, লোনবাই রৌগনবা অত অমমথাইন ভাইরে। যুধিষ্ঠিরনা হায় ভীমসেন পুং মকপিরকে মথোই কমদৌরী হেক্ক? ভীমহু মলা লায়রগা খোক্কুনা য়েংবা লেপ্তনী থবনা থুৎলাইলা কোম কোক্কুনা ? চুমনী। অহু উথনা ভীম পাওরকুনা পাপীলা মথোই কন পায়রনা থুম মৈ থারগা মী থাৎকে তৌরিবা মথোইনা ভুমদুনা ? লৈথোকপদী। মথোইগী পুম্নমক লুমনথ; মীনী মথোয়না ওমত্রবনী ঐ থাদোকপীরগে থন্দুনা মৈরাহ তৌরগা ? মৈ চমক্লে। মৈ কৌবা লাইহু হায়বনবাই হে - অগ্নিদেব নমাইনা লোইনা কক্কুথে মথোইগী ভুমনা ? চাকপীহু। ভীম অগ্নিদেবগী পুং চপ চানা লংশিংদু মৈ চুরে মৈ কৌবা লাইগী শক্তি চংবিদুনা এলগী মতৌওম ? চাকরে। অকৌবিনি য়েক্কোলদু মৈরকী অমম থাওনা চেখোক-লকপদা ভীমনা মৈথাই মৈনা ? লংশিনি। অত্তুগী মতুংদা য়েক্কোল ভুমনা থারে মৈহু লোংলৈ থুংশিং থবং থবং লম্ববিদুনা ? অতুগুম মৈ তৌরে। ভীমদি ককথি এরনগী মথৌহ উথনা যুধিষ্ঠির, অর্জুন, নকুল, সহদেব, কুন্তী কয়মনো ভীমহু থকরে অমম থাক্কুনা কক কৌদুনা ? কয়রে। অসেমনা ভীম কোদুং মৈ বৌবিবহু উথনা থাংবা ভাবে অম্নুং মৈরম্না দুর্লশিংকী থাং থানা ? চেনশিন্নকখি। ভীমনা দাদা মহারাজা পুরোহনগা থাকী লাকী মৈনা লোইনা হায় তৌরে থুম মৈ বৌরে ? লেংঙখি থাদি হায়দুনা কুহিন্থু নক্কমদা লোরে, নকুল সহদেব লেথোনা থাপলে, যুধিষ্ঠির অর্জুন নাক য়েৎ ওই ? কোক্কুগা। ওয়াংগী খোংদু কাওখেন্দুনা ওয়াংগী লমীদা ? চেন্নকই। লমী ভথাই চক্কমকপদা থংজিং মিংশিং ওকদুনা চপ লেপললগা মথা মরাক্তা মনাও লোইনা থারে, যুধিষ্ঠিরনা কৈথোইরে হায়রক হায়রকই।

ভীমনা দাদাইবুংদো মনাওগী লমা লৈরৌরে, অমুক্তা লৌথক্কবিরে অমত্তং লৈবিরম্নু, ভীমগী থা ভাবনা যুধিষ্ঠিরনা হাইখ মৈনা চাকখৌখবা থুমন চংবা হায়রোই এখোই মথলখা ওয়াং অহুংবা লৈখৌবা কিরে ? চংশিন্থু। ভীমনা দাদাবু লমাদি মনাওগী থবাইদি, লমা লৈখৌবদা থিংনী কাক্লে অমুক্তা ? লৌক্কবিগে। থুখৈরোই [illegible] লে [illegible] অন্নুনা চেনবী, ভীমদি কদিনা পুক্নবা [illegible] হুংদুরি [illegible]। ? ইকোন ভাজি। ভীম ওয়াংগী থেং লৌরকপদা মৈনা চাকলবগী খৌদি হায়রিদুনা

পনা লৌবা ? য়ারোইদোরে। অদুগা মতম কি মেহৌশা মৈবু নৈদি লৈবৌগুনা শাত্রৈ যে অদিগীদ ঙনাইবি পনা অদিনিবি লৌৰিবে প্রায় ফংখীবু অনিবী থৌজানতীরুবা মতম 'অবদা ঐত্তবা' হিপা ডায়া দৈ মরোম্না অদুগা নৈহবা মাহি, অদুগা .যাদয়ে.. মৈদু অমীবী রাখল ভাবদা লৈবা কুরুবাতগী চিংখিমনুদা ? মৈচিদু মৈদোকখী। অদুগা লৈবজা কুরুবী মাথ লোমচুনা চোংশিনহনা কৌবুলকী লোম পনা লৌই। মদুক অকুলগী লখিনা চেনখিমখি। কুরুনা ঙমাইবু নফম ঙৌখিদুনা লৈবা কাওবনখিদে পদানু অমনা লোকপদা খুৎলগী। ঙমাইবী লৈবা তাকপদা লৈখারা চেত্নীবা হারৌকামাথ হিদক কুমাং কারুক্লনা কুরুগী সভাতাবাদা কুমাই তম্নু অাকপী। অদেবা অদিনা লৌশিন্নু হৈত্তবদা চৎপা মচৎলি মমাই ঐখোয়মা চত্ন থৌশনদা কুরি অপমাম লৈখিদুনা অদুগা ওনাং- খিবনে। অদুগনা পৃথ্বে মখোয়গী যোথ মংকে খাৎনাথক কোমং দৈ চাক্লে দ.শ.ঙাই- মনা পনা লৌরবদী ঐনা শাৎশারৈবদু কমবদা ? ওনাংখদী। ইমেমতোমপা ইবাবা ইনাও মেকনবা চিবকী মতম থব দুয়া ? লৈখিদোরি। রাক্যসী কনাদগ থাবলোকশু। অদোমদা অদুগা মঙাখা মমাও পুহনা চেৎকপদা শুফংগী থো' মৌরপা কাওখেৎপা শদা খোংবোক্লা লোখারে। শমঙ ভাবদা হিরানবা নিপাদু পাণ্ডব ওইংগী অমদুনা হি লোক্লিহকখি, হি মখোম ভাবদা মেকুবা ওইরবোই নিংদুনা মাঙজা ? তুমিদা লোখলি। কেৰডমু মখোম ভাখিত্রবদা ইমু'তো মচা ওইরবদী থোকপী;কউ শঙা পাওখোকুবা কভে.ন লৈবন্না থাবকপগী থ্রেচ ভাবা নিংশিংবিবু ঐ মেকুব। নচদে ? হায়রকই। চেচ ভাবা পাকুশদা থোক্লপা মহাশয় ঐ থঙয়ে পঙাসী লামখোকপীংদা কাওনা যুধিষ্ঠিরনা ? হায়রকই।

যুধিষ্ঠিরনা হায় মহারাজা হিরানবদু খুক্লমজরে লেংখৎপীদো হায়বৈ, মমা মচা অনিক ই তোংবে, কৈবর্তনা পগী লাখোক্লপা লৈরাই মর.দা হি থারে। হিখতুগী কাওখনবদা কোমদুনা কপখীরমে, যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই মহ.শয় খুয়াতোনবু খুক্লমজরকই ? অদীবু। মতম অমদা মহাশয়গী লমম শিংথাপে লৌখিতি কল্লো হিনায় শিরে, কৈবৰ্ত্ত খুক্লম- জত্রীগা হি থোনখিবদা লোংতাকলমদা.ইদা হস্তিনাপা থ.ঙবী যুধিষ্ঠিংনা কুকে.মর অদিনা শকখা তোমজা পাম্না চৎহৌবা দৈ মেকুবদা খিরকুলি অদুবু মথদা ঐশোয়দী পাত লৈদোইদোরে ? অদু- লৌনি। অদুগা থ.ঙা মহারাজা ঙমাই থৌশজগে হায়রগা মমাবু চঙ্ক.পা পোৱে. লোখ;খা অকুপ্ন মহদেব. থাজে পনা ? লেপ্পা। চেথে। পাখোম মেৎ অদুগা যুধিষ্ঠির অর্জুনবু চেথা কোক্লে হৃদি পাম্ন অ.নন্দা গোবিন্দবু নিপাম তৌবগা কবঙবু, চেৎনা কোক্লে'। অদু থাখ এ লক লোক্লপা লোংপোক চীংদৈ পাংনা কুংশিংথগী থাং, খানা হিরবা হিংতাপদা লৈবা চীংগী চীংখোংদা লোংজাগপৰুমু পুং ৯ থাংখিদৈদা থুখী। থারবখত- পোমদা দৈ চাকপা পাম কারকপদা প্রায় 'থড়াগী অীথাম চেৎলকুনা দৈ কনগে

হোংনবদা দুর্যোধনগী মতৌকুম চাকইবা মৈশাংনা ঙংবা ওইরে। চান্দী ঙম্বি থাঙগী অরুম ফংবদা মীয়ামগী থৈ লোমচুং অসি জতুগৃহনী অন্ধরাজা রূপা মচা তানহনা পাণ্ডব হংবা তৌবনী। পাণ্ডবশিং মাংহনদনা ঐখোয়দা খংহৌদে পাম্মুইদ। মীয়াম হেংখাহনা কপুনরে। প্রজাগী মীয়াম অমরগা নিপা তরামন্নাদা নখোই হস্তিনাদা পাণ্ড পিরু। নিংথৌ কিরুন্নু মৈগী মতুং ইনবা দুর্যোধননু হায়বদা শগোল তোংলগা থৌরকপহ্ নোংঙানগাদবা দণ্ড থাংলিজৌদনবা পুংথৈঙল। মাহাকনা পাণ্ড পিরে অন্ধরাজানা মপা মচা তানহনা জতুগৃহ শাগা পাণ্ডবশিংবু মাহুনা কাংলবগী থৌরাংদু। কৌরবক নিংথা থংঙনী পাণ্ডব মমা মচা মাঙনা প্রজাশিংগী মি-শাও কানবা জতুগৃহ চাকহোরে। অন্ধরাজাদা পাণ্ডসি থুনা হন্দহল্লু ঐখোই ঘারনা প্রজাগী পাণ্ড পীবা লাকপা মীনী অমুক ঋোপ্রগে হায়রম্মী নিপা ১৫ অমুক কনখী। মাহাখিনা অন্ধরাজাদা পাণ্ড হন্দংল্লে খুথক্তা রাজাঅঙ্গা পাণ্ডজেলপুং যৈরগা মীয়াম খোমজিনা মৈগী পাণ্ড লাওথোকই। পাণ্ড তাবগা ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপ, অশ্বথামা, বাহ্লিক সোমদত্ত, ভুরিশ্রবনচিংবা হস্তিনাগী মীয়াম শগোল রথ তোংদুনা চেমরকই কংজাংজিনকপদা থুংজরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহারাজা সোমগী রাকম লোয়শিনলগে হস্তিনাগী মীয়ামশু চাগী যৈনম ফংনখি। মৈচাকপা লোইরম্মে ভীষ্ম দেব্না নেংগী তেন কাপ্পুনা মুত্থংলগা য়েংলদা ব্যাস মমা মচা ওকি অকাবা মশাক্রু ফংঙে। পাণ্ডব মমামচানী কপ্পতুনা গঙ্গা থোংবান্দা যজ্ঞ তৌরি, পুরোচন তেঙ্গোল মীয়াম তুপ্না মৈদা শিরম্মহ্। মানা তৌজনা মরাম্না শিজবনী হায়না মীয়াম্না পেম্মে, অন্ধরাজাবু মিৎ তাংবত্য নত্তনা মধুকণ্ঠ কহত্ত হায়না মীয়াম্না নিন্দা তৌনখি। হস্তিনা মীয়াম হলক্তুনা অন্ধরাজদা পাণ্ড পিবদা গন্ধারি অন্ধরাজা মীয়াম কপনখি মযাবোন শ্রাদ্ধ অন্ধরাজা গন্ধারিনা তৌখি।

রাগী তারিবা জন্মেজয়না হংজে মুনিদেব ইবুঙো মতাংগা মাত্তা বৈকুণ্ঠীগা কমদৌরিবা মথংগী রারি লিবিরো। মুনিনা হায় মহারাজা চেন্নকইবা নবুখোহ্ চিঙগী রাম্না অহুদা বট পাম্বী অমা হৌরি মখোংদা মমা মম্নাম্না মনাও থারে। ভীমদী অম্রাবা থংদা অতৈদী শোর খিংহনা রাম্নবে ভীম্না কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা কোনখংলি জ্ঞান তানুপ্রক্তে যুধিষ্ঠিরনা মাইমা ঐথোয়দী জ্ঞান মাংলুরে। লমনী হস্তিনাদগী কয়াম লাম্না লাক্লবগে অজ্ঞা মীগী খোঙচত্তদি মঙানি তরানিগী লমবু ওইরম্মগনি। কুন্তিনা ভীমসেন ঙশিং খোরাংঙে ঙশিং থর পিথকউ ঈমা নচা ঙশিং খিজকখিগে পোথাবিরম্মু হায়রগা ভীম ঙশিং লোবা চেন্নকই। যুথক অমা লাম্না অচৌবা পুখ্রিনী নিমিষ ও মী মহুংদা থংলী, ভীম্না ময়ৌকপদা শম্মু অমা ঙশিং থক্কে তৌবদ্ম, লাইমেন অমনা মখোংদা চিরুগা মমৈনা কাযগৎলগা নময়াংদা ফং ফং ফুই। উচেক অচৌবা অমনা পাইশিনজুনা

মচিন্না লাইরেন্দা তুহংলি, শাহুগী মনাতোন্না উচেক্তা ফুই । মখোয় অহুমগী লালওংদা উবদা ভীমহু য়েংনিংদতুনা পাপীশা লানর্বু অহুম তৌবা হৌনবরা হায়দুনা গদানা অমুক অমুক থাবদা মখোয় অহুমহু মথরায় থারে । ভীমহু ঈশিং থক্লে মাগী ইম্নবা কিজাওদু লুপ্পগা নোইথোক্লুনা শেংনা শুমদোক্লে অহুগা পুলপ্তাশিন্দুনা ? ঈশিং লুপ্পী । লাৱাক অপাকপা লাতোম্থংলুগা য়েমশিল্লে গদা নকন্দা চপ্লে ঈশিং ময়োমহু খুং অনিনা পায়রে চেক্লগে মায় ওহনপা মতমদা অতিয়াদগী নুপী অনিগা নিপা অমগা লেপ্লগা হায়রকই হো ভীমসেন ওইখো রাকম অমা তাকখিগে । ভীম্না য়েংথংলকপদা উই মশাক ফজৈ তনৌ তনৌবা বয়শ ওয়না তৌই ভীম্না মতেইনা পাথক্তা লৈশাবীগা মুমিদাং লৈকই কোইবা নখোই থকসি খাসিন্ত নাইদা লৌথরগা য়েগেদো । অহুম্না হায়-রকই কুব্জসে শাওগন্নু হৌজিক শামু লাইরেল উচেক, অহুমহু ঐখোয়গী ইন্দ্রগী রাসধারি . জগোই শাবী ২ নী শাপ্তগী ঐখোয় কুইনা দবা তাদুনা লৈরম্নী । নহাক্তা য়েবীবদা ঐখোয় অরানবা খুভম ফংজরে ঈমা নয়ান্না ননাও লৈহৌরিবা মথমহু লাইনা মীনা ভুমদ্রবা হিংচাবগী জাগানি । থুনা য়োঁরো অহু তাক্লে তৌবনী রারোবীমু মঙ্গল ওইবীকো হায়রম্মগা ইন্দ্রলক য়ৌখী । ভীম অমুক চেক্লকপনা বট মখোং য়োরকই, কুন্তী মমা ময়াম্না মনাও ভুমদুনা লৈরম্মে । ভীম ঈশিংহু কোংকুংতো থম্মে । ঈমা নিংথৌগী মচানী রাজা রাণী ওইররবীনী, অংগুম্পী ঈমা নহাকপু লৈচেং মুংজেং মথক্তা তাদুনা ভুমহৎলবা অসী । ধন্য লৈতবা দুর্যোধন নংনা থোকহনবনী অসিগী লমন্দী নখোয়

টীকা * শামু, লাইরেন, উচেক্লন, উশাইনী শামুনা গন্ধর্ব পুং য়েবনী চিত্ৰৰথ কোই । জগোই শাবী অনিহু মিশ্রকেশী, বীমোলতা কৌই নোংমা ইন্দ্রগী সভাদা জগোই থোগন তৌই । মতম অদুদা অষ্টাবক্র মুনি থুংগুদুনা ইন্দ্রগী সভা খুরুম্মী মুনিগী আসন থাদুনা ইন্দ্রমক্তা মান্য তৌদুনা ফম্মী । জগোয় য়েংঙি নাম রস চুপাতুনা মুনি লৈবহবু পুং য়েবহু মুনিগী মথেক নিপান্দু শামুগী মিংয়েং শানা শুম য়েংবদা পুং য়েবা কাউবে ঈশৈহনবীদুনা মুনিগী মথেক্ত মতৌ মুমদুনা শাই চুক্তারদুনা মুনিগী ভঙ্গিহু নাক য়েং চেনদুনা মতকা লোয়ননা চেপথ চেপথদুনা য়েংঙি জগোই কাইরে । মুনি শাওদুনা শাপ পী পুং য়েবা শামু ওল্লো ঈশৈহনবী নংনা লাইরেন ওল্লো হুহার নংনা চেপথ চেপথদুনা উচেক্তা ওা য়েংবগুম তৌরিবা নং উশাই ওল্লো ব্রহ্ম শাপ ফংলবদা মুনিগী খোঙ পায়দুনা শাপান্তোক নিজৈ মুনিনা নখোয় পৃথীগী বন ১দা পুল্লপ লৈয়ু । নিতিগী য়েং-থিলদুনা নোংমগী অমুক থংনদুনা পোথাকম থগুদনা লৈয়ু দ্বারপুর শেষদা পাণ্ডব মযুম মৈ চাক্লুনা লাক্লেন্দ্রকপদা হিড়ম্বা বন য়োরক্লনি ভীমগী মখুংতা মুক্ত ওইজো পীখী অদুনা ভীমগী মখুন্তা মুক্ত ওইবনী ইতি । অসুম্না শিব সংহিতানা হায়রী ।

অহিংসানাও চাবনু পদানা য়ৈথাইদুনা হাংকে। সত্যনা শাক্তি ওইরবনু হাযদুনা পর্গা চিন্নরগা ভীম রাক্ষসী। অদুগা কি অমা পায়রগা কাং তুমিং হোইদুনা লৈখী। '

হৈথপম্পয়াবা জন্মেজয়গী মকমদা হায়রকই ওতাক লৈরগা নোংজানে চিংথরকা লৈবা * হিড়িম্বা, হিড়িম্বী, অনিরুদ্ধ মিকপ থোক্লে। অবুং ফিরম্বন হায় ইবেম্মা ওসিসি মীহিং নম্বকই অমুত্তা য়েংগু হিরম্বী মপাল থোক্লগা য়েংবদা বট মখোংদা লৈবনু উরে। দাদা বট মখোংদা মপী ১ মিপা ৬ বা লৈরে হিরম্বনা অদুদা ৬ মক নং ফারগা পোয়কও। ইবুং লৈংংৈ মৈ পানখৎকনদুনা পাড়াই থাঙ্গৎলগা থাও শাহল্লমগে। ভাজা ভৌরগা চারবী হিংমা চানিংজগা নঞ্জ অম। হিংমা খাক্কে ঘনী হায়রম্মগা হিরম্বী চিংৎঙ্গী কুমথখরে।

চিঙথোং য়োংমখাইদা মুন্না য়েংজকই বিধাতাগী মোংদম লৈবনা ভীমগী শকফম উবদা কামগী হেম্না থম্মোইদা পাল্লকতুনা চপ লেপ্পী। থক থক নিরুক্ত জাত মাংই হম্ফ- রকপদা ভীমদা অত্তা কহৎলগে লেংতুনা ময়াগী শক্তিনা গজংবী বনাগী মশক লৌরে। খিজেম লৈংতেঙ্গা লিক কোন খুজিংতান খোংদেপ খুদেপ নাইমনাথাং বেনী তিলক শিন্দুর শুমহৎনবগী মতৌ ওইরগা। তপ্না তপ্না ভীমগী মাংদা লেপ্পনা খুং লোম্নরগা কোকিলগী স্বরবু ওমজবা হায়ানা ? হায়জ কই। দাদাবু জগা অসি ওষ্মক্রবা হংম্বা রাক্ষসগী কমলী এনা হচনজুপীনি হিরম্বী বৌই, নোংজাল্লকপদা ময়াম লৈবসী ইবুনা উরগুনা। এবু ফা- দুনা লৌঙ্ক হায়দুনা লাকচবনী ইবুংঙো নহাকপু উজবদা প্রেমগী মথা পোন্দুনা এগী অত্মানী কচ্চঙ্গনা চরনগী মনাই ওইজরগে হায়না। চংজরবিনা মনাই মুপীবু লৌশিনবীয়ু হায়দুনা। খুকমজরে। ভীম্না হায় হায় মুপীমচা অদু য়াবা মতমদু থোক্কে এখোয় লাঞ্জেল্লবপনী তুপ্পীবসি ইমা ইয়াম্বা ইনাওনি তুম্মিন লৈয়ু। হিরম্বীনা হায়জৈ অদু ওইরবদী ইমা ইয়াম্বা ইনাও কৌদোকপীরো। এগী নঙ্গন্দা লোয়না লেংখৎপীয়ু স্বর্গ, মর্ত্ত, পত্তাল, য়ৌ হায়রবা

/ * হিরম্বা, হিরম্বী অসি অসি মপা মমা লৈক্তে অদুদৈঙ সদাশিবদা বৃকাসুরনা ইথুংনা জিবগী কোক্তা নাগবীদা জিব খুদিং লাই মী থাক্তনা উং ওইকনবীয়ু নী। শিবনা খোং খোংপ নংকাও তুম্মসনু পীরে মাদি মহাদেব তুহলগা দুর্গা লুহোংগে নিবা ওয়রমক্তনা শিবনু মালথে তাক্সরকপদা শিবনা নীবর্ণ্ঠ গিরিগী গুরুংথা চোংশিল্লগা জিগুল তাজিল তাকথোক্তুনা লৈবদা। হি চবা চংবা য়াদজুনা থোক্লবপদা নানগদবগী ফংদুনা। লৈখী শিবগী অবাবদু উপায় তৌপে খন্দুনা শ্রীহরিনা মোহিনী রূপ লৌগা হিংচাবা ওঞ্জাংতুনা মথুংগী মকোক্তা নালহনদুনা উং ওয়হনদুনা শিবগী অবাবা কনবদা শ্রীহরিগী মোহিনী রূপ উবদা প্রজ্ঞা অতিয়াদা কুটৈম য়েংজিবনু বীর্য্যপাত ওয়খী অদুনা মাংবা য়ায়দুনা হিরম্বা হিরম্বী ওয়খী। অদুমা হেখী পুরাত্মা হায়খী। ইতি।

জগাহ্ তাকপীয়ু । মিরুপ অনিদা য়োঙবা ঙমগনি উপায় তৌজগে ফত্রক্কা ইবুঙহ্ লাক্রবদী লোয়না প্রান খাংবা তারে ঐহ্ সোইদনী প্রাননাথ । ভীষ্মা এ-প্রাননাথবু মৌশিল্লকই তৌগদী হিংচাবা কিবা মী নত্তে নবুঙ লাকসনু মথৱাই লৌগে। চংকে চংলোই নঙী কুপিনী সোরাইদা ঙাংঙনু তানিংদে হিরম্বীনা হল্লক্রবহ্দা হিরম্বনা চিঙথক্তগী য়েংঙকপদা মচনগী মতৌহ্ উরে ।

হিরম্ব মৈ তৌবগুম শাওরগা ঙাদুনা চেল্হৎকই চিঙশু পাম্বী অমা ফুক্লগা মতোন্ থুদেক্লে মরা ফোইদংলে । লেংবান্দা হাক্টীগৎলগা লাওরবই, চগুাদীনী জাংকম্বা ঐখোয়গী চিঙ্গাক জাং তোন্বা মীদা কায়জক্‌খিরা ! নং হায়া হাংলগা কোয়া মীশিংহ্ লোইগে । ঙিবগী বিবদগী থরাই বনবীযু কায়জখী ভীষ্মা মুপীমচা লৈয়ু নথরাইদী বনবিগে হায়রগা। মানা উজাও পায়রবদী ঐস্ক পায়গে খন্দনা চেক্লোবগ্রগা চিঙস্ব অমা ফুক্লগা হিরম্বগী মাংদ থংলি। হায় হিচাবা বয়া লাওগনু ইমা তুম্বা বায়গনি তুমিন তুমিন লোয়শিন্‌-নসী । নচন কন্যা ওইরিবীবু মশক ফজবা নিপাগী মফমদা পাখোন শিবদী নপা নপুগী তৌনবিবা নচম্নদী ঐত্তোন্দা ওংজগ হাথরি ঐনা য়াবিদ্রী। ওকত্রিবদী নংমি নচন্দী ঐনা কল্লনি মাগী মঙং নবু কাংতোকপীয়ু হাক্কত্রকই ! মরম অতুনা নং হাংতোক্লগে পাপী । অস্তুম্না চৈনরঙদগী চোংশিন্নহুনা থিন্নবদা উ তেক্লে অমুক যুকই য়ৈনৈ উজাওগী জাং লোয়রে । মুংবী ফক্তুনা থানৈ মশা তেক্কইদে মুংকাঠচুনা মাংই মুঙী জাং লোয়-রে অহুগী তুংদা মল্লযুধ তৌখরে । সন্দহু শাখদা তুম্বা তৌগৎনরকই কৈনা চৈংরসহু উবদা কুশনা হংগুঙ হিরম্বীনা থম্মোয় শেনা পশিয় পুম্নমক তমজখি। যুধিষ্ঠিরনা অর্জুন নয়াম্বগী তেংবাংঙু হায, অর্জুন মল্লাংধ মগম চংঙক্তুনা দাদায় ইমা রারনী পোথাবীয়, ননাও অমুক শিজাগে হায়রুক্ত । ভীম্না য়াইমা অমদা অনি চেবা কৌনদে হায় শাওদুনা চোংশিন্দুনা হিংচাবগী থম্মোয়দা কাওবদা হিংস লেংম তাই । চোংশিনদুনা মবুক্তা ফম্মগা রম উতাং চপথাইদুনা, য়েংলংবা বিম্না চুবাগী মিহুনগমদা বক্তুগী চৈথাগা মায়না থিনবদা মচুবা কায়হুনা হিরম্বা প্রান থারে। ভীম্না লানতুনা গুনবদা হিংচাবগী দেকেহ্ ক্রোশ মথাইগী নমদা শুদেকতুনা তাখি তিরহা শিবদা লাইযাম কবাওনখি । ভীম্না স্নান তৌরগা মমা ময়াম্বা খুরুমজরে যুধিষ্ঠিরনা ইনাওশা হম অসি হিংচাবগী লমনি থদ লাপ্না চৎখোকহৌসি । রাক্ষম অসি শরদুনা খ পাংনা যুধিষ্ঠিরনা মাং থাহ্না কুন্তিনা তুং থংনা লাকপসী । হিরম্বী কুন্তিগী তুং ইম্নরকই মাহ্ ভীম্না উরদুনা ঈমা হিংচাবীহ্ ইম্নরক্লে তাঙ্গা ফংবদা ঐখোয়বু চাগদোবগী লাবইবনী ।

য়ৈরগে হায়হুনা হোংচিন্নকই যুধিষ্ঠিরনা মাইমা মুপীমচানি কৌনদে মবুংবু ঙম্মবা ইনাওনি মানা কবি তৌজবা ঙমগদগে খামখি । হিরম্বী কুন্তীগী খোংকোলগা কপ্পুনা হায়জৈ ইমা মুপীগী

খয়োইবী সুপীনা খংবিরীগনী ইবুং শিখিবা মরামনি ঐ খন ভাব লৈজগে। ইমানা চানবি- হুনা নচা ইবুংঙোগী মনাই ওইহনবিয়ু মহু নত্রবদী ননাই প্রান থানি সুপী হাংগা পাপ কংবিয়ু হায়জে। কুন্তীনা ভীমসেন সুপীমচাগী সতীগী পুকচেললেপপ্রে মাগী সতীত্ব ধর্ম্ম ঙাক- সী ঐ নঙোন্দা দান ওইনা পীরগে মাদবা তৌগন্নু। ভীমা ইমাগী য়াথংদী ঙাকচগে হায়রকই কুন্তীনা ইবেম্মা লৈপরেং অনিদং লেংঙু হৰ্জিমক হোংবিরগে। হিরম্বী কুঙো অথোনবা শরেং অনি লেংঙুরে কি আসন থারে গন্ধর্ব্ব বিবাহাগী নিয়মদা ভীম আচমন তৌয়ে আসন ফন্দ্রী। য়েং ওইননা কোইরগা হিরম্বী লৈ হুকই অত্মা কৎতুনা ভক্তি তৌ- রে ওইনা থৌগল্লে। ভীমা নির্ম্মোল মালা হুকপীরে বিবাহা লোইরগা মনেম মতৈ খুরুমজরগা ময়াম্বু তীর্থ অমগী জগাদা পুশিল্লকুনা স্নান ক্রিয়া লাংনরে হিরম্বীনা হৈ- লৈ হেকউই চান-থক্লবা লাংচুনা কৃষ্ণদা কংলগা কংঙে সুংঙাইনা পোথনরে অসিগুম্বা ভা- গতকী কথামৃতবু ভাজবদা মীওইবনা অরোইবা মতমদা লেপ্পা হরিধাম কজনি ব্যাস বক্যনি। ইতি। হরিবল হরিবল।

অধ্যায় ঃ—

মিথিলাদা দুর্য্যোধন বলদেবদা গদাবাগ—

তম্বগী মনিহরনগী য়ারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ, হস্তিনাদা পাণ্ডবকী শ্রাদ্ধ লোইপ্রব মতুংদা, দুর্য্যোধন মিথিলাদা চৎতুনা বলদেবদা? গদাবাগ তম্মী। মতাং অসিদা জন্মেজয়না হংজরকই, মুনিদেব দ্বারীকাদা নত্তনা মিথিলাদা, দুর্য্যোধনমা বলদেবদা গদাবাগ তম্মী হায়বসীবু মরম করিগী। বলরামদা মিথিলা লৈপাক্তা লৈরিবনো, মহুগী য়ারী অহু অমুত্ত লিবিরমখো? ননাই তাজনিংই। মুনিনা হায় মহারাজা মাহু লিরগে তারো, বাঙন কোন্নুং মৈ চাক্কুনা পাণ্ডব ৫ মমাগা শিপ্রে হায়বা? পাণ্ড অসি। দ্বারীকাদা হু- থাহুনা ধৃতরাষ্ট্রনা খণ্ডহল্লুবদা, দ্বারীকাগী অহল্লুমন সুপী নহা পুম্নমক? কপ্পখী। শ্রীকৃষ্ণনা শিদে খণ্ডবনী অহুবু হায়দোকখীদে, ময়াম্বু থামজিল্লগা দাউজিগা ঐগা চৎলুগে ময়ানা লৈহৌ হায়না? থনম্মগা, গরুর কোহুনা তোংলগা রাম কৃষ্ণ হস্তিনাদা লেংঙকুনা ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডবকী শ্রাদ্ধ শোনবা ফাওবা, বিহুরগীদ লৈহুনা দ্বারীকাদা হল্লে বলরামদং তাকখিদে। রামকৃষ্ণ হস্তিনাদ লৈখিবা মতুংশিদ, কুকুর বংশগী শতধন্বানা স্যামান্তক মণি পাম্বদ্রী! অহিং লোম্না চংঙকুনা অন্ধকবংশগী শত্রাজিৎপু, থাংনা মকক কল্লুরগা থ-

পুহনা ? চংখী। মসিবু ৱানিনা উহৌহনা সত্যাভমাদা অহিং চেন্নকতুনা তাবলৈ। সত্যাভামা লাক্কক সাত্রথীগা নোংঙাল্লমদাইদগী, রথনা লাকপনা হস্তিনাদা নোংঙ্গালকপদা থুগুহনা, কৃষ্ণদা কপ্পগা শতধন্বানা অহিংদা ইপাবু থাংনা ববতুনা হাৎলম্মগা ? মনি পাপ্প তম্মী। রামকৃষ্ণ সত্যাভমাগা দ্বারীকা য়ৌরক্লুনা, সত্রাজিৎ সংস্কার তৌরগা শতধন্বা হাৎলগা মনি পোংক্কে ঙায়না সত্যাভমাবু থেম্জনখিবগী ? পাও তারহনা। নিবদগী শতধন্বা যদুগী অক্রুর-কৃতব্রম্মা অনিবু ঐগী থবাক্তদদী বনবীয়ু ধন্ম লৈতবা সত্রাজিত, মচান্নুপী ঐদগেন্দা পীপী হায়রম্মগা ? হায়দা পীখী। অদুগী ম্নঙাইন্দহনা হাৎলুবনি মনি অসি লৌবিয়ু হায়হনা অক্রুরগী মখমদা মনিচু শিন্নরে, অক্রুর কৃতবর্ম্মানা নখন্না হাংকে হায়খ্রবা মা ঐথোইনা ? কনবা ঙম্মরোই। শতধন্বা কৃষ্ণ বিবদগী মনি অহুম গনম্মাগা, শাগাল ঙোংহনা চেনবনা য়ুথক ১০০গী লম, মিথিলা নৈপাক য়োবদা শাগালদু হিরে। মিথিল গী বন্দা লোংথুনা লৈখি।

শ্রীকৃষ্ণ বলদেবনা রথ তোংলগা তান্নরকুনা, মিথিলাগী বন্দা লোংলিবা শতধন্বাদু নখন্না চক্রনা মক্কক বকতুনা ? হাৎলে। মনিদা য়াওরমদ্রে কখন্না দাউজি মনিদী য়াওরম-দবসীবু, কনাদা শিন্নরমমীগবা পুন্নমক থংবা কখন্না খদবা মীগী মতৌগুম ? হায়খী। বলদেবনা হায় ইনাওদি দ্বারীবা য়োংংগা মনি খংনবা থিরু ; ঐদি ইবুধো জনক নিংথৌগাদা মতম খর ? লৈরকখিগে। বলরাম জনক ঋষিগী সভাদা লেংসিন-হনা ভক্তি তৌখি, জনক ঋষিনা বলরমবু কোঅগা রত্নআসন থাহনা, পুজা চন্দেছ কংলগা মতম খর লৈবিখো ? হায়র্জাখ, শ্রীকৃষ্ণ দ্বারীকাদা হল্লকতুনা শ্রাদ্ধ কন্ম সত্যাভমগী পেংবা তৌই। অক্রুর বৈশ্রবর্ত মনী থনম্বা অহুদা মাগা তান-হনা। সত্রাজিত হাৎনিবনী ময়াম্না খন্নখিগদ্রা ? ইকাইবদগী। শতধন্বা চেনখিবহুদা মনী-গা লোয়নবগা মথুবাদা চংখাহনা অহুম লৈগ্রে। বলদেবনা মিথিলাদা চহি অমা লৈবা মতম অসিদা হস্তিনাদগী দুর্য্যোধন লাকতুনা চহি ১সি, মিথিলাদা অহুম লৈরগা বল-দেবদা গদাবাগ ? মুনা তম্মী। জম্মেজয় নিংথৌ গদাবাগ তম্বা লেইরহনা, বলরাম দু-র্য্যোধন মপু মনাই জনক নিংথৌবু, ভক্তি বিদায় তৌনরগা দ্বারকা-হস্তিনাদা ? হন্নরকখী। মতাং অসিদা ৱারী তারীবা জম্মেজয়না হায়জরকই, মহামুনি সত্রাজিত নিংথৌনা মনী পংবা, মনী হৌরকপম অমসুং মগুন অমুকপা লিংবখো ? তাজগে।

মুনিনা হায় মহারাজা মনাহরনগী ৱারিদী, গুরু ব্যাসনা ভাগবতকী মগুংদা চাও-না লেংগ্রে, অদুবু নংনা হংলক্লবনিনা শংখেপ ওইনা ? লিরগে তারো। স্যামন্তক মনিসি কুবেরগী সনা থোকপা মনিনী, লৈঙ্গ পান্নবা শঙ্খচুর কৌবা যক্ষমন্ত্রি সো পায়বহনা ?

বলদেব পোকপী রোহিনী দেবী অসি মিথিলাদগী জনকী মচান্নুপীনি

হুৎলগা পুখ্রে। কুবেরনা খঙঙঙ্গুনা ড়াম্বরকপদা, লাইগী লৈপাক্তদি হুরানবা য়াদবানিনা ময়রাই শিনি দল্লুনা! লাইন কিনরবা মথুরা নিংথৌ কংসদা চংজ্জহনা কংসগী মন্ত্রি মচা অম? ওইহনা লৈখ্রে। কংসনা রামকৃষ্ণ হাংনবা অকল অথৌ কয়া গোকুলদা থাই, রামকৃষ্ণগী খুত্তা লোইনা শিত্রবদা, কংস রামকৃষ্ণ কমদোন হাৎলিগে? ড়ানবদা শঙ্খচুড়না হায় মহারাজা রামকৃষ্ণ হাংকে হায়রদা, অয়ানগী বনিতা রাধাহ হুৎলগা অসিদা থম্লীয়ু, রাধা অসি দুর্বাসাগী বংদগী মানা থোংবা চাক চারবদী মপাঙ্গল কল্লি? শিরোই নারোই। মরমহ খংতুনা নন্দ যশোদনা অহুক্কী চাক থোংহনুগা পীজে, অদুনা রামকৃষ্ণ হাংপা য়াররোই? হায়রকই। রাক্ষমহ ড়াবদা কংসনা হায়রকই অদু ওয়বদী মরুপ নং চংলো, রাধাদু হুৎরো রামকৃষ্ণ হাংলগা ব্রজভুমিগী রাজা পদবী? হাপকে। শঙ্খ-চুরহ ফনি মহারাজা ঐ রাধা হুজক্কগে হায়দুনা, বৃন্দাবন্দা লাক্লে অহুগী নুমিৎ অদু রাম কৃষ্ণ ব্রজরামা থৈবিজ্ঞা? শাম্নবম্মী। গোপী ময়াম মরক্তগী শঙ্খচুড়না, রাধাবু ফাহনা লেংবান্দা কাপলগা পুহনা চেলখ্রে।

গোপী ময়ামা ঐখোয়গী ইবেম্মবু হিংচাবা অমনা ফাহনা পুখ্রে, প্রাননাথ রাম কৃষ্ণনা কনবীয়ু হায়না পাখংতুনা? লাউরকই। কৃষ্ণনা দাউজি ময়ামসি শেন্নবিরম্মু হায়রম্মগা, ড়াম্নরকই কৃষ্ণনা ড়াম্নরক্লবদা কিহনা রাধাবু? থাদরম্মগা চেল্লে। কৃষ্ণনা ড়াশিলক্লুনা য়েংকী শ্রীকৃষ্ণগী খুচেগ্না য়ানবদা, শঙ্খচুর মণ্ডক তংতুনা শিরে মাগী মণ্ডক্তা সমান্তক মনি শিরম্মী, কৃষ্ণনা মনিহ পুরক্লগা রামগী? খুৎতা শিন্নে। বলরামনা রাধাদা পিনিংলমগনি খনহনা, মনিহ রাধাদা পীখি মনিহ রাধাগী ওয়হনা লৈথী। রাম কৃষ্ণ কংসগী ধনুর্যজ্ঞ লেংখিবদগী, ব্রজদা হল্লাক্তখত্রবদা কৃষ্ণ দরশন থংদবগী! বিরহ দযানা রাধা চাদ থক্তুনা মপাল থোক্তুনা? লৈখ্রে। ইবেম্মগী দশমী দযা ওইরিবসী নুমিৎনা উবদা, মচানুপী যমুনাবু কৌথংলগা সুর্যদেবনা হায়, যমুনা নবেম্মা রাধাসী শ্রীদামগী পাগ্না, চহি ১০০ কৃষ্ণ দরশন কংগোইদোরি। সুর্যলক্তা লৈবীয়ু ঐনা সেবা তৌজগে হজংলু, যমুনা হল্লক্তুনা রাধাগী চরন খুরুমজরগা পিঙী নুমিৎকী রাধমচু? হজংলি। রাধানা মনাই নুমিৎকী রাক্ষমসু ভাকপীগে, কৃষ্ণগী পুরলিলাগীসু থল্লগা ইবেম্মগী মহুৎ শিন্নবা! শায়া শক্তি কন্যা অমা শেমহনা? পুখোক্লকই। স্যামন্তক মনিহ কন্যাদা পিরগা হায়, ইবেম্মা মংদী ইনাই নুমিৎকী হাজবা রাশক ভাক্লবগী শেম্মী হায়বদগী, নঙ্গী মমিংদী সত্যভামা থোল্লগে? সুর্যলক্তা লৈরু। অহুগা ঐগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী পুরলিলাগী সেবা কংঙু, ঐদী বৃন্দাবনগী লিলা নংহবা লিলা মকম অহোল্লদদী! প্রান কৃষ্ণগী সেবা য়াদে ড়াক্লগা? যমুনাদ শিন্নরে। রাধানা যমুনাদ হায় কন্যাসি ঐগী ইহুৎ শিন্নবনী মাসী য়োক্তুনা থম্মু. ঐবু সেবা তৌবগী মতৈ কংঙু, ঐদী বৃন্দাবন? খাদোকপা য়াদে।

ঐ লৈত্রবদা বৃন্দাবন কৃষ্ণ কায়নবগী মৈচাক্কা লোয়না শিবা তারে, ইনাই বৃন্দাবনগী জিব ময়াম কময়া কেংদনা বৃন্দাবন্দা ? অস্তুম লৈরগে। * বৃন্দবানেশ্বরী মবেম্মগী চন্নন খুরুমজরগা, যমুনা সত্যভামাগী স্বর্গলোক য়ৌংরগা, যমুনান মবেম্মগী রাযম্ম পুম্নমক তম্মগা পিতা মুমিংকী মফমদা ? কন্যা শিম্নরম্মগা হল্লকখি ! যমুনাস্তু পুরলিলাদ কৃষ্ণগী সেবা শংনিংদুনা, মাগী শক্তি অমনা নিংথৌমচা কন্যা অমা ওইদুনা পোক্লগা মমিংনা কালিন্দী কৌদুনা লৈখী। ললিতাস্তু মবু ছো মবেম্মগী লিলা খংবানিনা, নোংমা গোর্বাধেনগী চিক্লবা লোক্তা চংগা রাখন তৌদুনা ওইদুনা লৈখী। মতমতুদা জম্বুবান লৈখীরদগী, ললিতানা লৈরিবা লোক্ত চংকপদা সখীবু উংবদা জম্বুবান্না কেপ্লদুনা রা হায়রকই মুপীমচা নংনা লোকন্নুংদা চিন্তা তৌদুনা নত্তোম লৈরিবা কন্নিগীনো, ললিতানা হায়রকই হা-ইপা ইবুংঙো ঐগী য়োকপী থাকপীনবা ! মনা লৈজদ্রদুনা খল্লাই খাংগে লৈজরিবনী। জম্বুবান্না ইবেম্মা নংবু ঐনা ইচা ওয়না য়োকচগে, শংমনি হায়দুনা চৌংনগনু ঐ ব্রহ্মাগী মচানে, ত্রেতাদা রামগী মন্ত্রি ওইরকপনী নংবু মতক চাবা নিপাদা থাজরগা ! নঙী অউনপোং তমদুনা ইপানা শেমগে ? নশক নত্তো যক্কে পামুই। ললিতা মবেম্মগী থৌগল মাংবা য়াদবনা মাগী কলা অমনা মচুংশিনবা কন্যা ওইরগা চসিমখৈ ইপা ওইজরগে হায়না জম্বুবান্দা চাংজখী। জম্বুবান্না কন্যা পুরগা ময়ুম য়োখী, ঐগী ইচা কন্যাসী মমিং জম্বুবতী কৌরনী থেল্লগা ? চেকশিন্না য়োকখী। মত্তো অস্তমনা রাধাগী চাক্লবী সখী ৭সি মখোয়গী শক্তি ১মমনা পুরলিলাদা কৃষ্ণগী সেবাগীদমক নিংথৌমচা কন্যা ওইদুনা পোক্লকখী ললিতা মশা লৈহৌবদু য়োগ ময়া শক্তিনা শংমদু থংহন্দে।

* টীকা/ বৃন্দাবনগী রাধা গোবিন্দগী লিলনা গোলোকতা লিলানী মাগ ভক্তিগী চংনফম্নি। দ্বারীকাগী লিলানা লক্ষ্মীকান্ত শ্রীকৃষ্ণ বৈকুণ্ঠ নাথগী লিলানী দাস্যভক্তিগী চংনফম্নি। মতম অসিদগী রাধানা আদি শক্তিনি, লক্ষ্মী স্বরূপতৌনা আদি শক্তিনা পুথোকখিবা অংশনী। মরম অসিনা রাধানে লোইনবী সখীসিংনে, অসিগী শক্তি অমমমনা নিংথৌগী মচা কন্যা ওইরদুনা, লক্ষ্মীকান্ত শ্রীকৃষ্ণগী লিলদা কৃষ্ণগী মনইন্নপী ওইদুনা থৌগলন্নিবনি। অদুবু ভগবান ওইদুনমকপু নরঅবতার লিলা ওইবনা খরাস্থাগী নস্টচন্দ্র উক্লবগী মনিগী হ্যাকতকতা ইকাইবা খর থংদুনা ইকাইবা বদনাম কোক্লবা মনী থিংকপদা জম্বুবান্না মনিগা ললিতাগী শক্তিনা ওইবা জম্ববুবতী কংলক্তুনা দ্বারীকা য়োংক্লগা সত্রাজিৎতা মনি পীখি জম্ববুবতি লুহোংখী। সত্রাজিৎস্তু কৃষ্ণদা রাখল ফংলদবগী দোষ কোকপীনবা সত্যভামাবু লুহোংদুনা মনিগা কোদুনা অউনপোং কংলি কৃষ্ণনা মনিদি সত্রাজিৎতা হল্লখী। ইতি।

তোংখিবা শগোলগা, শিজুনা লৈরম্মে নোংশাগী খোংগুল তারম্মী? খোংগুল লিহুম লাকই। খর লাক্লগা নোংশা শিহুনা তারম্মে, শংম খোংগুল তারম্মী অমুক খোংগুল লিজুনা লাকপদা। চিঙ্গী লোকন্নুং অমদা সুরঙ্গী লম্মী অমা লৈ? অহুদা চংশী। কৃষ্ণনা হায়রকই নোংসা হাংপীনবা শংম লৈবা হৌনদে, শংম অসি অমর জম্বুবান ওইরম্মুনী, ময়াম অসিদা হৌহৌরো ঐ চংঙগা থিরুগে কায়রুনা? সুরঙ্গী লম্নীদা লেংথরে। পংতাল য়োরক্কুনা জম্বুবানগী ভগাদা থুংগুরে, জম্বুবানগী মচা অঙাং অমা খোঙ্গাল মনাক্তা, মনিদু শিবিরগা য়োকচবী হৈনা? শেন্নহুনা লৈরম্মী। কৃষ্ণনা চংখিজুনা লেপলগা মনিহ্ য়েঙ্গুবদা, শেহবী মমাহুনা ঋক্ষরাজা নিপা অমা লাক্কুনা, মনি হুনখিদোরে হায়না লাউনা কৌরকই। জম্বুবান শাওনা চেম্মোক্লকতুনা কৃষ্ণদা খুত্তুম্না থাদগী কৃষ্ণনা মনাইগী শক্তি য়োংনিংহুনা তাক্কুনা ওন্নিন্দুনা ফুনখি, মল্লযুধদা থেংনরবপসী জয় পরাজয়? নাইনদ্রে। অহিং নুংথিল পেংথাদনা থেংনরকপা পুমিং ২৮ নি শরে, অসোম শুরুং মনাক্তা লৈহৌরিবা প্রজাহু, ১২ শুবদা দ্বারীকাদা হুনক্কুনা বসুদেব দেবকীদ? পাও তমখী। দ্বারীকাশিংনা রানদুনা কৃষ্ণগীদমক মঙ্গল ওইনবা হায়রুনা চন্দ্রকান্তী দুর্গা পূজা তৌহুনা লৈনখী।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজা লাম্থেংনরিবা কৃষ্ণনা, ২৮ নি শুবগী অথুকী য়ুথক অমদা লাল লোইশিন্নগে খল্লহুনা? শংমগী লম্নাইদা খত্তুম্না থাবদা জমবুবান্না দন্দ অমা রাম্বতুনা? লৈখী। জ্ঞান লাকপা মতমদা রাখল তৌই, ঐবু লান্দা মুযা পীবসী লাইনা হিংচাবনস্থ উমথিদ্রে! নিপাসি করানো খঙনিংহুনা ব্রহ্মগায়ত্রি জপ তৌরগা ব্রহ্মজ্ঞান্না য়েংবদা। ত্রেতাগী রাম মবুংঙোনা দ্বাপুরদা, কৃষ্ণ অবতার তৌরবা মবুংঙোনি

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় অন্ধক বংশকী সত্রাজিত নিংথৌ, মচা পোক্তুহুনা নুমিংপু নিংঠৈজ মাগী ভক্তিদা পেহুহুনা! মতমস্থ চারে খংহুনা। সত্যভামা সমান্তক মনিগা পূরক্কুনা, সত্রাজিৎ নিংথৌদ নচা ওইজরো মনিসিস্থ সনা থোকপনী নং ফংজরো? পীরম্মী। সূর্যদেবগী থৌজান্না মচা ফজরবী কন্যাগা, সমান্তক মনিগা ফংঙবদা চংনা সর্গ ফংবগুম নুংঙাইনা পানজরে। সত্রাজিত লোংমা মঙক্তা মনিদু শিরগা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরে, খর লৈরগা প্রসেন্না মনিদু শিরগা বন্দা মৃগয়া চৎলুই, মনিদু উবদা নোংশানা প্রসেন হাৎলগা মনিদু মঙক্তা শিজিন্নগা লাকপদা! জম্বুবান্না থেংমদুনা নোংশা হাৎলগা মনি পুদুনা চংদ্রে। প্রসেন হুক্কুবদা শাত্রাজিতনা, মনিগীদমক ইনাওবু কৃষ্ণনা হাৎখিবা ওইরমগনি হায়না? তেংথাহুনা কপখী। রাকমসি তানরক্কুনা দ্বারীকানা নাহৈদি চায় হায়বসি নিনফুং নিনফুং ঙাংনরকইবসিবু, শ্রীকৃষ্ণনা ইকাইহুনা বদনাম কোক্কবা তেঙ্গোল খর পুরগা? মনিগী খোংগুল লিরকপদা। বন্দা প্রসেন মঙক হুক্কুনা মালা

খংলদুনা, স্ত্রকরাজা কৃষ্ণগী চরণ কোল্লগা বপদুনা? হায়রজে। ত্রেতাযুগ মনাই ওইরিবা রাজা, হাপুর লিলাগী কৃষ্ণ অবতার তৌবিরবা ঐগী ইবুঙঙোনা! মনাইদা ভাকপীদুনা অপরাধ খল্লুরে মরম কদ্বিগী পতাল? য়ৌবিরবপনো। কৃষ্ণনা মনাই কোল্লুনা মথক্কী রাগী চিন্রগ মনি থিরকপদা য়ৌরকপগী মহাক্কী শক্তি য়েংঙে তাক্কবনি? হায়রকই। জম্বু-বান্না অদু ওয়রবদা মনাইনা খংঙুদবগী ইরান কোকপীয়ু, ইচা কন্যা জামবুতীগা মনিনা অউনপোং ওইদুনা? কচ্চরগে। লৌবীয়ু লেংঙসি হায়দুনা কৃষ্ণবু পুম্মিনপ্রগা জমবুবতীদা শিন্দুনা শ্রীকৃষ্ণবু কন্যানা শদ্ধজদুনা স্নান থৌগৎগা আসন্দা লেংশিল্লি চন্দেছ সেবা কৎলী অদুগা আত্মা কত্তুনা চরন্দা ভক্তি তৌজরে। জমবুবান্না মনিনা অউনপোং ওইনা জামবুবতীগা দান কচ্চরে, শ্রীকৃষ্ণ জামবুবতী মনি পুরগা দ্বারীকা য়ৌরকই, অদুগা সত্রাজিৎ কৌহ-ল্লদুনা হাংম তাক্লগা? মনি পীখী। জামবুবতী লুহোংঙে দ্বারীকাবাসী নুংঙাইনরে, সত্রাজিৎ, মযুম য়ৌরগা রাখন তৌবদা, ঐনা জ্ঞান নৈতবদগী কৃষ্ণ অপরাধী লংজরুবগী? দোষসি কোক্কদবনী। জমবুবানগুম্না সত্যভামানে * মনিনে, কৃষ্ণদা কৎলগে লেপতুনা য়ৌতুক মনি লোইননা, সত্যভামাগা রথদা হাপকৎতুনা কৃষ্ণগী? ধাম য়ৌরকই। শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা ঐগী ইরান কোকপীয়ু, সত্যভামাবু মনিনা অউনপোং ওইদুনা কচ্চরগে হায়রগা! য়ৌতুকগা লোইননা সত্যভামাগ মনিগা? দান কচ্চরে। শ্রীকৃষ্ণনা মনিদু ইকুগী অস্থম ওইবীয়ু হায়দুনা, মনি সত্রাজিৎতা হনখি দাংবাদা? সত্যভামা লুহোংখী। মগুন লৈবা মনি লোইরুবদগী সত্রাজিৎ মনাও প্রসেন অমসুং শঙ্খচুর শিখিবনী মহারাজ নংনা হংঙকপা মনিহরণ জামবুবতী - সত্যভামা লুহোংবগী রারী লিরবা অসিনি। জন্মেজয়না হায়জে মুনি, মনিগা মথুরাদা লৈখিবা অক্রূর বৈষ্ণবনা কমদৌরিবনো? অদু লিবিখো।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় নিংথৌ অক্রূর চহি ১২ মথুরাদা লৈরে, বৈষ্ণব লৈত-মতমসি দ্বারীকাদা নোং চুদদুনা! লায়না বয়ানা নানরকপদগী? দ্বারীকাসী রাম্রে। দরবার সভাদা অহলশিংগা উগ্রসেন নিংথৌগন, রাম কৃষ্ণদা হায়রকই, মমাংদৈদকা খাঁলৈপাক্লা নোংচুদ্রবদা, অহৈ অশিং পণ্ডিতনা বৈষ্ণব লৈরবদা নোং চুগনী? হায়রবদা কাশী নিংথৌনা মথুরাদগী হৃদিক বৈষ্ণব লোয়দুনা, মচা নুপী কন্যা গান্ধিনী কৎলগা চহি ১ লৈহনবদগী? কাশী লৈপাক নোং চুখী। দ্বারীকাসী অক্রূর বৈষ্ণবনা মথুরাদ লৈখিবদগী নোংজু নুংশা চুমদবনী, অক্রূর লৌরু হৃদিক গান্ধিনিগী মচা অক্রূরসি। মমা মপা বৈষ্ণব সভীগী মচানীনা, মথুরা দ্বারীকাগী মনুংদদী বৈষ্ণব হায়বদু মাতনী, অদুমনা উগ্রসেন নিংথৌনা? হায়রকই। বলরাম কৃষ্ণনা ফনি ইবুধৌ খুরাতোন বৈষ্ণব কৌজরুগে,

* স্যামন্তক মনিসি তুলা ১৮০ লুম্বনি, অহং ওইরকপদা মান্দা লুপ্মিবা শরুক্ক। মাঙবা সনা শরুক (নিপাল) ২ থোকই হায়না গোস্বামিগী টীকানা হায়রি। ইতি।

হায়হুনা রামকৃষ্ণ গঙ্কর্ব খজরথ তোংলগা মথুরা য়ৌরকুনা ? অক্রুরগী য়ুমদ লেংলিনখী, অক্রুরনা রামকৃষ্ণবু ভক্তি পুজা কৎলী ছন্দেহ সেবা তৌজরগ, দ্বারীকাগী পাও হংলে কৃষ্ণনা কৌব লাকপগী মরম রাগী শাবদা ? অক্রুরনা হায়খী। শতধন্বান স্যামন্তক মনি থনখহুনা ঐরৌম্প লৈরে, ঐগা তানদুনা তৌরা থনগ্রনী হায়বগী দ্বারীকাদা ? লাকপ্রখমী। কৃষ্ণনা খুরাস্তোন মনিদুগু পুথোরক্লো, ইবুধৌগী মাথানি দ্বারীকা য়ৌসী হায়ংবদা মনিহু ? কৃষ্ণদা শিন্নরে। চহি ২২ গী সনা ময়ামহু মথুরাদা য়েস্থোক্লমগা, রামকৃষ্ণ অক্রুর দ্বারীকা য়ৌরকই। কৃষ্ণনা সভাদা কায়রকই স্যামন্তক মনিসী শতধন্বান খুরাগী মথমদ লাংশিল্লমে. খুবাগী মংান নত্তে মনিসি মগুন লৈতবা মীনা ? পায়বা য়ুদে। মনিসী পায়কবদগী ইকু সত্রাজিৎ, প্রসেন, লোংসা, শিগ্রিবনী, শুণ লৈবা খুবা বৈষ্ণবতা অস্তম থমাস, মখামগীসু কাম্নগনী হায়দগা অক্রুরগী মথুক্ত: ? মন শিল্লখী। অক্রুর বৈষ্ণব লৈরবদা দ্বারীকা নোংং তাখি বৈষ্ণববী শুংনা চাওবদী অসেনী জন্মেজয় নিংথৌ কংস শুম্বা মহাভারতকী রারীসী জিবগী লায়বা উপায়নি হাতে। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায় ৪—
পাণ্ডব মচা আশ্রমদা মুনিশিংদ বো-শাস্ত্র তম্বা— ঘটোৎকচ পোকপা মঙ্গলাসুর হাৎপগী রারী মতাং॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মহারাজা জন্মেজয় পুক্কিং চংনা তারো মখাগী রারী অস্তুক লিরক্লগে। বন্দা লাকপসী হিরম্বীনা সেবা তৌবদগী চাব থবপা নুঙ্গোইনা মতম খর লেপ্লে, নোংমা যুধিষ্ঠিরনা মনাওগী নিংবা থুংজরসনু থন্দুনা ভীমদা হায়ংবই। বৃকোদর ঐখোয় শনিগী দৃষ্টি চহি ১২ সী বন্দা অরাব খাংথিবা তারি হৌজিক ঐখায় মুনিশিংগ আশ্রমদা মতম খর পল্লগে। ইনাও ইবেন্দগা বোয়না চৎলগা লৈযম যগদবা বন হৈ-লৈ নিংথিনা লৈবা চিংশিং যবা জগা অমুক্তা য়েথোকবউ হায়না বিদায় পিরে। ভীম হিংস্বী ময়ান্নগী বিদায় য়াথং মতুংইম্না মমা ময়াম্বা খুরম্লো অর্জুনদা চেবশিম্না শিম্নরন্দগা চৎখি। হিরম্বীন মবুঙ্গোবু নঙ্গন্দা পোদুনা য়ৌনিং য়ৌনিংবা মথম মায়া মন্ত্রগী শক্তিনা বন খুদিং য়ৌংচুনা বন বিহার ওয়াহুনা লৈখী। শোমদনা যুধিষ্ঠির, অর্জুন, নকুল, সহদেব, কুন্তী মমাগা কৌশিক মুনিগী অশ্রমদা লৈদুনা বেদ শাস্ত্র তমখী। হিরম্বীচু মবুঙ্গোগী থৌজ্জল

কহনা থাংদ শুরকপদা পাণ্ডবী লৈখোন ভইখী। বন খুদিং কোইরকপীদুনা ঋদরিকাশ্রমগী মনাক গঙ্গাগী খোংবাক্তা গতভা কাপন শুরুকপী মতমদা থা অমা পোখাদুনা লৈরে। থা তরা কুমিৎ তরাজি মপুং কাবরা কুমিংতা মচা নিপা অমা পোক্লে পোকপগা (যুবাবয়স) পাখং কারর ইমা খোই লেনবীরো গভ স্নাম ভৌকরগে হায়রৈজে। গভধরি কক্লে ভৌনবী নিয়ম লাংনো, কড়াংদু গঙ্গাগা স্নাম তৌকিংগা ঈপামমা খুরুমজরে হায়জরকই পিতাজি ইশাগী দেশ বদাইদা লৈবগে। বংশন করখা বংশনো মরম অসিদা ত্রৈ পোকপীরিবা অসিমা মরক কাদনী অথম অসিদা উনাগী খাংপোক্তা লৈরবিবগো? হংজে। ভীমা হায় ইপাদি চন্দ্রবংশ পাণ্ডুরাজগী মচা হস্তিনাদা লৈবনী রেক্কবনা যুম মৈ থাবদগী লান চেক্লকপদা। নমাগী মবুংগা ত্রৈগা লাম্ফেংনবদা ইখুত্তা হিড়ম্বরাক্ষস শিখে নমানা ত্রৈভোজা থরাই কংনে। নমাগ ত্রৈগা লুকোংচে। হৌজিক ইমা: ইরাদ্বা; ইনাও মুংমশিঙ্গি তগ্রাগদা লৈহৌরি শনিগী দৃষ্টি চহি তরানিথে ইনী। বন্দ লেনখিসী বন খুদিং কোইনা চংতুনা লৈখম মুংদাই-গদক শিরু হায়দুনা। দদা মকাইজনা তাকপীবা মতুং ইমা মমাগা ত্রৈগা নম রেখা কোইরকপা চহি অমা কারে মথম অদি য়োংবংদা ইচাবু যদ্রীথেবা অসিনী মরম অসিনা ছোম্পি যুমশেংবা জাত কর্ম পাংথোক্লগা ত্রৈখোয় য়ৌরসী। পিতাগী হাতহদা মচানা হায়-জরকই পিতাজি অদু ওইংবদী ত্রৈগী জন্ম কেঠা ইবা ছোম্পি শোয়বা হায়জরখিগে ভায়রয়গা চংগে। ভীমগী মচা অসী মমাগী গভদগী রাক্ষস বিত্তা মমানা হৌংবদু লোই-না তৈরবা কৃপা লৈনা পোক্লকপা মচা ম ভীম মচাগী মতৌ রেংংদবগী গুরুদেব ব্যাসদ খুরুমজরু হায়খী। মচা চংখী ব্যাসকী আশ্রম য়োংতুনা মুনিবু খুরুমজৈ ব্যাসমা নহাকপু কদাইদগী লাকপনো মমিং কবি ভৌই কবি হায়নিংবা লৈবগে হঞ্জিও। হীরম্বীগী মচানা খুরুমজৈ গুরুদেব ননাই ইমিং থেনদ্রি হিংম্বানা ইমানি, ভীমা ইপানি কুমৈ থোকপ-দা পোকচরনি। ত্রৈগী জন্ম কেত্তি ইবিথগা ওসিদগী অনী শুবা মুমিত্তা গঙ্গাগী খোংবন্দা কেঠিন্নু পুখীরকউ অনাইগী ছোম্পি শোনৌবু। ইপানা গুরুদেবদা হঙংলু হায়রুনা লাক-চকনী নকাইবু গুরুদেবনা চাংবীয়ু বারুনদ ভক্তিনা অক্ষম ওইজরগে হায়রগা খুরুমজৈ। ব্যাসমুনি অত্তাগী শক্তিহ উরগা পোলদুনা হায়রকই বরে ত্রৈ সোয়দনা লাকনী। নপাচু ইংনি শেইরক্রোই হায়না তামুংগো। হিরম্বীগী মচা হক্লগা মমা মপাদ পাও তমজরে, ভীম মচাগী কত্তুন উকপা নুংঙাইবগী ঈপক্তা লাউজগে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জনমেজয় ব্যাসমুনি কেত্তী ইবীরে তরক্কীগী মুমিং তারম-দাইদ লেংবীরক্লে। ভীমহিরম্বীমচাদা ব্যাসদেববু খুরুমজরে। মুনিনা বৃকোদর মচাগী মমিংদী ঘটোৎকচ। মালেমগে পৃথীবীদা কাওরগনী লমথেনব হিংচাবশিংবু খুত্থম চল্লগদবা নহানী। ব্যাসনা ঘটোৎকচগী ছোম্পি শোনবীরে মুনি খুরুমজরগা ভীমা হায়রৈজে গুরুদেব

১২ নিগী (ছোচ কর্ম) অযুক ওন্না শেংদোকপীয়ু। দদা মহারাজাগী মকম ওমা মৌক্ত- রগা অমোমদস্তু শেংদোকচুনবা ব্যাসনা ঐ ওমা লাক্কে হায়রম্মগা লেংখরে। ১২ নি শুরু- ক্লুনা দ্বৈপায়নি ওন্না লেংঙক্রুগা শেংদোকপীরে মুনি অসির্বাদ পীরীরম্মগা হেৎখী। ঘটোৎকচনা হায় ইমাস্তু ইপাস্তু ঐগী নক্তনা লেংখৎপিরো পাবুংহনগী মথম য়ৌনা মচা থোগজগে। ফরে, বাপু য়ৌংসী হায়হুনা মচাগী স্বহ্নদা কম্মে মম। মপা অনিবু লেংবান্দা হাপ্লগা ময়া মন্ত্রগী শুন্না পাইরকপদা। মিনিট ১০গী মনুংদা ধর্মরাজনা লৈবা অশ্রমদা থুঙওরে মমা, মপা লেংবান্দগী থাজরে। ভীষ্মা মাং থানা চঙওক্রগা কুন্তী মমাবু খুরুম- জরগা ময়াম্না খুরুম্মে। হীংম্বী মনেম্বু মতৈবুস্ত খুরুমজৈ। মনাও অহম্মা ভীম, হী- রম্বাবু খুরুম্মে, যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই নখোয়গী তুংইন্নবইবা মহাপুরুষ অসি বদায়দগী লা- কপনো। ভীষ্মা দাদা মহারাজা ননাইসি নচানি, যুধিষ্ঠিরনা য়াইমা ইচাসি যংবা থা কয়া শুরে। ভীষ্মা অজ্ঞা ননাইসী পোকপা ১২নি সুরে ওস য়ুমশংবা স্নমিংনী ওন্না গুরুদেব ব্যাসনা শেংখীরগা সোমগী শেংব নংনবা লাকচবনী। ঘটোৎকচ মবেঙ্কো, মপঙ্কো, মতোন অহুম মথং ২ খুরুমজরে, পাণ্ডব মচা ফংবদা নুঙঙাইওহুনা মচাবু মথং মথং কোল্লে। ঘটোৎকচনা হায়জরকই পাবুংহন মথম থর থপ্লা লৈবীখিংদদা ওইর- বদী ইমাগ্না নচাগা বিদায় পিবীরো! মামনা পাহম্বা হিরম্বা দেশবু শেমগৎতুনা হৈক্ত- রুরগে করিগুম্বা খুদোংচাদবা মথম ওইরকপদা নচাবু হেক্তা কৌবীরবউ থুথক্তা য়ৌক্ত- রক্কে। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই ইচানা হায়বা চুম্মী নহাককী মীওই অসিনা থপ্লা লৈবা য়াররোই। নমাগা লোয়ননা চৎলো হিরম্বা দেশদা নিংথৌ ওইহুনা পাল্লুরো ইপাম্না অভিষেক পীরগে! রাজ্ম অসি তাকপীরকপদ সোহোদেবনা তীর্থগী জল লৈপরেং লাংহুনা ধর্মরাজদা লাক্কিল্লে। যুধিষ্ঠীরনা মচাবু লৈ হুক্রুগা রাজা অভিষেক পীরে। মমা মচা গুরুজন খুরুমজরগা পদধুলি লৌজহুন কোকথক্তা হাপচরে। ভীষ্মা মচাবু কোল্ল- গা হায়রকই বাপু হন্দকী বন চৎলিবা অসিনা হস্তিনখিবদ ফংত্রবা দুর্যোধনি লাল হৌরকপা য়াই। অকন অথোক্লানমী থর শেমগৎতুনা থম্মু ঘটোৎকচনা ফনি অজ্ঞা নচানা লান্তবু থোক্লরবদী য়েক্লব লমন খুমজগে চিংনবীগন্নু। হৌজিক্কি নচা য়ৌক্তত্র- গে হায়হুনা বিদায় লৌজরগা মমা মচা মায়া মঙ্কনা মীকুপ থরগী মঙ্কুংদা হীরম্ব দেশ য়ৌখী। হীরম্বনা লৈরম্বা য়ুমহু শেংদোক্তুনা ব্রাহ্মণবু শান্তি থোথোকহল্লগা মমা মচা লৈরে। হীরম্বী বৈরুবীগী পুকচেল লেপচহুনা শ্রীব্যাসকী মথমদা চেহুনা প্রানলিকা লৌজক্করে লিক পায়হুনা নাম শোজাত্র। ঘটোৎকচনা দিগবিজয় চৎতুনা রাক্ষস বংশ কম্মা জয় তৌহুনা মহন্দস্তু রাৎওনা প্রজা লানমি শেমগৎতুনা পাল্লি। বৈশম্পায়ানা হায় জনমেজয় নবুধৌ মঙা মমা বৈরবীগা মুনিশিঙ্গা আশ্রমদা বিদ্যা তম্নহুনা মথং মথং

লাকপনা চহি ১১ সুবদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী খোংবান্দা হৈকোন লৈকোয়া কজরবা বন ১ লৈরখী বন অদুদা চংদুনা পোত্থাদুনা লৈরে। বন অদুদি পতালদা লৈবা মঙ্গলাসুর কৌবা হিংচাবনা শেম্বা বননি লাই মী পুম্নমক্কা কিনরবা চংলদ্রবা মফম্নি। সুমিদাংবোইরম হিংচাবদু খুংগুরে পাণ্ডব লৈবদু উবদা হিংচাবা চংগুক্কুনা উশিন্দুনা হায়রে। হায় হায় মী মচাশা নখোয় কদাইদগী লাকপনো মঙ্গলাসুর ঐগী বন্দা চংগুক্কুনা হৈ লৈ হেক্কোক-লম্বগী নথরাই লৌবা তারে। হিংচাবগী রাদু তাবদা ভীম্মা করি রাক্ষস ঐখোয় ইচিমাও ৫ ইমা পুদুনা তীর্থ কোইরকপনি। বন্দগী হৈ-লৈ হেক্কুনা ঈশ্বরদা কৎপদি তীর্থ যাত্রিক ঐখোয়গী হৌনবী ধর্ম্মনী নঙ্গী বন ওইরবস্ত নরাইবক ফবনী। নঙুম্বা ধর্ম্ম খংদবা হিংচাবা হিরম্বদু হাংলক্লবা পাণ্ডবকী ভীম হায়বদু ঐনি নথরাই মাংনীংদ্রবদী চেন-হৌরো। ভীমগী রা তাবদা থাক্লা থাক্লা নোক্লগা হায়রকই নরবেটা নংনা ঐবু উশি-ন্তবা শারী ঐ খোংগ্রাই চন্দুনা ফম্নীরগে। নখোয় ৫ না পাইরীবা গদাদুনা অমুক ২ য়ৈজো, অদুদা শিহনবা ভুমদ্রবদী নমা নচা ৬ নগুক থংলগা ঐনা ঈ চুপ্লগদবনী খংগু হায়রগা খোংগ্রাই চন্দুনা মমিৎ উইশিল্লগা ফমপ্রে। হিংচাবগী উশিন্তবা. মতৌদু উবদা ভীম্মা দাদা মহারাজা গদাসিনা অমুক্কা মকোক্কু য়ৈথায়বীয়ু : মানা হায়জরবনী য়ৈংগী দয লৈররোই হায়রগা গদা লান্সিল্লে যুধিষ্ঠিরনা গদা পায়রগা হিংচাবগী লরাই লেফুদা ফুথরে। গদানা থাবদা হিংচাবদু মায়াগী শাক্লনা মগুক্কু বৎলাউনা তংলগা উং ২ লাউনা ঙগুলগা বন্দু কোইনা পাইথী মশাদী লেংদনা ফম্মী। মতৌ য়েংদুনা লৈনরে মকোক্কু বন কোয়বা থুঙগুরগা হজিল্লক্কুনা লেংবান্দা বুপ লাউনা তাররগা শৌজিন্দুনা হায়রা হায়রকই। নখোয় অমা অমুক য়ৈজরো ভীম্মা অর্জ্জুন য়ৈয়ু ঐ কোয়া য়ৈরগে হায়-রকই! অর্জ্জুন কৌমুদকী সোমগদা খুতুম চেংনা পায়রগা মকোক তোইন থুগায়গে থন্দুনা থা চিক্লগা য়ৈরে। য়ৈবগা মগুক্কু তংতুনা পাইরুরগা অমুক শৌজিন্নরগা অমা অমুক য়ৈজরো হায়রে। পাণ্ডব ৫ কুন্তি বৈফংবী মুংশা থিনরে ভীম্মা নোকুল য়ৈহল্লে অদু মগাই। সোহোদেব অমুক য়ৈহল্লে য়েংগুবা ভীমদু হিংচাবগী মায়াদু ভাব তাবা ভুমদ্রদুনা মচা ঘটোৎকচ ৎৌরে। খুথক্কা মিনিট অমগী মন্নুংদা ঘটোৎকচ থুংগুরে ভীম্মা মচাদা মরম পুম্নমক হায়রে। ঘটোৎকচনা ময়া মন্ননা য়েংবদা মঙ্গলাসুরগী মমাদু লোয়না খংগে। মাগী মকোক পাইগ্রিবদু মিরাংগুম্বা মরী অমদী তংতে পাইরীব কোক্কুগা শম্নরী। মাগী শিংলিদু থংলগা শিনি হায়রবসি ঘটোৎকচনা খংগে মায়া মম্নগী শক্তিনা মঙ্গলাসুরবু উহন্দনা ভীমগী মতুদা থুগুনা লৈ। মঙ্গলাসুরগী পাইরুরীবা কোক্কু হজিল্লক্কুনা শৌজিল্লগা হায় নখোয় মগাদগী অমা রাংলিবদু য়ৈজরো। ভীম মচাবু য়েংথি মচানা য়ৈবীরো হায়বা ইঙ্গিৎ তৌই। ভীম গদাগী অকনবা চৈফুনা লরাইদা থিং

লৱাইদা থিঙ্গ হিংচাবা মশা কেংদে হায়নগুম্বা মঙক তংলগা ঙংনা পাইথী। ভীম্মা বাপু কৱম্মো মাসী শিৱোইদোৱী ঘটোৎকচনা, পীক্তাজী নচা তৌজগে চিংনবীৱস্থ কুম্মে য়েংবীয়ু। মঙ্গলাস্থৱগী কোক্তু ঙংহুনা বন কোয়না পাইক্রৃগা হঞ্জিল্লকই, ঘটোৎকচনা মাগী শিংলিহু থংলগা মশাহু মমে মকোক ওম্ফোক্তুনা য়ুংশিনবদা। হিংচাবগী কোক্তু নিংজোন্দা বুপ লাওনা তাদুনা মথৱাই থাৱে। ঘটোৎকচনা মঙ্গলাস্থৱগী হকচাং কোক্তু ব্ৰহ্মপুত্ৰদা ছাগী চিঙ্গাক ওয়ৱসন্নু লংথগ্রে। ব্ৰহ্মপুত্ৰ তিৰ্থ স্নান তৌগা কাৱক্তুনা মৱেম্ভৌ, মপন, মপা, মতোনবু খুৱম্মে। ধৰ্ম্মৱাজনা মচাবু চেংনা কোল্লগা ইচাগী নপাম্না ঐখোয় হিংবনী ইচাদী মতম পুন্নমক্তা মঙ্গল ওইয়ু বৱ পীৱে। পাবুংহন চিংনবা মতমদা নচাবু হেক নিংশিংবিৱকউ হৌজক্তি নচা য়ৌঙপ্রগে বিদায় লৌজৱগা ঘটোৎকচ হঞ্জখ্রে। সোমদা মপা নুমিৎ তাৱবদা হল্লক্তবসী, মঙ্গলাস্থৱগী মচা যুবৱাজা মোয়েনা ৱাক্ষস বিদ্যানা য়েংবদা! মপা শিখবা পাণ্ডব মপাগী বন্দা লৈৱীবহু উবে। হিন্থনা অহিং চুপ্পা ৱাখল তৌই ইপাদী লাইন মীন উম্বদবা ইপাবু হাৎপা উম্বা মহাপুৱষ অহুদা থৱাই কংলগা শাগৈ হোংহুনা চংজৱগা ইপা ওইৱগে হায়না পুক্কিংদা কেপখ্রে! নোংজাল্লগা ছন্দেছ অথেনপোৎ পুদুনা মিনিট ৫গী মতমদা থুণ্ডৱে। পাণ্ডবকী মথমদা চংঙক্লগা অথেনপোৎ থম্মে ওক্ত ফি য়াল্লে মখুৎ লোক্ষৱগা হায়জৱকই। বন অসিদা লৈবীৱীবা মহাশয়শিঙ্গ মথমদা ৱাঙম অমত্তা হংগৎচগে হায়ৱকই। বন অসি ঐবু পোকপা মঙ্গলাস্থৱগী শান্নফম্মি ইপাহু জগৎনা উম্মব্ৰবা ৱাক্ষযনি। ইপাবু হাৎপা উম্বা মীশক্তু অমুক্তা তাকপীয়ু, ঐ মঙোন্দা খুৱমজগে চীংনবীগনু শৱনাগত ধৰ্ম্মদা লাকচংবনী মোয়োগী মীওয়হু য়াম্মা ৱাং চাউই মচুনা কালিগুম্মা মৃই য়েংবদা তুজুংবা পেবই। ভীম্মা মঙ্গলাস্থৱ হাৎপহু ঐনি কৱি হায়নিংঙৌ হায়ৱকপদা মে য়োনা হায়জৈ ইপাবু উম্বদি ইপা ওইজৱগে ননাইবু নচা ওইনা লৌশিনবীয়ু হায়ৱগা অথেনপোৎ কংলগা ভীমগী খোঙ পায়হুনা খুৱমজৱে। ক্ষেত্ৰি ধৰ্ম্ম ঙাক্তুনা নুমিৎ অহুদগী লৌহুনা ওনিদ (জাত কৰ্ম্ম) ছোষ্টি শোল্লগা চন্দ্ৰবংশ গোত্ৰদা লৌশল্লে। ১২ দা য়ুম শেংলগা মোয়োহু মৱেম্ভৌ, মপা, মপল, মতোন খুৱুম্নগা মপদা হায়জৈ নচাবু থবক মতম থোক্লকপদা কৌবিৱকউ খুথক্তা থংজৱগে। ৱাম অসি হায়ৱগা বিদায় লৌজহুনা মোয়ো পতাল মৱৈবাক য়োখী। পাণ্ডব চহি অমা ব্ৰহ্মপুত্ৰ তীৰ্থ খোংবান বন্দা লৈৱে মথম অসিবু হৌজিক কাণ্ড পাণ্ডু ঘাট কৌনৱি। অসিগুম্বা মহাভাৱত আদিপৰ্বগী ৱাৱী অসি অমৃতগী ঈচেলগুম্বনী মীওইবনা পুক্কিং চংনা তাজবদা। অৱোইবা মতমদা যমগী দাই লৈৱৱোই লেখকন ঋষি ধাম সংগনি কায়ৱম্মী কী বেদ বাসনা হেংথৱবী ইতি॥ ঋষি ঋষি ঋষি॥

অধ্যায় ঃ—
পাণ্ডবনা ঘটোৎকচ্চদা খুৎলাই শিন্নরম্মগা—
ব্রাহ্মণ শাহুনা একচক্র নগরদা লৈবা বককা—
জম্ভাসুরগা হাৎপগী য়ারী মতাং

শ্রী বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় মহারাজ পুরুলিং চংনা, তারো মথাগী য়ারী অমুক লিরগে। পাণ্ডবনা বন্দা লৈরকপসী চহি ১১ শুরে মতাং অসিদা শ্রীব্যাস মুনিনা একচক্র নগরগী অরাবা তারিবা প্রজাগী দথা কোরকল্লগে হন্দুনা। বদরিকাশ্রমদগী আবির্ভূত লেংঙক্লুনা পাণ্ডবকী লৈফমদা থুংঙরে। ব্যাসবু উজবদা কুন্তী মচা ইবুংঙোদা কপ্পুনা খুরুমজে ব্যাসনা আশির্বাদ তৌরগা হায়রকই। বগকুনু নখোইগী দথা লোইগদবা চহি অমত্তা তাইরে হৌজিক্কি বন্দা লৈরনু। একচক্র নগরদা তীর্থ বাসি ব্রাহ্মণ শাহুনা চহি অসিমা থাংখো নখোইনা লৈব মুংঙাইগদবা মতম ঐ শিনবিরমগে। নখোইগী খুৎলাই নচা কৌরগা শিন্নরম্মো থোরাং লোইরো ঐনা হৌজিক চংলসী? অত্তনা তাকপীরে। ব্যাসকী য়াথং ফংবদা ভীমনা মচা কৌরে মপানব কৌবগা ঘটোৎকচ তাবগা মায়া শক্তিনা পাইহুনা লাকপহু নিমিষ ১দা থুংঙরে। ব্যাসগুরু খুরুম্মগা মপা, মপল, মতোন, মবেঙ্গো খুরুমজরে ননাইবু কৌবীবদী কধি তাকপীগদবা লৈবগে। যুধিষ্ঠিরনা হায় ঘটোৎকচ ব্রাহ্মণ তীর্থ বাসী শাহুনা মতম থর ঐগোয় দেশ প্রামদা লৈমু হায়না তাকপীরী। শ্রীব্যাস গুরুগী য়াথং মতুং ইন্দুনা লৈরুগে ঐখোইগী খুৎলাই অসী নঙোন্দা শিন্নরমগে অদুগী ইচাবু কৌবনী। যুধিষ্ঠির, অর্জুন, নকুল, সহোদেবগী লিরুং তেন্দোং ভীমগী গদা, থাং চুঙোই লোইনা ঘটোৎকচদা শিন্নরে। ঘটোৎকচ ব্যাস, কুন্তী, মপা, মপাল, মতোন খুরুমদুনা বিদায় লৌজগা হায়রকৈ। হয়েং ফোংদোকপা মতমদা নচাবু কৌবিরকউ ননাই খুৎলাই পুরগা লাকচগে হায়রম্মগা ঘটোৎকচ হনগ্রে। পাণ্ডব মমা মচা ব্রাহ্মণ রুপশ্রীগী ফিজেৎ লৈগা ব্যাসমুনিগা লোইনহুনা লাকপনা একচক্রনগর য়োৎরে। ব্যাসনা একচক্রনগরগী কুলাচার্য্য ওইরিবা ব্রাহ্মণহু ধর্মদেব কৌই, মাগী য়ুমদা পুশিন্নহুনা থংঙরে। ব্যাস লেংঙকপা উবদা ব্রাহ্মণ চেন্সিনহুনা মুনিগী চরণদা কওরুম কংলি, লেতশিনবিয়ু। হায়হুনা আসন ময়ামগীসু আসন থারে লোইন হুম্নরে

ব্রাহ্মণনা ব্যাসগী খোং শেংভি পাদদক লৌজরে পুজা কৎলি ছন্দেছ সেবা লাংজরে মুনি হঙ্গৎচৈ। ননাইগী লাইবক কবদ ঙসি সেবা যংজরে করি কচৌ হায়রগে তাকপীয়ু ননাই কচ্ছগে অতে লাকপীরীবা অসিনা গুরুদেবগী করি থোক্লবগে। ব্যাসনা হায়রকই ঐগা লোয়নরকইবা মখোয় ঐগী ইচা সেবক্কি মমা পুতুনা মচিন মনাও ৫ অসি তীর্থ স্নান কোইরকপনী। মতম কুইরে ব্রাহ্মণগী জগা অসিদা মতম খর পোথাদুনা লৈহল্লিং-দুনা পুশিল্লকপনী নংনা মখোয়বু মতম খর অতিথী সেবা ওইনা লৈহল্লু। নহাক্কীসু মঙ্গল ওয়গনী হৌজিক ঐসু হনগ্রগে ফনি গুরুদেব হায়রগা ব্যাসবু খুরুমজদুনা ময়াম লৈহৌরে মুনি আবির্ভূতনা লেঙখী। ধর্ম্মদেবনা মাণ্ডব তম্বায় অমা খাজিন্দূনা হিপথম চাকম ফি-রোল কোন-লিক চেং-হরাই ঘী-থাও পোৎ পুম্নমক লাংদুনা মরম রাক্লেনা থম্মে। পাণ্ডব মমা বৈষ্ণবীগা মতম খর নুংঙাইনা লৈরে কুন্তীনা হায়রকই ইচাশা ব্রাহ্মণগী মরুন্দা চাদুনা লৈবসী নুংঙাইতে নখোইসু ভীক্ষা চৎলু। যংঙকপা ভিক্ষা মস্তু অর্জুনসু মতম খর লেমসি কুন্তীগী য়াথং মতুং ইন্না পাণ্ডব ৫ ভিক্ষা চৎলি মতৌ অসুম্না মতম লেন্দুনা লৈরকই। * একচক্র নগর অসি বক হিংচাবগী মখা পোন্না লৈব লম্নি য়ুমথোঙ্গী পালী নাইদুনা মী ১ চাক ইঞ্জাং গারী মপোৎ ১ গারী চিংলিবা ঈরোইলাথ। মরেং তায়বা অনি মুতিগী বক হিংচাবদা পীজরি। নোংমদী যুধিষ্ঠিরগা নকুল সহোদেব অর্জুনসু ভীক্ষা ঙস্তানা চৎখী ভীমদী য়ুমিৎ অদু লাইগী নোংদমনা। মশাদু কয়া কৈ-

* ব্যাখ্যা/ একচক্র নগর অসি বেত্রকি নিংথৌগী সাসন্দা লৈবা লমদি ওয়রগা বেত্র-কিনা পাল্লিবা কোন্নুং মফম সোহোরনা ত্রিপুরাদনী। ত্রিপুরা হায়বা দেশ অসি মমাং-দৈদা ত্রিপুর দৈত্যনা পাল্লম্মী লায়দুনা ত্রিপুরা কৌখী। একচক্র নগর অসিদী বেত্রকি নিংথৌগী সাসন্দা ডিষ্টিক জিলা অমা ওইনা খর লাপনা লৈবা নগর ওইবনা, বক হিংচাবনা লাকুনা য়েংলবদা। বেত্রকী নিংথৌনা হিংচাববু কিদুনা চংঙক্তবদগী, বককি মখা পোল্লবা নগরনী। অমসুং ধর্ম্মদেব ব্রাহ্মণগী থৌরানী সুমিতৌ অসি মমা মপান্না থারা পাল্লমদে নিংঙোন অসিমতং পোকপনী। মপানা ধর্ম্মদেবদা থাজদ্রগা সম্পতি পুম্নমক পিরমদুনা একচক্রগী কুলাচার্যা ওইদুনা লৈবা বঙ্গদেশদগী লাকপা ব্রাহ্মণ মচানি বেদ শাস্ত্র হৈ ধর্ম্ম লৈবা ব্রাহ্মণ মথন্দা লৈবা একচক্রনি মরুন্দী য়াম্না লৈ মচা কম্যা অসি চহি ১০ সুরকপী ১গা চতি ৫ চংলকপা নিপা মচা ১গা অনিদা ভাইরী। মহা ওইরিবা ব্রাহ্মণ অসি যাগী মনৈম মকুম নোঙ্গাগ্রে মাগী শাগৈ মচিন মনাও ভাই শেল লমদুনা অমত্তা লৈতে। পাণ্ডবনা ভীক্ষা চৎপসী তৌবীনু ঐনা থাকচগদী অতিথী সেবা ফংজরিবসি ইরাইবক কবনী হায়জবদা। পাণ্ডবনা ব্রাহ্মণগী ধর্ম্মনি কায়দুনা ভীক্ষা চৎপনি একচক্রনীসু, ব্রাহ্মণগী মরমদসু, ব্যাসগী মূলমত, জৈমিনিগী মহাভারতমসু অসুম্না হায়দী ইতি

লিংজহুনা ভীমনা চৎত্রে কমুংদা হিগুংনা লৈ হৌগৎত্রি কুন্তীনী প্রাত ক্রিয়া স্নান লোইহুনা, মণিম বালহৌশং পৈখোপ তৈবা লোইহুনা লৈ-পঙ্গ হেক্লে, মুনিৎ থোক্লে। ব্রাহ্মণগী ইমুং থোংবাংত্রি বা তাংবদি তাই কুন্তী চত্তকুংনা মাংলোন্না তারী, ব্রাহ্মণী, ব্রাহ্মণ তাংনরিবা রাকমদী বকফি চাক থাদি একচক্রগী অহনশিংনা ঐখোয়গী কুলাচার্য্যগী হায়হুনা ব্রাহ্মণ কাইথোক্‌না থারদে, অদুবু মহাযোমশিংনা ব্রাহ্মণহু মীনী ঐখোয় অম্মানী মী অমমম ওবাই মাংতৌবান থাসী হায়না লৈনবকপা কুইরবনি। থাও হায়বনা মামশিঙ্গকুংনা পাঙ্গি থাবগী রাবেপ তারহুনা, ওরাং সন্ধ্যাগী মতমদা মচিন চৎপা লুচিংবাশিংনা থারগে। মরম অসি অতিথী ব্রাহ্মণ-তাহান্নিংহুনা ইমুংদা তাংনন্নিবনী, ব্রাহ্মণী হায়রি ইবেম্মা নংনা ঈচা ২সি য়োক্‌না লৈহৌমো ঐ চৎল্লগে। এনা লম অসি লৈহৈদে হোংখ্রসি হায়বদা, নংনা লন পাম্বদগী ঐখোয়বুদি পুরোহিত ব্রাহ্মণনা পাদি কাইথোকই, থারকলোই হায়বগী লৈরুহুনা হৌজিক লোমা তারেদো।

সুনিত্তো ব্রাহ্মণীনা হায়রৈজ চুম্মী প্রাণনাথ মুদীগী রাখল থেনবনা, তুংদা ওইরকদবা উবা ওনদবনা থোকলগবনী। ঐ লৈহৌরগা মুখ না ইচা য়োকপা মীনা উাঙ্গলক্লোই, ধর্ম্মহু তাকপা ওমরোই ইচাশিংমু মাংহনা ঐ চৎচখিগে। অজ্ঞানা লৈবাহৌরগা ঐগুবী অমা মুহোংবিরগা ইচাশিংসি য়োক্‌না লৈবাহৌরবদি মুখ কাইররোই। মমা, মপাগী, মা তাবদা মচামুগী কনহুনা হায়রকই ইমাম্ম ইপাম্ম লৈবাহৌ মচা চচ্চগে। ঐদী নিত্তোমীনা মীগী মনাই ওইহুনা লৈবাগদবনী, ইপা ইমা অনি কাইনম্মবদা ঐগুবী নিত্তোমগু পোক্লকনী অম্মানী। ইমা ইপা অমা কাইখিবদা ইপুরা অসি পোকবনা য়োকপদা মদিং থংহৌরোহ ; মচা অম্মাগী রাহু তাবদা ব্রাহ্মণী-ব্রাহ্মণ কপলে। মমা মপানা কাপ্লবহু উবদা নিপামচা অভাংহুনা মথুত্তা চৈ মচা অমা পাইরগা। ইমা-ইপা চাপলোরিবা হিংচাবহু কদাইদা লৈ? ঐত্তোম্না তাকউ। চৈ অসিনা কুরগা হাৎকে হায়রকই, মচা অভাংমুগী মত্তো উবদা কপ্পরবহু তোক্‌না নোক্লকই। তাঙ্গা অদুদা কুন্তীনা হায়রকই ইবেম্মা থোং হাংউ ইমা চত্তকে। কুন্তীগী থোলকম তাবদা ব্রাহ্মণীনা থোং হাংলে, কুন্তী চত্তরপা ইচাগা ইমৌগা থোংদো হাংদনা ইমুংদা কপখিরববু? কৈলোরবগে হওই। ধর্ম্মদেবনা ইমা বৈষ্ণবী তাহন্নিংহুনা তৌজবনী, ঐখোয়গী লম অসি হিংচাবগী চাকথা মী ১ চাক ইহাং পারী মংগাৎ ১ অহু চিংনবা ইরোই ২ গা মিতগী মানা চারি। অদুগী চাকথা পাদিহু ওসি ঐখোইগী থোক্লে অদুগী থমজায়বদী য়াম্না তোঙ্গা লৈরবা লম্বি ইমা। কুন্তী বৈষ্ণবী ওহক হাখল তৌরগা ব্রাহ্মণগী উপায় তৌবগে থম্লগা হায়রক্লে, ধর্ম্মদেব, সুনীতী মখোই অনিদগী অমা কায়বদা মুখ লেপ্পা মাররোই। ইমানা মখোয়গী উপাই তৌরগে। ঐগী ইচা অমা মখোইগী মহুৎ শিন্দুনা থারগে নিংলে অদুবু ইচাগী মঙ্গ অমুক্তদী হংত্তখিগে হায়রম্মগা কুন্তী চৎখী। ব্রাহ্মণী, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবীগী বাহায়হু তাংবা ওকপ্পমা মুমিম মুমিম লৈরোই। কুন্তীনা ভীম মচাদা হায়রকই বৃকোদর লম অসি বক হিংচাবগী চিজাক

মী অমমে চাক ইশু ঊৱোই অনীগা য়ুমথেংগী পাল্লি লাইহুনা পীরি হাইরে। অদুগী পাক্লিনা ব্রাহ্মণগী তারৌ অহুমী তাংবদুনা কপ্নিরবদ ইমানা তাক্লরে, ইমানা ব্রাহ্মণ করিংবগী ব্রাহ্মণগী মহুৎশিন্নবা ইচা অমা পীরগে হায়রক্লে। ইচানা ব্রাহ্মণগী উপায় অমুক্ত তৌক্ত হায়বদু অক্নি থবকগে ভীমসেন, কুন্তীগী বকয় অসি তাবদা ভীম মমাগী থোং কেল্লগা প্রেম শিল্লহুনা হায়রে। ইমাগী পুকচেলত্তগী মীগী উপকারগীদমক ইচাবু হিংচাবগী চিঞ্জাক ওইক্লরে হায়গদবা অপত্তা লৈরোই, ঐমাগী গর্ভদা মচা ওইনা পোকচরবা মচাগী লাইবক কৈ।

ঐমাগী কক্তবা ধর্ম্ম অদুনা মরম ওইদনা অচাগী মঙ্গল ওইনী নীংজরে, মচা ব্রাহ্মণগী মহুৎ শিন্দুনা চচ্চরগে হিংচাবদু ঊমক্তবা বর পিনবিয়ু। বৈঞ্চবী পোক্লহুন ভীম ঐমাগী বরদগী হিংচাবদু লেপ্পা ঊমক্তরো হায়না বর পীরে, ভীম মমাগী পদধূলি লৌজহুনা কেংথক্ত হাপচরে। ভীমনা হায়রে ইমা ব্রাহ্মণদু ঐগী ইবুক থমা চাক চরা অসিনা পিজো, অদু ওইরবদি ব্রাহ্মণগী মহুৎ শিন্দুগে হায়রোরে হায়রবগী অমুক্ত হায়রিক কুন্তী কৈ ইমা হায়রুগে যাইবা, হায়হুনা ব্রাহ্মণগী ইমু চক্তক্লগ কয়রকই, ধর্ম্মদেব শুনিংগী ব্রাহ্মী ব্রাহ্মণ বাক্লরগদু। ইচা যাইমদু মথোইগী মহুৎ শিন্দুরগে হায়রোরে ঙসিগী চাক চরা অসিমদি মবুক থম্বা পীজো হায়রি, মাচু মথোইম লোইদনদা লক্তৎ ইচা যাইংদু লোমদ থারক্লগা কুন্তীগী য়েংমুসি তাবদ ব্রাহ্মণ কপহুন হায়রে, ইমা বৈষ্ণবী অংগী ব্রাহ্মণদু ঐগী মহুৎ শিন্দুনা শিন্দনথবাদ! ঙসিৎ থাবা বৈনিবমথৈ যথগী মরুকতগী নবাই নাপ্পেকপ, ঙম্মরোই ইমাইবক্লীনী অদুম শিজদরগে। কুন্তীনা ব্রাহ্মণ চিংনক্লগদু মতগী মরাম নক্তে ইমাম মথোংদু কন্দিংহুনা তৌবনী হায়রক্লগা কুন্তী চৎখগা ভীম থাখে। ভীম চক্তক্লগা অজ্ঞান থৌরাণীদু লুজরো চাক থোংলো ইবুকদু থমা পীজরবদী, হুংতাইহৌরো মথোয়গী মহুৎ ঐমা শিন্দুরগনী হায়দু করে অদুম যাইমা পোথাৎহিরো আসন থারে, ভীম চাক তাইহুনা লৈথে ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী মচা বৈক্তগ দুম লোইদনা চাক থোংবা হৌরক্লে। লাইগী মুক লৌদুনা ঙত্তা কৎলে, ভীমগী থোংলিবদু চেং কয়া থোক্তদগে হংবদা ভীমনা চেংশিং বৈংক্ত ঙম্মী মথৈ থোংদু ঐনা ওক্লে হায়বদা তোকচৈ ইহাং মথেল তৌকদু চরাই মুকতু ঙম্মী মথৈ থেংজো হায়রগা ভীমদু স্নান ক্রিয়া লোইরগা চাক থোংবদু প্যাদনা লৈরে। অমুক ঙত্তাদগী থোংবনা লিকক তিংথেক্তনা থিদোক্লগা পৈবদা কাতুপ অমা থক্লে। থৌরাণীনা চরাইমুক থোংবহুনা পুং ১০ ত্তারকপদা ভীমনা যারগী তোক্লো হায়রদুনা থোংবা লোইশিন্নে। মুক পুকপ লেংজিন্দুনা কৃষ্ণনা মুক কৎলে ভীম প্রসাদি কংলে পানা-বৈহ লৌবগা শয্যাদা পোথারে। ব্রাহ্মণী, ব্রাহ্মণ অনিমক ভীমনা চাথিবা চাকয়াবদু চহি অম কোয়নবা থবা চেং হবাই লোইশিনখে, তাবদু ব্রাহ্মণহুনা অম, ত্তাল হায়বা লাইহুনা মায়া লৌদুনা লাকপা ওইরমগত্র নিংদুনা আকবা পোকনী। ব্রাহ্মণ ইমুংগী চা-থকপা লোইরগা মকনি পুমি পুরা ছন্দেহ পাকাবেক্তন নিংথিনা থোং থাকপা

লোইরকপ্না ঈরোইনচিংমখাদা* শকট অমদা কলোং খাক্কে থাংবা চাক পৈগে। তুংলোমদগী পুরী পুং১ মঙ্গোল থমে,- হন্নাই থোংবা ভাংব - ক্ষীর দধি দুগ্ধ পাত্র ১মমগী, কোমবা গারী মথক্তা থমদ্না পোৎ লেম্বা লোইরগা মাবনী মতম ওইরে হায়জরুবদা, ভীম থোংগৎলক্তুনা মপাল থোক্লগা অজা পানথত্লো থোরো ঐদী থোংনা চৎকে গারী থোবা হৈক্তে চাক থাক্নব কাওবা থিলম্।

ধর্মদেব ঈরোই ২ গারী পান্দুনা খুজি লাইকে পায়রগা থোরকই. ভীম গারীগী তুংইন্দুনা চৎলি। গারীদা সদং সদং তৌরক্লা হন্নাই থোংবা কিয় দধি দুগ্ধ নিকথোক্লকপগী মনম কংবদা ভীমনা পাত্রশিংসি থকত্নে নিকথোক্না ভাবোবা পামুই থর থর লোথোক্লগে থরুক্লা অম্ লোম লৌরগা। মগোলহন্নাই ভা মদগী কোংলগা চাই, অদ লৌই কোংলগা চাই। কিয় দধি দুগ্ধ থের পকোরা সঙ্গেশ পাত্রশিং তথই তথই লাবদুনা লৌরগা চাথোক্লবদা গারীগী মথাং জুমদুনা চংশিবা ঈরোইদ্ মখেং হায়রে, ব্রাহ্মণনা হন্ন য়েত্তকপদা ভীমনা চায়খিদ্। ব্রাহ্মণ ধর্মদেব পাখংথদুনা গারী খাদে চোংথরগা অজা মাইনা মাংবা ভারে অদু থোনবরা, ইহাক থকপী একচক্র নগর কাওবা লোইবা মুৎপা ভারে! উদিতবা মাবা রাক্ষস লৈবে অজা অহোবদু ভাওরবা। ভীমনা ঠাকুর মুংপা বিরুদ্ধ অহৈবদা নিকথোক্না ভাগমবদ্ মাংথনবা ঐদা হাপচিন্দুনা পুরীবনী ঐদু মাগা চাবদা মাওগনবনী। ঐ হায়নবগে মুংপা বিরুদ্ধ য়োনবা থোরো ঐগী দায়নী, ভীমনী বাঙাংদুদা ব্রাহ্মণ মাংবা ভয়ে থদী গতী লৈরবদুনা পোৎ লেমশিন্নগা থোরকুনা মকমদ্ য়োবে। গমী খারে অজা মাইবা চিংথোং অসিদা পুদীকুনা অসি খাগী পোথাকম মুমী, লৈরমগমী কোথীবু লাকনী অগাসি খাগী চাকমনী, ঐদী য়োক্তবগে ভীমনা য়োবীখে। হয়রে। ব্রাহ্মণদ্ কিদুনা কনা চেনখগা উপাথোদা কাথৎলগা লাপ্পা থেত্তী, ভীম ঈরোইদ্ নারেং থোরি চৈথোক্লগা মহিং নদী থরাই ঐনা কননবী চচ্ছথরো হায়দুনা থনা লোইলোকপীখে। চাক ইম্বাং সঙ্গেশ খাংথরগা চায় হায় থক নজি চাকবা য়োরক্লে, লাকও ঐ চাবা হোইনগে কায়রগা চাবা হোখে। তৌবিবা মত্তোদ্ উথকা থেংডোবা ধর্মদেবনা উবদা উথকগী তুমথরগা পাথৎপগা লোইননা মমুম য়োনা চেন্নকপদ্ পুরৈ পুরৈ তুরে। মুথিৎ ভারে লাইথেবা তৌরে কিবনগী থোং লোশিন্দুনা তুমিন তুমিন লৈনখি।

বৈশম্পায়ননা হায় জন্মেজয় লোমনী খাগী লোইশিন্নমগে ভিক্ষা চৎনবা যুধিষ্ঠির অর্জুন নকুল সহদেব। উৎসব অমা মাওরকপনা মন্নকপদ্ তুমিৎ ভাবদা থংত্রে মনা খুরুম্নী ভিক্ষা বস্তু থমে, ভীম উদবদা যুধিষ্ঠিরনা ঈনাও মাইথা কনাই চৎলিবগে? হংলি। কুন্তীনা [illegible]

* খ্যাখা—শকট হায়বসি ওথাশিংনা কাং হায়বা ব্যাখ্যা তৌরম্মী। মথ হায়বদু কাং হায়বনী কথবা লোন ওইনা কাং হায়বনী। শকট হায়বসি ঈরোইবা চিংবা গারীসি, গারী হায়বনী।

মহৎ শিন্দুনা বকফি চাকথ চৎহনখি ভন্দা, যুধিষ্ঠিরনা করি ধর্ম্মনো ইমা নচাদু হিংচাবশী চিঙাক ওইরক থাদিবা ইনাও লৈত্রবদি মাংহেদনা ইনাওশী মপান, মৈদগী ঐথোয় হিংজকপশি হায়দুনা কপ্লে। মতৌদু উবদা কুন্তীনা হায় যুধিষ্ঠির ব'ক্সু মনাওশী গুণ ইমানা খংজী, শক্ত শুদ্দা মনাওবু পোকপদা ইমানা মমখৎমুরগা ভময়দুনা থাদবনী। মানা মথোংদ কাওবদা চিংদোন নীংথাইদুনা চিঙ থক থক নীকপনি, মনাওশী পাক্কদ ইমানা খঙি। মরম অদুনা ব্রাহ্মণগী উপকার তৌরগে, দেশ অসিগী অবাবদু কোকহল্লিংদুনা ইমানা থাদ্রবনি। শ্রীকৃষ্ণগ কৃপানি মনাও খোয়দদা মঙল ওইরকনী কৃষ্ণবু নিংকনি, দৈবকী মমাগী বাহৈ অসি ভাবদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই। ইমাগী পুকচেল ফজবা ধর্ম অদুমক্কুনা, ইনাও মঙল ওইরবদগনী হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণবু ধ্যান তৌদুনা লৈনরে। অসোমদা ভীমগী খোল্লাও ভাবদা বক হিংচাবা খোরক্তুনা য়েংবদা, ভীমনা চাম্রিবদু উইদুনা কনাগী পালাংদো য়েংজী। ব্রাহ্মণগী পালিদি ইরগা চে খেজুনা থম্মীবদুনা খংতি। মিতিংগী পাল্লি লিরিবা মীনা বকনা থংমীনবা ইরগা খেজুনা থম্মীবনি। ব্রাহ্মণগা লাইগদি অসুরশিংগী য়েক্কবনি মরম অদুনা মৈতৌবখুম শাওদুনা চিঙগু উপাল অমা কুক্লগা মতোন থুদেকই মরা কোইনতুনা লেংবান্দা হায়গৎলগা চিঙথকগী ভংদুনা চেম্ম্রক্লগা লাওরকই। পাপীগী ব্রাহ্মণ মহাক থক্লগী মজা বংশ ফুম্না হাৎকে থঙগনি। ভীমনা চানা চানা বায় হিংচাবা করিগী শাওরি মংনা চাক অমুক চা ঐবু অমুক চা অনিয়ক খোক্কনবা ঐনা চাবীবনী। ঐবু চাও চাক ইহৌ সম্পেশ স্তুনা থা'রবনী, অদুনা কয়া করিগী শাওরি মূর্খ, ভীমনা চথো'ম চাওন চাওন হুক্লগা বাদ, ভাংবা ভাংনা হিংচাবদা ওলিন্দুনা শুং শুং খোৎলি। মতৌদু উবদা বক মথয়াই চাক্লদুনা চেমশিল্লগা উহাওনা কুথরকই। ভীমনা ওইগী পাখোয়া ভাকপদা উদু মঙাইনা তেজুনা ভাথী। হিংচাবনা উ অমা কুকথি তৈনা ভীম চাথা লোইরগা, চিন থুংশা শোংদোক্লগা চোংখিদুনা উ মুক্লগা বক ভীম য়েনথয়ে। উদু তেকপগা কুকপগা মনগী উজাও ভূম্মে চোংশিনদুনা মল্লযুদ্ধদা নয়দুনা ওয়রকপুলা চিঙখোং বম্মু উকুল ক্রুং ক্রুং হৌয়ে পৃথ্বি নিক্রে। অনিগী হুঙ্কার শব্দদা ফিবনা একচক্রগী মীয়াম মথিৎ ভাবদগী খোং লোয়দুনা মপান খোক্কখিত্রে। মোংয় ই য়ৌরবপদা ভীমনা বক হিংচাবা হাৎলে, বকনা অহিং [illegible] মনাও ভক্ত শুরনা রাক্ষস বিদ্যানা য়েংবদা ভীমগা লাম্বা খেংনরিবদু উবদুনা য়েংদুনা লৈবনী, মন্নাবু ভীমনা হাৎপদু উবদা, তালকর্ণ বকফি মচাদা হায়রকই। তালকর্ণ ভীমনা দাদাবু হাৎলে ঐ ইয়াবগী লমন শিংলুগে ঐনা শোইরবদী নং লাক্লসু কোপ্লুংলি মংনা পালহৌরো। মতম অমদা মপা মতৌমগী লমন শিংলকউ হায়রম্মগা পাতালদগী মায়া মন্ত্রনা পাইরকপদা থুগজা থুংতি। রহ ২ ভীম ভক্তশ্রর লাক্লে ইয়াখা হাৎপগী

* ব্যাখ্যা—বকফি চাক পুরকইবয় ব্যাসগী মূলদা বিংশতি খারি তণ্ডুল হায়, খারি কুনগী চেংনা খোংবা চাকনি মল অহৈমলোমগী চেং ওইগনি।

লমন মমবাই লৌগে থওগনি লাক্তরকই। ভীমনা হায় হিংচাবা নচিং-মনাও মপা-মপু আইন লোইন কৌক হাক্তোরুপা মীচাবা নখোইগী জাদলে পৃথ্বীদা থলমরোই। অদিনু, তেংশিরখিনুবা লম্বা লেংকখিবনু, মোংরাই মতুং মুমতী ককনা ভীমনা হাংলে। ভীম উহাক য়েংবদা হিংচাবা লাক্লদুবা মত্রুক মম লোক্লগা মালবনা লেংলা কানবা ঐ ভামদা ভাইশিন্নুবা চৈনা কোক্লে। উক্লখোক্লগা মুলে চক্কক্লুন বক পাল অকুবী, পা কম্মে মনাও অহুম মত্রাদা খুরুমজবে মুক্তাইনদুন, লাকী পুই শম দ্রুত বিংকী নুরী অমি অমুক্ত উচন-গুমবী পুক্লি চংনা ভাকবদা ধর্ম্ম অর্থ কাম মোক্ষ চতুর্ব্বর্গ লেংবা বয়স ,ব্যাস বাক্যনি, ব্যাস বাক্যদি সোইকত্তব লাইনা কাম্বকুপ্তনি ইতি॥ হরবে দ শব্বোল॥

অধ্যায়

একচক্র নগরদ ঘটোৎকচ নিংথৌ শেম্মগম্ম
পাণ্ডব পঞ্চালদা লক্ষ্য স্বয়ম্বরগী মাক্সা
ভৌরকপগী বারী মতাং

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহারাজ জন্মেজয় মথা অমুক শিনবুগে। মোং কুন্তকুবা শিং চনবা কাপু বম অচৌদা লাক্লবদা, বক অস্তাসুর মচিন-মনাও শিমবু লেংলকবদা কেমরকুবা পাও তম্মবে; বক অস্তাসুর শিরে কাবদা গ্রামকী মীয়াম চেমকই য়েংনী সোইদ্রে কমদোবা শিবনো পাশিবা বত্তচুশি হায়রকচুনা। মীয়াম লাকুবা ব্রাহ্মণগী অমা মীয়াম পুরুবে, ব্রাহ্মণ হৌদোক্লগা বন্তনি; ধর্ম্মদেবনা হায়রকই ভরাং ঐনী ইহৎ শিন্দুনা অতিথী অমা বাইকদা লেংবিথি। বত্তগে হায়রগা চত্তকুনা ইমা বৈকবী কৌপৎপেয়্ং হৌদোকচৈ, কুন্তীনা ইচাদা কৌপৎলো মীয়াম ভিলে। মোংতারুমদাইদ ভুবনা মীকপ লেংকলমদবা পাণ্ডব মমাগী থোনকম ভাবদা নিকপ থোক্তুনা হৌপৎলক্লে। প্রাতক্রিয়া স্নান লোইরগা মীয়ামনী মকমদা চত্তকই আনম কম্মে, ধর্ম্মদেবনা হংজবদা ভীমনা হায়রকই। ঠাকুর বকাসুর, অস্তাসুর মচিন মনাও ভরাং কুনিকাং ঐনা হাৎলবনি দেশগী অরাবা কোক্লগনি। ভীমনী বাহার অমদা মীয়াম ভীমবু লাইগুম্মা থম্মুনা খুরুমজবগা চারকই। ঐখোইনী নৈপাকাসগী নিংথৌ ওইবীমু হায়রে, ভীমনা হায় মখোয়গী নিংথৌ পাত্রা? অত্তা ঐখোইগী একচক্র নগরগী সাদন পুরিবা নিংথৌদি ত্রিপুরদা পাশিবা বেত্রকি রাজানী। মালা পাংবদগী হিংচাবা কিহুনা ইমা লেংবিমকম্বিজে,

মহুম অসিনা মক হিংচাবগী মথা পোল্লুনা লৈরকপা মতম কুইরক্নে। তীমনা অদু ওইরবদি ধর্ম্মদেব ব্রাহ্মণগী মপান্নগী লৈপাক অসিগী মথা কোকপনি ধর্ম্মদেবনু নিংথৌ ওইহনবনি। তীমগী মাহাম্ম তাথবা ব্রাহ্মণ মামা অজা কৈবুংতো ঐনা নিংথৌ ওইদুনা লৈপাক চাকপা ওমজরোই। চানবীদুনা অজা ৫ হৈমা নৈকবীগা খরবীরগা লৈপাক অসিগী রাজ্য তুপ লৌবীরু।

তীমনা মায় অদু ওইরবদি লৈপাক অসিগী মতিক চাবা নিংথৌ লেপ্পবগে। ঐখোয়দি তীর্থবাসী ব্রাহ্মণনি লৈবাকী কমমবা লেপ্লগা অমুক তীর্থ চৎলুদিগে। তৌতিক্তি মরাম মমরো হায়দুনা বিদায় তৌমরগা মীয়াম হন্নবরে। যুধিষ্ঠির অদুগী মোংম থৌখৎবা অমুক অদমবদা তীর্থ কোইরকপা সুদেব কৌবা ব্রাহ্মণ অমা তীর্থবাসী ব্রাহ্মণ লৈ মায়বা তারকখ্রবা পণ্ডবদি লৈকদা লৈখ্রে। পাণ্ডবনা ব্রাহ্মণবু ভক্তিগা লোইনবা ব্রহ্মভোজন পেবা কৌদি পাণ্ডবকী ভক্তিদা পেল্লদুনা মোংমা পল্লুনা লৈরে। পাণ্ডব মতামা হংজে গুরুদেবনা তীর্থ কোইরকইবা চহি কয়া তাবিরবগে? ঐখোইদি মতম খরা তাগাসিদা পল্লুনা লৈবগী লেংঙ্গী অ-পাও তাওবা হংজরে। গুরুদেবনা তারকপা পাও তাকপীবগু ঐখোয় তাজবোগে। সুদেবনা হায়রকই ইবুংঙো মহারাজ ঐনা তীর্থ কোইরকপসি চহি ১২ শুরে। অহানবা হৌরকপদা হস্তিনাদা অন্ধরাজানা মচা দুর্য্যোধনগা তাদুনা বারনবর্ত্ত গ্রামদা জতু গৃহ সারগা লৈহনুমা পাণ্ডব মমা মচা ৬ নৈ থাদুনা হাৎখি মমা মচা শিখে হায়বা অসম তারকপী। হন্দক্তা পঞ্চালগী পঞ্চ তীর্থ স্নান তৌরুবদা উরকপা অমনা দ্রোন হাৎনবা যজ্ঞ তৌবদা মচানুপা অমা নুপী অমগা অযোনি সম্ভব ওইনা কগুডি হায়। মচানুপী অদুগী লক্ষ্য স্বয়ম্বরগী মাওব চাপন শাংতোর, অদুমা পৃথিবীগী নিংথৌমা মনুনা ব্রাহ্মণ ক্ষেত্রি বৈশ্য শূদ্র লোইনা মাওনি লায়। রাজকমু তাবদা অমুক হায়জরকই, গুরুদেব পঞ্চাল নিংথৌনা দ্রোন ব্রাহ্মণ হাৎনবা যজ্ঞগী করিগী তৌরিবনো। সুদেবনা মায় ইবুংঙো মহারাজ স্বয়ম্বরগী দ্রোনগা দ্রুপদগা করুপ শারখিমাক্নে দ্রোন খর লওদুনা। মোংমা মরবাবদা চাংখত্রবা যগবী অমত্তা পিনু ইবাও কায়রুবদা দ্রুপদনা থিনা কায়রকপদগী। দ্রোন হস্তিনাদা লাক্লগা চাম মতা খুৎলাই তম্বীরগা দ্রুপদবু দক্ষিণ ওইনা কৎলু হায়বদা। কৌরব, পাণ্ডব ১০৫ পঞ্চালদা লাল চৎতুনা দ্রুপদগা পায়দা ১০০ চু চেন্নবদা ৫ মী অর্জ্জুনা দ্রুপদ জয় তৌদুনা পুরকলে। দ্রোনগী খোঙ্গালগী দুর্য্যোধনা দ্রুপদবু পুল্লগা চিংশিনখিদুনা দ্রোনগী খোংদা লংশিল্লি। দ্রোনা দ্রুপদবু থাদোক্লগা হায়মাক্নে, ইত্তাও নাংগুম্না মরুপ মেংবা মী নত্তে। ঐদি ব্রাহ্মণনি মরুপকি মান চাক্তুনা ইপাওগী লৈবাক কল্লগে; পঞ্চাল লৈপাক্তু ঐগী ওইরবনি। তৌতিক্তি অদুবু নকাকুনা কজবদি তৌবোই। অদুম কায়রবদা পান্ধু চহিগী থাজনা কাবকপড়, তংথাই অমনা ঐহোন্না কাবকউ। হ মনরগা মায়দুনা থাদোকখিবদা দ্রুপদনা দ্রোন হাৎপা মশা ইচা নিপা ১ গা, ইচানুপী ১ গা পোক্লগা তুপীদুনা অর্জ্জুনা থাজরগে। দুর্য্যোধন মুৎহনবা রাণক্তুনা যজ্ঞ উপায় জগা তাদুনা, যজ্ঞ তৌবগী

কংবা মচানিপাক্সুনা ধৃষ্টদ্যুম্ন কৌই। মুপাক্সুনা দ্রৌপদী কৌই, অদুগী লক্ষ্য স্বয়ম্বরনি মখোয়গী তীর্থবাসীনা মকম অমদা চহি অমদগী হেন্না পলহৈদে, পঞ্চাল য়োংরো। কুন্তীনা য়েংবা দক্ষিণাগী চাওনা কংগনি, ইপাগী শোমগী তীর্থশিংসি মুনা স্নান তৌরকখিগে। ঐগী স্বয়ম্বর য়েংঙনী নখোয় নখা য়াওবী হায়া চৎলম্মো, স্বয়ম্বর মকমদা ইপা ইচা ঐখোয় অমুক উনগনী। ব্যাসী হায়রগা বিদায় তৌনরে, পাণ্ডব মুনি খুরুমজদুনা লৈহোরে, সুদেব ব্রাহ্মণ লেংখে। পাণ্ডব ৫ মু পঞ্চালগী পাও তাবদা চংনিংলগা ব্যাসনা হায়রম্বগী চাইদুনা লৈনরে।

মতাং অসি য়োরকপদা বারী তাবিবা জন্মেজয়না হায়রকই, মহামুনি মতাং অসিদা ননাইনা চিংনবা অমা য়াওরে হংজখিগে। পঞ্চাল নিংথৌনা যজ্ঞদা কডথীবা দ্রৌপদী ইবেক্লোহুদি! অর্জুন ইবুঙোদা দান তৌরগা ইমাক ওইগে হায়না সঙ্কল্প তৌখ্‌বা। দ্রুপদনা লক্ষ্য স্বয়ম্বর তৌগদৌরিবা অদুবু, কনাগী পাণ্ডবশিংবো অমুক্তা তাকপীরমখো। বৈশম্পায়ননা হায়রকই মহারাজা, দ্রুপদনা যজ্ঞদা মচা কডবা চহি ২ শুরকপদা বারনাবর্ত্ত কোনুং মৈ চাক্লুনা পাণ্ডব শিখে হায়বা তারে। অদুবু দ্রুপদনা লাইগী আকাশবানী শোইরোই পাণ্ডব য়েরবা কিদুনা লোৎখিবা ওইরমগনি খন্দুনা দুত থারগা চহি ১২ চুপ্পা থিহনবদা পাণ্ডব ফংখিদ্রে। দ্রুপদ অরাবা ওইদুনা দরবার সভাদা ফমথী। দ্রুপদগী অরাবা সবু শ্রীব্যাসদেবনা উরদুনা, মতম চারে শিনবীরুরগে খনবদগী শক্ত্যাবেশ ব্যাস লেংজুনা সভাদা খুংলরে। ব্যাসবু দ্রুপদনা মখুংমক্তা আসন থারগা দণ্ডবত ভাক্ত কচ্চরে, পুজা লাংও সন্দেশ সেবা তৌই। শ্রীব্যাসনা আশীর্ব্বাদ তৌরগা হায়রকই, মহারাজ আসন্দা ফম্মো বারী শরাস। দ্রুপদ আসনদা ফমজরে সভা মীয়ামা মুনিবু খুরুমজে, ব্যাসনা মীয়মবু মঙল পীরগা দ্রুপদদা য়া হায়রকই। মহারাজা মাইথোং লাংশিনবা পুক্নিং মুংঙাইজবগী মথং ওইনা উই, নিংবা-খুদবা করি লৈরবগে? দ্রুপদনা হায়রকই মুনিদেব, ঐনা পাণ্ডবকী অর্জুনবু ইমাক ওইজনিংবদগী, রাশক্লুনা যজ্ঞ কৎপদা ফংজবা ইচা কন্যানি। লাইনম্না শোইদনা অর্জুনবু ইমাক ওইরনি হায়না আকাশবানী তৌবীরকখি। অদুবু পাণ্ডবশিং য়েরুবনা মতুম মৈ থাদুনা শিগ্রে হায়না খডনরে। করিগুম্বা য়েরবা কিদুনা লোৎখিবা ওইরমগদ্রা খন্দুনা ঐনা দুত থাদুনা পাণ্ডবশু থিবদা ফংদ্রে, চহি ১২ থিবদা ফংদ্রবা পাণ্ডব শিখিবা শোইদ্রবোইরে। ক্ষেত্রি মচাগী রাশক কাইবগী পিতৃলোক ইমাকথক্তা নরক তারগনি খনবদা অরাবগী ঈপাক্তা তাওরে মুনি। শ্রীব্যাসনা হায়রকই পঞ্চাল নিংথৌ, পাণ্ডবশিং শিরোই, পৃথিবীদা ৫ মী শ্মশান লৈতে। লাই ৫ মী শক্তিনা পোক্লবনি। পাণ্ডব চহি ১২ অসি শনির দৃষ্টি লেপ্পবা, তপস্বীগী মত ওইনা লৈরুবনা থিবনদি থংডরোই। পাণ্ডবপু নমাক ওইনা ফংগে হায়রবদি, লনথর তিংঙো লক্ষ্য স্বয়ম্বর লিংখৎলু; ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শূদ্র চারি বর্ণ বার্ত্তা তৌ। লক্ষ্যদু পৃথিবীগী নিংথৌ মচানা ককপা ঙমলোইদবা পাণ্ডবকী অর্জুনতনা ককপা ঙমগদবা লক্ষ্যদু ব্যাস ঐ শেমগে। ক্ষেত্রি নিংথৌশিংনা শিজি হাক্লা

কুরুক্ষেত্রইবা, মিরুং তেক্লোং কোয়না মহাদেব প্রভুদগী ঐ নিচুম পোক্লগে, মহারাজনা অকোমা মা হায়রে। ব্যাসনা য়াথং অমদা দ্রুপদ আহানবী কুমথরে, পুংতা থাংথাং পাম্বরগা লাক্লকই। মুনিদেব তাকপীদ্রিবদু চামবীদুনা, মোইনদা পাংখোকপীরো মহাক হাকচংবগে।

পাণ্ডবপু মংগলবা নৈরবদি ইমুক মিংমরমক, লক্ষ্য স্বয়ম্বর তৌরগে লক্ষ্য কপা চতা মিপাবা ইচানুপী দ্রৌপদী দান কৎলগে। সত্যম শাক্তি থাস কেক লোইবদা, পুমিৎ থা পৃথ্বী আকাশদা লৈরিমথে, দ্রুপদ ঐহাক নরক তাদুগে হায়রগা থাং চিংদুনা হাশক্লে। ব্যাস মুনিনা মহারাজা ঐ য়োরগে, মিরুং তেক্লোং লোকুরগা লক্ষ্য ঐনা কেন্নগনী; মোমনী থোরাং তৌমরো। ব্যাস মিদার তৌমরগা যোগ শক্তিনা মিকুপ থরনী মদুংদা, কৈলাশ শিবনী সভাদা থুংলুনা মর গৌরীগী চরণদা ভক্তি স্তুতি তৌখি। দুর্গা শিবনা আশীর্বাদ তৌবীরগা কাম হায়রিংবা নৈদুনা য়োরকপনো হংবিরক। ব্যাসনা চহৈজ প্রভু দ্রৌপদীগী লক্ষ্য স্বয়ম্বরগী মিরুং তেক্লোং পিরবীয়ু মিজবা লাকচবনী হায়খি। ব্যাসগী থাকাম তরবদা মহাশিবনা, শ্রীকৃষ্ণনী মিনা থপুং কারবা ওইবা মরমনী। ক্ষত্রিশিংনা মিরি হপ্পা ভম্মে ইবা মিরুং ১ য়েংদুনা, তেক্লোং তেম ৫ হায়্যা ১ গা ব্যাসদা পিরে। ব্যাস মুনিনা মর গৌরী খুরুম্লগা, মিরুং তেক্লোং পুরগা যোগ শক্তিনা আবির্ভূত ওইনা লাকলা দ্রুপদগী সভাদা থুংলরে। দ্রুপদনা ব্যাসবু খুরুমজদুনা পূজা কচ্চরগা লক্ষ নির্মান তৌবিয়ু হায়রে। মুনিনা মিরুং তেক্লোং শিন্নরগা, পঞ্চাল মিংথোবা লোইননা রজস্থলদা থোক্লে। শাবু গ্রাউন্দগী মথাইদা লক্ষ্য নির্মান তৌরিবসি, থাইনা তৌমরিবনা য়োংকী মুখী মুংওগা লেপ্পা লক্ষ্য ভাক্লি। মমকী ব্যাসনা সেম্বীবা লক্ষ্য অসিদি মুখী মুংদে, অজিয়াদা ক্রোশ ৫ রাংনা ''সুবর্ণ মৎস'' থম্বীবনা মা অহিংবা মচু মানবা মাঙৎ ২না ইন্দ্রনিলমনিগা চপ মান্নবা ভানবা মচুনা পামি। মওংনা রৌপ্য মশক মানবা ছানী, ক্রোস ২॥০ অনিমখাই মথুরগা, মথাইদা তেম ১ লিংগা য়াবা মখুল কোয়ল্লগা, থাগা চক্র অমা ভাকুনী মতুক মপা চানা নৈদনুবা থম্মী। হায়রিব লক্ষ্য অসি ব্যাসনা মন্ত্রগী শক্তিনা লেংদনা, শেমদুনা থম্মে। অদুগা ব্যাসনা মপা অসিদা পাত্র শেম্নগা ঈশিং হাপ্লগা থম্মু, ঈশিংদুদা য়েংবদা মাথা চক্রদু উপনি ভাক্লগা ব্যাস মুনি হনখি।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ! দ্রুপদনা মথং অমদং লক্ষ্য চংনা স্বয়ম্বরগী সভা থাওব, লৈকম চাকম লেপ্পা শাবা থোরাং লোকরগা পৃথ্বীগী নিংথৌ থাজিন তৌরে, আশ্রম খুদিংগী ব্রাহ্মণ মুনি ঋষি, মতিকচানা সেবা দান কচ্চগনি, স্বয়ম্বরগী ফুঙ্গা য়াওবীয়ু হায়না মিখল্লগ তৌই, অমসুং ধনুর্বিদ্যা মতিকচানা নৈরবদি, ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্র, বৈশ্য, শূদ্র, চারিবর্ণ লাকপিয়ু। মধু পূর্ণিমাদা যজ্ঞসেনী ইচা কন্যাগী, লক্ষ্য স্বয়ম্বর তৌজগনি পত্রনা মিখল্লগ কচ্চনি হায়না পৃথ্বী শিনবা থুংনা পত্র থারে। পঞ্চাল নিংথৌনা মচা দ্রৌপদীগী লক্ষ্য স্বয়ম্বরগী উত্তোম অসি, মাংদম থেকথিজি তুংদম ওইরক্লোই। মুনিনা হায় জন্মেজয় শ্রীকৃষ্ণগী

মিনা থৱবা, ব্যাস মুনি, মতম চারে থংলুনা মহর্ষিক শ্রম্বদগী যোগ শক্তিনা ফাকপদা। পাণ্ডবকী মকমদ মুদেব চংশিনবগী মোংঙাম্লকপগী অযুক্তা থংজরে। কুন্তী, মচা মপাগা ব্যাসকী চরণদা খুরুমজরে, আসন থাই খোঙ লেংলি পাদদোক লৌজে, পূজা কৌলে। ব্যাসনা থার কুন্তী অ'মরম্ব মখোয়গী থোয়বা লোইরক্লে, অকবা মতম লাক্লগনি। মচা ৫ গা পঞ্চাল মোরদা মাঙ্গা তৌরো, যুধিষ্ঠির দ্রৌপদীগী লক্ষ্যস্বয়ম্বর তৌরি হন্নকী লক্ষ্যসি মনাও অর্জুননা কল্লগা ফাবাগানা লেংইমনা কংগনি। মখোয় পঞ্চাল মোরবা যাত্রা তৌরো পরম্বু, মখোইনা পঞ্চাল মোরকপদা ঐ লাক্কে অহুদা উবনি, হায়রম্মগা ব্যাস আবির্ভূত ওইনা লেঙল্লে। যুধিষ্ঠিরনা ধর্মদেব ব্রাহ্মণদা চঙক্লনা হায়রকই, ঠাকুর ঐখোইদি তীর্থ কোইবনি মকম অমদা চহি ১ দগী হেন্না পনবা হৌরদে। ব্রাহ্মণবু ঐখোয়না মুংশিবদগী কুইনা পল্লুনা লৈবনি, অমুক তীর্থ স্নান চৎলগে। ঙসি একচক্র নগরগী প্রজা শাংকেল তৌরো ঐখোয়না দেশসিগী সাশন পুনবা নিংথৌ লেপ্পগে। ধর্মরাজাগী হায়বসি তাবদা ব্রাহ্মণা পাও পিরগা, শগোলনা পাও চেন্নুনা প্রজা মীয়ামনা মুংশিলগী মতমদ ব্রাহ্মণগী জাগাদা, একচক্র নগরগী মীয়াম পুল্লরে। মতম অহুদা ধর্মরাজগী থাথং মতুংইন্না, ভীমনা ঘটোৎকচবু কৌই। মপানা কৌরগা থুথক অহুদা ঘটোৎকচ লংজল্লনা মবেক্লো, মপল, মপা, মচোন, খুরুমজৈ। করি তাকপীগদবা লৈবগে হজৎচৈ যুধিষ্ঠিরনা হায়, প্রাণপুত্র ইচাবু ইপম্না নিংথৌ লেমনিংঙনা কৌবনি। একচক্র নগরসি বক রাক্ষসগী চাকথা কল্লুনা লৈরবা মকম্বি! নঙগী পিতানা ব্রাহ্মণগী মহুৎ শিন্নুনা চৎলগা বক রাক্ষস, মনাও কম্ভ'পুরগা হাৎলে। প্রজানা লৈপাক ঙাকপীবু হায়রি, ইচাবু লৈপাক অসিগী নিংথৌ পদবী লেপ্পগে কৌবনি। ব্রাহ্মণগী জাগাদা প্রজা তিন্নিবা মকমদা থোক্লসি, অদুগা ঐখোয়গী পরিচয়দা হৌজিক খংহনবা য়াম্রি। ঘটোৎকচনা কনি পাবুংহনগী থাথং ঙাকচগে, ভীমনা অঙাংচৌবা থোক্ল'স নঙগী শককমত, হায়নবা থাগৎনগসু মীয়াম্না চিংনখিনি। কনি হায়দুনা কঞ্জবা শককম ওইখে। পাণ্ডব মচা মচাগা মীয়াম তিন্নিবা মকমদা চংঙক্লে। সভা মীয়াম পাণ্ডবপু খুরুম্মী, ঘটোৎকচসু চংঙক্লুনা সভাবু খুরুম্মী। আসন থাহুনা পিতা পুত্র ৬ সু ফম্মে, ঘটোৎকচগী মীওইসু উবদা মিংকম হোংদনা য়েংলৈ। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই প্রজা পুম্নমক, পুরুষ রত্ন অসি ঐখোয়গী ইচা সেবকনি, দেশ অসিগী নিংথৌ হাপ্পনবা ঐখোয়না কৌবনি। হৌজিক মাদি হিরম্বরাক্ষসদু হাৎলগা, হিরম্ব দেশবু সাশন পুহুনা লৈবনি, চন্দ্রবংশগী ভীমনা পোকপনি প্রজানা করি খনবগে? ঘটোৎকচগী গুণ উবদা হরাওনা প্রজা মীয়াম্না, ওসিদগী নিংথৌ ওইবিহুনা একচক্র নগরগী, রাজ্যভুগ লৌবীরো হায়দুনা ঘটোৎকচবু খুরুমজরে। যুধিষ্ঠিরনা ঘটোৎকচবু তীর্থগী জলনা অভিষেক তৌরগা লৈ পুরেং হকতুনা নিংথৌ হাপ্লে।

* ঘটোৎকচনা প্রজা বিদায় তৌয়ে ওসিদি ঐ মহন্খিগে, হয়েং খোয়দনা হোংগক্লগে হায়না প্রজা বিদায় তৌনরে। পাণ্ডব মহাপু ধর্ম্মদেব ব্রাহ্মণ প্রজা মীয়াম বিদায় তৌরে, ওসিদগী ঐখোয়মু তীর্থ যাত্রা অমুক তৌগ্নগে। ব্রাহ্মণগা প্রজাগনা সন্দেশ সেবা লাংগগা চাখিন থকখিরুনা হুংগাইনরে। মীয়াম পুম্নমক কুন্তী পাণ্ডব ঘটোৎকচ খুরুমজরগা হন্থরে। যুধিষ্ঠিরনা ঘটোৎকচদা চিক্লা তাকই, প্রাণপুত্র হুরাং শ্রীগুরু ব্যাস লেংগকতুনা তাকপীরম্মী। পঞ্চাল লৈপাকী দ্রুপদ নিংথৌনা মচা যজ্ঞশ্রেনী কন্যাগী লক্ষ্য স্বয়ম্বর তৌরি, লক্ষ্যতু অর্জ্জুনতনা ককপা ওয়গনি মংনবা চৎলো হায়বীয়ম্মে। মরম অসিনা ঐখোয়দি ওসিমক যাত্রা তৌথগে, মবাগা ইচাগা লৈপাক অসিদা মঙ্গল ওইদুনা পাম্ম্। হয়েং ঐখোয়না কোংদোকপা য়ারকপদা, ইচাবু কৌয়কে মবাগা ইচাগনা ঐখোয়গী খুৎপু খুদাই পুয়গা লাকউ। মগম লৈবখিবক্তা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ কাওগমু, হায়রগা মচাবু চেৎনা কোল্লগা বিদায় পিরে। ঘটোৎকচ খুরুমজরগা হজখরে, পাণ্ডব মবাগা খৌরাং লোইশিন্নুনা ব্রাহ্মণ. ব্রাহ্মণী প্রেম বিদায় তৌনরগা পুখিদাং-য়াইরমদা শ্রীকৃষ্ণবু স্মরণ তৌরগা যাত্রা তৌদুনা লাকই। আদিপর্ব্ব মহাভারতকি বারী অসি অমৃতগী ইচেলগুম্বনি, মীওইবনা পুক্লিং চংনা তাবদি অয়োইবা মঙমদা জীবনা যমগী যাতনাবু লাইনা লাংথোকই হায়গদস শ্রীব্যাসনা হায়রম্মবনি। ইতি॥ হরিবোল হরিবোল ॥

---

* ব্যাখ্যা—ঘটোৎকচসি হকচাংগী কুচু [বর্ণ] চফু নৈয়ক্তবগী মচুনি। কৈংজগী খোং কাওবনা মুনা শংবানৈ, খৌরীদগী মাই কাওনা কুমকুম চন্দনগী মচুগুম্মী চিমবানপা য়াং-লেনগনা কোরি মচুনি, মাকোং অদিনা ওাংনৈনবা মচুনি। শ্রীব্যাসনা [কাচা ঘট] চফু নৈ ইক্তবগী মচুনা মপুংনি হায়দুনা মাগী মমিংবু ঘটোৎকচ থোনবনি। অদুবু ভীমনা ইচাবু চফু নৈ ইক্তবা কৌবদি পুংভাইতে (পঞ্চবর্ণ যুক্ত) ইচাদি মচু মচা গুই। মরম অসিনা পঞ্চরত্ন কৌপনি হায়দুনা খোল্লি অদুবু কনানসু কৌদ্রদ, ব্যাসনা থোনবা ঘটোৎকচ হায়বা মমিং অসিনা জগৎ শিনথুংনা কাওখি। একচক্র নগর অসি একচক্র কৌরম্বদুনা ঘটোৎকচনা পানবদগী কচ শব্দদগী লোদুনা কচাবু দেশ হায়না কৌনখি। কচার শব্দদগী কুইরকলগা উচ্চারণ হোংদোক-খিদুনা কাছার তাখিবনি। হোংজকী মতম কাওবা কছারিনে, ত্রিপুরীনে মখোয়সি লোল মাগ্নে। জাতিদি বৈশ্য, শূদ্র নত্তে, থাক য়াংবা জাতিনী। চন্দ্রবংশগা দৈত্যবংশগা পুন্না লৈমিন্নখিবা প্রজানি। মরম অদুনা কছারি জাতি অশেংবনে, ত্রিপুরি অশেংবনে। মখোয় অসিগী মাতৃভাষ-দদি চপ মাগ্নে। মঙমগী খেন্নবমু জাতি অনিসি অমাসবা মাগ্নে ইতি

অধ্যায়

পাণ্ডবনা পঞ্চাল য়ৌগে লাকপদা অঙ্গারপর্ণ গন্ধর্ব্বগা উনবা, ধৌম্য ব্রাহ্মণবু কুলাচার্য্য ওইরিবাগী বার্তা মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জনমেজয়, মখাগী ৱারী লিরগে পুক্নিং চংনা তাবো। একচক্র নগরদা ঘটোৎকচ হোংজগনা নিংখৌ ওইরগা পাম্লিবদু, থেত্রকী নিংথৌশু ঘটোৎকচগী মখা পোল্লে। হিরম্ব দেশ কাওবা অসি ঘটোৎকচগী শাসন মখাদা লৈখী। কত্তবা হিংচাবা জাত্তী ওৎলখা অদু, ঘটোৎকচগী পাল্লনা অয় ভোঠুনা মীচাবা তোকহনখি। কৌজিক পাণ্ডবকী ৱারী অমুক লিররগে, অহিং সুংথিল পোথাদনা পঞ্চাল য়ৌনিংবনা লাকপদা অহিং ওইররুপা অর্জ্জুনা (ডিউটি) মৈরা পাইরগা, মাংথাঠুনা লম্বী চিংঙগা অর:পাংনা লাকপসিনা জাহ্নবী খোবাঙ্গা তাররে, জাহ্নবী তীর্থগী ঈরেন্দা অঙ্গারপর্ণ গন্ধর্ব্বদু, কুম্ভনসী কৌবী খ্বাইগী নুচিংবী নুপীচুপা গন্ধর্বীনী জগোইশাবী মরাকগা, (জলক্রিয়া) ঈশিংদা ইরোইদুনা শান্নরি। গন্ধর্ব্বসি অহিংদদি মাবু ওন্বীনবা লৈতবা বিদ্যা শক্তি অমা তৈ অদুনা অহিংদদি মনিং তম্মী, মরম অদুনা মাবু লাইনা, মীনা, নিশাপতি কৌবে। মৈরা পাইবা অর্জ্জুনা মাং থাদুনা লাকইবদু উবদা, নুপী মরক্তা মরাইকাবা মত্তম ওইবগা, ঐবু উশিত্তে, হাৎকে মখোইসি য়েংঙ্ হায়রম্মী। রথ তোংলগা লিক্লং পায়দুনা তেন্দোং পোখৎলে, থাং চুদোই য়ানসিন্না লাকইবা পাণ্ডবকী মাইঁকৈদা তেন কাপলে। মতৌদু উবদা অর্জ্জুন মমাগা মরাম্বা, মনাও, খংহন্দনা ধ্রোন গুরুনা মতোত্তদা তম্বিখ বা; ব্যাপক মন্ত্রগী শুমা মশাক্ত উহন্দবা শুমতিরাদগী নির্পণ তৌরগা থাবা খুৎলাইনা গন্ধর্ব্বগী তেন্দু কতুনা ২ থাদরগা পন্দনা চংঙকই। গন্ধর্ব্ব মানা কাপ্পা তেন্দু অরেম্বদা মাংহল্লবা অদুকাও, রাখল লৈতনা খুৎ লেপ্পুনা কাপ্নীবদু উবদা শাউদুনা অর্জ্জুনা
* শতাগ্নি কৌবা খুৎলাই থাবদা, বোলাইগা কোম্ননা কাপথাইবদা অসিবগুম রাম্বদুনা পৃথীদা

---

* শতাগ্নি হায়বা খুৎলাইদি শত হস্তেতী অমা থাবদা য়েক্লবা চামা কোরবা ওবা খুৎলাইনি। বিজ্ঞানগী অর্থদা হায়রগা অজু মখোয়'স সাইন্তিস অকাওবনি। ব্রাহ্মণ শাঠুনা খুৎলায় পায়দনা চৎপনি ক্ষেত্রি অচানি খুৎলাই থানিংদুনা মীনা খংতোইদবা হেন থ্রেৎ থাংদা লোইননা চৎপনি। অদুনা হাৎ বক্ক লংদুনা কাপথাইবনি হায়না অর্থ লৌবদু য়াই। ব্যাসগী মূলদনা বৃহস্পতিনা ভরদ্বাজদা তম্বী ভরদ্বাজনা দ্রোনদা তম্বী; দ্রোনা অর্জ্জুনদা তম্বী মন্ত্রগী শক্তিনা ওইবা মৈগী খুৎলাইদি বিদ্যাদুগী শক্তিনা রথ কাপথাইদুনা চাকথেকই মৈগী শক্তিনি অসিদি। ইতি॥

তাখরে। অর্জ্জুননা চেনসিন্নজুনা অঙ্গারপর্ণদু, মশান পাম্বরগা ধর্ম্মরাজগী মাং তম্না চিংদুনা পুখে। মতৌদু উবদা কুম্ভনসীদু পাখতুনা যুধিষ্ঠিরগী মাঙদা চেনশিনখিদুনা মনাও ইবুংঙোগী মখুত্তগী, গন্ধর্ব্ব রাজগী প্রাণ কনবিয়ু হায়জখি। অর্জ্জুননা চিংঙকইবদু ধর্ম্মরাজনা প্রাণ কন্নু হায়, মাং য়োরমদাইদা গন্ধর্ব্বনা জ্ঞান লাকুনা! হে-তপত্য ঐগী থরাইদদি কনবীয়ু হায়বসি ও লক হন্না হায়রকই। অর্জ্জুননা মশান পায়বদু খাদোক্লগা হে-গন্ধর্ব্ব নংনা ঐবু তাপত্য ও লক হন্না হায়বদি। তপ অতি তাপত্য, তপ তৌবদা কনবা হায়বনি, ঐদি তপ তৌবনু মত্তে অদু হায়রগা হয়াওদুনা থরাই কনখীনবা হায়রিবরা? গন্ধর্ব্বনা হে পাণ্ডব নখিং অর্জ্জুন কৌই হায়বনু ঐ খংজী, তাপত্য হায়বদি তপতী হোইতে উৎপতি। তপতী সূর্য্য কন্যানা পোকপা খারাদা পোকপনি। মরম অদুদগী ঐনা তাপত্য কৌবনি। অহিংদদি ঐবু ঙথীনবা জগত্তা লৈতে, অদুনা ঐবু নিশাপতি হায়না কৌনৈ, ঐনা শায়রিত্তৈ অহিংদদি; লাই হিংচাবা, যক্ষ, রক্ষ কাওবা চংঙত্তে। অদুনা ঐনা শাওদুনা থুংলাই কাপ্পনি, অদুবু নখোয়না কৃষ্ণ ভক্তি লৈবা যাত্রাগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণবু নিংশিংলগা মাম শোন্দুনা লাকপনা নখোয়গী মকমদা ঐনা ভসি মাইখিবা কংবনি। অর্জ্জুননা অঙ্গারপর্ণদা হায় হিমালয়নে, সমুদ্রনে, গঙ্গানে, পিতৃলোকী বৈতরনীনে অসিদি অহিং পুংখিল চৎপদা থিংগদবা কনা অমত্তগী, অধিকার লৈতে হায়বসি খংঙু। অদুগা হৌজিক হায়খিবা তপতীগী বারীদু লিয়ু চুপ্পবাদি য়ানী চুমত্রবদি ৱারোই। অর্জ্জুনগী বাহৈ তাবদা অঙ্গারপর্ণমা, হে কৃষ্ণদাস পাণ্ডব! ঐ লিয়গে তাবীয়ু, চন্দ্রবংশগী অজাংচুগী মচা সম্বরন নিংথৌনা মোংমা মতোমদা শগোল তোংলগা মৃগয়া চৎলি, শজি অমত্তা থেংনত্রি চিঙ অমা য়োরকপদা তোংঙকইবা শগোলদুনু বামনখিবদগী তুদুনা শিরে। সম্বরন চিঙথকলোমদা য়েংঙবদা ফজরবী কন্যা অমা লৈ হেকই অদু উরে, সম্বরন কন্যাদুগী মনাক্তা চংলক্লগা হায়রকই। হে কন্যা! নহাকপু দেব কন্যারা, গন্ধর্ব্বী, কিন্নরী, নাগিণী, যক্ষীনী, অযোনী মস্তবারা পরিচয় তাকউ, ঐ হস্তিনাগী সম্বরন নিংথৌনি, ঐগী পাটেশ্বরী ওইবীরো। সম্বরনগী রাহৈ মিৎয়েংদু উবদা মাংথোকখিদুনা উখিদরে। ফজরবী কন্যাদুনা ব ঙাংঙমদনা মাংথোকাখবতদা, নিংথৌ প্রেমনা ভাওদুনা বাহুথরে। সম্বরনগী মতৌদু উবদা আত্মাদা লেপ্পগা, মশক উকন্নি মহারাজ ঐগী পরিচয় তাকে, শুমিংকী মচানুপীনি কমিংনা তপতী কৌই। ঐবু কঙ্গে থম্নবাদি সূর্য্যদেববু অরাধম তৌ, ইপাগী থৌজাল লৈরবদি ঐবু কাবা য়াগনি, হ য়রম্মন দেববন্যা সূর্য্যলোক য়ৌখি।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয়, গন্ধর্ব্বনা নবুথৌ ৫ গী মকমদা হায়খি, হে পাণ্ডব সম্বরন কন্যা কংগে হায়বগী মরৈবাক্তা হন্দনা চাত্রে, থকত্রে, পুখিংপু নিংদুনা অদুম লৈখে। নিংথৌনা হলক্লবা হৃদিং ১২ নি শুরবদা, পাত্র মন্ত্রিশিংনা খিরকপদা থেংনরে। হংগৎজুবদা নিংথৌনা মরম তাক্তে ঐ মকমসিদা মতম থরা লাই নিংঙকখিগে নখেন্দনা লৈপাক চাকলমথো হায়না বিদায় তৌখ্রগা হৃদিংপু নিংদুনা লৈখে। চহি অমা কারে নিংথৌ হলক্লবদা পাত্র মন্ত্রি

তারকপা, কুলাচার্য্য বশিষ্ঠকী আশ্রমদা লাক্লুনা হায়জকখদা মুনিনা থ্যাম্না য়েংবদা সম্বরনগী মরমদু লোইনা উখে, পাত্র মন্ত্রিদা নখোয় হন্নো রাকউ! নখুংত্তো নিংখৌ, ঐনা খোয়মদা পুর্‌কে। মুনিগী খোজাব তাবদা, পাত্র মন্ত্রি মুনি খুরুমজরগা হস্তিনা চৎখি। বশিষ্ঠ মুনি সম্বরনগী লাইনিংফমদা লাক্লে, মুনিনা মহারাজ ঐ লাকই মহারাজনা চাদ থক্তনা অকনবা তপ তৌরিবদি নিংবা থুংলবা করি লৈবগে? সম্বরননা মুনিবু খুরুমজগা হায়খি, মুনিৎ কোবা লাইগী মচানুপী তপতীবু পাংজগে নিংজবনি। মহারাজ ঐ চৎলগা সূর্য্যদেবদা হায়জরুগে হায়রম্মগা সিদ্ধি শক্তিনা সূর্য্যালোক য়ৌরকই। মুনিবু সুমিৎনা ভক্তি তৌই আসন থাই মুনিনা হন্নে, সূর্য্যনা মুনি লেংতকপবু করি হায়বীনিংবা লৈবগে? মুনিনা হায়মকই সূর্য্যদেব নচাইবেম্মা তপতীবু সম্বরন মনিংবোগী মহারাণী হান্নবা নিজগে লাকপনি। সুমিৎনা মুনি, সম্বরন মীওইবদগী অখোইবা নিপানি, তপতী ইচা কন্যা অনিসু মপক মতৌ লমচৎ মমায়বীনিংদগী অখোইবীনি। হায়বীরিবা মুনিসু ব্রহ্মাণদগী অখোইবনি, পাত্র চানা দান বৎপা শাস্ত্রগী বিধিনি, পাত্রতমক অখোইবা তাক্তা ওইরবনা ইচাসি মুনিগী খুত্তা পিরগে, মুনিনা দান অচুম তৌবীরকে। হায়রগা তপতী কৌখোকই। ইবেম্মা ইচাদি সম্বরনগী রাণী ওইরগা, মাগী পুন্সি চুমদি মমতুঙ্গা লৈরকে। হায়না মুনিনা পিরকে। তপতী পিতা মাতা খুরুমজরগা মুনিগা লোইনদুনা লাকই, মুনিনা কন্যা পুররগা সম্বরনগী মফম য়ৌরকই। তপতীবু সম্বরনদা মুনিনা বিবাহ দান পীরগা, হস্তিনাদা পুরক্লুনা পাটেশ্বরী হাপ্লে, মুনি আশ্রমদা অমুক হনখি। সম্বরন নিংথৌ পাত্র মন্ত্রিদা সাসন পিরম্মগা তপতী রাণীগা লোইনবা রথ তোংদুনা মনিংতম্না বনবিহারদা চংঙাইখোকখিদুনা চহি ১২ লৈপাক্কী সাসন য়েংতকখিরে। নিংথৌনা রাজনিতী কাইখদগী, হস্তিনা লৈপাক (অনাবৃষ্টি, দুর্ভিক্ষ) নোং চুদবনা মহৈ মরোং হাৎলদুনা চাক তাংলে। লাইনা কয়া লেনগৎলে হস্তিনা প্রজা হা হাকার লাওরে, লৈপাক্কী অবাবসি উবদা নিংথৌগী লৈকমদা লাক্লগা, রাজনিতী তাকপা হস্তিনা পুন্সিনজনা, যাগ যজ্ঞ দান ধর্ম্ম তৌহনবদা ইস্নুনা পেনবীদুনা নোং চুহল্লি হস্তিনাগী অরবা তোক্লে। বশিষ্ঠ মুনিদি "লোভ, মোহ, কাম, ক্রোধ, ক্ষুৎ, পিপাসা"— [ছয়রিপু] জীবগী য়েক্লবা ৬ অসিবু খুত্তুম চল্লবনি। কল্মাষপদগী হাক্তা ইক্ষ্বাকুবংশ থায়া মুংলহবদা বংশ রক্ষ তৌবীখি। বিশ্বামিত্রনা মচা চামা হিংচাবদা পিজখোকখিবদু শাওদবা তৌখি। তপতীগী গর্ভদা কুরু পোকই, কুরু বংশদা পোকই অতুনা তাপত্য হায়বনি, মুনিনা দান তম্মেম্ম নবুংথোক্নিংনা হংজকই; হে-গন্ধর্ব্ব রাজ মনাক্তা রাগী তাবদা মুংলাইরে। বশিষ্ঠগী গুণ বিশ্বামিত্রনা য়েক্লখিবগী রাগী লিখো, গন্ধর্ব্বনা হে পাণ্ডব কুশিক বংশদা পোকপা! বিশ্বামিত্র কন্যাকুজদেশগী নিংথৌনি। নোংমা তেজোল লোইনজুনা বন্দা মৃগয়া লাকই, অদি তারকপদা বশিষ্ঠকী আশ্রম য়ৌরক্লে।

মতমসু থোক্লদুনা মুনিগী আশ্রমদা পোথাখিসী হায়না, তেঙ্গোলগা লোইননা বিশ্বামিত্র নিংথৌ চংখ্রগা মুনিবু খুরুম্মী। বশিষ্ঠ মুনিনা মহারাজ দুমিৎ য়ুংবা মতম ওইরে, অদুগা ভোবিরো ওসিদি ঐনা অতিথি সেবা কংগে হায়রগা নন্দিনী হায়বা থংনবী, কামধেনুদা হায়বদা মীয়ামসুগী কোয়নবা কি-পাক পুথোকখি। মুনিনা মীয়াম থুংনবা য়েরে, মীয়াম অদুগা ক্রিয়া লোয়রগা শঙ্খাদগী কায়রক্লুনা মাগী মাগী আশ্রম লেংনরে। মুনিনা কামধেনুদা ইবেম্মা পুড়ি পুরী সন্দেশ সুনা পিয়ু, ঐ মীয়ামসি পিজ পিথক্লুনা পেনহনগে হায়বদা কামধেনুনা হুক্কার তৌরগা সন্দেশ পুথোকই, মুনিনা পাত্রগা কোয়না য়েন্দুনা পুরন ওইনা পিজরে। হৈ-পানা সেবা তৌরে মীয়াম পেরে, বিশ্বামিত্র নিংথৌনা কামধেনুগী গুণদু উবদা, লোত্তনা নৈবা ওইবনা। পাম্নলথুদুনা মুনিনা ঐ খণবী শঙ্গোম ওম্মীবী লক্ষ ১ দক্ষিণাগা কোয়না কংকে। মুনিগী খণ হাত্তমসি ঐত্তোম্বা পিরো হায়রে, মুনিনা হায়রকই মহারাজ ঐদি লাই নিংবনি, খণয়াম লোইবসু ওমজরোই। কামধেনু অসিদি গোমাতানা সেবা তৌথৌ হায়দুনা পীবনি, ঐনা পিথোকপা য়াদে নন্দিনী অসদি, লাই থগী। নিংথৌনা মুনি প্রেম্না হায়জবা য়ুত্রবদি নমদুনা পুং চারে, বাথল তৌথৌ ঐ নিংথৌনি। মুনিনা মহারাজ বলকারদি নিংথৌ ঊপানি, ঐনা পিথদ ওমদে। মুনিগী য়া তাবদা বিশ্বামিত্রনা, খণ কাদুনা পু হায়না য়াথং পিরে, মনাইশিংনা নন্দিনী ওঙ্কা থৌরী হুরগা চৈ থাদুনা নমদুনা চিংথে। নন্দিনীনা মুনিদা ঐবু নখোইদা পিথোক্লবরা হংখকই, মুনিনা ইবেম্মা ঐদি পীদে নিংথৌনী ওম্মী হায়দুনা তৌরিবমি ওম্মবদি নৈবীথৌ। মুনিগী য়াহৈ তাবদা নন্দিনী শাওদুনা হুক্কার শব্দনা কাম্মদা! কিনহুরগী অাংক্তা থুংলাই শায়বা, মিৎ নাকোং, মূত্র, প্রসাব, মুখদগী চোংথোক্লপসি। বিশ্বামিত্রগী তেঙ্গোল মশিংদগী শরুক মথা হেয়া চেংথোক্লগা লাম্বা থোনবদা ১ গা ৫ গা পারবদা মথয়াই শিনিংনবদগী বিশ্বামিত্রগু তেঙ্গোলগা বাদুনা চেনখে। মুনিগী শক্তদা মাইথিবা কংবদুদা থগি, নিংথৌ ঐথোয়বুদি লাইনিংবা ব্রাহ্মণনা শেংলে। অতুলদি ক্ষেত্রি নিংথৌ কায়দে লাই নিংদুনা ঐসু ব্রাহ্মণ ওল্লগে লেপ্তুনা পাত্র মন্ত্রি তেঙ্গোল বিদায় তৌরে। ঐদি নিংথৌ তোক্লগে লাই নিংল্লগে, নখোয়না নিংথৌ শেমদুনা পাম্বুরো হায়না থাঙ্গা, উকুমৎ জটা পুদুনা চাদ থকনা ব্রহ্মা নিংদুনা নৈথিবসি চহি ১২ শুখে। ব্রহ্মা লাক্লুনা কবি পাবগে নিমু কায়বদা ব্রাহ্মণ ওইহনবীয়ু হায়রকই, ব্রহ্মানা হয়েত্তমুক্কী মপোক্তা সং ব্রাহ্মণগী মপোক ওইরো। বিশ্বামিত্রনা হৌজিকমক ব্রাহ্মণ ওইহনবীয়ু কায়বনী, ব্রহ্মানা ক্ষেত্র ওইবা নমা ব্রাহ্মণ চংখন ওনবদি য়ারোই।

বিশ্বমিত্রনা অতৈ ববদি নিয়রোই ব্রহ্মানা অচু ওইরবদি চৎলে হায়রগা ব্রহ্মা হনখে। বিশ্বামিত্র ব্রহ্মাগী বীজ মন্ত্র জপ তৌরগা অকনবা লাইনিং তৌখি, ব্রহ্মা থাংবা ওমজ্রদুনা অমুক লাক্লগা, হায়গী ববদু মন্তবা অপাম্বা থল্লগা নিমু পিগে হায়। বিশ্বমিত্রনা ব্রাহ্মণ ওনবা মন্তবা

যম্রক্তি নিজরেই, ব্রহ্মানা সিংথোমানা রাজভূপ থাদোক্লগা ব্রাহ্মণ ওইগে হায়রসি করিনবো। থ্যাম্বা লেংবদা ব্রহ্মা লোইনা উরে, বিশ্বামিত্রসি মপা গাধি সিংথোনা মতম কুইনা মচা পোকত্রবদা কুল পুরোহিত যমদগ্নিদা ইচা পোক্নবা যজ্ঞ কচ্চগে. গুরুনা মরম তাকপীয় ঐ লাংজগে। যামদগ্নিনা মহারাজ তান চারে, ঐগী ঔরস পুত্র ৪ কংডীবসিনা লোইরে, মথোইসি গুণ রাংলি যজ্ঞ কংলগা গুণ লৈবা ইচা অমতং পোকথিগে সিংঙমী। ইবহানি পুম্না কংলসি, যজ্ঞ কপা ব্রাহ্মণগী দাই ঐগী ওইরগে, যজ্ঞগী পোৎলম্না মহারাজগী দাই হায়নরগা, লাংনদুনা যজ্ঞ তৌই। ব্রাহ্মণগী সঙ্কল্প ১ ক্ষেত্রিগী সঙ্কল্প ১ পুম্না হোম সঙ্কল্প ২গী কায়দনা চহি ১ হোম কৎপদা; যজ্ঞেশ্বর মহাবিষ্ণুনা পেনবিদুনা চরু ২ কাওরনবিরে। যামদগ্নি মুনিনা ব্রাহ্মণগী চরুদা ব্রহ্ম মন্ত্র শেম্দুনা করুগা লৌরে, ক্ষেত্রিগী চরুদুনা ক্ষেত্রগী বীজ মন্ত্র শেম্দুনা করুগা লৌরে। চরু ২ অসিনা ব্রাহ্মণগীনি, সিংনা ক্ষেত্রিগীনি, মহাক্না মমাঠৌরানীগা, মহারাণীগদা পিজরু; ঐনা পূর্ণাহুতি পিরগা যজ্ঞ লোইশিন্নগে হায়দুনা গাধি সিংথোদা পিম্নরে। যামদগ্নি পুরোহিতনা যজ্ঞ লোইশিল্লি, গাধি সিংথোনা খল্লি মম্নগী মপুনা ব্রাহ্মণনা ওইবনিনা, ব্রাহ্মণগী চরুনা গুণ হেম্না শাংদনম্নি। অদুনদি ওমনা পিজরগে খল্লদুনা ক্ষেত্রিগীনা ঠৌরাণীদা! ব্রাহ্মণগীনা রাণীদা ওমনা পিজখি। যামদগ্নিনা পরশুরাম কখি। গাধিনা মচা বিশ্বামিত্র কখি। ব্রাহ্মণগী বীজনা ক্ষেত্রগী ক্ষেত্রদা পোক্লবনা, ক্ষেত্র সিংথো ওইবনি ব্রাহ্মণগী বীজনি, ব্রাহ্মণ চণ্ডাল ওনবনবা যাইদনা অসিনা ওইরে মানা ব্রাহ্মণ পাম্মীবসে। ব্রহ্মানা মরম অসি উরদুনা বিশ্বামিত্রদা লায়রাক্ল, মরে মতগী ভক্তিদা ঐ পেম্লে ব্রহ্ম শক্তি হাপ্লগা, কৌশিকমক প্রসিদ্ধ ব্রাহ্মণ ওইবগে গঙ্গা স্নান তৌরবো। বিশ্বামিত্র স্নান তৌরগা ব্রহ্মাগী চরন্দা খুরমজরে ব্রহ্মানা কমন্ডলুগী জলন সংস্কার তৌবীরগা উটবি পিরে। ব্রহ্ম গায়ত্রি সন্ধ্যগা কোম্না তাকপীরগা ব্রহ্ম শক্তি হপ্তুনা ব্রাহ্মণ ওনকনবীরে। ব্রহ্মা হনখে তপ তৌবদা কনবা বাক্যদ প্রসিদ্ধ ওইবা, বিশ্বামিত্র মুনি অমত্তা মাওংখি। বশিষ্ঠগী অশ্রমদা বিশ্বামিত্রগী লাইনিংকমসাদ সরস্বতী তীর্থনা খল্লি। বশিষ্ঠ মুনিদি ব্রহ্মাগী থমোইদগী পোকপনি, শাস্ত্রজ্ঞদি ওইবা অদ্ভুত শত্রু জিতেন্দ্রিয়নি। লোনবা সূর্য্যবংশগী ইক্ষ্বাকু সিংথোগী মচ, কল্মাষপাদ সিংথোনা যজ্ঞ তৌগে লৌদুনা, অশোক তৌংলগা বশিষ্ঠগী আশ্রমদা বার্ত্তন লাকই। মুনিদা যজ্ঞ কপীয় হায়দুনা বার্ত্তন তৌবদা, মুনিনা মহারাজ ঐতৌম্দ মাংতোমনা তাক্লকবনা থাদনা মুনী বার্ত্তন লৌশিল্লুরে। অদু কমহৌবিরা হায়বদা, কল্মাষপাদ শাওদুনা মরে অজ্ঞা হায়রগা বার্ত্তন পাক্লদুনা চংখে। চৎনা চৎনা খল্লি পুরোহিত ওইরিবা মানা মীগীনা চুমবাদ, পুরহিত হোংলগে খল্লি বিশ্বামিত্রগী মকমদা শাওগলবা সিংথো চংখে। বিশ্বামিত্রনা বশিষ্ঠনা যারক্তবগী বাবী শাক্রদ বার্ত্তনদি তৌবীয় অথুবা যজ্ঞ মচানি ভলিমক লোতাংস, যাবীরবদি পুরোহিত হোংজগে, মুনিদা ওইবীজা কাক্লনা বার্ত্তন কংলে।

বৈশম্পায়ননা হায়রকই মহারাজ বিশ্বামিত্রদু, বশিষ্ঠবু মলোম নৈরমদুনা পুরোহিত মুহুগে থম্লগা, বারুণ লৌরদুনা কল্মাষপাদগা অচুম লাকখিদ্রে। মমথাংদা বশিষ্ঠকী মচা অহল শক্তিগা ওল্লরে, মহোশাগি শুরু মমগীনা থুরুম্মী। অশাওবদগী থুরুম্মে, শক্তিনা মহারাজ লম্বী পিয়ু ব্রাহ্মণগী লম্বীনি ঐ চৎখিগে লম্বেল থাদোকউ। কল্মাষপাদনা লম্বীদি নিংথৌগীনি, নৈপাক্কী মপু লাক্লবাদ ব্রাহ্মণ নংনা থৈগদবনি। শক্তিনা হায়রকই নিংথৌ ধর্মগী ব্যবস্থা ব্রাহ্মণনা ওইরি, জীবগী কনবা লম্বী লেংলিনা লম্বীদা ওল্লরবদি ক্ষেত্রি নংনা থৈগদবনি। শক্তিগী রাগে তাবদা কল্মাষপাদনা, শগোল শাইরিনা লেৎ লেৎ কৎবদা। শক্তি উনশা তংদুনা ঐ কক কাপ্পে। শক্তিনা মহা পাপী নং হিংচাবগী মতোওন, ব্রাহ্মণবু ঐ তানবা নৈরবদি হৌজিকমক হিংচাবা ওইরগা মনুষ্য জীব হিংসা তৌদুনা নৈংখ্রু হায়না শাপ পীরে। বিশ্বামিত্রনি শক্তিগা কল্মাষপাদগা থৎনরিবৈদা, মাংথোকখিদুনা বনদুগী মনুংদা কিঙ্কর কৌবা হিংচাবা অমা নৈরি অদুগী মনাক্তা উহল্লনা লৈ। শক্তিগী শাপ মাংত্তবদা নিংথৌ কিরক্লদুনা, হায়জগে তৌরকপদু উরদুনা বিশ্বামিত্র হিংচাবগী মাংদা লেপ্লগা হায়রকই। কিঙ্কর নত্তনা মীগী ঐ থক্লিংবদু নিংথৌ অসি শক্তিগী শাপ কাংগে, মশক উহল্লনা চংলগা শক্তিগী মতক থেজ্জনা ঐ থকনু ত ক্লে। হিংচাবদু মশক্তি উহল্লনা নিংথৌগী লেহেনা চঙশিন্দুনা, জ্ঞান মাংহল্লগা চোংশিন্দুনা শক্তিগী মতক থেক্লগা ঐ চুপ্পে। ঐগী নিযাম ভাওদুনা নিংথৌদু মী থীরকই, মতৌদু উবদা বিশ্বামিত্রনা থেমদুনা পূরগা, বশিষ্ঠকী আশ্রমদা নলিং তম্না চাক্লরো হায়না থাজিল্লম্লগা বিশ্বামিত্র চৎখি। বশিষ্ঠনি যজ্ঞ চৎখিদুনা লৈতবা মতম ওইবদগী, মনি তম্না শক্তিগী মনাও ৯৯ দু লোইনা হিংচাবনা চাথোকখ্রে। শক্তিগী মুপী অদৃশ্যন্তী কৌইদু গর্ভ থা তম্না শুরকপা মতমদি, হিংচাবগী শব্দ তাবদা সরস্বতী তীর্থ থোংথাদ্দা চেন্দুনা, উয়ুম পাম্বীগী উরাং মথা লৈরাই হজিনবা মনুংদ অহিং লোংশোইবা লোৎতুনা লৈখি কল্মাষপাগা কিঙ্কর হিংচবগা অমিনা পুনখিবা ওইবনা, তৌবগুম্বা চাবগী পেনদা নাইদবা ওইখিদুনা অহিংদুদা বশিষ্ঠকী মচা ১০০ দু লোইনা চাংদোক্লুনা ঐ থকপা চাবা লোইরগ, লোং তাল্লকপদা ঐগী নিযামনা ভাওদুনা কল্মাষপাদ বন থুদিং ভাওদুনা হিংচাবগী বিকার ওইরগা চৎখ্রু।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ! অদৃশ্যন্তী, লোংতাল্লবা হিংচাবনা চৎখ্রবা তুংদা মসুমদা হক্তিলুবদদি মচা মনাও অমত্তা লৈদ্রে। লৈগদবা কিরদুনা পিতা অরুন্ধতীগী আশ্রমদা চৎখিদুনা লৈরে, মুনিনা শিষ্য থাদুনা যজ্ঞ মরুমদা পাও পিরম্লুই। বশিষ্ঠ মসুম আশ্রম য়ৌরকপদা, মচা মরামদু বিশ্বামিত্রনা হিংচাবদা পিজখোকখিবনি ধ্যান্দা থংগে। অদুবু বিশ্বামিত্রদ লমন শিংগে থম্নে, ঐগী ইরাইবক থিবনা থোকখ্রবনি থম্লি। অদুম ওইনমক মচা মুশিনবগী নৈচাক্লা লৈনা ওমত্রদুনা, লাইবক থিবা ঐখ শিকশ্রগে নিংদুনা কৈলাশ তাম্না চৎলগা অম্লাংব চিংথোল্লগী চোংথদুনা ওন্থরকবদা, চিংদুনা ওল্লগা পাংদুনা চিংথাংদা থম্মী সিবা য়াংদ্রে। সমুদ্রদ

লাক্লুনা চেংখ্রকই, মতুংদা নিংথৌবা ওক্লুনা লৈবাই মথক্তা থবন্থী শিব হায়রে। হিংচাবা, ভূত-প্রেত, দৈত, দানব, ময়ংগা ইনবা মকখদা চত্তি, ঋষি উবদা কাইদুনা চেনখি। শিবা হায়রে, ঋষি আমাকদা অমুক তাদ্রি, থুন অহাংবদু উকবদা খাইরা মুংলবা ঐনা কৈকহনা কাগ্রে। প্রাণবতী তীর্থদু পূত্তোর, কোভিভাস, লাইরেন হায়না লৈবা ইচেম কনবা তুরেল্লী ; অদুদা শিরুবগে থজুনা লাকপা মতমদি মচা শিথিবনী চহি ১২ ওয়ে, মকুমুনি চৎথিবদু শিতাগী আশ্রমদা লৈরিবী, চহি ১২ গর্ভ পুদুনা মকু তাইরিবী সতী অদৃশ্যন্তীদুনা মকুগী তুংদা ইরজরকই। গর্ভগী অতাংদুরা মচাদি গর্ভগুহ্য ময়াঙবেদ পাঠ তৌরকই, অদুবু মুনিনা তারদুনা হয়া রেত্তকপদা মখোয় উবদা মুনি লেপ্লুনা তাইরি। অদৃশ্যন্তী মকুবু কপ্পুনা থুরুগৈ, মুনিনা প্রাণমদু ইবৌ লৈরি হায়বসি ইকুরি থগত্রে, লৌকিক বেদ পাঠ তৌথিবা ইচাগী শক্তিগী মরম খাঙবা ১ তাখি, কনোগনীনো ? অদৃশ্যন্তীনা হায়ই গুরুদেব মচা ইবুংঙোগী ঔরস খারা ১ নবাইগী গর্ভদা লৈ, চহি ১২নি ইকুবু উবা কংবদগী শোকপীরবা লৈররোই হায়রবগী গর্ভদ অগুম লৈহল্লুনা, বেদ তমহল্লি অদুনা গর্ভগী বেদ পাঠ তৌরকপনি হায়রখী। মখোয়গী বাক তাবদা মুনি অবাবা তোক্লুনা হায়রকই, ইকুবি খারা মুংংল হিংবগী কানত্রে শিরুবগে থজুনা চহি ১২ সি চেংলকরুবনি। ইশু লৈরবদি খারা মুংত্রে আশ্রমদা চত্তিলসি, হায়রগা মুনিনা মাং খাঙগা মখোনা তুংইল্লুনা আশ্রম য়োনবা লাকপদা বন মথুংবগী কল্প যথাদগু লামা লৈরম্লগা, মপা চানকদুনা উক্তোং ১ পায়রগা তংদনা চেংলক্লকই। অদৃশ্যন্তী হিংচাবগী বিকার উবদা কিদুনা, গুরুদেব মচা ইবুংঙো মতুম চাথিব: কিংচাবদু লাক্লে। নবাইগী প্রাণ কনবীবু হায়দুনা চেমকিলকই। মুনিনা ইবেম্মা কিরুম ইকুনা কনগনি হায়রগা, ব্রহ্মাস্ত্র শেংলগা ওংবদা মৈথৌদুনা মৈ শাদুনা হেক্লিনবা হানবমা হিংচাবা থক থক লিক্লুনা লেপ্পী।

বৈশম্পায়নগী হায় মহারাজ ! মুনিনা খেংবদ, বিশ্বমিত্রনা শাক্তিমহারাজ * হিংচাবদগী তাওহল্লুনা ; কল্মাষপাদগী এই মথা দধাত্তু কোকপীরগে থজুনা তাকপিহৈবা মুনিনা কমণ্ডলুগী জল লৌরগা নাম মন্ত্র লোল্লুনা হিংচাবগী মথ দা চাইথিনবদা, হিংচাবদু লৈবা ওয়সদুনা খাম্বা মথৌ গুণনা পাইদুনা

---

* টীকা। কিষ্কুরনা ভগীচুনা রাজবা ঘুমংবা মীগী মশা শোরকপা মতম য়োদুনা, মখোইনা মীগী মশাদা চংলগা মখোইগী অপায়া মচিঙাক থিবী। মসিবু লৌকিক কলি ওন্নয় কাওবা লাং-য়েরপা হিংচাবী চংব হায়না তৌনরিবা খনিনী। লৌকিকগী তগী মসি হিংচাবী লৈরবী, মাংখ্রেকপদা চংবনগদু হায়নরী, মসি পূর্বজন্মগী দোষ লৈবনা হিংচাবীগী কাইদোংবম ওইরবনি। মাগী লৌবা মারীগা কোমনা থাইদোকপীরবদি হিংচাবগী মকম ওইরবদু হিংচাবী মাগী কাইদোংবম ওইবিবদুগ মতুংদদি ওইররোই, অদুগা নৈমিনবীরবাদ মশা শোকই। অমদুং হিংচাবী চংবা অনাবদু মাগী হৌনবী চাকথাক পিরগা বারী অসিগা কোমনা তৌবিরবদি, হিংচাবী চংবা অদু কপনি হায়রবদি তারিকী মতা অগুম হায়রী। ইতি

চৎরে। হিংচাবক্ত চৎথিববা নিংথৌ জাব তাবত্তুনা, মুনিগী পাবদা চৎজদুনা হায়জরকই। গুরুদেব মনাইগী কে টি অপরাধ তাকপীয়ু, মনাইবু মুনিনা অমুক মৌনা অমুক পোকপিয়ু হায়দুনা থজোইদুনা কপচখী। বশিষ্ঠনা হায়রকই নিংথৌ হৌজিক্কি আবধ্যাদা চঙিন্দুনা পাম্লুরো, ব্রাহ্মণবু খওইবদা তৌরকপ্নু হায়দুনা নাকথীদুনা থিবায় পিখীরে। কল্মষপাদ মুনিগী পদধূলি লৌজবগা মরৈবাক্তা হজখরে. চহি ১২ পাগী মপা তাকুরববু বশিষ্ঠনা শাপ কোকপীদুনা হনকবা অনিদা পাম্ব থিম্ম প্রজা থুংতাইরে। ব্রাহ্মণীগী শাপকী থারা পাবদা থাদচনা সূর্য্যবংশ থাবা মুংলগদবদা বশিষ্ঠনা থৌজানবীদুনা মচা থাবা কাবনখী। মতাং অসিদা অনবেজবনা হাজরকই, মুনি কল্মাষপাদনা ব্রাহ্মণীগী শাপ কংথিবগী বারী, অদুগা অদৃশ্যন্তীগী মচানা কমদৌথিবগে মাহু নিবীরমথো মুনিনা হায় অমরেজয় নিংথৌ। গন্ধর্ব্বনা হায়রি হে পাণ্ডব কল্মষপাদন হিংচাবা ওইরিবৈগী মতমদা, মোংনা মহা ওইরিবী ব্রাহ্মণী অমা আদ্যঋতু ওইরকপগী ঋতুস্নান তৌগদবগী তীর্থদা মপুরোইবগা লোইমনা লাকই। তীর্থ হৌরমনাই বন মন্দুদা কল্মষপাদন ব্রাহ্মণ কাপ্রে, মতম অদুদা ব্রাহ্মণী কপ্পদুনা হায়জরকই। হে রাক্ষস মহাক্তি অযোধ্যা নিংথৌনা ওইবনি, ইপুরোইবগী প্রাণ কনবিয়ু ঐবু নুপোংবদগী রতিগী ভোগ লৌজি। ঐসি ওসি আদা ঋতুগী স্নান লাকপনি ঐগীদমক ইপুরোইবা প্রাণ মাংবা থুংডাইতে, চাদবা হায়বা হায়বগা ইপুরোইবগী মহৎ ঐবু চাবীয়ু হায়জবদা থৌওইনা তৌদনা মতক থেক্নুনা মমাংদা মী চুপ্রে। থাতোদ্ব উবদা সতীগী গুণ চেন্নবী কন্যানা থজোই পোক্তা শাপ তৌই, হে নিংথৌ ইপুরোইবু রতিগী ভোগ কাংদনা শিকনখিবগী দোষনা নংন্থ ওগীগী মপা হেক পোকপদা লেপ্পা শিয়ু হায়না হৈয়ন্নগা, বৈ থাপত্তুনা থুবক্তা মথবাই থৈদা কংথি। সতীগী গুণ মপুরোইবগী থুংইত্তবী ওইবনা, বৈকুণ্ঠপগী লৈপী দোলাই লাক্তুনা মপুরোইবগী আত্মাগা লোইমনা ব্রাহ্মণী পুখৎথি, মপুরোইবগা থানদনা বৈকুণ্ঠগী ভোগ কাঙ্গুনা লৈখ। ব্রাহ্মণীগী শাপ লৈ থংবদগী ময়বন্তী রাণীনা, নিংথৌ মনাক্তা থোপজে অহিংগী মতমদা নিংথৌ রাণীগী মথ্যাদা চংতবদদি রাণীনা হায়খি, মহারাজ ঐবু থোকপদি লেপ্পা শিবা তারে, হিংচাবগী শক্তি ওইরিবৈদা ব্রাহ্মণী কন্যাগী শাপ নিংশিংবিয়ু হায়জরকখি। কল্মষপাদ নিংশিংথি মচা থাবা লৈত্রিবনিনা সূর্য্যবংশ মহাকথক্তা মুংপা তাবদা, বশিষ্ঠ মুনিগী মকমদা রাণীগা নিংথৌগা চংজদুনা থাবা নিজবদা, মুনিনা চানবিদুনা রাণীগী মকমদা বের পীথিবদগী গর্ভগী থবা কাংজদুনা সূর্য্যবংশ মুংথিদবনা হৌজিক কাওবা সূর্য্যবংশ মঙাল চাওনা লৈরিবনি। অর্জ্জুননা গন্ধর্ব্ববুজ অদৃশ্যন্তীগী গর্ভগী থাম্রাইনা কমদৌথিবগে পক্ক হিংখো, গন্ধর্ব্বনা হায়রকই হেঃ পাণ্ডব! অদৃশ্যন্তীনা আশ্রম মনুংদা হাম্রগুম লৈবদা গর্ভগী মচানা হায়রকই হেঃ প্রাণ পুত্র, হৌজিক্কি নংবু তাকপী লেমখীনবা লৈরে. ঐনাগী গর্ভগী থোক্লো হায়রকই। গর্ভদগী অন্তাংহ নির্ব্বান শক্তি লৈরবনিনা, থুবক্তা মমাবু অরাবা লৈহন্দনা গর্ভদগী তাইবংপান থোকখি। স্নান তৌরগ বশিষ্ঠবু পিতাতৌ হায়দা পুরুষী, বশিষ্ঠনা মতমু চেৎনা কোকি মমিং পরাশর থোরে। মমানা মচাদা তাকই ইবুংঙো

পিতা মত্তে পিতামহ কৌ, মংগী পিতাদি হিংচাবনা চাহুনা শিরে, মমাগী বাকমদি তাবদা দুংঙাইখিবে। বশিষ্ঠনা মচুগী জাতকর্ম সংস্কার লোইরে, কিকা তৌবীবগা বাব মন্ত্র সাধ্য সাধন লোইবা তম্বীরে। পরাশরনা মপা মতোনশিংবু হিংচাবগী চিঙাক ওইহনবদি ব্রহ্মাগী সৃষ্টি মাংহনগে হায়রকপদা মসুবু কোরগা অশাওবদু লেমহনবা বারী লিচুনা তাহনকই। অসিগুম্বা মহাভারতকী বারী অসি অমৃতগী মগনি মীওইবনা পুক্রিং চংনা তাববদা কৃষ্ণ ভক্তি কনলি। ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

বশিষ্ঠনা থাম্বা রাবদুনা পরাশরনা যজ্ঞ তৌবা পৌলস্ত্য মুনিনা থাম্বা, পাণ্ডব পুরোহিত হাপ্পা স্বয়ম্বর হৌবগী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় নিংথৌ! বশিষ্ঠনা হে পরাশর, কার্তবীর্য্যার্জ্জুনগী থাবানা ভৃগুবংশগী ব্রাহ্মণশিংবু, লন থবগীদমক তুম্বা হাৎখিবদা ভৃগুগী ব্রাহ্মণী অমনা হিমালয় চিঙথোংদা লেবী নিংজবদা, দুর্গানা বোর পিচুনা মচা ১ পোকই, মমিং ঔর্ব্ব কৌই। ক্ষেত্রিগী কমৎ মংলকহনবদা পৃথীদা ক্ষেত্রি থম্মরোই হায়চুনা যজ্ঞ তৌরগা, আকর্ষণ শক্তিনা চিংঙগা মৈদা থাজিন্দুনা মাংহনকই। সৃষ্টি মাংবা ভাববদা ব্রহ্মানা পিতৃলোক পুরক্লনা, থাবদগী ঔর্ব্বনা ক্ষেত্রি হাৎপা যজ্ঞ তোকখি ঔর্ব্বাগী অশাওবগী মৈচু ঈশিংদা থমখি। পরশুরামনা অমুক ক্ষেত্রি বংশ ২১ বক চমম তৌবদুবদা, পিতৃলোক্না থাম্বদগী রাম ক্ষেত্রি হাৎপা তোকখি। মরম অসিনা সৃষ্টি মাংনবা তৌগদু তায়না থাবদগী, জগত মাংহনগে তৌরম্বা তেংকুগা কিংচাববু শাওবদি তোকপা ঙমদচুনা, যজ্ঞ তৌরগা কিংচাবগী জাতপু মৈদা থাজিন্দুনা মাংহনক্রে। মাস উবদা পৌলস্ত্য মুনি লাকচুনা পরাশরবু য়েংঙগা হায়রকই, হে পরাশর নংনা যজ্ঞ তৌরগা মুরাক্ষসদবা দৈত্য বংশ কয়াবু, মৈ থাজিন্দুনা মাংহল্লিবাসবু করি ধর্ম্মনো? ব্রাহ্মণ ওইবনা অচুম্বা শাওববদি ভগবানগী লিলা জগত মাজনি। অদু ওইরবদি ঈশ্বরদা লাজবগী দোষ কঙগনি। নঙগী পিতা শক্তিনা লিথদি মরাক থরগীদমক, দণ্ডৌ হেজনা কিংচাবা ওইচুনা মা চারো হায়না শাপ পিকবনা, থুমজো কিংচাবা ওইখিচুনা চাখিবনি। মথাগী মৃত্যু লোনা লেমজরকবনা লিবনি, করিগীদমক অমা মৈতৈবগী মহৌগুম ব্রাহ্মণ নংনা করিগী পাপ তানশিল্লিবনো। ঐনা হায়বসি থাজরমদু নবুপোদা হাজু, বশিষ্ঠনা তায় পরাশর মুনিগী পাওতাকসি অচুম্বনি, যজ্ঞ তোক্নো নঙগী অশাওবগী মৈচু প্রজাগী থাব বাগ্নি ওইগনু। পরাশর যজ্ঞ তোকখি, আহুতি কংথিদবদগী, মৈ কৌবা লাইচু

যাম্বৰ্দাগি ওইথি, পৰাশৰগী মচানা অমনি। পাণ্ডৱ মখোয়গী পুরোহিত লৈতবগী, মতম কুইনা য়াম্বৰনি খুদং লৈবা পুরোহিত হন্না উপায় ওইদনি। অদুগা ঐগী শগোল্ লোংমবা ব্রহ্মাণ্ড কোইবা খুদা লৈ, মাহ্ল খঙ্গ্ লাকপা ২০০ শিৰগে, অমসুং মীওইবনা কংদ্রবা চাকুদি বিদ্যা অসিনা অৰ্জ্জুন মতোম্দা পিৰগে লৌবীয়ু। অৰ্জ্জুননা হায়রকই হনজী খোংবম অমিদি, গন্ধৰ্ব্ববু ঐনা ভয় তৌরবদিনা মন্ত্ৰবিদ্যা লৌরবদি কেন্দ্রগী খুদং মরোং তাই মতুং ভানচাঅনা লৌজরগে। যুধিষ্ঠিরনা অমুক হায়রকই তান চাবা মতমদা শগোলগ কাংজগে, অদুগা বশিষ্ঠ মুনিগুম্বা ব্রাহ্মণ কনাইদা ফংগদগে তাকপীরম্মু। অদাম্বৰণ গন্ধৰ্ব্বনা হায়রকই ধৰ্ম্মরাজ বশিষ্ঠগা খুদং মান্নবা ব্রাহ্মণদি দেবল মুনি অমনা ধৌম্য ব্রাহ্মণনি, উৎকচক তীৰ্থগী খোংবান আশ্রমদা দেবল মুনিগী মনাও ধৌম্য ব্রাহ্মণ লৈরি। বশিষ্ঠগুম্না খুদং চেনবনি অদুবু পাণ্ডৱ মখোয়গী পুরোহিত হায়না মজল ওইগনি, হৌজিক্তি মমরসি হায়দুনা প্রেম বিদায় তৌনরগা, গন্ধৰ্ব্ব মপীশিংগা লোইননা হনখি। পাণ্ডৱ মচা মনিসুবীগা লোইননা উৎকচক তীৰ্থরোমদা লাকপনা, আশ্রম য়োরকতুনা ধৌম্যাগী মফমদা খুরুমজৈ। ধৌম্যানা ইবুংঙো নখোয়বু কনানো? ঐতোম্বা কমি হায়নিংবা লৈবগে পরিচয় কায়ু। যুধিষ্ঠিরনা হায়জৈ গুরুদেব ননাই ঐখোয় পাণ্ডৱনি, মুম লৈ চাকপদগী লাপ্পেলকপা চহি ১২ শুরে, গুরুদেবনা কুলাচাৰ্য্য ওইবীয়ু হায়জগে লাকচবনি। ধৌম্য চিংনা য়েংগা মুংশিদা হে পাণ্ডৱ, ঐখোয়দি লৈ চাকপদা য়াওখে হায়না তাই, মমা মচাদি কৃষ্ণগী কৃপানা হিংগন্দীবোইরে, মতম কুইনা মাংগরেদা। ইপাদি যজমান চাদে অদুবু পাণ্ডৱ মখোইদি কৃষ্ণ ভক্তি লৈবনি তিয়নিংই, ইপা পুরোহিত ওইরগে মখোয়গী ঐনা ওন্না উপায় তৌরগে। ওনিগী চরা অমদি ইপানা অতিথি সেবা ওইরগে, পোথারো হায়রগা শিষ্যশিংবু খোংহন্দুনা কৃষ্ণদা মুক কৎলগা, পরিবেষণ লাংগা মমাগা পাণ্ডৱ মচা কংহল্লে। যুধিষ্ঠিরনা ধৌম্যাবু কুলাচাৰ্য্য বোম্মিরগা খুরুমজরে, ধৌম্য পাণ্ডৱকী দোষা লোইরবরা থ্যান তৌদুনা য়েংবদা লোইনা উথি। মুনিনা হায় পাণ্ডৱ পঞ্চাল য়োরো দ্রোপদিগী স্বয়ম্বর তৌগদৌরি, বার্ত্তন য়োরক্লে ঐখোয় লকম অদুদা ইপা চচা ঐখোয় উমসি, মখোয়গী দোষা কোক্লে শুভগ্রহ লাক্লগনি। মতকী স্বয়ম্বরগী লক্ষ্যসি অৰ্জ্জুননা কনগা, দ্রোপদী, পাণ্ডৱ মখোয়না লোইমনা কংগনি হায়দুনা বিদায় পিরে, পাণ্ডৱ মুনি খুরুমজরগা পঞ্চালে মদা যাত্রা তৌরক্লে। পঞ্চাল য়োরক্লনা পাণ্ডৱ কুম্ভকার গ্রামগী খুজিন খোংনাং মখোংদা লোথাদুনা ফম্মী, খুদক অদুদা ব্যাস মুনি থংলৈ মুনিবু খুরুমজৈ। ব্যাসনা মমা-মচা ৬ পু পুসিল্লকনা, চকুলাবা মপুবা ভাৰ্গবগী য়ুমদা চংলকই, ভর্গবনা মুনিবু পূজা কৎলি ব্যাসনা ভর্গব মখোয়াস ঐগী চচা সেবকনি। তীৰ্থ লাকপনি স্বয়ম্বর য়েংজনবা মহগী তাগা অমিদা পলহল্লসি, মখোয় খংনবা লৈজদতুনা ঐ মহগীদা পুসিল্লকইবনি। ভাৰ্গবনা গুরুদেব ব্রাহ্মণ অতিথি সেবা কংজবা ইরাইংক কবনি, ঐনা সেবা তৌজসলি, ব্যাসনা অঙৌবি ঐ হনখ্রগে হায়রবদা ভর্গব পাণ্ডৱ ব্যাস খুরুমজরগা

ঠৈরেৌর। অর্জুননা মথং খুদোই প্রাক্তিনা, হিগ্‌ চানবা লোইনা লাংদুনা মেবা তৌরগা, প্রাণ্ডব ফুংজৈনা লৈরেৌগীর মখাং থদকিখাগম তৌখি। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয়নিংঙো অস্মাতী প্রামী লিবগে, দৌপদী মরুমগী থর্জন কংবা কাবাখানি, কুরুকুল তেংলোনগী মেৰ-থাকুনা থাজান খোনবা লাকরে। জয়দ্রথ, শিশুপাল, দন্তবক্র, কর্ণ, ভগদত্ত, বিরাট, কাশীরাজা, মদ্ররাজা, সুশর্মা, দুর্যোধন, বিকর্ণ, শিখিধ্বজ, বিন্দজা, কলিঙ্গ. কৌণ্ডিনরাজা, কোশলরাজা, মিত্রঅনুবিন্দ, চেকিতান, বিরজয়, উগ্রসেন, বসুদেব, গোবিনাথ, সুবাহু, রুকাঙ্গদ, রুক্মরথ, রুক্মধ্বজ, বিদুরথ, পুরজিত, হানবিনা অসিনচিংবা অমুনমকী তেংলোনগী লোইননা থকালনা থৎরে। মরমখুং কুটৈম মেংনবগী, ইজ্জনচিংবা লাইরাম মরুমগী মগা শিলাকর্তনা টৈথরে। থাবীকাগী নাম কৃষ্ণ শাংগে এ কী সাত্যকি সারন কৃত অকাশচিংবা, তেকোণ পুদুনা গরুর তোংবগা পঞ্চানদা থৎরে। ধনঞ্জয়ী মুন খাস মাকী মাকী পঙ্কুৰাৰপ লোইননা লাকনরে, ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশ্য, শূদ্র চারিবর্ণ লাকরে; মুনিং ১৫ নিনা মীয়াম লাকপা লোইখি। অসমরগী সভা মাঙুখতা মতিক চাবা চাবা আসম্মা কুসুমে, দ্রুপদনা মকোল সেবা লংদুনা মীয়াম্‌ পেরকখি। শ্রীকৃষ্ণনা গরুরগী, থকা পাঞ্চজন্য মোইবুং খোংলগা, পক্ষল বিংথৌরী মসল লিখিয়কই। কৃষ্ণগী মোইবুং মখোন তাবনা রেরবা কাংবুনা, থমোইনা তারেপ্পা মেংশুম আখি! অতি চৈনশিংনা অাৎ চখোন চাইবগুম্বা থবোই ইংঙি। শ্রীকৃষ্ণবু ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংনা অতি তোগৈ, মথাগী মতা ভীম যুগৰত ভাদুনা খুরুমজৈ স্তুতি কৎলি। মতৌঙু উবনা জরাসন্ধনা হায়রকই, অজাৰঙ্গন বসুদেবগী মচা বাসুদেববু, খুরুমজবদুবু মোইবুং খোংবা তৈবগীরা। ভীমনা জরাসন্ধ বাসুদেবমি জগতকী মরু ওখিনি, নিন্না জাকন পৃথীবীদা অবতার তৌবিরবা বৈকুণ্ঠনাথ শ্রীনারায়ণনি। জরাসন্ধনা ভীম্‌, সুপী কাংপা মপ কাংপা থাজগী চারা চাওরকপা, মুপী জনাংবা ইন্দ্রজাল তৌখিদুনা ইথাক হাংথিবগী মমন, মাগু হাংকে হায়বগী ঐগী লানহৈবা, লোম্না তেনবিদুনা সভুভগী ইমৎতা খুদাখিবা ইকাই থংবা কৃষ্ণবু নিঙ্কুনি কায়বিবরা? জরাসন্ধগী হাইহ তাবনা ভীমনা কুরু নিনা তৌবা মুর্খগী মনাক্তা মন্না হৌরজে, হায়রগগা লাপ্পা হন্দোক্‌না কনখে। মরুমর দ্রৌপদনা ছুবিংগুগী গুনোবা চাবরকপা লোইরগা, পাণ্ডব মতা মথাব খুরুমজৈ ইনা মনাই ঐথোয় মরুমগী কুটৈম মেংঙরগে। কুন্তীনা হায় ইচাশা মথোয় অক্যাগী থংন চৈনবা যাগযজ্ঞ মঙল-গাইরকউ নমুংতা খোবিজ কাওনহ। পাণ্ডব মনাগী পদধুলি লৌজবুনা কোককথক্তা চাপচবনা, লাকপনা থৌঝ্য উরবুনা থুরুমজৈ, ব্রাহ্মণ মখালনা লোইমতুনা সভা মণ্ডব জমানতা কনকা পাণ্ডব মতা করখি। মতম অতুম দ্রুপদনা কৃপাচার্য্যবা দ্রৌপদী পুথোরকপা মায়জি কাররকখি, কৃপাচার্য্যনা যাবাগী মমল লাংবা লোইদুনা রাজকন্যা পুথোক্তকই। বৈশম্পায়ন মুনিনা এখা জন্মেজয় মখেৌগী, অঙ্গনা কণ্ঠগুণ সভা তৌরকপগী বারী লিয়গে তায়ো। দ্রৌপদীগী মচুনা থৎবা লম্পংবগী মহুত্তা কৈজে, মরুক মোক্তকপা মতিক্কী তেঙ্গুরা অাকন্নাই,

অঙ্গ গন্ধনা থয়াংগী মমর নম্বী। মায়া কৈবা মকখদি ক্রোশ ১২ কোইবা অদুক, থবাল ফঙ্গা ফুং ফুং নম্বী করিগুম্বা কোমুংদগী থোকউবদা, থবাগী মনমচুনা থোইমু পাইশিঙ্কুনা শিঙ্গু মঙু ওঙুনা ঈরি। করিগুম্বা বন বিহার চৎনবদা শক্তি অযোয়শিংমো মখোয় মচাম পুরীদা নাপল তৌনরম্বা ইজাদ ঐথেংগী মিতসি শরুৎলকো অনির্বান কবিশিন্দা। যুগলগী থাম্বা প্রবাংগ তৌনরিসি। অমুম্বা নাপল তৌনবগু দ্রৌপদীগী কন্যা মিক্তা উরবদা, ঐথোক্তা নাপল তৌরবিবসি রাজ কন্যা হেল্লি, উরদা নোকৃয়নি হায়দুনা, শক্তি অযোয়শিংমু আয়কা চেনশিনখিদুনা লোইখিবি। অমুং পঙ্গপ্রান লাকপদা জলধরশিংনা নৈরাই ময়াদা ঐথোয়সি কাউরকো; অসিনমি কবিতাশিংদা কন্যা শিংথাবদা কণ্ঠকম্বুনা জলধরমু ওবজনা কৌই হায়র্দা প্রবাংগ পীরম্মীসি। অমুম হায়দুনা কৈরাই ময়াদা নাপল কারবগু, দ্রৌপদীগী (কণ্ঠকম্বু) থোরিগী চাক রোংকম তোংতক তৌবা হদং-হন্দা চেল্লিবদুনা কজবদগী। অদু উরবদা ইথেম্মা অসিগী কণ্ঠকম্বুনা থেয় কনরে, ঐথোয়মু উবগা ইথেম্ম অসিনা নোকৃথনি হায়বগী জলধর ময়ামগু ইকাইখদুনা ঊশিংদা চোংথদুন লোইখিবি। দ্রৌপদীগী মায়থোংদা শরৎকী পূর্ণিমামু ওবজনা কৌই, পীতম অনিনা কাব কৌবা লাইগী লৈগী নিরু'মু ওবজি, মিংলু তাবনা থবাল লৈকামু ওবজি, মিংলৈ তারকপনা থবাল লৈকামু ওবজি। নাতোন নাকচি তারকপনা থোইদিং মপালমু ওবজি, চিবাম মথক মথানা তয়াম অমুনবমু ওবজি, মাথক মাথানী পরেংনা ককোই মাত্তা অমম্বুং পঙ্গমুক্তা পরেংগুম কৌই। বক্ষনা যোংসানী থামু ওবজি, পয়োধর অনিনা হৈথাগোক মহৈমু ওমজনা কৌই, খাং তাবনা চরামবা নেংসামু ওবজি, পাংখোম অনিনা গর্ভ পুম্বী লিনগুম পুমবুম্বা কৌই। তাংদানা অমৃতগী থবৌ তাংদামু ওবজি, খুবাক্তা থবাল ১০৮ শাকাইরকপমু ওবজি, খুৎশা ১০ দা সনাগী লৈহাও পুম্বুমবগী মতৌগুম্বী, খুজিনগী পরেংমা নিনি পানবা থাগী মতৌগুম মঙাল তানা কৌই। নিংতোন কারকপনা কম্তকনা কৈবোম ২ দা লক্ সেমজামু ওমজনা কৌই, কোক্তী শমনা থোইমু মচু মান্না কৌই, থেনী নিংথিনা থেম্মে, মনিগী শমজি হক্লপা থেলিদঃ লৈতেংই। নাৎবক্তা চন্দোন, শিবাদা সিন্দুর, নাসদা মনীগী নাশিকা, মিৎতা কাজল, নাকোং ২ দা তাকিয়োমগী মঙা মানবা নাইন, পাখোমদা তান, খুজেংদা সনা খুজী, খুৎশা ১০ দা মনিগী খুদোপ, খুজেং ২ দা মনিগী নোপুর লৈতেংঙী। মনকক্তা রেসম ফুরিৎ লিংলিং সনাগী কুদাযনা পরেং শামা পক্লি, অতংবা কত্রগী শাম্লামা লৈতেংঙী, খাংদা সনাগী থেখালখ্না কাকশিন্নি, ওক্তা মনি পরেং, সনাগী পরেং, মুক্তাগী পরেং, লিকথাং ২ শিজিন্নি, অতিয়াগী মচু মানবা কত্রাগী (উটবী) ইরকীন লৈতেংঙী। মাংদা ফুংদা মাক যেত্তা কম্বা ৪০০ দা কাঙজায় চানোর থোগল, খুৎশাই পাইবা কান্নীন পলোন ৭, মাংদা পুং লেল মল্ল শায়বমা ৫০০ নি, মৈবগা থোংবগা জয়ধ্বনিগা লোইননা রাজকন্যা পুথোরকপজি ময়ময় সভা মৌরকই সর্বশিংগী নাওয় মথাইদা চাংতকুনা সভামু খুরুম্বগা, নোংচুপ পাংবদা

থম্মীবা সনাগী তোঙ্গীদা কাথংদুনা সনাগী বুখল হায়দোক্লগা নাক য়েত্তা সখীশিংনা কাওহান চাবোক খোঙজল তৌরগা লেপ্পী। দেবী শক্তিনা মৈবগী অযোনী সম্ভবা ওইরক্লবী, দ্রৌপদীগী তেজনা সভাদু সুমিৎ থোক্লকপগুম্না ভাক্লি, যজ্ঞশ্রেনীগী কজবা শককংদু লক্করাজনা হোৎংদুনা য়েংতি, মিৎ কুপ্পদে অমান মাংখিদুনা মুখী মুংবগুম লেপ্লবদগী বাঙ্গদুনা চপ মান্না মৈপাক্না হায়থনখি। মতৌদু উবদা দ্রুপদ নিংথৌনা উহল্লু কায়রকপগী, সনাগী বুখল থাদদুনা সখী ৪ গা দ্রৌপদী মন্নংদা লৈখি, মশক উহনাখয়ে। নিংথৌ মরাম অমান লাক্নুনা হোৎংলকই, পঞ্চাল নিংথৌনা ওত্তা কি য়েৎলগা খুৎ লোম্নদুনা, সভা মরাইদা লেপ্লগা হায়জরকই। রাজ সভা ভাবিদু লক্ক্যাসি ক্রোস ৫ রাংনা সনাগী ওা অমা লেংদনা থম্মী, ক্রোস ২॥০ বন্দুরগা মাখা চক্র থম্মী, চক্রগী মরাইদা তেন লিৎপা য়ানবা শিন্ন কাংলি। থম্মীবা লিরুং অসি লিরি হাপ্লগা তেন্দোং অসিদগী তেন লৌরগা কাপ্লদা, ওাদুদা থাবা ওম্মবদি লক্ক্য ককপা হায়বদুনি। মসি ওম্বা নিপাদু মরন, মশক, জাতি য়েংজরোই. ইচা কন্যা দান কদপা হায়বসি পুরন ১৪ পন্দুনা বাশকচরে ; ঐগী বাশক অসি রাজ সভানা থংহনবীয়ু, হৌজিক লক্ক্য হৌবিরো য়ারগনি।' দ্রুপদগী বাশক বাহৈসি তাবদা, নিংথৌ মরামদু লক্ক্য কল্লগা কজনি হায়বদুনা, কংনিংবদগী ঐনা হায়া কল্লগা কংহৌরগে থম্মুনা, মায়কৈ খুদিংগী নিংথৌ মরামদু চেনশিন্নরকপনা মাগুব মরাইদা ইন্নরকপসি পুনিল নিলখে। নিংথৌ মরামগী মতৌদু উবদা জরাসন্ধ হৌগৎলগা ওংদুনা লাওরকই, অমান মৈতবা নিংথৌ মরাম তাবরা জরাসন্ধ ঐ কম্মীবসি করি ওইনা উবগে হন্নিন্নু। জরাসন্ধগী খোল্লাও তাবদা নিংথৌ মরাম কিরক্নুনা, হল্লিন্নখিদুনা মরু লুক্লগা কম্নখি। দ্রুপদনা লক্ক্য হৌবিরো ঐগী বাশকসি থংহনবিয়ু হন্না হন্না হায়রক্লবদা, জরাসন্ধ হৌগৎলক্নুনা লিরুঙগী মনাক্তা চংওকই। লিরুংদু খোংজি মামা মখুৎ ২ না পায়দুনা, মৈপাক্তা চিংথরগা খোংজি মামা হায়গৎলকপা পুংয়াল লেপ্লে। মখুৎ অমিনা থকি খোংজিদু পায়রগা লাকথবদা, খুবোম্মক্লমদি লাকথরে লিরি হাপ্লবা মখুৎ মামনা লিরি লাম্নুবদা অরিংবা লিরুংদু কাকাৎলকপদগী মখুৎ থাহোকহৌদবনা ; লমনিথগা:ইরোমদা মকোক মুংনা শুজিন্দুনা তাবদগী বাম্থরে। অমান লাকপদা করিচি কুগুল বাওত্রে মীয়াম হৌদুনা লোকখি, ইকাইবনা জরাসন্ধদু হাঞ্জিলখিদুনা মরু লুক্নুনা কম্নখি।

বৈশম্পায়ননা হায় জন্মেজয় দুর্যোধন চওখিদুনা, লিরুংদু লিরি চনগে হোৎনক্লবদা জরাসন্ধগী মতৌওম্না লিরুংনা কাকাওনুনা লংওকপদা লমহমগী প্রায়দা মমাই শিত্নুনা বাম্থখি, রাজসভানা নোক্লথরে। মথংদা বিরাট নিংথৌ চওথীদুনা, ভাবিবা লিরুংদু খোংজি মামা মখুৎ ২ খুরক চল্লগা চিংথৎলকই। খুট মথক কাওবদগী হেনগৎপা ওমত্রে, লিরুংগী ভাবিদুনা বুমথরকপনা লয়েং হিকথগদৌরে, খুরক চন্নুবদুনা থাদবদু ওবত্রনো মমাই ভাংলে, হমাং কাংথে, থক থক লিক্নুনা লৈরে। মতৌদু উবদা সুশর্মা নিংথৌদু মলোম মৈনববগী, ভাক্তাশিদা লমন শিংহৌরগে

থরুহুমা চেমশিনখ্রগা, মিরুংদু হৈথরগা হায় হরবা কন্যাগী রাখলা ডাওরুমা ইথিক চাইরাগে থলমা হোনংকৈরিবা। মথাইদু ইকাইজ্রো থাবরগা মচক লাক্লুবা ইনবদা; বিরাট মিংথৌদু অমাই শিন্দুনা হাপ্তখি। মতৌদু উবদা অশেংবা কিচক মেমাগতি চেনশিনখিদুনা, সুদেষ্ণাদু তমথ পাইরগা কিরা চুবাদা থক থক লাক্লুনা ইনবদা! চেংবা মুখমনা হৈরুবা অশিকতুগা তাখি। মিংথৌ মথাক্কা হুমদা কিচক নৈ কাওরবা, শিরবদি কয়কতুম পেরনি হায়না মিরখিবা কিচকতু মিরুংবু ওইনী পাম্বোম হায়থররগা, মিয়াংদা পারুদুনা হায়গৎলগী থাদুনা থনখৈ, বিরাট মথাইবু কোনখৎলগা থোগমদুনা পুশিন্নগা আনন্দা কন্দনখি। মথংদা শিশুপাল, দন্তবক্র, কাশীরাজ, রুক্মি, ভগদত্ত, কলিঙ্গ রাজ মিংথৌশিং মথং মথং চংবা য়েংনবকপদা কনানা মথাই, কনানা মকোক, কনানা লেংজুম, কনানা পাম্বোম, মুকউ, কৈগল, খুাং, থবাক মহৈ মহৈ শোক্লবনা ইকাইবা নংহুনা হিঙিনাখি সুমিন্দুবা ভয়বা মংওত্রে মুনিদাং ওইরে পোথাক্তুনা লৈনরে, নোং ভাংলগা চাব থকপা লোইহুনা লক্ষ্য অমুক য়েংনবদা লিরি চনবা ভয়দে। লোংমগী মিংথৌ ৫০০ চংহুনা য়েংনরকপদা কোয়্যৈ, মতৌ অমুমা য়েংনরকপসি সুমিৎ ২০ নি সুরক্লে। লঙ্করাজ শুনা মরাইবক য়েংবদা মিরুংদু মিরী হাপ্পা ভয়রে, অকানবদি ইকাইনরগী মতুংদাদি রাজসভা ইকাইনরক্লে। মিংথৌ শুনা য়েংবদা ভয়রদা কুরিগুবগী সুনিদাং ব:রয়বদা, ক্ষেত্রি মিংথৌ পুন্নমক্কা দ্রুপদবু মিন্দা তৌনরকই। পঞ্চাল মিংথৌনা মরন লৈবা মচা কন্যা মশক কজবী কংঙগা, ঐথোয় মরামবু ইকাইবা পিগে তৌবনি মাগী মিরুং অসি ভবকচবা মিরংনি। মাংদা থোকরে প্রাগদেশ ভগদত্তগী মচানুপী ভানুমতী স্বয়ম্বরগী মিরুংদু, থাইশা ভয়ত্রবদা জরাসন্ধনা মিরি চয়গা কর্ণনা লক্ষ্য কনগা দুর্যোধনা রাজকন্যা কংখি। অদুগী মিরনগী হুনকী অসিনা শরুক কয়া হেন্নবা মিরুংনি, পঞ্চাল মিংথৌ কন্তে হায়না মিন্দা তৌনখি। অসিগুম্বা মহাভারতকী ৱারী অসি অমুতগী মশক্কি। ইতি। হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

ভানুমতী স্বয়ম্বরগী ৱারী গতাং

শ্রীবৈশম্পায়ননা হায় ভারো মহারাজ! মযুধৌ মন্তানা, মমাগা একচক্র নগরদা লৈরিঙৈ মতমদা থোকখিবা ৱারীনি। প্রাগজ্যেশগী নয়ক মিংথৌগী মচা, ভগদত্তসি মচানিপা মিপাল পোকই। মিতোনি অমত্তা মাওই, মমিং ভানুমতী কোই, মশক মতৌ কজে মহৈ মশিং হৈ পুকচেল কজে। লমচৎশাজৎশু মতীগী লকমী, মগুণমু চেনি, মানা যৌবন বয়স মপুংফারক্লবদা

ভগদত্তনা লক্ষ্য যমকা তৌগে থম্লুনা, মহাঋষি প্রমথা লাক্লগা পরশুরামনা তক্লিনা হায়রম্বদা পঞ্চক্রোশকী পেমজীবুনা লিরুং অমগা তেঙ্গোংগা পুবীরক্কে, অতুগা ক্রোস মখি থাংবা ভাসপথি থম্মগা ক্রোস অনিদা কুণ্ডলিচক্র থমহুনা; লক্ষ্য (নিকপাল) শেম্বীরগা লিরুং তেঙ্গোং লিজরে। মহাকাল লিরুং অসি লিরি চল্লগা তেঙ্গোংদগী তেনসি লৌতুনা, কান্নদা লক্ষ্যসি ককপা ঙম্বা নিপ'চুদা ইচা অমা কংকনি হায়না বাসকণ্ঠ হ'য়না তাকখি। ভগদত্তনা বাশকখি, পরশুরামনা বিলাক পিরম্মগা হুনখি, অমনা কন্যাগী মশক মগুণ উবদা পরুদান কর্ণবু কংসহ থম্লুনা পৃথ্বীগী নিংথৌদা চৎলোইদবা লক্ষ্য শেম্বীরম্বগা চৎকত্রবা লিরুং অসি থমহনি। ভগদত্ত লক্ষ্য স্বয়ম্বরগী মাণ্ডব শেম শাবা লোকরুগা, ভারতকী নিংথৌ লোইনা থারতোন তৌরে। স্বয়ম্বরগী পত্র কংলবদা ভারতকী নিংথৌ পুম্নমক, শেম শাতুনা তেঙ্গোল লাম্মী লোইনম্মগা লাক্লতুনা প্রাপ লেপদা লোইনা থুংলরে। নিংথৌ মশিং স্নরবদা, স্বয়ম্বর হৌনবা নিংথৌ মরাবদা পাণ্ড লাণ্ডথোকখরে। নিংথৌ পুম্নমক ভস্তা চাবা থকপা খৌরাং লোইতুনা, স্বয়ম্বর মাণ্ডবতা মকম চ'না চানা কম্লরে। ভগদত্ত মচাইবেম্মা পুখোরক্লবা মাখং পিতুনা, অন্তঃপুরদগী ভানুমতী কিজেং লৈতেং শেম শাবা লোইরগা মাত্রা তৌতুনা সখী ময়াম্না কাংহায় চাবক পাইতুনা, মাং ভুং, নাক মেৎ ওইদা থৌগল তৌই। থুংলাই পাইবা লাম্মীনা কোইতুনা মাংদা মল্ল বাজন তৌরগা, মাণ্ডবদা পুশিলক্লে কন্যা সভা থুরুম্বগা স্নবর্ণ তোজিদা চংতুনা লৈখি।

কন্যাগী ফজবা মকক্কম উবদা রাজসভানা, ধন্য ধন্য হে কন্যা নংবু পোকপা পিতা মাতানু ধন্যখি অম্নবা থাগৎনখি। ভগদত্তনা রাজসভাদা হায়খৈ, ভাবিষু রাজাধানি পুম্নমক ক্রোস মরিদা ভাসপখি থম্মী। ক্রোস অনিদা কুণ্ডলি চক্র থম্মী, ঐশিংদা য়েংভগা উগনি। থম্মীবা লিরুং আস লিরি চল্লগা তেঙ্গোংদগী তেল লৌরগা কাপ্পীতুনা ভাসপখিদ মতক ককতুনা থাদবা ওখদা ইচা কংপ অসি ঐগী বাশক্লি। ঐগী বাশক অসি থুংহনবীবু হৌজিক লক্ষ্য হৌবীরো হায়রখি। রাজসভানা হায় প্রাগদেশ রাজ মহাক্রী বাশক কাইদনবা, ঐখোয়না হোৎনগনি হয়রগা লক্ষ্য হৌরসি হায়নরক্লে। সর্ব্বভূমাপতি জরাসন্ধনা লিরুং অতু উবদা, মরাম ভমলোই হয়বা থংতুনা চাওখোক্লক্লে, রাজাধানি পুম্নমক লাইবক য়েংভুরো, ঐদি কোল্লগে হায়রগা কম্লখি, নিংথৌরেনগী য়াথং কাওবদা নিংথৌ পুম্নমক মথং মথং য়েংনরক্লে।

ভারতকী কেত্রি নিংথৌ পুম্নমক লিরুং অতু লিরি চনবা ভমতুনা অরাবা ইকাইবা কংনতুনা তুনিন তুমিন্না মরু মুতুনা কম্লখরে। মরাম্না ওমত্রবদা জরাসন্ধ হৌগৎখিতুনা চৎখি, লিরুংতু পাখোমগী পাঙ্গদা থাংগৎলকতুনা খোংজি লৈপাক্তা রৈশিল্লগা লিয়াংদা থুকউনা নম্মগা খোংজি লাকংতুনা লিরি চল্লগা লিয়াংদা পাইতুনা লাইনা হায়গৎলগা লিরি টঙ্কার তৌই। তেঙ্গোংদগী তেল অমা লৌরগা তোপ্লিনা মল্ল খোল্লি, লিরিদা তেজা খোংলগা ঐশিংদা ছায়া য়েংভগা মাখোম থাজৎতুনা লিরি না'কোং য়ৌনা চিংভগা, চক্রগী মগ্রতু য়েংতুনা নিশা'ন থাকগা কাপ্লে।

তেঞ্জিন্না মৈ ক্রি ক্রি কায়হনা হায়গৎখিবত্তু, খজিক্তং শোইদুনা কুণ্ডলি চক্রদা পাল্লুনা চক্রনা মত্থুপ মতুপ ককথৎতুনা তারক্লে, জরাসন্ধ খা চিক্নুনা মুংঙাইডনা হল্লিগা কমখি। জরাসন্ধনা ভগদত্তদা ঐখোয় শনক্লে, থাজিন্নিংবা মী থাজিদ্রো হায়খি। মাদু তাবদা ভগদত্তনা সত্তা ময়াইদা লাওরকই। নিংথৌ পদবীতবু ওইরবদি বৈশ্য-শূদ্র ওইরবনু, লক্ষ্য'স ককপীবু ইচা কাক্চগে রাশক অসি থুংনমবীবু হায়না লাওরক্লে। মাকম অদু তাবদা অঙ্গনাথ কর্ণ হৌগৎতুনা চংল্লে, অজানু লম্বিত ওইবা প্রকাণ্ড শরির, কর্ণগী তেজ বির্য্য উবদা মীয়ম্না ভাংবৈ সোইদনা কর্ণনা কক্লগনি। কর্ণ জরাসন্ধনা থাদত্তুনা খনম্বা লিকংতু, ওহঙী পাম্বোম হায়থমক্নুনা লিয়াংবা নমদুনা পারগা মাংনা হায়গৎখি। মগধ রাজনা চম্বা লিমিতু থাদোকহৌদনা, টঙ্কাম তৌরগা তেম্নোংদগী তেন অমা পৌয়গা তেঞ্জিন্না লক্ষ্য ভেদী মন্ত্র শোন্দুনা তেম্না খোংডগা ঊশিংদা মখি তাবতু লুকথত্তুনা রোংডগা, চক্রগী শিক্ল তমদুনা লিমি নাকোং কংনা চিংলগা থরে। সক্কান সোইবা হৌমদবা কর্ণগী থুকাপনি, তেঞ্জিন্না মৈ কায়দুনা চক্রগী ছিদ্রদা হায়গৎথগা তাসপখিতু মত্তক কক্নুনা থাদরক্লে। কক্লে কক্লে হায়না মীয়াম লাওনরক্লে, মত্তমদুদা রাজকন্যা দধী পাত্র পায়দুনা কর্ণগী মাংদা লেপ্লগা থুং লোয়দুনা নোম্লি। মতমদুদা কর্ণনা ইবেম্মা তাকথো হায়না থাবখি; তাঙ্গাইদা অন্যায় মরৈ য়েৎকনবা কাংবুনা লাওরকই। কন্যা কর্ণদা বোরিবা মাদি তাইথো হায়না লাওরকখি। মী ময়ামগী খোঙ্গাও তাবদা কর্ণনা ক য়রকই। ঐনা থাম্বদি মমম অমা লিংদুনা থামবনি, ময়াম্না থাম্মীবদি করিগীনো হায়না হাঙই। নিংথৌ ময়াম্না হয় বৈকর্ত্তন ঐখোয়না, থাম্বগী রাকম অসি হায়গে তারো, কর্ণ কন্যাসি শরুক অনি চংঙে। নত্তোমদনা কংবা মায়রোই মহুদি, জরাসন্ধনা লিমি চনবনি নংনা ককপনি মরম অসিনা হায়বনি। মাহৈ অসি তাবদা কর্ণনা হায়রকই, মতু চুমদবা অন্য মগী মানি, লিমিসি চামরক চনগে লক্ষ্য অসিসু চামরক থম্মু কককে হায়রগা হেংডু হায়দুনা, লিমি থাদোক্লগা অমুক চাংল্ল, মতম অদুদা জরাসন্ধনা কন্যা পাম্বদগী মাগী মিচং মাথত্তুনা হায়রকই, কর্ণ নংনা লিমিতু থাদোক্লগা অমুক চল্লগা কাপ্পা নত্তে, ঐনা চল্লগা নংনা ককপনিন। কন্যাতু নথন্দনা ফংবা মায়রোই ঐগীসু শরুক মাওরে, মহু তাবদা, কর্ণনা হায়রকই কন্যা অমবু শরুক অনি য়েনবা য়ারোই। নং মাক সনাতন ধর্ম্মদা লাম্বা য়েংনরগা নংনা ভম্মগা নংনাি ফংত্তো, ঐনা ভম্মগা ঐনা ফঙ্গে থোক্রকউ অত্তবা বেক্তা লোইনসি।

কর্ণগী মা তাবদা নিংথৌ ময়াম্না, চুম্মী লাম্বা তৌনরো হায়না লাওনরক্লে। জরাসন্ধ কর্ণ মাগী মাগী রথ তোংদুনা খুৎলাই পায়নগ্লে, রাজকন্যা ভগদত্তনা ভংক পেন্দুনা থমখি। মহারথি অনি ওৎসিনদুনা কাপ্পরক্লে। মানা মানা হৈনরকপা খুৎলাই থানত্তুনা, পুং অনিয়োম পানবদা লাম্বা হেমরমদে। মতুং তারকপদা কর্ণনা থুকাপ হোজিল্লক্নুনা জরাসন্ধগী তেন ককথৎলগা মথুক্তা পায়রিবা লিকং ককই, সারথি শগোল ককথত্তুনা দোলাই মাংখাইরগা থাদরে। জরাসন্ধ

থাং চুদোই পাইদুনা চেনশিল্লকপদা, কর্ণনা খুরশাল কাপতুনা থাং চুদোই ককখৎলে। খুৎলাই য়াওজবদা জরাসন্ধনা, ঐ খুৎলাই য়াওজে মল্লযুদ্ধদা পামমসি হায়না লাওরক্লে। কর্ণ রথদগী চোংখরক্তুনা, রথী অনি মল্লযুদ্ধদা থেংনখরে। কর্ণনা জরাসন্ধবু লোংনা নম্বগা থংত্রা হায়দুনা মবুক্তা কমলগা, ওইগী খুৎনা চরম পায়দুনা য়েৎকী খুৎতুম্মা চুবাদা থাবদা মম্বা কুম্থ। কেন্দুনা মচিন্দা ঔ হাথদুনা জ্ঞান মাংলে। মতৌদু উবদা নিংথৌ মল্লাম চেশিল্লক্তুনা, কর্ণবু থাদুনা জরাসন্ধগী থরাই কনাস হাংদুনা কোলখৎলগা পুশিলখি। জরাসন্ধ জ্ঞান তারকপদা, পাত্র মন্ত্রিনা লোলাই পুশিল্লক্লগা, থৌগলদুনা নরৈপাক্তা মাইথিদুনা হনখে। নিংথৌ মল্লাবস্থ মাগী মাগী মরৈপাক্তা, হনখরে কর্ণনা দুর্য্যোধন য়েংদুনা হায়রকই, মহারাজ ইভাও ইবুংঙো ঐগীদি মচল রাণী লৈজরে। ইভাওগীদি হস্তিনা মহারাণী লৈত্রি, রাজকন্যাসি ইভাওদা কচ্চরগে, হস্তিনা রাণী হাপপীরো হায়দুনা দুর্য্যোধন্দা রাজকন্যা দান ওইনা পিখোক্লে।

দুর্য্যোধন মুংঙাইবগী ইপাক্তা ভাওদুনা কর্ণবু চেৎনা কোম্নখি। ভগদত্ত নিংথৌম্ম কুরুরাজ দুর্য্যোধনবু, মমাক ওইবা কাংজবদা স্বর্গ খুৎনা লাম্বা কাংজবগুম মুংঙাইজখে। দুর্য্যোধন্দা মচা ইবেম্মা ভানুমতী বিবাহ পিঠ থাদুনা, কুলাচার্য্যনা নান্দিমুক শ্রাদ্ধ শোল্লগা, পুরণ তরেৎ পেন্দোন তরেৎ শাক্ষি ভৌদুনা দান কৎখরে। দাস দাসী শগোল শামু মনি রত্ন আভরন, চামা চাম্না খুজিং ওইদুনা (যৌতুক) অউনপোৎ তম্মে। কুরুরাজ ভানুমতী পুরগা তেজোল মীয়াম লোইননা, হস্তিনাদা হলক্তুনা ভানুমতীবু মহারাণী হাপখি। ধৃতরাষ্ট্র গন্ধারী মথৌ কাংজবদা মুংঙাইরে নবেক্কো ভানুমতী স্বয়ম্বর লিরবা অসিনি। জন্মেজয় নিংথৌনা হ য়রৈ মহামুনি ননাই মুংঙাইজরে, ইবেক্কো দ্রৌপদীগী স্বয়ম্বরগী বারী লিখবীয়ো। মহাভারতকী বারীসি অমৃতগী মশক্তি, ভাজবগী অপেনবা নাইদে সম্পূর্ণ শ্রবণ ফংজনিংই, মথা তাজরগে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হ য়রকই জন্মেজয় নিংথৌ, মথা অমুক লিরগে শ্রীকৃষ্ণগী বির রস লিলানি, পুক্লিংনা ভক্তি অঙ্গদ লৈজরগা শ্রবণ ওইযু অদু ওইরবদি নঙগী অরোইবা মতমদা, লেপ্পা অরান খুভম কজনি (বর্ণ রসায়ন) নাকোঙগী মুংঙাইনবনি থম্মুগম্মু। মহারাজ মথাগী বারী লিরকলগে। নিংথৌ মরাম্না ঐখোয় ওম্মরোই, নহাক্কী অপাম্বা ভৌবা য়ারনি হায়না লাওরক্লবদা গরুরগী থক্তা বলরামনা শ্রীকৃষ্ণ য়েংদুনা হায়রকই, ইনাও ইবুংঙো দ্রুপদগী স্বয়ম্বরসি, অরেম্বদা মরন তিংনবা লাংঙ্গুরবনি অরেম্বা ভারে। ককপীনবা লৈরবেই দ্বারিকা থাদোকপসি কুইরে, দ্বারিকাদা মরসি ঐখোয়না নহাক্নখৈ পাম্লিবসি অরেম্বা তারে। বলরামগী রাহৈ অসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ভাউজি ঐখোইনা কক্ষ্য ককপা য়েংনিংদুনা পাম্লিবসি, সুমিৎ কুরি স্বরে হয়েং কাওবদদি পল্লগা য়েংখোস। হয়েং কুমমাথোইনি স্নুবা মুমিৎ অসিদদি, কল্লরগনি হয়েং কাওবদংদি থাভাথিসি। কৃষ্ণগী রাহৈ অসি তাবদা বলরামনা হায়রকই, ইনাও ইবুংঙো পৃথিবীগী নিংথৌ মরাম্না, লির চনবা ওমত্রবা লিরুং অসিবু কনানা ককপা ওমগনি। ইয়াম্বদি থাজদরে,

কনানা কক্পগদৌরিবনো হায়রু ইয়াম্বা তাজনিংই। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই ডাউজি হন্নকী লক্ষ্য অসিদি, মরোন অহুমদা লৈবা মী লাই কাওবগী মনুংদা ইন্দ্র, যম, বরুণ কাওবা ওয়োই। অদুদি ইনাও ইবুংঙো কনানা ওমগনি? ডাউজি লাইনা ওমলোই যক্ষ রক্ষ গন্ধর্ব্ব দানব দৈত্যনসু ওমলোই। মসিবু ওমগনবদি (নরশ্রেষ্ঠ) মীদগী খ্বাইদগী অথোইবা নিপা অমত্তমা ওমগনি। মদু তাবদা রামনা হায়রকই, অদু ওইরবদি, নরশ্রেষ্ঠ হায়বসিদি রামকৃষ্ণ ইচিন ইনাওদি, বৈকুণ্ঠনাথ ওইরবসু মীওইনা অবতার তৌরবনিনা, মীদগী অথোইবা হায়বা তারে, অদু ওইরবদি মনাই দ্রুপদগী ধর্ম ডাকপীনবগীদমক লক্ষ্য অসি ককপীরুরোদনা। বলরমগী রাহৈসি তাবদা কৃষ্ণনা হায়রকই, দাউজি রাম কৃষ্ণ ইচিন ইনাওনা মীদগী অথোইবা ওইবা য়ারোই। ডাউজিসু কককে লিংবিরুসু ওমলোই, কৃষ্ণ য়াকসু ককপা ঙম্মোই চংঙ্গ্রগা চোপ্তনা তোকনি। রামনা হায়রকই অদুদি রামকৃষ্ণ ইচিন ইনাওনা, মীদগী অথোইবা হায়বা য়াত্রবদি, কনানা মীদগী অথোইবা ওইগদৌরিবনো? শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ডাউজি মীদগী অথোইবা হায়বদি, ইপাগা পোকমিন্নবী বৈষ্ণবী ইনেমতোন কুন্তীগী গর্ভদা পোক্লরবা মথক্তা অনি মখাদা অনি লৈবা, খ্বাইনা কৃষ্ণ সখা হায়না কৌনরবা, ত্রৈষ্টি থবাইমক্তা মাম্না লিংলবা পাণ্ডবকী অর্জ্জুন মহাক্তন মী পুরুষকুগী অথোইবনি। বলরাম অর্জ্জুন পল্লকপদা, কুন্তী পাণ্ডব মচা মুংশিবদগী প্রেম হৌরক্লুনা ওহাক তুমিন লৈরুরগা কৃষ্ণ য়েংদুনা হায়রকই। প্রাণকৃষ্ণ অর্জ্জুনদু মীওইবদগী অথোইবমক হায়রবা য়াই, অদু ওইরবদি মখোয়দি মৈ চাক্লুনা শিথিবা চাহ তরানিথোই শুপ্রবনি পাণ্ডবকী অর্জ্জুন নত্তনা অতৈনা ককপা ওমলোইদবা ওইরবদি, দ্রুপদগী লাংঙবা স্বয়ম্বর অসি অয়েম্বা তারে হল্লসি কায়ত্রে হয়েংফাও লৈরুদুনা। বলরমগী রাহৈসি তারগা কৃষ্ণনা হায়রকই ডাউজি ইনেম কুন্তী মচা মচা সিদে লৈরি। রাহৈসি তাবদা রাম ওকপ্রদুনা, হা কৃষ্ণ ইনেং সিত্রি পাণ্ডব লৈ হায়বসি হৌজিক কদাইদা লৈবগে! (জতুগৃহ) চাগী শং ময়াগী মুমনি অন্ধরাজনা মচা দুর্য্যোধনগা তায়দুনা, মমা মচা মৈ থাদুনা হাংথবানি হায়না প্রজানা ওাংনখি লৈদনীনা কমদৌনা হিংখিবা, নহাল মথৈনা কদাইদা লেহত্তগা করিগী লৈখিবনো, হৌজিক কদাইদা লৈরিবগে, রাম ইয়াম্বা ওকই অমুক্তা তাকউ।

রামগী রাহৈ তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ডাউজি ইনেমংঙোম্না হৌজিক পঞ্চালগী কুম্ভকার ভার্গবগী অগাদা লৈ। পাণ্ডব ইয়ম্বা ইনাও মচাদি ব্রহ্ম সভা মরক্তা, ভিক্ষুরি ব্রাহ্মণ শাক্তুন মরু মুক্তগা পয়েং শাম্না কম্মীবা আসনি। য়েংথৌযু হায়দুনা শ্রীহস্তনা মপা তাকথরে, রামন য়েংঙকপদা পাণ্ডব মচাবু বলরমনা উরে। রামনা কর্ম বারনাবর্ত্ত কোম্নুং মৈ চাক্লে হায়দুনা ইচিনাও অমুক ওত্তা য়োবদা মৈ মুংথংলম্মে। উং মরক্তা মমান্না য়েংনবদা চাকথেকখিবগী অকাবা তরুক খেংনদুনা সংস্কার য়াওরুরগা মামতোন বিদুরগীদা লৈদনা শ্রাদ্ধ লোইরগা হল্লকপনি মসিমু ইয়াম্বা ওকই ইনাওগী লিলা অথপ্লাসি, ইয়াম্বাদি থত্তবা ওমদে, অদুগা ভক্তি লৈত্তর

দুর্য্যোধনা বৈতবকী মথক্তা পান্নপা, ভক্তি লৈবা নমাই পাণ্ডবনা অমুক বাহল্লিবা অনিবা করিনমো ; ইশ্বাখনা অমুক্তং অথ্‌পাসি তাকপীয়ু। ভাউতি পাণ্ডবনা হিংখিবনা বিদুরগী থুজিম্না হিংখিবনি, কাদুনা লৈরবদুনা ব্যাধ মমা মচানা পাণ্ডবকী অকনবা দোষাগী উমিন ওইখিবনি। অদুগা ভক্তি লৈতবা মীওইশিংদুনা, মামা পাবজরিবা লম্‌ পিশিন্দুনা অহানবদা নুংঙাইহন্নি। মতৌ অমুম্না কৃষ্ণ ঐনা শাগ্নরিবা লিলাসি, সাধু সঙ্গ তৌদুনা, মীদুনা ভাব ভাজররুগা কৈ, ভাব ভারকত্রবদি মতৈমা মরু কংনা মাংই। ভক্তি লৈবা ইনাইদি অবাবা কয়া পিশিন্দুনা মথোয়গী থমোই পবিক্কা য়েংঙি। বারবস্ত মাগী থমোই অকবডু হোংজ্রবদি, কৃষ্ণ ঐনা মতম মুইনা নুংঙাইবা থুডম পী। অদুনা দুর্য্যোধন হৌজিক নুংঙাইহি থবা লৈরগা মরু কংনা মুৎথিনি, হৌজিক রারিবা পাণ্ডব মচানা ভুংবা নুংঙাইনা পান্নগনি, বলরাম কৃষ্ণ বারী শানবা মতাংসি অমুতগী মপক্তি ইতি। হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

অর্জ্জুনা লক্ষ্য ককপগী বারী মতাং।

মুনিনা হায় তারো মহারাজ মথাগী বারী লিরগে, দ্রুপদ ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়রকই পদবী লৈত্রবম্ভ ভবগদবা ক্ষেত্রি মচা ময়াম্বা লক্ষ্যাসি ককপীয়ু, কন্যাসি অতবদা কচ্চনি হম্না হম্না লাওয়ক্লে। মতাং অসিদা গঙ্গাগী গুহ গর্ভদা পোকখ্‌বা, সত্যবাদী ভীষ্ম বাখম তৌই, পঞ্চাল নিংথৌগী বাপক কাইরবদি ধর্ম্ম মাংলনি ওয়বদি মাগী ধর্ম্ম ভাকে থন্দুনা মাগী কমকমদগী হৌগৎলক্‌লা মাগুম ময়াই লিরুপ্তী মনাক্তা চণ্ডথি, ভীষ্ম চংওকপা উবদা মীয়াম পুরমক্তা ভাংনয়ক্লে। রাজকন্যাগী কজমনবা শকক্ম উবদা, ভীষ্মখোই ব্রহ্মচারি শিদোক্কে নিংওমাক্লে, লক্ষ্য ককদবগী চংওক্লেদো হায়না নিম্নরকই। ভীষ্ম ভারিবা লিরুং অডু ওইথংবা পাথোম হায়থররুগা, লিয়াংদা মথদুনা পায়রগা ক্ষেত্রি নিংথৌ ময়াম্বা থাজৎপা ওবত্রবা লিরুংদু, লাইনা ইম্নাং য়াংনা হায়পৎলক্লে। মথদুনা লিরি চক্সা লিরি টঙ্কার তৌই, তেস্মোংদগী তেন অমা লৌরগা লাওনা কায়রকই। পঞ্চাল নিংথৌ ঐদি কন্যাগী বাথক্তা নত্তে, লক্ষ্যাসি ককপীনবা লৈত্রবদি মতপী বাপক কাইরগনি, মতপী ধর্ম্ম ভাকপা ওবরা য়েংগে হায়দুনা তৌবান। কন্নিগুম্বা ওয়বদি দুর্য্যোধনদা পিগেকো হায়না লাওরকই। মহ ভাবদা মীয়াম্না দুর্য্যোধন থম্ভি ওথোক্না সহায় কৈদা হায়নথি। ভীষ্ম তেনজিন্দা মত্ত পোক্লপা ঈশিংদা হায়না য়েংশনবগী লিরিদা তেক্না থোংওক্লে, লক্ষ্য ককপ্রনি লোইরমোই হায়না নিম্নরকপদা শিবক্তী ভীষ্মগী মংথা লেপ্লুবা য়েংওক্লে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় শিখণ্ডী অসি দ্রুপদ ওইনা পোক্লগা ফোয়া লুপা অসুম লৈখি। অদুম শিখণ্ডী উবদা দু-দলনি খন্দুনা মিরুং তেন খাংবগা মরু মক্বাদগ্নি চংখ্রে। অমুখা কৈদৌখমে হায়নৈ খন্না হায়নৈ বিপাদা দ্রুপদ্ বৌংস ধ্রুবদনী, শিখণ্ডী উবদা ব্রহ্মচারীসিনা থৃংলাই খাবগা চত্থবনি। মী ৎখনা হায় অরুনীনা শিংঙবা অঃনি, করুপা কম্লোই খঙনা শিখণ্ডীদা পাওখোং ওইবগা লেপা হজিনখবনি হায়নরি। ক্ষেত্র ময়া ঠোগৎপিবগা ফৈক্লবা, দ্রুপদ ধৃষ্টদ্যুম্ননা ব্রাহ্মণ-ক্ষেত্রি বৈশ শূদ্রশি মপুংফগী; ধনুর্ব্বিদ্যা লৈবা মিপা চংদুনা কুরুপাণ্ডু কণ্ঠা কঙ্গপনি হায়না হয়া হয়া লাওরকই। বাচ্চু তাবদা দ্রোনাচার্য্য হৌগৎলক্লুনা কঙ্গে, ভীষ্মনা থাদরবা মিরুংদু ওইবী মিরাংদা পাংবগা লাইনা হায়রগৎখি। দ্রোনা কুমারক্লই. অদুগা-নি তাগো দ্রুপদকি ঐপী মরুপ কর্ণা ইচা থোকই, ঐনা ককপা চুবা থোক্লগা বাজুনশসি দুর্য্যোধনদা পিগে হায়না লাওরকই। রাজসভানা দুর্য্যোধনবু লাইবক কৈ হয়না থাগৎলমি, দ্রোন তেঙ্গোংদনী তেন অমা পৌরগা হায়রকই। মিরুংসি মার থাদোক্লগোই মহোশাদ বেরা তোনখি, অদুবু ভীষ্মদু রাকন্থ পক্ক অমত্তনিনা অজ্ঞাল ওইননবনি, অমুখ কাপ্লগে হায়রগা তেজিন্দা লক্ষ্য ভেদী মপ্প পোক্লে। মিরুং মিরিদা জুরিরগা ঈশাদা মমী তারিবদু য়েংলগা; মিশাব থারক্লে। মতম অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা থক্তি, সোইকত্রবা দ্রোনবনি মানা ককথবদি ঐগী মিদা কাইবা তারে, মনাইগীদমক সুদর্শন চক্রদা ইদোই ক্লোরগা রাধা চক্রবু সুদর্শন চক্রনা থজিনখরে। দ্রোন মিরিনা নাকোং কংনা চিংলগা কাপ্পদা তেজিন্দা কৈ কাপ্পগা ঙংদ্রুনা হায়গৎখি, তেনদু সুদর্শন চক্রনা মতুপ মতুপ ককতুনা থাদরক্লে। দ্রোন ইকাইদুনা মিরুং থাদরম্মগা, মরু মুক্লুনা ইকাইরম্লী হজিন্দুনা কম্লব। তুরুনা সোইকদুনা অমখামনা থংজাইতনা চংগে, মিরুংদু হৌগৎলগা তেঙ্গোংদনী তেন হুনা পোক্লনা মপ্প পোক্লগা মিশাব থংদুনা কাপ্পদা সুদর্শনগা মতুপ ককতুনা থাদরক্লে, অমাখামা মা চক্রনা থংকাইতনা হাপ্পনি। মতম মা থাদি হায় সোইকত্রবা, অমগা-মরু মতাংগা সোইদনে হায়দুনা লৈরম্মি

অদুগী তুংদা কর্ণ হৌগৎলক্লুনা চংলক্লে, কর্ণ চংখিবদা মীয়াম্না কর্ণনা কুরুগী বাই হায়না খল্লখি। কর্ণ মিরুংদু পোখৎলগা মিরি থাদোকই, অমুক নমদুনা মিরি চক্রদা মিরি চঙ্কাম তৌই। তেঙ্গোংদনী তেন পৌরগা তেজিন্দা লক্ষ্য ভেদী মপ্প পোক্লুনা মরু থুক্লুনা ঈর্গাংদা হৃয়া শিত্র য়েংলগা মিশাব সোইহন্দনা পাক্লোম হায়গৎতুনা কাপ্পী। তেনদুনা চংদুনা অমগৎমিরদু, চক্রনা ককতুনা থাদরক্লে। কর্ণ মা চিক্লুনা হজিলাখু, মীয়াম্না হিক্লু হিক্লু-দ্রোন অমখামা, কর্ণনা ভবত্রবা লক্ষ্যসিদ্দি মরোন অদুমদা ককপীনবা লৈরবাই হয়না নিংঙক্লে। কিনদুনা মী পুম্নমক হৌগৎলরকক্লে, মদু উবদা বলরামনা কৃষ্ণদা হায় ভীমাদ্দু হৌগৎপীনবা লৈক্লে। অর্জ্জুনদু হৌগৎলক্লে করিনবো হায়রকই। কৃষ্ণনা ড্রাউপদ মরু মতাংগী মাইক্ত অপোকদা ওনাথসুনা হায়রকত্রি, অদুনা হৌগৎলক্লবুসি। মতাং কুসিদা দ্রুপদনা মরু মক্লাখোম্না

হায়রকই, ব্রহ্ম সভা ভাবিবু ধনুর্বিদ্যা লৈবা অজ্ঞানিং য়াওবিরবদি অমুক্তা লক্ষ্য ককপীবু ইচা কচ্ছগে, ঐগী য়াম্নকসি ব্রাহ্মণশিংনা অমুক্তা থ্ংহনবীবু। মতমসিদা শ্রীকৃষ্ণ পঞ্চজন্য মরোল হাপ্না খোংঙল্লে, প্রাণ সখা অর্জ্জুন হৌগৎলো মতম চারে, লক্ষ্য কল্লগা রাজকন্যা কংজো মলল ওইজরো সখা। পাণ্ডব মতাদি কৃষ্ণগী মোইবুং মরোন থংভি, পাণ্ডবতি মরাপগী য়াথং লৈতনা মহানা মনিং তৌনদে, মা তাংনবা য়াত্রবা মতনদা খোংবীদা থংমসি হাববা নিয়ম লৈ, অদুনা অর্জ্জুন ধর্ম্মরাজগী ইজিৎ য়েংঙল্লে। যুধিষ্ঠিরসু মোইবুং মখোন তাবদগী, মবুংতোগী য়াথং ভাজদবনি হায়বগী ইজিৎ, য়েৎ থংবা খোংবী কাংদুনা ইজিৎ পীরল্লে। মরাপগী ইজিৎ ফংবদা অর্জ্জুন লিরুংগী মাইকৈদা, য়েংলগা হৌগৎখে মাগী মিৎয়েংদা ব্রাহ্মণ মরাম ভাব তানদুনা, এ ব্রাহ্মণ মচা অমা ভাওরল্লে মপাল খোকহনখিবু কাজিদু মপাল খোকপ্রবদি লাইয়েংবা য়াররোই। থংনরিবা ব্রাহ্মণশিংনা ব্রাহ্মণ মখা নং লক্ষ্য ককনিংবারে, ওমত্রগা ব্রাহ্মণ মরাম মহাক থক্তগী চোপ্পনি, কম্ হায়দুনা নমদুনা কমহনখে, দ্রুপদনসু হন্না কন্না লাওরি। কৃষ্ণ অমুক মোইবুং মরোন্দা কৈদৌরে ইভাও, হৌগৎলো লক্ষ্য ককউরো করিগী পল্লি হান্না কামলল্লে। মচু তাবদা অমুক হৌগৎলে, মতৌদু উবদা ব্রাহ্মণশিংনা ইকে নহা নং লম হে'ল্লদা। পৃথিবীগী নিংথৌ অমসুং ভীষ্ম, দ্রোণ, অশ্বথামা কর্ণনা, ওমত্রবা লক্ষ্যবু ভিক্ষুরি মংনা ওহা হৌনবরা। ক্ষেত্রিগী মথৌদা ব্রাহ্মণ চংঙদুনা, হৌজিকী ক্ষেত্রিদি ব্রাহ্মণ খৌশারবনি, ব্রাহ্মণ লোভি লৈমল্লি য়ৈরো হায়রক্না নহাক থক্তগী কুম্মৈসু য়েংগে দক্ষিণাসু কজনি লাল্লগা চৈ চানি কম্ হায়দুনা ফাজিন্দুনা কমহনখ।

মচু উবদা শ্রীকৃষ্ণনা অমুক মোইবুং মরোন্দা হায়রল্লে, চংঙো ইভাও কৃষ্ণ ঐগী খৌজান্দগী লক্ষ্য কল্লগা দ্রৌপদী কংজো হায়রল্লে। ত'ন্না অদুদা কৃষ্ণ ভক্তি লৈতবা নিংথৌ কাংবুদু, কৃষ্ণগী মাইকৈদা শাওনা লাওমরুকই। হয় ইকাইদবা গোপাল, ওহাক লৈতনা মোইবুং খোংঙৌবা কারৈগীনো, ভানিংদে চৎখে। সাধুশিংনা কৃষ্ণবু স্তুতি তৌনৈ, অর্জ্জুন হৌগৎলল্লে ব্রহ্ম সভানা থাম্মী, মতৌদু উবদা ধর্ম্মরাজ হৌগৎলল্লগা খুৎ লোম্নদুনা হায়জরকই। ভাবিবু ব্রহ্মসভা ব্রাহ্মণ মচাদু অহুমলক সুরে, মরাম্না থাম্মীরিবা মামা তৌজরিবদু মাগী শক্তি অমা লৈদুনা তৌরিবনি, লক্ষ্যসি ওসি কুম্মাখোইনি সুরে মাসু উরিবা থংভিবনি। থাদোকপীখো য়েংসি ওত্রগা মাদনি চোপ্চগদবা, ব্রাহ্মণ মচাদুনা ওমলগা ব্রাহ্মণ ঐখোয়সু মায় পাকদৌরিবনি হায়না লাওরকই। মগুণ লৈবা মীগী মাদী তাদবা ওমদে, ব্রাহ্মণ মরামদু চুম্মী থাদোকখো; মরাইবক য়েংজসনু হায়নদুনা মরান্না লম্বী পীদুনা থাদোকথরে। অর্জ্জুননা চংঙকইবদু মীয়ান্না য়েংনৈ ভাংনৈ, এ কন্যাসিগী রাজকন্যা ভিক্ষুরিকাও ভাওরকইদা। কাংবু অমনা ব্রাহ্মণশিংসি মথৌসু নত্তনা, ওমসু ওম্মোইবদা লোভি হেজিনমল্লিকো হায়। কাংবু অমনা হায়, ভাইখো হন্দক খোল্লকইবা ভিক্ষুরি ব্রাহ্মণসি, অচম্বা মান্দে থাংঙকইবা খোংথাং হায়থরকইবা পাখোমনা আজসু লম্বীত ওই,

লাল্লুংবা চয়ামবা মোংশাঙুম্মী। মাকী তেজসি সুমিৎশু লৈচিঙ্গা খুমজিন্নবগী মতৌ লাক্লিবা লাইনা ময়া তৌদুনা চংঙকপা ওইরম্লগন্না, সোইদনা ককথিনিকো হায়রে। অশুম্বা মীয়াম্বা নিরুরিবৈদা, অর্জুন মাগুম মথাই লিন্নংগী মনাক য়োরক্লে। শিন্নধনুগি শংবনা শিনবু খুক্নমজিন্ন, ওইগী পাম্বোম হায়থরজ্ন্না লিয়াংদা পায়রগা, লাইনা হাইগংবি, মতৌদু মীয়াম্না নিংং কুপ্পনা য়েংবৈ। অর্জুননা চয়ম্বা লিরি থাদোক্লগা, লিরি খোংজিন্ন য়েংনা পায়রগা বিত্তা উৎকে থম্লুনা ওইনা লিয়াংদা পায়রগা মাংদা কৈনা কর কর মুক্তুনা হায়বদা, লিকংঙ চনোপ চনোপ হায়, নোপথরকপা মপা চানা সুম্মুদা লিরি থোক চনখি। মতৌদু উবদা মীয়াম পুম্নমক অক্নখি; অর্জুন চহি তরানিথোই কাইনক্নরবা মবুধৌ গুরু দ্রোন খুরুমজনিংঙজুনা, মীয়ামশু শংজন্নিংবনগী ব্যাপক হায়বা মত্রগী শক্তিনা, অম্দা তেন অমি নির্পণ তৌরগা থাখিদুনা তেন অমনা দ্রোন গুরুগী খোং শোক্লা খুরুমজুনা ভারি। তেন অমনা লক্ষ্য ককপা ওমজগে, গুরুনা খোজান পীনবিয়ু হায়না নাকোংদা হায়জরি। বিত্তাগী গুরু দ্রোনশু তেনগী মরোন থংই, থমোইদগী প্রেম চেরক্নুনা, লক্ষ্য ককলৌরিবা ব্রাহ্মণ মচাবু চিংনা য়েংই। শিহাপ লিচিং লিহায় কিরেপ উবদা, অর্জুন সোইদ্রে থংজনুনা লেপ্লা ককপা ওমজরো হায়না নাম্লগা বর পীরে।

গুরুগী বর কংজবদা তেন অমিদু ভীষ্মলোকদা পাইশিনখিদুনা তেন অমনা খোং শোক্লা খুরুম্মী, তেন অমনা য়েংবগী নাকোংদা হায়জরি। ভীষ্মদি বিত্তাদু হৈজবনা তেন্না ভংবদি ভাই, মরোমদি থংদে কম্বিনো থম্লুনা ভজক ভজক্লা য়েংদুনা লৈরে। দ্রোননা ভীষ্ম লক্ষ্য ককলৌরিবা ব্রাহ্মণ মচা অসিনা, নত্তোন্দা খুরুম্মী, ওমতৌ হায়না বর পীখিবো। দ্রোনগী য়া ভাবদা ভীষ্মনা, গুরু ব্রাহ্মণনা ক্ষেত্রিদা খুরুমককশু থোক্তে করিগী খুরুম্মীবনো? দ্রোননা ব্রাহ্মণ নংলম্মোই খুরুম্বা য়াবা মরম লৈদুনা খুরুম্মীবানি বর পীবীখো। গুরুগী বাহৈ তাবদা ভীষ্মনা গুরু, ব্রাহ্মণ মচাসি মশক থংবীব্রা, থংলবদি অমুক্তা ভাকপীয়ু। দ্রোননা থংডৌ ভাকপা য়ম্মদুনা তৌবনি। নত্তোন্দা খুরুম্বা য়াবা শাগৈদগী মাংখিবা কুইরবা হন্নকখিদবা য়াওবরা অমুক্তা নিংশিংঙ্। ভীষ্মনা হায় গুরুদেব থংলবদি শেংনা ভাকখোকপীয়ু থংলগা বর পীগে। দ্রোননা হায়, হায় মাবদি য়েরুবা থংজন্নিংলদুনা ব্রাহ্মণ শারি। ঐনা কায়দোক্লগা নত্তোন্দা কাইরকত্রা থমবননি, নহাকী নচা নত্ত থোকপা ওইরমগনি মুগ্না য়েংঙ্। গুরুদেব মসিনা ইচা ইশু ওইরম্লবদি য়েরুবনা করি তৌজরগদগে ভীষ্ম নৈ কোংনা হায়দোকপীয়ু। দ্রোননা হায় অদুমকপু চংশিন্নকত্ত নাকোংচিক্লা তাবে; ভীষ্ম চংশিন্নকই দ্রোননা হায় নত্ত য়াইনা অর্জুননি, ঐনা থংবদি ওসি মানা তৌরকইবা বিত্তাসি, ইচা কাওবদা তম্বীদে অর্জুন মত্তোন্দা তম্বীবি। বিত্তাসি হৈবা মাগা ঐগা নত্তনা অত্তে লৈত্তে, অদুনা ঐনা থংবনি। অর্জুন পল্লকপদা, ভীষ্ম হিক হিক কপ্পগা হায় গুরু ইশুশিংবু কমদোনা হিংঙম্মীবনো? দ্রোননা বিদুরগী উপায়না হিন্নখিব ওইরমগনি, মমবদি পাণ্ডবকী শ্রাদ্ধগী মোংঙারকপগী উৎসবতা ঐনা মকোক কয়নি। চাক চনোম

হৎকে তৌবদা মতাগী প্রেমনা ফুমহুনা থাদরে, চাক্লে লোইরবদা ইচা মতাগী প্রেমা থাংবা ওনস্রহনা ঐমতা গজাদা শিররগে চৎপদা বিদুরনা তাররক্লুনা, থাংবা থৎলগা কদাইদনো হংতী ঐনা থাকমতু ভাকই। বিদুরনা ইচা মতাদি শ্রীব্যাসনা পৃথীদা শ্মশান লৈত্তে হায়রখি, ব্যাসবাক্য লোইরোই শুন্না শিবা য়াদি ইচা মতা হন্নকখিদি হজিনবীখো হায়। অদুনা বিদুরনা কনখিবোইরে থম্মুনা ঐ হিংদুনা লৈরনি, হায়দুনা মতাগী প্রেমা ভীম দ্রোন কোন্নদুনা কপখিররগা! ভীমনা লক্ষ্য কৎপা ওৎজরো হায়না বর পিরে। অর্জ্জুননা শ্রীকৃষ্ণগী মাইকৈদা ওম্মুনা ভক্তি তৌজরকই, কৃষ্ণনা বলরামদা হায়রৈ ভাউজি অর্জ্জুননা থুরুমজরি, বর পীনবিয়ু। বলদেবনা হায়, প্রাণহরি অর্জ্জুননা ওসি লক্ষ্য অসি কক্লবস্থ, কন্যাদি কংবা য়াদি নিংরে, পাণ্ডবদি হায়বস্থ থংদবনিনা। ব্রাহ্মণনি হায়দুনা নিংথৌ মন্নাম থাম্মদুনা রাজকন্যাসি মূনখিনি; থাসি ভাবদা কৃষ্ণনা হায়রকই ভাউজি ইচিন ইনাওনা পৃথীবিদা অবতার তৌরকইবসি করিগীনো? কত্তবা কাংবু দমন তৌন- নবনি, অন্যায়দা ভৌরকসনু, ইনাইগী দমক লমহেল্লকপদু চক্রনা কক্তুনা থাদগে। য়ামনা হায়, ইবুংঙো করিগুম্বা থৎনরকলবস্থ ইচিন ইনাওদি বার্জ্জুন মত্তবনিনা য়াউদুসি ইকাই হায়খি। মরমদি কুত্তবগী মকোক ওইরকদোরিবদি দুর্য্যোধননি, করিগুম্বা থৎনরক্লবদি পাণ্ডবকি মলোয়া ভাইনবিরস্রা থম্মুনা দুর্য্যোধনবু সুংশিবদগী য়ামনা হায়বনি। মসিবু কৃষ্ণনা উদুনা থোমোন তৌরগা হায়খি, ভাউজি য়াদবু হায়বনি, অর্জ্জুনদবু লক্ষ রাজনা লাকচবা ওমলোইদা হায়খি। বলরামনা লক্ষ্য কৎপা ওৎজরো অর্জ্জুন অস্ত্রা বর পিখিখি, শ্রীকৃষ্ণনা পঞ্চজন্য মরোন্দা প্রাণ সখা ধনঞ্জয়! লক্ষ্য কক্লুনা দ্রৌপদি কাংজো হায়না বর পীরক্লে। যুধিষ্ঠিরনা হায়রৈ লক্ষ্য কক্চগদোরিবা ব্রাহ্মণ মচানা থুরুমজরি, ব্রহ্মসভানা বর পিনবিয়ু হায়জরি। ব্রহ্মসভানা ব্রাহ্মণ মচা, লেপনা লক্ষ্য কৎপা ওমজরো হায়না বর পিররে। অর্জ্জুননা তেন্দোংদগী তেন লৌরগা তেশ্রিন্দা লক্ষাভেদী মন্ত্র লোয়ে. লিরি তেজ; থোংলগা ব্রাহ্মণ মায়বা থংদবগী মতৌওম হংওকই। লক্ষ্য হায়বদু কারনো, কক্দোয়িবনা কদাইনো। য়াহু ভাবদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়রকই, ক্রোস মওাদা সনাগী ওা মনিনা মমিৎ অনি পানবা লেংদনা থম্মীবনি, ক্রোস অনিমথাই হম্বরগা রাধাচক্র লৈদুনা লৈবনি; নুকথদুনা য়েংউ, চক্রগী ময়াইদা তেন লিৎপা য়াবা ছিদ্র লৈবনী। মাদুদা কাপথৎপ্রবদি ওাদা লোইদনা থাগনি. থাবদা মথোল হৌরজনি মাদুবু লক্ষ্য কৎপা কৌই। য়াহু ভারগা অর্জ্জুননা ঈশিংদা নুকথদুনা ছায়া য়েংলগা, পাথোম হায়গৎদুনা নিশান থারে। মতমদুদা কৃষ্ণনা সুদর্শন চক্র লৌথোকখরে, অর্জ্জুনা লিরি নাকোং য়োনা চিংওগা তেহ্যারে। রাধা চক্রগী ছিদ্র লিথৎখিদুনা বিদ্যা মন্ত্রগী গুণনা, ওাগী মমিৎ অনি কাওনা তেমা কৈনা লেংদুনা থম্মী। তেমা পানবদা মোং থাকপগুম্বা, থেক্লকই লম্বদু ভাবদা মিয়াম পুন্নমক্লা কক্লে হায়না লাওনরকই। মতম অদুদা লৈ চন্দন পাত্র পাইদুনা চওরক্লে, নিংথৌশিংনা রাজকন্যা থোবিখিদু থাবখি! মরাম্বা করিগীনো থরখি, ব্রহ্ম সভাগী মঙ্গল ওইরে হায়না লাওনরি। তাম্না

মতুংদা কন্যা পাঞ্চালীগী স্বয়ম্বর অমত্যারণী বাকয়দা হাপ্পরকই। ব্রাহ্মণ মহাক্না বরাওনরিবা মিংদুংদা, কন্দৌরা মতৌ চুমিন লৈদ্রি তাকিংদে, অকই হাকনা যারোই। মা অরু অমসুং ব্রাহ্মণ মরামা কিহুন্না মথং অমদি মরুনা চুমিন্না লৈনখি। বাচু তাবদা থুইরুম্না হাপ্প, অদুন্না ফকনবা থুমখি, অদুগা ঈশিংদা হাপ্পা য়েংলমমু থংগদি। বাচু তারবদা নিংথৌ মচানুপা হাবিরকই, মচু ঐথোই ফোরোই। অমাংবদা লৈবাচবু ঈশিংদা য়েংলগা লেমগ যারোই। তমগা ককথহুনা খুইহিগী মাংদা খাদরুবদি অমদি, মন্ত্রবদি য়ারোই, বাকম অদু অন্যায় তৌবনি থংহনা খুইরুইদু চুমিনবা লৈখরে।

নিংথৌশিংগী অমত্যা তৌরিবসুবু অর্জুননা মৈথৌবগা শাউদুনা হায়রকই, নিংথৌ মচাশা থংদা থংনা মতৌ তৌরিবসুবু, মচানুপা লক্ষ্য ককপা ওমমবনুদা ওমলোইদবোই নিংলমারে। লক্ষ্যদি চাদরকসু থমু. চাথরক থকে হৌজিকসু মাংদা মিংনা উবা পাম্মবদি লক্ষ্য চক্রসু য়াওনা ককুনা খাদগে য়েংউ। বাচু হায়রগা মথুখৌনা খাদরবা তেনসু লৌথংদি, মসি ক্ষেত্রিগী নিয়মগী অমনা পাম্মবা লৈপাক্কী ভীরবা থুংলাইদি অমনা পায়নদে। জাতিগী গুণ মাংই হায়বসুর্ণনি অর্জুনা লৌরিবদি, নিম্মাল্য কংবদি য়াই গুরুজনী হায়দুনা লৌখিবনি। তেজিনা নিয়ম মন্ত্র লোয়ে লিরুং লিদ্রি চুরিয়গা, লিরি নাকোং কংনা চিংলদুনা কাপী। তেনা তংদুনা মৈ থৌরহনা পাইথংগা ব্রাহ্মণ মন্ত্রগী উড়ো ককথংলগা, সুবর্ণমৎস রাধাচক্র অমিমক খাদরক্লে। অহানবগী তেনা তাগী মমিং অনি তুনা কৈনা লেংবদু কায়দনা য়াওরম্মী। অর্জুনা হায়রকই য়েংউ, ওইদবা য়া তাংবসি, কনা অচুম্বা শাকুনা তাংলবসু মথৈদা মীনা অরানবনি কেক্কো থংতকই। অকনবা মিপানা থুংহুম পায়রগা অভিরামা লংথংদু, মথক্কা কাপ্রে হায়বা য়ারোই মাগী শাকু লেংইরগা তাক্লকপনি। লাইবক্কা থিনবা চপ্পোন ঈশিং য়াওনা তকপনি, চোংকনি য়েংবৃন্দনসু য়ারোই লাইবক্কা থিনবগা হেক্কা কংবনি। হৌজিক উয়বা শিদা অমুক করি য়েংখিগদগে হায়রকপদা, নিংথৌ উমবদি লোইরেমনা যোগ শক্তি লৈবননি হায়রগা তুমিন্না লৈনখরে। ব্রাহ্মণ মরাক্না হরাওদুনা পেন্না অগোই শানখি, রাজকন্যা অর্জুনগী মাংদা চংখিদুনা ভক্তি তৌরগা বোরজগে তৌবদা মচাখা লৈরি হাবগী থাখমা তাইথো হায়দুনা থামখি। মচু উবদা নিংথৌ মচাশা হাইনৈ, থাম্বাথদি তিম্মুরিদিনা মমুন লিংতিরোই কম্যা থমকম লৈতদুনা খাম্বা ওইরিনি। মন শীংগে কন্যাদি শীরো হায়রুরবদি, মরিকনি হায়নরকই। বাকমতু তাবদা দুর্য্যোধননা সৌভদ্র কৌবা ব্রাহ্মণ পুঙ্গাদি অমদা হায়রকই। অজ্ঞানা লক্ষ্য বিদ্ধ ব্রাহ্মণদা বুত্তিদান কৎকে, অমসুম্মই ব্রাহ্মণী কন্যা চাবসু য়ুহোংদুনা থকমপোইকা লোইনদুনা শীরগে। রাজকন্যাদু শীরগ্গো মরাক্না থমুরুবা বাকপ্পি, লোইরোই দুর্য্যোধন ঐনা হায়রকপনি হায়বিরু। বাক অজ্ঞা পুদুনা ব্রাহ্মণ অর্জুনগী মাংদা চেনশিনখিদুনা থুং লোন্নগা হায়রকই। অজ্ঞা নিংথৌ মরাম থমবা বাকনগা লোইননা দুর্যোধন মিংথৌনা হায়নরকই, ব্রাহ্মণী কন্যা চাবা য়ুহোংদুনা বৃত্তিদান কৎকে, লৈপাক খুমকমলগা কোয়না কক্তাগে মিবদি শীহোক্লে অজ্ঞা।

ভদ্রবিগ্রহী বা তাকনা অর্জুন মৈবোৎশুম শাংজলুনা, মীৎ ঐ কাহুনা কল্পা হায়রকই, করি ব্রাহ্মণ, অদুগুম্বা বাবু হায়বদি অতোপ্পা জাতি ওইরবদি মথবাই লৌগদবনি। ব্রাহ্মণনিদা নথবাইদি করগে ঐখী পাণ্ড অমতং হায়রু। অর্জুনগী বা তাকনা কিগ্রহুনা থক থক নিকলগা, খুৎ লোজহুনা হাবক্তে অজ্জা ঐনা ভাব তাদবমনি হায়রিবু। করি হায়গে হায়বগে তাকপীবু হায়রকপগে, অর্জুনদা হায়, মখোইনা লম পাম্বগুম্বা ঐখু পাম্বীগদবোই নিংহুনা হায়রকপনি। মখোইনা পাম্বীবা লমচু কুবের জয় তৌরগা নিংখৌ মরাবদা লম য়েনবিগে। লৈপাক পাম্বগা পৃথ্বী জয় তৌরগা লৈপাক য়েনবিগে হায়রু। অদুগা বাখী বাখী মহারাণীচু পোরক্নবা ঐতোম্বা কৎলো অদুম হায়রগা ভজহু, হায়জক্কুগে হাবরগা চেনখিহুনা, নিংথৌ মরাখ তানা দুর্য্যোধনগী মাংদা হায়রকই। লম্বক ককপা অজ্ঞাবা গুলাইগী বাকমগী পাণ্ড অমা পিয়রকই, মরাম্না লম পাম্বগা কুবের জয় তৌরগা লম য়েনবিগে। লৈপাক পাম্বগা পৃথ্বী জয় তৌরগা লৈপাক য়েনহুনা পীগে। অদুগা নিংথৌবী রাণীশিংগু অজ্ঞাবা কৎলো, লাইপোৎ কেংবা লাইশং তৈনহনগে হায়রকই। বাকম অসি তাকবা লাউরকই খোগ শক্তিনা লক্ষ্য ককচরগা, নিংথৌবু উপিৎত্রবদি লক বিক ব্রাহ্মণ হাৎলো অসি থোক্কহুবা দ্রুপদনি মাস্ত হাৎলে', নিংথৌ থরনা ব্রাহ্মণ লোইনা হাৎসি হায়রক্নবা বাখী বাখী বথ তোংথৎহুনা খুৎলাই পায়রগা, মাইগৈ খুদিংদগী মরোম মরোম কোইশিনক্লে। মতৌম উবদা দ্রৌপদিনা চায়জরকই, করমনো ইহাক থক্তগী ব্রাহ্মণসু থবাই মাংবা! ইপাসু অবাবা তাবুগনি করমনো কায়না হিক হিক কপলকই। অর্জুনা হায় রাজ কন্যা বাগসু লোংগা অমবু শক্তি মরাম্না করি তোবা ওয়গে। ইন্দ্র অমত্তনা দানব মরাম্বু মৈহৎপনি। ধর্ম মৈতবা নিংথৌশিং লোইগে থেংগু কিগসু, নং ঐখী ইকুংদা লেপ্প, মখোইনা করিসু তৌবা ওয়োই। অভিমাদা কুণ্ডে থেংথৌবা ইন্দ্রনা মচাগী উপায় তৌরগে নিংহুনা, মনসিদ্ধি তেন্দোদা মৈজয়ন্তি মালাগা মাতুলি নং পিক চৎলু, লেপ্পা ইচাদি মঙ্গল ওইজৌ মানা সিবগু ওক্তা শিজিন্নু হায়বু হায়হুনা থিয়রে। মাতুলি থেব শক্তিনা থ্বাই উহহনা মিকুপ্তা অর্জুনগী মাংদা থুংলরগা, অর্জুনদা তেন্দোংগা মৈজয়ন্তি শথেংগা পীরে, পিতা ইন্দ্রনা মৈজয়ন্তীবু ওকশহদা শিজিন্নু লেপ্পা মঙ্গল ওইজৌ হায়না বয় পিরকই হায়রয়গা লনখি। লোমদা ধৃষ্টদ্যুম্ন দ্রুপদা ব্রাহ্মণগী কন্যাগী উপায় থমবদা, অনা লৈবী ইচানি বাখী মরা তাখিসি, কায়হুনা দ্রৌপদিগী মমা মোকচবী কেশিণী বাজিনখি। থাজী চণ্ডখিহুনা দ্রৌপদিগী মাংদা থুংহুনা হায়জরকই, ইবেম্মা পিভানা ইচাগী রা তাবগা থবক তৌসি, ইচাম অনা লৈবীনি কংগু হায়হুনা লাকপনি। দ্রৌপদিনা কায়রকই ইমা ঐগী মতক্তি বাবিকয়সু, কৃষ্ণগী লোংদম লাক্লনি, ইপানা ইবুংশিজা লোইনহুনা পুখি রক্ষা তৌবিরু কোমুং অমসুং সুপী অভাং, স্বর্ণ, ব্রাহ্মণ, লোক্তনবা পৃথ্বিগী মিরাম ওইগ্রবনিনা লান পাক্রহুনসু কায়রবোই হায়বীরু। দ্রৌপদিনী বা পুহুনা কেশিণী চেখোকখিহুনা পাণ্ড তম্মরে, মচাগী বা তাবগা দ্রুপদনা হায় ইচাসা মচম্মি অনা লৈবীনি মখোয় চৎসি পুখি রক্ষা তৌকসি। ধৃষ্টদ্যুম্ননা হায়রকই ইপা নিংথৌমা,

চেৎলোন পুম্নুনা ইরামশিন্না পুরি বক্কা তৌখিল্লবো। ঐদি ইচন খাৎলোক্লবোই উপায় য়েংবগে হায়দুনা রথ তোংখৎল্লে ক্রপদ মহারাজ পুম্নুমক চঙখি। লোমদনা ব্রাহ্মণ হাংলোহাবা খোঙ্গাওগা লাক্লবৌরকপদুনা কিদুনা ব্রাহ্মণ মহারাজ চেংখরে। মতৌদু উবদা যুধিষ্ঠিরনা ভীমসেন অমাগী উপায় তৌরু হায়রকই, মহারাজগী থাবং কংবগা ভীম খৌদুনা চেঙ্ঘোকল্লগা; লম্না মহারাজগী চিংগী উপাল অমা কল্লগা চেঙ্ঘোক্লকই। ব্রাহ্মণ মহারাজ চেনবা য়াদে হন্দিনু হায়দুনা কৈনা উজাওদুনা তকশিল্লকই, ব্রাহ্মণ মহারাজ কিল্লদুনা ইবুংঙোহন ঐখোয়গী প্রাণতদি কনবিয়ু হায়জরকই। ঠাকুরশিং লক্ষ বিদ্ধ ব্রাহ্মণ মচাবু হন্দোক্লম্বগা চেল্লবশি, ক্ষেত্রিশিংনা উশিংখদ্রোই হায়ে অমদা উহৎ ওনহনবা ওবা ব্রাহ্মণগী গুণ মাংবা য়াদে চেনবীয়ু। কুন্তে য়েংদুনা লৈবীয়ু, ঐ ধর্ম্ম লৈডবা ফাংবুদি লোয়না হাংতোকচগে। ব্রাহ্মণ মচাসিদা মঙ্গল ওইজো হায়না বরদুম পিখিয়ু, ভীমসী গুণ উবদা হোইদা চেল্লরে ই। নংমা কণ্ডবা ক্ষেত্রিশিং নৈখাইরুরো, হায়রগা খো ব্রাহ্মণ মচা লক্ষ্য ককল্লা জয় ওইরো হায়না বর পিয়ল্লে। ভীম অদুদি অজ্ঞাশিং ঐ চংজরুখিগে চেল্লবদি ঐদি হলকমুক্তি খিনথগনিকো হায়রম্বগা, মীয়ামদা মরক্তা উজাওদু পায়রগা অর্জ্জুনগী মাক্তা চেনশিনখি। মীয়াম মতৌদু যব-কাল ওইরবোই নিংদুনা চেঙ্ঘোকখ্রে, ভীম অর্জ্জুনগী থাং য়ৌখরে। মহায়া উবদা অর্জ্জুন কুংঙাইজখদুনা মগুবং তানা থুরুমজৈ, ভীমনা মনাওবু চিংখৎতুনা চেজেৎ কোনখরে। চিংনরুপ ইনাওলিদি ইচিমাও মাইকৈ য়েল্লদুনা লোইশিনসি ঐনা মপাল্লোমদগী খোমজিল্লকে, নংমা মতুংলোমদা ককথরো হায়রগা ভীম মপাল্লোমদা চেঙ্ঘোকখি, অর্জ্জুন মতুংদা লৈলৌরে মতমদুদা মীয়াম্না মাইকৈ খুদিংগী কোইশিল্লকদুনা প্রলয়গী মতৌগুম লক্ষ বিদ্ধ ব্রাহ্মণ হাংলো হায়দুনা তেল কাপশিল্লকই। মতৌদু উবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন রথ তোংদুনা, মতম অমতুং ব্রাহ্মণগী উপায় তৌগে খন্দুনা লাল চংডকপদা মৎসদেশগী কিচক লেনাপতিমা, থৎতুনা গদা পাইরগা চেনশিল্লকতুনা কুপাইবদা শগোল শারথী রথ তোৎইরে। ধৃষ্টদ্যুম্ন চোংথরকপগা কিচকনা গদানা মকোক্তা থাবদগী জ্ঞান মাংদুনা লৈপাক্তা হায়থখরে। ভীমদু অর্জ্জুননা মহাইদা লৈখৌরে, ভীমনা মপাল্লোমদা চেঙ্ঘোক্লকপদা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মতৌদু উরে। ভীমনা উজাও পায়রগা কুজিল্লকপদা কিচক ভীম ২ মায়োক্লবদা, ভীমনা উজাওদুনা তম তম কুথরকপদা কিচক অনিরুক অহমলাক্ত চাকলম্মী, ভীমগী নমক তৌরকপদা কিরুভুনা কিচক চোংথোকতুনা চেনখ্রে। মতৌদু উবদা ক্ষেত্রিবু ব্রাহ্মণনা উশিংখদ্রোই থবথগী, শৈল্য গদা পাইদুনা চংখ্রে ভীমনা মাতুল উবদা খল্লি, মামসি ধর্ম্ম লৈতবা নিংথৌশিংগী মতৌ তম্মবনি, ইথুংত্তা মামা মাপ ওইহল্লগে খন্দুনা উজাওনা তম তম থিল্লি। শৈল্য মতাংরুক তবাঙ্ক চাকই শাকদুনা হেক্তিল্লকদুনা গদানা কোক্তা কৈনা শদন ওইরগা উজাওদুনা কুথরকপদা শৈল্য মকোক কাইদুনা অসিকগুম রাম্বদুনা তাখরে। শৈল্যগী মতৌ উবদা নিংথৌ মহারাজ কাইদুনা চেল্লরে, ভীমনা তানশিল্লকদুনা তম তম খিনবদা শগোল্ শামু রথ মশিং নাইদরা

মৈথাইরে। অর্জুন মাহাকৈ থুদিংদগী কাপশিল্লকপা তেনম্ ভোদিক শোর দৈদ্বা কায়দা মরাথদী তেন কল্পগা থাদৈ, অমুক কাপথোক্লকপা তেল্লা নোং চুবগুম হায়থলকপদ্, কনাগী লিক্লং ককই কনাগী কাং য়ানথাই, শগোল শামু রথ পদাতি কক্‌না থাদরকই, মিংথৌ মরাথদী থম্মোইদা তেন অমমম শিন থংনা থাবদা কাইজুনা চেয়ে। মাইকৈ অমরোমদা অমুক কোইশিনথি, মতৌদু উবদা বলরাম্বা কৃষ্ণদা হায়রকই, বাসুদেব অর্জুনসি মাগী মী লৈতবগা লক্ষ্য ককথুরবগু মাংবা তারে কন্যাসু ফংবা য়াররোই। রামগী বা তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা ডাউজি রাম কৃষ্ণ ইচিন্নাওনা, পৃথ্বীদা অবতার তোরকইবসি কগুবা দমন তৌনবগীনি, হেন্দ হেজিল্লক্লবদি কগুবা ক্ষেত্রি মিংথৌ কৃষ্ণ য়াক্লা চক্রনা ককতুনা থাদগনি। কৃষ্ণগী ব'হৈ তাবদা য়ামনা নুংশিজবা মীকগুবা দুর্যোধন ককথিগবরা থুংশাথিজুনা অর্জুনস্ মক উত্তমনি ইচিন্নাওদি লাক য়াওনসুসি হায়রকই। অবর্থ্যাখি শ্রীকৃষ্ণ লোইনা উবমিন্না মোমোম তৌরগা, ডাউজি রাতাবু হায়কনি ইন্দ্র মতোমতনা দানব মরাম জয় তৌবান, অদুগুম্বা অর্জুননা মিংথৌ মরাম জয় তৌগনি য়েংবিবু হায়রকই। কৃষ্ণনা যদু তেঙ্গোলবু পঞ্চাল কোনুংবু ভাক সেনহলবিথি, ভীমার্জুনগা মীয়ামগা পানরিবা লামদু প্রলয়গী, মতৌগুম ওইরক্লে। অর্জুনগী থুকাপ্পা হেজিন্নক্‌না মিথৌশিংদু থাংবা ওমজিন্না কাইদুনা মাইকৈ থুদিং চেয়রে। চেংহৌক্লকপা অদুনা ভীমনা থৎলগা কংগাইরি। অওকপগী লাক্লোং ওইরক্লে, ভীমার্জুন অনিবু যম কাল হায়বা লাই অনিচু ওইরমাক্লে, কান্নরোই নওগী নওগী জীব হিংনবা চেয়হৌরো হায়না লাওনরকই।

রাজাসভা কাইদুনা চেয়রে, মতৌ অদু উবদা কর্ণ ওসাইমথৈ য়েংদুনা লৈরম্মদগী ব্রাহ্মণ মচানবু অমুক লাকচবসি, মতুংদা ব্রাহ্মণনা ধনুর্বিদ্যা হৈবা কাংবু অসি উশিংগরোই। অমুক্লং থওহন্নমগে কায়বদগী রথ থোজিনখিজুনা অর্জুনগা মায়োক্লথে, কর্ণ উবদা অর্জুন অচাকপা মৈগুম্বা য়ায়বাসি লোইগে থন্দুনা কাপ্পথরে। রাজাসভা হন্দোরদুনা কুম্মৈ য়েংথি, পুং অমা তম্মরকপা মিজা সুনা থানরকপদা জয় পয়াকম লাইকায় মীয়াম পুমমক ওরৈ। কর্ণনা লক্ষ্য বিদ্ধ ব্রাহ্মণ থুকাপ অমুক্তা লেপথিসি হায়রকই, অর্জুন থুকাপ লেপথি। কর্ণনা হায়রকই, লক্ষ্য বিদ্ধ ব্রাহ্মণবু করম্বা লাইনা মায়া তৌদুনা লক্ষ্য কক্লবা ওইরবগো। ব্রাহ্মণ ওইরবদি কর্ণ ঐগী থুকাপ্তা পুং অমা থাংবা ঙম্মাইদবনি দ্বারিকানাথ কৃষ্ণ ওইরবা অমা, লাইরৈপাকগী ইন্দ্র ওইরবা অমা মদুগা কাওইবদগীনা থারুবর্তু কোম্বুং নৈ চাকজুনা শিল্লে কায়রকথরবা পাণ্ডবকী অর্জুননা হিংজুনা ব্রাহ্মণ শাজুনা লক্ষ্য কক্লবা ওইরবা অমা কর্ণ ঐগী থুকাপ্তা থাংবা য়াগনি, ব্রাহ্মণবু অর্জুন ওইরবরা পরিচয় অশেংবা হায়বিয়ু। অর্জুননা তায় কর্ণ ঐগী পরিচয় ফংওগা করি কায়গনি, তিকুই ব্রাহ্মণনি হায়দুনা মিংথৌ মন্নান্না অয়াম্ব যুদ্ধ লাংইথলিনি। লিনিংত্রগা চেমহৌ ইনাকদা নায়রোং লেমব মীজু লোইশনৌরিবজি থাজু। কর্ণ তিংনরম তৌনা অমুক পানরক্লপদা, অর্জুননা থুকাপ হেজিন্নক্লুনা কর্ণগী লিক্লং কয়লগা, হদিনা তিজিলপাল তেন তয়ানা মমজুনা

থাবদা কর্ণ রাম্বুথরে সারথিনা রথ মমাই ওন্দুনা কর্ণ পুরগা চেনখরে। অসিগুম্বা মহাভারতকী বারী অসি অমৃতগী ঈচেম্নি মীওইবনা পুক্নিং চংনা তাজবদা অরাবরা থুক্তম কহগনি হায়রবসি লেংঅবা ব্যাস বাক্যনি। ইতি॥ হরি হরি হরি॥

অধ্যায়

বলরাম কৃষ্ণ কুন্তী উনবা ভীমার্জ্জুননা লান জয় তৌবা রাজসভা চেন্নথিবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়ননা হায় পুক্নিং চংনা তাও জন্মেজয় নিংথৌ! শ্রীকৃষ্ণনা ডাউজ ইনেম কুন্তী ভার্গবকী আপাদা লৈ, হংশা থিরম্মনি পাও ভবা ওইনা ইনেমতোন থুরুম্মুসি হায়ন্তুনা গরুর বাহন রাম কৃষ্ণ লেংগক্লে। ভার্গবকী হে জংদা রাম কৃষ্ণবু গরুরনা থারে, রাম কৃষ্ণ লেংশিলক্নুনা হো ইনেমতোন কৌরকপা, শ্রীকৃষ্ণগী মধুরস্বর ইনেমতোন হাবরা খোনকম তাবদা কুন্তী চেম্বোক্লকই। কুইনা উনরুজরবা কুন্তীবু রাম কৃষ্ণনা থুরুম্মী, কুন্তীনা রাম কৃষ্ণবু কোল্লগা কপ্পী, কৃষ্ণনা ইনেমতোন নহানমথৈ উনবা রাবা মতম নত্তবনা নয়া লাকচদবনি রারৌবিদু। গুসি রাজসভা মরক্তগী ইতাও অর্জ্জুন চংখিন্নুনা, লক্ষ রাজনা মুখিৎ ২০ নি হোৎনবদা ককপা ঙমত্রবা লক্ষ্যচু ককলে। অচুবগী কন্যা মিহৌত্নুনা নিংথৌ মরাম লাল হৌরক্নুনা, ভীমার্জ্জুন অনিগা প্রলয়গী মতৌগুম পানবদা নিংথৌ মরাম কাইহুনা চেন্নকৌরে। ঈনেম দুংশা থিরম্মনি পাওম্ভ ভবজগে, নয়ানা থুরুমজনিংহুনা লাকচবনি। কৌতুক যত্ত তেকোলগু লৈহৌরি ঈনেম বাবীরুম মঙ্গল ওইরনি। নয়া ঐখোয় চেচম্লগে কায়রগা রামকৃষ্ণ কুন্তীবু থুরুম্মগা, লেংথোকখিহুনা গরুর তোংহুনা পঞ্চাল কোম্নুংগী মপা অতিয়াদা লেপ্পুনা য়েঙখি। অর্জ্জুনগী মথুত্তা কং মাইখিরবদা দুর্য্যোধনচিংবা নিংথৌ থরনা, ব্রাহ্মণ হাংলো কায়হুনা চেনশিন্নরকই। মতৌচু উবদা ভীষ্ম দ্রোণা লাওনা হায়রকই, দুর্য্যোধন লক্ষ্য ককপা মিপাসি ব্রাহ্মণ মচা ওইরাম্মাই, উজাএ পাইবা অমসু প্রলয়গী মতৌগুম কুখিল্লক্নে মসি য়ৌরক্লবদি ক্ষমা দয়া য়েংতোইদৌরি চেলহৌরসি বধ কাল মাগি হায়রগা দোলাই মমাই ওন্দুনা, ভীষ্ম দ্রোন লান লোইশিনহল্লগে থন্দুনা চেন্নে। ভীষ্ম দ্রোনা মাই ওনথিবদা, রাজাসভা কিবহুনা মায়কৈ থুদিং কায়হুনা চেন্নখরে। চেন্নরিব মতৌচু ব্রাহ্মণশিংনসু ক্ষেত্রি কিবদগী, ছত্র, দণ্ড ঝুলি হন্দোক্লগা লিক্লং গদা থুন্দুনা পায়রগা ব্রাহ্মণ হাংলো লাওরগা ক্ষেত্রি শাহুনা চেন্নে। ক্ষেত্রিশিংনসু ব্রাহ্মণ কিবদগী ঝুলি তুবী কমণ্ডলু থুন্নগা, ব্রাহ্মণ শাহুনা ক্ষেত্রি হাংলো লাওরগা চেন্নে। অগথা সন্ধ্যা মতুং ওইবগা পাথহুনা

কেক্লখিবনা, রণক্ষেত্রদা মী অমত্তা লৈহৌদ্রে। লান লোইরবদা, ভীমার্জ্জুন অচিন অমাও কোমরম্‌ খোমরকপদা ময়াম্বা মনাও লৈরম্বী কোজবে পুক্তাইনদুনা, য়ৌরবদি হায়রগা তুংথ মান্থ পামং কাইরনা দ্রৌপদীনা তুং ইজরগা চৎখি। মসিবু মী অশিবা কয়ম্বা লোৎদুনা লৈরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা উয়দুনা, পরিচয় লৈতবা খংনিংদুনা তুংদা কাপ্তুক ইরখি, মক্তোমু য়েংবগা রাম কৃষ্ণ বসু লৈম্বা পুরুনা বারীকাদা লেপ্লখি।

বৈশম্পায়ননা হায় মহারাজ পাণ্ডব ভাইদুনা ধৌম্য, মহাকা ঙ্গ কুদবা লৈখীদা তপস্তক চৎলম্বী, ধৌম্যাগী তুংদা ব্রাহ্মণ ময়ামম্ব ইরম্বী। মহাবু উবদা ব্রাহ্মণ ময়াম্না হায় ঐখোয়না মখোইবু ভাইরম্বী, কেক্রি কপ্তে লনথাংদা লুংদুনা লৈরম্বা য়াই ঐখোয়না মধুম কাওবা থিরমগে লাও ময়াইদা চৎলো হায়রকই। পাণ্ডব ধৌম্যাবু পুরুমক্তে ব্রাহ্মণ ময়াম শক্তকনিংদবা ইদিৎ, ধৌম্যাদা শক্তনক্তে ধৌম্যানা ব্রাহ্মণ ময়ামদা হায়রকই। ব্রাহ্মণ ময়াম্না খিবগনি হায়রিবনি লৈকংস্থ থংগ্রি, মখোয়সি ব্রাহ্মণ ওইরমদুনা হিংচাবা ওইরমদুনা ঐখোয়বু পোক পোক থেরগা ঐ চুপ্লবদি কমদৌনি। লক্ষ রাজবু লান্দা লাইনা জয় তৌরবা মখোয়সি, ব্রাহ্মণ ওইরমগনি নিংদে ঐদি কিক্তে লৈহোরনি হায়দুনা, ধৌম্যা চৎখিবদা ব্রাহ্মণ ময়ামসু কিরদুনা মাগী মাগী আশ্রম য়ৌনবা চৎনখি। পাণ্ডব ভার্গবগী খোলান্দা চত্থিবসি তুংদা ইনকইবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা উয়দুনা মাসু লোম্না চংলে মহাকা ইমা নচা ঐখোয় য়ৌজরক্লে। ওসি অহিংগী চংখোরবা ভিক্ষা কংজরকই কায়ক্তে, কুন্তীনা চানবা পোৎ ওইরবোক্তে নিংদুনা [পঞ্চ ভাই বাতি লহো] নখোয় মহা য়েন্নরগা কংজো ইমা ওসিদি চাক খোংল্লে হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা ইমা ইনাও অর্জ্জুন্না লক্ষ্য কয়গা, রাজকন্যা কংজরকই হায়বনি, কুন্তী বাচু তাবদা মপান্দা চেম্বোরকই। দ্রৌপদীবু উবদা কুন্তীনা ইচাসা ইমানা হায়খিবা য়াহৈ আসবু, অরেম্বদা মাংবা তারবরা ইমাদি পুক্নিংগী অরেম্বা বা ভাংথিগ্রি কমদৌনি। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, ইমাগী য়াথংবু অরেম্বা তাহনংগে তাহলোই হায়রবসি ইনাওদা লৈরে। অর্জ্জুনা ইমাগী য়াথংবু কয়িগী অরেম্বদা মাংহনগদগে হায়জখি, রাকমচু তাবদা কুন্তীনা পুংহাইদুনা দ্রৌপদীবু কোল্লগা ইমুংদা পুশিনখরে, মহাক্ত চংদুনা মমা ভক্তি কৎলগা কিরোন খোংদোক্লুনা কয়রে। কুন্তীনা ইবেম্মা ইমৌ কংজরবনিনা পোথারগে, ইমৌনা মুক হৌক্লরো, দ্রৌপদীনা কনি * ইমা হায়জরগা কিশেং খোংদুনা খেহে শুক্ত ওইরগা মুক হৌকরদা চত্তজখরে। ধৃষ্টদ্যুম্ন এনখাদা কল্লাংগী ছিত্রদা য়েংদুনা লৈখি, কুন্তীনা তাক্লুনা দ্রৌপদী খোংবা

* বাখা—দ্রৌপদীনা ইমা কায়না খুৎথিবা অচুবু মচানিচোল পোক্তবনিনা মচানিচোল কংবগুম পেনখিদুনা হায়খি। ইবেম্মা ইমৌগী ওসি ইমা হায়বা খোম্বোক্লুনা ইচানিচোল কংজরে হায়রা নিংথরে মতুংদগী ইনেনবু ইমা কৌরো। হয়েং তুং কাওবকসু মমৌদা মনেমদা ইমা হায়রা কৌনরম্ম। অচুম্বা বনি মমৌমনা পুকচেল শেংনা মমা মচাগুম অয়োন অপুন লৈরবনা ভাবদুনা পাম্বা ইমুংদু বাংত পাবদা লেবা ওবা ওইরম্ব হায়খি।

লোইরগা কৃষ্ণদা লুক কৎলে, অতুগা অন্ন ব্যঞ্জন্দু ভংখায় য়েন্নরগা শরুক অমনা ভীমগী শেম্মে শরুক অমচুনা ৬ থোক্না শেম্মগা কংবিবা য়ায়রি ভক্তি তৌজরে। কুন্তীনা ইচাশা কংগলি হায়রুনা মাগী মাগী লুককমদা কয়রে, কুন্তীদি মাগী লুককমদু ভঙখাই অমা থাইদোক্লগা শেংনা চিংশিন্দুনা থরম্মগা ভংখাইদু কংজে। ভীম আচৎন ভোরগা মতো আনৌ হায়না লাওরকপদা দ্রৌপদীদু ভক্লে, কুন্তীনা বৃকোদর পুজারী অনোবাননা ইমানা ভাকহৌদরে লৌরম্মরোই, হয়েং য়াম্না লৌহনগে অতুম কংজো, ভীমদু পেন্নোইদৌরিদা হায়রগা কংথরে। ভীমদু মাগীদু লোইশিন্নগা য়েংডকপদা থ্বাইগীদি ভংখাইদমক চঙ্লি, মনাওশিংদা ওঙ্কিল্লগা ইনাওশা নথোয়গীদু ওন্নরোইদ্রা থয়া হাপ্পুরা হায়রকই। সহদেবনা দাদা য়াইমদি লোইথোকথরগা কদাইদগী হাপ্পীদৌরিবা, ভীমনা অহনবিনা হংবা হৌনবগী বংবনি নৈত্রবদি কমদৌনি হায়খি।

মুনিনা হায় নিংথৌ, ভীমগী মতৌদু উবদা য়ুধিষ্ঠির কুন্তী চাকলুক কংখাই ভংখাইদু, ভীমদা হাপ্পীরে অদু কংডগা মমাগী শেংনা থম্মীবা চাক্কু ইমা ঐ কংজরগে হায়। কুন্তীনা য়াইমা মসি য়েংশিন্নুরম ইমাগী পুত্তিগী ভিক্ষুরিগী দান কাইবা য়াদে হায়খি, ভীমদু থুংশা চিন শেংডগা ঝুলি ছত্র দণ্ড টুপী নাকন্দা য়েন্নগা থোকখিদুনা ভিক্ষুরি লাদুনা তুলসীবুং মমাদা লেপ্লগা, খোল শেম্মদুনা হরে কৃষ্ণ ভিক্ষুরি লাকচরিয়ে বৈষ্ণবী হায়না লাওরকই। কুন্তী চাকলুক পুথোক্লগা থোকখিবদা ভীম ওইরম্মে, কুন্তীনা য়াইমা নং ওইরে ভীমনা অহিং অসি থেংন্নবনা ভিক্ষুরি লাক্লরোই ইমাগী দান কাইনিংদুনা ভিক্ষুরি শাজরিবনি। কুন্তীনা য়াইমা নঙগী নচিম্না হরে কৃষ্ণ ভিক্ষুরি লাকই হায়খিবদুনা, ভিক্ষুরিদা দান ভৌবগী কৃষ্ণনা পেনবিবা ওইবীরসনু হায়রগা ভীমগী ভিক্ষা ঝুলিদা হাপ্লে। ভীমনা মমাগী কোক্তা নাল্লগা বৈষ্ণবী কৃষ্ণ প্রীতি ওইরসনু হায়খি, অতুগা অন্ন ব্যঞ্জন্দু কংজে, কুন্তীসু মচাগী মতৌদবু শেনখি। দ্রৌপদীনা প্রসাদ কংজরগা শেংজিজরে মমাম শয্যা শেম্মগা, মাগীনা থ্বাইগী মতৌদা শেমজরে মতৌ মতৌ শয্যাদা পোথানজ্রে, ধৃষ্টদ্যুম্ন হল্লকপদা দরবার সভা য়ানদুনা নৈনরম্মী, য়ুবরাজনা মপাবুংবু থুরমজরে। দ্রুপদনা ধৃষ্টদ্যুম্ন নংমু উদ মচনগী পাওসু হংদা ইপাবু য়াদুনা নৈরয়ান মচদ অমুং লক্ষ্য বিদ্ধ ব্রাহ্মণ কমদৌখ্রবগে থংলকুবরা। ধৃষ্টদ্যুম্ননা ভার্গবগী জাগাদা লৈকোবগী য়াখম পুম্নমক তম্মী, দ্রুপদ সুংঙাইরদুনা দরবারদা হজিলদুনা চাথক্লগা পোথানখে। নোং ভাল্লকপদা সন্তাপন ব্রাহ্মণ কুলাচার্য্যাবু পরিচয় থংবিক্ল হায়দুনা থাখে, ব্রাহ্মণ ভার্গবগী গৃহ য়ৌরক্লনা পাণ্ডবকী লৈকমদা চংডকই। ব্রাহ্মণগী আসন থাদুনা ভক্তি তৌই, ব্রাহ্মণনা ইবুংঙো মঙাগী পরিচয় খঙনিংদুনা ঐ লাকপনি, দ্রুপদগী কুলাচার্য্যনি রাজ অজ্ঞানি ইবুংঙোশিংগী পরিচয় ভাকউ। ব্রাহ্মণগী মকমদা য়ুধিষ্ঠিরনা হায়ই, গুরুদেব পরিচয়দি নিংথৌগী মাংদা হায়জরগে, পৃথ্বীগী নিংথৌনা গুমত্রবা লক্ষ্যবু জাতি অতোনবনা ককপা ওবা হৌরদে, মহারাজগী পুক্নিং চিংকবিগনু হায়জরকই হায়না ভদ্রীক্ল হায়জরে। য়ুধিষ্ঠিরগী বাহৈদি ভাবদা কুলাচার্য্য হনখিদুনা, দ্রুপদদা পাওতম্মে দ্রুপদনা ধৃষ্টদ্যুম্নদা

লৌমন্দুনদা মাখং লিচুনা ধৃষ্টদ্যুম্নকা মথও পুরগা চৎখিচুনা ভার্গবগী ঙাগা য়ৌরক্লে। থোঙাঙ্গা মথ নায়গা পাণ্ডবকী মকমদা চাংলগা, মাঙ অঙাংবি ইবুংঙোশিং ইমাগা ইচলগা য়ৌরলি লাকই। পাণ্ডব ভার্গব বিরাম তৌকগা মতা মথ অমমমদা তোংঙৈ, কুন্তীগা দ্রৌপদীগদা মক অমদা তোঙ্গগা ধৃষ্টদ্যুম্না মথ থৌমজ্ঞুনা লাকই। লোমদনা দ্রুপদনা তাক্তুনা হোজংদগী মনবাম লাওবগী লক্কীদা, মজিমম সনা রুপা ঙাগা অমদাখম্মী, ঙাগা অমদনা বেদশাস্ত্র পুরাণ থম্মী, মকক অমমনা শল্যদীক মরু মমাং চিক্লিগী পাত্রদা হাপ্পগা থম্মী। দরবার থোংঙাও থাংহোকলগা দ্রুপদ-য়েংচুনা লৈ, কুন্তীগা দ্রৌপদীগনা রাণীগী সভাদা পুক্লিনথরে মতাদা দরবারদা চংলকই। চকী অমাদা থম্মীথশিং অহৈন্নু পাইরমদে, থাং তা জিক্লং লৈরিবদ্ পাংখৎচুনা য়েংলম্মী, মতৌম্নু উমদা সংক্লেল্লিনি হায়বদি দ্রুপদনা খঙখি। পাণ্ডব দরবার চংলক্তুনা সভা থুরুম্মগা, নিংথৌবু ভক্তি কৎলি। দ্রুপদনা মতাবু প্রেম অশিঙোন তৌই মতা আসন্দা ফমলে।

পঞ্চাল নিংথৌনা ইবুংঙো মতাবু ক্ষেত্রি লক্কন মাল্লি, করম্মা থংশল্ল পোকপনো করিগী ব্রাহ্মণ থাম্রিবনো; করম্মা দেশকী লাকপনো থিং কম্রি কৌবগে পরিচয় তাকউ হায়রকই। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই মহারাজ ঐখোম পঙ্ক পাণ্ডবনি, রাজচক্রবর্তী নৃপ লৈ চাকপগী ইমাগা, ঐখোম ইচিমাও ৫ চহি ১২ তীর্থ কোইজরবে। য়েন্নবা থংহল্লিংদকনা ব্রাহ্মণ শাদ্লা লৈরুখলগী, অমসত্তা মদুগী থোকলগা অর্জ্জুননা লক্ষ্য ককপনি। যুধিষ্ঠিরগী ৱাহৈ তাখদা দ্রুপদ, মংতাইবগী ইশাক্তো তাওরদুনা শিংজুনা প্রেম শিন্নগা হায়রকই। হে পাণ্ডব নখোয়বু চহি ১২ চুপ্পা খিবনি, কণ্ঠলদা ব্যাস মুনিনা লক্ষ্যলি সেম্মীরম্মগা ইরন জিংবা পাম্মুদনা মতা নখোয়বু কণ্ঠিংবগী মমখরসি তৌবনি। হৌজিক ঐনা তৌরবা থককী মহৈ মাল্লে হায়রগা, দ্রুপদ পাংথোকখাংগৎচুনা অপোই শাখি। ধর্ম্মরাজ নখোয়দি সহায় লৈতবগী মতম কুইনা মারুবে, মতাং অহুনা ভাব তানরমা ওইরবদি অপুম থোক্নমলোইদবনি, লাও ঐ কোনগে হায়চুনা দ্রুপদ পাম্মুম তিংচুনা চংলকই। পাণ্ডব মতা পঞ্চাল নিংথৌগী মাংদা মণ্ডবত তাজখি, দ্রুপদনা ৫ নু মথং মথং কোজি পাণ্ডবপু ফংজদা সভা মীয়াম জয়ধ্বনি লাওরকই কুশ্ম করা সভাদা লংচুনি। সভা মচিন্নগা অমুকী চাব থকপা লোইশিনচুনা দরবার সভামুক কম্মে, পাণ্ডবকী বিবাহ স্থাওগদবগী জগতকী সিদ্ধ ঋষি মরাম দরবারগী হোজংদ থংগরে। নিংথৌদা ঘাটীদা পাক শিরবদা পাত্র মল্লি থোক্লগা, ব্রহ্মসতা পুক্লিকগ্নুনা আসন থাই মণ্ডিক চানা পুজা লেকচানগা ভক্তি তৌখম্ব। ব্রহ্মা সভা কম্মে পঞ্চাল নিংথৌনা পাণ্ডবকী মকমদা হায়রকই, যুধিষ্ঠির ইচাগী বিবাহবু পাংথোক্লপে, ঐগীদি মতা নখোইসংধি ওইজবা অদুতনি। ইবুংঙোহন্দা লেজ্ঞগদা, তীমকা লোংগুমা, অর্জ্জুনদরা, নকুলদা, সহদেবরা, হায়রো, হোংঙ্ হায়বা অমদা লোংতরম লাম্বরকই। বাকম অসিদা যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই, মহারাজ নচা ইবেম্মসি ৫ ঐখোয়গী পুম্বা য়োংলম্মী। মকমদি মতাং ইমানা নচিন-মনাও ৫ পুমা কংগিরকো হায়বীথরে, মখদি

ইচিন্নাও ঐখোয়দি পুক্নিদা ইমাগী য়াথং ঙাক্না চৎপনা ধর্ম ওইরগে লেপচৎ্ববনি, কারণা য়াম্ভে। ধর্মরাজগী বাকবসি তাবদা, ক্রুপদনা হায়রকই যুধিষ্ঠির ধর্ম খংলবা মহাক্না, অধর্ম ওইবা য়াকবু করিগী হায়বগে। মতুংদি তমলোই ঙমগতনা চৎনজবা য়াকদি, যুধিষ্ঠিরনা মহাক্ন খংঙনা চৎনজবনু ৫ ঐখোয়গীদি চঙবা তারে। মদু হায়বদি দশ গুরুগী অথোইবা গুরুদি, গুরুগী য়াথং তাকপনা অথোইবা ধর্মনি হায়বা অসিবু শাস্ত্রনা লেপথ্ববা বিধিনি। পুম্বা ৫না হোংবিয়ু। ক্রুপদনা করি য়াখো পাণ্ডব, মপীনা অনি শুরবাদ চারিনী কৌই, ৩ সুবদা বেদ্তা কৌই, ৪ সুবগা শৈথিনী কৌই, ৫ সুবগা অমতৌ কৌই। ইচাবু মপুরোইবা ৫ মী লেবা তোয়্বদি ঙমগতনা অসতীনি হায়নবনি, মন্থ হায়গদ ঐ য়াদিংদে হায়রি। ধৃষ্টদ্যুম্ননু কাব য়াখো ঙমগতবা অপযোগ ওইগদবা, অমত্তুং ইচনবু অসতীনি হায়না নিন্দা তৌগননি বাকবসি য়াম্মোই হায়খ্রে।

মতাং অসিদা ভীম হৌগৎলরুগা মিৎ অনিহু, কোরিশুম ঙাংলগা পাখোম তিংদুনা লাওনা হায়রকই। ময়বায়দা লৈবিন্নিবা য়াজ সভা ব্রহ্ম সভা তাবিয়ু, ঐগী দাদা মহারাজগী য়াথংবু থবাই লৈথিনথৈ ঙাক্না চঙ্গে হায়বসি ভীম ঐগী বাশকি। অগুবু পঞ্চাল নিংথৌনা অহৃবলক পুথরে, ধর্মরাজগী য়াথংবু য়াম্মোই হায়খিবসি, অতৈ অতোম্বা মী ওইরম্ববদি মথবাই লৈরম্মোইদবনি। ইকু ওইবদগী ঐনা য়েংঙবননি, মমাগী য়াথংবু মচা ওইবনা তাকদবনি হায়বনি জটিল ব্রাহ্মণনা সৃষ্টিগী অহানবা ধর্মগী ব্যবস্থা থম্মবদা লেপথ্ববা ব্রাহ্মণনত্ত য়াথ্ববনি। অদুবু লাইরিক্তা কবিশিংনা ইরমরুবনু, মুনি সন্তানা লাইরিক্তা ইশিনবিয়ু হায়রকই। ভীমগী বাহৈসি তাবদা মুনি মম্মাদ্মা, কমম পায়দুনা ভীমসেন ইপাখোম্বা লাইরিক্তা কপ্রাম হায়দুনা ইশিন্নখি। ভীমগী খোম্মাওসি কোম্ভুংলোমগী য়াগীগী সভাদা কুন্তীনা তাবদা, বাখোক ওইবা তারে থম্মুনা বৈষ্ণবী ময়বায়দা চেম্থোক্লকই। সভাবু থুম্মকমগা ব্যাস মুনিগী পাদদা কপ্পুনা হায়রৈ, গুরুদেব ঙবাং মমিদাং ইচাশিংনা হল্লকপদা ভিক্ষা বস্তু কংঙক্রে হায়রকপদা চামবা পোৎ ওইরবোই নিংদুনা, নচিন্নাও ৫ য়োম্দুনা কংগিন্নরো হায়লোকখে, মমাইদি পুক্নিগী অরেম্বা বা তাংজররক্রি, মমাইগী বাকম অসি অরেম্বা মাংলগম্রা হংরুজররকই। কুন্তীগী বাহৈসি তাবদা ব্যাস মুনিনা হায়, হে বৈষ্ণবী মহাক্নী হায়খোকপিবা বাকমতু মাংদনবগীমক, মুনি মম্মাম লাকইবনি বজিনো মপীনা ময়বায়দা লৈবা হৌনদে। ব্যাস মুনিগী বা তাবদা মুংঙাইজদুনা কুন্তী ব্যাস থুম্মকমগা হল্লিনখ। ব্যাস মুনিনা ক্রুপদদা হায়রকই মহারাজ মচা কন্তাগী মপোক্নী বাখী লিগে ঙংবো, ত্রেতা যুগতঃ ব্রাহ্মণী কন্যা ওইনা পেকই, মনা মপুরোইবা গুণ চেমবা কনে হায়বগী পজাগী খোংবান্দা শিব নিংই। পুন্না লোইরকপা মতমদা পতিং পেহি হায়মা ৫ মক হায়দুনা নিখৈ, মাগী পুন্না ভক্তিদা পেক্লদুনা মহাদেবতু কাওবিরক্লগা হেংবিত কন্তা মপুরোইবা মতাগী পুন্না লেনা কংজবো হায়না বর পিরে, কন্তানা করি য়াখো প্রভু

মপী মুমনা নিপা ৫গী সেবা তৌরবদি অসতীনি হায়রনি। মহাদেবনা কন্যা নংনা পুন্না লোইরকপা মতমদা ইপুরোইবা কংজগে হায়না ৫রক নি, মতুনা ৫ কংজরো হায়না পীবনি। নপুরোইবা ৫গী সেবা কংওবদু অগত্তা অথোইবা সতীনি হায়না শোননবা ওইসনু। ৫গী সেবা কদ্রবা য়ারোই হায়রম্লগা, শিব অন্তর্ধান ওইখি। কন্যানা মাংতাইতনা গঙ্গাদা প্রাণ অদুম থাদোকখী। অদুগী মথংদা কাশী নিংথৌগী মচা ওইহনা অমুক পোক্লে। কাশী কন্যা ওইরবা মপোক অদুমক মপুরোইবগীদমক গঙ্গাখোংবান্দা লাইনিংহনা লৈ। অদুদা নোংমা ইন্দ্রনে, বায়ুনে, যমনে, অশ্বিনী কুমার অনিনে লাই ৫ লাক্লগা, কন্যাগী মাংদা লেপ্লগা হায়রকই। ইবেম্মা কাশী কন্যা! নংনা নপুরে ইবগী নিংতিবদু ঐখোই ৫ অসিদগী নংনা পাম্বা অমা থম্ম, হায়রকপদা কন্যানা য়েংবদা লাই ৫ অদু কতবা চপ মান্না উরদুনা, হায়কম থংজনা মরু ক্লক্লা লৈরে কন্যাগী হৌ উরবদা লাই ৫না হায়, কন্যা নংগী পুক্লিং খংলে। হন্দক্তা মপোক অসিদদি য়াররোই হায়মুককী মপোক্তা পঞ্চাল নিংথৌগী মচা ওইহনা যজ্ঞদগী অযোনী সম্ভবা ওইদুনা পোকলো, ঐখোইনা ইচিমাও ৫ ওইরগা পোক্লগে, মনো ঐখোই ৫গী পুন্না সেবা কংলো হায়রগা, লাই ৫ হন্লে। পঞ্চ দেবতানা পাণ্ডব ৫ ওইনা পোক্লবনি, কন্যা অদুনা মাগী মপোক্তু গঙ্গাদা থরাই থাদোক্লগা, যজ্ঞদা অযোনী সম্ভবা ওইদুনা মচা ওইনা কংজিবনি। মরম অসিনা নচাসি ৫গী পুন্না সেবা তৌদবা য়াররোই, পঞ্চাল নিংথৌ চিংনরুপগী পাণ্ডব মতাদা পুন্না হোংজো।

ব্যাসকী পাওতাকতু লোইরগা অগস্ত্য মুনিনা অমুক হায়রকই. দ্রুপদ নিংথৌ! ব্যাসনা হায়খিবু'স অচুম্বনি, নচাগী মথক্তা ওইরকপা মপোকী বিরিম্ব লৈরি, মাদু ঐ লিরক্কে তারো। সত্য যুগতা লক্ষ্মী মচা মনিংনা কেতুকী কৌদুনা পোকই। মানা কৃষ্ণ ভক্তি পামজদুনা মহাদেবদা হায়জ, ৫ভু ননাক ঐ ঋহার নিংজগে। ননাইনা হরি আরাধনা তৌজবদা বিঘ্ন লাক্লবা খিবক প্রভুনা চাকাপমু। শিবনা কন্যাগী কৃষ্ণভক্তি পামজবদু উবদা পেনখিদুনা করে, ঐনা তাকপিগনি নিংজৌ হায়খিরে। কন্যানা হিমালয়গী চিংথোং গঙ্গাগী খোংবান্দা, যোগাসন কমদুনা কৃষ্ণবু নিংদুনা লৈজে। নোংমদি সুরভী গোমাতা ঋতুগী মতম ওইরকপদা বৃষভ ৫না সুরভীগী ভুং হন্দুনা লাকই, কেতুকীগী মনাক য়োরকপদা সুরভীবু মিহৌনবগী বৃষভ ৫ অদু মচৈ মচৈ ওনশিনদুনা কমা লাইনরে। লাইনরকপগী শব্দদু তাবদা কন্যা ধ্যান কাইদুনা য়েংজকপদা গোমাতাগী ভুংদা বৃষভ ৫ ইমারবদু উবগা ঈশ্বাসদু মায়ানা ৫মকপু প্রেম লৈরবোইরে। সংস্কারগী মাক্লানা গোমাতাবুসু খুদুম চনবোইরে, থম্মবদা নোকফেৎ তৌরুরে, মাদুদা সুরভীনা শাওদুনা শাপ তৌরকই। কেতুকী নংনা ঐবু নোকরিবদু ঐগীদি জাতিগী ধর্মনি ইকাইরম লৈজে নংনা ঐবু নোক্লবগী দোষনা কৃষ্ণ কংগে নিংজিবদুগী মহুত্তা পৃথিবীদা মী ওইনা পোক্লগা মপুরোইবা ৫গী পুন্না সেবা কংদুনা মীওইবগী ভোগ চারুরো। অদুম্না শাপ তৌরকপা অদুদা কেতুকীনা হায়রকই, গোমাতানা হোম থরগীদমক অদুক কনম্না শাপ পীখিরিবা কারগীনো?

পোযাতানা হায়রকই, ইন্দ্রগী থবাই ৫শো মচিন মনাও ৫ ওইদুনা পোকলগা পূজা সেবা কৌউ। পক থাবী ওইরবসু অগৎনা মংবু সতীগী প্রধান ওইনা লৌখৎতুনা শোয়বা ওইনহ হায়রয়গা চৎখি। কৃষ্ণবু মথুংতা ওইনা সেবা কংজনিংদুনা নিংজবু পোমাতাগী শাপ কংখদুনা কেতুকী কপতুনা লৈ। মিৎয়ুদগী শিন্থরকপা পিনা চেন্থরকপাদুনা গঙ্গাগী ঈশিংদা তারকপদা মনাগী থবাল ওইদুনা মরি মরি তাওথখি।

মতম অদুদা যমনা পাপ পুণ্যগী বিচারপতি ওইবদা হায়রদুনা পৃথিবীদা লাকপা যজ্ঞ তৌদুনা কৃষ্ণ ভক্তি তান্দুনা লৈখ্রে। যমনা বিচার থাদোকখিবদা পাপ পুণ্য থাজনা স্বর্গদা কাররুবদা লাইরৈপাক লৈবা য়াম্রদুনা, ইন্দ্রনা লাইয়ামগা লোইননা ব্রহ্মাদা হায়রুবদা, লাই ময়ামগা লোইননা ব্রহ্মা যমগী মফমদা থংলক্লে। যমদা ব্রহ্মানা কারিগনি মংনা বিচার থাদোকলিবা হায়রকই। যমনা ঐ বিচারপাত ওইবা ঙমরোই, ইমাগবা লাইরক তিনবসু ঙমত্রে। অপাবা লাই অমদা হাম্নীখরো, ঐ লাই নিংদুনা অদুম লৈজরগে হায়রবদা; ব্রহ্মানা ওইখংবা হকচাংদগী মহাপুরুষ অমা শেম্মগা, মংনা ছায়াগী মশক ওইদুনা জীব খুদিংগী মানা মানা তৌবা অক কত্তা লোইনা ইশিন্নু। জীবদুনা শিরগা যমদা লানশিন্নু, মংগী মমিংনা চিত্রগুপ্ত কৌরগে; বংশনা কায়স্থ কুল ওইবু, যমগী লাইরিক তুবা ওইবু হায়দুনা যমদা পিরে। শক্তি মণিপুরদা থুংঙাইনা পালখুরো পিরম্মগা ব্রহ্মা, লাই ময়ামসু হনখরে।

ইন্দ্রনে, যমনে, সুংশিংনে, অশ্বিনী কুমার লাই মত্তাসি হিমালয়রোমদা লাকই। গঙ্গাগী ইচেম্মা সনাগী থবাল মরি মরি তাওথরকইবাদু উবদা, ইন্দ্রনা অশ্বিনী কুমার অনিদা কনানা থাদরকপা থবালনো, পত্নিচয় থঙত্তু ঐখোই অদুম লৈরমগে হায়দুনা থাখি। অশ্বিনি কুমারনা কেতুকীগী মনাক য়োরকপদা মাগী মিত্তগী পিনা থবাল ওইদুনা মরি মরি তাউথরকইবদু উরে। অশ্বিনী কুমারনা হায়রকই, হে ইবেম্মা কন্যা! নংনা যৌবনগী বয়স কজরবাদু অরেম্বদা মাংহন্দুনা লাইনিংইবদু থাদোক্লো। ঐখোইনি অশ্বিনী কুমারনি, ঐখোইগী প্রিয়া ওইরো হায়রুবদা ধ্যান কাইদুনা কন্যানা মহাশয় লাও, ঐগী ইবুঙেঙোদা কাংজরুসি হায়দুনা পুখৎখ্রগা অনিমিনা ঐবু ধ্যান থুগাইবিরে হায়বদা, শিবনা নঙ্গি ভুঙ্জ হাংবগা অশ্বিনী কুমার অনিচু মথুং অনি ভুংথুরনা পুন্নগা থুরবা গুহা মসুংদা ইন্থখ্রগা চৌঙচয় অমনা গুহ তু থুমজিন্দুনা থমখি। কেতুকী কুমথখিদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈখি। অনি অড হন্নবত্রবদা, যম অমুক থারে, যমসু কন্যা উবদা অশ্বিনী কুমারগুম্না হায়রুদুনা কন্যানা শিবদা শিরৈ। যম পুন্নগা গুহাদা থাদখ্রে। ইন্দ্রনা সুংশিং থারে, কন্যাগী মজমমবা শককমদু উবদা কন্যাগী ধ্যান কাররুদুনা সুংশিংসু গুহা মথুংদা দাও কংগ্রে। থাখিবাশিংদু হন্নবত্রবদা ইন্দ্র কারে, শোয়ারেনসু নাম শোজিনবা কন্যাবু ঐগী ইন্দ্রাণী ওইরো হায়রুই, ধ্যান কায়দুনা কন্যানা ইন্দ্রবু চৌঙথক্তা পুখৎলগা কনাদেবদা শিররে। শিবনা শাউনা, ইন্দ্র নংনা মীগী লমচৎকুম', কন্যাগী নাম শোজবু কাইহনবদি মতৌ

কংবিংবদা। যম, বায়ু, অশ্বিনী কুমারশু, শুহাদা মতৌ কংদুনা লৈরি। শিবগী বাক্য কংবদা ইন্দ্র কিয়দুনা, মহাদেবগী চরণদা ভক্তি তৌজরগা মনাই মরিবুশু মতৌ কোকপীবু হায়জরকই। শিবনা নক্ষি ভুক্তিদা মখোইদু থাদোকপিয়ু হায়রে, শিবগী য়াথং কংডবদা নক্ষি ভুক্তিনা, মাই ৪ দু শুহাদগী লৌরংলগা পৃথিবীদু থাদোক্লে। মাই ৪ দু মহাশিববু থুকখজরে অদুবু শিবগী য়াংদা, মাই মহামক কন্যাবু চিংনা য়েংদুনা লৈরে, কন্যাশু মাই ৫ বু চিংনা চিংনা য়েংখি। মতৌদু উবদা মহাদেবনা কন্যাগা মাই ৫ গা পুদুনা, ক্ষিরদশাই নরায়ণগী থাকদা থুংডরে, শিবনা ভক্তি তৌদুনা হঙংলি। শ্রীনরায়ণনা হায়রকই, মখোয় ৫ না মচিন মনাও ওইদুনা চন্দ্রবংশদা পাণ্ডুরাজগী মচা ওইদুনা পোকউ, কন্যা মংমা অযোনি সম্ভবা ওইদুনা দ্রুপদগী মচা ওইরগা ৫ মক্তী পুম্না সেবা কংউ। মখোয়গী মপোক্তুনা ঐশু অবতার তৌরগা, পৃথিবী অক্রমা কোক্নবা ভারত হয়ন লিদা শায়রনি, হায়রগা শব অচৌবা ১ গা অমুবা ১ গা কোইরগা শিবদা পিরে। কেশ অনিদুনা রাম কৃষ্ণ অবতারগী থুদম পিখিবনি, শিব দুর্গাগী শক্তিশু বাসুদেবগা কেতুকীগদা চংখি। শ্রীনরায়ণ থুকমতরগা মাগী মাগী মফমদা চঙখি, ইন্দ্রনা দোবা ভাবা মতমদা যম, বায়ু, অশ্বিনী কুমার, ৪ দা থরাই অমমম কাংদুনা থমখি। অদুগুম্বা ইন্দ্রগী থরাইদু কুন্তী মাদ্রিনা বর নিবা কান্দা, ইন্দ্রগী থরাই থায়দোক্তুনা বর পিরমা পোকপা পাণ্ডব ৫ নি। ইন্দ্রগী থরাই ৫ না ওইরবা পাণ্ডব ৫ নি, মশা অমতগুমবনি মচা কন্যাসিনা কেতুকীনা পোক্রবনি. মরম অসিনা ৫ গী পুম্না সেবা তৌরবশু সতীগী প্রধান ওইপনি। ৫ দা পুম্না হোংদু অগস্ত্য মুনিগী রাধীসি ভাবদা, দ্রুপদনা কংজৈ মুনিদেব ইন্দ্রনা দোবা ভাবদগী, থরাইবু থাদোক্লগা মাই ৪ দা প্রাণ অমমম হাপখিবগী রাধীদু অমুক্তা লিখিখো।

অগস্ত্য মুনিনা রাম মহারাজ ভুম্বা মুনিগী মচা; মসিংনা বিষ্ণু কৌবা মকোক অহুম পানবা মপাখোম ৬ লোংবা অমঃ লৈরম্মী। মচিন অমনা বেদ অভ্যাস তৌই, মচিন অমনা রাম লোন্দুনা মাই লিংই, মচিন অমা সুরাপান তৌই, মাইলিং কনবগী (অভেদ শরীর) থুংনাই চংবা থুকন পাজনবা ওইরে। মচিন অমদুনা সুরাপান তৌবদুনা কিংচাবসিংগা ভিন্নদুনা, শা চাবা মু থকপদুনা কিংচায়াকীতমগী লিচং ওইখিবগী, মসিংশু বৃত্রাসুর হায়না কাওয়ে। কিংচাবগী তেজোল লেমদুনা মাইরৈপাক্তা, লান ভাবদুনা ইন্দ্রবু ভাম্থোক্লগা মাইগী লৈপাক্তা পানখরে। মাইরাম ইন্দ্রগা ব্রহ্মাদা হায়জরুই, ব্রহ্মানা-দেব সভাদা মানা অদুক তৌরকনি হংদমা ঐনা বর পিখে থুংনাই অতৈনা মাবু হাংপা য়াররোই। দধিচি মুনিগী দেহেগী শরুনা লিংদুং শারগা, অদুনা য়ারবনি খিগনি মুনিদা হায়জক্ত ভাক্লে। মাইরাম ক্ষিরদ সমুদ্রগী খোংবান্দা মারুমা মুনিবু থুরমজদুনা হ য়জবদা, মুনিনা মাই নখোইগী কাম্নি হায়রবাদি ঐ প্রাণ থাবগে হায়রগা ধ্যান তৌদুনা দেহে থনম্নগা জীব আত্মানা লিঙ্গ ওইদুনা হরিধামদা চংখি। মুনিগী দেহেগী শরুদু বিশ্বকর্ম কৌরগা, লিংজং অচৌবা মচা কয়া সাগে। দেবাদেবগী থুংম

অহৈথি মধিং বত্র থৌরে, লাইবাক কুহুনা ইন্দ্রনা লাকপা মতমদা, বৃত্রাসুরগী থেব কন্তা, মর্কব কন্তা মাপনবাদাগী থোইদুনা থা মমূগী থোংথান্দা লাকুনা নৈরিংথো ইন্দ্র লাকুনা মরুপা থাদুনা মুত্রাসুর হাংলে, মহিংতাবসিং থৈনবে, কন্যাশিং পুখৎলক্লুনা অমসুং মুরুমা থুগ্লে। হিংচাবা লাইরেম্বক থাজোক্লুনা চেনথি, ইন্দ্রনা মাখেৎ হিংচাবাশিংনা কত্তুনা মাওন্তত্বুনা কুইহাবুনি মাওনা থাজিত্তুনা। ইন্দ্রবু চাকথোক্লগা উৎ ওইহনসনবগী; যোগ শক্তিনা মৈ থোত্তুনা চেনখ্রা থাক্লুরে। অভু উবদা মতৌ তেংশিনবক্লুনা ইন্দ্রনা মাংও থবদা লাইহরাম কাক্লুনা চেন্থে, থবলে, মুর্ছিতবনে, অশিংগী মুখায় ২ নে ৪ অসি ইন্দ্রগা মাপুং চায়বগী ইন্দ্রকুথাথোকপা অতৈরিবা কয়নায়জো হকবরাক খাদনখিংথেদ, মুনিগী থেংহ মতম তৌরকই অভু উবদা ইন্দ্রনা মরাপ থিবগদ লাই ৪ মা হায়ো। খোঙথারগা থেকে পুদুনা নৈরুপ হায়, মথৌয় হৈজো ঐদি অমহোই উৎ ওইদুনা শিরবি, মহাক মুনিনা লাওবা থেংবা মতমদা মথেংনা থাতিং চারগীচিনবিরবা ঐদু অমুক হিংহনবিদু হায়রবদা লাই মরি চেনখি। মুনি মৈরকুনা, অমাওবগী মৈদুনা চাকখেদুনা ইন্দ্র উৎ ওইদুনা শিরে, মুনিনা ঐ ইন্দ্র ওইরে লাইহাক লাও লাক্লুনা ইন্দ্রাসন অমগা চৌথনা কুবকা লাইয়াম থুংজদুনা কুকমগা মুনিবু খোগাল তৌরে, তুম্হা মুনিনা ইন্দ্র ওইবগী হিংচবশিংগা অমিং লাকুনা মুট পাং তৌরবনা, লাইরেপাক অশান্তি ওইরে। নিংথৌ ওইরিবা মুনিমচু লাইরেপাকী শাসনদু হেংশিন্রে।

লাইবাং থুংজইদুনা ব্রহ্মাদা থাগৎলরে, ব্রহ্মানা মচা নায়দ থাবক্তুনা তুম্হা মুনিদা লাকখা হায়রকই। মুনি অংমা ইন্দ্র ওইরগা শাসনি পুদনা লাই নিংথৌনা নৈথোকপদি চুমত্রা লাইরেপাকনি নিংথৌনা রাজনীতি লৈতবগী ধর্মনাশ ওইরক্রে। নিংথৌ ওইরবদি রাজনীতি তাইদনা শাসন পুদনবনি-অদু ওইরব্রবদি নিংথৌ থাদোকউ। লাইমগী রাসি ত বদা তুম্হা মুনিনা হায়, অমি ঐদি নিংথৌ শাকলুনা ওইবা কচে, ইন্দ্রগী মচৎ থেংনিংবকুনা উৎ ওইহনবগী শক্তইকদনা শাসন কয়বনি। লাইশিংবা থাজোক্লগা ব্রাহ্মণ ঐনা শাসন পুদুনা নৈবদি লাকদে, নায়দনা অমদু ওইরবদি ইন্দ্রবু কিংবনু, ইন্দ্র অত্তনা লাইরেপাকী সাসন লাই অমনা পুমত্বু শকলোই। ব্রহ্মাগী পুৎথোক থুগাইরবদি মুনি মহাক তুংদা অরাবা লাকনি; হায়রবদা কিয়ত্তুনা তুম্হা মুনিনা ইন্দ্রগী উৎ ওইরিবকুদো, যোগ শক্তিনা মোনা বরাই ৫ অমুক শাসনগা হাপচিন্নুনা ইন্দ্রবু অমুক মোনা হিংবন্নুনা শাসন মিয়রগা হায়, ব্রাহ্মণবু থওইদবা তৌগনু ব্রাহ্মণদু থাবগী পাপ চৈনবা ইন্দ্র মখি। অদু থবম পাপ কোয়বা মত্তম তৌ থাবরমদা, তুম্হা মুনি মচৎথি নারক্তু। অমথি লাই ৪ মা ইন্দ্রগা মরাইশৌশিজো থারবদা ইন্দ্রনা ঐগীদু মরাই থাজরে লোইশিনরোই অদুদ নৈরমদু হায়রুনা মমখি। ইন্দ্রগী ওইথবা রারী মিরবা শর্করদ্রি, অনুদবা ইন্দ্রগী মরাই থেক্তুনা মতৌবা শাওব ৫ মি, অমতুং অশান্ত মুনিনা মৌশিন্নাগী মকৌ বারী মমিবা লোইবা অমা অদুনা তারৌকাদা বামকুক মনাইগী মুহোরা মাওনবগী, তুবেথশিং মুদুনা

গরুড় ভোংলেগা লেংতজ্জনা পঞ্চালগী হোঙলা থুংজরে। পাণ্ডব মচানা রামকৃষ্ণ ভক্তি কৎলবা থৌগলজজুনা দরবারদা লেংশিল্লকই, ইবেম্মাশিংনা ৱারীগী সভাদা শিখরিণী ৱাগীনা তক্লগা পুশিনখি। রাম কৃষ্ণনা সভাদা লেংশিল্লক্লবদা মুনি মরাম দরবার মীয়াম দ্রুপদ রামকৃষ্ণবু থুরমজৈ। পঞ্চালগী নিংথৌনা রত্নাসন কৎলি, চরণ শেংই, চরণ মৃত লৌই। ষোড়শোপচারগা বর্ত্তি লোইননা সেবা লাংতগা সন্দেশ কৎলি, কৃষ্ণনা পঞ্চাল নিংথৌ আসন্দা কম্মুরো, কৃপা পীবিরে। দ্রুপদ আসন্দা কমজরে. গোবিন্দনা ভাকপীরকই। মহারাজা! জগতকি ধর্ম্মগী ব্যবস্থা ওইরিবা মুনিশিংনি, ভাকপিরিবা ব্রহ্মবাক্য কাইদনা মচাগী বিবাহ পাংথোক্লো, চিংনগনু। মচাদি মতাগী সেবা কংতবসু সতীগী প্রধান ওইগনি, জগৎকী ব্রহ্মণশিংনা মচাগী মথুং লৌরগনি চিংনগনু মহারাজ।

শ্রীকৃষ্ণগী ৱাথং কংতবদা দ্রুপদনা হায়জৈ, ব্রহ্ম সভানসু ভাকপিরে গোবিন্দগী ৱাথংসু কায়দনা হৌজিক হোংজরগে। ব্রহ্মসভা রামকৃষ্ণ মাণ্ডবতা লেংশিনবিরগা ভাবোক ওইবিরো হায়জজুনা থুরমজরে। মরে. চংতস হায়জুনা মাণ্ডবতা লোইনা হোংজিনখ্রে। রাজ অজ্ঞা কংবগা সংকীর্ত্তন, যজ্ঞ হৌরে, পাণ্ডব মচামু মরগী কীজোল হোংত্তে; দ্রৌপদী বেশ অলঙ্কার লোইরগা যাত্রা ভৌজুনা মাণ্ডবতা পুথোরক্লে, পাণ্ডব মচা মরগী আসন্দা কম্মে। দ্রৌপদীগী থুবীগা যুধিষ্ঠিরগা থুদোলথীগা ভীমগা, থুংয়াইগা অর্জ্জুনগা, থুনিংথৌগা নকুলগা, থুনাওথীগা সহদেবগা পুল্লগা কুলাচার্য্য অনিমা পুখল ৭ পেঙন ৭ শাক্তি ওইজুনা মাঙ্গিমুখ শ্রাদ্ধ, মুখচন্দ্রিকা বিবাহ শোল্লগা দ্রুপদনা মচা কন্যাদান কৎলে, কন্যানা মতামকপু পুমা হেৎওইনা ৭রক কোইরগা পুষ্পাঞ্জলী কৎলগা চেকপু মথং মনাও কাইননা লৈ তক্লগা আজ্ঞা কৎতুনা থুরমজরে, আসন্দা কম্মে; দ্রৌপদীনা নির্ম্মল মালা ৫মা পিরমে কিরোই থারে বাক্ষণনু মতিক চামা ২ কৎলে, সন্দেশ য়েল্লে। খুজোংবাম লাইনা অভিবাদা কুপ্পে য়েংজী, লৈ চাইখরকথি। গন্ধর্ব্বশিংনা পুং ঙৈরে অপ্সরাশিংনা জগোই শাখি। বিবাহ লোইরবদা মুনি ঋষি মরাম হনখি, ধর্ম্মরাজনা রামকৃষ্ণদা শাইগনী সন্দেশ য়োম্মগা পাবুংজনা অমুক হৌরিমনু হায়জুনা শিন্নখ্রে। রামকৃষ্ণ বিদায় লোইরগা ইবেম্মাশিংগা গরুড় ভোংলগা হাস্তিনা পাংজকজুনা বিদুরগী ভোজন তক্লজুনা থাজুনা সন্দেশ মথোম অন্ত গোবিন্দ লেংশিন্মুনা মাংজোন পাণ্ডব মচা মচাম অর্জ্জুনবা লক্ষ্য কল্লগা দ্রৌপদী ৫মা পুম্না মুনিশিংনা ব্যবস্থা পিজুনা তাঁর নুহোংজে। দাদা মহারাজ অশোকপগী সন্দেশ পাবুংজনা য়োরিমু হায়জুনা ঐতোম্বা পিরকই ঐদি চংনিংজে, মাখাজোনদা থব য়োখিয়ো হায়না বিদুরদা শিন্নরে, বিদায় তৌরগা কৃষ্ণ লেংথোকজনা গরুড় ভোংতগা দ্বারীকা লৌখি। বিদুর কোল্লুং চংজকজুনা দাদা মহারাজ পঞ্চাল কন্যা ইমৌ ওইজুনা ফংজে শাইগনী সন্দেশ পঞ্চাল নিংথৌনা ভম্মকপনু দাদা মহারাজ হায়না য়োনবা কৃষ্ণদা ভগলকতুনা মনাওদা লিন্নম্মগা গোবিন্দ দ্বারীকা য়োল্লে, কন্দবি হায়না ৱারী ভৌজুনা সন্দেশ কৎলম্মগা বিদুর মখুৎতা হনখি। ধৃতরাষ্ট্রনা খক্কায়দা ৱাগা থমজিন্নু, মখুথো পুংতগা ইকা ইথোত য়োরকখিনসু মহুগা অবদ্ধনন্দা

হেনবসি। রাজাগী অজ্ঞা মতুংইন্না রাণীনা থমজিনখি। দ্রৌপদী বিবাহগী বারী অসিদু পুরিং চংলা তাজবদা নল চাওখংগা অমত্তং পুণ্য কংগনি শ্রীব্যাস বাক্যনি। ব্যাস বাক্যদি লৈবরা বেদ বাক্যনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায়

পঞ্চ পাণ্ডবপু বিদুর থারক্তুনা হস্তিনাদা

লোইহনুরগা মণ্ডাগী লল থাইদুনা ইন্দ্র

প্রস্তুদ কোনুং শাবগী বারী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়না হায় জন্মেজয় ! স্বয়ম্বরগী লান্দা শিখিবা ময়ামচুবু, রাজ অজ্ঞানা সংস্কারনচিংবা লোইশিনখি। মুহোংবগী মোং ভারকপা হুন্নি শুবা মুনিহুভা, হস্তিনাগী দুর্য্যোধন থুংওয়ে অক্ষৌহিনি ১১ দগী ৪ শিহোৎনা ৭ ভমক হল্লকই। দুর্য্যোধনা দূত থারক্তুনা অন্ধরাজদা পাও হনংহনখি, মচা ইবুংঙো য়োবক্লে হায়বা পাও কংবদা পঞ্চাল কন্যাবু মথৌ ওইদুনা কংওকপগী ভাবতা ভাণ্ডারিদা য়াথং পিদুনা, লবীদা চন্দন চাইরে লক্নু চু থাদুনা মঙ্গলগী থৌগলগী থৌরাং তৌখি। দেউটি ওকুদবগী থোজংদা ভাইতি, ধৃতরাষ্ট্রনা ইচাগা ইমৌগগী লোবা লাংকম কোক্লবা শেল চাইবু হায়বদগী থৌরাং ভাইদুনা লৈবদুনা দুর্য্যোধন য়োবকপগা, দেউটি চমথংদুনা শেল চাইবা হৌরক্লগা জয়ধ্বনি লাওনয়কই। মতোংদু উবদা দুর্য্যোধনা বৈ হৌবগুম শাওদুনা চজিন্নু লাওবদা কিনদুনা হজিনখি, দুর্য্যোধন দরবার য়োরক্তুনা অন্ধরাজবু, পাবুং মচা য়োবক্লে হায়দুনা থুরুমহৈ। ধৃতরাষ্ট্রনা দুর্য্যোধন ইচাদি লাইবক কৈ ইমৌ দ্রৌপদী য়োবক্লবরা! অউমপোৎনা কয়ামুক উন্নকই। অন্ধরাজগী বাকমচু ভাবদা মীয়াম ওক্লরে, দুর্য্যোধনা পাবুং রাজকন্যাদি কংজরক্লে, স্বয়ম্বরদি লাজাও অমা থোক্লদুনা মচাগী তেংঙ্গাল অক্ষৌহিনি ৪ চুম শিহৌরে। পাবুংনা তাকপিন্নিবা বাকমসি মচা ওক্লা থোক্লে, মচাগী বা ভাবদা অন্ধরাজনা বিদুর কৌশিল্লগা ইনাওভোন ওরাং মংনা সন্ধ্যাগী মতমদা রাম কৃষ্ণনা পুবিন্নকপনি কায়দুনা ইচা মুহোংবগী, অপোকপগী সন্দেশ মরোম ১ পিরমখদ্ মবুথৌ য়োবকত্রি হায়দুনা মরোমদ্ থোক্তুনা থম্মী। কমদৌরিবনো ভোবা? বিদুরনা দাদা মহারাজবু, মাদ্ অর্জুনা লক্ষ্য কক্তুনা পাণ্ডব মণ্ডাদা পুন্না হোংঙে। রাম কৃষ্ণ মুহোংবা রাওরুবদা যুধিষ্ঠির মচানা, পাবুংনদা য়োবিরম্ভু হায়দুনা রাম কৃষ্ণনা পুবিরক্তুনা ঐভোন্দা শিন্নবা মাকন্দা থন্না য়োবিরো থবা থেওথরে মুহোংবা

চহজুমগী খুদি অতোপ্পা ফাওরে, ঐগোক যৌথুগে হায়দুনা অজুন লেপখরে অজুননি অত্তা। বিল্লগী ফাদি তাবদা অন্ধরাজনা খুদম চাকপা নিজো হায়দুনা চহি ১২ তগী পাণ্ড বগীত্রবা পাণ্ডব শিরমফিরোইরে। মতম অজুক কুইনা কপাইদা লৈরমরবনো হায়রগা ধৃতরাষ্ট্র ভুমিন্না লৈরে, দুর্যোধন কোক্লা মত্ত তারকপগুম বাখি। দুর্যোধন, কর্ণ, শকুনি, শৌবল, দুশাসন থমমকই, দুর্যোধনগা মাগা ইত্তাও ঐগী যেক্কবা পাণ্ডবনা হিংডবসি কমদোরগা খাংহনগে। কর্ণনা ইত্তাও ঐনা হংবদা মাদা, ভিক্ষুর ব্রাহ্মণনি হায়বা মতুনা অশেংবা তাক্তে, অদুনা ঐগু ব্রহ্ম বধ পাপ কিন্তুনা হাংলকত্রবনি। অর্জুননি খংড়দ্রবদি মতক কজুনা খানররগমরনি, তৌঝিক্ক পঞ্চালদা কাম তাবাসি। শকুনিনা লায় তেকাস পাণ্ডব থেমনা কোরখা, চানবা পোংতা হু কপ্পগা পিজুনা হাংদি। শৌবলনা হায় তেঞ্জোল হোজুনা চৎলগা, খাইংদা লোয়া কোইরগা পঞ্চাল কোম্মুগা লোইননা থৈথ দুনা হৎলাস। মতো অদুম্না যাদী যাদী অপাবদু হায়নরকক, দুর্যোধননা হায়রিবা রাকমশিং অম ঐ যানংরে, পাণ্ডবাস থৈ থাবদা হু পিজবদগু শিক্ষে হায়বা খংরে। অদুগা পাণ্ডবাক্ত ঐনা যেক্কবিবদগী মযুম পাজবনি হয়বা মাই, ভীমবু হু পিজবা হাকতক্কা মুত্রানা, মুহি মাল লুহোংই। মযুম থৈ থাবদনা দ্রৌপদী হোংহে, হোজকনক লাম হৌরগা অরোনবদি তৌরবোক কোংনা সনাতন ধর্ম্মদা খেংনরগা যেক্কবা পাণ্ডব পৃথিবী খমনবা অশিনা ঐগী অপাখাল। কর্ণনা দুম্মি বন্ধু পাণ্ডব লোইগে লাম হৌরসি, কর্ণগী বা তাবগা নহারোল মথৈ লাদ্দা লেপ্পরে। মথোয়গী বারেপতু তাবদা ভীষ্মনা হায়রকই—কায় দুর্যোধন, কর্ণ, ঐখোয়বু করি ওইনা খালি, লক্ষরাজবু ভীম অর্জ্জুনগী মপুত্রা মাইথিবা নথোয় মথবাই শিনিংবদুনা চেন্নবা অক্ষৌহিনি ৪ মাংহোরবান করি তৌজবা তম্মী। হোজাক্ত প্রতাপ চাওরবা পঞ্চালনস্থ মচং লেপল্লবদা, কায় তম্মুগদোরবা ভুমিল লৈযু নরা লোরোই। ইচা নিংথৌ কায়গী ভুমিন্না লৈরবা। লাজ্জবা নচা ৫ পোক্তখনি তাকপগুম নচাগী খুজন ইন্দুনা, বায়নাদা লাপথোকহন্নগা নচাবু রাজ আসন পিবানি। অদুবু নচা ৫ দা অপোকপগুম খন্দুনা নয়াখং ইনথিবনি, জতুগৃহ শারগা থৈ থাবগী থৌশিন্দুনক্তি নহাক যাওরমগনি নিংদে। লৈপাক্রদি মপামচা তামরগা পাণ্ডব হাৎপনি হায়বসি কোংনা হায়নগ্রবনি, অদুবু লাজ্জবনা পাণ্ডব নিংলগ্নে পাণ্ডব যেক্কয়বাদ মরু কংনা মুৎকনি। যেক্কবগী শকুনা ৫ বু খুংশবা উৎতুনা কৌশিল্লগা নচা ৫ গী, শকুক থাইরগা পালহম্ম, অদুম তৌরবদি নিংচৎ থিবগু কোকান শাগেগী মরুদু ওইগনি।

ভীষ্মগী ফাকপসি তাবদা ধৃতরাষ্ট্রনা হায়রকই, দুর্যোধন, নথোয় মহারোলগী বাকমদু ইপা ফাজিংবে পাণ্ডব যেক্কগা যাংরোইগ ঐন কৌশিলগনি হায়রগা অন্ধরাজনা বিদুরদা হায়রকই, ইচা ৫ বু কোক্কবা তবক্কদখনি ইনাওদান ইচা ইবৌ, ইনাও দ্রুপদ রাজ রাণীগী আজ্ঞান পুথো। দ্রুপদগী মণিমতুগা লোইননা সন্দেশ পুরগা পেমবদুনা থোম্মা নিরগা পুরক্কই,

হৌজিকসক চৎলো। হায়না হায়থং পিরে। অন্ধরাজগী হাথং মতুংইন্না বিদুরনা লাংজনা রথনা হাপতুনা লাকল লোইরগা পঞ্চালগী অন্ধরাজ থুক্ননঙদুনা মথ তোংলগা যাত্রা তৌখরে। মথক্তু হুংলিংকী মাং থাদুনা থৌরকপনা, দ্রুপদনা পাণ্ডবশিংগী হৌজিক ফাওনা পংথোক্লি। অধুম ওইনা দ্রুপদ নিংথৌনা হাস্তিনাগী বিদুর লৈরকখ, পূর্বদ্বারদা পুংজোরে হায়না মঙংলি, পঞ্চ পাণ্ডব মতোন লাকই ঙাখনা থৌগৎপিদুনা তেংবাংলকই। মা খুরাতোন খুমাতোন মথং কপতুনা চেনশিনখকই, বিদুরমক্তা মতা অমুক যুধিষ্ঠির, ভীমসেন, অর্জুন, নকুল, সহদেব মতোন লাকখ হাইরগা চেনশিন্নরকপক্তু থৌনা থনাওনা পুংশিন পুইংক চুক্না কাঙ্গং শিনক্তা মমা মচা চেনশিন্নরকপা মতোংদগী থনা মঙবক্তা তাথা বিদুরনা মখোং মখোং কোৎলগা চুপ্লে। মদুদা মথং নিংশিংলগা, মাওরকপা পোৎশক মতোংদু মরমনা থুম্মকই।

বিদুর মচা খুরম্খা ইরাই মপুংতো মহারাজ মনেমা খুরমজরি লেংলকপা, দ্রুপদ নিংথৌ অনিগী থৌরাংদুনা লৈখবমু, মখোয়মক্তা নুংঙাইবা ফীরাংনা চেঙক কেঙখগা অমগা ফারমে। বিদুর লাকই ঙাখনা কুন্তী মচানা থৌরখুনা, (দ্রৌপদীক) অমক মচুতো হায়না কপতুনা চেনশিন্নরকই। বিদুরনা ইমা পাকপা মতৌনা হায়না কপ্পা মঙবক্তা তাথ, কুন্তীনা বিদুরগী কণ্ঠদা কোন্নগা কপ্লম্লি, মতোং উবনা মীয়ামক্তু থেম তৌথ। খোংচৎনরগা বিদুরনা পোৎশৌবক্তু পোৎথোক্লগা, রাণীগী অজ্ঞান অমিক্তু কুন্তীদা চত্তনা অমা অমা, মখোয়গী লেহৌবীপা লোতোংবক্তু হায়জনা নানা মহারাজনা পিরকপানি পাংজনবীংরে। হায়না শিমরে, কুন্তী অঙকাক্তু পুরগা রাণীগী মচা থোংশিনদুনা মখোনা পিন্নাখ। অতাগী রাজবেশন চেংদা শিমরে, মশেল খুদোলপোৎশা দ্রুপদনা, মাদা মহারাজনা হরাও মহারাজগী জয়জয়রকই হায়দুনা কৎলে। বিদুরনা অমুক হায়জরকই, চাং ১২ বে চাকপদা লিপক্লে লৈনখ্রবা মমা মচা ৬পু লৈনা অমুক পোক্লকপগুম পঞ্চাল নিংথৌনা পুথোকপীরক্লে তাবদা থেখা হচা হৌরো থৌরকএয়লে, চ রনোহ থরুরোহ হায়দুনা রাজরাণী লৈরোরে। এধু হৌরাহ হৈদুংতেংনগী লিচক ঙক্না হচা হরো লক্ক হায়রগা; লাকচদবনি চানবিদুনা পিনবিয়ু হাস্তিনাদা পুজরগে। বিদুরগী রাহোল তারগা দ্রুপদনা হায়রকই, লৈরকখ মত্রি রাকমক্তু ইশেন্দা তানবা ওইনা রাকব অমা হায়জাখগে। মচাশিংগী বৈ চাকপগী মরমদা জতুগৃহ শারগা মপা মচা তামদুনা পাণ্ডব হাৎপনি হায়না, লেপ্পাক্না তাংনাখ। মদুবু অন্ধরাজমক রাওরমপানি হায়রবদি নিংদে। দুর্যোধনগাদ মেক্কররকলানি, মরম অসিনা হাস্তিনাদা লৈবা দুংতাইররোই, এগী পঞ্চাল লৈপাক তংথাহ অমা থাইরগা পাকহনগে থাক্ল। হৌজিক্তি ইমাক ওইরবনিনা, হাস্তিনাদা মচানি পুক্রগা অমুক মেক্কররকলবাদ এশু তুনমা লৈথোকপা তম্মরোই। অদু ওইরবাদ সূর্য্যবংশ, চন্দ্রবংশ শাগে অনিস, মোংখনরবাদ মক কংনা মাংনবা ওইরকনি; অদুবু এনা হায়বনমু ওইবাদ রাজোই নচাশিংগী অপান্দবঃ লেপকদবনি, মরম অসিনা ইমাকশিংগী রা তারাস, ধর্মরাজ ইমাকী রা অরেম্মা ইকু তারগে, নঙোনগা এগা

কাম্লারিবা বাকচদি মখোয়গী অপাখা মত হায়রো। দ্রুপদনা বাহৈসি তাবদা যুধিষ্ঠির মখুমু ভক্তি তৌজরগা হায়রকই, ইকু মহারাজনা ভাকপীরিবা রাকম আসি ঐখোয়গী ইরাইবক করনি। অদুম ওইমরক পিতৃবত্ত ওইবা অমনুং চপা শকুনা য়েকশীরকপা ইবুধৌ, খরাই কনবিরকপা ইশা শকপা ইচোর, ইপল, ইরাল, গুরুবর্গগী সেবা লাইবকথীরবা পূজিদা পামচে। মরম অসিনা ইকুনা চানখিদনা বিদায় পিজবিয়ু হস্তিনাদা চৎকদগে; ইমাদগী কুণ্ডাইসদবা য়েংদনা পূজাসি লেপখ্রবাদ, পিতৃবত্ত লৌমসংরবা গুরু সেবা তৌহোরবাদ মপোক খুদিং লাইবক থিরবা তারে হায়জরকবি। যুধিষ্ঠিরনা ধর্মশাস্ত্রগী মতকা লোইনবা বাকমত্ত তাবদা, য়াবরোই খংহুনা পঞ্চাল নিংথৌ মচা ৮দা নচলগী (যৌতুক) অউনপোৎ ৫ মঙা শুনা লাংগু হায়না য়াথং পিরে। হৌমং তারে দরবার হস্তরে বিদুর মচা ৫না পুসিনাখদুনা, মখৌনা হৌরগ! কৃষ্ণদা কৎলবা প্রসাদ কানিরদনা অহিং পোথারে। মোংতারে মহে মহে চাবা থকপা লোইদনা দরবার সভা তিরে। দ্রৌপদীগী অউনপোৎ মণ, শগোল, শামু, রথ, দাস দাসী, লিক কোন, বস্ত্র, অলঙ্কার, শয্যা ৫ মঙা শুনা লাংগে। দ্রৌপদী মমা সুমিত্রী পাণ্ডবশ্বরী খুরুমজদুনা বিদায় নিজে, রাণীনা প্রেমবিদায় পিরে মবুং ৮ গুরুবর্গ ভক্তি বিদায় লোইরবদা পিতা নিংথৌ খুরুমজরগা বিদায় নিজরে।

দ্রুপদনা মচাবু মাল্লগা ইবেম্মা (পতিরেকং গুরু স্ত্রিনাং) শাস্ত্রগী বিধি কাইদনা, গুরুজন সেবা কাইগনু সূর্য্যবংশগী গুণ মরেং তাহন্দনমু চৎলু; সতীত্ব ধর্ম্ম ভাকউ। ইচানা হেন্না খংবীনি মঙল ওইয়ু (পাভ অনুমৃতা) মপুরোইবগী ভুংইববনা মুপীগী অরেপ্পা ধর্ম্মনি, য়োথরো, মতম পুন্নবক্তা নপুরোইবগী মঙল ওইনবা শ্রীহরিবু কাওগনু হায়দুনা বিদায় পীরে। দ্রৌপদী পিতা দিক্ষা গুরুগী পদধুলি লৌজরগা, মনেম বৈষ্ণবীগা রথ অমদা পুলপ তোংলে। পাণ্ডব মঙা মকু খুরুমজদুনা বিদায় নিংজে। দ্রুপদনা মমাক মঙাবু কোল্লগা বিদায় পিরে, পাণ্ডব লোনাই অমমম তোংলে, বিদুরনা দ্রুপদবু খুরুমজে, পঞ্চাল নিংথৌনা কোল্লগা বৈষ্ণব! নচা মঙাগী কনবা শিনাবমু, চৌবিরো হায়দুনা বিদায় পিরে। বিদুরনা রথ তোংলে, ধৃষ্টদ্যুম্ননা তেজোলগা লোইনজা মচমগা রথ থৌরগা যন্ত্র বাজম তৌদুনা থিন্দোকলকই। সকরগী সিমানা লোইবদা ইকেন্না ইমুং লৈবৌরগে মঙল ওইয়ু, ধর্ম্ম ভাক্না চৎলুকো। দ্রৌপদীনা মবুংবু খুরুমজে, পাণ্ডব মঙোল মঙাসা প্রেম বিদায় লোইনবগা ধৃষ্টদ্যুম্ননা হাজিলহৌরে।

বৈশম্পায়না হায় জন্মেজয়! মবুধৌ মঙা পুন্দুনা লাকইবা বিদুরনা মুমিং হুমনিদা হস্তিনাদা থংগরে। দুত ৫ থাগৎলকনা অন্ধরাজদা পাউ কৎলরে। পাণ্ডব য়োরকপগী পাউ খংবদা ধৃতরাষ্ট্রনা পাণ্ডব ওকনবা পাওতাক পীরকই। মীয়াম্না মঙলগী থবক কজনা লাণ্ডগা পাণ্ডব ওজুদবগী মীয়ামমু ভাইনবি। পাণ্ডব, বিদুরগা য়োবক্লবদা মীয়াম্না দেউটি মঙল ওক্লগা প্রেম তৌনখরে, গন্ধারী পুরনারীগা লোইননা কুন্তী, দ্রৌপদীবু ওকখি। মমা মচা ভক্ততা বাণীবু

থুরকৈ। গন্ধারীনা মচা ৫, মনাওহুৎপী কুন্তীবু কোয়গা কপ্পী, প্রেম তৌনরগা কুন্তী দ্রৌপদীবু য়াওনী সত্তাদা পুশিনখি। মচিন মনাও ৫ বিদুরগা লরবারদা চংতকতুনা সভা থুরম্লগা, অন্ধ রাজগী মাংদা লত্তবত তাক্কতুনা পাবুংহন নচামচা দ্রৌজরক্কে হজাচ্চ। অন্ধরাজনা মচাবু মথং মথং কোয়গা কপ্পুনা হায়রকই,—ইবুংঙো ৫মক মতম অট্টক কুইনা খুগুনা লৈরবাদ ইপনবু খুগ তাব লৈবনবা? ইপনাদ নথোয়বু পিতৃস্বত্ত কংহল্লিংদুনা নিংথৌ শেবনি। মৈ চাকাখৎদা জতুগৃহনি হায়নখি। মহী কত্তবগা তাহ্নতুনা তোথিবা ওহাখরবা য়াও, নপন মজ্জান ঐথোয়াদ থংহোজ্রে। মজ্জান মপন ঐথোয়বু পুংতাইতবা তোপথ হায়রব্রবদা, যুধিষ্ঠিরনা হায়জরকই— পাবুংকন, মনাই ঐথোয় হুংতাহৎবা লৈজদে। গ্রহগী দযানন, দয়া কেক্রবা চাহ ১২ অসি তীর্থ কোইজক্রবানি হায়রগা মবুথৌ, গুরু, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব থুরমজরে, মীয়াম পুম্নমক হুংতাইনরে। হস্তিনা প্রজা পুম্নমক পাণ্ডব লাকলে তাবদা নরবায়দা লাক্কনা পাণ্ডব উন্নখি।

থুদক অদুদা দ্বারীকাদগী রামকৃষ্ণ সাত্যকি গরুড়ধ্বজ রথদা তোংতগা থুংতরে। রামকৃষ্ণবু মীয়াম্না থুরমজে, রামকৃষ্ণনা অন্ধরাজবু থুরাম। পাণ্ডব ৫না ইবুংঙো আনবু থুরমজরগা আসন কংতুনা, সন্দেশ সেবা তৌজে। শ্রীকৃষ্ণনা হৌদোরকই, মাঙাংদা অমমুং মবুথোনচিংবা শাগেপ্প অহন লমমা, ইয়াম্বা ইনাও ৫গী কারি থম্নবিরিবগে হাস্তনাদা কুইনা লৈহনবাদ য়ারকলোই। গোবিন্দগী রাকমসি তাবদা ভীষ্মনা ইচা নিংথৌ, হাস্তনাগী লনথুম বৈভব অসি পাণ্ডু মনাওনা তাম্নবনি মচাগী শরুক য়াওরি। শরুক ৩ থোক্না য়েম্নগা শরুক অমনা ইচা ইমোগ থাকউ, শরুক ১ না নচাশিংগী ওইসনু, শরুক ১ না মচা ৫ দা পিথৌ অস্নুম্না হায়েন তৌরে। ধৃতরাষ্ট্রনা তীষ্মগী য়াথং কাইদনা শরুক ৩ থোক্না, পাত্র মন্ত্রিবু য়েনহল্লগা পাণ্ডব মচাগী শরুক ১ পিরে। যুধিষ্ঠির অদু যুংতাকমিন্নতুনা, দ্রৌপদীনা চাক হৌয়গা, রাম কৃষ্ণদা চাক কংতুনা পারিবেসন লোইরে। ধৃতরাষ্ট্র, গন্ধারী, কুন্তী, বিদুর, পরাশরী, বাহ্লক, সোমদত্ত, ভীষ্ম, পাণ্ডব ৫ গা রাম কৃষ্ণগা ময়াম কংমিন্নরে, দ্রৌপদীনা অৱাৎপা সেবা তোজতুনা পুরণ ওইনরে। আচমন মুখ মুধন তৌরগা আনন্দা কপ্পরে, হৈ-পানা সেবা লোইরম্মগা যজ্ঞশ্রেনী প্রসাদ কংজখি।

অথিংদু যাগী যাগী জাগাদা হন্নতুনা পোথানখি, রাম কৃষ্ণ ৫ না সেবা তৌদুনা পোথাকমরে; নোং ভারে ভস্তা চাবা থকপা লোইনদুনা দরবার কপ্পরে। পাণ্ডব ৫ অন্ধরাজ থুরমজদুনা বিদায় লৌজরে, ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপ বাহ্লক, বিদুর ব্রহ্মণতা থুরমজরে। অন্তঃপুরদা চংদুনা গন্ধারী থুরমদুনা বিদায় লৌজরগা, রাম কৃষ্ণ লোইনদুনা কুন্তী দ্রৌপদী দাস দাসা শগোল শামু যণ ইরোই উট, মরম শোং পুম্নমক্না পঞ্চ গ্রামদা যাত্রা তৌরকই। পঞ্চগ্রাম য়ৌরদুনা জাগা য়েংতগা শঙ শাদুনা লৈরে, পাণ্ডব য়ৌরকপদা পঞ্চগ্রামগী বাল বৃদ্ধ যুবানারী ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লোইনা লাক্কদুনা প্রেম আনন্দ ওইনরে। অথিং লেপ্লে নোং ভাম্নবদা ভীমনা মচা ঘটোৎকচ কোই, পিতানা কৌরকপদা মমা মচা থম্নদুনা কোদুং ভাক্কবা পাত্র মন্ত্রিদা শিন্নরম্মগা মনাই

নিপা ৫০০ গী মনাগা রথ তোংদুনা, মনা রুপা চান থকবা পোৎ মপা মতোননী, খুৎলাই পুদুনা ময়া মরুপী শক্তিনা পাংদুনা লাক্লে। পঞ্চপ্রাণবা খুংজদুনা রাম কৃষ্ণবু খুরুমজৈ, মপা মতোননী খুৎলাই কৎলগা খুরুমজরে, মখেক্তৌ খুরুমজী পোৎকপা মনা রুপা পোৎ পুবদনা ধর্ম্মরাজনা কর্ণশাংলি। দ্রৌপদীবু ঘটোৎকচনা খুরুমখী, হিরম্বীনা মবেমবু খুরুমজৈ, পাণ্ডব মচা নাকপদা চুংখাইরে, ধর্ম্মরাজনা কোন্নু শাবা লোইশিনকাওবা মনাগা মখোয় লৈরো বাবদুনা লৈকয় চাকম লেংদুনা লৈরে।

বৈশম্পায়ন্না ;জনমেজয় শ্রীকৃষ্ণনা দান মহারাজ, কোন্নুং শাকথনি হায়বগী বাংনা বতিনা শাৱদুনি ইন্দ্রপ্রস্থদা শায়াংস হংদুনা খুবম জগী মাকখা তেমবিবা ইন্দ্রপিথিগী নকথদা লেপ্পরে, অমগা অপুক্তা ৬কনী হয়বা লমচু য়েংদুনা লৈরবা প্রজাগী খুৎকম চানা নম পিদুনা হোংখোক্লগা, মকমচু উপাল রাপাল লোখোক্লুনা বলরাম কৃষ্ণমক মাওনা অতোং অকুৎ তেমজপা লৈর খাদুনা লৈতেম মায়না লেপ্পে। সিহি মতিক চানা লাংদুনা চেক-থং খোৎ পৈরগা, অকবা ভিথি দত্ত লগা সহদেবনা য়েংগা বাত্রা হন্দুনা শ্রীকৃষ্ণনা মওং তাকই, মিহিলিংনা লাগৎলকই। গোবিন্দনা, দাদা মহারাজনা পানবা কোন্নুংস, ইন্দ্রগী কোন্নুং বৈজয়ন্তি নগরগা মওং মতৌ লৈরোং মায়কলগে নিংদুনা তাক্লগা লাহাক্ত চাওখং হৌই। মণিমায়ওব লোইশং পুংগ লইজে, চেকপান হোংখং পুঞ্জ খাওমপাং নবলাব, বৈখোল লৈখোংক রাজমাতাগী মাপীগী ভীম অর্জুন নকুল সহদেবগী গৃহ শুনা শাবকপাস খা ৩ দা পুমলোই লোইরে। কোন্নুং অপিগী মথিং, শ্রীকৃষ্ণনা ইন্দ্রপ্রস্থপুর হয়না খোংলে, তিথি অকবা য়েংঙগা মহোৎসব কৎলগা ধর্ম্মরাজবু রাম কৃষ্ণনা অভিষেক তোরে, দ্রৌপদীবু পাটেশ্বরী অভিষেক তৌরগা ; ধর্ম্মরাজগী আসন ওইবা খোংগনি। ভীমনা ছত্র খোংলল নকুল সহদেবনা কাওহয় চামর খোংলে। শ্রীকৃষ্ণনা দাদা মহারাজ যুবরাজনা কনাবু ওইহনবিগে থনবিবা। যুধিষ্ঠিরনা ভীমসেন ইনাওনা যুবরাজ ওইবু, ভীমনা দাদা ইকুংতো মমাওবু কম ওইজরোই, ইনাও ৩ দা গোবিন্দগা তমরগা হন্নীবু। কৃষ্ণনা হায়রকই দাদা মহারাজ মকওইবা কনাস, যুবরাজনে, সেনাপতিনে, মন্ত্রিনে ৩ মনি। দাদা যাইমনা অপাখা অমতাস ওহাবনু, ভীমনা দাদা মহারাজ ইনাও কৃষ্ণস্থ ভাবিবু ঐনা পাহমবাদি নকুলদা যুবরাজ হন্নীবু, স্বর্গীত ওইরবা হপাদা মান্ত্রী ইমনা লাহৈরেপাক্তা পেনবিমসু। সেনাপতিনা অর্জুনদা হাপ্পীবু, মাহনা সহদেবদা হাপ্পীবু, ঐহাক কম লোক্লবোই। যুধিষ্ঠিরনা মাইবা ইনাওনা পাথা অমতাদি ওইহনবিনিংঙে। ভীমনা মনাওদা অপাম খোংলদা অহুম লৈজগে, ভীমনা হায়রবা মতুংইন্না থমবদবু কওব, র কম ওইবনা, ময়া মানদুনা নকুলদা যুবরাজ, অর্জুনদা সেনাপতি, সহদেবদা মন্ত্রি হাপ্পে।

পণ্ডিত ওইবিনবা লৈরকদগী মন্ত্রি পণ্ডিত পুম পুলকমে, প্রায় ৫ দগী মতিক চানা মীৎকপিংবু, মন্ত্রিকচাকা কম পিদুনা থবক পুকনশি। ব্রহ্মসভা নবরত্ন খোম্যা কুলাচার্য্যাপা তাকদুনা হাপ্লে ;

অর্জুনা মথক পুথরক পাংথোকপা লোইরবদা মোংতাক্লে মরমার অমুক কয়বদা যুধিষ্ঠিরনা, মাথ কৃষ্ণগী মফমদা হ য়জরকখি, ঘটোৎকচ ইচাশিনবা নন্দা অর্জুনা কয়াবু উপায় এইহনই। এক চক্রনা নিংথৌ ওইরকবনি ইথৌ অমত্তং থোক্নগা হ বী হাপমিংখি, মত্তিক চাবা রাজকন্যা অমত্তং কনাইরগী হ যক্লসিগে তাকপীয়ু। ধর্মরাজনা হ্রকহনসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়বা মহারাজ! ঘটোৎকচকী ইথৌ রাণী ওইনবা মত্তিক চানবা রাজকন্যাদি মুর রাক্ষসনী মচা অমত্তং নুপামচা। মপুরোইবগী মথক মতম তৌরবা সে কন্যাদু লোইরগা থোংদা হায়খি। অমিত্তবা পাণ্ডবনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পামবা হ য়ী মচম্মু লাক্ত্রবদা পৌ ওইরগা অহানী মথক কোইকাই মমত্ত চানবগী হায়বষবা থেম ব্যাসনা হায়রিন। মসিমু পৌরাণিক পাঙ্গবনা ইম লেপ্পা ইহখি। ইত। হরিবোল হরিবোল হরিবোল।

অধ্যায়

ঘটোৎকচনা মুর রাক্ষস কন্যাবু লুহোংবগী বারী মতাং।

বৈশম্পায়নগী মফমদা জন্মেজয়না হংজরকই, ইবুংথৌ ঘটোৎকচনা কন্যাবু লোইরগা ইন্দ্রপ্রস্থদা কমথোনা লুহোংবগো বরীমু সিবীথো। মুনিনা হায় তাক্লো মহারাজ মুর কৌথ হিংচাবা অদু প্রাগজ্যোতিষদা পামমী, রাজা তৌবা অদু নিংথৌনি। মাদা ব্রাহ্মণগী যজ্ঞ খুপাই লাইবু থৌরং ধর্মবু মাংহনবা হিংসাগী লমচৎনা দুনী অমাং মদ ব্রাহ্মণ প্রজাশিংবু ওৎ-নৈ। মচা থারা পোক্লে নিংথোল অমা পোকই, মমিংনা কামকণ্টা কোয়ি, মত্তিক মরুপ চেন্নি মবে মশিং থৈ, মখোশিং নৈ, কন্যাদু দেবী উপাসনা তৌনা মমানা তাপনী কৌই। কন্যানা চহি ৯ শুরকপদা মমা পিথরে রাণী লৈতবা মতুংদা, অত্যাচার অমুক হেনগৎলকখি। মাগী কণ্ডবা মরমচৎ অমিনা লাইনা মীনা কিনথে। মুর রাক্ষস দ্বারীকাদা লাক্লনা কৃষ্ণ হাংলগা, মাগী দুগী মায়থি মুনগে থম্মুনা লান লাকপদা শ্রীকৃষ্ণগা লাম্না থেংনবদা মাগী রাক্ষস লাম্মী করবরগা মুরগী মথ কাপখাইদুনা তেন থাদবদা মুরমায়া অমাং পাংনা পাইদুনা চেনে, কৃষ্ণনা গরুড়ধ্বজ রথনা তারকনা কৈলাসগী মামাদা ফাওখি চক্রনা মতক কক্লগা হাংলে। মুর হিংচাবমু হাংপদা ইন্দ্র দেব সভাগা থুথক্না খুংহনুনা, কৃষ্ণবু থুরুমজরগা মুর হাৎলি হায়বগী মুরারি হায়বা মাথ কৎলগা ইন্দ্র দেব সভাগা হনখি। শ্রীহরি প্রাগদেশ থৌরক্লনা মুরগী কোক্লুং খুগাইগে লেংশিল্লকপদা মুর কন্যানা দেবীমু আবাহন তৌজরে, থুথক্না কামাখ্যা দেবী খুংহনুনা কৃষ্ণগী পাদদা মনাই কন্যাগা লোইননা ভক্তি পূজা কৎলি। দেবীনা দ্বারীকানাথ তোম্নবী মনাই নুপীমচা আমদনি, প্রভুনা

মপা কন্তখগী খনবীদনা শেখীবু হায়জরক্লে। মনাইগী ভক্তিদা পেনখিদুনা শ্রীবাসুদেবনা, হে মুর কন্যা! নংদি কোন্নুংসি কাইদনা পাজৌ, য়েক্লববু ভয় তৌজৌ, নংগী মপুরোইবা বতিক চাবা ঐনা খাবিরকনি নং সকল্প তৌদুনা লৈজৌ। কন্যানা হে হরি মনাই প্রভুগী মাংদা বাশকচরগে, ঐনা অচুবা অর্থ কোংবা ভমদনবা ব্রাহং হংবা ওম্বা লিপা, ঐবু হেন্না পাজল লৈবা অদুদা প্রাণ কচ্চগে। ঐনা ভম্বা ওইরগনা মবুদা হলহন্দনা ঐনা শিন্থা পিদুনা খবক সুহজগে, হে সত্য কৃষ্ণগী চৎনা শাক্তি খাং চিন্তনা বাশকলে। কৃষ্ণনা হে কন্যা নঙগী বাশকতু লেপ্পা খংজৌ. হায়না বর পিরম্মগা দ্বারীকাদা লেঙখি, দেবীস্তু কৈলাস য়ৌখি। কন্যাগী শক্তিনা য়েকনবা চংবা ভমদনা দেবীগী থৌজাল কৃষ্ণগী কৃপানা, মপাগী কোন্নুং সম্পতি কাইদনা শাসন পুন্থনা পাল্লি; মাগী বাশক অসিস্তু পৃথ্বি শিন খংনা পত্রদা শন্দোকতুনা খঙহনখি। ক্ষেত্রি নিংথৌ মচাশিংদা কন্যাগী গুণ তাবদা কিদনা লাক্লদে, রাক্ষস, দানব দৈত্যাগী নিংথৌ মচা কয়াদি কন্যা পাবদনা লাকপাশিংদু কন্যানা জয় তৌরগা মচা মনাইগুম্না শিজিন্নদনা থমখি।

বৈশম্পায়ন্না হায় জন্মেজয় নিংথৌ! সর্ব্বজ্ঞ ভগবান্না, ঘটোৎকচ কৌশিন্নগা প্রাগদেশদা চৎলো মুর কন্যা কামকতংটাগী পাও নং তারবরা। ঘটোৎকচনা প্রভু মনাই তাজরে ইপা ইপলগী বাখং লৈতনা, পাবুংকনগী বাণী হাপজিনখৈস্ত মনাই বাণী হাপচন্ত্রিবনি। হৌজিক পাবুংকনগী, প্রভুগী বাখং কংজরবনিনা, মনাই চৎচরগা লৌজরগে ঐ নত্তমস্থ, কন্যাগী বাশক্তু খংকন্দুনা মাবু লৃংবা বিনবা লৈরারাই কাইদুনা রাম কৃষ্ণবু খুরমজরে। ধর্ম্মরাজবু মপাময়োনস্থ খুরুম্মগা, মায়াগী শক্তিনা পাররকপনা প্রাগদেশ য়ৌরকনা মুর কন্যাগী হোজংদা খংছরে। ঘটোৎকচনা কাহরকই দ্বারী নবেম্মা রাজকন্যাদা কায়রু, মাগী বাশক্তু খংহনবা ওম্বা য়াওদনুনা লুথোংবিনবা লৈররোই, মগী যেংবনগী বয়সস্তু হৌখিবা তারে. ঐ হোংবিরুগে লাকপনি। চংওকপা বাগদন্না য়াক্লেইদরা পাও লৌরু হায়ররকপদা দ্বারী ঘটোৎকচগী বাহৈ তাবা শককমন্থ উবদা আসন থারগা খুরুম্মী। ওকাক্কং পনবিরম্মু পাও লৌজরগে হায়রম্মগা দ্বারী চেনখিদুনা ঘটোৎকচগী বাকমন্থ কায়দনা কন্যাদা কজংলি। দ্বারীগী পাওমন্থ তাবদা থাজিন্নকউ বাখং পিরে, দ্বারী অমুক চেনখি। লোংবদা কন্যানা মনাইশিং লোংতুনা লৈহন্নগা বাজাং থোই মগুণ য়েংখিগে খন্দুনা মাঙোলংনা রত্ন সন শকয়েং মিংশেল কাংহাই চাকয় সনাগী খাম্বী লৈচন্দন পান্না লাংদুনা খম্মগা লোও ওাশিন্দুনা খজিক্তং কাখোকহন্নগা মুর কন্যানা লৈখোল য়েংগদবগী তুমিন্না খুপতুনা লৈরে। দ্বারীনা লেংশিনবা য়ারখি হায়রনদা ঘটোৎকচ চংওকই, মী ১ কাওবা উদে মাঙোন্দা অ.সন র.জসম্পাতি লাংদুনা খম্মীবন্থ উই। থোংস্তু কংতক তৌরিবন্থ উওদা ভাব ভাই, ঐগী ইত্তৌ য়েংগদমখ লোত্তনা লৈরিবোইরে, ঐগীদমক মামা লাংতৌবসী লৌবিত্রবদী কন্যাসী মবুক শুংশিখনগনী। খুহোংওমদাইদা মবুক সুংশিহনবত্ত কত্তে, লৌবিরগে খন্দুনা সুকপন পন্দনা মাঙোল কাখিদুনা অ.সন্দা কম্মী, লৈপরেং শিজিন্নি চন্দন চাইশিন্নি পান্না চাই হুমাং কায়কপদা

বাড়িরী জননাপুং লেংখোকপা, কত্তাকপাগী নিংখেল লেনুরা, অমসুং চৈথোকই। কাইবার অমর কুনায় কুমজুবা মরুপদা লাকপনি হায়না লানমন্না কৌরানচৈ মনা লেংখোই এথোইবা উচিকখিরাই থজুরা, নিংথাইরবা চৈথেংবাই। ঘটোৎকচকী গুণবু থাজবা কন্যা এ মুরুপা অমুং ফোংদুনা, মহাশয় পরিচয় তাযবীয় করি অকপীবিরুনা লেংবিরকপনো? ঘটোৎকচ কন্যাবোকপা থমসিন্নগদ, অনিগু চিংক নিংকা লেংবিরুপা এবোইবা পুন্নমবী অপ কংনবি। ইবেমা ইমানা পিরবী ইপানা চন্দ্রবংশী ভীমসেন, ঐহাক নিংবা ঘটোৎকচ কৌই, ইপানা একচক্রদা চাকথা চানবা মক হাৎলগা ঐবু নিংথো শেথোরে। রাণী চৈনত্রি রাণীদি ইচানা চিংকক চাকপীরে, ঐনা সুবল থনবদা কন্যা নংগী লুক্কমক এক্রনা লাকপনি। মরমদি, নপুরোইবা থনচৈবা নংনিংবগী মাশক্রবনা, নংগী মাথক লেংনবিরুবা থুপা চৈতজনা! যৌবন বয়স শোথিবা তারে রাণী রাম্বীকপে লাকপনি ইবাঙানি লোংলেসি। রাজ কন্যানা হায়রকই মহাশয়, ঐগী রাজকসি হায়রো পুংলনবীথো. পুংলনবিবা এমমদা থবক শিংজিনদুনা নিংথোযচা কবানু ঐনা থম্মী হাযেন ত্যৌবিরো। ঘটোৎকচনা নংগী রাশকতু হায়রো তারগে। কন্যানা হায় মহাশয় ঐখোন্দা রাহং অমা হংবিরকপা, ঐনা খুবা ভুবজুগনা মনাই ওইবা, ভুমগনা মানা ঐগী ইনাই ওইবা অসিনি। ঘটোৎকচনা কন্যা নংগী রাশকতুদি পাংথোক্লিনা, অছু ওইরবদি হায়না হোংবা মারে, ঐনা চনবা পাখোংদি মংনা লোংবা ওয়রোই। কন্যানা চনবীরক্লো, হিরম্বীগী মচানা চঙগে তারো; নিপা মুপী মুম পানবদা মচানিপা অমা পোক্লে, মচানিপাদুনা চহি ১৫ সুবা মতমদা মচানুপী অমা পোক্লে, মচানুপীদুনা চহি ৩ সুবা মতমদা মমা মপা অনিমু শিক্লে। মচনমু মবুংনা চাওনবা যোক্লে, চাওরক্লবদা মবুংনা মচনদুদা নোংমদি মবুকনিং ওন্দুনা কপীমচা মংনা ঐবু বাবা কৌবন্নু তোক্লো মংবু ঐনা পোকপা নত্তে।

নংবু পোকপা মমা মপাদি শিথরে মমা; মপা অরিনা শিরক্লবইবা ঐখোন্দা দান ওইনা পিরম্মী, মরমদি মমবু চাওনবা যোকপা ভার্য্যা ওইবু হায়না। মরম অদুনা ঐবু নপুরোইবনি থানা লেনা তোরো চাকশিনবিরে; মচনদুনা থংজনবনা মপুরোইবগী মেনা তোথদুনা মবুকী ঐরসন গর্ভ ওইদুনা মকা থাবা অমা পোক্লে। মচাদু অমাপা পোকখিরবা মবুকী ঐরস পুত্রনি মমাদা ইনে কৌগদবা, অপাদুনা মমাগী ইনবদি বাবা খোকই, অত্তাংদুন; মমা মপাদা কোপমবা চিংগোলে অদুবা লৈমুক্লা লেপ্লু। ঘটোৎকচনা প্রশ্ন রাহং পাখোংদু শাস্ত্রগী মতম্বু চৈলভে, মমাক্সু চৎরখিবা মতম্বু চৈজবনা, অনা লেপ্পা মারা নত্তে মরম অদুনা উত্তর পাউখুম পিরবা লোংবা ওয়রে। কামকণ্টানা পাকল হোংগে থসুনা, কিমুঃদগী থাংলোং মথলপা যুদ্ধিত্বই; চিরম্বীগী মচানা কন্যাগী মখুৎ থারগা থাং হুমি ফুরন পাইদুনা থাবংপদা কন্যা থরো থোকখা [illegible]। কামকণ্টানা মচেনগী হেনা [illegible] লৈনা পাকল [illegible] চনবদা ওয়ে রাশকতু [illegible]; [illegible] ঘটোৎকচবু [illegible] হাইবী [illegible] ঐহি আম্মা কচরে [illegible]

লৌশিনবিরো হায়জরে। ঘটোৎকচনা কন্যা লুহোংবদি ইন্দ্রপ্রস্থদা হোংঙ্‌ঙনি, মংমা পুগদবা পোৎ থৌরাং লোইরো য়ৌরসি ; দ্বারীকানাথ শ্রীরাম কৃষ্ণ লুহোংবা য়াওবিগদবগী ভাইবিথৌরি। কন্যানা শয্যা অনিগী মপোৎ কোনলিক, কিয়োন, সনা রূপা অউনপোৎ কাংথোন অনিগী মথক্তা হাপকৎলে। মনাইশিংদা কোন্নুং শিন্নরম্মগা ; কন্যা ঘটোৎকচ পোৎ অমমম মকোক্তা থোজৎনরগা মায়া মন্নরা পাইরকপদা হুনিদাংবাইরম ইন্দ্রপ্রস্থদা থুংভরে। নুমিৎ অচুমবদা শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং মতুং ইন্না ঘটোৎকচ কাময়কতংটা লুহোংতে, পাণ্ডব ৫ মুংভাইরে কুন্তী, হিড়ম্বী, দ্রৌপদী পেন্নরে, ধর্ম্মরাজগী য়াথং মতুংইন্না দ্রৌপদীনা কামকতংটাবু রাণী অভিষেক তৌবীরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় রাজা জন্মেজয়, ঘটোৎকচগী রাক্ষস অদি লোইশিন্নম্মগে, নোংভাঙবদা রাম কৃষ্ণ লুক হায়ে মীয়াম চাবা থকপা লোইরম্বুনা দরবার সভা কন্মে। ধর্ম্মরাজগী মকমদা শ্রীকৃষ্ণনা দাদা মহারাজ, ঐখোয়স্ন দ্বারীকা য়ৌজরগে বিদায় পিবীরো, ঘটোৎকচসু বিদায় নিজরে যুধিষ্ঠিরনা প্রেম বিদায় তৌরে। রাম কৃষ্ণ সাত্যকি কুন্তীবু খুরুম্মগা পাণ্ডব বিদায় লোইরম্বুনা, গরুড়ধ্বজ রথ তোংলুনা দ্বারীকা য়ৌরক্লগা, সভাদা পাণ্ডবকী পাও তম্মে দ্বারীকাগী বালবৃদ্ধ যুবানারী মুংভাইরখি। ঘটোৎকচ হিড়ম্বী কুন্তীবু খুরুমজরে মপা মতোন রাণী ভক্তি বিদায় লোইরম্বুনা, মপোৎ মচৈ সাজন লোইরে রাক্ষস মনাই ৫০০ গা, মায়া মহুগী শক্তিনা পাইদুনা লাকপদ্‌ মিৎকুপ থরগী মতুংদা একচক্র নগরদা থুংখি। রাণী কতংকটা গর্ভগী লক্ষণ ওইখি, ঘটোৎকচনা মুর মকুমা থমহা, চিরমনা পাম্বা মকমশিংদি সাসন তৌদুনা চাওনা পাম্মি। রাণী থা ১০ নুমিৎ ১০ নিনা মপুং কাবা হুমিৎতা মচানিপা অমা পোক্লে, পোকপগা মপাগুম্না পাখঙ কাই জ্ঞানসু সম্পূর্ণ ওই, মমা মপা মবেক্তৌ মুংভাইজরে ষষ্ঠী লোল্লে ১২ নিদা যুম শোংলে। ঘটোৎকচনা মচাগী মমিং বর্ব্বরিক থোল্লে ১৩ নি শুবদা ঘটোৎকচ মচা পুরগা দ্বারীকাদা য়ৌরকই, শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরগা মচাবু থোরিদুনা কৎলে, মনাই ইচাসি প্রভুনা ওবা ওইবিদুনা বিদ্যা তম্বীবু হায়না চাৎ থরুবা অমসুং দক্ষিণাগা লোইননা কৎলম্মগা ঘটোৎকচ মরৈপাক্তা হনখি। শ্রীহরিনা মনাই বর্ব্বরিকপু লাইরিক তম্বী, ধনুর্বিদ্যা মম্নগা কোম্না তম্বীরকপসি থা ৬ তা হৈবা লোইরে। বর্ব্বরিকাগী শক্তি উবদা শ্রীকৃষ্ণনা জগৎতা মালী লাম্বা লৈরবোই ধর্ম্মরক্ষাকীদমক, শ্বেত দ্বীপতা থাবগা মুনি মহাত্মা ভক্তি ভাবগী যজ্ঞ তৌরিবন্তু ভাকহল্লগে থন্দুনা হায়রকই। বর্ব্বরিক মংদি শ্বেত দ্বীপতা মুনিশিংনা যজ্ঞ তৌবদ, পাতালদগী হিংচাবশিংনা লাক্লগা যজ্ঞ থুপাইদুনা ধর্ম্ম মাংহনবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবপু হিংসা তৌরি। মংমা যজ্ঞ ভাকন্‌না কন্তবনু দমন তৌরগা ধর্ম্মবু ভাকউ। শ্রীহরিগী য়াথং মতুং ইন্না বর্ব্বরিক শ্বেতদ্বীপতা, মুনিশিংগী যজ্ঞ ভাকন্‌না লৈখি। ঘটোৎকচগী রাণী হাম্না মচা কংবগী বারী লিরবা অসিনি। রাজা জন্মেজয় অসিগুম্বা আদিপর্ব্বগী রারীবু পুক্লিং চম্নো তাজবদা সম্পত্তি চাওখৎলে অরে ইথা মতমদা জীবনা হরিধাম কংগনি। ইতি। হরিবোল হরিবোল হরিবোল॥

অধ্যায়

ভীমনা দুর্ব্বাসা মুনি সেবা তৌবগী

মায়ী মতাং।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় ভাবো মহারাজ, নবুধো ভীমনা দুর্ব্বাসা সেবা তৌবগী মায়ী লিয়গে। অত্রয় ঋষিগী মচা দুর্ব্বাসা মুনি অহানবদা কদাইদো কৌবী, কনু মুনিগী মচা মপানা সেবা তৌহনা গৃহী ধর্ম্মদা লৈবনি। থৌরাণীজ মচিন থর কচ্চি লোংমা মুনিদা চানিঙাই লৈত্তে হায়না, শৌ শৌ তাংতুবদা মুনিনা চৈবদগী উং ওইনা মাংখি। মতুংদা পোৗনহ মুনিগী মচা মপী কদলী কৌবী কন্যা, মুহোংতুনা লৈবদগী লোংমদি মুনি বাখল তৌরবদা ঐবু গৃহী বিষয়দা মুত্তনা লৈবসি কুইমল্লে, মাম অমুক শোঙ্নরগে নিংলদুনা প্রিয়ে ঐ কুপা চংতুখিগে কায়রম্মগা, চৎখিতুনা চিরুবা মকমদা লেংবনা কম্মগা, ব্রহ্মাগী শক্তিনা নবদ্বার রুদ্ধ ওইবগা, থমোইদা মাম শোম্নগা ধ্যানদা লেংদনা লৈখিবসি চহি ১২ ওয়রক্লে। মুনিগী দেহ পুরিবা ময়মগী শক্তি ১২হু থাংবা ওয়রক্লুনা, মুনিগী দেহে থাদোক্লসি হাকমল্লি থম্মরগা; চোংথোরকুনা থুবী ২ মরুম রাংবা মুনিগী মাংদা লেপ্পী। দেহ পুরিবা শক্তিশিংবু থোরকপদা ধ্যান কাইদুনা, দেহে ভরোই ভরোইদুনা মিৎ পাং-থোক্লকপদা, লেপ্লমীবত্থ উরদুগা মুনিনা মথোক কনা কমানো হংঙী? মথোইনা মুনিগী দেহ পুরিবা ইন্দ্রি ১১গা মনগা ঐথোই ১২নি, মুনাদ চংহ ১২বু ঐথোইবু লাক্লদুনা থম্মাদ থাংবা ওয়ক্রে চৎলগে থোক্লবনি। রাংহ ভাবদা মুনিনা মথোক লৈত্রবদি ঐ মাম শোনবা মায়রোই, হৌজিক্লু মাজবদি শাপ তৌদুনা উৎ ওইহনগনি হায়বদা মুনিব কিদুনা ইন্দ্রিশিং দেহেদা অমুক হৌজিলখি। দুর্ব্বাসা বাখল তৌবদা ইন্দ্রিশিং শক্তি লাক্লগাল্লে, মতম শরা মথোয় অমুক পেলকল্লুখিগে থম্মুনা মুমদা হল্লক্লে। মুনি শুমাং য়োরকপদা ইংেল্লু কদলী ঐ লোল্ল কায়রকই, কদলী চাক থোংজরদগী লেংশিলবিরকও ওরুপেহ মায়দুনা থোকচরকপদু পোংজিন্না মথৌরি। মুনিনা মাজোল কাথৎকে তৌবদা ভাড়ৌদা থুদি চেন্দুনা তুরে, ফুক কৌংগঙ্গি শাওমবখিদুনা মুম পাাপ ঐবু থুদি চেন্দুনা তুহনবদি; শাপ চাওগা কোমনা উং ওইরো হায়বা ঠৈরে।

মুমগা কোমনা কদলী ব্রাহ্মণী উং ওইদুনা তুংমন্ত্র, দুর্ব্বাসা শাওবা মহুরকপদা কদলী কৌদুমা কপলকলে। আশ্রমগী ব্রাহ্মণী ব্রাহ্মণ চেন্দিমরকই মথৌদু উরগা পোৗনহ মুনিনা হায়রকই, ইমাকী সেবা তৌরবদি ইচাসি পুন্সিমরোই নিংবগা তৌবগা মায়রে। ইচাগী লায়বা শাপাস্তোক অমত্তা পিবিয়ু, মকুগী বা ভাবদা দুর্ব্বাসানা শাপাস্তোক পিরকই। কদলী নংদি লক পাম্বী ওইনা হোয়রো মঙগী (পাতা কল) লানা, লকোইনা, শ্রীকৃষ্ণগী সেবাদা মাঙমগা

হরিনা পেনবিবা ওইসনু নংসু হরিধাম কংঙু। দুর্ব্বাসানা অসুম্না শাপস্তোক পিরগা, * কদলীগী দশাহা ভাগবত শ্রবন তৌরগা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম লাওখি। অদুগী তুংদা মুনিনা ইন্দ্রি পেন্নবা হস্তিনুকপসু মুন মুথলে, হৌজিক হাস্তিনাগী ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌদু মরম লৈবনি মচাসু রাম্মী মাগীদা মতম থরা হকচাং থাকলুরগে নিংদুনা লাকই। হস্তিনা রাজ দ্বারীদা থুংঙি। দ্বারী অন্ধরাজদা দুর্ব্বাসা লাকই চংঙকউরা চংঙকুম্বরা হংঙু চৎলু, দ্বারী মুনি থুরুমলগা আসন থারম্মী মুনিবু কিদুনা লোইনা চেনসিল্লকুনা মুনিগী রাকম নিংথোনা হনংলি। ধৃতরাষ্ট্রনা মুনি লেংসিল্লকউ, দ্বারী থোরকুনা মুনি লেঙসিল্লকই, বিদুরনা মুনিগী আসন কৎলি খোং হাম্মী পাদোদগ লোই, পুজা সন্দেশ কৎলি, অন্ধরাজনা মুনি থুরুমজৈ আশীর্ব্বাদ কংলে।

ধৃতরাষ্ট্রনা কারি দান কৎচো হায়বগে তাকপিয়ু হায়জৈ, মুনিনা মহারাজ ঐ মতম কুইনা নাম লোল্লুবগী ব্রতদা হকচাংসি নরম ওইরে, মতম থরা ইন্দ্রি পেনহলগে ঐবু ব্রহ্ম ভুজন তো। ঐনা পেল্লবাদ বর পিরমগনি, নেবা দুংঙাইত্রবনি শাপ, অসি থংনা সেবা দুংঙাইহল্লু মহারাজ ঐ পোথারুরগে সেবা শীন্নকলো। বিদুরনা মুনিবু ব্রহ্মঘোরদা পুশিন্দুনা পোথাবগী সেবা ওইখি, সোমদা ধৃতরাষ্ট্রনা মচা দুর্য্যোধন নিংথৌ, মন্ত্রি লোকনি মসেনগা কৌশিন্দুনা সেবাগী থম্মবদা শোকাননা ইবাই ইবুংঙো কদক দুর্ব্বাসাগী সেবাসি, পাণ্ডবকী ভীম কৌরগা থাজিনসি ইবাই ইবুংঙোগী য়াথংদি পাণ্ডব য়ারকনি। অদু নত্রবদি ইমাক নিংথৌগী দোষা ওইগনি। শোকানিগী বাহৈস তাবদা অন্ধরাজনা ভীম কৌরুরো হায়রকই। দুর্য্যোধন্না দুঃশাসনবু ভীম

* টীকা কদলীনা শাপ কংবা দুমিৎ বৈশাখ মাসগী থাংজ জুমিগুনি, দুমিৎ অসিদা লকু লেনহৈরে থাহৈরে, দুর্ব্বাসানা শাপস্তোকী মতুংদা বর অমুকপ, প্রেয়ে মতগী একাদশ ইন্দ্রিনা লকু হৈগী তাৎ ওইরসনু। পূর্ণপাত্র শেম্বদা লকোই লকাং য়াওরগা, লক্ষ্মী নরায়ননা পেনবীবা ওইমনু। শ্রাদ্ধগী হকচাং শাবদসু লকোই লকাংনা শাসনু, পঞ্চামৃতসনু লকোই য়াওশনু, যজ্ঞগী পূর্ণ হুতিদসু লকোই য়াওরগা যজ্ঞেশ্বরনা পেনবিসনু। পুজা, যজ্ঞ, কর্ম্মগী পূর্ণপাত্র অদু পিথোকখিদনা, হংজিন্দুনা লৌশল্লগা গৃহ দেবতাদা নিয়ম থম্মনা কৎতুনা পিল্লরগা, মুন পানবগী লন চাওথংগা ওইসনু। শ্রাদ্ধগী হকচাং শাবগী লকোইসু মচা পোকনিংবা মুপানা, লোজরগা রারীগা কোমনা ঈশ্বরদা নিদুনা চংবদা মীতুগী মচাপোকপা ওইশনু। দুর্ব্বাসা মুনিগী বর ব্রহ্ম বাক্যনা থুবক অংঙদা, কদলী ব্রাহ্মণী উৎ ওইখিবা মুক্তম অদুদা থুবক্তা লকু তাৎ ১১ গুনা হৌরকাখ। লফুশিং থুবক্তা পাম্বী মপুং কাদুনা মহে য়ানাখ, মহৈনা মনানা কৃষ্ণ সেবা কংখিদুনা কদলীগী জীবাত্মানা হরিধাম কংখি পৌজহ, কৌশলী ২না আরুমদু মচানা ওইখিবা লফু হৈ চারা শঙ্কে রু থাদুনা, কদলী বন হৈকোল অমা শেমদুনা লকোইদ য়ে থবনা মরুন লৈবা ওইদুনা কৃষ্ণ সেবা তমজখি। ইতি। রম্ভা, কোলা, হায়রগা লকুবু থাংজৈ, কদলীনা ওইখিবদগীসু কদলী হায়রগসু লকুবু থাংজৈ। ইতি জৈমিনি বাক্যম্।

কৌরবরো হায়রকলে, দুশাসন লপোল তোংদুনা ইন্দ্রপ্রস্থ কোম্বং য়ৌরকই, হায়রীবা লপোল শিন্নরম্মগা দরবারদা চংজক্লুনা সভা থুরুম্মী। যুধিষ্ঠিরনা মনাও যুবরাজবু তবাম্না কৌবী, দুশাসন ধর্ম্মরাজবু থুরুম্মী, মনাওবু কোনবিরে দুশাসন ভীম অর্জ্জুনবু থুরুম্মী, নকুল সহদেবনা দুশাসনবু থুরুম্মী আসন থারে যুবরাজ কম্লে। ধর্ম্মরাজনা যুবরাজ ইনাও লাকপবু পাবুংহন্না করি তাকশিন্নকপগে, দুশাসননা হায়দা মহারাজ পাবুং মহারাজনা হায়বা য়াইবা ভীমবু কৌরু, থরগদবা রাকম অমা লৈরে থুনা য়ৌরকউ তাররকই, অদুগী দাং য়াইবা কৌজগে লাকচরনি। যুধিষ্ঠিরনা ভীমসেন পাবুংহনবী য়াথং কায়বা য়াদে থুনা য়ৌরে। ভীমনা করি হায়দা মহারাজ, মনাও য়ৌজরকখিগে, ভীম দুশাসন ধর্ম্মরাজবু থুরুম্মগা খোকলকই। দুশাসননা হায়বা য়াইবা মনাওদি লপোলদা তোংজরকই, ভীমনা ওয়াখল খোংনা অতুম য়ৌগে হংনা লপোলনা চৎপগা হায়বা য়ৌবা তারাস। ভীম দুশাসন লপোলগা খোংগা তাররকপদা ভীমনা হায়না থংখি, অন্তঃপুরদা চংজক্লুনা অঙ্করাজবু থুরুম্মী। পাবুংহন্না ঐ কৌখিববু করি তাকপীগদবা লৈবগে হয়খিনি। ধৃতরাষ্ট্রনা ভীমসেন দুর্ব্বাসা মুনি ব্রহ্ম ভুজন কৎনবু ৫নি ১০নি হকচাং থাকনি হায়দুনা লেংহকলে। মরাকপা মনাওশিংদি ব্রাহ্মণনী সেবা লৈতবনিনা চন্দ্রবংশনী থন য়াম্বং তাকননিংদুনা, সেবা লৈবা ইচাবু সেবা কংহনশিন্দুনা কৌখি, মুনিনা সেবা তৌবা নিপাদু থম্পীগনি হায়রি। ইচানা সেবা অসি পুরো অমম্ম মহাকপু কংহন্নিংঙি, তাঙ্গা অদুনা দুশাসন য়ৌরকতুনা তম্মী, দুর্য্যোধন, শোকনি, ভীম য়ৌরক্লে তাখনা দুশাসনগা চংজকতুনা অঙ্করাজবু থুরুম্মে। ভীমনা দুর্য্যোধন শোকনিবু থুরুম্মে দুর্য্যোধননা ইনাওগী সন্দেশ হায়রবদা, দুশাসননা পুজারি ভাণ্ডারি কৌদুনা কোনা মতিক চাবা লাংদুনা ভীম পুরণ ওইনা প্রসাদী কংলে। পানা লোরগা ভীমনা হায়রকই পাবুংহনবী য়াথং কাইদনা সেবা পুজরগে, দুর্ব্বাসাবু মীনা কিনৈ মরম অদুদগী মাস্পাগা দাদা মহারাজগা থরগা পাবুংহন্না হকংপা ওইরমগনি। ঐবু চানবীবা মীগী উশিন ওইজগে লৈজরবা ভীম ঐনি, পোৎলম রাজনবা ভাণ্ডারিশিংদা শিন্নবিরকউ হায়রম্মগা ব্রহ্ম ঘার য়ৌখ।

ভীম মুনিবু থুরুম্মী বিদুরদা থুরাতোন য়ৌবিরো, মচা সেবা লৈজতোরাগ থুরুমজরে, বিদুর মুনি থুরুম্মগা কোম্বং য়ৌখি, মুনিনা ভীম ঐগী সেবা পুজা তারবরা। মুনিদেব নমাইনা কংজবা তারে, অমুখি ইপা গঙ্গাস্নান তৌরগে, থৌরাং লোইরম্মো হায়রম্মগা মুনি স্নান চৎলে। ভীমনা ভাণ্ডারি সেবারীশিং কৌশিন্দুনা থৌরাং লোইরম্মগা, মখোই চাক চারগা থুনা লাকউ থবক লৈনবা হায়রগা থাখে। মুনি স্নান কারক্লে বৃন্দা সেবা তৌই কিশেং হোংঙি, তিলক ধারণ নাম মন্ত্র লোনবা লোইরগা রালহৌশংদা চংলে ভীমনা লৈরং লৈ পানথৎলে খোংনবা পাক্ল, চেং ইম্ফাং মথেল খোংনবা লোইনা লাংদুনা থম্মে। মুনিনা ভীম চেং ওন্নো চারগে ভীমনা ওনবনি লোইনা চাখীরো য়ারনি, মুনিনা চেংসি কয়ামো য়াম্না উইদা, ভীমনা য়াম্বে অমা চেংকোক লৈরনি। ভীম ইপাদি চেং উতোং অমনা য়াগনি, নঙ্গপীসিবু উৎসবকী পুজারী

ওইহল্লু হায়রিবমা, ভীমনা মনাই সেবারিগী মাওঙীরোইদ্রা, মুনিনা মাইমা মওংগীদি হাপকনি অদু ওইরবদি অদুম হোৎবিরো। উৎসবকী মতম্ভ সেবারিগী হাপচবনি, মুনিনা মাইম নংবু চেং কয়াগী চাক চাবগে ? অদুগা চেঙগী মাদি মুনিনা লৈবীরিবমখৈ মোংম নোংমগী চেংকোক ৫ মচা হাপচরকনি। ভাসিদীবমু মুনি পাদল বদংঙ্গি হায়বগী চেংকোক ৫ দা হোৎবনি, সেবারিদি পুক থক্লোইদৌরিবনি, মুনিগী মাও কংবদ্ৰ য়েংবদগী মনাইদি লাম্না লাম্না থাজদৌরিবনি। হায়নবদি সোইদনুসি সেবারিগী হাপকনি, হায়বীগুবনিনা ঐমা লাশিঙ্গরকপরু হোৎবিগদবনি। মুনিনা বরে মাইমা ঐ থোংগুনি লেমহল্লবদি উৎ ওইমু তারদুনা চৈগনি। মুনিসু রুদ্র শক্তিনা ওইরকপনি মরিংজেন থাক শাওগনি, ভীমসু শিব শক্তিনা ওইরকপনিনা মী উসিজে কিগদে মুনিগা ভীমগসি তিন্নবদা লাম্ব চাবরে। মুনি নুকহৌবা লোইদুনা কৃষ্ণদা নুক কৎলে মুনিগী থমদং থাইদোক্লগা, ভীমগী পুলপ সেম্বি. ভীমসেন অহান অকোন মাইগমুসি চপ মান্নবা কংবিরসি। করি অদুগা হায়দুনা মুনি ভীম অবিমক কংবা লোইদুনা আচমন তৌরে মুখ সুধন তৌই আসন্দা ফমে। ভণ্ডারিশিংনা চন্দন লৈ-হৈ পানা ভীমদা. লানশিন্নি মাইমম কোন শেংদোকপা লোইরগা দুমিদাংগী সেবা ওইনবা লাংজরম্মগা লোইশংদা বুজবি। ভীমনা মুনিগী সেবা কৎলি, মুনিনা লৈ চন্দন হৈ পানা লৌরগা শয্যাদা পোথারে চাকয়াম থোংদ্রবগী ওলাংদুনা ভীম হুম্মাই হুম্মে ওহাক্তং তুম্বা মাত্র রেংগে, ভীমনা হুমাই থৌগল তৌই মুনি তুমথরকপদা, চাক থোংবগী মৈশা লাংদ্রবগা নুংশা শারকপগা মুনিগী লেহেদ্রু হুমাং মরিক মরিক কায়কই।

মুনিনা হায় জন্মেজয় নবুধো ভীমদু হুমাং শৌরকপদা, হুমাই থম্মগা মথুৎমক্তা থৌগলগে থম্লদুনা খুবাক অনিদু তাই.শিন্নরগা কমাংদা ংকউ খুদক কুম্নগা হুম্বদা কনমদুনা মুনিগী লেহেদু নুংশিৎনা চেন্দুনা কাংথোনগী খুয়া লুখুমকী নমডাদা দঙ দঙ থেংঙে, নামনথিদুনা খুৎ বৎলগা থাম্মুবদা ভীমাদ কন্না হুম্মু হায়বারোমদা লৌখদুনা কন্না হুম্বদা মুনি লৱাইদু পোম্লে বা তাংবা মাত্রদুনা, পাথোম হায়গৎতুনা ভীমগী খুদাং কায়গা থাম্মে, ভীম হুম্বা লেপখি। মুনি থোর হম্বরগা ভীম খুৎ হৎতুনা থাম্মগা, কন্না হুম্মীবদি লৱাক কায়রোইদ্রা, মতোইনা, শাওনা হায়রকই। ভীমনা অদুগা মনাইদি কন্না হুম্মু হায়রিমাল্লে থম্মুনা হুমনি বারোবিগদু। ভীমগী থমোই শেংবদু উবদা মুনি শাওজে। মাইমা হুমীরমু ইপা ওহাক্তা তুমগে হয়িং হোইমু তোংহনগমুকো।

মুনি অমুক তুমথথরে ভীমনা হয়িং শেমদুনা লৈ, তাক্লাদুনা হয়িং অমা পাইশিন্নকতুনা মুনিগী মাকথংদা তোংওরে। ভীমনা পাপীগী হয়িং অমাং অশোই তোংদ্রবা নথোংদুনা, মুনিদা মেৎপদি হাংকে হায়দুনা খুপাক্লা থাবদা হয়িংদি পাইথোকম্লে, মুনি মিক লাওনা স্বর থিংলগা মিৎ ওনথৎতুনা তিংদম শিখথরে। ভীম নুংশা থিৎনা লয়াইদা ঔশিং হৈরগা মিহুম কাদুনা লাকথজৈ, মুনি হম্বরক্লগা হায় ভীম করিগীনো মাকথংদা খুপাক্লা থারিবা ঐবু হাংকে তৌবরা?

ভীমনা গুরুদেব হয়িংনা ইয়াংক্তদা মুনিগী নাকথংদা লেংলিবা নমাইনা শাওদুনা বাক্তকার লৈতবা হয়িং হংংকে থাবনি, রাক্ষৌবিগন্ন থুরুম্মৈজ। ভীমনী থম্মোই শেংবা মতৌদুদা মুনি শাওবা চনখ্রে, ভীমসেন নং হয়িং হোক্ইবিরক্র, হয়িংনা মোক্তকসন্ন ইপা চকাক্তা পোত্থাবা মাক্রা য়েক্কে। মনি অক্তা ভীম মাক্তী শয্যাদা পোত্থাখ্রে, মুনি উইথবগা থংকোক থংদুনা চোংথংলি উইবা মাক্রে, ভীমনী থুংথাদুনা মিক্তন চেংথংগ্রামক্রে। ভীমনা মুংক্তাইনা তুমলে মুনিনা তুম্বা মাক্রদুনা কোগংলগা ভীমবু থংদুনা লৈরে, ভীম ভুকাক তুম্মুরগা মিংক্তপ থোক্তক্তুনা কোগংলকপদা মুনিনা ভীমবু হয়িং হেক্ইদুনা লৈরম্মে।

মতৌ অমুম লৈরকপদা নোংম নোংমগী চেংকোক ৫ মঙ্গা, থাপকংলকপনা মুনি চাকয়াম থোংরদা পুম থিংলে। নোংমাদ মুনিনা ভীম ইপাবু হকচাংসি থোননরে, ক্তসিদি তুলসী থাত্মী চেং থক্র পিয়ু, অদু কৃষ্ণদা কংতুনা অমুক্তং মক্তে ইপাগী হকচাংসি হক্তংগ্রা য়েংগে। ভীমনা ক্তসি অমুক্তগীনিকো অক্তা, মানি মাইমা, মনি লৌক্তক্তংলগে পিনি মুনি। ভীম পিনা হংখ্রবনিনা পিক্তবদি উংওইবু হায়না লৈগান লৌক্তরো ইপা থৌরাং লৌইদুনা ক্তাকইরম্মগে। ভীম তুলসী থাত্মী চেংদি মলকক্ত থংক্র, ভুমগী মুক্তদা চেক্তকে, মংথৌবু থুরুমকরগা তুলসী থাত্মী চেং হায়বসিবু কদাইদা মংবগে হংক্তে। ভীমনা কবিগানে মাইমা, ইবুথৌ মুনিনা মাদু পিয়ু ক্তসিদ মাদু কংকনি নায়রি, ঐনা পিগনি হায়ক্তরে পিক্তবদি নত্ত উং ওইবা তারে, অদুগী চেক্তরকপনি। ভীম চেং অদুদি স্বর্গগী চেংনি মীরৈপাক্তা মংদে, মুনি চাক্ত্রে তৌরকপনি, মখ্রবা অদুবু কারণী পিগে হায়ক্তবিবনো। ইপুনা পরশুরাম গুরুনা পিরক্তুনা একাদশী মুক্তিতা অদুনা লৌরগা কংলি, মাদি দেব ভুগনিনা চাবদা পাপ চংদে, সেব মখাইমুক লৈরি মাসি পুথে, পিরে। ভীম মাদু পুরগা লাক্তুনা মুনিদা পিরে, মুনিনা মাঙদা পুরক্তইদা। ভীমনা মুনিনদ থরনমক পিয়ু হায় অদুনা থরদং পুরকপনি। ভারি লৈহৌক ঐখোয়গী মথাদ মাসি চাই, ঐখোয়দি মনম হৈনদদুনা চানদে, হায়নখিদা বাহ্ম ভাক্রা লেংম, মুনগীদ ক্তসিগী অংদমক কংলো ঐগীদি কাইদনা অদুম থোংবয়ু।

মুনি চৈবা মাক্রহনা ভীমগীনা চাকয়াম থোংগে, মুকিইনা থরদ হোরগা কংলে কংমিক্রবদা ভীমনা পুক থক্তনা চাবদিবু লোইশক্রনে অক্তা। মুনিনা ক্তসিদ নংনা ঐবু পুক থলকক্তরে মাইমা নং পেক্রো। ভীমনা পুকপু থক্রবদি ঐগীদ পেক্রে, পুক্ত মীদ মানা থোংক্তগা পুক থক্তনা তোকপদি মুংক্তাইরমগক্রা থক্তবিবা মুনি। মবিংক্তন থাবা মুনি কমদৌরগা চৈ.সগে থনবদা অহিং তুম্বা মাক্রে, নোংক্তালে প্রাতঃক্রিয়া লৌইরে মুনি মতৌইদবা অমা মারগে পিবা ক্তমক্রগা শাপ পিরগে থারে। দুর্ব্বাসানা বৃকোদর নক্তগী চাকয়াম থোংবদা ইপাবু হকচাংসি হক্তংপা মাক্রোইদৌরে, অমক্রু থেনাগী চেংদু চরা ৩-৪ রকতং চারবদি ইপা নোইমনি। মাদু চরা ৩ লক্তা ওইরবস্থ ইবুক থম্মা পিজোদো, ভীমনা গুরুদেব নমমা ভাকপীরম্মবদি অদুক্তাক্তা

কংলমখগদনি। মাদুদি ঐখোয়গী পাক্কল কয়ি হায়দুনা য়ায়া চায় হায়জিল্লি। মুনিনা পোক্পনা পিগদবা য়াইনা, ভীমনা লোইরোই অক্সা ঐ লৌজরুখিগে। অদু লৌরুবো লোমগী খৌয়াংদি ঐ লোইরম্মগে, লোইরবদি শাপ ভোগনি ভীমদু কনি ঐ লৌজরুখিগে হায়রুমগা ভীমগী মুখবা চেনখি। ভীমনা য়াইনা অমুক চেম্রুবদি কয়ি অমুক হায়রবগে ভীম। ভীমবু খুরুম্মগা হায়রে, ইবুংথৌ ভসিদি সমক্রু কেনাগী চেং পিবু হায়রে ঐনা পিদি হায়রুরে পিব্রবদি শাপ ভোগদৌদ্রি চেংদুবু কদাইদা কলহগে? ভীমনা য়াইনা চেংদুদি স্বর্গদা কাওবা কংদে ব্রহ্মানা চাবা ব্রহ্মলোকী ভুগনি কদাইদা পিগে হায়রুরিবনো মাংখা ভারে। ভীমনা ব্রহ্মলোকী চেংবু ঐহোন্দা হুজিকমক পিবু হায়রবদি, চক্রি কত্তবা ব্রাহ্মণসি লাক্লগে ইবুংথৌ মত্ত চৎচরগে খুরুম্মগা ভাওারি লোইশংদা অমুক চেনখি। ভীমনা কয়ি খেক্লুবগবা থমদৌই। ভীমনা খল্লি, সমক্রু কেনা হায়বা শব্দ অসি ঈশিং অচৌবদা কোঙ্গোল ভাবহুত্ত ভম্মী। ঈশিং অক্রুবা পাৎতা কোঙ্গোল ভাওবগুম শাৎলগা মতৈ লোকপা কৌদি, রাইপুচরানে, ভাওথবীনে, ফৌ জাৎ অনিসিনি, অদুমদি ভাওথবীগী চেং পিজরগা লাক্লগে খল্লি। ভীমনা ভাণ্ডারিদা, পুকৈগী ভাওথবী হোঙ্গ, চক্রি ভক্লগা চোইরুত্ত খৈরগা চেং মন ১ভং পিবু, খিল্লে হায়বদা ভীমবু কিহুনা খুনা লাংজগা চেং মর্ন ১ পিরে। ভীম চেংদু পোয়কতুনা মুনিদা পিরে, মুনিনা মেৎবদা ভাওথবীগী চোইদবা চেং ওইরে। অদু উবদা, মুনিনা সমক্রুকেনা ব্রহ্মলোকি চেংবু পোয়কউ হায়বনি, ভাউথবীগী চোইদবা পোয়কইবা কয়িনোমো? ভীমনা মুনি ওপাইনা অদু হায়রবদি, ব্রহ্মাদুদি মাস্ত্র উবি, লৌমিগী ফাকত্তা ঐনা তাংশর্ঘা অর্থ তম্বীখিবদগী ঐবু ওবানি হায়দুনা লুনা নিংজায়রবনি। ঐনা চেং পোয়কউ কৌবদা খুৎত্তা চেং থীরক্লনি, অদুবু মুনিগী সমক্রু কেনা পোয়কউবা মহাযুদো মসিনা ঐখোয়রোমগী সমক্রু কেনানি, খোঙ্গ্রুবা খেঙ্গ্রনি। মুনিনা ভীম অসিবু কয়ম্মা সমক্রু কেনা কৌরিবা হায়বু অর্থ চুম্মবদি য়ানি, চুমক্রবদি য়ারেই হায়রু, ভীম্না হৈরে মুনিদি লাইহিককি অর্থ খংবা য়াৎলিবোইরে। সমক্রুগী অর্থদি ঈশিং অচৌবা হায়বনি, কেনাগী অর্থনা ত্রিলিজনি কোঙ্গোল ভাওবদু হায়বনি, অদুনা ঈশিং মমক্তা কোঙ্গোল ভাওবগুম শাৎলগা মতৈ লোকপা য়াই হায়দুনা মসিবু সমক্রু কেনা কৌই। ভীমগী অর্থ চুম্মদুদা শাপ ভোবা য়ারে, ভীমগীনা চাকয়াম অখাওবা খোংদুনা পিজরে মুনিগীনা ভাওথবী চোইবদু খোংজগা কৎলে। মুনিনা ভগ্নে ইনবা অমা হায়রুগা শাপ ভোরগে মহুগা হায়রকই, ভীমসেন ওসিদা ইপাদা কামধেনুগী শংগোম পীবু, মদু কৎলগা কংবা মন্ত্রবদি ইপাগী হকচাংদি বজংলোইদৌরে। ভীমনা গুরুদেব মহাম্মা ভাকপীবদি কৈদৌই হস্তিনাগী শঙ্গোমসিনমক কৎলে, কামধেনুদা শোমদা কংদে ঐখোয়গী ইন্দ্রপ্রস্থদগী ঐনা কামধেনু ভাক্তা লোইখল্লি। অশোয়বগী কামধেনুগী শংগোম লৌভরুখিগে লুক ভৌবা লোইরম্মো। ভীমগী বা ভাবদা মুনিনা য়াইনা কামধেনু মমগী ওইনা পোয়কতুনা পীবু। মংদি চক্রি য়াম্না কৈ শঙ্গোম অচম্বা পোয়রুগা কামধেনুগী শাঙ্গোমগী হায়রনি, ভরেন ইপা ইচা চক্রি ভোনজুনা খুদোং চায়রোই হায়রকই। ভীমনা কয়ে, মুনিনা ঐবু থাজব্রবদা কামধেনুদুমক

গোকুলে, হাত্রমগা ভীম লাকপনা রূপালী (রঙ্গভূমি) মায়কক য়েৎরক্লগা তামীকায়োমবা অমগা চমুৎলো শ্রীকৃষ্ণ কপ্লুরা কোৎরকই, ব্রাহ্মণ মনাইদি দুর্বাসাগী মাপনা উৎলকইদা অমসু হৌজিক্কুম ঙোক্কনা খর্জি চৈকনুনা মনাইদা ওবাইজাদি কনবীসু হায়দুনা, ভীম ওহে ইন্না কপ্লুরা চৈনবি মনাইগী চেক্লী মনা গোকচীবা কৃষ্ণনা উবিরতুনা আবির্ভূত ওইরক্লগা মনাইবু তোনথৎলিরগা, দাগা য়াইবা চৈথোবকগে হংবিরকই। ভীম চবা কোৎলগা হায়রকই, দুর্বাসাগী চেবা চৌবগা ওসি কামধেনু পিবু হায়রকপদা মুনিগী চক্রি, ওক্লিংদুনা কামধেনু পিবি হায়রক্লে পিব্রুদি মুনিগী খাদা উৎথইরে অদুবু কামধেনু অমুক্কা ওইবিয়ু, মরম অদুগী কোৎলবি। মাদা য়াইবাগীদমক নবাক ওইবগে মায়কৈ কামধেনুগী মখক ওইদুনা লেপথরে। মসুংদোগী রূপ মাংখিদনা নন্দিনী ওইখিবদা প্রেমনা ভাওখিদুনা ইনাকখুল্লগী প্রাণ কৃষ্ণগী রূপমাধুর্য্যবু মাংখরে, মা থিখিৎনবদা য়ান্থরে। মনাইগী মতৌ য়েংবা ওবদুনা কৃষ্ণগী রূপ হীজিন্দুনা লেপ্লগা, মনাই অমুক তোনথংলিরে দাগা য়াইবা থংলুনবাও চৈরি মাখিরোই। ভীম জ্ঞান তাককপদা যথবী চৈরবদে কৃষ্ণরূপ উবদা জ্ঞান তারক্লগা এদি হায়রে খুখকা, অস্তক ওনশিন য়াথোইরে অদুদি অমুক ওইখিদ্রা খক্লরে হায়রকই। কৃষ্ণনা দাগা য়াইবগী মতৌসি নবাও সুংলাখিবা অমা চৈরে, এদু মুনিনা পিরো হায়না নিরক্লগা পিরে কল্লবদি নবাও অমুক লক্লকপা য়াররোই মুনিগী মরম অদুম ওইখিবা তারে হায়রকই। ভীমনা অক্লৈদি থনবিরক্লু, মনাইগী চিন্তা মনিবু, করিগী ডাউনবা পিথোক্তবগে প্রভু! মনাইগী মা ভাবদা লেনবীদুনা খোবিনা কামধেনু অমুক ওইখিরে। ভীমনা কত্রাংদি খোৎথি নূক্লগা পুখিনখি, কৃষ্ণনা মনাইগী তুইদুনা লেংখিনবিরকই, ভীমনা হে মুনি! কামধেনু পুররে, থোক্কলো কোৎরকই। দুর্বাসা থোরক্কুনা য়েংবদা কামধেনু উবদা ওকই, কামধেনুবুদি লাইবগনী বশিষ্ঠনা সেবা তৌদুনা চৈবা মতৌমতনি। ভীমনা সুক খুনা পুরকইবা অসিবু, কামধেনু মানবা অতোপ্পা চৈনবরা। মুনিদু চিংনদুনা ঋৎ উইখিল্লগা খাদা হেংথি, কৃষ্ণনা ওইবনিদা কামধেনুগী মগুণ সুনা উৎলি, নন্দিনীগী মশাংদা লাই পুম্নমক খাক্লনা চৈবা হকচাংগী তুরুম কোটি অহূম মথাইনী। হায়রিবা মওংদু থাজবা চুমা উরে মতৌদু উবদা, ভীমনা মুনি এনা পুরকপা কামধেনুসি খাজনবরা? খ্যান তৌদুনা য়েংঙীবদুবু ওক্লেন খোইবা চাদ, থক্লনা মতম কুইনা লাইনিংবসি, খপ্পোয়দা শাপ বত্রগীদমক থংনবা নিংবা ওইরমাক্লে। ভক্তি প্রেমদা চিংনবগী শ্রীহরিগী কৃপান থম্মোইদু আলগদবনি। এথোইগী ভক্তি প্রেমদা নিংথিনবা কুইরেনা কৃপানা ভাল্লিবা। করাবানা খ্যান তৌদুনা য়েংঙিবা এথোইদি উবদা থংজিনবি, কামধেনু খোইদি *হা নন্দিনী অমুক্তা লাও কোৎবা খুখকা থুংজিনবি।

* গোময়ঃ বসতী লক্ষ্মী গোমূত্রে জাহ্নবী তোয়ং। গোখুরে বসতী গঙ্গা পুচ্ছেদেবী সরস্বতী॥ শৃঙ্গমূলে স্থিতো বিষ্ণু শৃঙ্গাগ্রে চ মহাশিবা। সর্ব্বাঙ্গে সর্ব্বদেবতা হম্বারবে চতুর্বেদ॥ [illegible] সর্ব্ব [illegible] গর্ভে দেবী ভগবতী। সর্ব্বাঙ্গ সমস্তেচঃ সার্দ্ধ ত্রিকোটি [illegible]॥ ইতি উপানিষদ বাক্যম্॥

লৈকোয়গী মহাওসন্থ অমম থংবনি ঐখোয়দি কামধেনুগী সংগোমদা চান্নবা লৈরবনিনা মুনা থংজিনো মুনিদি চাবা কর্মদু হায়রবা, হেক ভাকইদা । তুম্মী যাইবা কৃপা লৈরবদী মখোয়না হেনমে হায়রগা, পাত্র অমা পুন্সিরগা হেইবেম্মা মন্দিনী পাত্র অসি থমবা অমৃত পিনবিয়ু হায়রগা ভক্তি তৌদুনা নিরে । শ্রীকৃষ্ণনা অমৃত পাত্রদু থম্মা পিনরে, মুনিনা ভীমসেন মখো-য়দি কৃপা লৈখনিনা য়ুংথোং খুদিং লোয়রবনি । মসিমক্তং ইপাদা পিরোদা, মতাং অদুদা শ্রীকৃষ্ণ পিথোকখিনবগী মুংশা থিদুনা য়েংভি ভীমনা মুংশা থিনিয়ু হায়রবগী পীবদা ইরুমিং তৌবগা । মুনিনদু পামবদি লৈখিনথে যানি ঐখোয়া হোংবোদি হায়রকয় । কামধেনুসু চাবা যামা পেথনি, অদুদা ঐনা য়েংনিংদুনা মংভদী হেংলমরোই হায়না বাখকথোকখ্রে । মাখেগা মুনিগী দাই, কয়ে যাইবা নত্তোন্দা হ য়বরোই ইপা হোৎনজগে হায়দুনা, উচুক লৈরগা পুন্সিনদগী ভীম প্রসাদ কংভ্রসি । ভীমনা উচুক কুক্তুনা চৎখিগনিকো হায়রগা য়ুমুংদা চংশিনখি । মুনি ভীম প্রসাদ কংনদ্রে কৃষ্ণনা শিংভি দাদা যাইবা ঐবু উচুক কুকপা চৎথো হায়রিকোইরে গোবিন্দ উচুক থোরি লোইনবা অবিভুত লেংখিদুনা য়ারীকা য়োরে । মুনি প্রসাদ শংগোম কংবা লোইরগা য়েংভ্রবদা লৈরমদে, মুনি কোইচেন চেন্দুনা য়োংবদা উদে বন্নিত্তুনা ভীমসেন কামধেনু লৈরমদে, ঐ চেন্দুনা থবদা কংনদুনা লাক্রবনি । ভীমনা মুনি কামধেনুদি লাইথগবী জগৎভা মত্তোমদা, মুনিনা হায়রগী ভত্তইখবনা মতম থরনীমক পিরবনি মাংবা য়ারোই, মুনিনা শিংগদবনি । দুর্বাসানা যাইবা থিরকপদু মংদে মভুংদদু হায়জররোই, মথংশংভু হায়বসিদদি ইপা শিংনিংভাই লৈজদে নংদি কৃপা লৈখনি কানবা হোংলবীত্রো শংগোম চাজরোক ভীমনা মুনিদি মীনা কংভ্রেইনবা তুলসী থানাগী চেং, মমক্ত লেনা কামধেনু পিয়ু হায়বা খুদিং ঐ ওইবগী পীবনি । মী অমা ওইরবদি উৎ ওইবনি চক্তি হকমন্নি । কামধেনু শিংবা ওথোক নায়ররবদী ঐগী দাহ ভইবগে মভুংদ চাক্ত হোৎরোই হায়রিয়ু । দুর্বাসানা চুম্মা যাইবা হপানা নংবু উৎ ওইকমনগে তৌবান, নংনা কৃপা লৈবা হেন্দুনা ইপা চেপ্পনি মতুংদা চক্তি তেংবরোই । ঐবু নংনা হবদা হপা পেত্রে, জগৎকী লাইদু মীদু নংগী লামা তৌবদা নংনা অমা ওইজরো হায়না বর পীরে । মথংগী পুনিত্তু একাদশী তিথি ভরে, মুনিনা ভীম ভনিদী একাদশীনি, অদুক পুনিনং চরা থনি ব্রত তৌবগা দ্বাদশীগী পারনাগী পুজম চাইদনা কংভগদবনী । ভনিদ কৃষ্ণগী নাম লোন্দুনা লৈরসী, ভীমনা চাক পুকথম্মা চারগা লোম্মী, চরা হেন্নবদী লাম্মত্তুনা নাম লোংবদা ভাব চোইরকবদী কৃষ্ণ কংরোই । মুনীনা যাইবা অমঙ্গদি শিংথোদা একাদশী ব্রত তৌরকু হায়রদুনা, সুদর্শন চক্রনা ঐবু চাকথেক্তুনা মাথনবা লৈ তৌদুনা ভাবরকদবদা । ঐবু কনবীনবা লৈত্রত্তুনা অমঙ্গদি বৈষ্ণব শিংথোদা চংকয়মমগা, সুদর্শনচক্র হনখিনদুনা হিংভকপনী অদুদগী পুন্সিগী একাদশী ব্রত তৌবগে বাংকত্তুনা তৌর-কনরমী । মংদু ঐগা লৈখিনরমুনিনা ব্রত তৌবা ভাবে মুনিগী ক হায় ভাবদা, ভীমনা মুনি

ঐ চয়া অমুক্তা হেক্কদি চয়া হেন্নবদী লৈবা থবক মৌপা ওবজরবোই; মাইমা থবক অমম্তা যাওরম ইপা হোৎনজরগে। মুনি ভীম অদিগী একাদশী ব্রত কতুনা নাম পোন্নগা লেপ্লে। লোৎতারে, দ্বাদশীগী অতুক অওনবদা পারনাগী পুংকম লৈরদুনা মুনি ভীমদা কপ্লে। অদা চৌগৎলগা থবক পুরবক লোইশিল্লা স্নান তৌই মুনি, বৃন্দা সেবা তৌরগা মৃত্তিকা তোদনা কোয়া ময় পোন্নগে লুক হৌরগে থদুনা হাপ্পা হৌরে, চাকতি হংইরি, মুক খোংবা কোম্ফু অদুদি থবুনবিসম থদুনা, লৈরওদগী থাংথনা শিংদু লৌরিজিল্লগা তিলক ধারন অদম্যান লোইরগা পত্র চন্দন লৈ কর্দেন। মিং উইশিন্দুনা নাম পোন্নগা ভোজন তৌরি ভুজা অদুদা লৈ কনবদগী, মুক খোংথদু ক্রুং ক্রুং শৌগৎলকুনা পাথারে। ভীমদু কমুংদগী হোৎজিত্রে হে-মুনি থরাই পাথরে লাওরকই, মুনি ভোজন লোইদদুনা খুম্মকত্রে, ভীমদু লোইনা পাথদিদুনা মাংখুদি পাম্মুবদগী। কৈজুপক লোইনা কমুদগী চেনশিনখিদুনা থাবৈদু পাম্নগা শৌরিবদু লাকথরি। মুনি ধ্যান লোইরদুনা কিংনা কোদি করিগীনো য়েংভকপদা, ভীমনা থাবৈ পাম্নগা কোম্ফু থরাই খোংবা ওৎলিবদু উবদা মুনি বৈ তৌবগুম শাওদুনা হায় ভীম কৃষ্ণনা কংকলৌরিববু মংনা মাংখোক্কলিবদী উৎ ওইনিংত্রা, চৈগদবগী ঊশিং লৌথকলকপদা ভীম চেনশিনগা মুনিগী চয়ম পাইগে তৌবদা মুনি পোক্লকপু হায়না ভুপদা হন্দোকই। ভীমনা লেপ্পুনা চংশিল্লি মুনি ময়ম হায়নবগা ইরানগী মতুং ইন্না যানবগা চৈগদবানি, অদুনগুনা শাপ চৈরবদী ত পাল্লকপগা স্ম ভাক্লিতৈদা চয়বদু ক্রক ইকা মুনি লোইশিনহোৎলৌরিবনি। ভীমগী মতৌদা কিরুনা চৈরবেই ভাংলখিদী পোক্লকপু হায় ভীম হন্দোকলে, মুনিনা কৃষ্ণদা কংকদৌরিববু পোকউ রবত্ত চুপত্রা? অদুগী ওইরবদি ঐনা পাথরে কোই মুনিদী খুম্মক্তে, বৈ কম্হনা পাথদুনা লোইনা মাংঙ্গনি হায়বগী থাবৈনা লাকথবনী ঐ কোম্ফু পাত্তু পোকউরে কংশিবু য়াগনি। থাবৈসি ঐ ইক-অবদা হেংজরককে ভীমগী না ভাবদা মুনিনা, কেত্র মংনা অমসুং ইরুভদমা পোকলবু ব্রাহ্মণনা কৎপা য়াত্রা? কৃষ্ণমসু লৌবিরবোই, অদুবু মংনা য়াগনি কৎবু কায়রবদ নং কৎলে কৃষ্ণনা লৌবিরবা কৈ, লৌবিত্রবদি নং উৎ ওইবু হায়না শাপ শিংগনি। ভীমনা কৈ কৎকনি কৃষ্ণনা লৌত্রবদি চৈবীবু মচু ঐ য়াবে কায়রগা, কৈজুপতু কমুংদা থমজিল্লগা কিদক অমনে কোম ১মে থাবৈদুগা পম্না পাইদুনা থোকল্লে। চিম শেংদোকলে মসুং চংবা অমসুং স্নান লোইরগা কায়রকদুনা, কি অশেংবা হোংওগা বৃন্দা সেবা তিলক ধারন ভোজন ক্রিয়া লোইরগা। অম্ন ব্যঞ্জন মুক পুলপ লেম্নদা পঞ্জন লোইরগা বর্তি চমথৎতুনা শ্রীকৃষ্ণদা লুক কৎলে, কপ্তুনা থমোইদা কৌজে প্রাণ কৃষ্ণ মনাইনা শেংনা কৎলগা লৌবিনি হায়দোকউরে। অমুক্কং হেংবিয়কলগা হাকথেংনবা লৌবিক্রদি মুনিগী শাপ্পা মাংবা ভারে, মনাইগী থরাই অমুক্তা কনবীরু হায়না কপ্তুনা কৌজয়কই। মসিদু শ্রীকৃষ্ণনা উবিদুনা মনাই কনবীরগে হায়বগী, অবিদুত লেবিয়ক্তুনা থাদা মাইমা মনাও লাকতরে ইচিমাও পুলপ কংজিময়সি, ব্রতগী থাদা মাইমাদু লাক্কখিদি।

অনৌমদত্তু পারানা পুংকম নংনবা বৌড়না ঐদি রুংতগে আমনং কম্বুরবনী; দাদা ভাইশাবা কৌদিরকপত্রুদা মবোই কংহৌবো, ঐ।ব দাদা ভাইখা কৌরে হস্তিনাদ কত্তবগে হায়রম্বগা তেরক্কলনবী হায়রকই । তীমনা খুরুমজরগা হাদ্রা কাবিরো, ঐ কৌয়া প্রনাদী কংজনগে হায়বৈ। কৃষ্ণনা মরাও কংতগে হায়রগা আমম্বা লেংশিন্দুনা মুক হাবিরে । মুনিগী মপাক্কজন কৌমা কুকুনা কংলগা; পায়পানী পুং চানা মতুংদা তীমবু শাপ তোগনবগী ওইরনা লৈরি। ইমুংবো গোবিন্দগ, তীমগা চাংনমকপত্রু তাবুনা তোংকপদা, শ্রীকৃষ্ণনা মুক হারিবত্তু উমদা তত্তুংদা বোংতৌ। তীমনা প্রাণ কৃষ্ণ মমাইদি চবা অদি চায়কত্রবদি, তংখাই অমা কংদিরগা তংখাই ২ মমাইগী থাকপিবু। দাদা ভাইনা মন লেংবা পিজমাঙ হাওরবা তংখাই ওইরমাগে, তীমনা ইবুংকো তংখাই চাদেং মমাই কংজরগে হায়রুনা অহনব তৌরগা চখোম অম তৌরে। ভায়ো অদুগা মুনি চংজত্তুনা হে ভগবান ইবুংঙোগী প্রনাদ অদি প্রাণ মমতং লিগদিবু, মমাই কংজগে, কৃষ্ণনা মুনিদি পৌরিরা খাক্রা তৌবদি, চিংনবীরোইক্রা ? মুনিনা হে যাদবেন্দ্র মমাই ওন্সিদা তাব তাবরে মমাইনা ব্রাহ্মণদি লেংনা কংচাদি নোংজত্ত পৌবিরদে মমাই ঈকজনবা পোক্রগা কংলাদি লোংজতুনা পৌরিবসি। খবোম লেংবা তেল্লুবনী কংজরে, ঐপোমনা খবোম লেংজনদি, প্রনাদ্বু কংজরগা মমাইগী খমোই অমকপদি লেংজরগে । কৃষ্ণনা অদুবু মুনি ঐগী মরুপ্তি পৌবিলে, খাকা ভাইমগী শরুকী খাদাদ চারবিবু, দুর্বাসানা তীম প্রনাদসি চখোম অমতং ইপান্ত কংজগে লিগদিবু। মুনি ঐনা চাকরে উচিষ্ট ওইরে যোনবে লেব ওইবদি তোকপীরো, মুনিনা মমা কংজরত্তু মবা মহা প্রসাদনী অদুনা তেল্লা ইপানা পাবজরে। তীমনা চিংনবীরমদি অপোমমইবু, ঐ পোকত্রি পৌবিবু, মুনিনা কৃষ্ণদাস নংনা পৌখিবগী উচিষ্টতুমক মংজগে হায়রগা, তীমগী মাংবগী চখোম অমা পৌরগা, অম মহা মনা প্রসাদ হায়দুনা, দুর্বাসা কংখে। তাতাদি লেবাকি-পিংবা দৈ-চন্দন-পান কৃষ্ণগী মুনিগী তীমগী লেবা কওলগা কংনরে, শ্রীকৃষ্ণ বিদায় তৌনবুনা মুনি তীম কৃষ্ণ খুরুমজতুনা লৈতৌরে, গোবিন্দ দ্বারীকাদা লেংরে। দুর্বাসানা তীমগা হায়রকই তীমসেন ঐনা কণ্ঠন খংনদুনা পুজারি ওইবদা, মঙী চাকরাম খোংখদি ইপুম থিংলে ওন্সিরৈথ ইপা পোখারগে, পুজারী নংনা অমুক ওইরে । তীমনা গুরুদেব মরে ওন্সিদৈ ঐনা খোংজলগা মুনিগী লেবা তৌজগে, দুর্বাসংনগী তীমনা পুজারী ওইরে। মোংতারে তীম তত্তা বৌগংলগা নেমারীদিং কৌরে ওন্সিনী তত্তা খোজে মখোই লেম পাবা লোইরম্মো, ঐ পুজরগে হায়রম্বগা পাক্রগা লোইরনা পম্ব। তারা চেনখি। প্রাতঃক্রিয়া স্নান লোইরদুনা কাররে লেবারী মুহে নঙিংনা দৈনং দৈ থাগংলে চেং মরাই মখোই ইত্থাং চাম্বা লোইরে, তীম কি হোজ্ঞগা বুক্কা লেবা তিলক তোকন ক্রিয়া লোইরগা খালাতৌপংনা খোংবা হৌরে। তীমনা মুনি স্নান তৌবিরম্বো ওন্সিদি তাই কংলদি, মুনিনা কৃষ্ণ নাম ঐ স্নান তৌবিরগে হায়দুনা চংখিবদা। তীমনা কৃপা লৈরিবা মতুংগ যুধিষ্ঠিরনা ভমনিংদুনা ইন্দ্রপ্রস্থমদা মুনি লেংরে। তীম মুক বৌবা তোইরে

মুনিদি হরকত্রবারুদা ভীমনা চেক্তনা যেংঙবদা ইন্দ্রপ্রস্থরোমদা চৎখিবনী মুনিনী খোজেল তাখিবদু উবদা। মুনিসী ঐখোয়রোমদা চৎক্লে দাদা মহারাজগা য়ারী শাহুনা লৈরিবনি। দুর্ব্বাসাগী খোংগুল্দি খাইগা মায়দে খুদিখিবগা নহিংজেন থামলুনা, খুদি খীবা খোংদোল নং তুম্মো মক্তোমদা চৈহুনা তুমী অহুনা খোংশা য়াওদে। ভীম হজিন্নগা সেব য়ীশিংদা মুনি ঐখোয়রোমদা লেংব্রে, অসোমদা সেবাসী হোংব্রগে পাবুংহন্দা নখোয় অহুম হংগৎবুরো হায়রগা কাংখোল ২হু লোনবৎলে। চাক ইনছাং পাত্রগা কোয়না কৈ থাহুনা মোনপাক মথক্তা থিজিল্লে, কাংথল থম্হুনা য়েপশিল্লগা কৈজা শারগা খোংগৎতুনা চৎব্রে। ভীমগী মতৌর উবদা সেবারীশিংনা অদ্ধরাজন হংগৎখি, ভীমদ্ ইন্দ্রপ্রস্থ য়োরক্তুনা কোম্নুং চংলকপদা কোম্নুংগী প্রাঙগোন্দা ধর্ম্মরাজনে অর্জ্জুন, নকুল, সহদেবনে মুনিগী সেবা ভক্তি তৌদ্না য়ারী শানদ্না লৈরি। ভীম শদাই সুথাং বুল্লাগী চপুটরা মনাক্তা লেপ্লগা, সহদেব সুমাংসি থুনা য়াই তৈথোক্লো ইয়াম্না পে মকইবসি অশেংবনি থাগে, মুনিনা ভীম লোইনা য়াওরক্ত্র, হোয় গুরুদেবনা শোমদা লেঙখিবতুদা, খেংগনি হায়রুনা শোমদা সেবা অহুম ওইরুনবা লোইনা পুজরক্লে। সহদেবনা য়াই তৈথোক্লে ভীম পোত্থ্ থারগা মুনিবু ধর্ম্মর অবু খুরুম্মী, যুধিষ্ঠিরনা তৌরকইবত্ত কমিনো য়াইমা, দাদা মহারাজ মুনি শোমদা সেবা ওইরগে হোংজরক্লবনি। অহুবু কমুং কাংখোল পোরকত্রবস্থ য়াই কমিগী পোরকইবা। দাদা মহারাজ সোমদা জন-তাল ওইরনী হায়তুনা পুজরকপনি অশেংবা ঢাক্ৰী। মুনিনা লোইরম্মো ইপা স্নান তৌরুরগে হায়রম্মগা চৎখিহুনা, থূনা স্নান লোইরগা লাক্লে, ভীমনা কীশেং শাম্জিনি লাইপোং পুখোক্লে। মুনি য়ুল্দা সেবা তৌরগা তিলক ধারণ ভোজন তৌরি, ভীমনা কাংথল হায়দোক্লগা মুক শেঙা লোইরে, বর্ত্তি চমথক্তুনা কৃষ্ণদা মুক কৎলে। মুনি কংবিবা য়ারনি প্রসাদ কৎলে দুর্ব্বাসা কমদগী আসন্দা কম্মে, মতৌয় উবদা যুধিষ্ঠিরনা মুনি তৌরিবত্ত অপরাধ ওইরোইজা। মুনিনা হায় ধর্ম্মরাজ ভীমদি মানা ইরুজদনা শোক্লবনু কৃষ্ণদা মুক কৎপদা, শ্রীকৃষ্ণনা লেংঙক্তুনা হাবিথরে অহুমগী ঐগু মনাওগী মহা মহা প্রসাদি কংলে। অহুমা মনাওনবু শোকলবনি টশেং শেংদে, ঐগী পুজারী ওইহল্লবনিনি, হায়রগা মুনিগু ভীমগু কংঙে আচমন তৌরে মুখসুধন লোইরগা আসন্দা কম্মে। ভীমনা হৈ-লৈ পামা সেবা কৎলি মুনি কংঙগা যুধিষ্ঠির ভীমবু মাংসত্ত তারহুনা ঐগী সেবা থাজিলকপা, অদ্ধরাজগী মচা চারোঁশি তুংদ ভারত ৎলাও ১ খোকলখিনি মহুদা ভীমগী মথুক্তা তুম্না শিনহু। ধর্ম্মরাজ নংমা সর্ব্ব ভৌমাপতি পদবী কংজরো, ভীমসেন ঐগু হনব্রগে পণ্ডব ৫ কুন্তী মাতামাতা মুনিবু খুরুমজরে। ধর্ম্মরাজনা মুনিদেব ইমাও অচাওবগী মতৌসি মীচোংনা য়ারী শাদোকপীগদু হায়রৈ। দুর্ব্বাসা আশীর্ব্বাদ তৌরম্মগা আশ্রমদা লেংখি। মতাং অসিবু পুক্লিং চংনা তাজবদা মীওইবগী অরা-অমা কোকই, কৃষ্ণ ভক্তি কংই ব্যাস থাক্যাগী মহারাজ-জনমেজয় ব্যাস বাক্যদি লেংজবা দেববাক্যগা মান্নবনি টৈতি ॥ হরি হরি হরি

———:———

অধ্যায়

পিসোক সারথী কংবা অমসুং ভীমনা মন্ত্রি ওইবগী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই মহারাজ জনমেজয়, নমুখো ভীমনা মন্ত্রি ওইবগী বারী নিয়গে তাবো। পাণ্ডবনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পাল্লকপসি মল্লবিদ্যা গদাবাক পাবা কাংবুনা, ভীমনা ওবা ওইদুনা তম্মী, ধনুর্বিদ্য: পাবা নিংথৌ মচা কয়ানা অর্জুনদা তম্মী। টাঙ্গবিদ্যা পাবনা নকুলদা তম্মী, লাইরিক জ্যোতিষ শাস্ত্র, থাংগী বিদ্যা পাবনা সহদেবদা তম্মী। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব কৃষ্ণ ভক্তি পাবা শাস্ত্র,তত্ত্ব নৈনবা, সাধুসঙ্গগী কাংবুনা যুধিষ্ঠিরদা থরে। ধর্মরাজ গুতিগী ব্রহ্ম ভুজন কৎলি, বৈষ্ণবী কুন্তীনা লাইরবশিংদা দান তৌই। ঘাম্রিকাদগী শিনিগী মচা মংজিক অর্জুননা ওবা বোরিদুনা ধনুর্বিদ্যা প্রাণ কৎনা থজদুনা তমজখি। নোংমদি ভীম গঙ্গা স্নান লাকপদা নর্মদা তীর্থগী মনাক সুত্রনগরগী নিংথৌ পিপাক রাজাদু পাণ্ডবনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পাল্লে তাবদুনা, মতম কুইনা ম'ওই সুবদুনা লৈরক্লবা মচাবু পোয়গা ভীমদা কৎকদবগী রথ তোংদুনা লাক্লে। পিপাক ভীমগা ৭.দা থোংবাল্লা থেংনৈ, ভীমসু লাকইবদু লেপ্লরা রেংই। পিপাক ভীমগী মী'ওই উবদা রথ থাম্মগা কুমথদুনা হংজকই। মহাশয়, ভীম মহাবীরগী গুহদি কদাক্লবো অমুক্তা তাকপিয়ু, ভীমনা করিগিনো মহাশয়, পিপ কন; ঐগী নজন্দা পোঙ্গিবা ইচাসি কৃষ্ণদোসদা কচ্চগে তৌবনি। ভীমনা করিগী কৎথুগদৌরিবনো ? পিপাকনা ঐগী ইচাসি মী'ওই সুবদুনা লৈরকপা কুইরে, মনাই ওইবিয়ু কায়জগে তৌবরি। ভীমনা অতাংগী শকক্লদু উবদা মহাশয়, মী'ওই চাদবা অতাংদু পুশিনবদি লৌখিবদি হায়রকপু য়েদুনা তারক্লরি। লাম অসিদা অতাং মী'ওই চাদবা পোকপা খিরগা, নখোয়না ওক্তবগী থোযনা নুচা মী'ওই চাহন্নবনি হায়দুনা মনা মপাদু য়েবনি। ভীমগী খোনকম তাবদগী অতাং মখিৎ পাংদুনা য়েংবদগী, ভীমবু হেক উবদা ব্রহ্মবাক্যনা প্রসিদ্ধ ওইদুনা মী'ওই সুরগ জ্ঞান সম্পূর্ণ ওইরে। ভীমনি থজদুনা মপাগী নজন্দগী চোংথোকখিন্না চপ লেপ্লগা হায়, হয় ভীম নং ঐবু মনাই ওইগে হায়রবদি মনাই ওইবিগে ওইরোই হায়রবদি য়েনবা তারে। নংনা তম্মগা ওইদু ঐনা তম্মগা মনাই ওইগে, নং চেমগনু হৌজিকমক নংগা ঐগা লন্নযুদ্ধদা নম্বরসি হায়রকই।

মতাং অসিদা বারী তাবিবা জন্মেজয়না হঙ্জরকই, মুনি পিপাকি মচানা মতম কুইনা মী'ওই সুবনা লৈরগা ইমুখো ভীম উবদা মী'ওই সুরিবা ব্রহ্মবাক্য প্রসিদ্ধ ওইখি হায়বা মপোক্কী বারী অমুক্তা নিবিবো। মুনিনা হায়রকই মহারাজ তাবো মন্ন নিয়গে। পিপাকী মাগী ভুমরীনা থোংমা ইকজবা লাকপদা * অষ্টবক্র মুনি তীর্থ স্নান তৌরগা কাখৎলকপদা

* ব্যাখ্যা। অষ্টাবক্র মুনি অসি কহোর ব্রাহ্মণগী মচানি, ব্রহ্মাগী বংশিনা, মপগী মেহুবা মরুই কোংথোক্লবা কৈল্যানীগী গর্ভদা থা ১০গী লমদা ওইরকপদা, কহোর পণ্ডিতনা পক্কর ময়াম থেব তম্মী

খোংকাপ ৮ সুবগা থুকউনা খোঙনা তুই, হৌবগনি লৈতোই কম্ব্রোকই, অমুক চংলি তুই অচুবু উবগা ভ্রবরাগ লোকই। মাদা লোকপতু উবদা মুনিনা শ ওঙ্কুনা হায় দুগী নংগা এগী ভজি য়েংলগা লোকপদি, অচুগী খোবনা নংগু মীওই সুনবা নচা অমা পোকউ হায়না শাপ ত্তোয়ম্মগা চংবি। য়ণী মরা লৈরগা গর্ভ ওইদুনা থ ১০ না মপুং *য়রুনা মচা নিপা অমা

কৈন্যাণী খোয়ানীগু মপুয়োংবগী পনা লেপা তৌর। কহোয়ন বেদগী অর্থ লিখ্যলিংব তম্মীরিবতু চুম-দবা য়াওরে। মতমদুদা গর্ভদগী অচা দুনা লাওনা হায়রকই। পিতাজি তম্মীরিবা অর্থদু লারে বেদগী অর্থ লাগা চংগ্রবাদ, অগডকী অম থো ওইকোন অচুখা থংদবা পদদু অটেবদা হংদুরগা চুখা হৌয়ু। হায়রকপতু তাবদা কহোয় ঈকাইবগা লেহনবা শাওবিরুনা, হায় পুনিং থাঙ উন্নিবা গর্ভগী অচাং মংনা মপা এতোব্দা অর্থ লারে হয়বদি, কাল ৮ গী মথেক ৮ খোক্রা পোক্রো হয়বা শাপ চৈথোকরে, অচুবু খোয়ানীদুনগু শাংদোক নিহৌরে। মরম অচুনা ভ্রম বাক্য থাংবা য়ামতুনা পোক্লকপদা (অষ্টবক্র) কে জুবরেঙুম মথেক ৮ সুবা মওংদা ওইখিবান। মরম অচুনা মথিংগু অষ্টাবক্র খোরে। মতম অসদা বরুণ দেবতাগী মচা বন্দি, বেদ তম্মগা বেদগী তাৎপর্য্য অর্থ থংনিংদুনা, বেদগী কাংবু ময়াম থিরদুনা বন্দি দিগ্বিজয় চৎপদা বন্দি জয়পত্র লৌদুনা দেশ খুদিং কোইরকপদা মিথিলা লৈবাক্তা থুডদুনা জনক নিংথৌনা বেদ তুংগ লিংখংদুনা বন্দিগী কাংবু থম্মগা বান্দগা বেদগী অর্থ তৌনবদা তম্বা পাণ্ডিত লাকপিয়ু। জয়পত্রগা সনা রুপা মনা চাওনা পিগনি হায়ন, পত্রদা কোংদুনা দেশ খুদিদা থারে। পাণ্ডু কংবদা কহোয় পণ্ডিত লাক্তুনা, বন্দি, জনকনা উবদা বন্দিনা কহোয়দ পাণ্ডতনা তম্মগা এবু জীলংদা নমদুনা হাংগা, এনা তম্মগা পাণ্ডিতপু জীলিংদা লাকাগনবা নিয়মগা কেপন্দুনা, বেদগী অর্থ তৌনবদা বন্দিনা তমদুনা কহোয় জীলংদা পুথাবদুনা, বরুণগী লৈপাক্তা থোন্দ ওইনা থমাখ। পাণ্ড অসি কন্যাবীনা তাবদা মপুয়োইবগী খ্রেয়া কপাখ। মচানা কারণী কপ্পীবনো হংবদা মপাগী পাণ্ড তম্মগী, মতমদু অষ্টাবক্র চাহ ৫ শুবা মতমনি। মমা থুকম্মগা মপাগী লমন শিংদুনি চংখিদুনা, মিথিলা য়োরক্তুনা বন্দিদা বেদগী তাৎপর্য্য অর্থ অষ্টাবক্রনা কোংদোক্তুনা তাকাখ। বন্দি বেদগী তাৎপর্য্য কংজখি। জনকতা, অষ্টাবক্রনা এনা তম্মবাননা, বন্দিবু জীলংদা লাকশিনু ইপাগী লমন শিংগে হায়রকই। বন্দিনা হে-ব্রাহ্মণ, এনা বেদগী তাৎপর্য্য কংজগে তৌবনি, পিতা লৈবি শিদে, এনা পিগনি চংলাগ হায়দুনা অষ্টাবক্রবু পুয়গা, বরুণগী লৈপাক্ত য়োরক্তুনা দেব সভাদা কমবরুগা মতিক চানা পূজা তৌদুনা, সন্দেশ কয়ানা পেলহারে। কহোয়বু খোঙ্গ-দগী লৌখোকউরগা হায়খি, হে ব্রাহ্মণ বেদগী অর্থ লায়া ছন্দোকাথবগী খোবনা খোক্ল কংদু-বনি, হৌজিক নচা ইবুংঙোনা বেদগী তাৎপর্য্য কোংদোক্তুনা পিতাবু উদ্ধার তৌরবনি। য়ৌরসি হায়রগা পিতা পুত্রবু ময়ুরদা থিরমই। মতৌ অমুম্মা চহি মতাদা পিতাবু উদ্ধার তৌবা বাক্যদা প্রসিদ্ধ ওইরবা অষ্টাবক্র মুনিদি ইতি ॥

লোয়ে, যুদ্ধিষ্ঠির শাপা নক ভাবনবা পঙাক পঙাক তাবা মীওই মুখবা মতাং ওইরে । পিপাক্তা শান্তিঅমিবলা মেবেমা মমাগী দোষনবী হাকলা অম কন পিরে, মথাদা মংগা করি দোষ লৌবি-নবে। হেল্‌লা কনাংগী মুনিশী শাস্ত্র লিংশিন্নুনা ময়ুকথি । পিশাক্তা মুনিশি থককা অথৌবা শাপতোক লিথনবা, মুনিনা হায়মি হয়েং ভুমে শাংগবা কুকলী মমাই ওইনা লোক্লকথিমখি । অদুগা অমুবা পুকপা মমাই ওইবিন্নু হায়বা শিক, তাম উবদা মচাদু মীওই মপুং ফাসনু, তামগী শাপগী কাইরগা, তারক হরণ শ্রীকৃষ্ণগী জীবা লোইরগা মুক্ত ওইজনা করি হায় মংসনু ! মথোয়দু মচাদ তামদা কুশরগা মুক্ত ওইজো, অতদা শাপতোক পিখিবী । মরম অদুনা মতম কুইনা অমা বাবা য়োক্‌না তামবু তাকনরগা পুরকইরমি ।

অনমেকনা মুনি ইবুখোগা পিসোকক্তা কমদৌনবকপগে মথা লিথিরো, মুনিদা হায়রকই পিসোক্তী খাদু তামদা, কাশী থককাদু উবদা তাম শাক্তুনা পিশক পিকপা অংকনা থৈবু ঊশিংত্রবদি হাংতোকে নং হায়ন্না তোংশিনখি । পিসোকমু তোংশিনক্লনা তামগী অথাদো কোরগা, থোইদোদা উমক্না মথামা চিকলগা তপ নপয়ে । তামনা কপ্লোকই হায়, কাক্তোকই অমাং ইনপাক্তা হায়থদ্না থরো থরো ওইয়ে, শরৈ শবা পিসোক্তা হেন্দুনা তামগী থককা নম্পগা চরম পাম্দ্না মথবাক্তা অমুক নপয়ে । পিসোক্তা মথদ্ চানা শোক্লিবরগা থাইরে, কপ্লোকই হাদে ককউমে তামগী উবা থাওবা চৎলি, তাম পিসোকী মচুমুকদ্ মিয়াম চেমমক্না কুমে য়েংনখি । মতো অমুবা পুং ৭ কমবদা পিসোক্তি অব বা লৈতে, তামদি পিসোকপু অায়বদা মপুম থিংলে । তামনা পিসোক মংবা ওবা শকচরো, ইবুঙানি মমনবা তোকনশি হায়রকই । পিসোক্তা ঐবু মনাই ওইরগেরা, তামনা ওইরগে, পিসোকন ইশানা হায়বা মায়মচুবা ঐ শাওদ্রা কজি চয়ম মেৎথ উদ্না হাংকে তৌবনি, হায়বদি অযোকশিয়গে কায়বগা পিসোক চেৎথোকয়ে । পিসোক মশাবু থুরুমতৈ পাম্বুং লেংবিগ্র মচাদি তামগী থোইদম লৈবহোবগে । পিশাক মচাবু কৎলম্বগা মরৈপাক্তা কনখি ।

পিশক পিকই হায়জুনা মংসু তামনা পিসোক থেংলে, অমাসা পিসোকপু শাগতনথি, তাম্বান হজিনবী । তাম পিসোক মান তৌরগা চৎপিনা চাবা থকপা লোইবগা মুত্তোইবা লৈখিরবি । শাজনা শাক্লকপশি চবি ১ কায়কে, অদুবু তামনা ওইবনিংবা শাসন মমাওখিংবা শাংথোকপা মল্লুইবোয়ে । তামনা পিসোকপে অতেগা থজিবা মথামদা হায়রকই, থাদা অয়াক্তকপা শাবগা লৈবাকশি, অশি অমা, অাইখা অমংবা লৈবমবা, মাইরেপাক্লয় শাংমকলিই, ঐনদি ময়ি মতুবদা লিমুক্ক মতে । শাসন পুম্বা নদেবকদি অনাহজিদা শাংথোকপা মল্লোইবোয়ে, অম অশাবা অদা ওইবু হায়বদু ওইরোয়ে, তৌজিক অফি ওইগে হাবক্লকপদু চপ্লিংয়ে, কনবো-শিংগ মথোয় অমুক্তা অায়বু, ঐ তাগে । পিসোকনা হায়রকই, থৈকুংতো মাইশাবু মফি ওইবি-লিংলবদি, ৎশিবক ঐথোক, পুশিংদু কৈ, মফি শাগদগে । ওইখিরো । মফি অইথে তামখোয়না

খোংখোক্লগা য়াবোম্মুক্রবগী, মরাখুং মহারাজনা লোইরবা কৌথংলকখি, মনাগী মন্ত্রি কম কচ্চৎকখি । পিরোকপী য়াম তাবদা ভীমনা অসিনা মহাযোগ ময়াম্বা, ইপু পিসোককী থাকখদি করে, মন্ত্রি থোরিরসি লেপ্পুনা লৈ-পবেং লেংওপা পিসোকতা লানখিন্দুনা, পিসোকনা লৈ-হক্তুনা মন্ত্রি থোরিরে । ভীমগী মনাই ময়াম্বা ভীম বহু মন্ত্রিগী জয় হায়না লাওখরে; অতাবা মীয়াম ঙকখি । অসিং লেরে, থোং তাক্লে চাক থকপ লোইরগা মন্ত্রি কোংঙসি হায়দুনা, ভীম মন্ত্রিগী কিরেৎ-লেৎরে, মনাইশিংনা কোশাই য়েং ওইদুনা ভীম লোলাই তো'ংঙ, পিসোকনা ছত্র পাইরে, ময়াম্বা কিরাস পাম্বগা, ভীম বহু মন্ত্রিগী জয় লাওদুনা রাজ বজার থোক্না থোরক্লে ।

ভীমনা শোরোক ময়াইদা লোলাই থাহল্লে, মমনাই থবক চৎচবা মী কাহল্লগা লাখা শিজিন্দুনা বহু মন্ত্রিগী য়াথংদি য়ৈরেনো হায়দুনা য়ৈনহল্লি । ভীমনা য়ৈনখিবা অমিদু পুশিল্লকউ য়াম অমিচ বহু মন্ত্রিগী য়াথংদি চংত্ন হায়দুনা পুশিন্নি, অমিচ ভীমবু থুরুম্বী ভীমনা মথাদি মন্ত্রিগী য়ৈনখিবনো হংই, মনাই ঐখোই য়ৈরেনো হায়রবগী য়ৈনখদি । ভীমনা মীম ইশিল্লগা য়ৈনখিবা অমিদি লাক্লে ময়াম্বী মক্তী চৈ ৫-৫ য়ৈবু, ভীমগী মনাইশিংনা য়ৈরে, ভীমনা মথোয় ঙাসিদি থাদোকপিরগে মতুংদা মীনা ইশিল্লগা কত্তবা থবক তৌরগনু । মখোইগী পুকচেল ঐমা পরিকা রেংবদি চংলো থাদোকপিল্লে, সুবিৎ তাম্রে ভীম হাজিখি । থোং তাক্লে চাবা থকপা লোইরগা থোক্তুনা শোরোক অকা অকুপ থিংঙে । ভীমবু বহু মন্ত্রি হায়না থুরুম্ত্ন হায়রবদ মনাইশিংনা অচৎ অওক থিংদুনা য়াথবা মী কাহনা য়ৈ । ভীমবু কিদুনা শরোক মী চংনজে সুপী মহা কথেল কানবা ঙমজে । মতৌ অ'সেবু ময়ঝাকদা মীয়াম কারক্তুনা ধর্মরাজদা হকংলরে, যুধিষ্ঠিরনা সহদেব কৌশিন্দুনা নয়াম্বা ভীমচ মন্ত্রি ওইনিংঙক্তুনা তৌরকপা ইয়াংনি, কৌথংব্রো কম ওইবু য়াদবচ কম করে, মন্ত্রি নয়াম্বদা শিন্নগা থাকী শাসন য়েংঙসি সহদেবনা দাদা মহারাজ দাদা য়াইমা কৌজরগে ঙসিবক মন্ত্রি শিন্নখিরো । সহদেব ময়াম্তুংগী য়াথং মতুং ইয়া ভীমগী গৃহ য়ৌরকই, ভীমদি চাব থকপা লোইরগা মন্ত্রিগী আভরন লেৎলে । মনাই ময়াম্বা থোগম্বুনা লৈরম্বী সহদেব মাসোল কাথংলক্তুনা দাদা য়াইমা হায়দুনা থুরুম্বী । ভীম মনাইরোমদা ওজিল্লগা ওসিগী বিচার কয়া লৈবা, ঙমাংগী লোইহোনবা কয়ানো য়াম্বী শাকদুনা লৈ । মনাওবু য়েংদে, পিসকনা মনাও ইবুংঙ পণ্ডিত ময়াম্বা য়াইমা বহু মন্ত্রি ওইরবদি, বহু মন্ত্রি হায়বিবু, সহদেবনা দাদা য়াইমা বহু মন্ত্রিবু মনাওনা থুরুমজরি । ভীম ওজিল্লক্তুনা সহদেব ইয়াম্বা মন্ত্রি ওইরুদুনা থাকংলবা ময়াম্বী বিচারদা য়াম্ভনজদুনা থম্বিরেদা ইয়াপ্পা ইমাওবু ঙরোম্মে । দাদা মহারাজনা কবি তাকপিরকই, পিসোক ইমাওগী শন্দেস হাক্কলকপদা তাকিদি সহদেব শন্দেল লৌরগা হায়রকই, দাদা য়াইমানা বহু মন্ত্রি ওইরে তাবারা মথা মহারাজনা শাজনগী থৱনবা কৌরু লাকচখি, লেংঙদি । ভীমনা ইনাও য়োরম্মো ইয়াম্মু য়ৌরকলগে সহদেবনা মনখিদুনা ধর্মরাজদা শাও হাকলে, যুধিষ্ঠির দরবার থোক্তুনা আসনদা ফমে ।

সভা মৌয়ান তিরে। ভীম মনাই মহাক্কী খোঁগজগা লোলাই তোংজুনা কাম্বকপনা জরবাহনী লোকংদা লোলাই থাবগা মনাইশিংগা সভা য়োরক্তুনা থুরম্মী। অদুগা ধর্মরাজবু থুরম্মখে। যুধিষ্ঠিরনা ইনাওশি বর মন্ত্রিশী কবকবনা কপ্পো, ভীম মন্ত্রিশী আসন্দা কপ্পে, সহদেব চংজনা ভীমবু থুরম্মগা, দাদা য়াইমা ভনিমশৈ বর মন্ত্রি কচ্চরে। ভীমনা সহদেব ইয়ুথা মতম থরা ওইগে নখোইনা ভম্মরোইদবা, শাসন মওং অমতং লেমগে, লেম্বা লোইরগা ইনাওনা অমুক ওইবু ইহ হাল কম্মাইবা পামদে হায়খি।

ভীমবু মাম্ত্র থাম্মা থুমহৎ অসেদা শ্রীকৃষ্ণবু ভীমনা কগুনা কৌজবদা কৃষ্ণ আবির্ভূত লেংখিরক্তুনা দরবারদা থুংখিরে। পাণ্ডব ও কৃষ্ণবু ভক্তি তৌমজুনা আসন কংলে পুজা সম্মোন লেবা তৌরে, কৃষ্ণনা দাদা য়াইমাদি কম ওইবু যাদবজুনা মন্ত্রি কম লৌখিরগে ভুংজাইরেদা। কৌমনা প্রভু ঐনা নিংজবদি দাদা মহ রাজনা পানবসি লাইরৈপাক্কুম পানকননিংই, ইনাওশিংমদি শিনবা ভপ্পোইদোরে অক্রীদমক্কা মতম থরা শিনগে মন্ত্রি কম লৌজবনি, ঐনা নিংজবসি অমুক্কা থংহনবদু থুকনখে মতংসেদা মনাই ব্রাহ্মণ ২ লৌখৎপিরগে থম্মুনা, অদুদি দাদা য়াইমদী মিংবক্ক থংনবা ব্রাহ্মণ ২ দং ব্রহ্মভুজন কংলগা বর নিখিযু, খাক্যদা প্রসিদ্ধ ওইরবা জগৎনা খংনজবা ব্রাহ্মণসি। ঐ ভাকচগে দাদা য়াইমদী জাগাদা তৌগদবসি ঐন্ত্র য়াওজগে, মরাম থংহনবা য়াদে, ভনিসি ঐন্ত ঠৈজরগে। গোবিন্দ মনাই অর্জুনদীদা পোথাখরে দরবার তম্বনরে। ভীম মমুমদা কুম্মে পিসোককা ভানাদুনা অহিং পোথারে। মোংজংলে প্রাতক্রিয়া স্নান তৌজুনা কৃষ্ণ মনাই ভীমগী জাগাদা লেংশিল্লক্লে। ভীম ভক্তি কগুনা আসন্দা কৃষ্ণবু লেংশিল্লগা কনাইদা চৈবা ব্রাহ্মণনো ভাকপিরো কৌজরগে। কৃষ্ণনা দাদা য়াইমা লোমহর্ষ, দণ্ডবক্র কৌবা ব্রাহ্মণ ২ বারনাবতিগী গঙ্গা মপান অম্তুঠৈ চাকশঙ ঠৈ চাকপদী থোরকপা অমং মমুংদ্দু লেংজুনা চৈবনি। মখিং হায়জুনা কৌমহুংদদি চংজুম মথোয়না লাওজুনা য়েংলকলবনি উৎ ওইনি, পূজারী হংলক্রবদি কৃষ্ণ ঐবু থোংহনগনি হাইয়ু য়াক্কগা লক্ষ্মী, দ্রৌপদী, ব্যাস দুর্ব্বাসা হায়নো য়াজ্রবদি অমুক হলকখো য়াজবা ঐগা অমুত্তং ভানদি। ভীম চেনখি, গঙ্গা মপান য়োরক্তুনা অমং মনাক্ত লেপ্লগা হে লোমহর্ষ, দণ্ডবক্র অক্কা ২মক থোক্রকও চাম্ব থক্তনা চৈবজ্ঞ ভুংজাইতজুনা ব্রহ্মভুজন কৎকে, সিদা চৈবে থংজুনা কৌজবনি হায়রকই। য়াম্ব ভাবদা ব্রাহ্মণ অনি ব্যাস কায়রে, খাই লাওই কনানো হংজকই। ভীমনা ঐ পাণ্ডবকী ভীমনি থুম্মী। হনা পূজারী কনানা থোজনি হংই। ভীমনা কৃষ্ণবু থেংনগে মুনিনা গোপমচাক মচাক মপুৎ চাম্বোই, লক্ষ্মীবু থোংহনগে। মুনি ২না লক্ষ্মী মমা মপা থংদবী সমুদ্র চৈবদা থোরকপীঙ মপুৎ চায়োই ব্যাসদি হুবক্রী নিজোল লৌই য়াদে, দুর্ব্বাসদি মখোং লোম্মী য়াদে, দ্রোপদি থোংহনগে পঞ্চ-খামীনি য়াদে। ভীম অমুক চেনক্লে হায়নরকপা রাক্ষ পুরুক লোইনা তম্মে। কৃষ্ণনা দাদা য়াইমা ঐনা হায়দা য়াজ্রবদি জগৎ থংনবা লাওথোক্রগে হায়রগা "কুকুর অন্ন খায়" হাইবু। অদু

ওইরবদি দাদা যাইবানা হায়রিবা মতৌ তারনি বম নিবনদু মুনি পিরনি। তৌবনা অহুনি হুইগী চাক চাবা হায়রবদি মচুগী য়ারী তাকপিদু। দাদা যাইবা মচু থও প্রেলয়গী মতমদা পৃথী লুপত্রে, অদাকায় ওইরে, মচুদ যুম্না যাওদবাসি পুরুষোত্তম ক্ষেত্রনিদী যাওদে তাওহুনা লৈ। নিত্যউতকি মখোংদা হসি য়েংদুনা লৈ, প্রলয় যাওত্রে ঐহে মনা মংগেত্রে নাপন তৌরকই। ঐনা নাপন মৈখক্তে হায়বগী মুখ্য তুম্নাদা মখং পিদুনা লায় বোরাংবনা থরাই পুখা চহত্রেগী হুই অংবা অমা মথা কারগা চক চদুন ১ কারিবাহুদা যাওদ্রগা তাওশিনখিনি। মদু উবদা ব্রাহ্মণ অসি অপংবগী কনা লৈত্রে, হুইদগী চদুব অসিনা থর ই কাবরসি হায়দুনা হুইগী মথমাঙগী চদুমদু লৌরগা তংথ য় য়েংদুনা চাই অবাংব কোকহত্রে ঐন "ব্রাহ্মণ কুকুর অন্ন খাই" হায়না লাওই, অদুদগী বরাহ রূপ ওইদুনা পৃথিবী কুকংলগা ব্রহ্মাদা অমুক সেম্বদা ঐখোয়বু মী লাইনা উরবদি লাওরবসি মুনিং ওইবা তারে, অমুক লাওরকবদি অপংবা থংবিদুনা ঐখোয়বু নিংদা থৌংগনি থদুনা, মুকং পিদুনা ঐগী মরম লোন্দুনা লৈরিবনি। মুনিং উখিনি থদুনা অহিংদা লোয়না চংলে শক্তা যাদ অচিকপা খিদুনা তৌরবদগী মুকং থোকদুনা লৈরিবনি হৌখি ১২ হুবে। ক্রোধ ওইরবা ব্রাহ্মণগী য়ারী তাকত্রে। তৌর বর হৌদুনা অমুক চেকদুনা য়োরক্লে, ব্রাহ্মণ ২ ঐনা হায়বা যাত্রবদি অদুবৈগীদ অপং থংবা লাওখোক্লগনি, ব্রাহ্মণ অসি তৌর অদুবৈগী কমিনো, তৌরনা "কুকুর অন্ন খায়" হায়বকপদা তৌর করদোনা থংহি। তৌরনা মুনি অসি নদি মুনিংনা ওইরমাত্রে মুনিং উহৌরই লোংলি, ঐনা লাওবনি মুনি ১ শ্রীকৃষ্ণবু নিংতবনা লোৎ পুম্নমক্তু কোক্লে. ঐনা মুংশিহুনা চাখোরগা ব্রহ্ম সভা মরক তিলহল্লগা অপংতা ব্রাহ্মণ অসিগী গুণবু কোংদোক্লগে তৌখনি। রাকমসি তাবদা ইবুংঙোযাইমা চহি কয়া পুম্নিরবগে, মুনি অসিনা ব্রাহ্মণ কনানা নত্রি, এ তৌব ব্রহ্মাদি ইবুধৌনি কুহুনা ইশানি, ইচিন ইনাও ব্রহ্মাগারি ওইদুনা বিষ্ণুবু নিংতম্বকপনি। থও প্রলয়গী মতমদা খোকখিবা থবকনি, ঐখোই থংহন্নিনদুনা চক্তি তৌদুনা থাংবনি, হাকমদুদদি হায়খোকপিদব, ঐখোয় হায়রিমথৈ যাজবগে। তৌরনা খোক্লো চিংনবদু হায়দোক্লখোই। চহি খিনমবদি মুনি অনা লৌরি, ব্রহ্মাদুবু পোকপিবা কৃষ্ণদ, ঐগী ইনাওনি, চসিদি কৃষ্ণবু নয়নদ মংবরগনি ব্রাহ্মণ ২ খোয়রকই. তৌবগী মীওই উবদা হুকই। ব্রাহ্মণ ২না কৃষ্ণগী মথাং যাইথানি হায়রবদি ঐখোই দাদা যাইনা কৌজরগে হায়রবা তৌববু দাদাযাইবা হায়দুনা ভক্তি তৌরে। তৌরনা মুনি অসিবু কোল্লগা মুনি অসিমক কৃষ্ণ ইনাওগা ঐগদি যুগ খুদিং অবতার লোইনবা লীলা শাবে। হন্দকী যুগসি ক্ষেত্রি কুলদা পোক্লে, ব্রাহ্মণনা ক্ষেত্রিদা খুরুমজবে লেপ্তিবা খুরুমজগদবনি। মুনি ২দি শুকং অমম্বদা লৈরম্বুনা বেদ শাস্ত্র পাত্রমাক্লে, ব্রাহ্মণ ককচিন্নে লেংগদি হায়রগা মুনি অসি পুম্নমনা লাক্লে, য়েরক্লগা কৃষ্ণ ইনাওবু খুরুমজবো হায়রকই, কৃষ্ণনা দাদা যাইবা কনানো ২ সে। তৌবনা ইনাও ইবুংঙো থও প্রলয়গী মতমদা চাইবনা চাকদা ঐনা লাওখি অহুদগী মীরক তৌদহনা লোৎখুনা লৈরে, মুংশিত্রগুনা লৌরমদি;

ইমাওনা কোমৌৰিবগা পাপ লেংবিদুনা লোৎলগনো, মৰাই অশ্মাগী মত লোমহর্ষ- যোগদণ্ড খাৎলাক। কৃষ্ণনা ভীষ্মদা ভীষ লেংলিদা থরগা মুনি ওৰাব কৌশিকনা মুনি কৃষ্ণবু দর্শন করবদা দণ্ডবত করলগ, স্তুতি তৌজরে, শ্রীকৃষ্ণনা কোনাথরে। ভীমনা দ্রোণদাবু মুক হোৎলে, কৃষ্ণগী পাংবদা মুক কংলে অশ্বথাম ২ পা কৃষ্ণনা মুক করে পুরগ ওইরে, আচৰন মুখসুধৰ লোংরে অসনা, কস্মে, অশ্বথামগী কংরাং কোনদা দাক্ষিণ কৎলে। ভীম ৱৰ লিজরে শ্রীকৃষ্ণনা, মুনি আনিনা দাদা মাইকনা পাংথোকে নেংবা থবক পুম্নমক পাংথোকপা ওস্মো হায়রা ৱর লিরে। অশ্বথাম আনিবু দর্বারদা পুথোরকপা ব্যবস্থ কাবা, অম্মা, হাপরে। শ্রীকৃষ্ণ ধর্মরাজ অঙি বিদায় তৌনরে মথাৰ কৃষ্ণবু পুক্নমনবগা লেংহৌরে, কৃষ্ণ কুন্তী পুক্নমগা দ্রোপদ বিদায় তৌরগা দ্বারীকাদা লেংখরে।

যুধিষ্ঠিরনা ৱর মাল্ল অসান লেমলিংবা মতং হায়রে। ভীমসি, ভীমনা দাদা মহারাজনা পাবগা লেপাকো অঙাং আসি অকঅকেক লৈহৌবা, লোংথু পুংলা চুমহৌবা, লাইরং-অদং লৈহৌবা, লাই-রেপাকা মামনা অঙাবু পুংভাইনা পাংহনাসি। ধর্মরাজনা অদুগী পাংবা কয়দৌবা ওইহনগদি হায়রকই ভীমনা মদু মানবা মতং ৱাংজগে, হাংরুও থেংবা, ইপা লাইহৌরি দায় অমমম শুদি। আশবগা মপু মথাৎ, লিহৌবগা থবক দাদা মহারাজগী অঙক। খোংগী মপু ইঙ্গা ঊলিং চাংহৌবা কংগৎ লো ইথোলগী ভাগ চাবা চুমবা, লবা লৈথোব থোকহৌবা উকুল হোৎহৌবা অংসনা অর্জুনগী দায়। অনা-অকেক লেহুং লাইথুং লৈহৌবা হৰদা (বেৰ-বেদ) আমনী কুমারানি, আসগী দায় নকুল-সহদেবগী অঙক। পুংলুপ অকনবা লিংহৌবা অমুত চেনবা খৰ-অক্ত লোইনবা মলমা সারয়ন কোবা পুংলিংনা ভঙনা লিংহৌবা, হৈথোং লৈথোং লোয়োক লেইক ওমাং কাওবা থাই লিংতোকপগী দায় এগা ওইবা। ভাগদগী দরবার কমক্রমবা মুথং পানী মপুংদা ৱর কংবা হোৎলব, ৮ নি শুবা থাদগা দরবার কম্মসি, হায়রিবা লেব কুপাস কংবা ভৱন্ বাগ কব খাবেক্রাস হায়রমা, ভাগদগ থুমৎ ৭ নি দরবার কম্মরোই, ৮ নিদা ভক্তা কররক্রে, হায়না মায়না মীয়াবদা লাওথোক্রে। মীয়াম পুম্নমক ভাবগী মতৌসি কমদৌরগবা, ভক্তনা দরবারদগী কম্মথ। প ও এহু মাগ ভগাদা হাত কণ্ডুনা মাগী মাগী পিতা লাইবু পুজা কৎলগা (অবাহন) কৌজাখ। মচাগী ভাক্ত ক্রেমনা থাংবা ওৎমদুনা পিতা লাইশিংবু মচাগী মকমদা পবিত্র লেংহোল্লমদাইদা আবির্ভূত ওইবা লেংকলে। মমনা যুধিষ্ঠির, ইপা লাক্রে কারি পাম্বগে হাইবু ? যুধিষ্ঠিরনা পুক্নমকপা মচানা পাঙবা পঞ্চপ্রাণসি মপুদি চহি শুদনা লমথাংবা লিহৌবীসপু লিরে। মমনা মথোয়না পানবা শাসন কাইখ্রিনবে লিদবা অঙক্ষসপু লিয়াম্পগা মৰ হর্ষাখ। থংলিংৎ কোবা লাইসু ভীমনা লিৰদা লিবিরম্মী, ইন্দ্রসু মচা অর্জুননা লিক্কবা ৱর লিরম্মগ, হৰথি, আমনী কুমার লাই আনিসু নকুল সহদেবনা ভীমনা হায়থিবা মমচু লিক্কবদা

[illegible] পুস্তকশুদা [illegible]। [illegible] ভাইদি, মমাংগী লাইবো তোকপিরো হায়বদা, ইপুংদা [illegible] তোক্নিংদি [illegible]' ভীমনা চৌখিকচব ফংলেনবা অবাবাদা পুম্না নবুরাবদা পুখ্‌লেনকই [illegible] লমাই থবা মমাংদা ভীম মনাইশিংদা লমা তৌবক্‌না [illegible] মাপকী পুক্নিংবুগা মখি খানদনা কপ্পে, মনাও অমদনা ভীমবু খুমখবে। ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পাত্র মাম খাইরাব [illegible] চৎলাইদা [illegible]। কৃষ্ণলৈরক্ত মথোং মথুং পুমনা মচাশিংনা তোকোইদা হওনা পুখ্‌লেনকই তোঙংদা লোনাই থাবগা মচাশিংনা পমজনা নমথাবদা থাক্লে, মিংথৌ খুমজী মাইদা হংগথাগ। ভীমনা পুক্নিংঙ থাদোকখ্রগা অদুবু লাইহোউ তোক্লেবা তোকোইরা লেংনা হায়বু, অদাবদা হায়খেকাম হায়ো মম মখি অমুক হুইবা তোমবদু ঐনা তোক্লে মাখদা থোনাম হায়খকই। ভীমনা ক্রুরদৃষ্টি থাখাব মেখবা খাবনা মপাদা লেখাম কপাংবা উগে। অদি ভাস্বোরুপে থজনা কোকুইক্লগা লবা পাম্বগা কৃষ্ণবু থাবন তৌদে। অদি চোংথোক্লবা থড়াঙ্গর মম লোম্বনা মচুবা অদি ঙুউনা চম্পগা, নমাংদা পদাদা তকপদা অদি থাংবা তনক্রুনা চোংথোক্লগা যুক্তি লেপাখ। অনাবক্ত লাইবো তোকখরোই তোক্লে থাম্খি। ভীম পদা থমগা অনিগী পাংবা মঙবত কংলগা, পঞ্চগ্রাম থান এক্তুগী দৃষ্টি তোউবদু হায়রকই। থান পেম্রুনা ক্‌কর্মা ভীমসেন পঞ্চকল পঞ্চামৃত কলমপা, শ্রীহরি মখুংথোদা কংলগা প্রাসাদ অচু ঐক্লোগা শিরো অচু ওইরবাব পঞ্চগ্রাম ভাবদগী ঐ অডত দৃষ্টি থাদোক্লগা অক্রব দৃষ্টি শিরগে হায়রকই লন্ডা পুস্তক থানিবু ভাক্ত তোক্লাব। পঞ্চপাণ্ডব থোমা কুল থাগা পোংলম সুনা লাংগা কৃষ্ণদা কওনা লমত পুক্ত, তোকখগা খুক্লখরে। এই থাকা প্রসাদ লৌখগা মম শিরে, ভীম লাংবা শ্রীহরিগী কপা লেবনা ঐবু মম তোরবদি মঙব পুখক্ত হরিগী নাম লেতবনা প্রহরী থোবা কোকপা ওবসু, হায়রগা অদি এহলোক তৌখি। ভীমবু খৌরাম্বা লাইথোম থহে, লাইবো তোকখা নিশাহ ভীমনা নিংথৌ কোংল। থাক্তা ন ন শিরবা শিক-শিবক্‌র মখুনম হলহনখি। ভীমনা খৌরাংবা শ্রীহরিগী নাম লোকবা খোইদ মতি শিনদি থাম্বা লমাদা লাংলখদি লমা থুরাম মলাখ।

পঞ্চগ্রামগী প্রজা খুদী অমাং থাওবা হরিগী নাম লোকবা হাওশিল্লে। মচুনা ভীম খুথোং পুখিং লেংবা ইমাক খুলমগী থাইদোকলগা, লাইরমদা থেজোকুনা চপ-মচুনা থমী। মথৌ থদবা ইমাংদা তোওবা, হুমান তিহি, লাকু লৈহুমদা অমাবু শুঙ্গাইখি। ভীমগী খানদ লোমখুম্বগা চুবা মীশিং খুংশিং কবদগী মহে মথোং চুমে, অনগুম চাওখলে, চাক থোংথে, ব্রাহ্মণ-ক্ষেত্রিয়-বৈশ্য-শূদ্র লেখ খুনিংগী লাক্‌নদা খুম্নাবগা খীশিংগুম চাওখলে, লাইবী লৈপাকা থাম্বা শারে। মচুনা অমুক ভীমনা ঐখী মীগী লাইরমদা পুক্নিং [illegible] লৈখুম্বা উত্তমগী উপাধি থাপাদা থখক্‌না লেকপদ লাংথোং লেমদি হায়বা লাওথোকলে। মণিপুরগী [illegible] [illegible] অমু লোক তোকপগা শুংগাইদোইদবা হাওজখ্রে, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অমম [illegible] [illegible]

হৌরকপি মশিংগী শাংলক্তা পুমনমক লংবা পাপকী মিসকি দুঃশাসনকা দুর্যোধনবা অমা লৈমজোগি মিসকি ধর্মরাজনা নিংশিং হায়জখি। যুধিষ্ঠিরনা কে হংবা তাইবু কৌরবগী দুঃশাসন তেকপন তেমশোকপা থাদী খাক তাগা খজিরকপা খাসকপি অতংবা থবা লৈ কৌরব লাকখি। তীম মরাক্তুংগী দুঃখংলক্ত মতু তৌরগু, খাদা মহারাজনা থাজে ফ মরুনা তোক্কনখি।

দুর্বিজনা মানু ভ স্মরণ নিংখো! সেংখাক বায়না পুরুষ লৈবা মচা মচু অংগা লৈরাজবা কপুনা কনুবী অদি লৈ, মখোয় অদি থনৈ, তাঁম মশিনা ভকপা লৈতে। মনুংতনি মখোয় পাঙ্গুনা কংগুকপকা চানাবরক্লিম, মমা ওইহনবিযু, কাংবা মম মক্কনি থমুনা, ইখোঙ্গা পাকবা লৈ কেঙ্কপগা মখো মচা অমম্ব পোয়পা লৈথু তুনা পাকই। দুর্বিজু তাঁমনু মনাইথিংংম থকপা পঙ্গা মাম লাকপা মহুনা হন্দুবি লাকপগু হুবহুনা ভাইমুনা লৈ। তাম চংশিনবিহুনা থাংইপু ইবেল কপাকপা চংশিবনো মচাংগু লৈত্রা মমকো অমমমপা মম থাদা উবেনা তীমগী থাংদা লেপ্পগা হংইবুংতো থাঃ তাম মম মশ্বগী কোম্বং থম তাকশিন্নবা। তীমনা কাংগীনো ইপু, ইবুংতো অমুক্তা থুরূমজপে তৌবনি। তীমনা ঐমিনে ইপু, হনুমনা পাম্বং মখোয় অহল্লা কবেমন, ঐখোয়মনা ওইরিবা মীওইনি মথেমম্ভ মমদৌগিমনি তৌবৈনমনি। তীমনা কন্নেমনা মতে ঐমকি খাম তৌগে লাকপদা ইপু ইবেল উবপগী ভাইদুনা লৈখিবনি মতা শ্রীকৃষ্ণগী চরণনা লাক্ক থাবনিংবা হায়বিযু মগান। এং অতুংদ অমুক্তা থুরূমজাবাগ থাদ কোম্না হায়জগে হনুবী মখো থাদো থুরূমজপি হায়রে। থানগী মখো থারে, লৈহ তীমনা কহলপা কৃষ্ণদাস ইপুগী ইংখোঙ্গা পাকবা পোকোইনি। মহোঙা পাঙাই পাম্বন কহুদম পুরুমকপান, ইহিম উনা কংজ্রমুনা ইপুনা থাকক্রজে থাগোবিনম, হায়মগা তীমগী খোং কোম্জুনা অহল অদিমু পাংবতা কপই। তীমনা ইপু ইবেম লৈনদে কোনমহলপগা কমহাজ ইপু ইবেমা পাম্বা হায়বিয়ু হন্দুবা হনুবীনা মম মপি ঐখোয় অদিবু অমুক্তা মমা ওইহনবিযু। মশিংগী দুঃশাইমবা খামম অদি মখা ওইদুনা কুইনা লৈকখিগে। তীমনা মতুংদা ঈশ্বরনা ভগবানবনি মীওইবা ঐখোয়না তখোয় মচা মচু লেবা লৈরাগা পুজারি অমস্তং মিনাই লিগে, চানিংবা, শেংনিংবা থাংহনা থবগে, হনুমনা, ইবুংতো থাইবা মমাক্তি লাইবু হেমবা তৌগে হায়বা থমক ভবনা লৈরবনি। মপু মখেমবু মহা ওইকদো হায়না থানমীতুনা মম লেপিবদা লোয়দনা মমা ওইরনি থাজহুবা থানা লাকরবনি। অহল অদিগী মতৌ উবদা তাম লেংবা ভমজ্রহুনা অমুক্তং কৃষ্ণগী কৃপা থেংনগে থজহুনা হায়রকই, ইপু ইবেমগীদমক ঐ শ্রীকৃষ্ণদা মিকহুনা থেংগে; থাম্বীকাদে মদা থদগা কৃষ্ণবু অমুক্তা থুরূখিদ। তীংগী, ম হায় তাবদা অহল অদিমু থাম্বীকামাবু থুরূমজখি। তাম থখোয় শেংবা কণ্ডুনা হায়জরকই। এণ কৃষ্ণ মহাকী পৌকমা তৌজবা লৈবিক থজল ওইহনবিবদুদা অহল অদিনা তৌরিবা মতৌসি থেংবা ভমজ্রে অমুক্তা কৃপা পিবীরনা ইপু ইবেনসি মমা ওইহনবিযু, পৌকানবিত্রবাদ মত্য মনাই শজাদা থম্বাই থাজমগে। শ্রীকৃষ্ণ

মনাইগী মতৌদু উবদা বাপকুনবানিদা শিগ্রবদি লিলা কারবা তারে করগে খন্নুনা কুপ্তি উবদরা অনিতুং থুপা অকাপন্দ পিরে, তীম কুপা থংংগরে থংংনা চৌপথগা, ইপু ইবেন চৌজিকমক চহি ১৫গী খরন ওইরো হায়রগা শিং শিং মানবদা কুকনী কুপানা হন্নুবা হন্নুবীদু চহি ১৫ গী মীওইদা লেপরে। মহাগী মীওই কংওবদা মপোক থুদিং মনাই ওইহনবিদু হায়না থুরুমহৈ। ভীমদা, ইপু পাথং ইবেন লৈনবী চনিগী মতৌসি মীয়োম্দা হায়দোকন্নু। হায়দোক্নরবদি ঐ লাকখুনা পথামা থুপাইদুনা হাংকসি, মরো হায়দুনা চংলমখি। কুকনা থাদা থাইবানি মচুংদা অমুক থোক্কুরবদি সংসার লিলা কাইবা তারে খন্নুনা বিষ্ণু মন্নাদা কুপশিন্দুনা ভীমদু হন্নবা হন্নবীদুদু অহুম কাওহনরে। বান্দো অসি পুক্নিং চংনা তাকবদা এমগী মথা কোকনি, অন্তকালদা জীবন মুক্ত ওইগনি জন্মেজয় নিংথৌ শ্রীগুরু দেব ব্যাস বাক্যসি ইতি॥ হরিবোল হরিবোল॥

---:---

অধ্যায়

শোকনিনা ভীমগী মপুং য়েংবগী
থণ হুবা ভীমনা মত্রি শিনবা বারী মতাং॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হয় মহারাজ মথা লিরগে তারো। ভীমগী শাসনদগী ইন্দ্রপ্রস্থনা ওইরিবা অসি, ত্রেতা যুগতা অযোধ্যা লৈপাক রঘুরাজগী হাকতা ওইখিবা শাসন অদুবতগী হেন্না কৈ। পাণ্ডবকী মপুংগী হস্তিনা প্রায় ১৫ গী প্রজানা তত্তনা শোয়রকপসি, হস্তিনা রাজা দুর্য্যোধননা বন্ধুকর্ণ মামা মন্ত্রিশু তাবিদু। পাণ্ডব মতানা পামবা ইন্দ্রপ্রস্থ পঞ্চ গ্রামনা, রাজা থংনা চাওখংখিবা অসিদা ঐগী হস্তিনা প্রজা কাওবা পাণ্ডবকী মপুং শক্লোনবা তত্তনা তারে। ঐগী য়েক্লবা পাণ্ডবনা অমুক থংনা চাওখংখিবা অসিদা খম্মোইসি সুংতাইকন লৈতে। কমদোনা শসন শৌনিন্দা হৈবা হেনখিবনো? মামনা খয় মন্ত্রিনি হস্তিনাসি হম্না লৈরমদগী হেনগংহনবা হিরম থুদিংদা লৈত্রি, য়েক্লবা পাণ্ডবতা নমথবা পাম্মী। কমদোসিগে অমুক্তা কুপা খরসি। শোকনিনা হায়রকই ইমাক নিংথৌ পাণ্ডবকী পঞ্চ গ্রামনা লাইগী লৈপাক্না মাররে হায়নরিবসি, যুধিষ্ঠির, অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব মখিগী শৌনিন্দগী মন্তে। মামনা দুত থাদুনা কুপ্না পাও লোয়রবনী। ভীমনা মন্ত্রি ওইদুনা শাসন থংনা চাওখংখিবা অসিসি মীনা তন্নোইদবা দেব কুপানা ওইবনি হায়রবা অসিসি। ঐথোয়মা ভীমদু উৎ ওইসন্নু খরদুনা

দুর্য্যোধনগী সেনা খাজিল্লুবদগী মুরিনী বর কংলোরবুরা হাবনা হনি । শকুনিগী বায়নসি তাবদা কর্ণনা দুঃশাসননা লোইনবোই, দুর্য্যোধনগী বর কংখিবনা এইনা তাবে হায়রকই । দুঃশাসনুনা, দাদা, মাইথানা কৌরিংবা থবকা ওয়বা নৈতে, শনি কোবা কাইবু গয়ানা অক্কবাইদুনা তাদগা, শিব লাবা নৈদ্রে । মোং অনম্বং দুঃশিংপু দাদা মাইথানা চত্তুনা অহই শিংথবনি, ইংথোব কোইবনা পোং টৈ থাবগা ঊশিং চাইহন্দে, মোংবু চাইহন্দে হায়খি । দাদা মাইকুদি হাইবু চত্তুনা শিজিনবনা পঙ্ক গ্রামনা থুনা চাওরত্থিবনি । শকুনিগী ভীষ্মী, দ্রোণ তৌবগুম্ব তাবগা দুর্য্যোধন থম্মোই কাইদ্রোই ।

শকুনিগী মকমদা কুরুরাজানা মাখো ঐগী য়েকবা ভীষ্ম, মাগা অংদনা উবনা চতবা নৈতবগুম মীনা তাংনুনিবা থুসি পরীক্ষা য়েংলগা থমুতং থংলোকপা পান্নী । মায় ঐনা হাংকে হায়বগী মতম থুদিং তগা য়েংদুনা নৈখিবনি, মাগী শক্তি য়েংথোক্লগা হাৎপা য়াগাদবা মওং থিহোরগদবনি । শকুনিনা ইনাক নিংথৌ, ভীষ্মগী মতম থংতসি হায়বগীদি মাখানা চৎলগা, যুধিষ্ঠির নিংথৌগী পুঙা তোঙনা থম্মীবা খুরুমযণ যণবীদু লোম্না লৌরুবগা লোত্তুনা থম্মুসি । অদুগ তৌরবদি ভীষ্মনা থংবা ভগ্নী চতদে হায়বা শেংনা থংবা মরে হায়রকই । দুর্য্যোধননা মাখা কোম্নুংদা অদুক চেকশিন্না থম্মীবা যণবীদু কমদৌনা লোম্না লৌরুবা চতগদগে । শকুনিনা ইনাক নিংথৌ অদুগীদি মাখনা চতগনি, মথোইনা ঐবু উদংথদেকবা মাখা মক অমা তৌরকোই, মাখা অহিং চৎলগা হরুগে । যণ লোৎকমসি মীনা থিবদা উবোই থাংজোইদবা মকম অমা হান্না শেনখিগি, দুর্য্যোধননা অতুদি মাখা কদাইদা কংদৌনা শেনগনি । শকুনিনা অতুগীদি ইনাক নিংথৌ হস্তিনা পুরগী খনন হনবা কৌরগা, যমুনা খোংবানগী মন অমুকপা নৈরাই মমাদা পুরুং হত্তুনা নৈপুংদা শেম্নগা থমসি, হাননা শেম্না লোইরগা মাখা হরুগে দুর্য্যোধননা দুঃশাসন মী কনা থংহল্লম্নুসি নংনা খনন হনবা কৌরুরো, মাখাগা তান্নদুনা মকম অদু শেম্নরো । খনন হনবাদসু যণ লোৎকমনি হায়রোকউগদ । মাকত অসি থবনা লোইরবুনা হয়থরে, দুঃশাসননা খনন হনবা কৌরদুনা শকুনিগা যমুনা খোংবান য়ৌখিদুনা পুরবা তাপা য়েংলগা শকুনি মপ্পিনা মওং তাক্তুনা পুরুং শেম্না শেইরগা মীনা খংদনবা মওংদা শেমদুনা পুরুংগী থোং পানহনখি । খনন হনবদা কনাদসু হায়দে কপ থংনবরুবদি নংগোম্ব দত্তী পিগনি হায়রগা মতিক চাবা অরাবন পিরগা চৎহনখি । শকুনি, দুঃশাসন হন্নকুনা দুর্যোধনদা পাও থংহল্লে । শকুনি অহিংদু চৎখিদুনা পুং ১০ তাবা খাইনা চাবা থকপা লোইদুনা তুমথনবা মতমদা, খোংজংবনিং থংনবা বাউ মরুগা অভিযারোমদা চংখিদুনা পুরু যণ যণবীদু কত্রুংগী খৌরিনা পুন্নিবা, মথক্তা থাকন থন্দুনা থম্মীবদু থোং হাংদোক্লগা চংখিদুনা, খৌরি খোক্লগা মপান্দা চিংথোক্লে । মতুক্তা খৌরিদু য়েৎশিন্দুনা পায়রগা বাউ মরুনা যণবীদুগা পাইরক্লে । শকুনি যমুনা খোংবানগী যণ থমকম পুরুংদা যণবী পুন্নম্বে, থোং থিংজিন্নগা মখুমদা হস্তিনদুনা

থোক্লাখ্রে । খোঙচাঙ্কপদা অদো চৌপকপগা শকুনিনা দুঃশাসন যুবরাজগা ম্যান, ইমাকা মী চৌদকম্বদ্রিবা শকিক পুরবা থবা হুনরিক, মথগী শকুনিনা পূরম্মবনি, ইথিং পান্না অমগা পুরগা ইথিং থিন্দুনা থনম্মু, অহুগা পুবা হল্লকউ, মামা গজা খোংবান্দা ছাইবম্মগে । শকুনি চৎশিন্দুনা পেংগী শকিক শোনাং অমা কনাগুমনা উরবম্বু থংগনবা, কিনা যোধশিংগা পান্না অমগা চৎশিন্দুনা যৌরগা খোং থাংদোক্লে, শকিক অমে যমুনাগী ইথিং খোঙ্গথা পাম্বাক্লি থিন্নবে খোং খোঙ্গজনগা হল্লকই, গজা খোংবাদা শকুনিগা দুঃশাসনগা বারী পাম্নগা তুংথা বাইবদা ইলদি ।

ইন্দ্রপ্রস্থ কোনুং খোমদা ধর্মরাজগী খুন্নমথণ মথবী সেবা চোহনবিবা গোপচুনা খোং-জানকপগী সেবা চৎকপদা মথবী লৈরে, অদিবা ওইরমান্নে থৌরি য়াওনা লৈমন্নে হায়বা নিংথৌবা হলংলে । যুধিষ্ঠিরনা সেনাপতি যুবরাজ পতিক মবাই থাদুনা কৌরে । অর্জুন নকুল সহদেব য়ৌরক্লনা, ময়াম্ভুং খুৎকদরগা মপম চৎথিবা মাবৈ য়েংবদা খোঙ্জুম তারে । তারীশিংনা হাবম্বু খোংখাংদে কনাম্বু অহিংবা চংথিবা খোকথিবা লৈরে মাবনা হলচৈথি । খুমন অমত্তা কাংদবসি ময়াম্দা হন্নংলগা থরে, যুধিষ্ঠিরনা সহদেব নম্বাবা মাইবা মর মদি কৌরু মথং পি, পণ্ডিত চৎথিন্দুনা তামগী তাপা য়ৌরকই । ভীম প্রাতক্রিয়া লোইদুনা লাকোন্দা কম্মী, সহদেব ময়াম্ভুং খুকম্বগা বারম পুম্নমক তম্মরে । ভীমনা সহদেব মায়া মতাম্‌গী য়ৌরকনি হলংলম্মো, ইমাম্বু লাকপে । সহদেবা হনরে, ভীম মামল তোই, পাণ্ড প্রাণগী মন্নুংদি মপ কবিনবা লৈরে, খোঙ্জুম্বু তারে হায়রবনি থিংচাবরা, মীবা, তাইবা পাণ্ডব য়াকথোয়বু উথিংলতবা য়াওবরা নত্রগা ঐখোয়গী চাং য়েংসে তৌববা থম্মুনা, কলিনা পুখোকউবা হাক্তা, বলদেবনা প্রধরূপ ওইরগা তম্মীখিবা দূরদৃষ্টি মহুম্বু থুবী নক্রনা শোন্দগা লিৎ অখিমক নাক্লোক্লনা য়েংবদা, শকুনিনা দুদুনা বাউ মন্ত্রগী শক্তিনা পুখিরা দুঃশাসননা শকিক অমা চৎথিবা, শকুনিনা গজা খোংবান্দা ছাইহিবা মতমদু, চানদুনা উরে, ভীমনা তঙৌ ওনিথি ঐনা মুংশিনবা অখিমক থোক্লে, লাকয়গ থম্মুনা, পিসোক ঐগী কৌরবশিংনা গদা পুখোরকউ মপ হনানবা তারুখিংগে হায়রকই । পিসোকনা গদা পুখোরক্লনা ভীমদা পিরে । গদা পায়দুনা তোঙুং থোনা চেক্লনা, ভীম ধর্মরাজনু খুকম্মী । মামা কনাবানু 'হস্তি মপ থিজরগা মপ পুজা খুকমা নংবা পুম্নক্লে হায়রম্মগা হস্তিনাপুরগী হংশিংকী মাংগোবা চেল্লকপদ্‌, দুঃশাসন শকিক হুদুবগী মনকপা শকুনিগী নবাক য়ৌরকপা মক্তদা ভীমম্বু থুংলম্মে । শকুনি দুঃশাসন ভীমবু উবদা তুক্কবা পোকই, ভীমনা মামম্বু খুক্কনি হায়দুনা চাক্তপদা পাখৎলিন্দুনা তাইবা মর মদি ওবা দুংগয়েন্দা হায়রগা মত্তবত হায়রা তাগি । ভীমনা মামা মাবা লেংখৎলসি কোনখৎলগা খুদাং পায়রে, দুঃশাসন তাবা মাইবা খুক্কলি, খোইদু ভীমনা গৎ লাকপা চেংগা ওক্লে হায়রগা খুদাং কায়রে ভীমনা মামা দুঃশাসন হুৎমরনিগী

পুক্নিং মপূ উত্থপা পুংশা থিবিগণ্ডা, দুঃশাসন কিমনথিনদুনা দাদা য়াইমা মমাওদি থল হৌবদি য়াওজবে মামনা শক্তিক হাপ্পু হায়বদুদা শক্তিক পিজরুবনি । ভীমনা হুংশিবা ইনাওদি মংমা নকানিনা মামগী শরুকশু য়াওনা পদাংনা থিবনা ডারে, শোম্লিংবা মাব শোনবা য়ারনি । শোকনিনা য়াইমা অমুক্তা মাম। রাগী শাখপে মমাওদা দোষ তৌবরুশু, ইমাকী গুণশি লাইওস্না ডারদুনা অমুক্তং চাং য়েংশি হায়না নয়াশুং নিংথৌপা থরুদুনা মামনা নমাদুগী থুরুমথপ যণবী হৌরবনি । ইমাক্তি কনদৌনা থংবা ওমবগে ? ভীমনা মামনা লাক্তুনা হৌরবদু ঐদি অদুম মউরবনি, অদুবু হৌরসু ঐথোয়রোমদা নত্তনা চপ্তনা প্রায় ১৫ অসি হরাপবা থদোই লোয়শিল্লপগে তৌবনি । মামা মন্ত্রিনা হৌরবদি মতুং কাও কনাপ্ত হনবরোই, হৌজিক শাথুংহনা ইবুথৌদা মজৎলপা, মামপা দুঃশাসনপা হয়াশপোৎ কোংকন স্নুরুং ফুমবা ডারে । শোকনিনা ইবুংঙো য়াইমা মদু তৌবিরপু, হস্তিনা রাথোক ওইরনি, ইমাকী শক্তি থাকনিংদুনা তৌজবনি, ইমাকী পেন্নবা কল্লি তৌজো হায়বগে, মামা লাংজগে ইবাই ইবুংঙো মচেম মহারাণী ত মমপুনি । করে মামা মনবু শেংলবদি নমাক য়াজরগে হৌজিক মামপা দুঃশাসনপা দাদা মহারাজগী থপ পুজা নংনবা থিরো, ঐ নংনবা পুজরক্তে থাররগে । শোকনিনা দুঃশাসন থিগে রথ অমা লোক্তরো ইকু ইমাক থিল্লদুসি, দুঃশাসন ভীমনা থাদোক্তে । যুবরাজ চেনথিজুনা রথ লোক্তবগা থুংঙরে । শোকনিনা থপ লোক হায়জুনা দুঃশাসন যমুনা থোংবান্দা থৌথিজুনা যণবী লোথোক্লপা রথদা হাপকত্তুনা পোরক্তে । শোকনি ভীম রথ তোংথৎলে দুঃশাসননা লুংশিংকী মাং থামা থৌরক্তুনা ইন্দ্রপ্রস্থগী হোজংদা থুংঙরে । যণবীহু রথদগী লোথজুনা দুঃশাসনদা থপ পুশিল্লক্তনা শোকনি ভীমস্থ ধর্ম্মরাজগী কোম্নুং য়োরক্তে ।

ভীম চথিজুনা ধর্ম্মরাজবু খুরুমজরগা দাদা মহারাজ যণবী হৌরনবগা কোম্লনা পুজরক্তে, যুধিষ্ঠির নামথোরদগী থোয়কপদা শোকনিনা দুঃশাসনপা যণবীহুগা লৈরম্মে । যুধিষ্ঠিরনা মামা লেংথিরকই হায়রগা খুরুম্মী দুঃশাসননা ধর্ম্মরাজবু খুরুমজৈ, যণবীনা পুজা তৌগদবগী ব্রাহ্মণনা পুশিনরে, পাত্রশিংনা আসন থারে শোকনি দুঃশাসন হম্মে । যুধিষ্ঠিরনা মামা মর মন্ত্রিগা ইনাও যুবরাজপা কিজন শেৎলগা য়োথিরকপাদ কায়নবো ? শোকনিনা ইমাক নিংথৌ নমাও মন্ত্রিনা কাহুনা থপ পুজা পুং নংনবা থিল্লদু হায়জুনা কিজোন হোংবা নংদনা লাক্লিবনি । মামা ঐগী যণবীবু করিগী হৌরিবনো, ইমাক নিংথৌ নমাও ভীমগী গুণসি মাদনা য়েংপে তৌবনি, পৃথিবীদা নমাওগুম্না মীদি লৈরোই লাইগুম্না থংবা ওবা শক্তি কৃপা অমস্থ নমাওদা লৈরে । ধর্ম্মরাজনা মামা ভীমনা মর মন্ত্রিগী কম ওইথিবদগী পঞ্চগ্রামসি অমা-অমা থোইদোকপা লৈজে । শ্রীকৃষ্ণ সেবা থর থর ওমজরে, ওসিদি মামগা ইনাওপা প্রসাদ ফংওনি নমাক অমুক্তা থপ পুজা লোইজরুথিগে । যুধিষ্ঠির চংওথিজুনা পুজা লোইরগা থোরক্তুনা, পাত্রশিংদা শিন্নজুনা স্নান তিলক থারন শোকনি দুঃশাসন সেবা লোইহনরে । পুজারিনা থুক হৌবা লোইজুনা

কয়রে । কুন্তী, ভীম, অর্জুন, নকুল, সহদেব, দ্রৌপদী লোইননা যুধিষ্ঠিরনা ব্রহ্ম ভুজন কৎলে। কৃষ্ণনা দান তৌখরে। মরাখনী পরিবেশন লোইদুনা প্রসাদ পূরণ ওইনা কংনরে, হৈ-পাকা লৌখরে, যুধিষ্ঠিরনা মোকদি দুঃশাসনগী আভরণ লৈতেংকরে। মোকদি কুন্তী পুরুষদুনা বিদায় লৌখরে, পাণ্ডব মকা মোকদি পুরুষগা বিদায় তৌরে; দুঃশাসন বাকাবাতা মরাখা অহুম পুরুষী, নকুল, সহদেব, দুঃশাসনবু পুরুষী । মরাম লৈতৌরে মম মহি যুবরাজ অমি মথ তোংদুনা হস্তিনা য়োরকই, হস্তিনা নরবারদা মহি যুবরাজ কারকদুনা হংনবদা উহৌবা প্রজানা ইন্দ্রপ্রস্থগী মথ হকুবনী ভীম বয় মহি লাক্‌না মথগা কোয়না কাদুনা পুখরে হায়বা পাও কনবদগী কমি ওইরগবা হাদুনা লৈনরিতৈবা, দুঃখনা ইন্দ্রপ্রস্থদা পাণ্ডবকি মথৎ ভীমগী তৌখত্তবা শক্তি অমদা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অহল অমম প্রজানা থাগৎনবি দুর্যোধননা অনুতাপ তৌখি ।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, জন্মেজয় নিংথৌ। ইন্দ্রপ্রস্থদা পাণ্ডবদা পাল্লিবসি দেশ পুম্বিং পাণ্ডবকি গুণবু হাংনরকই য়েংবনা কিদুনা মরু নুংবনি। নিংথৌ মচা কয়া লাক্‌না অর্জুননা ভীমনা থাল্লি, মতৌ অমম্মা ভীমনা মম মহি ওইরগা শেম্মকপা আসন চদি থারক্লে। মাইগী লৈপাক্তা বান্নবা মতৌ ওইরে, মদি ভক্তিনা মাই ওন্নিল্লি অমগা অমগা য়েক্নবা লৈমক্লে, প্রজাগী পুকচেল ভিন্নবা লৈমিন্নবা উমদা ভীম নিংবা থুংলে। মোংবা মরবার সভা কম্বা ভীমনা দনা মহায়নবা পানবদ ওইনিংবা শংনম, ইনাওশিংবা পাংথোকপা ভম্মোইদৌরে থম্মুনা মম মহি কম লৌবনি। হৌজিক্তি মনাওগী নিংবা থুংলে ওলিগী ইনাওনা শিন্নরগে ঐদি কম পাংলগে অপায় থৌগম্মদ লৈকগে হায়দুনা পুরুষজনগা সহদেবদা মম মহি কম অমুক শিন্নরে। সহদেবনা মনাওদি মহাকি দাদা হাইনা ওইদিবো, পুরুষজনদা ভীম হায়ে, যুধিষ্ঠিরনা য়াংরে ট থংদুনা সহদেব মথমনা হায়বা কায়দনা মম মহি অদুম ওইরো হায়রে। সহদেবনা মহি শিন্নবগা ভীম ময়াং পুরুষী অদুগা মমাই পিসোকনা মদুমদা কুপ্লে, পিসোক মহি ওকবসি যাম্না চিল্লি পোৎথাকশু লৈতে মীবাশু ত ই, মন্নবা কম থাদোকপনি। হৌজিক্তি থোক্লমগী খদোকপশুম হাইশংলে. পিসোকনা ইবুংথো হাইনা য়াম্না কয়ে, ঐথোক কাওবা হাই-শংলমি য়ুংথাইনা লৈথোকপিসি, সু'মৎ তারে সন্ধ্যা ভোজন লোইরে, কৃষ্ণগী মহাপ্রসাদ কাওগা মাঙ্গ শয্যাদা তুমরে। মোংতালে প্রাতঃক্রিয়া স্নান লোইরগা ভীমনা পীসোক ঐ ওশিদি বম্মা থোয়োই চাকুগে কুইরে ঐ বন চৎকদবমি, মহিশু যেকপিন্নকে মরাখদা ভাকথোকউদু ঐ. অমা চৎগগে। ভীম পম পইরগা মত্র তৌরবদাইগী শোম্ব থেংতি, পিসোকনা ইবুংথো হাইনা ভমি নোংচ জবকাইগী মখা কজরবী কিথৌ শেংপি কম্মা অমনা ইবুংথোগী ওইদা ভাজনা ঐনা ভাবুম পায়দুনা থোগম্মী। কম্ম্‌দ্‌না মক্কম য়াম্না শিন্‌না ইপু ইনাইদু চারগী, ভমিদি বিকুপ নাহুমশিংবা লেংবিদু, ওইজ ওইথক কাওকপা য়াই। ভীমনা পিসোক

নমী অসি আবদান মুচার্ক কুরু নাম কোড়াম্‌ জাহানীঃ ঔনিরি আমা ভোরণা বন ঘোনক জেলশি ।

পন মী খোংবাকা কড় কবন ডীহদ্‌ ডাইদ্‌নাং দৌ । একাৎ অধিকাং কাহেকানা, বংইত, মুকি কজার্‌ কবাঙেন, ইপুয়েড্‌ ভাইরিবনী কবক অসুকান লিলিংজেন মুসিলা কায়হার্নাই কহারাভ কয়ান্‌ পাতাকা পাকবা মওনকর্ণ বিয়োকভী মজী, অমিয়ান ঘেমাশর্জি কৌরী । আমাক নবুবোজী কা ভাকাদ্‌দা রেবা পুকা ভোরণা, পুকা বেক বেক কোইবকাকা বড় মিটোন কেকান্‌ মাকা পাভুবকা জীমদ্‌ ইপুয়েজিন অইকান ইহনকিছু হাকনা । আর্মি পুনাক গেবরিদ্‌রা মগ্‌ কেমা এইবড় আবশিরান, এ কড়া মেনন ঐতোলা লিকরিবা জীমদ্‌ কাহনকিজী মলা খোংবান মদন অমুক এক্কা বোরকুনি, মং ভাইদ্‌দা দৌকা মজোলা হাজকলা পুনকুনা নবুংগা লাধা ভোরব্‌ ধর্ম্ম লৈতবা নবুংসি জীমনী মধুত্তা শিসমু অদ্‌গা জীমনী সেবা কহজৌ ভাকশিরমী । মরক অপুবা চল্লা মরা অন্নাঃ লাজুদ্‌রা জীমদ্‌ ভাইকুনা লৈখিলনি । ভীক লাকপা উরনা কল্লা কমহনী জগোই শাবীরী মতোজক ভইকুনা জীমনী মাংলো চলকবলা পুরুমাকে । পুকিংজবা মিজেংগা, গরোই লোকপা চংহাযগা ঐবু চরবনী নবাই ওইবিদ্‌ সেবা কংজগে হাজউৎ । জীমদ্‌ কুক্ত কুক্ত পিসোকলা মংজি লিমা লৈরজেবা দমুনক ছলকই । মুগীকন নহাকদ্‌ কাহেকা পরিমন আকউ, কেকাশর্জিনা প্রসন্নব নবাইবি পাজোবলা পাকবা মংসকর্ণ মী মজী, ইমিংলা যেমাশর্জি কৌই । অপনম দুর্গা উমানা ভাকশিরমনা ঐমী আত্মশি মংখোংলা কল্লাগে ভাইজবলী বনি নবাইদ্‌ খোভানবিদ্‌ । কড়াকী মুখোইত্তু উবলা জীবনা কব, কড়া ঐবি বিংচাবশি ইদ্‌ইবাইবি হাজরুনা কুকলিংকে, কলী নপা মজোক মবুং জোপহা লৈলাং? কেমাশর্জিনা ইপুং অসি লাইদ্‌ ঘোক, ঐবি ইমবদ্‌ নিংজবা পাবজৈ । মরম অপুবা রাজনীতি ঐবু মনাই ওইরিবা চনশনর্কি কুকলাসনি খংজবুবা নিংজরকপা মজক কুইরে, সেবী ইমানা চানবিদুনা নবাইকী অপনা ইমুং কমবদু প্রাণনাবনী খুক্তা শিকসু দায়বিদণী, ইদু অমা ভৌরগা লাওশিদ্‌, কোমা নবাই সেবা খোবিদ্‌ । জীবনা ঐবি অপীদু মকবদু মনকদু খংজে কংদোলি, কেমাশর্জিনা অদুইবি নবাইরী মকশা লোংকরশিদ্‌ বিকুপ ২/৩বা কোমবা পুজগে । জীবনা যোরসি পোয়হো হাজরবনা কজাম কমক পোরণা মমা মধুবা খা পাংনা পাইরকপদা বিকুপ মরণী মখোবা ধুংশি, জীমদ্‌ মজন্তানা থাজরে কৌবিদ্‌ লোবননা খোবকশি ঐবি চং মনরোই অপুব লৈকরগে, জীবনা কজে কুইসুকা যেক্‌দ্‌ মায়রবা, কোংসাই খোয়াভজব হাম হব মওসকর্ণ বিয়োয় মজোকভু পদাকা লৈবাইগে খোকজভী লাওনা কৌরকই । জীবনী খোয়াভ ভাকনা অইকি লাইকিজবা মওসকর্ণ, পরা পাযদুনা কেম্‌ মনী চেক্তোজকপদা জীমনী নকুংদা মচক মুণী লৈরবা উবনা, চওাকিনি নহাক মখৈ নমুক পায়্‌ হাজবাঃ সেবা লাংগজি লৈবদি, বিজবীদী নবাইং পাসদুনা লাইকিংবী শাময়ী মং ময়া মরকপাঃ ইকাই খংবা মী কপা ভীক কোমা হাজকে,

মিংতোল মংমা অাভ মমারবা মিপাগু মথবা। অাভ বধুবা মিপা চেক্‌দনা শাটেপ চোপ্‌হনপে তৌবদি, অাভ ইমারবা ভইরবদি ইংমা পামদুনা চেক্‌তবদি থন্দুনা থুরোংলবনি। শাটেপকী টৈতাব অাঁশিবী লৈরম্‌ হাম্ভুনা চেনশিল্লকই, তৌরমা হাই পাপী এরোম্মা চংতরুবী মুপীমু টৈ থাবা মতিক লৈতা, হায়বদা মুক্তিমশিদুনা থবা মুদনা অদিমক থনহৈবী মতৌতন দাশ্চেংনথবে। তৌমবী থদকাই থাভা মংলশর্ণ মক্তোক টৈথাইতুনা হাকেলদা, মংনকর্ণবী থশাঙ দমুনদ হমদগা দমুম স্নান তৌদুনা চেথাশনিঁদা কোমুং চাংলক্লে। হিংচাবা পুষ্কক তৌমদা চংথবে। মুনিমাংগী ইমা নুরোংবে, অদিগী চেথামা লেখা তৌকবে, তৌমদা খু পিরে মচা মিপা থপ চেকশ্ম অমা পোক্‌চরো, তৌবনী মমা চেমা পর্ভগী লৈবোম ভৌথবে। তোংতারেম তৌমদা পিরে থশাঙ পাঙ মঙি কৌশিক্‌ হা হাঙরমগে, অদুগা মংমা এমু শিক্‌, এরোম্মরোমবা দুংপা মিথবনি। চেথামা মশাঙ কোরে, তৌমদা হিংচাবা মথোং শাইমু থীমুক চেকপু, শ্রীকৃষ্ণমু ভক্তি লৈমু, চেথাশনিঁগী গর্ভদগী পোক্‌পা মচাগা লৈপাক অদিগী মিংথৌ থামু। এমা হাক্‌দদি ইচমদি ইচা অটোংলচ থাবক্‌না মথোং অতাথা ভাঙলনি হায়রগী। মাক্কম মশাঙ কনি তাদুনা তৌমু পুক্লদুনা লৈরোইরে। চেথাশনিঁনা তৌমু শিকপা সমা পোংথামগা থাজবে, মমাইমু অাংশিরলু মথী বর্ষ চাকিচদুনা লৈজগে, মদুনা হিমাই মিটেভ। তৌমমা চোংথদলদা হিরে মচন থইরৌ কৃষ্ণগী চরণ কাঙপমু, এমু মচম চাবকপদা তৌরক্লে হমমা মিথাই পিরে। চেথাগু ভরে তৌমমু হমক্‌না দুখ তৌরক্লে। পিরোমমা ইথুংরো মাইমা থশাই কৌশিকুমগে তোংমদি মংমা থিনরে, তৌমমা পিরোক মংগী মংমা ইথামদুনা মংনকর্ণ হাকেলমা মচম চেথাশনিঁ থুরোংবগী অহিং পমকপনি। চেথাশনিঁনা মচাশিপা অমা পোক্‌না মনিং মম কৌই, অদুনা মিংথৌ ভইদুনা পামশি। অশিগুমা মথুথো তৌমমা মশি ভইদুনা ইন্দ্রপ্রস্থগী শাসন চেথা তোইমদা থম থাদোকপা। তৌমগী চরিত্রমু ভাঙলদা মীওইমগী দম চাওথকপা পুস্ত থাদুনা অরোইবা মতমদ তৌমমা হদি থাম কংগনি শ্রীগুরুদেব ব্যাসনা চেকেলপা তোইমজবা ব্যাস মংশ্যদি কেম থাক্য শুভ'ম অস্মেকম মিংথৌ ইতি। হ'রি হরি হরি ॥

——:——

অধ্যায়

কূর্ম পৃষ্ঠ লৈপাক, সুবাহু নিংথৌগী
মচা একাদশী অরবরগী বারী মতাং ॥

ভারত-ভারতকী অসোয়বনা হ'ৎরখাই, মুনি ইবুঙোশিংনী মখাগী বারী কনদৌরকখিবগে লিখিখ্রে। ইথনবপারবনা অয়ান ওয়রো' হায়না হক্তিয়াবগী লৈবাক অথৌবা খা অমা লাক্লা- কূর্মপৃষ্ঠ কৌবা লৈবাক্কী সুবাহু কৌবা নিংথৌ অমা থম্মা লাকপা মমা মচা লৌজবগী কননা মচা অমা থম্মা লোকই। মসক মায়া কক্লে থবিরো একাদশী কৌই। মথক মচানবনা মরুদ লিবা লাম্বুবনা লম্ম্রী মরম মুনিংথৌকুম ভারতবর্ষকী নিংথৌ মচম লোইবা লৌই। মখি পুরোহিতনা লৈবনি কৌই বার্তা নীতি নিংথৌগী হায়রে। অমম মুখগী নিংথম কংবা ব্রাহ্মণ মুনি ঋষি কুপ্পি রেংবা লাক্রে। কৃপাচার্য লৈমিনি মক হৌজবা লোংবা ব'ৎসৈগী অচুক পুং লিপাংগী মতমদা মুংঙৈ, রাজসভা চংখ্রবা সভাদু মুনিনা তাক্লৌই। সভা নীয়াম পুম্নমক মুনিবু খুরুমী, সুবাহু নিংথৌনা মুনিবু খুরুমজরগা, ব্রহ্ম সভাদোইদা পুনিরবি। মুনি ব্রহ্ম সভা খুরুম্মী, লৈমিজিবু খুরুমবা মাবা লোমনগা মুনিবু খুরুম্মে। মুনি ব্রহ্ম আসন্দা ফমে, সুবাহু নিংথৌনা ব্রহ্ম ভুজন হংলে, কংবা লোইরকপা লৈচম্মন পাবা হংলদা লেবা লোইরবদা লৈমিজিনা মহারাজ রাজসভাদু ঐনা লোজকপদা ইন্দ্রপ্রস্থগী নিংথৌ যুধিষ্ঠিরদি মাওবা উঠমদে লৌরকখিবরা? মুমহুন। গুরুদেব যুধিষ্ঠিরদি বার্তা খাবদা মাংজদে হক্তিনাগী নিংথৌরেল দুর্যোধনগী মক লৌজারে। লৈমিনিনা এঃ মহারাজ ইন্দ্রপ্রস্থগী মরমর'সদি মরু ওইবা বৈষ্ণব নিংথৌ বার্তা লৌজবোইরে, বৈষ্ণবদু যুধিষ্ঠিরদি ঐদি অংনবগী কুন্তী বাওনিংত্র। ইন্দ্রগী অধিবাস মরম লৌরমগা ওসি অতুম চৎখ্রেগে। রাজমকু ফাবদা দুর্বাসা মুনি লৌগলদুনা হায়রকই, নিংথৌ শ্রীকৃষ্ণগা বাবকার লৌখিবা ধর্মর অনু বাস্তুন লৌখ্রগা, ধর্ম লৈবগা মনাওশু ওইবা দুর্যোধনবুদি লৌবা, পাণ্ডবকী শুনি ইন্দ্র, যম, বসু-বরুণ, অশ্বিনি কুমার, পবিত্র অম লৌরগা, মীসি-মীনা, লাইব-অনং লৈবনা পরিবা পাণ্ডবশু থওইব্রবদি লৌমিক ঐ চৎলগা ভীম তাকউগে খরখরদি লাইবি নিংথৌ মং ভীম লাকনা মথায় লৌবদি লোয়রবোই। ভীমগী শুনি হনক্তা লাইস মীনা ওমনত্রবা পড়ালগী মৎসকর্ণগী মচমগী হেমান্তি দুনা কৃষ্ণ ভক্তি পাম্মী হায়রুবগী মথুং নিংথৌবদুনা মথুম পালহন্দুনা থমীবে ভাবুনা, ভীম চৎখ্রগা মৎসকর্ণ হাৎলগা অহোৎখ্রিবনি থংগনি। দুর্বাসাগী বাকমচুদা ব্রহ্ম সভানা সুবাহু নিংথৌ, ব্রহ্মঋষিবু খাবৌখ্রবদি মরমমসু কাইরনি মহারাজসু মরাবা ভারনি, হায়জবোয়ো। সুবাহু নিংথৌনা

দুর্বাসাবু খুরুমখবগা মায়কৈ, মহা মুনি ঐনা পাণ্ডবকী মঙাল থাংজহৌরে, হয়িনা হেনবীদি দুর্যোধননা অচৌবা নিংথৌনি হায়বদগী পাণ্ডবকী যুধিষ্ঠির তৌজগৌরে। হয়েং হৌগদকনিনা ময়া নক্না বার্ত্তন চৎপসু ওন্নরোই, বার্ত্তন য়ৌরবসু পাণ্ডব য়ৌরকপা ঙমরোই গুরুদেবনা কানবিদুনা লেংবিগনু। দুর্বাসানা অহু ওইরবদি নংগী মুনচর্য্যা হায়রম্লো, তৌজিকসক বার্ত্তন য়ৌরুরবদি পাণ্ডবকী গুণদি নংনবা য়ৌরকনি। মুনিগী য়াথং মথু ইনা সুবাহনা তৌশিনিনা গুরুনা নবাইগী উপায় অমুক্তা তৌবিয়ু খুরুমজরে। তৌশিনিনা করে ইপা চৎলগে বার্ত্তন লেপদু, ঐ অধিবাস নংনবা হয়ুরে। সুবাহু নিংথৌনা বার্ত্তন পত্রগা য়োনদুনা মুনিদা থিরবে, তৌবিনি বার্ত্তন পূজুনা যোগ লাক্লিনা চৎবিবনা, মিৎকুপ খরগী মতুংদা ইন্দ্রপ্রস্থগী রাজ সভাদা থংজরে। ধর্ম্মরাজবু আশীর্ব্বাদ তৌই, যুধিষ্ঠিরনা মুনিবু খুরুমখৈ, সহদেবনা আসন থরে পূজা সন্দেশ কৎলে, মুনি আসন ফমে, সন্দেশ লৌরগা বার্ত্তন পত্রগা ধর্ম্মরাজদা পিরে হায়োন পূজাক য়ারী শারে। যুধিষ্ঠিরনা ভীম কৌক খরসি হায়রকই। সহদেবনা ভীম কৌরদুনা লম্বায়দা ভীম, সহদেব থংজরে। ভীম মুনিবু খুরুম্নগা গুরুদেব লেংবিরকপু করি তাকপিংবা লৈবগে তাকপিয়ু। ভীমসেন সুবাহু নিংথৌনা স্বয়ম্বরগী বর্ত্তনদা থাংজদুনা চৎলুনা মিংথৌ দুর্যোধননি হায়দুনা পাণ্ডব মথোইবু বার্ত্তন চিথরমে, ঐনা দুর্বাসাগনা ধর্ম্মরাজ রাজ্যেশ্বদি ঐথোয় কম্বরেই হায়বদগী খরবদা সুবাহু নিংথৌনা ঐতোম্বা হংজরে। কল্যানি অভাংবী কল্যানি, মথোয়বু কংবনিংদুনা ইপানা খুথক্তা চেন্নকপনি, কয়েংগী থবক ওইবনা ময়াম্বা বার্ত্তন লৌবা ওনজে। ঐনা ইচাগী গুণ থংদি, বার্ত্তন লৌ কয়েং নংনবা য়ৌরকউ, ঐন্থু তৌজিক অধিবাস নংনবা হনজগে। ভীমনা গুরুদেব অদিনা চানবিদুনা খরগা য়ৌবিরুবা বার্ত্তননী, লৌবিয়ু হায়রা মহারাজ, মুনি লেবগী য়াথং কাইদনবা খা অমগী লম্বী ওইরবসু মংলবা য়ৌরুরমি। ভীমগী রা তারবদা ধর্ম্মরাজ বার্ত্তন লৌরে. পাণ্ডব মচা মুনিবু খুরুমজদুনা লৈহৌরে। মুনি আবির্ভূত-কুম লেংখিবদা সুমিৎ তাক্রিদেনা য়ৌখি। যুধিষ্ঠিরনা মশানা বার্ত্তন লৌহৌরিবাসিবু মশ অপাইবসু লৈতে কহদোনা য়োগনি, ভীমনা মদু মহারাজ ঐথোই মতাংদক য়োয়রস, চিংথৈ জুরকপদা থোরাং লোইনসি অদুগা ঐনা য়োনবা পুজগনি। হায়সি লেপ্লদুনা মখুং র চররে।

অহিংবু লেহে, বোংডাক্লকপদ মুন ক্রিয়া চাবা থকপা লেইনদুনা, খুঙ খুংলাই লেস তেংগনা লোমংদা পুয়রে, মনা তৈবক্তী খুরুমদুনা মুনি লৌতে, কুন্তীনা মন পী। তৌজং কনদা যাত্রা তৌদনা থোরকুগা ভীমনা ধর্ম্মরাজবু মাথোং শাদুনা লোয়রে, নকুল, সহদেববু লেংখম্বা হাকী, অর্জুনবু ওইগী পাংথোয়া তৌজে ঈনাওবা চেৎনা তৌদু হায়রগা নমহিংশিনবা সাথা আরম্বদুনা জয় কৃষ্ণ মাধব মধব শোয়গা খা হৈমব পানা মিৎ অদি চেক্লেং উত্তরাখণ্ড অহিনা মপা লেংদুনা সুশিংৎকী মাং খানা ভীম চেন্নকই। নদা নদী বন উপবন

শাবদুনা চেল্লকপনা সুবাহ নিংথৌগী অয়বর থোক্‌লবা সুমিৎ মুংবা চঙলবা থুংলয়ে। ভীমনা মরাখা মনাও থারে, ওনাক পোংথারে, আত্তরম খোঙ-সাবা তোউরগা চংলক্‌না ভীমনা মণ্ডী নিংথৌনা পাণ্ডবকী ধর্ম্মরাজ অহানবে হেৎনপ হাংক্লা পাও তৌরু। অদুগী চৎথিদুনা সুবাহ নিংথৌনা পাণ্ডব মচা মোইরক্লে বহৎলি। সুবাহ নিংথৌনা মচাইশিংগা খোমজিল্লা লোম তৌনরগা পুম্নমক্কই, মচা খুদুম্মগা যুধিষ্ঠির লোংলোক মাইকৈরোমবা হাও আসনদা ফমখ্রে। মনাও মরিনা থোগল তৌই, ভাগুরি লেবারিনা টৈলেন পাসা, সন্দেশ লেবা পাঙুলকী তৌখ্রে। সুবাহুনা মাথং শিনজল্লা কচা পুথোরকই। কাণ্ডতায় চানর কচা কয়ামুক্লা নাক-মেৎ মাং-তুং থোগল্লুনা মচা পাণ্ডব মোইরমগা কচা থুং লোমদুনা রাজ মচাবু লোজবগা বিশ্রাম তোজিনা কাথকুনা মখীশিংনা থোংশল্লা লেপলমখি। কচাগী কতবা মমক উৎনা মহা মচানা থাগৎলখি। সুব হুনা মক মচানা কায়ীজ, ঐগী পুক্যালি ক্রোল অনি মাংবনা তাস পীখি, অদুগা ক্রোল অমা কল্পনগা রথা চক্র ওন্মী, জল পাত্রনা থেংথিরগা চক্র ছিন্ন উবা কাংবগনি। নিক্কং ভেজগী সক্লপ মাওজমে উশাগী কোয়মকপা নিক্কং ভেন অচুম শিজিনবিয়ু। কপা হপনা টৈচা কন্যা কচ্চবা হায়রবা ঐগী বাশকনি থু কমশিন্নু, রাজ মচা লক্ষ্য তৌথিবা হায়রি কাহলের। মতম অদুদা হস্তিনাগী দুর্য্যোধন, উবুথো গুরু দ্রোন, কর্ণ, কৃপ, অশ্বত্থামা ককপিনবা মাংমা লৈ। কন্যাসি ঐনা ফংবা মতুনা কনানা হকবমো ঐ দুরোংথান্দা অনু মক কন্যুরণ থন্নুনা, দুর্য্যোধন কোয়েৎ হাপলগা লুহোংকান্দা মী উশিজুবনগী চংদুনা কাংজে। মহৌঙ উবদা নিচক বরসেনাপাত্তনা থক্লি, লক্ষ্য তৌজিনবা রাজ মচাবু উৎলজুদুনা, ঐনা সমোয়ান্তে মচাগুম বিবাহ পীঠং-বা কবদি ঐঙ্ক কমগে। দুর্য্যোধননা কবি তৌরকপা ওন্ননে রেংগে হায়বগী মীনা নিজরবা নিচকত্তু চংথিদুনা বরগী কোয়েৎ চ'ম্মা লাক্তবা ইশিন্দুনা দুর্যোধনগী ওই থংবদা মমদুনা কমজে।

লক্ষ্য ককত্রিউবা বোব অনি চ'ম্মা কন্সীবত্তু উবদা কায়বশু ওয়বা, উশিংতভবা মহৌঙ উবদা মহৈ মহৈ মুরুম মুরুম চংকরবপগী টৈনিল তাবদা, যুধিষ্ঠির তুপী পালোন্দা কন্সীবত্ত সায় শোন্দুনা বরম খুদুমনা লৈরুবদগী চেংওকপদা, দুর্য্যোধনগা নিচক লেমাপ ভগা থোয় আসন্দা কন্সীবত্তু উবদা, ধর্ম্মরাজনা ভীমদা হাইনা রাজ মচাবু উশিংতবা মহৌসি ঐয় মণি তৌরিংলে কমদৌনি? ভীমনা মহাক্‌থা থোংলবদগী রোংথেরবপদা আনই মহৌঙ উরে। ভীমনা দাদা মহারাজ ননাও হোইরোবকহনগে হাংদুনা, চম থংলী অদুগা ঐ তমুং। চংগে কায়বদা মরাগা লমী থাদোক্লুনা চংনলবে। ভীম চংত্রপা উবদা দুর্য্যোধন খোংথগা তুমিন চংথিদুনা মাগী আসন্দা কমথি। নিকাত্ত মনিং উইশিল্লুগা কয়িওবা টৈবানা লক্ষ্যসি ককলবাদি ঐনা আসম কন্সবনিনা ইসেরা পাম্মুরে থন্দুনা খোইদনা ঐত্তোন্দা হোংথরি। অদুগা বাথন্দা ভাওদুনা লৈবনা দুর্য্যোধন হাঙ্গলখিব, ভীম চংত্রপা উহৌজে। ভীম নিচক উশিংতবা মহৌঙ উবদা চংগা তংলোমদগী পারোম অনি জোনশিল্লগা, মাহোংকাম্মু নিচকনে কেংবন্দা তপনা

হাপকৎলগা পুম্নোকখি, মীয়ামশু তুমিন তুমিন য়েংলৈ। কিচকতি য়াগদা ঙমদবনা উইখিবনা ভীমনা পুথোকইদবু থংখিরে। পম্বান্দা মীয়ামগী কত্ত-হাওদি মুখাক চগুম থাদবা মুরবা অদু ঊশিং অপূম্বনা নিক নিক থম্না লৈখিদুনা লৎখরে। ভীম লেপ্লগা ভাইচুনা লৈ, কিচক কাওগদবনা কাখৎকে লৈরাই লাম্বকপদা, ভীমনা অমূক কাওখিবদা তুপ তুপরে। কিচকনা ভীমবু উখি, তাব তান্না কাওগৎলগা হায়রকই। ভীমসেন ঐখি দুর্য্যোধন য়েংনিংবরদগী কখলি, উইকচুনা মং চংঙকপা উটৌদরে, ঐবু অমুক্তা চিংখৎখো, মং য়াক ধর্ম যুদ্ধ য়েংনখি তাম্মুম কনা চাদে পৃথিবিগী নিংথৌশিংনা থংহৌরমশু। ভীমনা কৈ প্রেমনা হায়রবদি চিংখৎকে লাও নত্রবদি অদুম লোটশিনসিয়া থদ্রবনি। কিচক সেনাপতি ভীমনা লৈবা লৈরাইরোমদা লোইশিন্নকই, ভীমনা থুনাং পাইচুনা চিংখৎলে। কিচকনা ঐ স্নান তৌরগা বেশ থোংখিগে, মল্লযুদ্ধদা মংনা হেক্রি ঐনা হেল্লি থংদোক্লরসি। ভীমনা কয়ে ঐগুম ভাইরগে থবা লোইরকউ, মীগী খরখর থপাইব ভাগদি তুমিন্না লোটশিন্নসি। কিচকনা তুং ইন্দুনা লাকপা মানওশিংদা ঐগী মল্লযুদ্ধগী বেশ পুরকউ হায়রপ্পগা তীর্থদা স্নান তৌখি। মনাওশিংনা মখোয়গী লৈকমদগী মল্লবেশ লৌরুমগা অতা মাওম লোমদা লাওরম্মী। ভীমগা দাদা সেনাপতিগা মল্লযুদ্ধ থেংনপদোরে য়েংখিনিংবা মাগদি হায়না, অচপা চেনখিদুনা মরাম্বাদা আভরণ কংখি। কিচক মল্লবেশ লৈত্তেংগা বীর পুরুষ অনিমক রক্তবিদা থোক্লে। ভীম কিচক অনিগী মল্লযুদ্ধ য়েংপদগী থোক্লবকনা রজগ্রাম্দা ভিরে, সুবাহুনা তৈজমিনিদা গুরুদেব করগো খবর কাবরা তারে কমদৌনি। তৈখিনিনা মহারাজ কিচক ভীম লাখা থেংনৱবদি খয়খয় কাইরনি। মতানিবু থাখা ঙকপদবদি বিরাট নিংথৌরে ধর্মরাজনে অনিনা থাম্মগা য়াগদবনি। হ য়জরু তাকপদা সুবাহুনা চেনখিদুনা নিংথৌ অনিদা হায়জখি। বিরাট, যুধিষ্ঠির অনি; চংখিদুনা মসেন্দা মনাওদা থাম্নগা লায়রকই। খরখমদি কাম্বা তারে, থপাইবগী থোব কংওনি তোক্লরো, মতম চাবা কান্না ক্ষেত্রি ধর্মনি লাইবক য়েংনৌ মতমানি খন-তাব লৈমদনা চায়রো। সুবাহু নিংথৌগী হয়রকবা ধর্ম ভাকনি হায়রবদা, কিচক ভীম অনিমক মথাইগী মরাম্বাগী মখং ভাজ্জনা, মতুংদা য়েংনরসি। ভসিগীদি থোকপ্রবনি খপ লৈনমলুসি হায়চুনা কোয়রে। মীয়াম পুম্নমক হর্জরচুনা কখথরে। সুবাহুনা লক্ষ্যসি ক্ষেত্রি পুম্নমক্তা হায়জরি, করিগুম্বা নিংথৌ মতানা ককপা ঙমদবা থোক্লবদি নিংথৌ মন্ত্রীবশু, ক্ষেত্রি, সেনাপতি, যুবরাজ ওইরবশু পদবিতবু লৈরবদি ককপিবা য়াগনি, লক্ষ্য হৌখিরো ঐগী বাগকসি য়াজ মতংদা থংহনবিবু হায়জখরে।

সুমিত্তুগী মুংখিল মুথক মতমগী লক্ষ্য হৌরে, জরাসন্ধ, দুর্য্যোধন, বিরাট, দ্রুপদ, শিশুপাল, শৈল, কাশিরাজা, রুক্মি, ভগদত্ত, কৌশল, কেকয়রাজা, বিন্দু, অনবিন্দ, চেকিতান, শিখিধ্বজ, জিনধ্বজ, বিরব্রহ্মা, যৌবিনাশ, কৌন্তিয়া, কলিঙ্গ অমিনচিংবা রাজবানি পুম্নমক্না ককপা ঙমদ্রে। মুখিং মতানি ওয়ে, নিংথৌ মরাম সুমক্লে। অকোনবদা যুধিষ্ঠির হৌগৎলকনা চঙ্গগা লিক্লং লিরি চক্তি, ভেনজুমিচুনা নিশান থারে। ভীমনা মরাম্বুংবু শোইহল্লিংলচুনা চিংনা য়েংতি,

যুধিষ্ঠিৰনা ভীমগী মিৎয়েঙ্গ ঊনবা ইনাওয়াক মৰাইদগী চেপ্পনবু অমুক্তা, অৰ্জুনগী তোং নফিংগা ফীদগী ঈশাখা কাওইবী ইনাও । শাইৰক তেথবোইদা হায়নবা ধৰ্মৰাজ থোক্লকি । ভীম অমুনা নিংথৌ নিংথি চপ্পা চেন নিশান থাই । অৰ্জুননা দাদা ভাইশানিন্দু লক্ষ্যগী মিৎয়েং চুপ্পা ফুমজনা মুখা য়েংখি । অদোমা তেমখোকঊবগা অমা অৰ্জুনগী মতো ঊদে হায়রগা হোৎনখি ঐদি মতোমাক্তা লক্ষ্যগী নিংথৌগী মিৎয়েংদা চুনা ইশান্না চেনখে, লোয়ন তোকচোকপগা নিংথনা অৰ্জুনগা লক্ষ্যভেদি বহাদুৰ কৰগা অমুনলকপা মাথু মুখা লক্ষ্যনা য়েংখি, মসিনা লক্ষ্যদি ইনাও যুৱৰাজগী অকৰনদি ৰাজ্যগা থোক্লকই । অৰ্জুননা দাদা ভাইশানা ৰাজ কন্যা অমদি ইনাওগী যুৱৰাজী ওইবা ঙমলোইদে অমুনা, নকুলনা লক্ষ্যভেদি মঙ্গ ফাৎপা ইনাওনা কৰঊবা থবা কৰগা অমুনা নিংথৌ পুৰুষকী পিনবিয়ে । নকুল ধৰ্মৰাজ, ভীম, অৰ্জুনবু পুৰুষজৰগা চেৎলিনৰা ফিদি থাগৎলে, লক্ষ্যভেদি তেন লোইশা তেঙ্ভিদা মঙ লেংলে, তেঙা থোংনৰা যুৱৰাজনা ঊৎচিনবা হায়া য়েংখি । ৰাজা চক্ৰগী ছিদ্ৰ তৰা মিদি নকোং কংনা চিংদগা থাবা তেম্বু, তেনফিংদা ঐ তিক কি কাৰণনা ৰাজা চক্ৰগী ছিদ্ৰ মিৎয়েংনা তোম মথি থাংবা তৌবিদিনা লক্ষ্যগী শাক্তিবা তোঙবা থবীবা ভাগপনি করগা থাবকে । অতঃপৰ নকুলনা ধন্যবাদ তৌখৰে, একাদশিনী চৈ-চক্ৰন থাক্ৰগা খোকচৰকনা নকুলদা তোপিখৰে, সুবাহু মিৎয়োনা পৃথক অমনা নকুল মঙগী মমা ঊনকোংদুনা বিবাহ পাংথনা কৰকগা, তেম্বিনি কুলাচাৰ্য্যনা নাম্মি যুধিষ্ঠিৰ গোকপুনা খুৰণ তৰেং লেপচাক তৰেংনা পাথি তৌদুনা দান কখলো । বিবাহ তোইদুনা সন্দেশ লেবা নফিংগা, অমা তৈৰক্ৰ ৰাজ সভা থীমাক লেপলৰি । মীয়াম বৰ কন্যা অমিগী কৰবা নকৰন ঊবা চিংবা অমিদি ওঙ্গ মা তুং চানা লেপকই । সুবাহু মহাৰাজ মচা কন্যা পোকপগী মইৰ থাক্নে, মঙল ওইবা আশীৰ্বাদ তৌৰম্লগা ব্ৰহ্ম সভা, ৰাজকন্যা লৈখি । পাণ্ডৱশু সুবাহুনা তোঙলনা যুধিষ্ঠিৰনা হৌজিক চনা লেবা তৌদুনা অফিক্ত পোক্লখলে । তোংথোক্নে ভত্তা চাবা থকপা তোইবগা অমুক্তা পুং নিপাললা দৰবাৰ কখো । সুবাহু ধৰ্মৰাজনা ইনাক মিৎয়ৌ ঐদি ইচা থাবা লৈৰম্বে, চপি অমতঃ ইনাকা ইচাগদি তোক্কদে । থবা অমতং কন্তেবদি ঐনা থোকচবগা লৈপাক, মসিগী ৰাজপৰদি হাপকে । ইকুনা নিজদদি থাদিনু । যুধিষ্ঠিৰনা অদি ইমু মহাৰাজ ইনাওদি চহিসিদা লৈহৌৰমনু, ঐখোয়দি চুদি হজৱগে । নকুল ইনাওদি ইকুগী লেবা চহিসিনা লৈৰক্লো যাথং পিয়ে । সুবাহুনা বধ কবি পাঙল তৌৰম্ম । নকুল অমাখা তুমুনু পুৰুষকে মহাদেৱ নকুলবু পুৰুষনৈ, পাণ্ডৱ সুবাহু নকুল পুৰুষা, প্ৰেম বিবাহ তৌৰম্মে । একাদশিনী ফুমা শিথবিদি পাটেশ্বৰীগা মোৰক্লকা, সন্দেশ কৰমাক লাক্কদুনা, অদো ইমুংদো অহৈবু যুবৰাজৰে, থবাঙ্ক পিৰোককই । পাণ্ডৱ কুবি নব তোংলে, মহাৰ লৈবোৰে, অমদিনা হংশিৰকী মাং থাৰা মোৰকনা লাকপনা ইন্দ্ৰপ্ৰস্থ তৌৰম্লগা কুন্তি যুৱৰাজুনা পাণ্ডৱ অমা পুংশাইদি । যুধিষ্ঠিৰনা নকুলগী লেবা কংবদা গৰ্ভগী লৈবোক ওইদুনা থা ১০ সুবাহু একাদশিনী মচা নিপা

অমা পোক্লে। সুবাহু মিংথৌবা মাবা মিংজবা রাজকপু ঈশ্বরনা বংকোবিরে; হায়বদী অতাংবী মচিং মত্যবত্তং থোক্লে। দান কয়া তৌই জাত কর্ম তৌরে, পোকপা থা অমি তুরকপাদা নকুলনৈবা চহি অমা কাবক্লে, মকুবু পুরুষসরগন হায়কৈ। ইকু মহারাজ নমাইবু চহি কাবক্লে, সুবী মপামদা চহি অমাদগী হেন্না নৈরর্ধন মুর্ধ ঢিংলি হায়রবা নিরুব নৈমনা নমাই চৎচরগে বিদায় পিনবিরো। সুবাহুনা মচাগী অউনপোৎ চাকা চামনা থুজিং ওইদুনা লাংলে, মমা মপা অমিবু পুরুষসরগুনা মতাবু কৎলগা রোকচবি মমাদ পিনরকপা মম তোংলে, নমাই মপন লোইশনা যাত্রা তৌরকই। নকুল একাদিনী ইন্দ্রপ্রস্থদা হুবিৎ থরজিগী মসুংদা পুংলৈ। ধর্মরাজ, ভীম, অর্জুন পুরুসৈ, মমা নৈরুবী পুরুসৈ, একাদিনী মচেন মনেম পুরুসরে। মহোৎসব কৎনি দান কয়া তৌই। পাণ্ডব লোংক লোংবগী চাওখৎলকই, অসিগুম্বা অমি মহাভারতকী বারিসিংবু মহারাজ পুক্লিং চংনা তাজবদা নন চাওখৎলি, পুণ্য চাওখৎলি। জীবনা অরোইবা মতমদা শ্রীহরিগী থাম কংগনি। শ্রীগুরু ব্যাসদেব জীবগী উপায় ওইনবা লেংজবা মহাভারত্তন ইতি ॥ হরি হরি হরি ॥

———:———

অধ্যায়

কৌরব-পাণ্ডব চাওখৎলকপা

লুহোংবা কয়াগী বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, জন্মেজয় নিংথৌ! হস্তিনাপুরোমগী লৈকনি মর মশিং, কলিঙ্গ রাজাগী মচা সুপী কুণ্ডাবলী লুহোংদুনা মচা নিপা অমা পোকই, মমিং সৌবল কৌই। দুর্যোধন নিংথৌ ভানুমতিগী গর্ভদা মচা সুপী অনি কংলে, মমিংবা লক্ষ্মণ, শুলক্ষমা কৌই। দুঃশাসন যুবরাজ চেকিতান নিংথৌগী মচন সুপী উর্মিলাগী গর্ভদা উৎকলে, রঞ্জন নিপা অনি পোকই! ধৃতরাষ্ট্রগী মচা ১০০গী মনৌ বৃষ্টি বংশ, অন্ধক, মধুর, কুকুর, সোম; ইক্ষ্বাকু, অঙ্গ, বঙ্গ, কলিঙ্গ, চেদি বংশ কয়াগী রাজ কন্যা লোংদুনা মচা থারা, কন্যা লাইনা কংমরে। কুরু বংশগী মতিক চানা চাওখৎলকই অতুম ওইনমক পাণ্ডবকী গুণ ঘটোৎকচকী শক্তিবু কিবদগী লৈকনি দুঃশাসন কর্ণ তাদুনা দুর্যোধনবা তৌবা ওবা দৈত্য বংশগী নিংথৌ আলম্বুশ, অম্বুশাল, বাচ্চক মথোইশিং অসি মরুপ শরদুনা যাগী মীচং ওইনবা মুনা তিন্নদুনা লৈরি। পাণ্ডবকী ইন্দ্রপ্রস্থদা যুধিষ্ঠিরদা কোশল রাজাগী মচা কন্যা শুমেধা, ঈশাবরী স্বয়ম্বরদা লুহোংলুনা শুমেধগী গর্ভদা অশ্বনন্দ কৌবা নিপা অমা সুহত্ত কৌবি বৈতা অমগা পোকই। কাশী রাজগী মচ কন্যা

বিমলা ইচ্ছা স্বয়ম্বরদা ভীমনা যোবিন্নবা হোংখি। বিমলাগী গর্ভদা মচা সর্ব্বত্রক কৌবা অমা পোকই। মদ্র রাজাগী মচা কন্যা বিজয়া ইচ্ছা স্বয়ম্বরদা সহদেবনা যোবিন্নবা হোংখি। বিজয়াগী গর্ভদা সহদেবগী মচা নিপা সুহোত্র কৌবা অমা পোকই। চেদি নিংথৌগী মচা কন্যা কর্ণ্মবতী ইচ্ছা স্বয়ম্বরদা নকুল যুবরাজনা যোবিন্নবা হোংখি। কর্ণ্মবতীগী গর্ভদা নকুলগী মচা নিপা অমা পোকই, মমিংনা নিরমিত্র কৌই।

বৈশম্পায়ননা হায়, জন্মেজয় নিংথৌ! হস্তিনা, ইন্দ্রপ্রস্থগী কৌরব, পাণ্ডব নিংথৌ অমি, চন্দ্রবংশ শাগৈনা চাওখংলকইবা অসিনু পৃথিবীগী নিংথৌশিংনা ব্যবহার হৌবৈ, য়েক্নবশিংনা কিমাঙ্গুনা মরু নুঙ্ক্রখরে। যুধিষ্ঠিরগী বাণী কোশল রাজাগী মচা স্বপী সিমন্তিনীগী গর্ভদা সুতনু কন্যা পোকই। সুতনু কন্যা যৌবনগী বয়স মপুং ফারকপদা, ধর্ম্মরাজনা মনাও মরিমক্তা হায়রকই। ইমাওপা সুতনু কন্যাসি স্বয়ম্বরগী মতম চারে। কমদৌনিগে ইনাওশিংগী পুক্নিংদা অপাম্বা করি লৈবগে হায়বু, মরমসি হায়রকই? ধর্ম্মরাজগী ৱাফমসি তাবদা অর্জ্জুন বর সেনাপতিনা হায়রৈ, দাদা মহারাজ সুতনু ইচা কন্যাদি লক্ষ্য স্বয়ম্বর তৌসি হায়রকই। ৱাফমসি ভীম, নকুল, সহদেব লোইনা য়াম্নবা লেপ্লরে। ধর্ম্মরাজনা অদু ওইরবাদি গুরু ধৌম্যাগ তাম্নবা লক্ষ্য শেম্মো, মুখিৎ লেপ্লগা বার্তন থানবা তৌয়ো। য়াজাজ্ঞা পিরে। ধৌম্যাগা কুলাচার্য্যগা লোইননা মুখিৎ লেপ্লবা লক্ষ্যগী মওংদি অর্জ্জুননা পাম্বা মওং লিরুং চাম্মা লাম্না য়োংকৌ যুথী অমি যুংভগা তাসপথি অমি থম্মী। রাজ সভা তিন্নবদা মখিক চানবা, মাওব কমকম লৈকম শেম শাবা লোইরে। নিমন্ত্রন পত্রগী মরোম্না নিংথৌ মচা পদবী ওইবা ওইদবা ধনুর্ব্বিদ্যা লৈবা লোইনা লাকপিন্নবা লক্ষ্য য়াওহিবা য়াম্নি হায়না বার্তন লৈপাক থুনিংদা থারে। বার্তন ফংবা ক্ষেত্রি নিংথৌ রাজবংশ লোইনা লাক্লরে। লক্ষ্য সভাদা সুতনু কন্যা বেশ অলঙ্কার শেম শাবা লোইদুনা সখিশিংগা তেংগোল লাম্মীনা থোগম্লুনা পুথোরক্লে। সভাদু নোঙ্গরগা সুবর্ণ তোম্মীদা সখিশিংনা চামর থোগম্লুনা লৈরে। কন্যাগী কজবা মশক মতৌদু উবদা রাজ সভাদা থাগৎলৈ। অর্জ্জুননা সভাদা হংম্নরকই, রাজাথাদি লক্ষ্যগী নিয়মদি লিরুং তেনগী মফলপ য়াওজদে, ইশা ইশাগী য়াওরকপনা শিভিন্নবিগদবনি। লিরুং চাম্মা লাম্না ক্রোশ অমা য়াংনা যুংভিবা যুথী অমিগী মতোম্দা তাসপথি অমি থম্মী, লিরুং য়াংথৈগী লম্বয়াইদা লেপ্লগা তেন অমি অমুক্তদা পুনপ কাপ্তুনা চপ মান্ননা ককপা ওঙ্দা কন্যা দান কৎপা অসি দাদা মহারাজগী বাশক্লি হায়বসি থকরে। যুধিষ্ঠিরনা থুং লোয়ন্নুনা লক্ষ্য হৌবিবা য়ারনি হায়জথরে। রাজ সভাদা সর্ব্বভুপাপতি, জরাসন্ধনা হৌদুনা মথং মথং য়েংনবদা নিংথৌ মরাম লক্ষ্য ককপা ঙমদ্রে। রাজ সভাদা ঐখোই ঙমদ্রে ধনুর্ব্বিদ্যা লৈবা ক্ষেত্রিমচা পুম্নমক লাইবক য়েংনহল্লসি চায়ম্বরদা জরাসন্ধনা মরাম য়েংনবিরো হায়না লাওথোকই। ক্ষেত্রিমচা মথং মথং য়েংনরকপদা ককপা ঙমদ্রে। বৃষ্টিবংশগী উগ্রসেনগী মনাও দেবকনা পোকপা গবেসন

কৌবা, শ্রীকৃষ্ণনা ধনুর্বিদ্যা ওনা তম্বীদুনা মথুরা কোনুং চংবহন্নিবা মখি হৌগৎলকই। লক্ষ্যগী মকমদা চংওখিদুনা লক্ষ্য ওঙ্ক অদিগী মরাইদা লেপ্লুনা লিকুং লিপি চমপা উহার তৌই। তেন অদি তেম্পাংবগী লৌখোকুনা অেরিন্দা লক্ষ্য তেদি মমু মিয়মপা লোইনমা পোয়ে, লিকুং লিরিদা জুরিরপা মাকোং কংবা চিংদুনা, অতিরথোমদা কাপ্পী। তেন অদিদু তেরিন্দা মৈমিক ক্‌ ক্‌ কাবদুনা পাইথংখিবনা ক্রেমগী লম চৌরকপদা তেন অদি থাইদোকনখিদুনা মুখী অদিগী মতেঙ্দা থম্বীবা ভাসপখি অদিদু চপ মান্নবা মতক কক্‌নবা থাদরপা তেন হল্লিরক্‌বা তেম্পোংবা চওখি। অতিরথদা মুংশ্ন য়েংলিবা লাইরাবনা লৈ চাইথরখি, মীয়ামা পবেপুনবু থাগৎলরকই। বৃষ্ণিবংশ, ভোজ, যদু, মধু, অন্ধ, কুকুর, অমু শাগৈ তয়েৎনা জয়ধ্বনি লাওনরকই। জরাসন্ধ, শিশুপালাবনিংবা কৃষ্ণ য়েন্নব কাংবুনা লুংঙাইহন হল্লখি। কন্যা পবেপুন্দা মোরিক্নরে রাজ সভা লোইনা চঙ্খরে। বিবাহ দান তৌরে, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব সম্বেশ লেবা দক্ষিণা য়াময়া পেনহন্নি। আশীর্বাদ তৌরম্লগা ব্রহ্ম সভা হল্লখি। বৃষ্ণি, ভোজ, যদু অদুং পন্থুনা চৈরে। দুর্য্যোধন পবেসনগী বিভা অমসুং শাগৈ তয়েৎনকপু মথক্তি লৌবা নকুলিনখিবনা, পাণ্ডবকী পক্ষ ওাক্তা ওইঙ্ন্নি পবেসন অদি মাংহন্নগে হন্নুনা লৌকখিগা কুমননা তৌরগা, বাচ্চক বান্ধব রাজ চান্নকরুদুনা বাচ্চক বান্ধব লম পান্থবগী লমথাংদা চাইদুনা চৈনখি। ইন্দ্রপ্রস্থগী মন কন্যা যৌতুক দাস দাসী অেসোল মীয়াম অমুক ওয়া চাবা লৌইদুনা মথক্‌তা চৌনবা লাক্কনবা লমথাংদা বাচ্চক হিংচাবনা থদুনা লাক্লেংনরে। ইন্দ্রপ্রস্থদা পাণ্ড ভান্ননদা অর্জুননা থর্মরাজবা মাখিরকু মনাও চৎচগে চাক্কনা, সাজন খুৎলাই মাপকৎতুনা মথনা চুমিলঙ্বী কাংথান্না লৌরক্‌নবা বাচ্চক হিংচাবগা লাক্লেংনবদা হিংচাবা কাইদুনা চেন্নে, অর্জুননা ভাক্কুনা খম্বা অমুনা মতক কক্‌না চংলে। মমাম লুংঙাইনদুনা বিদায় তৌনরম্না মরাকত চথ্‌বা লৌগে। অর্জুন হনক্‌না ধর্মরাজ খুরুমলৈ, ভীমনা কমদোয়কই হবা, পাণ্ড ওনথরে। লুংঙাইনদুনা তেন আলিঙ্গন তৌরৈ, হিংচাবা হাৎলে হবা দুর্য্যোধন রাখি। অনিশুবা ম্যাক আনিগী রাজা অদি পুরিং চনা ভাজবদা নীওইবনা অরোইবা মতমদা অয়ামবা খুৎশ ময়াদি ইতি। হরিবোল হরিবোল ॥

অধ্যায়

অর্জুননা চহি ১২ তীর্থ চৎপগী

ৱারি মতাং ॥

জনমেজয়না হংজরকই. মুনি ইবুংবো মাইমা অর্জুন চহি ১২ তীর্থ চৎপগী তাজরগে লৌবিয়ো। বৈশম্পায়ননা হায় অর্জুননা তীর্থ চৎপগী লিয়গে তাবো। নোংমা নারদ মুনি পাণ্ডবকী মফামদা থুংলরে। পাণ্ডব মখোয়না মুনিবু থুরুমজরে, আসন কৎলি, পাদ শেংলে, পাদ্য লৌথৈ। পূজা সন্দেশ কৎলে, মুনি পূজা লৌরে। পাণ্ডব ঐখোয়না লাকপগি মখোয়বু হংশিল্লগা ৱারি শাগে লাকপনি। মখোয় মচিন-মনাও পুকচেল তিল্লনা লৈমিন্নবা অমসু কাইনহল্লিংদে অদুবু ৱাখী অমসু মফাগী শেরা তৌবা অমনি হাঙকগী কাইনহল্লা নিংই। যুধিষ্ঠিরনা হায়রকই মুনি ঐখোয় ইচিল ইনাওশিং পুকচেল থোইনা চেংনরোই, চিংনবিগনু, কাইনজরোই। নারদনা হায়রকই, ধর্ম্মরাজ নঙাংথৈবা মখোইদগী চেংনা চায়বা একদেহ একাত্মা ওইনা লৈমিন্নবা মচিন মনাও অমি সুন্দীগী হাঙকগী মথক্তাই খাংনখি। মরম অদুনা ঐনা মখোইবু কাইনহল্লিংদোহন্না লাকপনি। মুনিগী ৱা তাবদা ধর্ম্মরাজনা হায়দে মুং মঙাংথৈগী ৱারিদু অমুক্তা লিক্লিবু তাজনিংই। মুনিনা হায়রকই, পাণ্ডব আদিদৈত্য হিরণ্যাক্ষগী মচা নিপা সুন্দ, উপসুন্দ মচিন মনাও অমিনি চহি ১০০০ অমা ব্রহ্মা লিংই। মখোই অমিদা ব্রহ্মানা বর নিবো পিয়গে হায়রবদা, অমর পিয় নিবদা ব্রহ্মানা অমরদি ঐনা পিবা ঙমদে, ভগবানগী শক্তি ঐদু অমি মতুং অতৈ নিবু পিগে হায়রবদা সুন্দ, উপসুন্দনা লাই. মী, ঙমগে, থৈব, ইমিংদা. সুংশিন্দা, পুংলাইদা, অস্ত্রাঘাতগিদা শিরোই নিরে। ব্রহ্মানা লেপ্পা থুংজরো পিরে, সিকপদি মখোয়শিননা অপাক্তা খক্তা হায়রো হায়রবদা মচিন মনাও খন্নবগা হায়রকই। ইচিল ইনাও এংথিনবা সুনিন্দা মতু ওইজগে হায়জরে, ব্রহ্মানা ওইজরো হ মরম্মগা হনখ্রে। সুন্দ, উপসুন্দ বিংচাবা তেজোম শেম্বে, লাইরাম তাথোকনা ইন্দ্রগী মহং লিনুনা পানখ্রে। লাইরম ইন্দ্রগা ব্রহ্মাদা হায়জরবদা ব্রহ্মানা বিশ্বকর্ম্মা থাদুনা জগৎকী ফজবা বিবিধগী থোইদিং অমমম লৌদুনা তিলশিল্লগা ফজা অমা শাদুনা ব্রহ্মাদা পিয়রে। ব্রহ্মানা তিলোত্তমা থোরে, ফজ্জা নংমা লাইগী এক্রবা সুন্দ, উপসুন্দ অনিসি এংথিনহন্দুনা শিহন্দুরো থারে। মতমদু সুন্দ, উপসুন্দ অগোই শাবী ময়াম পুদুনা বিন্ধ্যগিরিদা শাদুনা লৈ, তিলোত্তমা লাকনা অনিগী মকদা মাগী ফজবা মশক উৎলগা অনিগী পুক্নিং হুবা মীৎয়েংনা যোমোন তৌন য়েংজকই। মচিন মনাও অমা মাংদুনা চেন্দিনদুনা তিলোত্তমাগী খুদাং মাখা মাখা পাইদুনা ঐখোইগী সুপী ওইয়ো হায়রকই। তিলোত্তমা নিংচিনা হায়রকে অনিনা য়েংদুনা অনিগী থমোই শুমহৎলগা ফজবা থোয়হোক্লা হায়রকই। সুপীমচা

ঐনা মুপা অদি লেৎনবদি ধর্ম নত্তে তমজখোই। অমতগী সেবা তৌজগে, করম্বা তৌজোগে তাক্কপজো। মাং তাম্মদা চুমনা হায়রকই, উপচন্দ ইরাঙগী মুপা ওইরগে হায়বগী খুদাং পাইখ্রবনি মংগীদি নত্তৈবনি হৌবদে খাদোক্লো। উপচুন্দনা হায় দাদা ঐগী মুপী ওইরগে খায়দুনা ঐনা হাক্লা খুদাং পারম্ববনি, মনাও মুপীনি লোকইদে খাদোকউ হায়রকই। চুন্দনা মখাখা খগুইদে হৈরে, উপচুন্দনা নিয়ম চুমখবা মংনি ওন্তিন্দুনা থৈনবদা মচিন মনাও শিখিনরে। হিংজাবানিং অত্তু উংদা ফিনদুনা লাই লৈপাক থাদোক্লগা চেরিখি। ইন্দ্র লাইয়ামগা হজিন্দুনা পাক্লে। ব্রহ্মানা তিলোত্তমাবু স্বর্গলোক্তা লৈহনখি। ন'রদনা হায় পাণ্ডব মখোইগী কাইনদনবা নিয়ম অমা লেমগে, নিয়ম ভাক্লা চৎনরবদী মচিন মনাও কাইনদবা ওইগনি।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয়! মবুখো এমা মুনিদা হায়জরকই, মুনিনা তাকপীবা নিয়ম ভাক্লা চচ্চগে তাকাপয়ু। নারদনা হায়রকই দ্রৌপদীবু ৫ মখোইগী মথং মনাও কাইদনা চহি ১ মম লেবা পুরক্ল, লেব পুরবা মতমদুগী একাসন ওইবরৈদা অতোপ্পা অমনা উকরগা উকরিবা নিপাড়ু চহি ১২ তীর্থ চৎনৌ, মদু ভাক্লা চৎনরবদী ধর্মমু চাওখৎকনি কাইনদবসু ওইগনী। নারদনী নিয়মু পাণ্ডব ৫মা মরাওনা য়াজরে, নারদ বিদায় তৌনরগা ব্রহ্মলোক যৌখি পাণ্ডব ও দ্রৌপদী নারদকী নিয়ম ভাক্লা চৎনখি। কচুপ্রভৃতি কুন্তী মমাগী লেবাবু, মৌ মতামদা লেং খাইনদুনা লোয়না লোয়নগী লেবা পুরক্লি। মথৌ এমী দ্রৌপদী রাণীনে, যুধিষ্ঠিরকী রাণী অতোপ্পা কৌশলরাজগী মচামুপী সিনন্তীনে, কাশিরাজগী মচামুপী সৌরভা ভীমগী মুপীনে, চেদিরাজগী মচামুপী কর্ণুরতী নকুলগী মুপীনে, সহদেবকী মুপা বিজয়া সল্যগী মচা মুপীনে মথৌ এমা কুন্তীগী লেবা পুরি। অমুক্কা পাণ্ডবনা ফংওইনা পাজি অত্তুবু লাইগী লোংদম্বা লোংখদি, ব্রহ্মপুরকী সুমিত্র কৌবা ব্রাহ্মণ মচা পোক্তবা অজ্জাত; যুধিষ্ঠিরনা শংগোম যাম্বা থোকপী যণবী ১ দান কত্তুনা মুনা লেবা তৌদুনা লোইরৈ। যণখোদ, ওন্তিনারোমদগী হুরাংদম্বা লাকদুনা অহিংদা হুদুনা পুক্লে লোংঙাক্লকপদা যণগোম মুপুরাস হায়দুনা প্রেমাবতী থৌরগীগা শংলোন চৎকপদা যণবী লৈরমজ্রে। ব্রাহ্মণী কপ্লে ব্রাহ্মণ শাওংনা খ্রিয়ে কপকপ, ঐ চৎলগা লৈপাক ভাক্লিবা অর্জুন উনরুখগে, যণবী কংনবা খিরম্লগনি হ য়রম্মদ ব্রাহ্মণ কোম্বুংলোমদা চেনখংক্লে। হোৎংদা ব্রাহ্মণ অর্জুনগা থেংনরে ব্রাহ্মণনা হায়রকই, অর্জুন নংমা সেনাপতি ওইদুনা লৈপাক ভাক্লা হুরানবা থম্মুনা ঐগী যণবী খাহং হাক্ল। চৌজিক কংনবা থিরুমগা পিমু পিরুবদী খারোক্ত হায়রগা ক্রং ক্রং চোংভুনা কপ্লে, অর্জুন ব্রাহ্মণ খ ম্মগা ব যুধ প লাদা খুংলাই লোগে চঙবীবদা! রাজা রাণীগী চর্মপাচক পুরা লৈয়ে অর্জুন চংবা যাদবগী থোরক্লে। ব্রাহ্মণ অর্জুন কৈদোরে খুৎলাই য়াওদনা হন্দোক্লকুবদি, অর্জুনা অত্তা ভাহাক্লং লৈরগা চৎচগে, কৌজিক চংবা যাত্রি খুৎলাইশং মন্দ ওইরে গুকাক লৈরগা চক্লগে। ব্রাহ্মণ শাওমনখিদুনা অর্জুন নংমা, ঐগী এবু পওইত্রবদী থকমবা শীপ তৌরনি হায়রক্লে। অর্জুন ব্রাহ্মণগী মতৌ উবদা খুৎলাইসংদা অমুক চংককই,

মতম তুংদা হুই অমনা যুধিষ্ঠিরগী চর্ম্মপাদুকা চেনখিদুনা লৈরম্মে। অর্জ্জুননা দাদা মহারাজ লেং-খোকপ্রমাদে লিংদুনা চঙবীবদা, রাজা রাণী একাসন ওইদুনা লৈরম্মে অর্জ্জুন না ভাংদনা ধর্ম্মরাজ থুরম্মগা, লিকুং তেংনোং লৌরগা অদুম খোকখিদুনা ব্রাহ্মণগী যগবী থিক্রগা পীরবি হায়রম্মগা মহাগী খোংঙম য়েংদুনা হংদুনা পাংথরে। ব্রাহ্মণ লশীদা ভাইদুনা লৈখ, মোমদনা যুধিষ্ঠির অর্জ্জুন নায়রদা নিয়ম থুগাইরিবা করিগীনো থন্নুনা! মপাল খোরকপদদা হুইনা চেনখিদুনা চর্ম্মপাদুকা লৈরমবদুনা! পুঙাইতদুনা হুইদা পাপ তৌখ। ধর্ম্মরাজগী পাপ লৌজককাও হুইনা কংডী। অমোমদা অর্জ্জুন কতিনাগী সিমনা মন পুজিন চৌবকপদা, হয়ানবশিংদু নায়ত্তা যগ পুজিন্নরগা পথরন্দা ব্রাহ্মণগী যগবী মুনা তৌবনি, মকোংগী কারব রুপু তৌবনি সোইদনা থুনা থিরক্কনা যনিং হল্লদুনা ঐ লেপ চিনবা কোম্মনি থন্নুনা ভাইরম্মু অর্জ্জুন্না উরে। হয়াংবদু চিগা হনী, অর্জ্জুন্না নিপা ২মক্তা সুমিত্রা ব্রাহ্মণগী যগ অয়াংবীদু, কনাইদা পুরি ক য়রবদা অর্জ্জুন কিদুনা থুরংগরগা! অজ্ঞানীদু সুমিদাং থৌরি মাম্মোক্রমাদে ঐখোইনা ভলোল চংদুবদা, কান্নী চাদুনা লৈরম্মী মাংক্রগনি তারদুনা ঐখোইনা পুজিন্দুনা থমজরম্মে। অজ্ঞানা থিবা লাক্লবদি ঐখোই তাকে হাইজরম্মীবনী। অর্জ্জুন্না করে লৌখোকউ হায়রকই. হয়ামবদুনা যগবী লৌখোকউরগা শিন্নরে। অর্জ্জুন্না হয়ামবা ২দু থাংনা মতক কক্কুনা হাৎলম্মগা, যগবী পুরক্লদুনা ব্রাহ্মণদা শিন্নরে ব্রাহ্মণনা পেত্তদুনা! অর্জ্জুন্দা পৃথ্বী জয় ওম্মু হায়না বর পীরম্মগা যগবীগা মন্নুম চৌথি। অর্জ্জুন মরখায়দা চংক্লগা ধর্ম্মরাজবু থুরংগরগা, দাদা মহারাজ! মনাও তীর্থ চচ্চরগে বিদায় পীসবিরো হায়জয়রকই। যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুন মরামগী সেবা পুরিতৈদা মনাও ওইবনা উরমগীদি দোষ লৈতে ইনাওদি তীর্থ চত্তবা যাগনি চৎকম্নু হায়রকই। অর্জ্জুন্না দাদা মহারাজ! মনাওবু চৎকরিগদবগী সেখীবা ব্যবস্থানি নায়দকৌ নিয়ম সত্য মনাও ভাকচরগে। ধর্ম্মরাজ মায়রোই থংদদুনা করে ইনাওগী নিংবা থুংদুরো মতম ওইরকউ হয়না বিদায় পিরে। তাঙদদুনা ব্রহ্ম সভানা অর্জ্জুন ইপাখোইস্ন নজি নতুং ইন্নুনা য়াওরগে, কুইমে ঐখোই তীর্থ স্নান কংনিংদুনা লৈরিবা খোংবু চাদদুনা লৈরিবনি মহাকী তুং ইনহোরগে। অর্জ্জুন্না ব্রহ্ম সভা থোরাং লোইবীরম্মো ঐ দাক চাজরুখিগে. ওসিমক যাত্রা তৌবসি হায়রম্মগা মুখ য়োরদুনা স্নানক্রিয়া চাবা থকপা লোইরগা, পোৎয়োম্বা লোইদুনা কুন্তী মমাগী বর বিদায় থুনি লৌজরে। রাণী বিদায় লৌবদা দ্রৌপদী কপ্পুনা ননাইবু কাওথোকপীগদ্ম হায়না, বিদায় কংলগা থুরমজদুনা লৈহৌরে, অর্জ্জুন মরখায়দা মৌরক্কে। ব্রহ্ম সভাগ্নু মমুম ২ য়োনক্লরগা নখোংগা ২, মরখায় য়োরক্কুনা অর্জ্জুনবু ভাইদুনা লৈরম্মে। অর্জ্জুন মরাখা মনাও ভক্তি বিদায় লৌইনরে ব্রহ্ম সভা লোইরদুনা তীর্থ যাত্রা তৌখরে. ব্রাহ্মণ অহলশিংগী নখোংদু অর্জ্জুন্না পুরগা, ব্রাহ্মণ মযাদগী সেবা তৌদুনা লাক্পনা হৃমী সুখদা হরিদ্বারদা থুংজরে।

পার্থনা শিজং উক্রোং থিক্লদুনা মৈ থাগৎলগা, ব্রাহ্মণ মযাম অযুক অঙনবদা মৈ য়াইদদুনা লৈরে। অর্জ্জুন নং স্নান তর্পণ তৌকরো ঐখোয় কোমা তৌরগে। অর্জ্জুন হরিদ্বারদা কুমথদুনা

স্নান তোইবগা তর্পন কখলি, মতম অদা নিংথৌ কৌরব্যগী উলুপীনা, মতাংকী ওপা অজ্ঞানা কাইরকদুনা অর্জুনবু উৎনা থলাই কখলগে লেপ্লে। তীর্থ লাকপাদা চাপকখিদা খবিরকই, লৌনা অর্জুনা চুরুগে মুৎ নৌবগা মকখুনা হোক্লে লৌগে হায়না খন্নাইদা লেপ্পা, অদিদি না খংবৰকই; কত সা। লিপা অদি এই মায়া পালখবে লোমা কাপুনা চেনগে মকোই থম পা বিপ্পু। অদুগ কাতা পুরুষ কপ্লবগা উৎকপ্পুনা লাকখা অর্জুনগী মতমদা অদি লায়া অৱাইবোমদা চিৎ ংবিপ্লুনা তাকখরক্লে। অর্জুনা লাওবকই অহনতা এবু কৌখোং কাপুনা চিংখখা অদা মাওয়ে, অমুক্তা ময়ম্মা চিংখইলিরবো। মাত্তু তাখদা পাখংলনুনা ঐদিং কুৎখখা; কিকনুনা অর্জুন খাংহনখত, লাওনবিতৌনা উয়াইদা লাকখবিলুনা নাগলোক চৌনা থুখন্না পুথখবে। অমুক তৌবগা অর্জুনবু খায়গা থুকমনুনা হায়রে, নমাইগী খাম্বাসি মহেম্না কচ্চবগে এবু ননাই গুণী ওইবীয়ু অনুকরিদমক থৌগতবাক্লুবনি। অর্জুনা হায়কম্না ঐদি ব্রহ্মচারি ওইদুনা তীর্থ লাকপনি খুদোংবা মাদে, উলুপীনা প্রাণনাথ ঐ থকৈ দ্রৌপদী লাক্কী তীর্থ চৎকম্লোবিবনি। গুণীদি লাক্কী চৎপনিদা গুণী খঙ্বা পুৰোংবগী শাস্ত্রগী বিধানা অকাইবা নৈতে, ননাইগী সত্তী ধর্ম পালন তৌবিয়ু মাবীত্রবদি মায়ৌথ পাপ কল্লি। কন্যাগী অরেম্না থগোইহ উৎখদা অর্জুনা কবে কন্যা নাকি খু ওবো। কন্যানা মখীশিংদো হাইরকই ঐদা মখোইমা পাখুংদা হম্লবু লবো। মখীশিং চৎখিদুনা নাগরাজ থুকমগা হন্দনী, অঙ্গা নচা ঐবেম্মা উলুপী নমাক পুরুষমত্ত অমা চেনরক্লে খুদোংবিরো হম্লচরকই। মখোইগী ৱা: তাখদা নাগরাজ উলুপীগী তাখাদা থুংলবে, অর্জুন নাগরাজবু দণ্ডবতনা থুকমচে নাগরাজনা উলুপীবু দান তৌরে। উলুপী মবুংচোদা লৈপদুংহনগা অম্মা কচ্চবে, নাগরাজ থুকমজৎনা অর্জুন, উলুপী লৈকহৌরে। নাগরাজ কোম্ফুংদা কম্লিবত্রে। অর্জুন উলুপীনা সেবা তৌদুনা অহি চু লৈরে লোংবাক্লে, উলুপীনা হাম্বরকই প্রিয়ে গুণ চেনবা নচা থাবা অমা পোকখনু এবু তৌজিক থিবগৎলো ব্রাহ্মণ মহাক বানরম্মগনি। উলপীকপুনা ননাই লৈবোং কায়বা কাউবীগমু ঐ সত্তী ধর্ম তাকপুনা লৈরগে থাকয়গা, অর্জুনবু পোৎলগা নাগ মাচানা থিকুপ্তা য়ৌরক্পুনা হরিদ্বরগী ঈর্ণিংগা কাওখতলকখা লৈরাই মহাদা থবম্মী অহুগা মখুংদা কনখি। ব্রাহ্মণ মহাকতু চান থকনা অর্জুন কাওখতলকখা য়েংদুনা লৈরাই মহাদা কোইচেন চেকচনা লৈরম্মে, অর্জুনবু উৎনা ব্রাহ্মণ মহাক অর্জুনা কাওখতলক্লে লাওনদুনা চেনশিন্নরক্লে। ব্রাহ্মণ মহাকনা হংই অহিং কোংকোইনা ঐদিং হকুপদা কমদৌনা লৈরুবনো, অর্জুনা উলুপীগী ৱারীতু তখী।

ব্রাহ্মণ মহাক্না ঐখোয়গী চান থকনা কপতি নকথক্তি খুদোংচবিখোইরে। তীর্থগী মচৌ থুম্না হৌবদা হাতরিবিদা চা ওনা কাংচে নমাইবক লৈকখা; অর্জুন, তীর্থ খুম্বা মকম খুদিংগী গুণী অমমম খুদোংচবদি গুণী য়াম্মনুনা তুংদা চাকখাক হনখা হাদিকো মথক তৌরে। ব্রাহ্মণ মহাক হংজাইরদুনা স্নান তর্পন তোইবগা চাক থেংনাবকুনা কখলগা কংলগা প্রসাদ কখিবিরে, অহুদগী বদরি নরায়ণ, কেদারনাথ দরশন তৌবগা ব্রহ্মকুণ্ড স্নান তৌরই। গয়া গঙ্গা প্রয়াগ

যমুনা সরস্বতী কাবেরী নর্ম্মদা ভবনা প্রয়াগ গোমতী বারানসী গদাবরী গোকর্ণ সরযূ স্বর্ণনদী ব্রহ্মকুণ্ড সরুবোর পশ্চিম সাগর দক্ষিন সাগর রামেশ্বর মার্কণ্ড সরুবোর ইন্দ্রদ্যুম্ন সরুবোর। অমুক হায়গদবকপরা অন্ন-বস্ত্র কনিজ পোবক্লে. ব্রাহ্মণ মরায়া অর্জ্জুনবু বিদায় তৌনবগা অন্ন-বস্ত্র চংঙবদনা হনখিক্লা হল্লিনা লৌখি। অর্জ্জুনা পুক্লপলোমগী তীর্থবু সুনা থোংগে নিংঙনা, * মহেন্দ্রনগরগী চীঙবু থেংলগা লাম্বোক্লদুনা মণিপুর তাক্লকই। লোক্তাক পাৎপু দক্ষিন সাগরগুম থম্লুনা স্নান তর্পন তৌরগা, লোক্তাক্ত তাক্লা ঈচেল ঈথাই ৫বু পঞ্চ তীর্থনী থম্লুনা স্নান তর্পন তৌরগা বিন্দু সরুবোর স্নান তোগে থম্লুনা অরাং পাংনা মহক্লদা চংঙকখী। বিন্দু সরবোর তর্পন তৌবদ, চিত্রাঙ্গদা লৈ হেকপা থোক্লকপদা, অর্জ্জুনবু য়েংঙম্মগা কোহ্নংলোমদা চঙথীলদ, অর্জ্জুনা উহৌদুনা কোম্লুং চংলক্লগা চিত্রভানু গন্ধর্ব্ব রাজাদা মচা ইবেম্মাবু দান নীজখি। অর্জ্জুনদ কোক্লগা ঐদি ইচানিপা পোকক্লে ইচা নিংঙোল অসিনী গর্ভদনী পোকপা ধারাদা নিংথৌ থুঙস সিহ্নবগে নিংই, ইচাসি মরৈপাক্তা পুরোই হায়না রাখক্লবদি দান পীরগে কায়বদা, অর্জ্জুন রাশক্লে চিত্রভানু নিংথৌনা মচা চিত্রাঙ্গদা দান কৎলে। চিত্রাঙ্গদানা সেথ তৌদুনা অর্জ্জুন চাহ ঃ পম্লুনা চিত্রাঙ্গদাগী গর্ভদা মচা নিপা ১ পোক্লে, মচাগী মমিং বব্রুবাহ থোক্লে। বব্রুবাহন চহি অম কাবদা যোবন বয়স

---

* ব্যাখ্যা। ভারতকী মতনা মহেন্দ্রগিরি য়েংলগা লাক্তুনা মণিপুর তাক্লকই হায়বসি মানা ২ অপাম্বা মতুংইন্না ঐথোইগী লৈপাকস্তু নত্তে হায়বস্তু য়াওরি। মত অমদা লৈরম্বনা দুর্গানা শিবদা প্রভু রাধা কৃষ্ণগী রাস শাম্নবগুম্না, ঐথোইস্তু শাম্নসি হায়জদুনা শিব দুর্গানা অচিকপা মকম থিক্লকপদা বণ মরুম শাবা চিংদোম্বা লেপ্লগা য়েংবদা চিংনা কোইশিনবা ঈশিংনা লংদুনা লৈবসি উবদা লাইহ্নাবু কৌই। শিবনা কৌবদা মাইগৈ ছাকপা লাই পুম্নমক থুংঙে শিব দুর্গাবু থুক্লম্মী। শিবনা চীংনা কোইবা লৈপাক মচাসি ঐ ঈশিং চিথগে লৈশেমদুনা থুম্মাহল্লি নথোইস্তু থম্না পাংঙ হায়দুনা শিবনা থা পাংনা মরম য়েংদুনা ত্রিশুল পাইদুনা কাথখবে নিংঙম্না থিনগাইদুনা চেম্বহনখিবা ঈরম্বু চীংস্নুংঙৎ কৌনরি। লাইহ্নাম মাইকৈ থেম্নদুনা ঈফুৎ থেল্লগা লৈশেমদুনা চীংমী মরাম থুম্মাহল্লি। চিত্রভানু গন্ধর্ব্ববু কৌদুনা নিংথৌ কাম্নী. চিত্রভানু গন্ধর্ব্বরাজনা মীরি গন্ধমাদোম্বগী কিরাট কাংবু লৌরুদুনা মপুং কানা চীংদা লৈনিংবনা চীং, ভবদা লৈনিংবনা ভম্পাক্তা থুম্মাহল্লি। অর্জ্জুনগী উত্তরীজরদা কিরাট গন্ধর্ব্বসিং নমহেল্লি হায়দুনা মনা লাওনা হুংলম্বা কাংবু ওইবনা কিরাট টাংথুলশিংনা চহনবী ওইনা মনা লাওরম্মীবনি। টাংথুনসিংস্তু গন্ধর্ব্বগা চায়োম্নকপা হায়না ওইবনা ভম্পাকী মৈতৈগা নক্লে মদু লৈবনা মৈতৈগী লাই হরাওবদা টাংথুন কিজেং শেংলগা লৌ ম্লানবগী মত য়াওরম্মীবনি। বৌজিকস্তু টাংথুনকি য়াম্না নহারোম্না পাম্নকলিবনি। লৈপাকসিবু মহেন্দ্র গীরিনগী চিত্রভানু লৌনবগা নিংথৌ ওইদুনা পালকল্লি হায়বদগী মহেন্দ্রনগর থোক্লি। হপবক্লম শাবা চীংবু লাই মরাম কৌই হায়বগী কৌক্ল থোক্লি, ঈফুং থেনবা লোইদুনা লৈশেম্মগা অরাংবা চীংদোন কাহ্নবা পোথাবগা য়েংঙৌ।

মপুং কাবা মীওই লৈপখি, চিত্রভান মবুথৌনা বিদ্য পুন্নমক তম্বীহনা হৈখি। অর্জুনা চরিত্রগী মপুংদা ব্রহ্মদৈসতা লাক্তুনা, সৌত মুনিগী খ শ্রব যেরিকতুনা মুনিবু থুরমজখি। মুনিনা অর্জুনবু

ব্রিশুঙমা থেমগাইদুনা চেম্বখিবা ঊরম্বু চীংমংহুৎ কৌনরি। লাইয়াম পোথাকমচু লাইমত্তোন হায়না থোরে। লাই কোটি ওতগা শিব দুর্গা লাইরেম্বীশিংগা মরক সভাদা পুরে। উলুপী চিত্রাঙ্গদা অমিনী মত দুদা অগোই শাবী অকাওবী ওইরি। অমি কৌহনা অগোই শাহনগা য়েংঙা নাগরাজ্য যাওরে অমিগী অগোই ঊপে মুংওাইদুনা লাইনা লৈ চাইখি। নাগরাজনা মতেক ১০০০ মগী মনী চাইদুনা থাখি মনীনা চাইনা লৈপাক্তা ডাখি হ্রবগী মণিপুর থোরখি। অগোই শাবনা নাপল তৌরবগী অমি ত ন চানখিদনা অগোই ক ইরে। মহাদেবনা শাওবদুনা উলুপী চিত্রাঙ্গদা ২মক ঐখোইবু উশিওদুনা অগোই কাইহনবগী দযনা বিষ্ণু সরুরদা লাইরেল ওন্দুনা লৈরুরো শাপ তৌরে। অমিনা শিবদা কপুনা শাপান্তক নিবদা তুংগী লিদা উব শিবনা কোয়া ল কদবা অর্জুনা লেকুগা মুক্ত ওইদুনা মাগী সেবা কংদু কায়না শাপান্তোক পীখি। অদুনা বিষ্ণু সরুবরদা লাইরেন ওন্দুনা লৈবনা, অর্জুনা স্নান তৌবদা থোংদা উম্মুবদা অর্জুনা চিংথংপুদগী মুক্ত ওইদুনা অর্জুনবু পুশিন্নগা চিত্রভানু নিংথোদা হায়জবদা নিংথোনা অর্জুনদা কন্যা ২মক দান কৎলি। বিষ্ণু সরুখোর হায়বসি মুবোং অমিনা লাইরেল ওন্দুনা লৈরুক হায়বগী মুংতেং পুনি থোনখি। জাগাশিং অসিবু অকানবদা ঊশিং থুমদনা কংনা লৈরম্মী হায়দুনা কংলা থোনখি। কংলাগী গুরুং অসিবু উলপীনা মপা নাগরাজ উনবা পাতালদা চৎথোক চৎশিন তৌবগী গুরুংগী লম্বী ওইরম্মী। শিব দুর্গানা দেবা দেবী ময়ামগা রাসকী মতৌ তমদুনা অগোই অর্থনা লকুনা শাখি। শিব দুর্গাগী শক্তি থুডম কিয়াংথাং চীং, হৈবাক চীংদা থুডম থনম্মগা কৈলাসদা লেঙবী। লাইয়ামচু মাগী ২ থুডম মাইকৈ মকম থুনিং থনম্মগা ললখি। মসিবু মণিপুরদা উমলাই, লাই হরাওবা হায়না হৌজিককাও চৎনরি। শিবনা নগাওবা মতমদা সিবু হেম্না নগাওব লৈবানি হায়না তেং-থারম্মী হাজিকস্থ হায়রিবসিনি নোংমাইজিং মহাদেবখ বৃকাসুরগী হাকচ্চা হরিহর রূপ ওখি অচুদগী লৈরবা থুডম্মী। মমা নিলকণ্ঠ গিরি কৌরম্মী মসিবু চীংমাই মাপল সুই হায়দুনা মরু নবদগী লৌদুনা নোংমাইজিং কৌখি। নোংমাইজংদা তাবা চীংমীশিংনা ঐখোইগী ইবুংঙোগী সেবানি থজুনা মু হৈরগা কচ্চনা নিতিগী থুরমজে। অর্জুন শিব থুরমজগে চৎখিবদা মু হৈরবচু উরুরে অর্জুন গাওদুনা ঈশ্বরদবু মু হৈবদি হৌনবরা হায়দুনা হাওশিংচু হৈদুনা তানখি। হাওশিংচু নাবনা কপুনা চেমখি অর্জুন কুণ্ডগী জল, লে কমুরগা চাইথদুনা মকমচু লেংনা তৈথোকই। ইরুজথোক্লগা হৈ-লৈ-থুপ বত্তি কৎদগা শিব পূজা তৌদুনা অহিং নোংলোই লৈরে। নোংচাক্লিনদাই ওহাক তুংথরকপদা শিবনা মংদা অর্জুনদা হায় থনঙম হাওশিংনা মথোইগী মবুঙোগী সেবানি তৌবা মু হৈদুনা থুরমজবচু মথোই বেদ থংদবা থম্ম বাবন্থ লৈজদবা অপংবা জাতিনি। মথোয়না পাখচু তৌজসনু ওসাই কপুনা চেমখিবচু মুংতাইখে লংনা থরা উরোইদবদা হন্দোক্লগা লৈদুনা

কোনবীরগা হায়রকই পার্থব মং য়ৌরকপা মুংঙাইরে, বঙ্গা মঙা তীর্থ মকমদু ওইবা কুণ্ড, তীর্থ ৫গী অগস্ত্য কুণ্ড, সৌভদ্র কুণ্ড, পৌলোম কুণ্ড, কারন্ধম কুণ্ড, ভরদ্বাজ কুণ্ড কৌই। কুণ্ড ৫দো দমা তাদুনা শাপগী কুম্ভীরিণী ওইদুনা লৈরে। মনো শোক্লগা মখোই অয়ান কজনী। অমুক্তা লানবিরম্, হায়দুনা অগস্ত্য কৌবা কুণ্ড তীর্থদু তাকখি। অর্জ্জুনা কুমথদুনা স্নান তৌবদা অর্জ্জুনগী মখোংদা কুম্ভীরিণীনা উপ্পী, কৃষ্ণদাসনা কোল্লগা চিংখৎলকপা লৈয় ই মথক য়ৌবদা কন্যাগী মূর্ত্তি ওইখরে। কন্যানা খোং পাইদুনা থুরুমজরগা কৃষ্ণদাস ঐগা দমা তাবিমথা ৪ অমদু লৈরী, অমুক্তা লানবীরম্ হায়রক্তে অর্জ্জুনা মখোই কনাবো মমিং করি কৌই করিদগী তাবিবা দমানো। কন্যানা হায়রক্তে ঐগী ইবিংনা বর্গা কৌই, সৌরভেয়ী, সমীচি, বুদ্বুদা, লতা কৌবী ইনাও ৪নী ঐখোই মুংশিনা তিমবী জগোই শাবী তাকি। কুবেরগীদা জগোই শাগদবগী ইরুজরুবগা কী স্বমদোক্তনা কাথৎলকপদা, লমী ময়াদা অষ্টাবক্র মুনি লৈরম্বদুনা ইশিং চোংঙুরমারে শাওদুনা অসতী অপ্সরা মখোই; খৌধাচায় চৎপা লৈপক্তী তীর্থ মকম মঙাদা কুম্ভীরিণী ওন্দুনা লৈরুরো হায়না শাপ তৌরে। ঐখোইনা কণ্ডুনা হায়জরবদা পাণ্ডপকী অর্জ্জুনা তীর্থ লাকুনি, মানা শোকপীবদা মুক্ত ওইজৌ হায়না শাপান্তক তৌবীরকই। অদুদগী ঐখোই ৫ লাইরেল ওন্দুনা লৈবা কুইরে মরম অদুনা কৃষ্ণদাসবু পাণ্ডবকী অর্জ্জুনী থংজখনি। বারীসি তাবদা অর্জ্জুন বর্গাগা লাক্তুনা মথং ২ মুক্ত ওইহনে, জগোই শাবী ৫ অর্জ্জুন থুরুমজরগা হায়রকই। হে কৃষ্ণ সখা সুপীম্ভ, নিপাস্থ থংম ২ মঙা পোকপসি অমামা নজচি, পাণ্ডব ইবুংঙো ৫সু চেকশিনবীয়ু হায়রম্মগা লাই লৈপাক যৌখি। অর্জ্জুন মথং ২ লাকপনা ইরাবতী তীর্থ য়ৌরক্লে। মবুধো চিত্রাঙ্গদানা, উত্তর বিজয় চৎপদা চিত্ররথ গন্ধর্ব্বগী বন্দা শিথিবা মকমদু মুয়া কৎলগা ব্রাহ্মণ দাসনা রূপা দান কৎলি। স্নান তর্পন লোইরগা মথং ২ চিন, জপান, রসিয়া, ব্রহ্মদেশকী, তীর্থ মকম সুরগা চহি ১ কারকপদা

মোংম নিনিদং অপংবাশিংগী ত কপী তশীরম্। অর্জ্জুন মিকপ খোক্লে নোংঙাক্লে শিব পূজা কৎলগা থুরুমজদুনা শিবগী নাম ১ কৎলি, সুরা, বৈদ্য, বারু, হায়বনা অপুংবা যুবুনি, মধুপ ন হায়বনা লিগী মহি, উরিগী মহি, লৈগী মহি সুংদবা নিবা ময়াই কনবা অদু।নি। মু হৈদুনা কৎপা চীংমী মনাইশিংবু চানবা হায়বগী বারুণী সন্দগা লোইনমা বারুনেশ্বর হায়না মিং কৎলে। অর্জ্জুন মঙানি তরানি লৈদুনা চীংমীশিংবু তাকপী তশীচনা শিবগী গুণ থংহনমী। অদুদগী বারুনেশ্বর কৌনখি অর্জ্জুনা নাম পোম্পুনা কম্মব মকমদু অর্জ্জুনশিলা হায়না থংনবা মনম মুংশিবা উরি, উপালনা কোইনা হৌবা মুংপাক অমা হৌজিককাও লৈরি। নোংমাইজিংগী মহাদেববু বারুনেশ্বরদগী, বারুণী তাখিদুনা বারুণী থুকপা বায়নরে, তৌজিক্তি শমজিনমনখিদুনা বারুণী কারা হায়নৱে। মণিপুরগী ময়েক, লোন, মুনিৎ, থা, থরামচিচাক, গ্রহগী খোংজং থংনবা মণিপুরগী তোপতোম্মা মুবিকা, জ্যোতিষগা মান্নবা (শিবনা) অমাইবা অমাইবীমু, থাবিরম্মী হায়না মণিপুরগী অরিবা লাইরিক্তা লৈরম্মীমু হায়রি। ইতি॥

মণিপুরদা অমুক হল্লক্লে। অর্জ্জুননা মণিপুর য়ৌরকপদা উলূপীনা মচা পুহুনা লাক্লগা অর্জ্জুনবু খুরুমজখি, পার্থ মচাবু কোল্লগা চুপখি উলূপী চিত্রাঙ্গদা ২ পুমা লৈমিন্নরুনা অর্জ্জুনগী সেবা তৌখি। চিত্রভানু, অর্জ্জুন মকু মমাক বিদ্যা সুনা তম্বীরগা বভ্রুবাহনদা নিংথৌ খুদম শিন্নরে, চিত্রভানু গন্ধর্ব্বলোক্তা হনখি। অর্জ্জুনসু চহি কারকপদা উলূপী চিত্রাঙ্গদা ২দা প্রিয়ে অনিমক ঐদি তীর্থ চৎপা মতম ওইরনা চহি ১দগী চেপ্পনা লৈবা হৌনদে। ঐ অমুক চৎপাগ নচিন, মনাও, নমী, মচা, চান্নবা লৈপাক ভাক্লুনা পামমিন্নহৌরো বিদায় তৌরে। উলূপী চিত্রাঙ্গদনা হায়জে প্রাণনাথনা লমনা লপ্পনা প্রাণনাথগী অক কত্ত পাওদি থংহৌই কমদৌনি কপচরে। অর্জ্জুননা প্রিয়ে ঐ খুদম অমা থনমগে হায়দুনা কক্তোই পাম্বী ১ সঙ্কল্প তৌদুনা থারে. প্রিয়ে অনিমক কক্তোই পাম্বীশিনা তিম্না লাইতংলবা ঐ অমাম নংতি থংজ্জু। খুদক্তা হৈপাল শিরবাদ ঐ শিরে থংজ্জু হায়না তক্লে। ইলাবন্ত, বভ্রুবাহন, ম ১ ২ পিতাবু খুরুমজদুনা লৈরেৌরে. অর্জ্জুন মণিপুর থাদোক্লুনা লাকপনা সে'চুপ পাংনা প্রভাস তম্ম চৎখি। প্রভ স তীর্থ য়োরক্লুনা স্নান তর্পন লোইরগা শ্রীকৃষ্ণ দরশন তৌরগে খল্লুনা দ্বারিকারে মদা লাক্লে, মসিবু শ্রীকৃষ্ণনা খাঙ্গুনা মনাই ওকে খল্লুনা দ্বারীকা বাসি পুম্নমকপু য়েহল্লুনা রৈবতক গিরিগী বারাদ অগোই ইশৈ কুম্মৈ তৌদুনা ভাইরি। অর্জ্জুন রৈবত লাক্লিরকপদা দ্বারীকা কুম্মৈ মকম সভারোমদা চংলে, সভা ভক্তি তৌরগা রাম খুরুম্মী অদুগা কৃষ্ণবু খুরুমজে, শ্রীকৃষ্ণনা মনাই কোল্লগা অসন্দা কম্মিন্নরে অর্জ্জুননা ওইবা খৌগংরে। শ্রীকৃষ্ণনা ইতাও নংদু দ্বারীকা পুম্নমক্কা মুংশিল্লুনা ওসি থুংতনি ভাবদুনা কুম্মৈ তৌরদুনা ওক্লম্মীবনি হায়রিবা রাকমসি অর্জ্জুন ওকপা ভাবনখিবত্ত বলরাম ইকাইরপ তৌখি। অর্জ্জুননা মথং ২ কোইনা য়েংকপদা রুক্মিনীগী ওই সত্যভামাগী য়েং মরক্তা কম্মীবী সুভদ্রা, অর্জ্জুনবু চিংনা য়েংল্লুনা লৈরম্মী। অদু অর্জ্জুন য়েংকপগা মিৎয়েং ২ থোনখিবদা থবোইদা কামগী তেনখ্যা থবোইদা পারখি। অর্জ্জুনা কৃষ্ণদা প্রভু ইবেম্মা অনি মরক্তা কম্মীবা মন্যাসি কনানো মশক মতৌ কইজদা. কৃষ্ণনা ইতাও রোহিনী ঈগানা পোকপনি সুভদ্রা কৌই নখোইগুম্বা মতিকচাবা বর কংদুনা থাজত্রিবীনি হায়রকই। য়াহৈদু ভাবদা অর্জ্জুন ইকাইদুনা মরু লুক্লগা তুমিন্না লৈখি. অসিদগী কুম্মৈ লোইশিল্লুনা মীয়াম হল্লিন্নরে। কৃষ্ণ অর্জ্জুনসু হল্লিনখি কৃষ্ণনা ইতাওনদি তীর্থবাসি ওইবনা, অতিথী মরদা লৈরু হায়দুনা অর্জ্জুন অতিথী মরদা পোথাথরে। মহাভারত আদিপর্ব্বগী বারীসি পুক্লিং চংনা তাজবদা দেহেগী পাপ কোক্লুনা জীবনা অরোইবা মতমদা হরিধাম কজনি অমৃতগা মান্নবা ব্যাস বাক্যনি ইতি॥ হরিবল হরিবল হরিবল॥

অধ্যায়

সুভদ্রা অর্জ্জুনগী রারী

পারিজাৎ হরণগী মতাং।

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা অদু ভাবো রাজা জন্মেজয় রারী কথা অমুক লিরগে, অমার চহনেপ্রবন্দ সুভদ্রানী মোঙথত্রো, অতমদু ভাইজিনি সত্যভামানা সুভদ্রা কৈকৌরে হৌগৎত্রবদি হায়রকই। সুভদ্রানা ইমন্না ভিনথং সুন্দরী নাদুনা হৌদংপা মপক্রে, সত্যভামানা ইমম্মা হন্দোকপীগে নোঙ্গরকউ সুভদ্রানা ইমাগা হন্দোকপা মাংলোই, খোংদা নক্তে থমোক্লদা মুবনী। অর্জ্জুন উরবদগী মায় সুশিক্ষিত প্রেমনা ভিনথং ওইদুনা থম্মোইকা মুপ্রে, ভবান চন্দ্রবংশগী অর্জ্জুন ইভিক চায় চাদে থবদা পরপুরুষগী প্রেমগা তাওনদি নীবা থজ্জপা নোয়নমি, লাও চৎসি মথেং পাইদুনা চিংখৎলে। সুভদ্রা হিক হ কল্পনা তোঙ্গিদা সুপীগী থপোক পাজল সোকথীমিনা, হায়জরুবস্থ ভমদা প্রেমগী মথা পোন্দুনা অহুক থাগদবগী শরুকপুদি লিখিবনা কবে। সুভদ্রাগী রা তাবদা সত্যভামানা ইকেনা কক্মিনী সুপীগী থপোক হাবৎসি থজল মশক্তি অগৎনা নাম পোম্নবদা লক্ষ্মী নরায়ণ, রাধা কৃষ্ণ হায়না পোনবগী সতী ওইবী সুপীদি থজলগী মশক্তি নিন্না ভৌহৈদে। ইচন্দী রায কৃষ্ণগী মতী থাগ মাংহনবা নাদে চৎসি লায়দুনা মথুং পায়দুনা পোরক্রে, সত্যভামাগী মুখ নৌরকনা সুভদ্রা কদুনা হায়জয়ে ইনম্মা ওসি অর্জ্জুনদা নাম পীবিগ্রবদি নচন প্রাণ থায়নি। মচম হাৎপা পাপ ইনম্মা পুবিকৌরো লাবরগা ছোঙ্গি পাইথৎলগা থম্মোইদা থিনগে ভৌরক্রে। সত্যভামা অত্ত উবদা মথুং কাদুনা থাম্বগা বায়রকই সুভদ্রা ইচন অদু নৌরবদি ঐ সোইদন লিক্কগে। অদুসু কৃষ্ণগী যাবং মপ্রমদি হনলোই ইনম্মা চৎলগা অমুক্তা নারক্কখিগে, নৈমত্থো হায়রম্মগা শ্রীকৃষ্ণগী মন্দিরদা চেমক্রে কৃষ্ণবু থুরুমজরগা সুভদ্রাগী রাকম হৰুৎলে। কৃষ্ণনা কবে প্রিয়ে অর্জ্জুনবু কবি পিরগা পেনথংলিগে, থনম্মা তাব কৰা চারে হয়েং রাকমসি হৌমোক্রুপা পাংথোক্রবা ঐ শিক্কগে, সত্যভামানা হাবজৈ প্রভু হৌজিক দান পীত্রবদি থম্রাই থারমি হায়রে ঐনা থাম্মগা চেপ্তেরকপনি। কৃষ্ণনা প্রিয়ে ইচন শিংনবা রাদে অয়োনবা থবক্তি মথোইনা হৈমনী নংনা থোকপা লাংজুরো, সত্যভামা কৃষ্ণ থুরুমজরগা অমুক হক্রে সুভদ্রানা থবক লোইশিন্দুনা ভাইরম্মী ইনম্মা কমকৌয়ে হংজৈ। সত্যভামাগা ইবেম্মা কৃপা নৈয়ে অতীথী মর অর্জ্জুনগী মকম মৌরসি দান পীরগে, বাত্র তাবকা সুভদ্রাগা মাং থাদুনা লাক্রে অর্জ্জুন থোং পৌরোন হাম্নগা ইমুংদা নাম পোন্দুনা লৈরি। সুভদ্রা সত্যভামা মৌরক্তুনা থোং নমদুনা য়েংই লোল্লী, সত্যভামানা কৃষ্ণ সথা থোংহাংজু, লাম প্রৌরাংওম্মনি কন্যাদান পীগে লাকপনি। অর্জ্জুনা ইবেম্মা য়াইমা ঐদি ব্রহ্মচারি ওইরি থোং হাংবা ঙমজরোই। দান পিবিগে হায়রবস্থ নোংঙানগা কৃষ্ণগী মাংদা লৌজগে, সত্যভামানা হে পার্থ্য নোংঙানবা ওইবা য়াত্রবনী হাংদোকউ অর্জ্জুন

মতু ওয়রোই ইবেম্মা যাইমা লেংঙো। সত্যভামানা দ্রৌপদী ওযীদা করি মন, হিদাক হৈবগো নিপাদা থযোই চেংনা লাকশিন্দুনা থবা ওযীদা হায়রকই, অর্জুনা ইবেম্মা দ্রৌপদীবু হান্নবীরিবদু হিদাক, মরুদি ইবেম্মনা হেক্তি পারিজাৎ মরুপগী মতমদা কাওরবনি। বাম্ভ ভাবদা সত্যভামা শ্রীকৃষ্ণবু লাও চৎসি হায়দুনা চিংদুনা পুখি। মতাং অদিদা অন্তঃপুরনা মুনি পারিজাৎ মরুপগী খাদী অমুক্তা লিখিখো মুনিনা হায় ভাবো নিংখো।

যোংম নারদনা ইন্দ্রনা পিরক্লুনা পারিজাৎ পরেং অশেংবা ১ মুরগা কৃষ্ণদা কৎকে নিংদুনা, দ্বারীকা যৌরকপদা শ্রীকৃষ্ণ রুক্মিনীগী অপাদা তাদে ইবিরি। খাব শ্রীকৃষ্ণ রুক্মিনীবু থুরুমকরগা পারিজাৎ পরেংদু কৃষ্ণদা কৎলে, মনাইনা কৎপা লৈ পরেংদু কণ্ঠদা থোংলে, শ্রীকৃষ্ণ রূপ মাধুর্য্যগা পারিজাৎ পরেংদু থোনবদা করিমদু উবদা পামজখদুনা মবুংগী নির্মাল্য ঐ রুক্মিনীগে নিজরে। কৃষ্ণনা প্রিয়ে নং লৈতেংবো হায়রগা প্রিয়াগী বেণীদা শ্রীহস্তনা লৈতেংবীরে, নারদনু দ্বারীকাদি মুপা লোয়নবীগী কুম্ভ ১ থোকহনগে থন্দুনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐ মঙলগে থুরুম্মী। কৃষ্ণ নারদগী পুক্নিং উবদা ঋষি দ্বারীকাগী মুম চংওম্মু হায়রকই, ঋষি প্রভু ঐ চংলমোই কৌশিলকপা য়াওরগা তাভাই-করনা চঙদবা মতাই; হায়রগা দ্বারীকা সত্যভামাগী হোজং মপাদা থিনাগী মুরগা মাত্রা চানা কৃষ্ণগী নাম শক্লুনা চৎলে। পুক্নিংদুনা মুংশিল্লবা নামত ভাবদা সত্যভামা, চেংমোক্লুনা মুনিবু থুরুম্মগা অমুক্তা লেংশিনবিখো হায়রকই। চংবা তারেদনা থম্লুনা মুনি চংশিল্লক্লে, সত্যভামানা অ সন থারে সন্দেশ সেবা লাওগী মুনি কয়ে সন্দেশ লৌই। সত্যভামানা মুনি কপোমদা লেংবিরুগে মুনিনা ইবেম্মা যাইমা, ওসি ইন্দ্রনা পারিজাৎ পরেং ১ পীরে ঐনা কৃষ্ণদা কৎলগা নির্মাল্যদু ইবেম্মবু কংহল্লিদুনা পেংনা পুরগা লাকপদা গোবিন্দনা রুক্মিনীগীদা ওখোই বরগী ঐনা লৈ পরেংদু কৎলগা নির্মাল্যদা সত্যভামানা পিনক্লিবু হায়তৈ, শ্রীকৃষ্ণনা মুনি লৈপরেং অসি নংনদি সত্যভামাবু মুংশিবিদুনা কংকল্লু হায়রিবা ঐগী প্রিয়াদী রুক্মিনীনা অখোইবীনি। মবেম্মদা পিক্ননা মনাইওযীদা পীবা মতিক চাদে, লৈ অসি মীওইবনা কংঙমদবা মগুণ চেনবা লৈনি, ঐগী প্রিয়া মবেম্মদা ইথুংমক্না লৈতেংবীগে কজন্না মজো হায়রগা কণ্ঠদা থোংলমদু লৌখোক্লগা ইবেম্মা নং কাজো ইথুংমক্না লৈতেংবীগে হায়দুনা নচেৎহনগী বেণীদা শ্রীহস্তমক্না লৈতেংবী, অদুগা শকয়ে মিংশেল মাংদা থিল্লগা মপু মনাই যোযোন ২ মেংনরগা ঐখোন্দা কজন্না মেংজো হায়বিরক্লে। মতৌদু ঐ মেংজবা ওমন্ন্যদুনা ইকাই মুংশি য়ানদনা নবুংখো থুকয়ুরগা, ইবেম্মা যাবিদা পাওতদি ওম্মগা চৎলগে লাক্রবনি, ইবা লৌবিল্লবা ঐদি মতুংমতু লাকচনিংলে হায়রকই মুনি। নারদগী পাওদম ও হদা মথিংলেন করবী সত্যভামা, ঐদি হিংলুবগী কাঙলে থবাই থাকল্লগে হা কৃষ্ণ হায়রম্লগা তিংলম হায়থরগা মর থিংদুনা লেংদনা লৈরে। নারদনা মতৌদু উবদা হ ইবেম্মথে ই নচেম যাইমা মুংশিৎ অমা চেনল্লা ব মুথরে লাওরকপদা, মনাওশিং চেংশিলকলুনা লবাই জীশিং হৈ, হনাই হনজদুনা লাক্রবদা হয়রকল্লে। সত্যভামাদা ভোবহপীনিনা নাকোংলোমদা মর থাবগা নাঙোম্নদি চোংলনা

লৈরঁবা মৈয়ে, মতৌমৗ অদুগা মুনি লেপ্পুনা মেরি হপ্পনবা পাপচেক্লবা লোমিন কৌরবগী হায়রগা লৌখৎপা হায়রে লোইবা থবা।

শ্রীকৃষ্ণনা রুক্মিণীদা পিরম্লে পারিজাৎ পরেংদো ওইনবা মখিৎজন অমা অমমবনি মমাংদা থমলাই হায়রকপ অমগী, অশেংবা মৈত্তি পিবগী তায়রকপদা, মুনি রুক্মিণীনা লোখাৎকদা মৈত্রু পিরবগী নমাওনা মচুংদা উসিংলরোইদা হায়। রুক্মিণীগী মুখীনি মাংদা ইকাই-খুমিং ওইদুনা, প্রোনমাং ইমাগী মরেম লেপখিবা মৈশক্তে পুখিনো প্রেম মৈপাক্পগী ময়ামৈ মৈলোকনী মমাং হায়রগী মাইক্রগে অমগা হায়রকয়ে। মতৌমৗ অদুগা কৃষ্ণনা পিরম্লে মংবা পুন্নাংঈগী পিরমুনি অমাংবা মাখোই ওইবগী ওহাং লৌমুখিগে, মুনিদু মাও তায়রগা বসুদেব লেমকই, মুনি থুপা ইরকই। শ্রীকৃষ্ণ লৌমখুনা নন্দকীশা শ্রী মাংদা অ'ন তাবো প্রেম হ'রকই, সত্যভামা মিমি পাংদবা ইমাওনা শ্রী শ্রীচাংসি মৈ মুনঙা খাখাসিদু রুক্মিণীগী মচুংদো মামুনা ইশাঙা লোমখ্রবা শ্রী খাংখা মমনে লোকখলগ হাইরকই। সত্যভামাগী এচু তংবা কৃষ্ণনা পিরম্লে শ্রী মখাইগী মদি মখাকপা, কবিগী অদুম হায়রগে হৌশংদু অংমা পান্দু হাযু শ্রীমা লোইদবা পিগে তায়রকই। কৃষ্ণগী হাথং তাবদা মৌবংলকুনা হিক হিক কয়পা পারিজাৎকি মাকন্দু থদোন, শ্রীহরি মনাইবু লোনখংশিনগা পিরম্লে খ'মপী তাদু খোবা মৈত্রবগী শ্রীখোই থুম কায়রনী।

মুনি থুমলাই থা মৈমনি পারিজাৎপু পাপ্পবদী মচেম্না কংবদী পরেং ১ ভদি, অজিবী চাম্ব লৌমখ্রপা পাথুনা অওবা পাওবগে হায়রিকরকই, মথুংতোমী খাংদি লোইরোই মংগীনিদা আমম থামে চন্দন পোইদেন চন্দন মৈ সেবা পাবা অন্যেশ, কংলপা, চাকম মৌপনকৈ সেবা মৈবী সত্যভামাগী মতৌমা লোনখিদা শ্রীকৃষ্ণ নারদপা হায়রকই, ঋষি নং চৎলো ইন্দ্রদা পারিজাৎ চাম অমমং নিয়রকই পিরকই অমুতা হায়রু। ন মরমা প্রভু মনাই চৎচমগে ইন্দ্রনা লোইদনা কন্দকনী অদুম পুজমরগে, ঋষি কৃষ্ণ পুরম্বগা মমংবা সিদ্দিবা নিমিব ১০ বা ইন্দ্রগী সভাদা খুমখী। দেব সভা লোমখা মুনি হিক হিক পাওবা বিহুগী পী মচুম ২ তাহলি লোমরয়েম খুংগা খিনুবা ঋষি অমমগা লো পিরু, অাই মৈপাক্কী দেংম মাকুমবা কমি মৈরবগে কপপীরিবা হ'মথীবু। মায়দবা দেবরাজন পারিজাৎ পরেংদু মাগ্রিকানাবদা কংলুই মৈদু উবদা সত্যভামানা পারিজাৎ পাম্বী ১ শ্রী তাপাদা খামীমপা পাংহনবীদু হায়রে। শ্রীকৃষ্ণনা থুপী মম্মা লৌগুনা স্বর্গগী মৈতেং ওইরিবা মৈথু হৌজিনক নামব নং চৎথু ইন্দ্র মকুচো মবেমকারীকাদা মৈরে পারিজাৎ পাম্বী ১ লোকখুনা করেগী হোজংদা থারগা পাবংখুমা কচরো হায়রু। হায়রিবসি সে ইন্দ্রবী কৃষ্ণগী লাকখুনা ইন্দ্র মথমাই লৌনি হায়দু অসিনী, মীমৈপাক্তা লাইদু অমুক উসিজবা লাইগী মৈপাক মৈহৈরনবা হায়বগী কওনা মৌমকুবনী অমুবু দেববাজনা কিরবসি কংলুম্বো মংক্রবদ অমাহৌকা অামহোমকপা লোইরোই মায়দগী পাওবম তাবদা ইন্দ্র মৈ মৌমওম পাওদুনা মুনি পারিজাৎকি মীমৈপাক্তা থাখা খাদে পীরোই

লাক লাকলসু ইন্দ্রগী ইভিক খংহনগে হায়বীক। মরমদি ভাবদা হুন্দিনা করে দেবরাজ ঐগী মুংঙাই হৌজিকসু হায়রগে ভিন্নরা মাইকি ওনশকে, ঐবু মাই চোপহনগনু হায়না ইন্দ্রবু মথৌ শংলম্বা ঋষি সিজিনা চৎথিন্নরা পুনক খাবীকা লৌরি। মুনি থিংগনি ভাবদুনা শ্রীকৃষ্ণবু খুদংথৈ প্রভু পারিজাৎ চার অমতং কৃষ্ণনা নিরবই কৎথিজি, অদুগী মাখং পাও লাকপগি হায়দুনা, ঐ লাই নিংথৌনি হায়বগী নাপন তৌদুনা হায়রকপা ম তৈত্তু চনদা হলহৎপা অপরাধী ওইরগনি থাদ্রা, অদুগী কণ্ঠারিবনী। শ্রীকৃষ্ণনা ঋষি ইন্দ্রনা করি হায়রকপা ওম্মু ভাসি। নারদনা প্রভু ইন্দ্রগী মবুংগোনি হায়বা খজিত্তা খত্তনা গোপ মচা মচু শাগে ওনথিরবা ভাইরিবা অয়ানবা থিন্নরা লাক্লেমবা, মুনী হয়াবথদা হাল্লেংবা মানা স্বর্গগী লৈমাং ওইরিবা লৈবু পৃথ্বীদা থাগে চাক পিদু হায়রদি, মাথল লৈত্তব কৃষ্ণ হায়রিবু মথৎ ই মাংনিংঙবদি লাও মাংজিলবদা পারিজাত অমুক পাক্কপু অ'জিনী। নাপল তৌবা মবুংঙো মশামক্ষবা ইন্দ্রসি ঐমদি ঋষি সন্ন্যাসীশিংদা তৈরবা য়াদবগা কপুনা লাক্রবনি। নারদগী পাওদম তাবদা শ্রীহরি লাওদুনা ইন্দ্রনা নাপল তৌই হায়রগী পুজা তোকহন্থিবা হায়ত্তা ব্রজবাসি থাংকনি হায়রবগী শেলগী নোং নুমিৎ লেম নুমিৎ গনি চুথহনবত্তু গোবর্দ্ধন ধারণ তৌদুনা লোইনা কণ্ড্রগা নাপল তৈথেকথিবত্তু কাওরম্মল্লে। ঐনা থেঙ্গু ওইদুনা মত্তাব চিংঙ ওবু ইনদম্বা পুনগা লমত্রু তৈবদা থোকথিবা পারিজাতপু, মতোমদগী ওইবা মথবা হনদিত্তি মীদগী থেরা তোঙ্গি কায়বা থংহল্লগে হায়রগা গরুড় কৌরে। গরুড় খুদক্তা থুংলদুনা খুদংজরগা করি থৌপল তৌজোপে থাকশিনু, শ্রীকৃষ্ণনা মনাইবু কৌরবী, ইন্দ্রদা পারিজাত পাম্বী চার অমতং নারদ থাজবা শিকল্লুদল পিরক্ক উসিনবা হায়রকই অদুগী লাম চৎকে তৌবনী।

গরুড়না কায়জে ইন্দ্রনা নাপল তৌরবদি য়াথংত পিবীনু ইন্দ্রপুর ফুরগা লৌখজরগে, বাসুদেবনা মত্ত তৌদুসি, ঐ চৎকে হায়রগা সাত্যকি, প্রদ্যুম্ন কৌরে শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম শারঙ্গধনু মনশিঙ্কি তেঙ্গোং থৌরা লোইরে। সত্যভামানা প্রাণনাথ মনাইবু পুবীনু ইন্দ্রানী মশক অমুক্তা য়েংগে। প্রেয়েয়াংঙজৌ, শ্রীহরি ঋষি, সত্যভামা, সাত্যকি, প্রদ্যুম্ন গরুড়গী মথক্তা তোংখৎলে। নারদনা প্রভু ইন্দ্রসি নাপল তৌজবা শারি মমা সতী অদিতীগী মাইন মুন্দুনা অসাম্বগী নরক নিংথৌনা লৌখীনা হৌজিকবাও মমা বপুনা লৈরি। অদুগ কন্যা ১৬,০০০ সু ফাদুনা পুলপ থম্মী, মানা নিংথা থুংলপা নোংমতদা লুহা জানি মিনী। কন্যাশিংদু চাদ-থক্ক, তুমদং। ইবুংঙোগী নাম শোন্দুনা কপী, ধর্ম লৈত্তবা নরকপু জয় তৌরগা কন্যাশিংগী অরাবত্ত কোকপীয়ু। অদুগা অদিতীগী মনিগী ম ইমসু পুবীগ্রগা ইন্দ্রবুসু ইকইহনি, দেব মাতাগী অওবসু কোকহনথিয়ু ঋষিগী বাত বদা কত্তবা সমন তৌগে পৃথ্বীগী অকুপা কোকপীগে হায়বগী বৈকুণ্ঠ খ দোয়রগা পৃথ্বীদা থীগী মশক ওইনা পোক্রগা মনাইশিংগী নিংজ নিংজবত্তু থুংহনবীমখা, লিলা শাকবিরিবা শ্রীকৃষ্ণনা গরুড় প্রাকদেশ তৌরথিনি য়াথং পিবদা গরুড় পাইরক্কুনা নরক নিংথৌগী শানবুং লমজাওদা থুংঙরে। কৃষ্ণনা পঞ্চজন্য থোংলগা সিংহনাদ লাওদুনা নরক নিংথৌ কৌরকপদা ঐগী য়েক্কবা লাক্কে, হাংকে থম্মুনা লাম্মোক্রগা

লাংহেনবদা শ্রীকৃষ্ণনা [illegible] [illegible] লৈরম্মে। নাত্তবি [illegible] না থৌওকপা কোমং [illegible] লৈংশিল্লকপা পৃথ্বী [illegible] ইনদ্রগী [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাবন্না [illegible] ফোংদোক্লম্মি। [illegible] [illegible] [illegible] পুরা [illegible] লৈইরিবা [illegible]।

হে জনমেজয়! [illegible] [illegible] ইন্দ্রদোনা, [illegible] [illegible] লৌরগা [illegible] [illegible] [illegible] পাংখোবা কোনবীরগা [illegible] পৃথ্বী লৈপাবু [illegible] [illegible] কুকপলকডুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। ইবুঙ্গোগী [illegible] কোনবীডুনা [illegible] [illegible] [illegible] পোকচবা ইরানি [illegible] [illegible]; [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ইত [illegible] লেপ্লবনু। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] লৈপাক [illegible] [illegible] পৃথ্বীনা [illegible] [illegible] নাইক [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] ১৬১০০ [illegible] [illegible] কৃষ্ণ [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পৃথ্বী, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইন্দ্রলোক [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]; পৃথ্বী [illegible] [illegible] বৈষ্ণব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। লৈপাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], শ্রীগুরু ব্যাস বাক্যানি ইতি ॥ হরিবংশ হরিবল ॥

অধ্যায়

শ্রীকৃষ্ণগা ইন্দ্রগা লাংহেনবা

পারিজাত পুরকপগী বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়-জনমেজয়! অমরাপুরীগী [illegible] [illegible] হৌরিবা পারিজাত [illegible] [illegible] [illegible], সাত্যকিনা কৃষ্ণনা [illegible]। সত্যকিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈপাক্তা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইন্দ্রদা নিপা ও [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পারিজাত [illegible] [illegible]। ইন্দ্র [illegible] [illegible], [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] ঐরাবত শচীনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শামু তোংদুনা মন্দরদা থুংহল্লে, মায়মনা পাওজেললুদুনা লাই মুপী সুপা কুম্ভে য়েংবা থুংহল্লে। শাচীগা সত্যভামগা লাম্বা থুরোম্বীগা ২ ওংনবগা ভাবদা ঋষিগা লাইমাযগা সুংভাইমনথিদুনা য়োকখি, মাতা অদুদগী নৈচাকপওম শাওদুনা কৃষ্ণগা ইন্দ্রগা সত্যকিগা জয়সেনগা প্রদ্যুম্নগা লাম্বা প্রলয়ঙী মতোওম পানখল্লে। গরুড়না ঐরাবতকী মকোক্তা থুজিন্না য়েশিল্লগা খোভৎপদা জ্ঞান মাংদুনা শামু. শুলদা পানরমদগী সানজিঙ্গী চিঙখোংদা ভাংখে। ইন্দ্রনা কৃষ্ণ নংগীনা উচেকনি ঐগীনা শামু ওইবনা নৈপাংক্না ভাংখে। মথাদা শোকনরুরসি, শ্রীকৃষ্ণনা ইন্দ্র, স্বর্গ, পাতাল মংনা পাম্বা মকমদা লাম তৌরিগনি খংজো। পৃথ্বীদা হায়থনল্লে, ইন্দ্র শামু কোংলে, থুংলাই পুম্নমক থাবদা কৃষ্ণনা ককথংলি। শোরেন বজ্র লাংলক্লে, কৃষ্ণনা গরুড় ইন্দ্রগী বজ্রসি চক্রনা ককথংপা মই অদুবু ইনাইগী মশুগাদ মাংহনোই নঙ্গী তুরিক অমতা লংশিনবিখো, গরুড়না তুরিক অমা থংলগা বজ্রগী ময়াদা লংশিল্লি, অদু চাকথেক্লগা বজ্র হনখি। ইন্দ্র অমুক লংঙি চংথু যাক্লে কন্দ কায়দে ব্রজ থাঙদা লংশিল্লগা, তেন অমুক কাপ্লে। বজ্রদনমু শ্রীহরিগী গুণ খংলগা ইন্দ্রনা ভাব ভক্তিবদু উবদা নাবদ, ক্ষিরদ সমুদ্র খোংবান্দা তপ তৌরিবা কাশ্যপকি মনক্তা চৎখি। ঋষিনা কাশ্যপ মচা ইন্দ্রসে পারিজাতকীদমক কৃষ্ণগা লান তৌরে, বজ্র লংঙে কায়ক্লে অদু কাওগা ভাব ভক্লে, শ্রীকৃষ্ণনা শাওরক্লনা সুদর্শন থাদরুবদি মচা শিবা জারে, প্রভু শিবনা হাবজরগা লান থামজুবদি, অতৈনা থাম্বা ওম্মরোই হায়রম্মগা ঋষি হনখি। কাশ্যপ কৈলাশ চৌরক্লগা হয়জবন পশুপতি মগ তোংলগা লানকমদা থুংহল্লে, লান লেপখো হায়রগা কৃষ্ণবু থুরুম্মগা করি মরমকৈনো হংগলি। শ্রীহরি পরিজাতকী মরমদু তক্লে, শিব ইন্দ্রগী মাংদা চংঙি, ইন্দ্রনা থুরুমজে, মহাদেবনা করিগী কৃষ্ণনা পরিজাত পাঙ্গী অমতং নিববু পিদনা লান তৌরিবনো, প্রভু স্বর্গগী নৈতেং ওইরবা নৈবু প্রেম্না নিবস্থ মখুনা মদকারদবি পীরবোই। ইন্দ্রগী নাপল উরদুনা শিব কৃষ্ণগী মাংদা অমুক চংখি। শিবনা প্রভু মনাইদি বলিগী কাঙ্কক অদিঙ্গী গর্ভদা বামন ওইনা পোক্লগা পদগী অমুক কংহনবীবনি, মাংজগী মানমু নরক হত্তলগা নাইন পিরক্লনা শুকর্ণিরিমদিনা কাশ্যপ অদিত্তী মান্না রাবে, মখোয়গী ভক্তি লৌখিদুনা অপাংবা মনাইগা মানদিদনা মনাও ওইনা পোকুমগী শরুক কংদ্রি নৈপান অসি ওইনা কংলগে হায়না অমুক্তা নোমবিয়ু। মহাদেবগী ভক্তিদা হায়রুবগী মথা পোনবিদুনা শ্রীহরি য়াবিদুনা গরুড়গী লেংহল্লে। পশুপতি সুংভাইরদুবা ইন্দ্রগী মাংদা য়ৌরক্লগা হায় মংবু লেমহনলিংদুনা কৃষ্ণবু ব্যবহার তৌনবা শিকলিবমি; বামন অবতার নিংলিংলগা ইনাওগী শরুক ওইনা কংঙ, হায়না পীখরো। শ্রীগোবিন্দনা দাদা মনাওদা পরিজাত পীবিরে কায়না নোক্লে। ইন্দ্র কৃষ্ণবু কোল্লগা বামমগী মতমদা ইনাওগী শরুক তেমখিজি তৌজিক তম্মুগে ইনাওনা পৃথ্বীদা নৈরিমথে নৈ অসি হোদুনা শাৎহম্নিংবা মকমদা শাংলসমু মতুংদা পৃথ্বীদা নৈতবা ওইনমু নিয়ম তৌদুনা পিরে, মহাদেব কৈলাশপুর চৌখি। মতাং অংসদা শচীনা

সত্যভামা মংগী ঐরোমা মোংগো পারিজাত পিরবদি নচেৎনা ব্যবহার লৈতবা তৌগনু হায়রকই। ইন্দ্র শচী নাপনগী রায়রাক্ত ভাবনা সতীমা পাণ্ডুক্ক পরিজাতন্ত পাবজ্রে, ইন্দ্র তম তৌনি হায়বদগী শচীগা ঐগন্থ রা যৌরা হায়রনরবা। মহামেজকী মরা লৌতুনা ইন্দ্রব খুরুম্‌বদগী শচীনা ঐবু উশিংতয়া রা হায়রন্নুনা ইকায়রা কংহনব মগী মনাই থজোই কায়গতৌরে, কুছিনা সতী ইনাই তকশী মার ভাকপীনি ঐগী শক্তি অমা খুদিং চংজুনা যোকপীরি ইশাদা খুমিমবনি দোষ লৈতে। সতীমা প্রভু সিরবুনা মনাই, ঐবুনা মনাই নতুবগুম্বা থমবীবা মার্জক ভাকপীনবা মনাই থিজেবগী কানদ্রে। সতীগী মতৌ উবদা কৃষ্ণনা প্রিয়ে মং শাওরগু ইন্দ্র মতোম্না মোমহনগে গরুর ইন্দ্রগু সতীদা রোংগো হায়ক হায়রবদি পত্নামগী বদি লৌথংনু মহুৎ শিজহনগে। গরুর ইন্দ্রগী মাংদা লেপশিন্নুনা কৃষ্ণগী যাথং ভম্মগা সথা সতীদা নোঙহৌ নত্রবদি পত্নীগী বলি লৌথুংথুবরদি ইন্দ্রপদকী মাংবা, তাবে হায়রকই। ইন্দ্র বলি পরকপদা কিথ্‌জুনা মরুপ ঐবু অমুক্তা পুশিন্নুবিয়ু সতীগী পাকনা চংজহৌরগে, গরুরনা ইন্দ্রব কোয়গা সতীগী মা দা পুশিনবীরে দেবরাজ সতীগী চয়না ওম্থোইনা কপ্পগা হায়জরকই। হে-সতী আদিশক্তী ইমা নংনি দুর্গা, লক্ষ্মী, সরস্বতী, সাবীত্রি মহাময়া পুখোকপনি, সৃষ্টি, স্থিতি প্রলয়গু ঈমা নহাক্ত ঐনা জ্ঞান তাকহল্লে ইরান ভাকপীয়ু ইমাবা লেজ্বীবা মনাইবু মাংহনবীগনু। ইন্দ্র লৈপাক্তা ওল্লগা কপ্পুনা হায়জরগী মমিৎ লিশিংতু উক্কুল চংবগী উমরে। সত্যভামা মতো যেংবা ভমক্রজুনা গরুর ইন্দ্রসি মন্দাকিনি গঙ্গাদা লুকশিক্ক হায়রকই। ইন্দ্রবু লুচনা গঙ্গাদা স্নান তৌবিয়ুগা পোররক্রে। ইন্দ্র ইন্দ্রানী সতী কৃষ্ণবু খুরুমজে, জ্ঞান কংজে ঐরাবত তোংজুনা চঙ্গনখী।

শ্রীকৃষ্ণ প্রদ্যুম্ন সাত্যকী ইরেৎশিং ময়ামকে পরিজাত পাম্বীগা ঋষিগা গরুরনা পোরজুনা দ্বারীকা যৌরগা থাজরে, গোবিন্দ ময়ামগা গরুরদগী কেংথরে, থগেন্দ্র কৃষ্ণবু খুরুমজরগা কুষ দ্বীপ চৌখি। শ্রীকৃষ্ণনা বিশ্বকর্ম্ম কৌরগা সত্যভামাগী হোজং মনাক্তা পারিজাত থাদুনা রত্নবেদী রত্ন আসন শেমহল্লে, অদুগা ইরেৎশিংগী মনাশক্তাই ১৬১০০ শাবনখি। ঋষি বিশ্বকর্ম্ম থবক লোইরগা সেবা কংহনখী, শ্রীকৃষ্ণগী সেবা লৈবী সত্যভামাগী সেবা তেম্না খুদুম চনবিজুনা পারিজাতকী মথোং রত্নবেদী-রত্নআসন্দা তজুনা ভানদবী। সত্যভামাসু ঐগী ইবুংঙোনা চানবীরাসি থরাইদগী ঐনা মকেল্লে, থন্দুনা মাঙগী মবুংঙো ওইনিংবগী মতৌগুম্না কৃষ্ণনা তজুনা মাগী মনাক্তা ভানবীনবা সেবানা খুজুম চল্লগে হোংলৈ। সত্যভামাগী মতৌসিবু নারদনা উরজুনা দ্বারীকা মুপী ময়ামসি কুম্মৈ অমা থোকহল্লগে, সতীগু হেনমাক্ত মাগী অথোই নাপল লৌথোকে থন্দুনা ঋষি ব্রহ্মলকতগী খুথক্তা দ্বারিকাদা থুংজরে।

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় জন্মেজয় নিংথৌ, সতিগী নাপল লৌথোকপা (ব্রত থামগী) রায়রী লিরগে তারো। শ্রীকৃষ্ণ পরিজাতকী মথোং রত্ন বেদী আসন্দা সতীনা থোগমজুনা ভানিবিরি। ঋষি কৃষ্ণবু খুরুমজরগা সত্যভামাদা হায়রকই, সতী গোবিন্দ মবুংঙোনা পরিজাতনু থাবিদ্রে,

তত্তুদা ভানবীতুনা সেবা কংজিবনি মহাক্তা মাল্লা লাইবক কবী অগস্ত্য লৈতরে। শ্রীহরি মবুংগোনি মপোক থুনিং মহাক্তা মবুংগো ওইতুনা সেবা কংনিংঙ্গ্রা? সতীনা মুনি কংবা মাগদবা উপায় লৈরবদি তাকপীয়ু কংজনিংঙি হায়রকই। মুনিনা হায় পুলোমাগী মচানুপী শচিনা ব্রতমাক কংপদগী ইন্দ্রবু মাগী মবুংগো ওইখি। পার্বতীনা ব্রতদু কৎপদগী শিববু খানবা মাঙবা মবুংগো ওইখি। স্বচ, মালিনী, সাবিত্রী, অরুন্ধতী, বারুনীনা ব্রতগী গুণনা যুগ থুনিং মখোয়গী মবুংগো ওইরিবা খানজিবনিনি। মুনিগী এাকমদি তাবদা সতীনা ঋষিবু খুরুমজনা ব্রতগী নিয়ম তাকপীয়ু হায়রে। মুনিনা সতীদান ব্রতগী ১নমদি ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব খার্জন তৌরগা লাইরম অমং তোন্না তারবা লোইনা কৌগনি। সনা রুপা মনি রত্ন কি লিক-কোন মণবী মগোল লামু দান তৌগনি। দান লোইত্রি কাও ব্রত তৌদুনা লৈগনি। দান লোইরবদা ব্রত লোইরগা কৃষ্ণবু কত্রগী খোরিনা পরিজাত পাম্বৈদা পুন্নগা (কুলাচার্য্য) পুরোহিত ওইরিবা ঐহোক্না দক্ষিণা ওইনা কৎকদবনি। সতীনা মুনি প্রাণনাথবু দাক্ষিণা ওইনা কৎথোক্লবদি ঐদি মাংজরে। মুনিনা সত্যভামা অদুদি মারক্স, ঐনা হায়বসি ব্রতগী সকল ওইদুনা কৃষ্ণবু মপোক থুনিংদা নংতগী ওইনা কংজনবনি। সত্যভামানা অদু ওইরবদি মুনি ঐ ব্রত মাক কত্তরগে, ঋষিনা আচার্য্য ওইবিরো, সতী কৃষ্ণগী মাথং লোখো মবুংতগী মাথং কৌরগা তেংগদবনি। সতীনা কৃষ্ণদা ঋষিনা তাকপিরবা ব্রতসি কচ্চাংগ খোজান পিনবীয়ু নিজরে, কৃষ্ণনা কৎচৌ খোজানবিয়ে। মুনিনা তামা থুনা পাংথো ঐগ হয়রোক তৌনবা তৌবসি। সত্যভামানা প্রদ্যুম্ন, গদ, শম্বুদা মাথং পিরে, প্রদ্যুম্নানা দ্বারিকা থৌয়াম খোমতুনা মাগুন পুজাগী পোৎলম দানগী পোৎলম মুনা লাংজে, গদ শম্বুনা খার্জন তৌবা লোইত্রে। শ্রীহরি আনন্দ ওনখেইরে, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব দ্বারিকাবাসি লোইনা তিন্নে, নারদ পুজা হোরে, সত্যভামা কৃষ্ণবু খুরুমজরগা সঙ্কল্প আসনদা কমতুনা ব্রত হোল্লে। নিমন্ত্রণ কংবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লৈত মাইয়া অন্ন দান, জলগী দান, রত্ন দান, মণথাগী দান, মগোস শামুগী দান পাত্র চাবা চাবদা দান তৌবা লোইরে। ঋষিনা পুজা সঙ্কল্প লোইশিল্লে, সতী ব্রত শন্ন ওইরে, কৃষ্ণবু কাত্রলি খোড়িনা খোংলগা পারিজাত পাম্বৈদা পুন্দুনা সত্যভামানা নারদদা দক্ষিণাগা লোইনা কৎথোকলে। নারদনা কৃষ্ণবু লৌথোক্লগা ইবুংঙোবু ঐনা দাক্ষিণা ওইনা কংলে চৎলাসি, মাজ বেস হোংঙসি ঐদি ব্রাহ্মণ সন্ন্যাসিনি ঐগী শিষ্য ওইদুনা তুং ইন্নগদবনি হায়রগা মখুলিদগী কৌপিন বহির্বাস লৌথোক্তুনা কৃষ্ণগী বেস হোংদোক্ল। ঋষিনা কৃষ্ণগী লেংবান্দা মখুল কমণ্ডলু পাইহল, নারদ লাত্রেও পাইরগা কৃষ্ণবু পুন্না চৎলে শ্রীহরি ঋষিগী তুং ইল্লি। মপোকস উঙদা রুক্মিণীনচিংবী কৃষ্ণগী প্রিয়া মহায কপ্পুনা লেনাশিল্লগা ঐখোয়গী ইবুংঙো পুবা মারোই, সত্যভামাতগী মবুংঙো নত্তে হায়রগা নারদগী মাংদা থৎলে। ঋষিনা অশাওবগী মিয়েংদা মৈ হৌরক্লগা দাস নখোয় পুম্নমক নবুংঙোনি হায়রবদি ওনাইনা সত্যভামাদা মারোই খিবাদি কৈদৌরোই। হৌজিক

ঐচোম্বা পিখোক্লুবা পুরুষবা কৃষ্ণবু য়ারোই হায়না ইমাংদা থংগদি নখোই ঙৈং ওইজিংবরা হন্নোকউ, লাওরকপদা ইবেম্মশিং হা প্রণনথ খাংলেনা হায়দুনা কপনরে, ফারুকাবাসি য়াজারে। সত্যভামা ওক্লুনা নৈরহদগী জ্ঞান তাবকপদা চেপিন্নক্লুনা মুনিগী মাংদা খুৎজোক্লগা হায়জরকখী। মুনিনা কৎলু ব্রতগী কল কুংনবনি মায়বগী কংথানি, ঐগী ইকুংতো পুবিক্লিনা করিগীনো? দুর্গা শচীনচিংবী দেবীশিংনা নবুংতোবু কমদোনা কাঞ্জনবো মাদুদু থাবিখো। নারদনা শিবদি ভুত প্রেত লোইবৈ, গঙ্গা থকই ঐনা লোইনি মতুনা পিখোক্লুনা কংজোই, ইন্দ্র মরিৎ লিশিং পানি, লোইগী নিংথৌনি, মখো চিন্নি পাম্বক্লদুনা পীরুম্ব, অদুনা শচীনা কংবি। বৈষ্ণ (সর্ব্বভূমী) থাক্লপা নৈলনা চাই, হাংগ তোংই, ব্রহ্মাস্ত্র বর্দ্ধান মখো চিন্নি, অরুন্ধতী য়ারুক্লিগীদু মন্নুনি. ঐনা লোইনকুবদা কাযবে, পিথোক্লমতুনা ফজংখবনি, নবুংতো কৃষ্ণবু কংতপ হায়বগ নারদ ঐনা নাম শোক্লবা নিংজবনি। হৌজিক কংজবদা পিরবগী মায়নৈতে, হন্নোকউ ইমাংদা লোককু। ঋষিগী বা তাবদা সত্যভামা হে মুনি ঐবু খুদীনি কায়বগী এবৈ তেতুনা থবখগী লনবু পুথান হায়রবদি ঐখু থবাব থংবগে। খুদী হাংগা পাপ মুনিনা কংজু, হায়রগা হা কৃষ্ণ শোললম্মী সত্য বাগুখরে, স্বোর হোম্মনা উত্তুপ তাবক্লম নৈক্লিবদু উবদা শ্রীকৃষ্ণনা মুনি, মঙ্গী ময়া থাদোক্লো মরিংজেন কংবিনী শোইদনা পিবা তারে। সত্যভামা পিরবদি দ্বারীকা বাখোক ওইরগনি জ্ঞান তাহলনা তকপিরকই। কৃষ্ণগী য়াথং কংজুবদা ঋষিনা খ্যাম্মা হেংবদা সতী স্বোর লেপরো, মগোত্ত্র উবদা খুংগা থিক্লুনা চেতন মন্ন শোললগা কাম্মে। সতী মস্ত্রগী নতেংনা স্বোয় হোললে, জ্ঞান লংক্লুনা কৃষ্ণ শোললগা হোৎক্লুনা কম্মে। নারদনা নংগী নবুংতোসি কংগে কায়ববদি লেপ্পদি কললম্মরেই। কৃষ্ণগা তুলা তৌদুনা সনা রুপা মণি রত্নগা ওললো লুখা মাঙ্গবা অত্তুঙ্গৈবদা ঐ লৌরগে। অদুনা লমন কোক্লবা ওইরগা কৃষ্ণ নবুংতো লোৌরো হায়রকই। নারদগী ৱাহৈসি তাবদা মন্নাব থুংজাইনরে। প্রদ্যুম্ন গদা শাম্ব তুপ পেম্মে শ্রীকৃষ্ণ লোংখতুনা তুলগী মাকল অমদা কগীরে সনা রুপা মণী রত্ন মাকল অমদা হাপকৎপদা কৃষ্ণনা কেন্দুনা নৈপাক্তা পক্লুনা নৈরে, হায়গৎত্রে দ্বারীকাগী লনগৈ খুদিংগী লোয়মা পুখোক্লুনা হাপকৎপদা কৃষ্ণনা খুখা হেন্দুনা নৈরে। নারদনা হায়রকই দ্বারীকা বাসি নখোয়না কৃষ্ণগা উজম মানবা লন পিবা ওন্নবজিনা কৃষ্ণ পুরগে হায়রকপদা উপায় নৈত্রৈনা কপনরক্লে। দ্বারীকাগী অৱায়সি উদ্ধবনা কমদোনা কনবা য়াগনি খল্লকপদা কৃষ্ণনা তাকপিখিবা (নাম নামিন) ইতাও উদ্ধব কৃষ্ণ হায়বা ঐগী মিং অমিগা, ঐগী ইশাগা খেন্নবা নৈতে, ঐগী নাম শোক্লবদি ঐগা লোইননি থাদোক্লে হায়বা মংনা থংলু, তাকপিখিবদু পরিক্ষা য়েংলগে নিংলে। উদ্ধব কস্তুরী কুমকুম য়াক্লগা কালিওই তুলসী অকংবা মশানা কলম ওইদুনা, তুলসি মনা অমুনবা অমদা হরে কৃষ্ণ হায়বা নাম ইরগা পাক্লদুনা চংলক্লে। খীয়াযদা তুলসী মণি রত্ন লোৌখোকহল্লে, নাম ইরিবা পাক্লদু

তুলদা হাপ্লে, মায়হুনা মুনবা অমুক হেন্দুনা কৃষ্ণনা লৈহেনা মথক্তা হায়গংহে, মাবনা লৈপাক্তা পক্লনা লৈগ্রে। দ্বারীকাবাগী মুরথক্তা উদ্ধবপু থাগৎনখি। মারিম উদ্ধবপু কোয়না বৈকণ্ঠ থক্তী মপাম্বগী মামনী শুণ মতৌ তসি কংজরে। শ্রীকৃষ্ণ দ্বারীকাগী খইহৌরো নামসিনা ঐগী শরুক থইগ্রগে হায়রগা নাম ইরিবা পত্র তুলদগী লৌরগা কোক্তা থাপ্লে, হরে কৃষ্ণ শোন্দুনা ঋষি ব্রহ্মলোক চৎখি। মতাং অসিদা পারিজাত বৃক্ষ সত্যভামাগী মাপান মাংহনবা মাবগী গুণ ঋষিনা জগৎতা কোংলোকখিবা লোইরে। মনিদু পূর্কিং চংনা তাজবদা মীওইবনা লেপ্পা মুক্ত ওইগনি; কায়বগি ব্যাস বাক্যনি হাত ॥ হরিবল হরিবল হরিবল ॥

— — - ঃ — — —

অধ্যায়

সুভদ্রা গন্ধর্ব্ব বিবাহ, লৈরুনা—
স্বয়ম্বরগী মরী মতাং

তাঙজ জারিবা জন্মেজয়না হংজরকই, মুনি সুভদ্রাগী মরী অমুক লিবিরো। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, মহারাজ পুক্নিং চংনা তারো ঐ লিবক্নগে। সত্যভামাগা অর্জ্জুনগা মাহাক্ন য়েংনা হায়নরকপা থোং হাংহু, হ'ক্লিনা অর্জ্জুনকী নাপক রৈথেক্নে, ঐহোক্না লোক্তক্নগে অদুগী উপায় অমত্তং লাংহুবগে থন্দুনা তপাগী পুমাং পায়রগা লাও চংখি হায়রগা চিংন্দুনা পুরকই। মতাং অসিদা সুভাদ্রনা সত্যভামাগী মকমদা হায়জয়কই।

ইনম্মা ঐবু লুহোংহিন্নাবাইজা, য়াকে'ইনক্ন থইরবদি ঐ লিক্তহৌবগে। তামাবা তত্রা নংগিদমক্কি ঐ অর্জ্জুনগা য়েংনা হায়নরিবাসি, লিবমাদ মংনা হুংলিজহিনহু কাংতয়োই, আকথো উপায় অমা লাংহুখিসি হায়দুনা মঙৌ মতৌগী মুমদা পুমাক্ন। ইবেম্মা অমুক্তা থোক্নকই, মতৌ থোকরুগা মবেম্বু থুকপী এ মমা ইবেম্মাস্ত মাওবিরকই, কবি তাকপিকদগে হায়রৈ। সত্যভামানা বধু তপাগি অর্জ্জুনগী মিংচিগী তেমা থমোয়দা থাবিক্লনা পিবা তারে, ঐনা তেম নৎপীনবা তাম পীয়গে পুরুবদা ঐদি জম্ম চারিবি নাপন তৌক্লনা থোং হাংহু মাদয়ে। ইবেমগম্ব য়োৌবরে, অর্জ্জুনগী নাপন রৈথেক্নবা উপায় অমতং ইথৌনা লাংহু। তত্রাগী থবায়স্ত কজ্ঞ, মাসি তাবদা মতৌ ইমুং চংগ্রগা কায় সিন্দুর থম্না লৌবক্লনা মম পোয়্রগা তত্রাগী লাইবক্তা

নখে, ভদ্রাগী য়েৎকী খুদোংমবাদা থোংলোন মাপল হাংডুনবা মহ পোয়ে, থবমা কিজ কিনানা শোকপীরম্মু, থোংনবীমু মতোম হাংজরমনি, মাইথোংথু হায়কেৎতং উহনবীমু, ওহা ওহাবিরম্মু শোইদনা হায়জরম্মগনি। অর্জুনমু ইবেম্মা হায়ানিংবা হায়বিবা য়ায়নি লেংবীয়ো, বাহু জাবদা ভদ্রাহু খুদোংখী লাইবক মপাদা থাজৎলগা মাং থাদুনা চেঙরম্মে। ভাবানা তুংদা ভায়দুনা য়ৌরম্মে। ভদ্রানা থোংদা খুদোংখীদুনা নখদা পোয়োম ভিকতোক্তুনা কাংদোকখি। ভদ্রা থোংজিন কানশিনখি, অর্জুনমু উশিংখমে ইজিক থহৎনগে, থাংগাং শৎলগা কমাদো হোৎচিনকপদা ভদ্রাগী খদন উরখদগী জ্যম নাদুনা মখুত্তুগী থাং জাঙে, জ্যান লাকপদা ইবেম্মা চংবিরমদি হাররগা ভদ্রাবু কাপে তৌরকই। ভদ্রা তুংলোমদা চম্লগা ইনম্মা ব্রহ্ম চারিনা ঐবু খুদাং পায়গদোয়ে লাওরকই। সত্যভামানা ধনঞ্জয় কম্মাগু রায় কৃষ্ণগী মচৌ থ জত্রিবিনি নং খর্জ মপক থংত্র, হজিনু নায়না লাওরকই। অর্জুন ভত্তা কি য়েৎলগা ভামাগী পাদদা দণ্ডবত ভক্তি ভাজয়ে। হে কৃষ্ণ প্রিয়া, লক্ষ্মী, সরস্বতীসু নদাক্তি দেবীসু নহাক্তি সৃষ্টিস্থিত প্রলয় ওইবিবী, ইবেম্মগী গুণবু ঐনা কদি থংজগদগে, অর নবা কয়া ভাকপীরগা নচনবু পিনবীয়ু, নংগী পাদদা ননাইনা নিজরি হায়জয়ে। অর্জুনগী ভক্তিদা পেনদুনা হে-পার্থব ওথাইনা ঐনা হায়বা য়াবম্মবদি অদু থোকলোইরবনি। চৌকিক্ত য়াক্তনমু ঐনা ভদ্রবু দান পিরনি হায়দুনা সত্যভামানা চাওক্তুনা ভদ্রাবু গন্ধর্ব বিবাহদা দান পিরম্মগা হনখ, অনিসু খুদম্মগা নৈহোয়ে সত্যভামা য়ুমদা পোথাখয়ে।

অর্জুন সুভদ্রাসু প্রেমদা ভাওদুনা অহিংথু লেন্দুনা নৈখি। নোংডাংমে ছায়া শ্রীকৃষ্ণনা সুভদ্রাগী পাও হদৎলে, কৃষ্ণনা প্রিয় বাকয়নি হসি তৌদোক্তুনা পাংথোক্লমা হোৎনরূরগে হায়রম্মগা সভাদা লেংথয়ে। দরবারদা উগ্রসেন, বসুদেব, বলরামনচিংবা সভা গুনা কপ্লে, কৃষ্ণনা অহল লমন দাউজিসু ভাবিয়ু, নমক সুভদ্রা ইচনসি অর্জুনদা দান তৌরসি হায়ববু য়য়াম করি থনবীবগে হায়রকই। য়য়াম পুম্নমক্তা ইক অর্জুনদা তোংজসি হায়মরকই। বলরামনা হায়রকই, ইচনগীদমক্তি য়য়াম্মা থরিবরম্মু ঐন দুর্যোধনদা থাজগে পল্লি হায়রবদ য়য়াম্মা অর্জুনদ পীসি হায়নরকই। য়য়াম্মা হায়নরকপগুদা বাহনা শাওনা থোংন কম্প হায়রকই। য়য়াম্মা অর্জুনবু মুংশিবগী অক-কত্তা য়েংদনা হায়রনি, দুর্যোধনগা অর্জুনগা পানা হংরা পরবীচন্থু হেকলি, শিত্রসু নৈত্তে পাণ্ডবনা শিত্রা নৈ, দুর্যোধনদা সোইদনা ঐ ইচক পিংনি। বলরামনা লেপত্রে, য়য়াম তুমিন তুমিন নৈনখি, অমুক্তা দরবার হত্নখরে, শ্রীকৃষ্ণ চিন্তা তৌদুনা মনি মন্দির য়ৌরকই। সত্যভাম ছাইদুনা নৈরম্মী। সত্যভামা ২বকম থরাবিরা হংজরে সত্যভামা ঐ হোদোক্তুনা থরবদা য়য়াম্মা অর্জুনদা পীনিংঙি, দাউজিনা য়াত্রে দুর্যোধনদা পীনি হায়দুনা লেপথয়ে। নং চেনলো ইমা অনিদা সুভদ্রাগী পুক্তিংদা পাখি শাবগা ডাউজিবু অমুক্তা ভাইনবিয়ু

হায়রক। সত্যভামা চেকশিন্নবা মনেম অমিবু থুমখিজরগা সুভদ্রাগী মারী শারগা ইতে ইচুংতো অমুক্তা তাইনবিবু হায়জরে। রোহিনি, দেবকী অমিনা রামগী মকমদা ভজাবু অর্জুনদা পীসি, মখোয়না অর্জুনদা থাজনিংবসি কাইহনগদবসি। রোহিনিনা, রাম ইমানা ভজাবু অর্জুনদা হোংলনি হায়রকপদা রাম খিংতা ঐ কায়রদুনা হায়রকই। ইমা কৃষ্ণগী থৌইনশিনদগী হায়রবা ওইরিনি, অতৈ অমা ওইরবদি মখতাই লৈররোইদবনি। কৃষ্ণসি দুর্য্যোধনগী মচা কন্যা চম্পক্তা মখো ওইরিবনি, মাই অনৌবনি অহুবু খজিক্তা পুংশিবা লৈতে। কৃষ্ণসি অক-অক্ত খেংদে মাবু থরা নিংথরদা পুংশিবনি, অর্জুনমক দুর্য্যোধনমা কেম্নি হায়বসি থম্দে, মোইরোই অর্জুননগা সিদা লৈবগা ইচম্ মবুক ওনখিবা তারে। থুনা হোংজগে হায়রগা দুত কৌশিন্দুনা পত্রগা মর বার্তনগা দুর্য্যোধনদা ভোক্ল থাদ্রে। শাগৈ মাই নিংথৌশিং বার্তন তৌরো শিন্নখ র। রোহিনি, দেবকী উপায় লৈত্রদুনা হনগগা সত্যভামাদা মরোম পুরমক থাদ্রে। ভামা কৃষ্ণগী নাক্তা চেন্নরে। মতাং অসিদা মারী তাম্রিবা জন্মেজয়না হংজে, মুনি কুরু রাজাগা খোনা মাই ওইনৈ কৃষ্ণগা, মাবনা থাবগুবু কমদৌখিবনো অমুক্তা লিখিবো।

শ্রীবৈশম্পায়নমা মহু লিরক্তে তারো জন্মেজয় নিংথৌ! হন্দক্তা খোকখিবনি, ভানুমতিগী গর্ভদা পোকপী লক্ষণা কৌবা দুর্য্যোধনগী মচা নিংথোন অদুমত্তনি। মগক মতৌ মাপা কজৈ, ঔচ্ছাবরি অয়মগী নিংথৌ পুরমক খম থউন তৌদুনা লোইমা লাক্লবা মতমদা মাহদনা ভাক্তুনা অমমতী গর্ভদা পোকপা শাম্ব রথ তোংদুনা লাক্লগা কন্যা কোয়ুংদগী মাওথ ভামা পুখৌরকপদা লমথাংদগী শাম্বনা কারগা রথদা হাপ্পগা পুখরে। দুর্য্যোধন পাণ্ডু কংথদা মরু কর্ণ লাম্লরকপদা কর্ণনা ভাম্লক্তুনা ভাল অস্ত্রনা উপ্তুনা কারে। কন্যানা কোয়ুংলোমদা শাম্বনা কুরু রাজাদা শিন্নরে। দুর্য্যোধন লাওখিদুনা দুঃশাসন্না হাৎলুরো মাথং পিল্লে, দুঃশাসন্না মখোং মথুং পুম্লগা খা থংবা মীহাৎপুংদা পুখরে। রাকম, মীহাৎকদৌরি ভাবদা যুধিষ্ঠিরনা দুর্য্যোধনদা কনানো হংবদা, গোপমচা হরামগী মচাদু শওম নিতোন্না পোকপনি। মগানা রুক্মিণী হুরানবা মচানা মতৌ তমদুনা কৌজিক ইচা হররিবা, এবু ইকাইবা পীবগী মা হাৎতোক্লগা মপা কৃষ্ণ লাকসনু হাৎকে। মাদু তাবদা ধর্ম্মরাজনা ভীম থাখিদুনা দুঃশাসনগী মথুংতগী মুন্দুনা, শাম্ববু খোংজিলনা পুন্নিমহু থাদোক্লগা পোয়ক্ত্না মরাম্বদা শিন্নরে। যুধিষ্ঠিরনা পম্বগা দুর্য্যোধন শ্রীকৃষ্ণবু খেক্লগহু কত্তে হায়রকই। দুর্য্যোধননা মনাওশিংদা মুমু হাত্তোকক্ত হায়না লাওনা ওংদুনা লাওরকই। ময়াম্না মুনগে হায়দুনা চেনশিন্নরকই, মতৌচু উবদা ভীম গদা পায়দুনা চংশকউ নকোক নৈথায়গে কাম্বদুনা গদা লৈদুনা লৈথরে, দুর্য্যোধন মচিন-মনাও গদা পায়দুনা ভীমদা মায়ে কথরে। মতৌচু উবদা ভীষ্ম, দ্রোণ কর্ণ অহম্না মরাইদা লেপ্তুনা থাম্বে। ভীষ্মনা যুধিষ্ঠির মখোয়মু চিংমদনা গুরু দ্রোণগীদা শম্বুহ পুম্লগা থম্মসি, মরানগী হৌজবী দ্বারিকায়রোমগী কাংবু লাক্লগা অভাবী মহদা তৌনরসি, দুর্য্যোধন নংসু তাইথো, হেক

হাংলগা হৌরবে । মতৌ অসুম্না ভীষ্মনা ৱাংখেন্নুনা পান্ডুবু দ্রোনচার্য্যাদীনা থমখরে । খুৎথক অনিদা মায়ম দ্বারীকাগী মভাদা থুংহন্নুনা পাণ্ডসি লোইনা ভগ্নে । শ্রীকৃষ্ণ পাণ্ডবা থাক্কক গরুর ধ্বজ রথ থাজন তৌ যদুসৈন্য থোরাং লোইহৌ লাকরকই কৃষ্ণগী অশাওবা উৎনা দুর্য্যোধন-শ্রীবরক খম্মুনা ময়াযাবনা, প্রাণ ভাই কৃষ্ণ করিগী যদুসৈন্য চৎকদবগে হৈনাও চৎকন্নু হৈরগা চৎলগা ইচাগা ইমোগা লোকপে ময়াম থাম্লগা, বলরাম মুষল লাংগোল পাইদুনা হস্তিনাপা লেংখরে সঙ্কর্ষন খুৎথকা যোরক্কুগা দুর্য্যোধন ইচাগা ইমোগা পীয়ু হ ররকই । দুর্য্যোধননা মচা মমাওদি ৱারকক্রগা ইচা ইমো পিয়ু কায়বদি ভাদিংহে লায়রক্লুনা, বলদেব শাওদিননা লাংজোলদা পৃথ্বীদা হৈশিন্নগা খা পাংনা চিংবদা হস্তিনা মথক মথা ওনবা ভাবে, ভুমীকম্প ভোয়রক্রে । ময়াম কিদুনা য়ামগী পাবদা ভক্তি ভোজুনা খাদকখরে ।

ভীষ্ম, দ্রোন, কৃপনা পান্ডু সৈন্যনা কংবা মাংবা দাবে ভায়রক্লুবদা দুর্য্যোধন হৈকনা মচাগা খঙ্গা য়ামদা কংলগা চংখরে । য়াম অমাএব হেনদুনা ময়াম খোজকরিংগুগা মচা মমোগা রথ লেংদুনা দ্বারিকা হোরক্লগা মচা মমোবু ন্যাকাংখিখি । কৃষ্ণগা দুর্য্যোধনগা ভাই নৌরিবনি অদুবু খংলিবা রাখল চেন্দে হায়না, য়ামনা কায়থিবগী ৱারী হে কন্নেকনা লিয়িবসিনি ।

সত্যভামা কৃষ্ণনা পাণ্ড পুয়নক তংজরে, কৃষ্ণনা ৱ কন্দ প্রোহ অর্জ্জুন কৌহল্ল ভদ্র সু মমাগীদা লৈহনখরো, ইন্তাওগা ঐগা রা ভায়দবা মাক্রে লায়রকই । ভামানা কৃষ্ণকী মথো মৎত্রে, ই চৎচনগে লায়রগা অর্জ্জুনথী মকবদা চৎলিংনা থংলরে । অর্জ্জুন ভদ্রা অনিনা সত্যভামাবু খুরুমজৈ, ভামানা রাজম পুয়নক ভম্মগা, ভদ্রা সিদা লৈবা য়াত্রে রাপোক ওইরুনি ইমাগীদা লৈকায়া থাবরে । অর্জ্জুন পোরক্লনা কৃষ্ণগী মনি মন্দির যৌরক্রে । সত্যভামা মবুংকৌ খুরুমগা ইবেম্মা মনুবদা ওজনথি অর্জ্জুন কৃষ্ণবু খুরুমজনগা মপাইব করম হৌজৌ লায়রগে, য়াথং পিনয়রবদি ভদ্রাবু নমদুনা কোংনা কেক্রি থর্মদা পুজাংদে নওই কনাবুম কিজনে । কৃষ্ণনা ইতাওগী অদুদি য়াম, ভাউজিনা ওইনা লিনদি লায়না য়ারৌদিবা ভবে, অদুনা কাইদনবা থরসি । অর্জ্জুনা অদুদি প্রভু হুজ অমকা পিনদিয়ু, দানা মকরুগগী য়াওং অমতং লৌজগে । কৃষ্ণনা হুজ পিরে, অর্জ্জুননা পাত মরোন পুয়নক ইরুগা দুকা পত্র লিয়রগা ইন্দ্রপ্রস্থদা থাখি । বলরামগী দুংনা হস্তিনাদা থংলি, পত্র নর বাইর বংলে, দুর্য্যোধন সুংখাইদুনা পিজ পিথক্লগা মনা পিদুনা হয়েংমক যাত্রা ভোকরক্লগে কাবুনা পনৈপ হেইয়ু দুক হবহনখরে । অর্জ্জুনগী দুত ইন্দ্রপ্রস্থ য়োরক্লনা ধর্ম্মরাজদা পত্র কংলে, পত্র পাবদা মনাক-শিজা ভায়রগা কৃষ্ণগী য়াখং ভাকলনবি হায়বা লিখ ইরগা, দুত পিজা পিথকগা লোইয়গা মানা পিদুনা পন্নগা দ্বারীকাদা থখরে । য়ামগী দুত, অর্জ্জুনগী দুত লোমজন থংলুনা পত্র কংনখি । বলরাম বিবাহগী যাত্রন থোরাং পুয়নক লাংখরে । শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুনসু ধর্ম্মরাজগী

ম্লাথং পত্র কংবদা তারাম্নগা মতম চাইদুনা লৈরে। হস্তিনবনা পত্র পুংতবা সুমিৎতা থাজিন হৌদুনা দুঃশাসনবু যুধিষ্ঠিরনী থাজিন তৌদনম্লে. হয়েং পুং ৮ দা যাত্রা নংমবা দাদা মহারাজ হায়রকই হায়না থুরুবজরগা দুঃশাসন চনখি। যুধিষ্ঠিরনা ভীমদা মাইকা হল্লকি, রাথোক ওইরদি ইয়াথদি হৈনদে চৎলয়োই, নংনা অক্ষৌহিনি মতা পুমগা হয়েংনী যাত্রা নংনবা চৎলো হায়না ম্লাথং পিরে। ভীমনা দাদা মহারাজ নমাওনা হৈনবমক থোক্লে, ঐ চৎচগে হায়রগা মীয়ামদা রাজ অজ্ঞা লাওথোকল্লে। অহিং লেপ্লে, নোংছানবগা থোয়াং সোইদনদুনা ভীমসেন মমা ময়াথা থুরুমজমগা তেংজোল মতা পুদুনা হস্তিনাদা যাত্রা নংনবা থুংল্লে। গুরুবর্গ থুরুবজরগা ভীম দুর্য্যোধন শোকনি থুরুবদী, দুর্য্যোধন রাম কৃষ্ণনী মচনবু ঐনা কংগদৌরে লেমদুনা চৎকে থম্দুনা মরমী কিজেং লৈতেংদুনা কোয়েৎ হাপ্লে, শোকনিনা মর শেমবা ওইদুনা সনাকপগী দোলাই তোংলে। মতৌদু উবদা ভীমনা দাদা মহারাজ সুমিৎ ৭ নিগী লম্বী লাপ্লিবনি হৌজিক্লা মরমী কোয়েৎ হাম্নীরিবদুবু মতমসিগী নিত্তোমসি লুহোংঙমদাইদা চেকগলদি হায়নবগা চেনখিবা থোক্লবদি সুংচাইরোইদা হায়রকই। দুর্য্যোধননা হায় ভীম নংদি কলক নিহোৌরিনি মরা তানিংদে, ঐগী মাংদা চৎকদু মরম ওইরোই তুংদা চৎলু নশকৃ য়েংনি দে, ভীমনা অহু ওইরবদি ঐ মাংদা চৎকদি, মথুংদা হোংথিবা ৪ নি ৫ নিদুম শুথরে হায়নদুনা তারে মেক্লকদয়া হায়বানি ক মরম্মগা কৌমুদকিনম গদা লেংবম্দা হায়গৎলগা অক্ষৌহিনি ৫ পুদুনা মাংদা চৎথরে। ভীমবু কাংবু অমনা শাওনখি, ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, কর্ণ অশ্বত্থামা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংনা ভীমনা কাম্বা রাগি শোইগন্দবনি করি থোক্লগবা সিংনখি। অক্ষৌহিনি ১১ গা মথং বজন জয়ধ্বনি লাওদুনা দুর্য্যোধন যাত্রা তৌরক্ল।

দুর্য্যোধন দ্বারকা সিমনা য়োরকৃনা তীর্থ থোংবাম্দা ময়াম পোথারে, মপা ৫ পত্রগা দূত থাখিদুনা বলরামদা দূত পত্র কৎলগা ভক্তি তৌদুনা হল্লৎচরে। রামনা দূতপু থোজানবীদুনা হয়েংগী মর মতম চানা থুংজরো হায়দুনা থাখিথরে। দূত চৌথিদুনা কুরুরাজাদা রামগী পাও তমজরে, দুংচাইদনদুনা ময়াম অহিং পোথাদুনা লৈমথরে। দ্বারিকায়োমদনা অহিং অধিবাস তৌরে, শ্রীকৃষ্ণনা সত্যভামাদা প্রিয়ে, অর্জুনবু ঐগী গরুর ধ্বজ রথ থুংলাইগা থারকে, মৃগয়াগী শোল ওইনা চাইদুনা লৈহল্লু। ভবাবু প্রেভ সম্মান থোকহন্নগা কাদুনা পুহনখিনবা নংঙা শিন্দু ভাকপিরে। সত্যভামানা অর্জুন সুভদ্রাদা কৃষ্ণগী পাও ভাকপিদুনা থংহনখি। কৃষ্ণনা দারুক কৌদুনা হয়েং অর্জুন মৃগয়া চৎকে রথ থুংলাই থাইরদনি নংনা থরা চৎলু হায়পিখি। নোংছানবগা দারুক রথ সাজন শারঙ্গধর মনঃসিদ্ধি তেম্মোংগা লোয়ননা অর্জুননী মকহনা য়োরকই, পার্থ থোয়াং লোইদুনা রথ তোংলে, লিরুংতেম্মোং শাগোয়রে. প্রভাসকী থোংজোমদা থোহল্লকই। তীর্থ য়োরকপদা অর্জুননা দারুক রথ থম্মো সুমিৎ থোক্লকপা শক্তি ঈশিং থকপা লাকপা য়াই, শাযম য়েংথিসি হায়দুনা রথ থাহল্লগা চাইদুনা লৈ। সুভদ্রাসু সখিশিংগা লোইনা

রথ তোংদুনা লাকপদু নাকথাট লৌরক্লে । মতাং অনিদু পুক্নিং চংবা তাথবল লাওইবনা অপাথবু লৈপ্লা পীনে হায়বানি শ্রীব্যাস থাকোমনি, ব্যাস থাক্যানি লেংবনা লাইরী হাবংভৌলি। হাউ ॥ হরিবোল হরিবোল হরিবোল ॥

— ——:—— —

অধ্যায়

সুভদ্রা হরণ

শুদক্কিনা লুহোংবগী থারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, মহারাজা সুভদ্রা মতা সখিশিংগা মথদগী কুমথমদুনা কন্যাশিংনা চেংহি মথম সুংশিবা হকচাংদা চৈবা থাও মাইছং লেপ্সী । অর্জ্জুননা থারুক লৈরমখো ভদ্রাদা থা অমতা হায়রুগে হায়রদা মথদগী কুমথতুনা ভয়াগী থাক্তা চংথি । ভদ্রাসু য়েংদুনা লৈরি । অর্জ্জুননা ভদ্রা লাও ঐগা চংলসি হায়রদুনা মখুৎ পায়রগা অর্জ্জুন সুভদ্রা অনিথক রথগী থাক্তা চেনসিনখিদুনা রথ তোংখরে । সখি মরাপ্না হা-অর্জ্জুন রাম কৃষ্ণগী মচম ভসি লুহোংগদৌরিবনি থনপু কখিগী কারিবনো লাওদুনা চেক্লররকই । মোমদনা অর্জ্জুননা থারুক রথ ইন্দ্রপ্রস্থথোমদা থোরো হায়রকই । থারুকনা হে-পার্থ শক্তি ভানগনি লোনম তৌদুনা লারুগা রাম কৃষ্ণগী মচম কারগা পুগে তৌরদি, ঐ রথ থোবা ভয়োই অর্জ্জুননা রাগবদি পুরনি হায়দুনা কিরাদ চৈথোক্তা থারুকপু পুক্লিয়ে । অর্জ্জুননা রথ থোথরে, কন্যাশিং কপ-লাওদুনা চেনখরগা থলথাদদা ভমজরে । রাম নৈ হৌবগুব শাওদুনা যদুসৈন্য থিরে অর্জ্জুন মথবায় লৌরগা সুভদ্রা পুরকউ ; রামগী মাথং ত-বদা কৃতব্রহ্মা সাত্যকী-সারন-প্রদ্যুম্ন-গদ-শাম্বনাচিংবা যদুসৈন্ত, খুৎলাইগা থাকন তোংদুনা দ্বারীকাবু উসিংমলো অর্জ্জুন লৌইরো লাওদুনা থীথাম তারক্লে ।

অসোমদনা অর্জ্জুন রথ থাম্মগা যদু তেজোল লাকপা ভাইদুনা লৈখি, সুভদ্রা তেজোল থীরাথগী দলাও ভারকপদা পাথংদুনা প্রাণাথ রথসিং ইন্দ্রপ্রস্থ য়োনবা থোখিরো তেজোল লাকপগী ইমিন তারে রোরক্লবদি অবাবা তারনি হায়জরকই । অর্জ্জুননা ভদ্রা ঐ যদুসৈন্য লাকপা ভাইরিবনি, কেত্রি ধর্ম্মদা যহ জয় তৌরগা কোংনা পুগদবনি, হায়নরিদৈদা তেজোল

থোরক্লে, হাংদোক হাংদোক হায়বা নোংশাগী মনাওগা খুৎনাই থাজিল্লে। অর্জুন মখোয়গী চুপনি শাইদা চহুমা রথ থোরগা প্রলয়গী মতৌগুম খুৎলাই কাপ্পরকলে। মতৌঙ উবদা তত্রানা প্রাণনাথ সারথী ঐ ওয়ুগে. ময়ামসি জয় তৌবিরো হায়রগা চুপ্পি শাইদা থোরগা রথ থোররে। অর্জুন রথী কনকমদা কারগা কাপ্পরকপগী যদুসৈন্যনা মহেক্কৈ খুদিং মখোন মখোন কোইশিল্লকলে, মতৌঙ উবদা তত্রানা রথ ফুকৎলক্তুনা অভিমানদা চক্রগুম্না লৈতুনা থোরে। অর্জুন ময়ামগী তেন ককথরগা অমুক্তা কাপশিল্লকপনা লিক্লং ককথৎলগা তেন খুবাম খুবাম নংঙুনা থাবদা য়াম্বরে, থরাম্নক্তি লোৎলে। যদুসৈন্য অমান লাকপদা অর্জুননবু কিতুনা লোইনা চেনথিতুনা রাম কৃষ্ণ লানগী পাও তাইতুনা লৈরিবৈদা থংরে। ঔশিননতুনা লৈশরকইদা মতৌ উবদা বলরামনা লানগী পাও শেংনা তম্মু, অর্জুনগী তীর্থ লাকপনি রথ লিক্লং তেল্লোং কনাইদনা শিজিন্নবগে হায়রকই। রামদা হায়রে, পাও তমগননি চিংনবা অমদি লৈরে, কৃষ্ণনা চিংনরম্ব শেংনা তম্মু হায়বদা কৃতবর্মানা অর্জুনবু ইচা ইবুংঙো কৃষ্ণগী গরুড়ধ্বজ রথ সারঙ্গধনু মনঃসিদ্ধি তেল্লোং শিজিনবা হায়রকই। পাণ্ডবশিং তাবদা শাওবনা ময়ন, উকাসিবা লেহেঙ্গু থক থক লিক্তুনা কৃষ্ণদা হায়রকই, ইনাওনা ঐবু চোপথনগে লিতুনা তৌহনবা ওইরে, মুখম শাংলোন পুখোরকন্ত অর্জুন লোইগে তনি। শ্রীকৃষ্ণনা তাউজি অমুক্তা তপথবীখো নমাও হল্লগে, অর্জুনবু মুমরা চৎখুগে হায়দুনা দারুক রথ লিক্লং তেল্লোং তত্রানা পুখিবাল। মা য়াক্তি মতোংশাগী থাঙ্গু ঐনা-ঐগীঙ্গু মাদা শিজিনবগী পীথবনি। মীওইবগী লোশনদি কৃষ্ণ ঐদি থারে, ডাওজি লেংব্রবস্তু, ঐঙ্গু পুংতাইতে সুরাশন চক্রনা অর্জুনবু ককনা থাদগে। খুরা য়াইমা য়াইথবা শিক্কইবনা লাল্লোং কংদোবদকিনো হায়রকই।

কৃত ব্রহ্মানা ইবুংঙো দারুক সারথীদা কিরান হৈখোক্তা পুন্নুনা থম্মী, সুভদ্রানা রথ থোই অভিমানদা ফুনকতুনা লৈথিবত্র নোংথাংগী মতৌগুম্মী মর্মক কাওবা উবা কংখিল্লে। অরৈবগী লাল্লোংদগী ঐখোয় পুম্নমক্তা থাংবা তমজতুনা চেক্লকইবনি, তম্মকপদা কৃষ্ণনা তাউজি দারুক পুল্লিবত্ত রথ থো হায়বা য়ারদোই, অর্জুনগা ঐগা তানাবা হায়না চিংনবীবত্ত থাদোকপীয়ু সারথীনা সাক্ষিনি তত্রানা রথ থোই হায়বসিদ তাউজি তত্রানা অর্জুনদা আত্মা কচ্ছকতুনা ইচম্না মখংদা লিনবা থোরাং ওইরম্মনি, খুঙিবদি অর্জুন হাংখুবদা ইচন লেম্না শিরুনি, ইচনগী প্রেম্না ইনা অনিসু থরাম থাগ্রনি, ইনা লৈত্রবদি কৃষ্ণ য়াকম্ব লৈবা ওম্মরোই, যাবিকা লোবা ওইবা তারে, তাউজি ইচনাস পাম্মুই কমবং অর্জুনবু প্রেম্না কোক্নবগা ইচম দান কৎপনা করোইজো। শ্রীকৃষ্ণগী বাহায় অসি তাবদা য়াম্না ঐনা থত্তোনতুনা অর্জুনবু শাওক্লে, হৌজিকথক কোক্লো ইচনগী নিংবা থুংওম্মু অর্জুনদা দান শিরগে। শ্রীকৃষ্ণনা তাউজি অর্জুনবু কৌথদি অতৈনা য়রোই খুরাংতোন সাত্যকিনা কৌক্লমবদদা য়ারকনি হায়রকই।

বলরামনা খুরুমজোন লৌরে, মাগী থৌনী ঙাকথনি হায়দুনা অর্জুনগী চিংনবা মানবা হায়দুনা পোরকও, সুভদ্রা অদু হোংজিন । বাণী অমং অদুবদা সাত্যকি রথ তোংদুনা মাংবা থৌরকদুনা অর্জুনগা মাংলী পাণ্ড ভাইদুনা লৈরিবা কদম লৌরে, সাত্যকিনা অর্জুনবু খুদমদুনা রাজগী মমং পাও হায়দুনা বাররে। অর্জুননা দারুক পুন্সিবদু থাদোক্লগে বারৌবু কায়রকপদা দারুকনা কৃষ্ণ সথা পুন্সিবসি ঐখোই মাইথং কনিবদি রাজ কুমারী মাংদা থাদোকপীবু হায়রকই । সাত্যকি অর্জুন অদুগা দারুকা কোম্পুংলোকদা রথ থৌরে । অদুগা দুর্যোধন দুঃশিলা থরবা চেনশিন্দুনা অর্জুননা ভদ্রা কাপিদুনা অদুসুপা মাগী তোরবগী পাও কুরু রাজাদা তশিং । দুর্যোধন পাওদু তাবদা শাকদুনা ইবুংগো গুরুদেব পাণ্ডবনা ঘটনবসি অসিনি ঙাক্কিবু । ইতাও কর্ণ অর্জুন লোইরুগো খিরে তাইরকপদা, কর্ণনা কুরু রাজা হনি অর্জুন মাইকে কর্ণ ইকিক মোকোইবু সাগবী নায়রকপদা, রথ থোংদোকখি । ভীম পদা পায়দুনা কর্ণগী রথ কাও মাংবা থংলগা, মায় কর্ণ অর্জুনবু কনানি মতি, ঐ লৈরিবসি উত্রা নকোক লৈথাগে মতিক লৈরগা চংবু হায়রগা পদা লৈদুনা থিংখিবদা কর্ণ চংগা হমদুনা মরু মুক্তনা লৈরে । অসোয়বদা সাত্যকি অর্জুন থৌরকদুনা হোতংদা রথ থারে, অদোম নখিংশিংনা থরুপা কোম্বং লোমনা পুন্সিনরে । দারুক থাদোকপা অর্জুন দারুক পুন্সিনদুনা সাত্যকিগা মতাংদা চংলগা মাগ কৃষ্ণ ভক্তি তৌরমে । বলরামনা অর্জুন নত্তোন্দা ইচম তোংগদগে সুবিংবুগী মতুং মখক মতমদা দান লোইশনি, দ্বারিকা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অমম-অমন বালবৃদ্ধ জুবানারী লোইনা মাগুবতা তাবক ভদ্রা তিলগদবনি হায়না ফাবনা লাওথোক্লে । মাগ খুরুম্নগা কৃষ্ণ, অর্জুন, দারুক রথদা হনলকে মরামদু হন্দুনা থৌরাং তৌরক্লে । দুর্যোধন দুঃশিলবা মী থবনা অর্জুননা দ্বারিকা জয় তৌদুনা মাকনা ভদ্রাবু অর্জুননা হোংগদবগী তাবক তিলগৌয়ে পাও কুরু রাজাদা তশিং । ভীমনা ঐদি মকাদা মাবা মকাম্বাক থবগী পোয়েং হাপপীরবু হায়জমদুনি । ইবুংগো গুরুদেবনা চিংবা মরামবু ঐনা খুরুমজরি, নুংহোংবা মাওবীবু পেংগসি হায়দনা ভক্তি তৌরে । মরামদু করে মাওরুসি ঐখোয়গীদি অমম্লাবা নত্তে অক্কানি হায়দনা ভীমগা লোইনদুনা চংনরে । দুর্যোধন, কর্ণ, শোকনিনাচিংবা থরুপা চাইহৌরে, বিবাহগী মাগুবতা থৌরাং লোইশনগা লাক্লদুনা মীরাব তাবক পুরে, অর্জুন বর আসন কপ্পে, ভদ্রা পুখোরক্লনা পুরণ ৭ পেলপ ৭ সাক্ষি তৌদুনা নান্দিমুখ শ্রাদ্ধ পোয়গা, মুখ চন্দ্রিকা বিবাহগী প্রজাপতিবু স্মরণ তৌরগা মাগনা সুভদ্রাবু দান তৌরে । ভদ্রা ৭দক কোইদুনা পুষ্পাঞ্জলি কৎলগা লৈ পরেং হুককরে অংম্পা কচ্চদুনা খুরুম্নী, ওইনা থোনগরে, অর্জুননা নির্মালা মালা পিনরে, দান দক্ষিণা সন্দেশ সেবা লোইরে । বলরামনা তাবক কাইবিরিবু খুংহোংগদবা অমা লৈরাম হায়দুনা লৌথোকখ্রে । চুপ থাদুনা গুণক্ষিনা মচা ইবেমা হোংগনি লাকনা কোহনখরে । চুতকী পাও মাগী থৌজাল

কংবদা দুর্য্যোধন অনুতাপ তৌদুনা লৈরবগী নুংঙাইতবদুনা মমগী আভরণ লৈতেংলগা শোকনিনা মম শেমবা থোগল ওইদুনা মম মাকন তৌদুনা কর্ণমচিংবা মীয়াম্না থোগল তৌদুনা যাত্রা তৌরক্লে। কুরু রাজা য়োরক্লবদা দেউটি মঙ্গল ওক্লগা পুশিল্লকুনা রেবতীনা মঙা ওকখী। দুর্য্যোধন সভা লোম্লমগা বিশ্রাম অ সঙ্গা কম্মে কুলাচার্য্যনা মম চংবা মায়নি হায়দুনা কুরু রাজা মমগী আসন্ন কম্মে, অমক্ষিনা কন্যাবো কন্যা যাত্রাগী মঙ্গল লোয়দুনা পুথোরক্লে। মথুং লৌওক্লবা কর্ত্তা ওইদুনা নান্দিমুখ শ্রাদ্ধ মুখ চন্দ্রিকা বিবাহদা থুংবা থুংবা পুক্লগা পূর্ণ পাত্র হাপ্তুনা কন্যা দান কৎলে, কন্যানা য়েংওইনবা ৭ লক কোইদুনা পুষ্পাঞ্জলি কৎলগা লৈ পরেং হুক্লগা আত্মা কত্তুনা থুরুমজরগা ওইদা থোগজরে, দুর্য্যোধন নির্ম্মল্যমালা পিনরে। দান দক্ষিণা সন্দেশ সেবা মতিক চানা মীয়ামবু পেনহল্লি, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব আশীর্ব্বাদ পিরক্লগা হল্লখি। অহিং অসি মতিক চাবা মকমদা কৌরোবকী মীয়াম পোত্থানখরে।

ভীম ইন্দ্রপ্রস্থরোমগী তেঙ্গোলগা শ্রীকৃষ্ণগী জাপাহোমদা পোত্থাখরে। কৃষ্ণগী থোঙাল শংদুনা মীয়াম নুংঙাইনরে। ভীম অর্জ্জুন গোবিন্দগা ইবেম্মশিংনা মুক লেঙা লাক্লুনা মপু মনাই কংবিমরে, পান-থৈ লৈগী সেবা লৌরগা ওহাক মারী শানদুনা নুংঙাইবিমরগা মতিক চাবা জাগা জাগাদা পোত্থানরে। নোংঙাক্লে প্রাতঃক্রিয়া স্নান সাজন লৌইনদুনা মীয়াম বলরামবু থুরুমজরগা বিদায় দুর্য্যোধননা নিরে, রামনা মচাগী অউমপোৎ তম্মীরে, অমক্ষিনা পিতা মাতা ভাই থুরুমজরে, বিদায় লোয়রদুনা মাকন তোংনরগা দুর্য্যোধন, ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ কর্ণনা-লুচিংবা কৌরোবকী তেঙ্গোল ১১ হস্তিনাদা যাত্রা তৌরকই। ভীমসু অক্ষৌহিণি ওগা শ্রীকৃষ্ণবু থুরুমজরগা বিদায় লৌজরে, অর্জ্জুন ভীমবু থুরুমজরগা দাদা মাইমা ননাওদি তীর্থগী চাং শুগদবা মতম থরদং মাংলিবসি দ্বারীকাদা অসুম লৈজরগে, ইমাবু দাদা মহারাজাবু থুরুম-জরকই তম্মীরো, ননাও লৈজহৌরগে। ভীমসেন মনাওবু প্রেম বিদায় তৌনক্লগা তেঙ্গোল পুদুনা লাকপনা কৌরবকা হস্তিনাদা থুংবিমরে, গুরুজন থুরুমগা ইন্দ্রপ্রস্থদা থুংখরে, ধর্ম্মরাজাবু থুরুমজরগা পাও পুখা চিংখদনা তমজরে মমা বৈষ্ণবীদসু থুরুমজদুনা তমজরে মমাম নুংঙাইনরে যুধিষ্ঠিরনা ব্রহ্ম ভুজন কৎলি মনাও মঙ্গল ওইনবা দান কয়া তৌখি। অসিগুম্বা অজুনা হরণ আদিপর্ব্ব মহাভারতকি শ্রীহরিগী গুণ লিলা অসি অমৃতগী ঈচেম্মো মীওইমনা পুক্লিং চংনা তাজবদা ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ মরম মরি অসি লেপ্পা কঙ্গলি হায়বনি লোইকক্লবা ব্যাস বাক্যনি ইতি। হরিবল হরিবল হরিবল ॥

——:——

অধ্যায়

(সুভদ্রা হরণ বিবাহ লোইরবগী মতুং
অর্জুননা দ্বারিকাদা তীর্থ চৎপগী চহি সুদদুনা লৈবা মতমদা থোকপা ৱারী)

অর্জুন হনুমান থংনবা
সমুদ্র থোং শাবগী ৱারী মতাং ॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়, মহাভারতকী আদিপর্ব্ব হনুমান অর্জুন থংনবগী ৱারী তারো। নিংথৌ বৈরত গিরিগী মাচা রুক্মিনি ইবেমচানগী বিহার স্থানদা মনাই অর্জুনগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণনা দিব্য আসনদা ফমদুনা ডানবীরি। রুক্মিনি দেবীনা চন্দোন লৈ-হৈ-পানা সন্দেশ জল কনুদুনা সেবা তৌই। ইবেম্মাগী সেবা লৌবিরগা মথু-মনাই ৱারি শাদুনা লৈবা মমদাংরাইরমগী তঙ্গাদা মলমা মুংশিৎনা মুংশিরবা থম্মানগী মনম পুরকদুনা পুক্নিং চঙলবা হুনা মুংশিরবা লৈনম্মা কৃষ্ণগী থৌগল তৌরে।

থম্মানগী লৈনম্মা পুক্নিং হুখরবী রুক্মিনিনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণদা খুকমদুনা হায়জরকই। প্রাণনাথ হে: ইবুংঙো! ঙসিগী লাকইবা থম্মাস মনম অসন্তুষ্ট মুংশিবা থম্মান মনাইনা লোকপদগী কংজক্রি। মরম অসিনা মনম অসিগী থেংনুন লিবিরগা থম্মান অসি হেকপীরকদুনা মনাই ঐহোঙ্গা পিরবীয়ু। ইনাও ইবেম্মা সত্যভামাগী প্রেমনা ইন্দ্রলোককী পারিজাত পাম্বী ফুক্রগা হোজাংদা থাবিবগুম্মা মনাইগী পুখিদা থাবিদুনা শাংহনবিয়ু। হায়জরিবা অসিবু পাংথোকপিরবদি মনাইবু চানবীত্রে হায়বা খংজরে। ইনাওগী মাংদা হিংদুনা লৈগদবগী শরুকপুদি মনাই তোল্লবীদি থরাই থাজথগে হায়দুনা কৃষ্ণগী চরণদা রুক্মিনী কিক কিক কপ্পরে।

ভগবান শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রমক রুক্মিনীগী মতৌ লোম্রবীগী ৱাহায় শোক্না হায়রকপদা ৱাদনা ঙমজদুনা রুক্মিনিবু কোনথৎলগা হায়বিরকই। প্রিয়ে ব্রজগনু থম্মান্দু চায় লৌরুপা সংগী পুখিদা থাদুনা শাংহনগনি, মংনা ঐগী প্রেমগী ভুক্তমখনি, মনাওশিংনা মগী মথং লোনমীনি অমুম্মা থেমজিনবীরগা মনাই অর্জুনবু য়েংলনা কায়রকই। মখা মংনা ঐগী লিরুং তেংদোং পুরগা থম্মানগী খোঙ্গুল লিরগা থম্মাল হেক্কু, চারম্ভ ফুরুকউ। অদুম্মা মনাই অর্জুনদা লিমরে। শ্রীকৃষ্ণগী ৱাথং কংলবদা লক্ষ্মী নরায়ণবু খুরুমজরগা পদধুলি লৌরে। অর্জুন গরুরধ্বজ রথ তোংদুনা শারঙ্গ ধনু মনঃসিদ্ধি তেংদোং লোইনদুনা জুংশিৎকী মাইরম থম্মানগী মরম লাকপা মায়ৈক মতুং ইমা রথ থৌরকপনা শ্বেত দ্বীপ য়ৌরকে।

কদলি বনগী মরুংদা নখ্য সরোবরদা সিদ্ধ ভক্ত হনুমাননা শ্রীরাম পুজাগীদমক সনাগী থম্বাল থাডুনা পন্থম নাইননা ভন্থনা লাংলি। অর্জুন থম্বাল লাংলিবদু উবদা বনগী পম্বান্দা লোন্নাই থারে। মখোংগী চংকক্ননা পুখি মপান্দা লেপ্পুনা য়েংই। খেত্তোংগী কুডনা কজরবা মরক্তা পুক্তিং হুনা কজরবা সনাগী থম্বাসনা লিখংহুনা পোকবোম পোথেম লাংলি, লৈহি পাম্বা থোইমুনা ডংল-ডংলহুনা লাইরি। অর্জুন থম্বাল হেক্তদবগী পুক্ত্রিদা কুমথরক্লে, পুক্ত্রিদু লংবা য়োং মতা লৈ, মথেৎ মনা লাওরকই, খুপা নং থম্বাল হুরানগেরা, মপু লৈবা থম্বালনি হেকপা য়ারোই কুপ্পু।

অর্জুন পোক্লাওহু ভাবদা য়েংহি, য়োংনি হায়বগী উপিস্তুহুনা অতুম কুমথরে। অর্জুনগী উপিরবা সত্তোহ উবদা য়োংশিংহু চৎখিহুনা হনুমাননা ভন্থুরে। বাহু ভাবদা রামদাসহু থাংপোকশংদগী থোকখিহুনা থম্বালগী বনলোমদা চোংখি। অর্জুনবু য়েংহুনা হায়রকই, হায়-হায় কদায়দগী টাংখুন হাওনো ঐগী ইবুংঙো শ্রীরামচন্দ্রগী পুজা কৎনবা থাবিবা থম্বালনি। মপু ভাক্তনা হুরান্দুনা হোক্রবা নথরাই মাংগেরা কাথৎলকউ। হনুমানগী ব্যাহায়হু ভাবদা অর্জুননা হায়রকই। হায় য়োংনাও মচা থম্বাল অসি নংগী ইংখইরবনি ঐনা হেকপীরিবাদ মরাইবকতুম কৈ, হায়বগে ভাজো, ঐ হুরানবা মী নত্তে হস্তিনাগী পাণ্ডু রাজগী মচা অর্জুন হায়বহ ঐহাক্তি। গোলকবৈকুণ্ঠ নাথ চাবনা নর অবতার ভৌরিবা থাবিকা নাথ শ্রীকৃষ্ণগী মনাইনি, থম্বান অসি কৃষ্ণদা কৎনবা হেক্রবনি খংজো।

অর্জুনগী ঐ ভাবদা হনুমাননা হায়রকই, শ্রীরামদা কৎকদবা লৈবু মবুংঙো কৃষ্ণদা কৎলগা মরাইবকক্লুব কৈ হায়নদি টাংখুন হাও মানবা নংনা খংলহুনা হায়বনি। ভাকপীগে ভাজো, ত্রেতা যুগকী রাম অবতার লিলাদা ইন্দ্রনাচিংবা লাই কোটি ৩৩বু মিনাইগুম শিজিন্নবা ওন্থবা লঙ্কাগী রাবন নিংথৌ, রামবু ঈশ্বর অবতারনি খংলহুনা মরাক্নগী সীতা হুরুবদগী শ্রীরামনা বালিবু রাজক ডকপগী চাংলগা সুগ্রীববু নিংথৌ হাপ্পুনা য়োং শওন মরাম পুরগা সমুদ্রবু খুং, উ, চিঙ ভাওহন্দুনা পন এইনা লম্বী শেম্নগা লানশিন্দুনা রাবন কুম্ভকর্ণ রাক্ষস বংশ লংরুনবা মথৈ তুম্বা চাংলগা বিভীষণবু নিংথৌ খুডম পিরগা সীতা উদ্ধার ভৌবিরিবা ঐগী ইবুংঙো রামগী গুণনি।

অর্জুননা হায়রকই, য়োং নংনা থাগৎলিবা রাম মবুংঙোদো য়োংয়াম শওমশিংবু মতম চংবা রাবা হোৎনবদগা পন শেমহুনা লানগদবগী শরকপুদি ধনুর্বিদ্যাগী গুণনা মমক্রু থোং শারগা লানহনবা ঙমদবা রামবু থাগৎলিভাই গুণ কদি লৈবগে। ঐগী ইবুংঙো কৃষ্ণগী গুণদি চহি ৭কী ময়মদা ইন্দ্রনা ব্রজবাসী পুম্নমক মাংহনগে হায়হুনা প্রলয়গী নোং, মুংশিং, লেন মঙ্গ থাদহুনা য়োং চুম্বক্রুবদা পিরি গোবর্দ্ধনবু কাক্তোক্লগা ওইগী খুৎনিংথৌদা থাম্না মুমিৎ

তরেংগনি হয়রগুম্না থাম্লুনা মকশী জীব পুম্নমকপু কনবিবা ঐগী ইবুংঙো কৃষ্ণগী গুণনি। অর্জুননা রামগী গুণনু হয়বা কৃষ্ণগী গুণনু চাওনা থাগৎপা তাবদা হনুমাননা শাওরক্লুনা হায়রকই।

অর্জুন শ্রীরামনা থোং শাদনা পল ওইনা লেপ্লবি অপার তেজোদ লানবা য়ামদ্রবান। অদুবু মংনা ওসি বিন্না নৈতগী মওংগুন হয়নুনা কায়রি। করে ওসি নবুংঙোগী গুণ মাংদনবা মংনা বিন্না লৈরবদি সমুদ্রদা ঐ ইতোমতা লানবা য়ামবা থোং অমা শারো, মদু রুমনরবি নংবু ঐনা মপুক্তিগী মরুপ ওইবিদুনা উপায় তৌবিগনি। তমত্রবদি ওসি টাংখুন হাও মানবা নং নবুংঙো কৃষ্ণ উনা কংদনা নথরাই মাংলগদবনি থংঙো। রামদাসকী য়াহার তাবদা অর্জুননা হায়রকই, করে য়োং চৎসি নংগী সমুদ্র অদু পুং অমগী মপুংদা থোং শাবা লোইবিগে লাঙো। ঐগী ইবুংঙোগী গুণ, অর্জুন ঐগী ইতিক য়েংও। রামদাস, কৃষ্ণদাস অনিমক য়াকম অসি য়ামদুনা অর্জুন রথ তোংলে, হনুমাননা সিদ্ধিনা লাংলদুনা পাইরকপা অনিমক বিরূপ থবগী মপুংদা ভারতকী দক্ষিণ সাগর য়োরক্লুনা লমন থোংবাক্না থুংলরে।

হনুমাননা হায়রকই, অর্জুন ঐ ইথল্লা লানগদবনি হংবদনা থৌসাদবা তৌগদ, চোকশিন্না শাক্নো পোয়রকনি। অর্জুননা খাবক ধনু লিবি চল্লুনা টঙ্কার তৌবগা তেক্নোংদগী স্তম্ভ শোর শল্লুনা তেভিল্না স্তম্ভ মম শোল্লুনা লিবি তেজা থোং মকোং কংনা চিংলগা সমুদ্র ইরাইদা কাপ্রকপনা য়োংকী থোংথোং জুরা-জুরা য়ুংতি। থুকাপ কয়া কল্লা থোংথোং য়ুংবা লোইরে, থুকাপ অমুক কাপ্লকপদা জুরা-জুরা য়ুহ লেংশিল্লুনা, মৎ ফাজিনমবা, থাকল হাম্না লোয়রে। অমুক্তা কাপ্রকপনা য়ুথক চামা পাকপা সমুদ্রদ য়োংকী থোংনা ইবাক শাবা থংরে। অমুক কাপ্লকপদা বিন্না মপুকী গুণনা নাক-য়েংলোম ওইরোম পাশে হাপদা লোইরদুনা থাক্কর লাক্লো য়ারনি হায়রকই। রামদাসহু অর্জুনগী বিন্না শক্তিদু উবদা ঐগী যুগ লৈত্রদুনা অপনান কাংদু বিধাতানা তমশ্রত্রা থারকই। অদুম ওইরবসু রামগী গুণ মাংদনবা মাগী থোং অসিদদি থুনেক্রগে থল্লুনা হায়রকই, মনাথদ্ব মংগী থোংসি লাল্লগে তাতাকং লৈরমথো হাদ্ররম্লগা অরাং পাংনা চোংলকপনা হিমা-লয়গী সিমামাদা খিনিট অমদা থুংখ। য়ুথক চামা চাওবা মবৈনা, য়ুথক য়াথৈ শাংবা মতুনা পুং তরুক শাংবো মওংদা সিদ্ধিনা ওইরে। পুং উ কক্রগা মথা পুংয়োম য়োম্না পুনিরে, চিত্তাও অমা কক্রগা মবৈনা কৈজা শাড়না মকোকথক্তা হপ্লগা অমুক সিদ্ধিনা পাইরক্লুনা থা সমুদ্র থোংজিন্না থুংরে।

অর্জুন য়েংগুল্লা হায়রকই, মহাদম মংগী থোং তেত্নবা উপায় বোৎনজরো ঐ লাল্লগে হনুমানগী মিকাবক্ল উবদা অর্জুন থোংদগী কোক কাওবা তুজুংলে, লরাই শাংলে, মথা থক থক লিক্লে, থম্মোইগা কপুনা মকুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু কৌরক্লে। হে-দ্বারিকানাথ মনাইবু তুমি থবাহ থিক হায়চনা থাবিরকপদি মনাইনা জান লৈতবকী রামগী মনাইগা ঐগা মায়োক্লবগী মনাইনা শাকরিবা থোংথোংসি মমথল্লা থোং তেকপা তারবদি রামদাসগী মথুম্না লিখা তাথে

উপাঙ্গ লৈরগা অর্জুনবু থৌজানবিগনা অমুক্তি কনবিদু হায়না থপোয়দা কপুনা কৌজরক্লে। অন্তর্য্যামি শ্রীকৃষ্ণনা মনাই অর্জুনগী অৱাবা অসি উৎনা কনবিগে খল্লদগী আবির্ভুত লেংঙ্ভুনা ঈশং মহুৎদা লেংশিনগ্রগা থোংথোং খুদিংগী থেজ্গী মপাক ওইনা মমথল্লবা পুঠনা লৈরে। তাগ্রা অহুদা হনুমানবু সিজিনা অরুবা শরুক অমুক কাপচিল্লুনা থোং খুৎক্লগে থম্মুনা রাম রাম লোম্মুনা মথোং য়েং থাংজিল্লকুনা থোংনাবা লেপলে।

হনুমানগী ভাগিনা মমথল্লকপদা মহুৎনা থোংথোং পুরিবা হরিদু থবাক লোল্লকুনা থেজ্ খুদিংগী মচিন্দা ঈ হা দারকপনা সমুদ্রগী ঈশিংদু পুথত্তাংতাংনা চেল্লরক্লে। রামদাসনা য়েংথল্লকপদা ঈনা কুংকুং কাওরক্কুনা ঈশিংনা পুমত্তাং তাংলকইবদু উৎদা হনুমাননা থাজ্ ঐগী ভারী থাংবা ওমল্লহুনা পৃথ্বী মাতানা ঈ ওরক্লবা, কমিগীনো খত্তনিংহুনা ক্রুরদৃষ্টি সিজিনা মতম অহুদা শ্রীকৃষ্ণনা মনাইগীদমক্তা থোংথোং খুদিং পুরিবা থেজ্গী মপাক্ শ্রীরামগী মুর্ত্তি ওইনা উৎল্লে। হনুমান শ্রীরাম মবুংতোগী মুর্ত্তিবু থোংথোং পুহুনা লৈরবদু উৎদা থোংদা লেৎলমদু হন্দোক্লগা মকোক্তগী চিত থাদরে, মপাদা পুমিবা মুং উ লৌথোক্লগা মতক্তা কি য়েংহুনা চৈগু ভাবগুন থুরুমজহুনা হায়জরকই। হেঃপরংব্রহ্ম রঘুমনি রাম, ননাই য়োংগী যুগ মক্লে লারহুনা তৌরিত্র তমাইনা খপা অসি ইবুংতোগী ননাইনি হায়বা ভাকশিরম্বদি অসি থোক্লোইদবনি। অর্জুনবুদি ৰংশিবিরুগা ননাইবুদি চাগবিদবা মনাই য়োংগী দোষ করি লৈবননো প্রভু লেংথৎপিরকহুনা ননাইগী মাংদা শ্রীমুর্ত্তিদু অমুক্তা দরশন পিনবীয়ু। মনাই ভক্তগী মথা পোনবীরবা শ্রীহরি লেংথৎলক্কুনা শ্রীরামগী মুর্ত্তিনা ৩ানবিররে। ওন্থোইনা কপ্লিবা হনুমানবু কোনথৎপিরুগা বাপু থবলি নং মায়োগদু, দ্বাপর যুগ লিলা অবতারগী অর্জুনসি ঈনাই অমসি। নংনা লেৎপদা থোং নমথহুনা তেকপনা হানগ্রবাদি মনাওসি শিবা তারে থম্মুনা নথোক্লা ভাকপা নংথোদনা থোংথোং পুক্রহুনা চপাস্ত থরা বারুরে।

ইপাগী মায় য়েংহুনা মনাও অর্জুন আসবুস্ত নংনা চামবিয়ু। অসি হায়রগা মনাইগী লাইবক্তা ঘৃনা লৈতনা বামনা প্রেম কোংদোবপীহুনা চুপ্পোম তৌবিরে। মনাই অর্জুনগী ওয়াবা মতৌদু উৎদা রামগী মুর্ত্তি থাদোক্কুনা শ্রীকৃষ্ণগী মুর্ত্তি লেপ্লগা সথা ঐ লাক্লে নং মায়োগদু হায়হুনা মনাই অর্জুনবু কোনবীরে। কৃষ্ণগী মাথংগী অর্জুননা রামদাসদু ভক্তি তৌজরে, হনুমান অর্জুনবু কোনবীরগা হায়রকই। হে কৃষ্ণদাস নংগী নপান্দগী মতম কুইনা দরশন কংজব ঐগী ইবুংঙো রামচন্দ্রগী রূপদু দরশন কংজবা ঐ পেল্লে। নংগী মথগী থক্তা ঐগী মুর্ত্তি য়েল্লগা হাপদু। নংনা ঐবু নিংশিংলকপদা সিজিনা লাক্লগা নংগী ফিরাল্দা লৈহুনা নংগী পুন্সিচুপগা উপায় তৌবিরগে। শ্রীকৃষ্ণগী মকথদা হনুমাননা হায়জরকই, মনাইগী যুগ মক্রবনা অর্জুনগী মাংদা রাম মুর্ত্তি কুইনা লেপপিবা ওমল্লে। মনাই অর্জুনগী যুগ ওইরবনা মনাইগী প্রেমগী মথা পোনবিরবা হে কৃষ্ণ হৌজিক্তি মনাই থবাল কচরগে লেংতসি। শ্রীকৃষ্ণ

অর্জুনগী রথ তোংহুনা হনুমানগা মপু মনাক্তা অহেন পায় থকা তৌরকলে। হনুমাননা মনাগী ধ্বজা থেংনা চাকপা লোইরনা কবিগী চনবা কাগনে। চক্রাক কিলাক তৌরবগা কৃষ্ণ অর্জুনগা রথ তোংহুনা থবাদ পুরবা মনকপন দ্বারিকা চৎলক্লে। কৃষ্ণনী দৈত্যগী অমা সত্রোকগী মনাগী মবাদা থাবক্তা চাকহনলে। কৃষ্ণনী থবান ফংবদা পেনহুনা অর্জুনমথুংদা তৌরবা থবক খুদিং মনক্তা ওইরমে হায়রগা মক পিখিরে। মতাং অনিদা হনুমান অর্জুন থাবগা রুক্মিনীগা থবাক ফংবা মতাম লোইরে। অমুতপা মাঙনবা ভারত অদিপর্ব্বগী মাথিনি ॥

অধ্যায়

ব্রাহ্মণ মচা
শিশুবাশিংবু লৌরুবা মতা

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই. মহারাজ জন্মেজয় ! মোংলগী মুনিবা শ্রীকৃষ্ণ মনি মন্দিরগী মাচোকনা মনাই অর্জুনগা লোয়বনা আমসুং চাকনবা নৈ। মতম অমুদা দ্বারিকাদা নৈবা স্থধিষ্ঠ কৌবা ব্রাহ্মণ মীয়াই চপবা অমা, ব্রাহ্মণী তামৌনি কৌবা মাগী মপীরগা লোইদুনা শিরবা অতাং মচা অমা পুরকপা কৃষ্ণগী লোকংদা থুংলরে। দ্বারিকাগী বলরাম, কৃষ্ণ, প্রদ্যুম্ন, অনিরুদ্ধ ইহুংঙো মরি অনিনা নৈবাক্তী শাসন রাধেক চুমলবগী ঐখোয় ইচনি পোক্লিবা তৌরিবনি। অসুম্না সাধনগী মপুবু নিন্দা তৌরগা মচা অমিবক্তু কোক্লুনা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী কপ্লে। কৃষ্ণগী দারিশিংদা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণীগী অবাবা মতৌ উবনা চংকলুনা লকপজি। কৃষ্ণনা দ্বারিবা হায়, কপরম্ মরাইবকনি, কৃষ্ণগী থোঙাম লাকবা রাজাম অনি অমদা অর্জুননা হায়রে। প্রভু ক্ষেত্রি নিংথৌ মচাশিংবা তৌপদবা বিতিদি রাবকা তোকলবা লাংবুবা প্রজা অমসুং ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবকী উপায় তৌবনা থল্লনি। ইহুংঙোদি সর্ব্বাত্মা ওইবিদিথা ঈশ্বরনি ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণীগী উপায় তৌবিয় প্রভু।

শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ইত্তাও ব্রাহ্মণী উপায় তৌগদবনি, ঐদি অক্তি লৈতে অদুমনি, বাসুদেবগী রাজাম অমবা অর্জুন দারিগা লোইরনা ব্রাহ্মণগী মাক্তা লাক্লে। অমগা পর্ব্বদা লোইরনা হায়রকই, ব্রাহ্মণগী অবাবা কবিতো ঐখোয়না হংবীয়ু. ঐনা সোইদনা অরাবদু

লোকহনবদি। ব্রাহ্মণনা হায়রকই, বিংথোবা লৌনম তৌদুনা লন কাবনা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, দুখী অমাং, মপ য়ে কথংশিনবা লাইকবা অথোম অমা লোক তেকপা মিৎ তাংবা তোঙ-ত্থবদু পুংদি বৈতকা, লৈবকসী থায়েন কুমরবা ধর্ম্মদু মক্ত তৌদববগী লোবনা লোক শিরা তৌরিব ইচা ৯ তায়, মথুংদু লোক্লবি লোকপগা শিবিদি অনিনি ঐনা বারিবা। অদুবু বাসুদেব, সঙ্কর্ষণ, প্রদ্যুম্ন, অনিরুদ্ধবুক্তা উপায় ওথদুনা তৌবিরববা মংমা ঐগী উপায় তৌলে হায়বদি অতিক খরি লৈদুবনো, ব্রাহ্মণ অদুনা লাওনা হায়রকই। ব্রাহ্মণগী বাহে ব্রাহ্মণনা অর্জ্জুনবা আপন তৌনা হায়রকই, ব্রাহ্মণগী অমাং লোকলমথাইদা ঐতোন্না তাকপিদু, অঙাংগী থবাক কনগনি শিবা তাবথদু মথপুরবগী লোকমগা ব্রাহ্মণগী মকমদা শিগনি। কাইরিবদি ওথরুবদি সতানা শাক্তি, ঐ লৈগী কুতনা চোংথদুনা শিগনি। অর্জ্জুনগী বাখক ত্তাবদা ব্রাহ্মণ পুংওইরকপা করে অর্জ্জুন, মতমদু ওইরগা তাকুপে হায়রবনগা অশিবা মচাদু পুদুনা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী মদুমদা থনম্রে। অর্জ্জুনদু হজিন্দুনা যাবিকাদা মথুংতোনা যোনথুনা লৈরে। অদুনা লৈরকপনা ব্রাহ্মণী গর্ভী লকপ অইরক্লবা থা তরা ওথরকপদা ব্রাহ্মণ পুবিত্র লাক্লবা অর্জ্জুনবদা তাকলয়ে। অর্জ্জুন কৃষ্ণ খুকমলগা বিদায় লৌজরে। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই যে অমা নংদি মহৈ লৈবমিনা ব্রাহ্মণগী মচা কন্নুবো, অদুনা বিদায় তৌবিরে। অর্জ্জুন লিকং তেন্সোং পোয়গা ব্রাহ্মণগা লোইনদুনা লাকপনা ব্রাহ্মণীগী মাক লৌবরে। পর্থা মৃত্যুঞ্জয়দু থুকমতরগা শুরদু নিংশিংদৈ লিকং লিবি চদুনা তেক্কিন্দা মরু লোরগা কাপথোরকপা অমা পোরনা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণীগী কাগা অনি শরবেহ থাথরে। যেহগী থোংবা লিকং তেন্সোং পাইদুনা মৃত্যুঞ্জয়থরনা অমুকমু শরবেহদু মকা তৌশিন্নি। অহিং মুংথিন তুমদনা মরু মরগা লোইনবা মরু মরু লোন্দুনা অর্জ্জুন থোং শাংদুনা লৈরে। ভূত প্রেত, হিংচা য়াইকম, লাই চংজবা ওাকথরে।

ব্রাহ্মণীদু তুমিৎ থরুগী মচুংদা মচা তুপা অমা পোক্লে। অঙাংদু লোকপগা অদুম শিরে। অঙাং শিরবদা ব্রাহ্মণনা শাওনা হায়রকই, অঙাং শিরে অর্জ্জুন, নফিকন্ন লৈতনা কনগনি হায়না ব শকপদু হৌজিক মং লৈফংবা চোংশিন্দুনা শিরা ওারিবা। ব্রাহ্মণগী থা তাবদা অর্জ্জুন পুংওাইতবদা লোদোন লোমজদুনা হায়রকই। ব্রাহ্মণ মচাদু থবনগী লোকমগা শিরপে, অদু ওথরগা লেপ্পা শিবি, অমুকা চৎমুথিপে হায়দুনা শরবেহ লৌখোকলগা চৎরে। মথ তোংদুনা মব লোক তৌরকই, থবাজদা হংজবদা শিবা থোয়জ্জে কাবনা তাকপীরকলে। ইন্দ্রলোক, অগ্নিলোক, বরুণলোক, বায়ুলোক, যমপুর, শিবলোক, লাইশৈথাক মুদিং বিচরণ ব্রাহ্মণ মচা কংজে, অদিবকাদা নম্মকপা মথ থারে।

অর্জ্জুন শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরগা রাশক তাকনা প্রাণ থাগদবগী মৈগী কুণ্ড তৌদুনা শীং পৈশিন্নগা মৈ থাগৎখরে। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, হে-সখা নং শিবা য়াব্রি, নংনা নংব্রিবা লোক অমা লৈ, মহাদা অহাং লৈরবগত্রা থদ্রি, ঐনা পুবীগে অমুক্তা য়েংহল্লিবি। দারুক লোক অমা লৈ, মহাদা অহাং লৈরবগত্রা থদ্রি, ঐনা পুবীগে অমুক্তা য়েংহল্লিবি। দারুক রথ শাজোন তৌরে, শ্রীকৃষ্ণ মনাই অর্জ্জুনগা রথ তোংদুনা দারুকপু লোংচুপ পাংনা খোবররকপদা পৃথী ব্রহ্মাণ্ড ল'হোকরক্তুনা লোকালোক পিরি য়োরকপদা পুংমম মমথিবনা শঙ্খোল চৎপা গুমত্রবদা সুদর্শন চক্রবা মাং থাদুনা তামহন্নগা রথনা পাইরকপদা অতোপপা ব্রহ্মাণ্ড অমা কাংলে। ব্রহ্মাণ্ড অতুগী মপুক্তি ভূমা পুরুষ নরায়ণ লৈই। ভূমা পুরুষ নরায়ণগী থাম য়োরক্লগা হোজংবা রথ থাদে। অাদিদা কৃষ্ণনা হায়রকই, মমাই ময়ি পাদবা ব্রহ্মাণ্ড শেম্বা ব্রহ্মাণ্ডগী কৃষ্ণ অর্জ্জুন লাকই, অমুক্তা খুরুমজগে হায়না হজংপিরু। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তাবদা য়ারি চংখিদুনা হজংলুরে, ভূমা পুরুষ নরায়ণনা কৃষ্ণ, অর্জ্জুন থুনা পুশিন্নকউ হায়রকই। য়ারি খোয়ক্তুনা কৃষ্ণ অর্জ্জুনবু পুশিজরে, নরায়ণনা শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুনবু উবদা হয়াওনা তয়াম তয়াম কৌশিল্লি। কৃষ্ণনা ভূমা পুরুষবু খুরুম্মী। ভূমা পুরুষনা আসনদগী কুমথরক্তুনা কৃষ্ণবু চেৎনা কোল্লি, অর্জ্জুনসু খুরুমজৈ, নরায়ণ অর্জ্জুনবু কোনবিরগা রত্ন আসন অমি থাদুনা কৰ্ইহল্লি। মন্দেশ লোইননা বত্তি কত্তুনা কৃষ্ণবু পুজা কৎলগা মহা লক্ষ্মীনা ওইবা খোগনদুনা রত্ন আসনদা বিরাজ ওইখরে।

শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, হে-প্রভু ঐগী পুংশিন্নবা ইত্তাও অর্জ্জুন অসি ব্রাহ্মণ মচা শিথবা-শিংবু পিগনি হায়রুবদগী পিবা ওজত্রদুনা শিবা তারে। অর্জ্জুন লৈত্রবাদি কৃষ্ণ ঐগী শিনা কায়রগনি মরম অসিনা ব্রাহ্মণ মচাশিংবু পিনথিবু শিজগে লাকচবনি। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং তারগা ভূমা পুরুষনা হায়রকই।

তথাহি :— দ্বিজা ত্মজা মেঙ্গুবয়ো দিদৃক্ষুনা ময়োপনীতা ভুবি ধর্ম্ম গুপ্তয়ে।

কলাবতীর্ণাববের্ভরা সুরান হত্বাহ ভূয় স্তরয়েত্ম মন্তিমে ॥

(শ্রীকৃষ্ণ অর্জ্জুন নখোয় অনিগী কজবা শককন্দ, ঐনা উজনিংবদগী ব্রাহ্মণ মচাশিংবু লৌকদুনা থম্মী। কলা থৈবিক্তা লোয়মনা অবতার তৌরবা নখোই অনিনা পৃথীবীগী ভুমলবা হিংচা য়াইতম্বু হাৎলগা পৃথীবীগী ধর্ম্মবু য়োকথৎশিন্নমলগা ঐগী ইনাক্তা অমুক থুনা হল্লক্লো।)

য়াহায় অসি হায়রগা ব্রাহ্মণ মচাশিংবু পুথোরক্তুনা অর্জ্জুনগী মথুক্তা শিন্নরগা ভূম পুরুষ নারায়ণনা শ্রীকৃষ্ণবু দণ্ডবত তক্তিনা খুরুমলে। কৃষ্ণনা নরায়ণবু চিঙথত্তুনা কোনবদগী মশা অমত্তা ওইদুনা পুশিনখরে, মতৌ অসু উবদা কুন্তীগী মচা পার্থব তকতুনা লৈরিদৈদ তোঙাম্বা রূপ ওইনরগা বিদায় তৌনদুনা ব্রাহ্মণ মচাগা অর্জ্জুনগা পুথোরকতুনা লোনাইদ হাপকৎলগা অমুক হন্নকপবা যারিকা য়োরকতুনা ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণীদা মচাশিংদু পিবিরে। ব্রাহ্ম

ব্রাহ্মণী কৃষ্ণবু থুকবদগা অর্জুনবু বর পি, থাগৎহুনা ধনঞ্জয় মংনা তৌজবা থবক থুদিং মঙল ওইবু হায়খি। শ্রীকৃষ্ণগী লিলা মহাভারত আদিপর্ব্বগী রায়ী অমি অমুত্তগী মগস্কি, মীওইবদা তাজবদা লিংবা বৈদিক থৌংদি। অদুগা ব্যাসদেবনা লেংলমবা কথামি মতাং অসিদা পিথবা ব্রাহ্মণ মচা লোকপা অধ্যায় লেইরে ইতি ॥

— — —:— — —

অধ্যায়

খাণ্ডবন

মৈ থাবগী মতাং ॥

খাণ্ডবন মৈ দান তৌবা রাহি অমি ব্যাসনী মুল ভারতকি মতনা অর্জুননা তীর্থ চৎপা চহি শুহুনা হস্তিনা ইন্দ্রপ্রস্থদা হজিনরুগা খাণ্ডবন মৈ থাবগী মত ওইনা লৈ। মৈমিনি, ধনঞ্জয়, কাশী ভারতকি মতনা চহি শুহিবা দ্বারিকাদা লৈরিবৈগী মতমদা ওইনা লেংলম্মী। মসি রারী শৈরেং ইজবদা কবিতা অহন অসিগী শৈরেংদা ইজরে। গ্রীষ্মঋতু ওইরক্লবদা দ্বারিকানাথ শ্রীকৃষ্ণনা রুক্মিনীনা চিংবা ইবেম্মাশিং কয়ামুকা শুভদ্রা অর্জুন লোইননা গরুরধজ রথ তোংদুনা যমুনা তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লেংলক্লে। পোথাকম যুম নিংথিনা শাদুনা চাক-থক্লবা সন্দেশ কয়ামুকস্থ লোম শাদুনা থরে, শথা আসন কয়া কয়ামুক তেম্না তোপ্পা লেম্মী।

যমুনা কুমদুনা জলকেলি শাম্নরগা নিংথিবা আভরণ লৈতেংদুনা ইবেম্মাশিংনা লৈ চল্লোম সন্দেশ সেবা তৌরে। কাহয় চামর থোগস্লি। শ্রীকৃষ্ণ ইবেম্মাশিংগী সেবা লৌবিদুনা মনাই অর্জুনগা অসন্দা ভান্দুনা লৈরিবৈগী মতমদা মৈ কৌবা লাইনা, শুণ চেন্নবা ব্রাহ্মণ অহল অমগী মশক শাদুনা শ্রীকৃষ্ণ অর্জুনগী মাংদা থংলরে। পাম্বোম রাংনা থাংগৎলগা আশীষ তৌদুনা হায়রকই, হে-দ্বারিকা নাথ, হে ধনঞ্জয় নপু নমাই অনিদি জগতগী অথোইবনি। লাইরবা ব্রাহ্মণ য়াকপু ইবুক থরবা অমুক্তা পিজবিয়ু। লাইরবদগী ইবুক লাম্না লৈরকলিবা মতম কুইরক্লে, নপু মনাইনা ঐবু অমুক্তা চানবিয়ু। ব্রাহ্মণগী রাহায় তারগা শ্রীকৃষ্ণনা থংওদুনা হায়রকই, হে-ব্রাহ্মণ কৃষ্ণ ঐদি লাইরে ইতিক লৈজদে, ব্রাহ্মণগী পুক থরবা পিজবা ওমলোই ইতাও অর্জুনদা হায়য়ু।

অৰ্জুনগী ব্ৰাহ্মণগী অসা নাকননবা শ্ৰীহৰি ইমুংথেদি অপাক পুম্নমক অংগণি লৌনিঙ্গা কৰিবদি শীনুংঅদা দান লৌমিংবোৰী-ব লমনা ব্ৰাহ্মণগী মকমদা হায়ৰকই। দুহঃ গুৰুদেব কৰিনিবো অথেব অমত্তুলো তাৱৰিমু। ব্ৰাহ্মণগী গৰ্ভ অদা ঐ অকদুগে। অৰ্জুনগী ৱা তাৰবদা ব্ৰাহ্মণনা হায়ৰকই, নবুংঙোনা অমত্তুকী হায়ৰবদা মতম অদা শিজনগনি লায়ৰনি ঐ পৰা চিংবদুগে সোইদনা শিজগনি হায়বা হায়া ৱাশকখো অদুগা চানিংবা মথেম্বু হায়গে। অৰ্জুননা হায়ৈ হেঃ সত্য সেইদনা কচ্চগে, ভৱক্ৰবদি মুথিং থানা লৈন্নিবামথ, গোবিন্দগী চৰণদা শাক্তি, ঐ নৰক তাগে। অৰ্জুনগী ৱাশক তাৰবদা অগ্নিদেবনা হায়ৰকই, শ্ৰেষ্ঠ বীৰ্য্য লৈবা ইন্দ্ৰগী বন জীবগী জাৎ তুনা লৈ। মুথক চাবা চাওবা বন অদু জীবা পুম্নমক্তা লোয়নদনা তুম্না চাগে, মদু ঐহোন্দা পিৰো, ঐদি মৈ কৌবা লাইদি হায়ৰগা মৈগী মুৰ্ত্তি লেপপ্লে। মৈগী মশক উবদা পাৰ্থব খুৰুমজুনা হায়ৈ। হেঃ অগ্নিদেব মৰম কৰিগীনো অচুম-অৱান শাক্তি ওইৰিবা লাই মহাত্মা কবিগী মীনমওনা দান মিন্নিবনো। অগ্নিদেবনা হায়ৰকই, অৰ্জুন ঐ মীনম্বা মতে, দান পাত্ৰদি ব্ৰাহ্মণনি, বৰ্ণগী গুৰুনা ব্ৰাহ্মণ, ব্ৰাহ্মণগী গুৰুনা মৈ ঐনি। লাই ঐথোয়না দান নিবা মাদে শাস্ত্ৰগী নিয়ম কাইবা মাদে মৰম অদুনা ঐনা ব্ৰাহ্মণ ওইদুনা দান নিখনি। ঐ পেত ব্যাধি কৌবা লাইনা শকতুনা লৈৰিবা কুইৰে, খাণ্ডৱন চাক্লগা কগনি হায়ৰি ঐগী ৰোগসি কৃষ্ণদাস নংমা কোকচু।

মতাং অসিদা মহাভাৰত তাৰিবা জন্মেজয় নিংথৌনা বৈশম্পায়ন মুনিদা হংই। অগ্নিদেবনা কৰিগী মৰমদগী পেত ব্যাধি থুংলিবনো, মুনি মদুগী মৰম অমুক্তা লিখিথো। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় তাৰো মহাৰাজ, মমাংদৈ সত্য যুগতা শ্বেতকি কৌবা নিংথৌ অমা লৈৰম্মী। যজ্ঞদা পূৰ্ণিং চংবা নিংথৌনা ব্ৰাহ্মণ লিশিং কুন বাৰ্ত্তন তৌদুনা যজ্ঞ তৌৰম্মে। চহি কাৰে লোইদে চহি অনি ওৰে লোইদে, চহি অহুম ওৰে লোইদে, যজ্ঞ কম্মীবা ব্ৰাহ্মণশিংভু "বেদ মন্ত্ৰ পাঠ হোম" তৌৰবা থাদোক্তুনা নিংথৌ নংগী যজ্ঞসি ঐখাক কথা ওম্মৰোই হায়ৰম্মে! শ্বেতকি খুৎ লোয়দুনা হায়ৈ, ঐগী কৰি দোষ লৈত্ৰবগে তাকপিয়ু। ঐগী যজ্ঞদি চহি ১২ কচ্চগে তৌজবনি কম্মীথো মতিক চানা অৱাঅন কচ্চকনি।

ব্ৰাহ্মণ মহাত্মা হায়ৰকই, মহাৰাজ নংগী যজ্ঞ কম্মাদা অকচাংসি ঈ থাংত্ৰে, অকচাংগী তুৰিক মৈৰিনা হায়বদা য়াওৰকত্ৰে. মিৎ ঈ কাৰক্লে, নংগী দক্ষিণা পানত্ৰে লোকপগে। নিংথৌ নংগী হায়ৰিবা যজ্ঞ অদুদি মীওইবনা ওবলৰোই, নংমা হায়ৰিবা চহিদু তুনা কৎনিংলবদি শিব আৰাধন তৌ। মদা শিবগী থৌজাল লৈৰবদি মহাৰাজনা মিংলিবদু লোইদনা থুংগনি। মুনি মৰামগী ৱা তাৰবদা শ্বেতকি লেবা দক্ষিণা কৎলগা বিদায় তৌমদুনা ব্ৰাহ্মণশিংমু হনখ্ৰে, নিংথৌমু হেমালয় চিংথোংদা লাক্তুনা মহাদেবা মিংতুনা লৈৰম্মে। মহাদেবনা পেনখীৰদুনা শ্বেতকিবী মাংদা কাওখীৰৰে, মহাৰাজ নংনা পাম্বা বৰ নিহো পিৰগে। নিংথৌনা হায়ৈ, প্ৰভু ঐনা

শ্রীহরিগী ভক্তি ভাবজদুনা চহি ১২ যজ্ঞ কচ্ছগে হৌররগা চহি অহম শুরকপদা মুনি মহাক অমজবোই হাবদুনা তোকপিখরে। অদুগা ঐগী যজ্ঞপি কপাবু যরম খাজিদমক প্রভুনু নিংজবনি। শিবনা হায়, শেতকি ঐবি লাইদি যজ্ঞ কথক যাদে, যজ্ঞগী মহৈদু নিংবু পিরদে। শেতকিনা হায়কৈ, অদু ঐনদি বা:জদবা মহৈ দৌরা কংবদু পামজদে, মাশি ভাবদা মহাদেবনা হায়রকই, ঐগী শক্তিগী লোকপা দুর্বাসা কৌবা ব্রাহ্মণ অমা লৈ; মাবু কমহনগে, মংগী থৌরাং তৌরবো লোইরগা ঐবু নির্লিংলকউ ঐনা লোইবনা থাজকে।

শিবনা মাশি হায়রমজগা কৈলাসদা লেংখরে, শেতকি নিংথৌ লাক্লুনা চহি ১২গী যজ্ঞগী লোইটে লা:বা লোইরদুনা মহাদেববু নিংশিংজরে। শিবনা উরদুনা দুর্বাসা মুনিবু কৌরক্লে, থুখক অদুদা দুর্বাসা থংলরে, শিববু থুরমজরগা মরম কররিগী কৌবিখনো হাইকে? মহাদেবনা হায়রকই, শেতকি নিংথৌগী যজ্ঞ করবা কৌবনি, হৌজিকমক যৌথে। মাগী মনিং থংলবা নংনা যজ্ঞ কথোক। দুর্বাসা শিবগী য়াথং:কৈন্দুনা শেতকিগী যজ্ঞশালাদা থংলরে। মুনি শাওই ছিত্র অমতং কংবদা উংগী ওইহনগে খল্লি, শেতকি মুনিবু থুরমখে। যজ্ঞ হৌরক্লে, নিংথৌনা পোৎলম বাৎহন্দে, মুনিশু মন্ত্র লাওনা লোম পিবা, তৌরিবা যজ্ঞ অসি মরোন ও কাওথি, লাইনা মীনা কিনৈ। চহি ১২ শুরদুনা যজ্ঞ পূর্ণাহুতি পীরে, লোইশিল্লে, ব্রহ্ম ভূজন কৎলে মুনিবু ভুলদা কমহল্লগা মনাগী থুখা মানমা ওল্লগা অতুওবা মনাচা চহি ১২গী মাখিৎ মশিং কেম্নলা এন্থাক্রুম কিরোই কোল্লনা দক্ষিণা কৎলি।

শেতকিগী গুণনা লাপ তৌকমশু লৈত্রে। দুর্বাসা মুনি পেল্লদুনা নংনা পাবহু থংজরো বন্ধ পিবিরু দক্ষিণশু লৌদনা মুনি হনখার। শেতকিশু মনাক্তু ব্রাহ্মণগী মরমনি খন্দুনা কিমালজগী চিংখোলদা পোকজদুনা থমাখ।

মৈদু চহি ১২ যজ্ঞগী হোম যী চাক্রুবদগী পেত ব্যাধি থংলুনা পুকমেকপা মল্পুং তোইনা চংখদুনা কমি কিদাক্রা কপগে হায়না ব্রহ্মাদা হংজরকই। ব্রহ্মানা জীব মশিং মায়া লৈবা কিমাক মরম শুনা হৌবা খওবন চাকলুরগা কপানি ভাকপি। মৈনা চাকরুবদা বোল্লা লৈবা জীবা মরগ্রা মুখৎতুনা চাকপা শুমত্রে। ব্রহ্মদা অমুক হংজরকই, ব্রহ্মানা য়াথম তৌরগা খাণ্ডব শেষ সঙ্কা দা নর নরায়ণ অবতার তৌরগনি. মপু মনাই অনিমা উপায় তৌবিরগা চাকপা য়াগনি। ব্রহ্মাগী য়াথংদগী মতম কুইনা বানা ওইরগথনি; ব্রহ্মাদগী য়াথং অমুক লৌগদা শ্রীকৃষ্ণ অর্জুনগী মকথদা লাক ওইনা লিয়রখি। জন্মেজয় নিংথৌনা হায়রকৈ, মহামুনি অংজত্রে খবা অমুক লিখিবো। বৈশম্পায়ন মুনিনা হাক্ত ভারো মহারাজ, মৈ কৌবা লাইনা হাজরকই, খলজর ইন্দ্রনা ওকইবা বননি, ব্রহ্মাগী য়াথংগী ঐনা চাকপা শুমত্রদুনা নপু-নমাইবু ওইদুনা লৈরগনি। কৃষ্ণ অর্জুন অনিনা মহাক তৌবিদুনা এগী রোগাস কোকহনবিয়ু।

শ্রীবরি যোবন নোক্লগা হায়রকই, মধা মংদি অন্ন লৈবনিনা অগ্নিদেবকী গর্ভ থন্না পিজবা লাইনা থোক্লগনি। অর্জুননা হায়রৈ, বেং দ্বারিকানাথ অনাইগী হাপক থংজগে হরি ইবুংঙোনা তেংবাংবিয়ু হায়না কৃষ্ণবু থুকমজরে। পার্থ অগ্নিদেবনা অমুক হাক্লজরকই, বেঃ অগ্নিদেব খাণ্ডববু চাকপা তাবরি ইন্দ্র ইপোগী লাম্বেংনরগনি। ইন্দ্রনী মিচাংবা অমত্ত পুন্নমক লেপপরবি লাইগী লাম্বেংনবদা গুবা য়াবা থুংলাই যাহনা লৈজদে অগ্নিদেবনা পিনবীয়ু।

মৈ কৌবা লাই ওহাক থ্যান তৌবগা চন্দ্রলোকতা লৈবমদগী বরুণপীদা লৈরবা যুক্তুন মনঃসিদ্ধি গাণ্ডিব ধনু পিয়গে নিংদুনা বরুণ দেববু স্মরণ তৌরক্লে। বরুণ লিকং তেন্দোং লোইননা মৈগী মাংদা থংলরে। মৈনা হায়রকই, বেং মধা! মংনা ঐগী উপায় তৌবিবা ওইনা গাণ্ডিব লিকং তেন্দোং অক্ষ ঐদোম্না পিবিরো। বরুণ লিকং তেন্দোং মৈনা পিয়মগা মমথয়ে। অগ্নিনা অর্জুননা পিয়ে অমুক মাগী লোক্তা লৈবা মনঃসিদ্ধি দেব রথবু স্মরণ তৌরকপদা মৈ মাগী গর্ভদা থংবি।

হেংথংবা মাকোংদগী পিক্লা পুথোরকই, অর্জুনদা ংগী বাহন ওইজরো গী, রথদু থংহৌদনা অমুক চাওথোকখি। মৈনা মাকোংদগী পুথোরকই হাযবদগী কর্ণ রাথ কোনখি। শ্রীকৃষ্ণ অর্জুন ইবেম্মশিংবু দ্বারিকাদা থম্মুরগা, বিকবেগ লৈতেংলে, মৈনা কৃষ্ণদা চক্রগা গদাগা কওদি, বাসুদেব শঙ্খ চক্র গদা পদ্মধারী ধনু মনঃসিদ্ধি তুন থাং চুংগোইগা লোইননা গরুড়ধ্বজ রথ তোংলে দারুকনা সারথি ওইগাদ্রে। অর্জুন কপিধ্বজ থাবা ধানুগা লিকং তেন্দোং থাং চুংগোই লোইননা থুংলাই কয় মরুম কাপকদুনা কর্ণ রাথা রথ তোংলে সাত্যকিনা রথ থৌয়ে। অগ্নিদেব লোইনদুনা মুংশিংকী মাংথানা রথ পাইরক্লুনা খেত্তবিপ খাণ্ডবদা থংলেরে। মৈ প্রলয়গুণ হৌরক্লুনা খাণ্ডবন চাকপা হৌরে। জীবা চেম্বোরকপা পুন্নমক কৃষ্ণ অর্জুননা হেন্না ককথদুনা মৈমংদা থাদরক্লে, প্রলয়গী মতৌ ওইরক্লে। যক্ষ, রক্ষ, কিন্নর, দানব বিদ্যাধর মাগী মাগী মচা ভার্য্যাগা লোইনদুনা কপ্পরে। চিংদোনদা মাংবা হায়গৎলকপা মৈবিনা মুংশিংকা লোইননা জীবশিংবু তায় তায়দুনা চাকখেরকই। ঐশিংদা কুবহুনা থাংবা জীবাশিং ঐশিংদা লৈবা ওাগী জাত থেজু, হক্লোক, মকর গুণ্ডির লোইননা জল-জন্তু ঐশিংগা লোইননা মৈগী তেজনা চাকখেক্লুনা উং ওনহল্লি। বনজন্তু যোংশা, কৈ, ওক, শওম, শজি, শঙ্গাই, শাজন, থর্গা, লমহুই, হইখৌ, লাংচৈ, লবৌ, শত্নং, তেংকপা, হৌদোং, শমু, গগুা, ঐরোই, শক্লৌ, লমথম, শবেং, চামর, কল্লুগী, থুরাংয়াই, মৈরেই, উচি, যোংশী অত যশিং লাকচকরেবা মাগী জাত, লিনগী জাত কয়া উচেক্লী জাত অচোবা অপিশক যশিং লাকচনবা অতিয়াদা লায়থোযক্লে তেন্না ককথৈ। মৈগী মথোয়ে জীবা মতাম লাওবা থোংনবকপগী থোক্লেয় প্রলয়গী মতৌ ওইরক্লে। ঐরি উপাল চিঙ্কাও উকাও চাক্লকপগী মৈবিনা আকিবা অঙাংবদা হায়গৎলক্লে। স্বর্গদা লৈবা লাই জাতশিং কিনরক্লা ইন্দ্রগী মকমদা চেপ্পিরক্লুনা হায়জরে।

দেবরাজনা শেত্তীবা ভাকপীরিবা খাণ্ডবন মৈনা চাকহোরে, মীওইবা অনিনা উপায় তৌদুনা চেষ্টোরকপা জীবশিংসু ভেম্না ককথা ককথাদুনা মৈদা পিজখোকহোরে। রাকম অনি ভাবদা লাইবৈপাক পাওজেল পুং মৈরে। লাওবনা পম্বোম লোমমদুনা ভেজোল লোইমনা লান খঙ্গা তৌরক্লে। শ্রীব্যাসদেবনা লেংলমলবা আদিপর্ব্ব খাণ্ডবয় মৈ থাবগী মতাং অসিমু মীওইবনা পুক্কিং চংনা ত জসদা মথাগী রোগ কোকই হায়বা ব্যাসনী হায়খ্রে॥ ইতি॥

——:——

অধ্যায়

ইন্দ্রনা লান হৌরক্কুনা লাইয়ামগা অর্জ্জুনগা লান থেংনবদা জয় ওইবা মতাং॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় ভারো জন্মেজয় নিংথৌ, ইন্দ্র ঐরাবত তোংলে মচা জয়ন্ত উচ্চৈশ্রবা তোংলে, জয়শেল সেনাপতি রথ তোংলে। মেঘ পুরুষ ব্রজ খাওজাও মাল্লে, চৌষষ্টি, মেঘীন, আবর্ত্ত, সম্বর্ত্ত, দ্রোণ, পুষ্কর থোং পালা মখি লোইমদুনা ইন্দ্রগী থৌগল তৌরে। ইন্দ্র মশিং লাশং জৈ কাদুনা পোডস্তু লিরুং মনঃসিদ্ধি তেন্দোং শক্তি ঝগড়ু শেল মুষল মুদগড় জাঠা জাথী ভূষণ্ডি তোমর শুল খর্গচর্ম্ম গদা হাপ্লে। অমাওবা লাকায়না ওওদুনা লাওরকই, লাই পুম্নমক ঐগী ভুং ইমকউ। ইন্দ্র ঐগী খাণ্ডবনবু পৃথীদা পোকপা মী মচা অনিনা তেম্বংলগা মৈ মাংনা চাকই হায়রদি জগৎসিদা ঐবু ইকাইবা পিবনি। মৈ মাংগা লোইমনা নররেতা অনি হাৎকে নিপাইরুসু লাও জীব ময়ামগী প্রাণ কননি। ইন্দ্র মাগী তেঙ্গোন পরিবার পুম্নমক লোইননা খাণ্ডবনগী মপা অদুংবা অতিয়াদা থুংলরে। অলকাপুরদগী কুবের যক্ষ তেঙ্গান পুদুনা মনাগী হক্কোক তোংদুনা অচৌবা গদা পায়রগা থুংলরে। যমরাজ জৈরোই থরেংবী তোংলগা দণ্ড পায়রগা থুংলরে। মকরধ্বজ রথ তোংদুনা নাগপাষ পায়বা, বরুণ শক্তি তোংবা বাউদেব সুংশিৎ নিকুম্ভপাল পুদুনা থুংলরে। গন্ধাবতীগী নৈঋত ঐষানদেব বসু নিপাল রুদ্র ১১ গ্রহ ৯ সুমিৎ ১২ মাইপৈ ভাকপা পালা ৮, কৈলাশগী গনেশ কার্ত্তিক বিরভদ্র ভূত প্রেত গন্ধর্ব্ব কিন্নর দানা পিষাচ গুহাকানাচিংবা

মুই কোটি ৩ [illegible]রে। [illegible] পকর পরিভার [illegible] মুহুনা মাসী আগে [illegible] [illegible]রে।

[illegible] বাসুকি কোটি অমি [illegible] [illegible] পুতুনা [illegible] মচিন লিশিং অমি পানবা [illegible] পুম্নক [illegible]রে। ইন্দ্রনা অর্জুনদা নোং পালা মরিদা [illegible] মুংথংদু হাম্না মাথং পিরক্লে। নোং পালা মরিদা থোক্লগা লাওবগা কোংকি [illegible] [illegible] প্রলয়গী মতৌগুম চুথরক্লে। নোং চুথবা উবদা শংক বয়থ্য কৌবা টেম অমি অর্জুননা অভিয়াদা কাপ্লে। শংক অমুনা অকিবা খংলবা লাইরেনগী মাতৌ ওইদুনা ঈশিং মথাক্তু চুরুপ চুরুপ চুপশিন্দুনা [illegible] [illegible] [illegible] হমদোকই, নোং পালা মরি থাংবা [illegible]দুনা কাইদুনা চেল্লে।

চারি মেঘনা মাইথিরবদা দেবরাজ শাওদুনা বজ্র [illegible] কৃষ্ণ অর্জুনগী থক্তা লংখক্লে। বজ্র কৃষ্ণ অর্জুন উবদা নর নরায়ণনি [illegible] [illegible] বজ্র থাংবা চংলে। বজ্র অস্ত্রনা মাইথিরবদা ইন্দ্র শাওপ্রদুনা মন্দর কৌবা চিং [illegible] লংশিনক্লে, সর্গ নিংথাইরকনা [illegible] পায়থরক্লে। মন্দর শিরি উবদা দ্রোণ গুরুনা বিদ্যা [illegible] তম্বিরকপা অর্জুন তেন শংলে, বজ্র মন্ত্র শোল্লে, পক্ষির ধনু [illegible] [illegible] কাপ্লে। বজ্র শোবনা মানথাইদুনা [illegible] থাদথরে। চিং মানথাইথরবদা [illegible] ইন্দ্র অর্জুনগী থক্তা তেন প্রলয়গী মতৌগুম কাপশিল্লকপা করানা শিংথোবা [illegible]। বায়ু, অগ্নি, [illegible], ইন্দ্রজাল, ব্রহ্মজাল, [illegible], পরশু, মুদগর, শেল, শুল, জাঠা, জাঠি, ঘূর্ণবান, [illegible], কাকমুখ, শ্যেনমুখ, সূচিমুখ, অর্ধচন্দ্র, বেড়াবাক, খোরশান, ভবল, সাবল, পট্টিশ অঙ্কুশ, ধ্যুরশায়, কর্ণিকার, ঝিঝির, সূর্য্যবান, কালবান, গন্ধর্ব, খট্টাঙ্গ, ত্রিশুল, শব্দভেদী, চক্রবান, মুষোল, টাঙ্গি, ধারাবান তেন্না নোং চুথবগুম অর্জুনগী থক্তা কাপশিল্লি। ইন্দ্রগী তেন পুম্নক [illegible] খবং খবং [illegible] [illegible] থাদৈ। কৃষ্ণ [illegible] রক্ষা [illegible], অর্জুননা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোংদৈ। কুন্তিপুত্রগী তেন্না থাজিন্নকপদা থাংবা [illegible] ইন্দ্র কাইদুনা চেল্লে। দেবেন্দ্রনা চেনবদু উবদা পকর শাওদুনা [illegible] অর্জুনবু [illegible] হায়দুনা [illegible] [illegible] পাইশিল্লক্লে। অভিয়দা পক্রনা পাইশিনক্লিবা মতৌদু উবদ ধনুর্ধর দ্রোণ গুরুনা [illegible] [illegible] [illegible] পিথরবা ব্রহ্ম শির কৌবা তেন শত্রুনা ব্রহ্ম মন্ত্র [illegible] কাপ্লে।

ব্রহ্ম অগ্নিনা আকাসদা [illegible] [illegible] [illegible] অপোইবা পকর মাসী পরিবার উচেক পুম্নক লোইননা চেল্লে। উচেকী [illegible] চেন্নবদা পার্থ ব্রহ্ম শির [illegible], অন্তদগী [illegible] তেলোন মতোক লিশিং অমি পানবা বাসুকিনাচিংবা মাসী পরিবার মশিং [illegible] [illegible] মচিন্দগী কাযথোরকপা হুনা নোং চুথবগা মানরে। অর্জুনবু [illegible] [illegible] মওংথা [illegible]

পাইশিল্লকখি । মতৌদু উবদা ফাল্গুনি মধু ইন্দ্র কাওনা মঙোন্দবা চুহিনা চিন পুম্মক পুম্নমক শুপাকিল্লি । শিশিলিকি অস্ত্র কাপ্লে, চুহি শাবা মশিং লাকইরবা কৌরবশিংগী তাংবা মকোক্কী মথৈ কাওবা থোকইদুনা চিকপদা শাকল তৈথিল্লদুনা থরে থরো ওন্দুনা থাংলে ।

ছয়শাদ অস্ত্র কাপশিল্লি, চাও চাওবা নাওথেক শাংশিনখিল্লুবা মখোংনা চেংঙৈ কোনশিল্লি মথু মতিম থুম্বা ঙৈশিন্দুনা মহি চুপনা লিন কয়াম্মুক্তি থৈরক্তা হাংথা হাংথদুনা চাকথেক্নুনা থাংখ্রে । পার্থ গরুর অস্ত্র অমুক কাপশিনখিল্লি । লিন কয়ামুক্তি মাঙ্খিবা থোকলে, মতৌদু উবদা লিনগী তেজোম কাইরদুনা চেনখরে । কুবের যক্ষগী তেজোম কৌটি খরি থঞ্জু চৈথাকবা তৌদুনা কাপশিনরকপা তেজো থাসিকী শাইরক্কুম মখরে । অর্জুননা থোমক খোবনা ককথদুনা থাদখি । তেন্না শরৈরদা মাংবদু উবদা থলেশার শাওবনা নয়া ক্রুক ক্রুক চিক্নুনা অচৌবা শদা পাইদুনা কৃশিনলক্লে । অর্জুননা বরুবাস কাওনা থম্মোইদা থাই, শনাগা লোইনবা হায়রক্নুনা থরো থরো ওলাক, অর্জুননে কিহদুনা মাই তেংতেং শুদুনা চেনখরে । মতৌ অসুম লাইথাম্বা অর্জুনগা লান থেংনবদা চন্দ্র, সূর্য্য, বরুণ, বায়ু যম, নৈঋত, ঐশান, অশ্বিনি কুমার, একাদশরুদ্র, অষ্টবসু, চারি যুগ, নবগ্রহদেব, তেত্রিশ কোটি, গণেশ, কার্ত্তিক লোইনদুনা কাইদুনা চেন্লে । শাইগে মচা মশু থাই, কৃষ্ণ অর্জুননা ককথা ককথাদুনা মৈনা থাজিনশিনখিল্লু উবদা মৈ মুথংকে কৃষ্ণ অর্জুন থাংনক থম্নুবা চিংচাবা দানব দানা, কিন্নর, অপসরী, কিন্নরী, বিদ্যাধর, ভুত প্রেত, পিশাচ তেজোম ময়াম মঙং মতৌনা অকিবনী মথক ওইরবাশিং কনানা চিত্ত কনানা হুং কনানা হাং পাং । মৈবী শংগাইথেল পাইবগুম কনানা মথা কাথদুনা থোংকদবগী মহংশম হুং ঙ নাশিনলকপগা লোইননা পাইশিল্লকলে । গদা শাইবা থোংদুক পাইবা ঝগর শেল, শূল, মুষল, মুদগর, কাঠি, জাঠি, অর্ধ্ব হাংলো হাংলো হায়না লাওনয়রকপা খোঞ্জেলনা পৃথ্বী মিকথরে ।

মতৌদু উবদা শ্রীনারায়ণ শঙ্খজন্য খোংদুনা মথোইগী থমোই থক থক নিকহল্লি । সুদর্শন চক্র লাংশিল্লক্না মুরারি দানব দৈত্যগী জাত ককথরক্লে, পর্থ রাক্ষস পিশাচ দানা তেন্না ককথদুনা মৈদা তর্পণ কৎলি । লাকপদা শিল্লবা মঙ্গলমু কনানো শিংথাবা ঙম্মোই, মতৌ অংঙুং সুরা সুরনা ফাল্গুনি অতংপা লৈতনা লান থেংনবি । মতম অমদা পয়গ কৌবা লিন জংকী লিংথৌ তক্ষক অসি ইন্দ্রগা মরুপ ওইবগী মাগী পরিবার লোইননা থাওরন্দা লৈ । তক্ষনা কুরুক্ষেত্র চৎলুবা মতমদি মর মৈ চকপা হৌখ্রবা অসি মাংকী মাংকী লিংথৌ ধৃতমুখী কৌই, মচানিপাগী মমিংনা অশ্বসেন কৌই ।

মাগীমি মৈনা কোইনা চাক্লুমদু উবদা মৈদগী লাক্লেকউরে, কৃষ্ণ অর্জুননা কক্নুনা থাদখি । থনবদা উপায় লৈত্রদুনা মচাবু চেংনা কোললগা কাওনা হায়রকই, ইবুংঙো ইমাগী

গর্ভদা মং চংহৌ, ঈরাবু তেন্না ককপা মতমদা মংদি নথরাই হিংদুনা চৎখ্রো। মমাগী রা তাবদা অশ্বসেন মমাগী গর্ভদা চংখ্রে। অশ্বমুখী সুংশিন্তা ভাকি পিয়গা মৈ রাংমা লাম্না পাইখোরক্লে। কাস্তুনি ভেন ২ কাণ্ডুনা মঙক্না মৈমগা ও খোকা কক্তুনা থাদরকপা মতমদা অশ্বসেন মামাগী গর্ভদগী থোকখি।

খোরায়েনরা মতমদুদা তাদ খোয় কাপ্পত্না থাদুখি. পার্থ উকৌদনুনা অশ্বসেন হিংদুনা চৎখি। ইন্দ্রগা অর্জুনগা অমুক মৈহোৎনা শাওনদুনা অকনবা লানথোকপা পানরকলে। মতেংপু উবদা ব্রহ্মানা অকাশবানি লাওরকই। হে ইন্দ্র পরমু নর নরায়ণ অনিবু লান তৌনবা ঙমগনি অজ্ঞাতদা লৈতে। মংগী অনৌবা মরুপ তক্ষকপকিদমক রু কমু মাদি কুরুক্ষেত্রদা লৈখি। মমম করিগী নপুম খিৎনবা রাদবা লান তৌরিবনো তেংকলো। অকাশবানি তাবদা ইন্দ্র লাই পুম্নমক লোইনদা লান হক্লিনথরে। দিনমণিংমু রসাতলদা চনথরে, মৈনা খেক্রবা লৈতনা মনিং তম্না চাকলে। শা উচেক জীব জাৎ কয়া উদা কাবা ঈশিংদা লোৎপা লৈদুংদা লোৎপা পুম্নমক মৈনা চাকথেক্লুনা লোইনা উৎ ওনথরে।

যোগিনী, ডাকিনী, খেচরগী জাত পাইখোরকপা কৃষ্ণ অর্জুননা ককথদুনা মৈদা থাদরে। মতম অদুদা নমুচি, দানবকি মনাও ময়দানব বিশ্বকর্মাগী পরুমানি তক্ষকী আশ্রমদা লৈরবানি, মৈবু কিদুনা অতিয়াদা পাইখোরকই। মৈরিনা খোংদুনা তাম্বরকখি, মদু উবদা হরিনা সুদর্শন লংশিল্লকই, চক্রনা অমুক তাম্বরকখি, হিংকম উত্রদুনা অর্জুনদা শরণাগত ধর্মদা লাওরকলে। হে ধনঞ্জয় মরোম অদুম জয় তৌবরা কুন্তী বৈষ্ণবীগী মচা ইবুংঙো তুংদা মৈনা মমগী তুক্ত ওইরে মাংদা চক্রনা ঐগী যমকাল ওইরে, শোন্নবা তাবু জানদা উপপত্তম লৈরে গতি লৈত্রবা ঐগী থবাই অমুক্তা কনবিয়ু। মতম অমদা কৃষ্ণদাসগী লমন শিংজগে। খোলাওন্নু তাবদা ধনঞ্জয় লাওদুনা হায়রকই, মহাশয় নংগী থবাই ঐনা কন্নবনি কিন্নরমু হিংজখে অর্জুননা কনথরে থংদুনা চক্র অমসুং মৈ হনখি।

ময় দানব রাজ চৎখি, মুথক ১০০ চাওবা খাণ্ডবন ঔষধি বৃক্ষলতা কয়া, জীব লৈয়বা পুম্নমক্লা মুখিৎ ১৫নিদা তুন্না চাকপা লোইখি। মসিগী মথুংদগী জীব ৬থকতং হিংদুনা লৈহৌই। শ্রীব্যাসদেবনা লেংলমলবা আদিপর্ব মহাভারতকী কথামৃতবু তোম্নবা শ্রীহরিদাসসিং ঐনা ইনা লোন্দা ইজবা অয়ানবা কয়া তাকপিগনি। ভারতকথাবু পুক্কিং চংনা তাজবদা জীবনা অরোইবা মতমদা হরিগী চরণ কংখি হায়বা অসি ব্যাস বাক্যনি॥ ইতি॥

— — — : — — —

অধ্যায়

মন্দপাল ব্রাহ্মণগী বারী মতাং ॥

মহাভারত তারিবা শ্রীজন্মেজয়না হংজরকই, মহমুনি মৈমগী হিংখিবা অনিদি তাকহৌরে ও অমদি কমদোনা হিংখিবনো মতু লিকিখো। বৈশম্পায়ন মুনিনা হায় মন্ত অমুক লিরগে তারো মহারাজ। মথক্তা ওইগ্রবা বারিনি, মমাংদুদা মন্দপাল কৌবা লাইনিংবনা ময়ম ওইজরবা ব্রাহ্মণ ইন্দ্র খুদম চল্লবা বৈষ্ণব অমা লৈরম্মী। তোপ তৌবগী পাজলনা লেহে খাদোক্লবলগা স্বর্গদা লৈরে। স্বর্গদা লৈবদ্র চারে মুংডাইতে, তুমলে মুংডাইতে, চৎলে মুংডাইতে পেথাকম লৈতে ওলাংবগী শরুক্তা ওই। লোংবা দেবরাজদা হংজি, ঐনা স্বর্গদা লৈরগা মুংডাইকম খংদবা অসিবু করিনো? দেবরাজনা হয়রকই, ব্রাহ্মণ নহাক্না মীগী মপোক্তা লৈরিদেদা মচুম পান্দুনা মচা ধরা থবমজ্রে ময়ম অক্নুনি।

মচা পোকপা মীদি দান ধর্ম্ম কর্ম্ম তীর্থ স্নান করা তৌদুনম্ত মমগী বাজনা য়াংবা লানবা ঙমদে। লাইনিং কনবদগী স্বর্গদা লৈরবস্তু বাতনাগী তাপ কংলিবনি। ময়ম অসিনা ব্রাহ্মণগী অরাবা কোক্লবা উপায় ঐখোয়না ঙমলরোই। ইন্দ্রগী বা তাবদা মন্দপাল পুক্রিংদা বাখল তৌরকই, স্বর্গদা অস্তক বানা লৈগদবগী শরুকপুদি, পৃথিবীদা অমুক পোকহনরগা, কংজরগা মহি ধর্ম্ম তৌগনা। ইচা পোকহনগা থুনা স্বর্গদা লাক্লগে। পৃথীবিদা করম্বা থুনা ইচা পোকহনা হল্লকপা য়াগদবা উংকৌ মপোক ওইক্লরগে মতুম্না পুক্রিং লেপ্লে।

মন্দপাল থুবক অদুদা দেব দেহ থাদোক্লুনা পৃথীবিদা কুমথরক্লুনা খাণ্ডবনদা লোক্তৌবী কৌবা উচেকী মপোক্তা কংলরে। মতম খরাগী তুংদা শাক্তীকা অমগা য়ুম পাল্লে। মতম থরা লৈরগা শাক্তীকা মন্দপালগী ওরমদগী গর্ভ পুরে, থা তরক্তা গর্ভদু মপুং ফাদুনা এক্লম মরি কোক্লে। এক্লমত্ত কোক্লকপা মতম শুরক্লুনা মচা মরি ওক্লে। মতম অদুদা খাণ্ডবন মী চাক্কদৌরি হায়বসি খাম তৌবদা মন্দপালনা খংলে। কৃষ্ণ অর্জ্জুননা সমম্ন তৌদুনা বম্বা লৈবা কৌবা পুষ্মক লৈদা দান তৌগদৌরি। বনগী কৌবা পুষ্মক মেনা লোইনা চাকদৌরি, ঐগী ইচা মরিসিদি মপান্দু শাক্লেপ কাত্নি, ইচা মরিগী হিংনবা উপায় লৈরোই। আগ্নিদেবদা হয়জরগে খক্লুনা মৈ কৌবা লাইবু থ্যান তৌজরক্লে। হে অগ্নিদেব! লাই পুম্মকী চিমগী মপক ওইবিরিবা নত্তোন্না হোম তৌরগা লাই বৈদিক্লা পেন্নরিবা সৃষ্টি স্থিতি প্রলয়দু নহাক্না ওইরিবনি। ব্রাহ্মণগী শরুক্ত মৈ নহাক্নি, ননাই ঐগী পাজল লৈজরম্বা ইচা

মরি অসিগী থবায়দদি কনখিবগা খাণ্ডব চাক্লকপদা থদিবগদ্ৰ । অগ্নিদেবকী খোজাদ্দগী মনাইদু স্বর্গগী ভোগ অমুক্তা কংহনবিয়ু হেঃ প্রভু । মন্দপাল ব্রাহ্মণগী ভক্তিদা পেল্লদুনা অগ্নিদেব ব্রাহ্মণগী মাংদা কাওরক্লে । মৈনা হায়রকই, হেঃ মন্দপাল নংগী মচা মরি অসি ঐনা লোইননা কন্নগনি য়াক্লবগদ্ৰ ।

মহাশক্তি স্বর্গগী ভোগ কংখ্রবা য়াবগনি, অদুদ্না মন থিরমলগা মৈ হনখরে, মৈদু থুক্লমক্তৈ মন্দপাল লৈজরোরে । শাঙ্গীকা য়েংদুনা হায়রকই, প্রিয়ে ঐদি স্বর্গ য়োথবগে, [নংনা ইচা মরি অসি কোন্দুনা লৈরোরো, মতম লৈবা লৈখিবিক্তা ঈশ্বরবু কাওগদ্ৰ ; অদুদ্না মচা মরিবু শিন্নাবমলগা উচেকী হকচাং থমমলগা দেব দেবে ওইদুনা লাইগী লৈপাক্‌ কংখরে । খাণ্ডব মৈনা চাক্লুবা মতমদা লোনৌবী মমানা হায়রকই, ইচাশা মন মৈ চাক্লক্লে হেনকন লৈরোই মাংদা লৈবিবা শুভা অসিদা চংজো । মমাগী বা তাবগা মচা মরিনা থুম্মকই, ইমা নচা ৪বু ভুংশিদুনা লৈরিতেদা মৈনা হাপিল্লক্ত্রনা ইমাদুম শিবা ত'রে পাইবা ভমক্রিবা নচাগী থল্লুবদ্ৰ পাইথরো ।

ইমাবু হিংজখরবদি ঐখোইগুম্বা নচা অমুক কংলকখিগনি, সংসারদি অরেম্বা মবা সম্বন্ধি ভাক্তনি শিবগা কনাগদ্ৰ মরি লৈমরোই । মচাগী বা তাববদা লোনৌবী মমাচ মচা থলম্বগা অভিরদা মৈ লাম্পোক্ত নিংদুনা পাযরক্লে । মৈনা ভুংশিংকা লোইননা তাবক্তুনা চাকথেক্তনা শিথরে । মমাবু মৈনা চাকথিরক্ত উবদা কিথক্তুনা মৈদা হায়জরক্লে, হেঃ মৈ কৌবা লাই ! মনাই ঐখোয়গী থবায়দদি মচাণ্ডম্না থনবিদুনা কনবিয়ু, নখোং থুয়াদা চংজবী অশুম্না কণ্ড্রনা হায়জরকই । মতম অদুদা মৈনা মুক্তি পাল্লগা যেযেন নেক্ত্রনা হায়রকই, মন্দপালগী মচা মরিমক মৈ য়াকপু কিরগদ্ৰ মমাংথৌদা মখোইগী মপানা মৈ য়াকথোক্লা হায়জবদগী মখোইবু ঐনা কন্নি হায়থবখনি ! নমাংদা লৈরিবা গর্ত্তদা চংদুনা লৈয়ু মৈনা কাওহন্নরোই । অতাং মরিনা হায়জরকই, গর্ত্তসিদা খেয়োক উচি য়াবা লৈ ঐখোইবু চিকপিগনি অমুক্তা চাকথেকপিয়ু । মৈনা গর্ত্তগী মথুংদা লৈরিবা মখোইগী য়েক্লগনবা ভীবশিংচ চাকথেক্ত্রনা লোইনা উৎ ওনহনখরে, মন্দপালগী মচা মরিচু হয়াওনা গর্ত্তদা চংদুনা লৈবি ।

খাণ্ডব মুমিৎ ১৫নিদা ডুম্বা চাক্ত্রনা লোইনা উৎ ওইদুনা ডুমখরে । মন্দপালগী মচা মরিনে খোয়মে অর্থসেনমে তরুক অসি থিংথি ; মতো অদু উবদা দেবসভা ইন্দ্রগা অরকপা কংলদুনা লৈরে । কৃষ্ণ অর্জুনগী মকমদা ইন্দ্রনা হায়রকই, হেঃ নর নরায়ণ ! নখেই অসিনা পাংথোক্লিবা থবক অসি জগত কনানা ভমদরোই । ইন্দ্র হায়বদি পদবীগী থিংনি অদোংবা মিংদি বিষ্ণু কৌই । বিষ্ণু কৌবা ঐবু ইচানা নিজ ভমদুনা খাণ্ডব মৈদা কান তৌবি হায়বদগী অর্জুন নংগী নমিংবু জিষ্ণু হায়না খোললগে, জগত্তা কাওথবসদ্ৰ । অদুগা ইন্দ্র ঐ পেললে, নপু মনাই মর অমমমগা নিয়ু, অদুম্না অভিযাদগী লাওদুনা হায়রকই । অর্জুননা

অক্ষয় অস্ত্র পিবিয়ু হায়রকই। ইন্দ্রনা হায় শিববু অরাধন তৌরগা অক্ষয় অস্ত্র ফংলি, শিবনা পেনবিবা মতমদা লাই পুম্নমক্কসু অমাং অতা লৈত্রবা থুংলাই কয়া নত্তোন্দা পিবিবা ওইসু। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ইন্দ্রনা ঐত্তোন্দা বর পিগে হায়রবদি অর্জ্জুনবু মতম পুম্নমক্তা চানবিদুনা রক্ষা তৌবিয়ু। ইন্দ্রনা হায়রকই, মদু লেপনা ওইসনু হায়রমলগা দেবরাজ লাইয়াম গুদুনা হনখরে।

মৈ কৌবা লাইনা পেললদুনা কৃষ্ণ অর্জ্জুনবু বর পিরমলগা হনখরে, কৃষ্ণ অর্জ্জুনসু দ্বারিকাদা হনখরে। মতাং অসিদা খাণ্ডবন মৈ খাবগী বারী লোইরে। শ্রীব্যাসদেবনা লেংলম্বা ভারতকী কথাবু পুক্কিং চংনা তাজবদা যমগী যাতনা বাংমা লাললি হায়রসি ব্যাসগী য়াথংনি। আদিপর্ব্ব মহাভারত অসি শ্রীহরিদাসসিং পাংত্রবা ননাইনা পামজবগী ইমাংলোন্দা ইজবা অসি অয়াববা অয়াংপা কয়া যাওরকতু চানবিদুনা পাঠকশিংনা অয়াম্পা অয়ানবা কয়াবু হাপচিন চুমশিনবিদুনা রস আস্বাদন তৌবিগনি ॥ ইতি ॥

———:———

অধ্যায়

অর্জ্জুন সুভাদ্রাগা ইন্দ্রপ্রস্থদা হল্লকপা পাণ্ডব মওানা মচা থারা ফংবগী মতাং ॥

শ্রীবৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, মথাগী রারী অর্জ্জুন সুভদ্রা ইন্দ্রপ্রস্থদা লাকপগী মতাং লিরগে, পুক্কিং চংনা তাবো মহারাজ জন্মেজয়। অর্জ্জুন তীর্থ যাত্রাগী চহি ১২ শুরকপগী অরোইবা মতমদা প্রভাস তীর্থ খোংবান্দা বাস তৌদুনা লৈরগা দ্বারিকাদা অর্জ্জুন হজিল্লক্লগা রাম কৃষ্ণনা মফমদা ইন্দ্রপ্রস্থ য়ৌকরগে হায়না বিদায় নিজরক্নে। রাম কৃষ্ণনা মচনীনবক চামা-চামানা থুজিং ওইদুনা অউনপোৎ তম্মগা রথ শাজন তৌদুনা যদু সৈন্যগা লোইননা রাম কৃষ্ণ অনিনা সুভদ্রা অর্জ্জুনবু থিল্লকপনা ইন্দ্রপ্রস্থ কোম্নদা থুরে। তুতনা মাংজোননা যুধিষ্ঠিরদা পাও কংলরে। যুধিষ্ঠির মনাও নকুল সহদেবগা পান্ত্র মিত্র মকলগী পোৎলমগা লোইননা ওক্নুনা বলরাম কৃষ্ণবু ভক্তি প্রেম তৌনরগা তরবারদা লেংশিল্লদুনা রত্ন আসন থাবগা সন্দেশ কয় লোইননা পূজা তৌদুনা পেনবাম্লি।

কুন্তি রাজ মাতানা পুরনারীশিংগা সুভদ্রা মনৌবু ওক্নুনা অন্তঃপুরদা পুশিনখি। অর্জ্জুন যুধিষ্ঠির খুরুমজরগা তুংদা ময়াম্বা রাইনা খুরুমজরগা কুন্তি মমাবু খুরুমজৈ, অদুগী তুংদ

অন্তঃপুরদা দ্রৌপদীগী মকমদা চংলকই । পার্থবু উবদা কৃষ্ণা মবুংহোঙী ঐখোয়া খাম্ হৌখিদ্রবা মরু লুক্‌নবা নৈরে । মতৌঙ উবদা অর্জুননা হায়রকই, প্রিয়ে করি মরমগী মতম কুইনা থিবেদ ওইরবা ঐবু উবগা বিমুখ ওইদুনা নরু লুক্‌নবা শাওনা নৈরিববু ঐগী ইরান করি নৈরমগে । চহি ১২ মংবু উবা কংদবগী প্রেমগী থকনবা ভাগ কংদবা লেহনি, মৈ চাক্লবদা থাও অমুক হৈকিন্নিবসি মরম করিনীনো হাইবু প্রিয়ে । দ্রৌপদীনা খুম্মকই, তীর্থ চৎলিবা সুবিতগী থবোইসি ইবো নৈতনা নৈজরবীনি । খুদাগী মতৌদি থোকমুগী লমচৎনি, অনৌবা নৌহি কংলপা থরিবা নৈনিবীনমক লেইদা অমাখা মৈচাক নৈনবা হৌমদে । নৈ পরেং অনৌবা কংলবদি হান্না নৈতেং ওইরবা নৈমম চদবা পরেংগু থগদা অনৌবা নৈ পরেংগু নৈতেংকম থোকই । মরম অসিনা থাদিবীগী মকমদা লেংবিরো । দ্রৌপদীগী রাঙাঙ তাম্রদা অর্জুননা হায়রকই, প্রিয়ে সতী ওইবি মহাক্না রাকেন অহু হায়দোকপা যতিক চাদে, খুদী লম ১ নৈরবসু ঐগী থবোইবি মহাক্না থখোইবনি, পাণ্ডব ঐখোই ৫ অসি লেংগ্রবা নকাওগী নমশী । সুভদ্রাগী মরমগীদমক মহাক্না করিগী অঙক শাওবগে, অর্জুনগী বাক য় ভাবদা দ্রৌপদী পুক্নিং সুংশাইজরদুনা মবুংহোবু ভাক কৎলগা আসন থাজরে । অহৌবা ঔশিংনা পার্থগী থোং লেংলে, পানা হৈ নৈ সন্দেশ সেবা লাংই, সতী পঞ্চালিনী মবুংহোগী সেবা কাঙরে । মতম থরা সুংশাইজিররগা বিদায় লৌরগা বলভদ্র যদুগী মীয়াম পুদুনা দ্বারিকাদা চৎলে । শ্রীকৃষ্ণনা পাণ্ডবকী লেংলবা মতম থরা চোঙ্খনা নৈবিবি সুভদ্রাগী পর্ভদা গুরুগী পাপুগী মীগী মংপোক কলদবগী চন্দ্রদেবগী শক্তি চংথিদুনা থা ১০না মপুং ফারক্‌না মচা ধারা ১ কংলে, নমিং মশক মতৌ য়ায়ায় ফজৈ হায়দুনা অভিমন্যু থোরে । সুভদ্রাগী জাত কর্ম্ম যুম লেংবা লোইরবা মতুংদা শ্রীকৃষ্ণ পাণ্ডব ১সুং মচন ইবেমা ভদ্রা দ্রৌপদী বিদায় তৌরমলগা দ্বারিকাদা লেংলে ।

মতম থরাগী তুংদা দ্রৌপদী পাণ্ডব ৫ গী থারা মচা পিবা মচা পোক্লে । ধর্ম্মরাজগী মচানা প্রতিবিন্ধ্য কৌই, ভীমগী মচানা সুতসোম কৌই, অর্জুনগী মচানা শ্রুতকর্ম্মা কৌই, নকুলগী মচানা শতানীক কৌই, সহদেবগী মচানা শ্রুতসেন কৌই । যুধিষ্ঠিরগী অতোপ্পা রাণী অপারাজিতাগী পর্ভদা অর্থবম্ম কৌবা নিপা ১, সুতম কৌবী ফুদীমচা অমত্তু পোক্লে । পাণ্ডব ৫ গী মচা থারা কয়া কয়া কংহৎপা, পাণ্ডব বংশ চাওখৎলকপা মহাভারত আদিপর্ব্বগী থারী অসিবু মীওইবনা পুক্নিং শেংনা মতম তৌনা ভক্তিনা তাকরবদি মচা পোক্পা মচা কংদি । মীওইবনা অন্তগী কান্দা যমগী যাতনা হাংনা লাম্বোক্‌না লেপ্পা শ্রীহরিগী থাম কংদি । অমুক্তা বেদ ব্যাসনা লেংবিরম্বা অমৃতগী মতেন ওইরবা ভারতকী কথাবু পাঠ্রবা শ্রীহরিদাসসিং ঐনা ইমা লোন্দা সংগ্রহ বারী শৈরেং ওইনা ইজবগী থোক ভাকপীসি ॥ ইতি ॥

---:---

অধ্যায়

অবন্তি নগরগী মঙ্গৌময় নিংথৌ উর্বশীগী হাক্তক্তা বন্দ্র মাপল তিনবগী বারী মতাং ॥

বৈশম্পায়ন মুনিনা হায়রকই, পুক্নিং চংনা তারো মহারাজ জন্মেজয়। মোংমগী মুহিং অমদা অত্রয় মুনিগী মচা ব্রহ্ম ঋষি দুর্বাসা ইন্দ্রগী অমরপুর সভাদা থুংলরে। পামোম থাংজৎলুনা আশীর্বাদ ওঁ স্বস্তি স্বস্তি হায়না লাওয়কই। দুর্বাসা মুনিবু উবদা দেবরাজ দেব আনন্দগী কুমথরক্লুনা ওক্তা কি থোংলুনা চৈঙ হায়থবওয়া দম্ভবৎনা থুরুমলে। মুনিনা এবমস্তু নম নমায়ণ স্বস্তি হায়না আশীর্বাদ তৌবিরগা কোনথৎপিরে। ইন্দ্রনা মুনিগী আসন থারে, সন্দেশ কয়া কত্তুনা মুনিবু পূজা তৌই। ইন্দ্রনা থুৎ কোয়রগা হায়খৈ, মহামুনি করি কৎচো হায়বগে তাকপিয়ু, সেবারেনগী ভক্তিদা পেন্নুনা দুর্বাসা মুনিনা হায়। ইন্দ্র নংগী জগোই, শাবী উর্বশীগী জগোই অমুক্তা য়েংগে হায়দুনা লাকপনি অমুক্তা শাহল্লু। মুনিগী য়াথং তাবদা ইন্দ্রনা কনি শকত্রাগে হায়দুনা জগোই লোইশংদা য়াথং পিরে। ইন্দ্রগী য়াথং কনখা উর্বশী কিজেৎ কৈতেংলুনা, পুংমৈবা তাল পায়বা বন্দ্র খোংবা বাঁশী খোংবা রাসধারি পুন্নমক লোইদুনা সভাদা থোক্লক্লে।

মুনিদু ইন্দ্রবু থুরুমমি, উর্বশী জগোই শক্তবী জগোই শাগদৌরে তাবদা লাই পুন্নমক য়েংনিংদুনা লোইনা সভাদা থুংলরে। উর্বশী জগোই য়াগীনি রাগা হৌদুনা পুংলোন বন্দ্র বাঁশী তাল মাত্রা সুর চান্না সপ্তস্বরগী শারি শন্না কাইদনা কোকিলগী পঞ্চম স্বরবু চমথবী খোমজা পুক্নিং হুনা মঙ্গকপা ঈশৈগা লোইননা জগোই শারক্লে। লাই পুন্নমক উর্বশীগী ঈশৈ তাবা জগোই উবদা নৈঙ্ননা নোং চুবক্তুম চাইরদুনা উর্বশীবু থাগৎলুনা তাল তাল লাওয়রকই। মুনিদি শোল্লবা নামগী রসদ চুপ্তুনা হৃদিক্ত দর্বির ওয়াংবগা মিৎ অনিদগী মিক্সুংনৎপা পিনা গঙ্গা ঈতৌবকপগুম চেক্তনা লৈরি। উর্বশী ঐ মতাইরে হায়বা বাপলগা লোইননা মুনিগী পুক্নিংবু শুংহনগে থন্দুনা মুনিরোমদা ওনশিন্নগা মিৎচিগী তেল্লা থমোই তম্না নিশান থারে।

হৃদচাংগী শাথেক মতং উৎলগা মোমোন বোকপগী মিৎয়েংগা লোইননা ঈশৈ শরু শরুত্তুনা মুনিগী মাংলা শারি। মুনিনা বদন কৈথৎলুনা য়েংলকপদা উর্বশীগী মতৌ উবগা দুর্বাসা মুনিদু কৈ হৌনা শাওরক্লুনা শাপকী বাকয়না লাওরক্লে। অসতী অপসরা ঐদি নামগী রোমবু চুপ্পী লাম শোল্লিবা মংনা থওই উদিংদুনা মোক্ল নোক্লদুনা নশাগী বিকর উত্তুনা

শক শোলবগী মোযনা পৃথীবদা সুংথিরা শগোল ওই সুমিদাংনা মংগী মশক্তু অমুক ওইদুনা মংনা পাযকপা পাপতোক্তু কাংদুনা অবন্তি নগরগী নত্তি মিংথৌগীদা লৈকয়ো। মুনিগী শাপ কাংলবা উর্ব্বশী মুনিগী পাদদা ওন্থোইদুনা কল্লগা হায়জয়কই। মহামুনি মনাইগী ইত্তিক চাবা শাপ পীখিবে, অনন্তী অপ্সরাগী মোহোতে স্বভাবনা থনবীদুনা শাপত্তোক অমুক্তা পিনখিবু। উর্ব্বশীগী হায়জবা মতোংদু উবগা মুনি শাওবা হত্থরকদুনা হায়রকই, মংগী থবোইদু বস্তু ৯ তিনবগুম্না কল্লি। মংনা শাপুগী কোকলবদি মতম অমত্তদা বস্তুগুম্না থুংলাই ৯না পূরণ তিনবা মতমদা ঐগী শাপ্না লোইদুনা লাইবেবাক্তা হত্থরকউ। শাপত্তোক পিরম্লগা দুর্ব্বাসা হনগ্রে, উর্ব্বশী পৃথীদা হাইথখিদুনা অবন্তি দেশগী মন্দা শগোল ওইদুনা লৈরে। অবন্তিগী নত্তী নিংথৌ নোংমা মন মহুংদা লিকং তোম্লোং মাকম লোইননা চাক চত্তা চারগা মৃগয়া লাকই। মন মমুংদা শজি থিরকপদা উর্ব্বশীনা শাপুগী ওইরিবা শগোল অদুবু সুমিদাংবাইরমদা থেংনরে।

নত্তী নিংথৌ পুক্লিং চুনা কক্তবা শগোল অদু উবদা কায়গে থক্লুনা, রথ থোক্তিরকই। শগোল মরৈম ফিরান শাদুনা চুংশিংকী মাং থানা চেল্লি। শাকেন কক্তবদু উবগা অমুক্তা হেন্না পামগ্রদুনা নরদুনা কাযগে থক্লুনা তারশিল্লি। শগোলশু নত্তীগী মাংদা অমুক নকশিল্লি অমুক লাপথোকখি অমুক্তা লৈমদুনা তারবসি সুমিং তারক্লে। শগোলগী পুংকম লোইরকপা উর্ব্বশী ওইদুনা উথোংদা কমদুনা পোংথাদুনা লৈ। নত্তী নিংথৌ উর্ব্বশী উবদা চককগ্রদুনা মথক্তি চোংথরগা থুং লোয়দুনা হংলৈ, হে: শক কক্তরবি ইবেম্মা নহাক অসিবু কনানো ? মনদেবীরা রাক্ষসী কিন্নরী গন্ধর্বী নাগীনি অযোনি সম্ভবা দেব কন্যা অপসরি হায়রিবাসিং অসিদগী কনা ওইবগে পরিচয় তাকপিবু। ঐ অবন্তি লৈপাক্কী নত্তীময় কৌবা নিংথৌনি, ঐনা শগোল অমা তাররকপনি শগোলশু মাংথোকক্রে, ইবেম্মনা থংত্তবদি ঐতোম্না তাকপিয়ু।

নত্তীময়গী বা তাবদা উর্ব্বশীনা হায়রকই, মহারাজ ঐ ইন্দ্রগী জগোই শাবী উর্ব্বশীনি মহারাজনা কাগে নিংদুনা তাররকপা শগোলশু ঐনা ওনখনি। ঐদি মুনি দুর্ব্বাসাগী শাপুগী সুংথিরা শগোল ওই সুমিদাংদা মী ওইদুনা মন অসিদা লৈরে অমুক্তা হায়রকই। উর্ব্বশীগী বা তাররদা নত্তিরাজানা হায়রকই, ইবেম্মা অদুক মানা মন্দা লৈপদবগী শরুকপুদি ঐগী কোমুংদা লৈথিবু. ইবেম্মাগী সুংতাইনবা ঐ হোৎনজগে। উর্ব্বশীনা হায়রকই, ঐবু কনাগুম্বা মী লাই কাওবদা পিথোকলোই হায়না বাশকপিবু অদু ওইররদি ঐ লৈজগে। ঐনা চুংথিন শগোল ওইবা মতমদা মহারাজ ইনজন্দা পূরগা ব্রহ্মাণ্ড থুংনা কোইবা ওবজনি, অহিংনা মীদি থংহনখিগদ্রু কোমুং মমুংদা চিকনা জগোই থৌগন তৌজগে। উর্ব্বশীগী বা তাবদা নত্তী নিংথৌ সর্গ থুংনা লাবা কংজবগুম হুংতাইজরদুনা বাশক্লে। হে: সত্য ঐগী থবাইমা

নৈরিবা মথৈ কনানন্থ পিখোকলোই। মিংথৌগী বাশক তারবদা উর্বশী করাওবা রায়রুবা নিংথৌগা লোইননা রথ তোংদুনা লাকপনা কোমুং মমুং যৌরক্লা অভ্যন্তরদা পোৎথাখরে। মতৌ অসুম্না মঙ্গৌময় নিংথৌগী অপাদা নুংথিবা শগোল ওই মুমিবাংবা অংগোক শাবী ওই, উর্বশীনা নৈরকপানিদা, নিংথৌ শানমগী ভার পুম্নমক পাম্ন মহ্নিরা শিম্নরগা, নুংথিবা শগোল তোংদুনা যৌনিংবা মকম থুনিং বিৎকুপ বিৎকুপ্তা য়োদুনা কোইহিরি। অদিং অদিংবা উর্বশীনা অংগোইশা অংগোই য়ে ঈশ নুংশিবতা, রায়রুগা পোৎপাকম মনিগী কাংথোন কত্রংশী মোত্তেক থোন্দুম সনাগী কাংথল থুদা অসন মনিগী মিংদেশ কাংজায় চামর থম্মী। চান থরুবা সন্দেশ কয়া কয়া থম্মী। অমত কেলি বাৎতনা থম্মী, মঙ্গৌময় নিংথৌ শিবা কাওরে নুংঙাইবগী ইপাঙ্গা তাওদুনা নৈকরে। অমরাপুরদদি উর্বশী লৈতবদগী ইন্দ্রগী অংগোই হন্থরে, মাই পুম্নমক অনুতাপ তৌনরক্লে।

মতৌ অসুম্না নোংম নোংমগী কৌথিরুনা চহি অমা কাজিনখরে। ইন্দ্রগী লৈতেং ওইরিবা অংগোইনা চন্তরকপা লাইশিংনা অনুতাপ তৌরিবদু উবদা নারদ ঋষি উর্বশীগী অবাবা কোরুবা শিংথিরগে থরুগা ব্রহ্মাপাকগী কাপ্থরকপনা দ্বারিকা ধাম যৌরক্লা শ্রীকৃষ্ণগী মনি মন্দিরদা চংশরকই। শ্রীকৃষ্ণ থি মন্দিরগী মাংজান্দা বিরাজ ওইরি। মনাই নারদবু উবাদা কৌশিনবিরকই। নারদ চরন্দা দণ্ডবত তাদুনা থুরুমজে। ইবেন্মাশিংনা আসন থাই, সন্দেশ কয়া লানশিল্লি, নারদ সন্দেশ কংলে পামা লৌজয়ে। গোবিন্দনা নারদগী মফমদা চবিরকই, ঋষি নহাক লাকপবু করি হায়নিংবা নৈবগে। নারদনা হায়জে প্রভূ চরন্দা রাকম অমা চমৎচনিংদনা লাকখনি। অমত্তি মপন্দা পাম্নিবা মঙ্গৌময় নিংথৌনা শগোল ১ লোইরিবসি কপকা অঙাংবা শংগনদি। মেংথগী মথুংদা জগৎ ব্রহ্মাণ্ড শিনবা থুংনা কোইবা হৌমী, মশক মতৌ য়েংবদা পুক্নিং চনা কাইজ, শগোল অসি মানা লৌইবদা মতিক চাদে। মরম অসিনা দ্বারিকা মাংগী থম্নদা মতিক চাববা শগোলনি। মমুং য়েংবিরুগা শগোল অসি ঐগী ইবুংঙোনা লৌদুনা লৌইবিয়ু, চরন্দা রাকম অসি চমৎচগে লাকচখনি। নারদগী বা অসি তাবুগা মগুংদনা হায়রকই, মুনি শগোলগী মতাপ ভাবদা পাম্মী, অদুবু শগোলদা অঙাংবা পোৎ ওইদনিনা ঐনা নৈগে হায়বদা য়েংহৌরেই মিরুবগুম শিরাক্লাই। নারদনা অমুক চমৎচকই, প্রভু করিদি জগৎকী চাংজকম মপুনি হায়রুবদা মঙ্গৌ নিংথৌ লৌইবদা শগোল কংলক্লবা নিংই। করিগুম্বা মানা ভক্তি লৈতবগী থওইদদুনা কৎলকত্রবদি সৎক্ষেত্রে ধর্মদা লান্দা লেপ্লুনা জয় তৌবিয়ুগা নমক্তুনা লৌবিয়ু। মপু মনাই য়াংনরিবা রাকমদু তাবুগা কৃষ্ণগী প্রিয়া ইবেন্মাশিংনা হায়রকই।

ঋষিগা থরুবিবা রাকমদু ঐখোয়গী ইবুংঙোনা পাংথোকপা তমগনি হায়বা নিংদে, ঐখোয়গী ইবুংঙোদি ঐখোই থরতনা আত্মা কত্তুনা নিংবদনি। জগৎকী অকন অথৌশিংনদি কয় থওই

উংশিংবদবগুম তৌই হায়রৈ। দ্বারিকাদা খুন্দাগ্রিবা অসিবু জরাসন্ধ কিত্রনা মথুরা সহরদা লৈবা ঙমজনুবা চেল্লকপনি হায়রৈ। মরম অসিনা ঐখোইগী লেমজনকম অসি বাংলিদা। ঋষিনা হায়রকই, ইবেম্মশিংগী রাকশ জন লৈজবাশিংনা চতুংবনি। হরিদি কংক্রবাশিংবু মরম তৌরগা ধর্মবু যোকখৎপিংগে পৃথীবিগী অকক্ষবু লৌথোকপিগে হায়বগী অবতার তৌবিরবা মপুনি। রাকমশিংগু তারগা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, ঋষি নং অমুক্তা দগুী রাজগী মকমদা য়োক্লরো।

কৃষ্ণ ঐনা হায়রকই, মাগী শগোল অদু মরম মতিক চানা পিগে ঐহোন্দা পিরো হায়য়ু। প্রেম্ম হায়বা অসিদা পিরকত্রবদি লাম তারক্কুনা নমতুনা মুন্নি কায়ক্লরো। শ্রীহরিগী রাথ: কংলবদা নারদনা হায়রৈ, ননাই চৎচগে দণ্ডী রাজ সোইদনা শগোল কৎলকনি হায়রগা কৃষ্ণবু খুরুমজনা অবন্তি নগর তাম্লা সিঙ্কিনা চৎখিঙনা দণ্ডী নিংথৌগী অন্তস্পুরদা থংখরে। নারদ মুনিবু উবদা দণ্ডি ঙক্তা কি য়েংলগা অষ্টাঙ্গ ভক্তিনা খুরুমজৈ। মুনিগী আসন থারে অমিংবা ঈশিংনা মুনিগী খোং শেংলে পাদোদক লৌজৈ, সন্দেশ কক্নুনা মুনিবু চক্তা তৌজরগা খুৎ অনি লোনজনুনা হায়রকই। মুনিদেব লেংবিরকপদি করি সেবা তৌজো হায়রগে, করি তাকপিগদবা লৈবগে হায়রকই। নারদনা হায়রকই মহারাজ ঐনা নংবু হংশিবদগী লাকপনি, মহাকি দয়া ১ লাকদৌরে মহাকি শগোল ব্রহ্মাণ্ড কোইবা ঙম্মা অমা লৈ হায়বা তারগুনা দ্বারিক নাথ কৃষ্ণনা শগোলপু নংমা লোইবা মতিক চাদে ঐহোন্দা পোবক্কুনা কৎলো অদু কংকত্রবদি লান তারক্কুনা মথন্নাই লোরগা শগোল মুনগনি কাহুনা ঐবু থংহক্কু, হায়না লাকপনি নহাকী মতম ওইগে হায়রবদি শগোল কৎকৌরো। নারদগী বা অসি তাবদা দণ্ডী নিংথৌ কোকথক্কা বজ্র তাবগা মায়থরে। মহামুনি ঐগী শগোল আসদি চেকশিন্না থমজবা জগৎ কনামতা থাদবনি, কৃষ্ণনা কমদৌনা থংগ্রিবনো ঐগী থম্বাইনা কৈরিবা মথৌদি শগোল অ'স পিথোকপা য়ারোইদৌরে, মুনিনা শ্রীকৃষ্ণদা অম্রুয়া কনবা হজৎপিক্লরো।

নারদনা হায়রকই করে মহারাজ ঐ গোবিন্দদা হজৎলুরগে, অদু কৃষ্ণ ইবুংঙোন্থ য়াম্না কঠিন ওইবা ক্ষেমা দয়া য়েংহোইদবগী মওংদা লৈহৌই। শগোল লৈ কাবা অসম্ভ নিপাওদগী ওইরমলোই, অন্তর্যামিনিনা থংহুনা তৌরিবনি। সোইদনা লান হোৎরকপনি নংগী উপায় থিহৌরো হায়রগা মুনি আবিরভূত ওইনা লেংখরে, নারদ অমুক থংগুরে। মতাং অসিদা দণ্ডী নিংথৌনা উর্ব্বশী কংবা নারদ উনবা য়াগী আদিপর্ব্ব মহাভারত শ্রীব্যাসনা লেংলম্মবা অমৃতগী মশকনি। মসিবু তোলবা শ্রীহরিদাস সিংহ ঐনা ইমা লেপন য়াগী শৈরেং ওইনা ইজবগী সর্ব্ব দোষ ঙাকপিগনি ॥ ইতি ॥

– – –:– – –

উপমা কৌবা লাম্বানা পোৎলক ২চু চপ মাম্নরে পারো হায়রুনা পানরিবা অচু উপমা কৌবা লাম্বানি। উপমে হায়বনা অনিচু য়েংনবদা অমনা থরাদ হেল্লে অচুমকপু মরাইবক য়েংনক্লসু পারো হায়রুনা পারিবা লাম্বা অচু উপমেং কৌবা লাম্বানি। উপমের কৌবা লাম্বানা অনিচু য়েংনবদা ১না পুংহেন হেল্লি হায়বদি খংনরবা লাম্বা পিদবা মাত্রচুনা মাপু থরাইদগী হেন্নবনি পাশিলো হায়না পারিবসি উপমেরনি। অচুনা ভারতকা অমুতগা পাবদি উপমেরনী অসি পুক্লিং চংনা তাবদা নপাগী রোগ ব্রহ্ম বধগী পাপ কোক্লগা অরোইবা মতমদা শ্রীহরিগী নাম কজনি॥ ঐনা নত্তোঙ্গা লিরকপাদা আদি পর্ব্ব মতাং অসিদা লোইরে শ্রীব্যাসনা লেংলম্লবা ভারত আদি পর্ব্বগী বারিবু পাংত্রবা শ্রীহরি দাস সিংহ ঐনা ঈথা লোন্দা রারি শৈরেং ওইনা ইকবগী সর্ব্ব দোষ ভাকপিগনি॥